ত্রৈখোয়গী ... য়েকবশিং

শিল্পী

জে, অলফ্রেদ প্রুফোকী ...

য়েকশন

থিয়েটর ওক ...

(৭)

অনীশুবা চহী তরেৎ শুবা

সম্পাদক

য়েংখোম জ্যোতিন্দ্র সিংহ

লুপা ৬-২৫

শ্রীশ্রীবীরেন

অপুম্বা পেংবা

১

মশা নায়বা
অপুম্বা পেংবা অমনা,
পুম্নম শানম্না হারবা
কৈথেনগী মোংলবা ঙায়োনফমদা,
লুকমাই অমগী মথক্তা
মণ্ড মণ্ডলি—
শ্রীগোবিন্দগী ওয়দা ঙাহোইরিবী
শ্রীমতি রাসেশ্বরীগা
ঐগা কৈস্থু থেম্নদে।
হেল্লি ঐনত্থুম
মাদি ঈস্থু চেন্দে।
পিক্লবা কা মন্থুংদগী
চংথোকপা ঙমদে ।
ঐদি,
অমুক্তা লুপা মণ্ডাদগী তাদনা
শিংলি,
নোংমতা পোংশিং হন্দে।

মথল মথেন
থেংনবগী
হৈনবনা চেম্থবিবা
ঈচেম্নি
ঐগীদি ।
ঙ্গুংঙাইনা লেনজরিবা ঐগী পুন্সিনি।
নত্তে যমুনাগী ঈয়ায়দা বৃন্দাবনগী কদম মখোঙদস্থু
মান্নি ; খোংবান্দনি, লম্মাংদনি অশাঙবা অমম্বা লৈরকী।
য়েনখ.দা খোঙজুম লুখাক হৈদোকপদা
অত্থু
অর্থদি লৈ। পুন্সিদি লৈ।
শীরম্মী মাগী পুন্সিগী দিফিনিসন।

২

থোং নম্বো বীদ
অতৎপা নৈত্রবা পুন্সি খোঙচৎনা
বস, ত্রক, রিক্সা, এক্কা গাড়ীদা
চগুংননা চেম্বরি ঈচেল ।

মথা তানা থম্মে—
সীতাগী মৈ ইরুবগী রারী
সাবিত্রীগা যমগা থবায় মুন্নবগী রারী
ঙসিদি নত্তে
থরায় অনীগী
হুংশি রারী ।
পাউথুম,—নত্তে থম্মোয়গী, ওইরে নম্বর চামগী ছাত্রগী পরীক্ষাগী
থারবা লাইরিক্কী— ইতিহাসকী
ছাপা ময়েক অমদি মূক্কী তিন্নবা নৈতেং ।
রাহে মপেগী চান্নবী,
প্রেস মপুগী শেল পীবিনবা ।

সিনেমা হোলদা
মীনা চগুংননা তিনবদা
হাথু হাথু
ফৎ ফৎ হেনগৎতুনা
থাংলরে পুন্সিগী লেপত্রবা খোঙথাংসে ।
ঙসিদি লিন্নত্রে পুন্সি ।
উমেশ হে টেলগী
কপ প্লেট মরক্তা
২ - হুংজিগী
মুন্না —
থরায়
ঐগা পুন্সিগী দিফিনিসন অনীগা ।

ঐগী পুন্সিদি অশিবা নত্তে
মেছিনগা লমজেন তান্নরিবনি ।

সীতা সাবিত্রীগীদি চেন্নবা ঊচেম্নি
ঊ-তোং য়াওব্রবা রারী ওইরে তানীংব্রবা।
ঐগীদি নোংমা নোংমগী
পান্নবা তানরক্লিবা রান্নীনি।
পুন্সিসি ঐ শরুক চপ চানা য়ান্নি।

ঊরকই
মতোমতগী মমিংতা
হয়াউ তযান্না
চেন চোংহুনা শান্নবা ঈপাক্লংদা।
অতন্না পোক্তজবি শিববা পেংবাহুনা—
হিংলি হাযনা।

৩

(দাবী)

হিংবনি ঐগী দাবীদি
পুন্সিনা ঐগী অপাম্বনি
ঐহাক চপ চানা ইথৌ তৌন্নি।
ঐহাক সতীনি
অতুগা
পুন্নমকনি।
পুন্নবা
তেক্লবা খোঙ্গেলসিদা
ওসিদি শাৎকপ্রা থোৎলবী
পুন্সি লৈবাং,
থরাযগী লীলাদা
হুংশিবগী মচুদা?
নমখিরবা খর মনমহু কোন্দোক্লহুনা
হকাম লাওনা চনলহুনা
ওন্নথোইনা থাঙলহুনা
হবাউনা
পুন্সিবু লৌশিন্নি
পুন্নবা পেংবাহুনা।

রাজকুমার শীতলজিৎ সিংহ

যশোমতীগী লুহোংবদা

"ইবেম্মা যশোমতী, করি তৌরি ? ইমা রা হায়গে লাউ।" পূর্ণিমানা অসুম্না হায়রকপা মতমদা মচানুপী যশোমতীদো মাগী কা থাদোক্নুনা মমাগী মনাক্তা চঙশল্লম্মী। "করিনো ইমা ঐবু কৌববু ?" হায়রকই।

পূর্ণিমানা মচাদা য়েংলগা হায়রকই— করিসু থোইদোক্পা রা লৈতে। নথম্নতা তুমিন্না লৈবা উবত্নুদা রারী শাসি হায়না কৌবনি ইমানা।

মচাগী মায়থোং দা য়েংলম্মী। যশোমতীনা তুমিন্না মাগী লাইরিক ঔরাইফম কাদা লৈবত্নুদা মমানা মওন মওন থল্লম্মী। হন্দক মাগী লুহোংবা অসিদা, মাগী রা অমত্তা লৌহৌদে। মথরাইনা তাদবা বর ওইরত্নুনা চিন্তাগী ঈপাক্তা লুপ্নুনা লৈরবরা হায়ত্নুনা মমানা থল্লম্মী। অত্নুনা মচাগী মবুক খঙদোক্কে নীংলত্নুনা মচাগী মমায়গী ফিভম য়েংলম্মী। মমায়গী ফিভমদদি কাযবা অমত্তা উদে। মমায়দু য়েংলগা মহাক চিন্তাগী মশক্কি হায়বা কনামতনা ওন্নোই। তৌবগীবুদি যশোমতীদো লুহোংবগী মরমদা থল্লবসু বব পাম্মি পামদেগী রা মহাক করিমত্তা থল্লমদে। বরদি অফংবা অমা কংবদা মনা মনিল নাইবী যশোমতী নত্তে। মীৎতাংবা নত্রগা খোঙতেক্পা ওইরবা কাওবদা অহল-লমন্না শীল্লকপা রা ওইরবদি মহাক অত্নুম তুমিন্না লৈগদবী হুপীনি। অহল-মাখং ঙাইবী হুপীমচানি। মুংশি লাংদা থুক্করবা মনীংতম্বী হুপী শীদা নত্তে : থুবসু কনামত্তগী লাংদা থুবা লৈতে।

অত্নুবু মীওইবা মতম পূম্বদা মনীংতম্বা থাদোকপা ঙমদে হায়বা রাফমসি যশোমতীদসু পুখোকপা য়াই। অপাম্বা নীপা থনবী হুপীজাং নত্রবসু যশোমতী মীওইবীনি। মগীসু মাযকৈ অমবোমদা নীংজবা অমা লৈজে। নুপুং পুদিংনা মনীং থুংহল্লিংবগুম যশোমতীসু মাংনা নীংজবা অত্তদি থুংহল্লীংদে। অত্তবু মানা বনমদ মাগী অনীংবত্নু হাযদোক্লে। হাযদোকপগী পাম্নাসু লাক্তে।

মমাগ য়েংলগা মবুক্নাংগী বা মনা পূর্ণিমানা খঙবা ঙম্লদে হায়রগে। অদুবু তৌদে নকই—

ইবেম্মা, যশো।

করিনো ইমা ?

খোম্মোক্তসু মওং কাযবা অমং চবমদে। মচাগী ফিভম কাযনবত্নু উবমত্তদা মপুক্নাং খঙদোক্লীংবনা লোইদে পূর্ণিমা তদ্ম। অদুবু মচানা নীংংনা তাকপীনক্তত্রা, ইকাইদোইত্রা হায়না চিংনবম্মী। মচানা ইকাযবোইদোবা মওংদি করিনি হায়বগে হাধবসু পূর্ণিমা খঙলমদে। মমায়বী থাজবনা হইনগদবসু বাগদান লোইত্তনা রারোহংপোংকা থবক ফাওবা থৌজনগ্রবনিনা কবিসু কাম্নদে। অসুম চুম্নগী মাতনা মচাগী মবুক খঙনিংঙবগী বানি। খঙদোক্ত্রবসু লুহোংবা কায়গদবদি লৈতে।

অত্নুদা পূর্ণিমা মমা ওইবী হুপীনি মচাগী প্রেম্না নিক-নিক লাউবী মহাক্নি। অত্নুনা থাঙুমদবী থম্মায়শোনবী পূর্ণিমাদো পূর্ণিমাগী

থাজগুম ময়েক লানা মকা লাল্লবা মাযখোংদা মচা যশোমতীদা হাযবকই—

কন্নিস্নু নংতেদা। ইচাবু নপাবুংগা ঐগনা অহল লমন-লাইগুৱ শক খঙবী অমনি হাযনা লৌই। অদুনা ঐখোয় অনীস্নু নংগী নফমদা ইনীং তৌনা চংলি, নংনা কবি হাযবমগনি নত্রগা ফুংঙাইরম্মোইদবা হাযবা অমতা নপাবুগা ঐগনা খনবা লৈতে।

লৈশিংবী লাইবিক লইগু খঙবী যশোমতীনি। মমাগী রাসিগী খোন্তাং কনিনো হাযবা মপুক্নুংদা খঙজে। অদুবু ভাব শাদুনা খঙবা উৎকদৌবগী শব্দকপুদি হ যংনা মতাৱ্রা মবক থংভুনা মমাদা খুৱ্রকই—

কবিগীনো, ইমা, না অদু পুথোবগ্নিবা? মমা মপানা হাযবা ইন্দবা কযা যাম্বগে? লাইগুকগী বাদি যেংলোইদৌবনি। মবমদি—

মতাং অসিদা পূর্ণিমা নত্তেক অমা পাথৎ লকই। মচগী থম্মোয শোকপা মরম ওইবম গত্রা হাযদুনা পাথৎপনি। পাথৎ পাথৎনা পাথৎতবা শাদুনা থানস্নু।

যশোমতী মখা তানস্নু— মবর্নদি হৌ, কনাগুম্বা মপানা নত্রগা মমানা নত্রগা মমা মপা অনীনা পুল্লগা মখোযনা লাই থুকমদুনা কংজবা মচাগী ফত্তুনবা অমতা তৌদে। মসি ঐগী রাখল্লি। চুম্নস্নু য়াই লাল্লস্নু যাই। অদুবু ঐখোযগী ইমাগা ইপাগবুদি ঐগী যাইকবগী যেক্ন তিংখং ওইগনি হাযবা নোংমতস্নু খল্লি, হৌজিকস্নু খন্দে. তু দস্নু খল্লকনি নীংদে।

মরাৈহ তাবদা ইম না পেল্লে।

পূর্ণিমা মচানুপীগী রা তাবদা থৌগৎলক্নে। পাক হায়রগে খল্লে। অদুনা মচীন কাঙথোক্লকই—ইমাগী ইবেম্মা, নংনা হন্দক য়াবসিদা ইমাখোয যান্না ফুংঙাই। অদুনি অহল লমন মশক খঙবা হাযবদু।

হাযরিবা রাকমসি কন্নিনো হায়বা যশোমতী খঙদবা নত্তে। অদুবু খঙশন্নরমদে। মমাদা নোকফেৎ তৌবগা লংনবকই—

কনি বানোনে ঐনা হন্দক যাবা হাযববো?

পূর্ণিমা লকক তৌই। হৌদোক্নববা বাগীদমক লকক তৌবা কবিগীনো? অদুবু লককখি। লকত্নবস্নু মখা তাথে—

অতৈ নত্তেদা। নংবু হন্দক ঐখোযনা লুহোংবিগদবগী থাজথোকখিবগী রাবুনিদা।

ও, অদু ওইবেকো। অদুবু রা ওইনা খল্লিবা। অতৈদি লাযন্নি। মদুগুম্বা রাবু মমা-মচা তানবা হৌনৈ হাযনববা?

পূর্ণিমা ইঙক ঙকই। অদুগা হংলকই—কন্নি তৌবগে লুহোংবগী রাবু।

যশোমতীনা মমাযগী ফিভম ইকায় হেক কাযদবমখৈ খুমই—

যান্না ইকায়নৈ হায়বদি ঐ খঙদে। ইকায় নফমদি থোকইনা। মমানা মচা লোন্না শেমগে হায়নদি খঙদেকো। নত্রগা মচাদুনা মশাগী পামজবা অমা লৈবম্বা অমা মমাগী মতেং লৌবগীদমক বা তানবস্নু যাই। অদুনা ঐগীদি ইমানস্নু লোন্না শেমগে হায়দে, ঐনস্নু খরা শেখিন্ন ইমা হায়না হাযবা লৈতে। অদুগা মদুগী রাবু হৌদোকপদি হজোইত্রা। কবে অদুবু হৌদোক্নবনিনা ইকায় হজোইবা খাদোরবা হাযবদুনি।

যশোমতীদো মবুক্তা নোকচৈ। নোকপদু পুক্নুংদগী থোবদুনা চানন্দা দেরাজীগী থাংমৈগুম ওাল্লবে। নে[illegible] মমগী নত্তে, মমাবু লংননিংঙব মোমো

নোল্লদুনা যশোমতীনা মমাদা হায়—

ইমা, নচা ঐহাক রা অমা হংগে। শেংনা খুম্মু। অথঙবমখৈ করিমতা থ,পকম্মু।

হংউনে, ইচানা হংববু করি বেরা লৈ?

ঐবু থাজবিবা নিপাদুবু ঐনা পাল্লোইদবা করি মতৌ চেনবগে ইমা?

ইবেমা, ঐদি মাগী দোষদি, খঙদে। মগুণদি খঙজি। লাইরিক হৈ, মশক ফজে, শাগৈ অচৌবনি। মাবু পাল্লোইদৌবগী মবম ইমাদি থিক্কম খঙদে।

মমাগী মতৌ অম্ব উবদা যশোমতীনা হায-যুরাংবগাদি য়াওবা মীতা নত্তেকো?

নত্তে, নত্তে। মতুগুম্বা মী ওইবদি নপাবুংনা য়াগদবা নত্তে। নপাবুংনা হন হন্দুনা হংলগা রারোইরিবনি।

অদুবু ইমা য়ুনমদি নমদবা মীতাবা?

করি রানোনে, য়ু থক্তবা মীনা য়ুনম নম্বা ছোনবরা?

হাইফেৎ নোক্লগা যশোমতীনা খুল্লকই—ইমা য়ু থকপগী মশাদা য়ু পকুনা নম্বা য়ুনম নত্তে।

অদুদি কবম্বা য়ুনম্লো?

অথকপা মীগা সঙ্গ তৌরবদি মানা থক্ত-বস্ম য়ুগী মনমদি মমায়বগী মচীন্দগী মহাক্পা তংতনা নম্মিদনা।

অদু য়োনদি ঐনা করম খঙগনি ইবেম্মা। অদুবু মশানা থক্ত.গা লোইরে, তিন্নকবা মীদগী নম্লকপা য়ুনম্না কদোবগে?

অসুম নমশল্লকবদি মাস্ম নোংমা মহাও তম্মীংগনি।

অদুবু মথকপশিংগা তিন্নরুব্রগা লোইরে। থক্তবশিংগা মতম পুম্বদা সঙ্গ তৌরগা অদু মণ্ডাইদনা!

ইমা নখোয়গী নগানিপা ওইগদোরিবা অদুবু লাইলিক হৈ, পাশ য়োরে হায়বদাইনে।

অদুবুদি তৌরেনে।

অদুদি ইমা মহাক তলব চাগে হাযদুনা থবক থিবা চৎলোইদরা?

পূর্ণিমাদো চন্দকা রাহংসিদা চেক্লে। থবক থিবগা যুগা কবি মম্বা লৈরিগবা হায়না খল্লী। অদুগা মচাদা ত ই—মানা থবক থিবা চৎলগা করি তৌবগে? থবকপু থিদবা গাবব। থবক অমদি শিল্লম অমদি মীওইনা পোকপগী তৌফম থোনইনা।

যশোমতীনা নোকফেৎ নোকয়েং হায়-রবই—

ইমা, থবক থিবদা য শবপা ও ংম্বা তোংনা-ববদি লাইবিক হৈবগী মহৈ যাম্নবা তোংনবদা হৈরাং লৈদাংবগী মছক্তা য়ুবা বা তাহদো। মতম তদা মপু যানন্বা চৎনকপদা মপু-থৌগল নীংথিনবা ঙাউবি-ঙাউবিন'স হাববদি করম তৌনি? ইমা নিপাদো লাইবিক কবত্তমক হৈরম্লগদি নচাগী থবাই-তাবা হাযবদো ওইগদব-নিকো।

মচানা ববেম্লবনি হাযবা খঙদগী পূর্ণিমাদো মচানুপীগী রাবোত অদু তাবদা মিদুন কানা ঙম্লমদে। পিং-পিং চাংবা মিদুন কন্দুনা মচাদা থেম্লকই— ইমাগী ইবেম্মা লাইবিক হৈবব-নিনা থোইনা নত্তুবা চৎলোইদা অঙাংদো। অতক হক্লা হৌজিক্কুগী খোইবাংগন্নুদা। তুংগী রাবু কনানা ওম্মা ঙম্নগে নংবুম্ম ঐখোয়না লাইরিক তমহল্লিবা অদু মঙ ই। অফ-ফত্তা খঙনবা হাযদুনা স্কুল কোলেজদা মচা মণ্ডম্মু থারিবনি। মহাক্তি লাইরিক হৈবদা মত্তুনা মশকস্মু ফজে।

শকী বা হৌদোক্রকপগী মবমদি নহা ওইবী মচাক্সুপীনা শক চু শল্লগ্বস্থ যাই হাযনা খল্লুবদগীনি। অক্ববা শক পামদবী যশোমতী নত্তে, অত্থবু পাম্মী হাযনা চীন কাওবী জাৎস্থ নত্তে। মমাগী মত্তৌ যেংনিংহুনা হায়—

শকতি হাযনৈ ফনা ফজবে। অত্থবু মগী শক্লা পূমহেন হেনবদি নত্তে হাযনৈ। ঐস্ম মীৎ পাল্লিদো অত্থগা থম্মোয মিহুনস্থ চোংলিদা। অত্থবু অহল লমনগী য়াথং ঙাকে হাযনা হিংলক্লবী ঐনিনা যোশবী ওইববস্থ মাগীদমক সত্তী মীহুন হুনবদি তোক্লোইদ ইমা। অত্থনা ইমা ঐ অসে নখোযনা থাজবা নিপাদা লৈগদৌনি। নয়াথংদা ঙাকুনা হবাও হবও লেল্লক্লি। অত্থবু হন্দক লুহোংবগী মতা দা ঐগীস্থ অপাম্বা পা অমা অনীদং ৮ কপীযুদনা। অত্থ ওইববদি হবাও হবাও নিপা মযমদা চংখিগে।

য়াত্তাসি তাবদা নিপা পামদে হায়দে হ যবা পূর্ণিমা শেংনা খঙবগুম ফুংঙাইজে। মচাগী মথবাই হুংঙাইনবা হায়হুনা প্রেৎ প্রেৎ হায়বকই—

কবিনো হায়য়, শৌ হাযনদা ওপাবু দা হঙ্গৎহুনা লৌগনি। ত্নশাঙী মশীং যামহল্ল হাযনবা মাইক মশীং হেন্না খোংহল্লুবা? বাজাই খোংবা মীগী মশীং যাংথৈ ওহল্লুবা নত্রগা চামা শুহল্লু হাযববা? শামু তোংপে হাযববা? নত্রগা মদ্দগী হেনবা মীগী লোংবাম ফাত্থনা দোলাই তোংগনা? থিনবা চংপদা শেল খুবাম খুবাম চাউহল্লুবা? অত্থগা পালা ইশৈ হৈবা ঙাক্তা খল্লুবা? ফি যাম্না থাও হাযবরা? মৈতৈ ওঙ্গা হৈষ হৈরবা লৈরিবশিংগী মবত্তা শক যেংবা যাবা মীবু ইশৈ হলহল্লু হাযববা? ঙ্কিগা শেলগনা বাই চাইবশথৈ থাও হাযববা? নত্রগা মরৈ, বকুল পবেং উল্লু হাযববা? ফনেক মপাম্নাইবা নাইদবা কযা উল্লু হাযবগে? ঙক্লক হাযয় ইমাখোযনা ঙক্ষা ইচাগীদমক তৌরমদবা লৈহল্লরোই?

অত্থদগীদি পূর্ণিমাহু বারবা মাল্লে লেপথ্রে? অত্থগা মচাগী পাউখুমদি খৌবাংনা ঙাইবি।

যশোমত্তীনা শক হঙ্গা হ যবম্মা— ইমা ঐনা হাযগদৌবিবসি ফাগি নাও, চননা হাযবি বনিকো।

হাযয়ুনে, ইমা তাগেনে।

অত্থদি হংযনগে?

হাযযু হাযবেদনা।

তারোহুদি ইমা। ইমানা হাযত্রিবশিংদা ঐহাক অমত্তা পামদে, অমত্তা তৌবিহু হা বনি।

অত্থদি করম্না হোংবা?

ইমা, নিপাহুবু অহল লমনগা লোযননা কৌবো। অহল লমনগা লোয়নবা য়ুম অনিগী মীওয়ক লিংঙা পব ওবা ম্লাওরগা লোইবেদনা।

মহুদি কদ য়দগা যাগদগে?

কবিগী যাবোই ইমা। হমাখোয়না পাম্বস্ত্র নিপাগী মুগী ঐনা ওইকবা অত্থগা মথে যগী অহল লমনা পাম্বস্ত্র ঙৌবু ম থাযগী মযুমদা মনৌ ওইন লোনিব অসিত্তগী নত্না? ঐনা হাযাবব সিবু চুমদবনা?

চুম্মিনে অত্থবুদি। অত্থদা মী খাইগী চংনবী রুহী হাযবা অমা লৈ। অত্থ কবম্না তোকপা যাগদগে?

ইমা ঐদি ইশৈ শকপা, বাজাই মাইক খোংবা শামু দোলাই তোংবা, লমজাও সোডোক লেম্নবা কখিমতা পামদে। অত্থনা ইমা, ঐগীস্থ অপাম্বা বা অমতং হাযবহু কবম তৌবা?

পূর্ণিমানা থুম্রকই— ঐনা হাযখিবা মযামহু লুহোংগদবী লৈশাবী থুদিংনা পামজবিবনি।

নংস্থু পামম্মেনা।

অদুবু ইমা কনা লৈশাবীনা মচীন্না খোক্লা হায়রিবা খোঙমশিংছু পাম্মী হাযবা যাওবগে ?

অদুদি য়াওদে।

অদুদি ইমা, অহল-লমন্না ভৌনিংঙ্গুনা ভৌবা ঙাক নব্রা ?

পুর্ণিমা খুমদে কবি মণৌনে খন্দুনা লৈ। যশোমতীন তবশিল্লি। গতি লৈত্রবী মমানা মচাবুস্থু পেলহন্নিংঙি অদুগা মানা পামজবা খৌবমশিংস্থ তোক্লাংদে। গতি থিবকই অদগ হাযবকই —

নপাবুংদা অদুক হঙ্গৎতুনা মযেবা হাযব তুনি। য়াগনিদি খাঙ্গদে।

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা ফোঙজবা

শীংথানববা লেখকশিংগী
রারী মচাগী নাচোম—

পুন্সী মুর্ত্তি

মমল লুপা ২·৫০

"রাবী তবামবিনা শাবা 'পুন্সী মুর্ত্তি'গী রাবী খুদিংমক পাবা যাই। পাবা যাবা হাযবা মওং অসি তবাই-তবাই হেক কংবা নত্তে।"—খগেন্দ্র (লৈকোন)

শ্রী বীরেনগী—

লৈচিল্লকী থাজ

মমল লুপা ৩·০০

"শ্রী বীরেনগী গানশিংনা উৎলি—পুর্ণাসি হিংবগী কবি কান্নবিবগে ? অমনা অমবু খঙনদবা লমজাওদা পঙচত্তা মচৎপা জাৎনি পুন্সী হায়বসি।"—নীলকান্ত (সাহিত্য)

লাই অমগী বিন্দু

মমল লুপা ২·৫০

"লাই অমগী বিন্দুদা শৈরেং কুন য়াওরি। ....অনৌবা টেকনিক, অনৌবা বাখল অনৌবা খোঙগাং অমদি সুর থেংনগনি অমসুং লাইরিক অসি মতমগী কবিতাগী প্রতিনিধিমি চাৱবা অসিমদি চুমগনা হায়না নীংই।"

—নীলকান্ত (সাহিত্য)

মণিপুরী লোনগী বানান

মমল লুপা ২·০০

মশক লেপত্রিবা মনীং মখা তমলিব বানানগী মরমদা করন্না অবেপ্পা মশক তা৷ থমগদগে হায়রবসিগী মতাংদা নবি বি-কাল্যাচান্দ শাস্ত্রী নন্দলাল শর্ম্মা, খেলচন্দ্র, চন্দ্রসিংহ, নীলকান্ত, নীলবীর শাস্ত্রীনা চিংবা অখঙ অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা মিৎযেংদা।

ইম্ফালগী লাইরিক য়োনবা দুকান খুদিংদা অমসুং কৈশামথংতা লৈবা 'সমিতি'গী অফিসতা ফংবগনি।

অরিবম কৃষ্ণমোহন

হিন্দী সাহিত্যগী অনৌবা খোঙথাং

ইংশোক ১৯৫০ দগী হৌজিক ফাওবগী মতম অসিবু হিন্দী সাহিত্যগী ইতিহাসতা হৌজিক্কী যুগ হায়না থঙনৈ। অদুবু, হিন্দী সাহিত্যনা খ্বাইদগী হেন্না নৌবা খোঙথাং অমা থাংবা কৌথিবসিদি ভারতনা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদগীনি। সাহিত্যদা খ্বাইদগী হেন্না "বাদ" য়াম্না লৈবসি হিন্দী সাহিত্যদনা মহেল্লেমগত্রা হাযনা চিংনবা পোকই। থুদম ওইনা ইতিবৃত্তাত্মাকবাদ, ছায়াবাদ, বহুসাবাদ, প্রগতিবাদ, গান্ধীবাদ, মার্ক্সবাদ, প্রযোগবাদ-নচিংবা পুন্নমক হিন্দী সাহিত্যদা থেংনগনি। মদু ওইনা অনৌবা যুগতা কন্না নৈনবিবদি ছায়াবাদ, প্রগতিবাদ অমসুং প্রযোগবাদ অসিনি।

ছায়াবাদ চঙলকপদগী হিন্দী কবিতাদা থঙহৌদনা অহোংবা অমা থোকখি। ছাযাবাদনা হিন্দী সাহিত্যদা পীথিবা থোইদোকপা থুদোলদি মূর্ত্তি পান্দবশিংবু উপম ওইনা শীজিন্নবা অসিনি। মসিগী মমাঙদদি মূর্ত্তি পানবা উপমাশিংতমক শীজিন্নবম্মী। থুদম ওইনা ময়থোংগী ফজববু থাজগা, খোঙ খুৎকী ফজববু থম্বালগা উপমা তৌবা। অদুবু ছাযবাদী কবিশিংনা মূর্ত্তি পানবা পোৎকা উপমা তৌবগী পরম্পরা অদু তোকখোজনা মূর্ত্তি পান্দবা বুদ্ধিতনা খঙবা ঙমগদবা পোৎকা উপমা তৌবগী পরম্পরা হৌদোকখি। থুদম ওইনা, জয়শঙ্কর প্রসাদকী উপমা মতৌ অসি লৌবা য়াই— "বিখড়ী অলকেঁ জ্যোং তর্ক জাল"। মসিদা কবিনা য়াই য়াই তারিবা শম্নাংবু মূর্ত্তি পান্দবা মরৈ য়েৎনবগী জালিগা চাংদম্নবি। তর্কগী জাল করিনো হায়বা লাকশিনবা ঙমত্রবা মীওই অমনদি কবিতা অসিদগী হুংঙাইবা বস লৌবা লুনা খোক্লোইত্রা থনবিয়ু। মসিগুম্না নৎতনা ছায়াবাদী কবিতাগী থোইদোকপা অমনা মসিদা অরাবা, কপ্পা, তেংথাবা, পি শিন্দবা অমসুং থম্মোয শোকপগী রাতমক য়াওবা অসিনি। তশেংবা পুন্সি— সত্য জগৎকা ছায়াবাদী কাব্যগা মবী কবিমতা লৈনদবা মওং অমা উই।

ছাযাবাদকী মাযোক্ত—মসিবু য়াদবা ওইনা প্রগতিবাদ চোংথে বকই। মীচম প্রজাশিংগী খেন্নাউ মতুং ইন্না থোরকখিবনি। মদু ওইনা কম্যুনিষ্টকী প্রভাবতগীনি হায়বসু য়াই, কার্ল মার্ক্সনা মখোয়গী গুরুনি। পুন্সিগী লুববা সমস্যাশিংবু চপচাবা মওংদা উৎখোকপা, সাহিত্যদা চৎনরম্বা মমাংঙৈগী পরম্পরাবু থদংখিবা, কল্পন বু যথার্থ জগৎতা পুশিল্লকপা অসি প্রোগ্রেসিভ রাইটরশিংগী থোইদোকপা মগুণনি। অমরোমদা হায়রগা রাজনীতি অমসুং অর্থনীতিগী লমদা সমাজবাদ হায়বদু সাহিত্যদা প্রগতিবাদ

তাং ৭। ৪। ৬৮ ইংদা এরিয়ান তোলদা তৌখিবা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী ৯ শুবা চহীগী অধিবেশনদা "হৌজিক্কী সাহিত্যগী খোঙথাং" গী সিম্পোসিয়মদা হিন্দী সাহিত্যগী মতাংদা ঙাঙখিবা ভাষণ অদু শমজিনলগা ফোঙবনি। শমজিনবগী থবকসু বক্তা মশামক্না তৌবিখি।

তাযবিবসিনি। 'আর্ট ফোর লাইফস সেক' না মখোযগী পন্থ্, ক্মনি অদুবু, প্রগতিবাদী লেখক-শিংনা মীচম প্রজাশিংগী পুক্নিংগী অশেংবা অনুভূতি ফংবা ঙমদবা, মখোয়গী পুন্সিবু, মশেং তশেংনা লঙবা ঙমখিদবনা সাহিত্যগী অনৌবা রিধান অসিনা অপাবশিংগী থম্মোয শুমহুৎপা ঙমখিদে। কলাপক্ষদা অরাৎপা কযা লৈবত্নসু মীনা পায়দবগী মরম অমনি। অদুবু 'নিরাল' অমসুং যশপাল অনি অসিদি অপাবশিংনা থক কাউনবোই। পুন্সিগী খুদোং থীরবা লান ফমদা থৌনা লৈনা মায়োক য বরবা নিরাল গী অনুভূতিশিং মাগী কবিতাশিংনা মযেক লানা উংলি। 'নিরাল'গী 'রামকী শক্তি পূজা' অশাংবা কবিতা অমনি, খণ্ডকাব্য নত্তে, মহা-কাব্যসু নত্তে। অদুবু মসি কযাগী প্রতিক ফগুণ লৈপ্রবা কবিতানো হাযবদু মসিগী আলোচনা তৌবা অচৌ অচৌবা লাইরিক কয়া থোকপ্রে। রামগী সংঘর্ষনা থল্লবা পুন্সিনা মবম ওইত্নুনা মীওইবনা সংসারদা খুদোং-থীবা কযা আশা নিরাশাগা লোযননা, থেংন-রিবা অদু নিরালানা নীংথিনা উৎলি। আলো-চনা সাহিত্যদা একাডেমী এরার্ড ফংপ্রবা প্রোফেসার, ডাঃ নগেন্দ্রনা রামকী শক্তি পূজাবু হিন্দী সাহিত্যগী মতুংদা থোইদগী হেন্না ফজবা, পুন্সিবু মযেক শেংনা উৎপগী মপাঙ্গল লৈরবা পোৎথোক্নি হাযরি।

মত্তৌ অসুম্না চন্দ্রশেখর আজাদ, ভগত সিংহ্ নচিংবা, ক্রান্তিকারীশিংগী মহেৎপাংবা ওইনা মতম অযাম্বদা মীচেম ওইত্নুনা লাক্রবা যশপালগী রারীমচা শিংদনা পুন্সিগী ফোং-ফোং থারিবা অনুভূতি তশেংনা উবা ফংই। মাগী 'রৌটিকা খোজ' কৌবা রারীমচা অসি চাক

তাংবনা হাহাকার লাউনববা যুগ অসিদা হক পাকবদা অপাবশিং খুদিংগী থম্মোযমুংদা লেঙত্রবা প্রভাব অমা লাযনা থম্লম্বা ঙমগনি।

প্রগতিবাদকী হেক্ক মথংদগীনি হিন্দী সাহিত্যনা অনৌবা খোঙথাং অমদা খংহোং হোংখিবা। সচ্চিদানন্দ হীরানন্দ বাৎস্যাযন 'অজ্ঞেয'না লাচিং ওইত্নুনা হিন্দীগী কবি ৭ থকনা অনৌবা চাংযেং ওইনা ইং ১৯৪৩ দা "তারসপ্তক' কৌবা শৈরেং অখোম্বগী লাইরিক অমা ফোঙখি। মতুংদগী হিন্দীদা 'প্রযোগবাদ' থোকখি। অনিশুবা 'তারসপ্তক' ইং ১৯৫১ দা ফোঙখি। মসিদসু প্রযোগবাদী কবি ৭ কী কবিতাশিং যাওরি। তারসপ্তককী কবিশিং অদু নত্তবা অতৈ কবিশিংনসু মেগাজিনশিংদা প্রযোগ বাদী কবিতা কযা কযা ফোঙখি। মশাবু প্রযোগবাদীনি হাযজবা শ্রীগিরিজা কুমার মাথুরনা "প্রযোগবাদী কবিতাগী পন্থ্ংদি পাক শন্নবা সমাজগী অচুম্ববু পূরিংদা ফাওহনবা অমসুং ফোঙদোকপনি" হাযরি। হিন্দী কাব্য নাটকতা 'অন্ধ যুগ' কুম্বা অনৌবা খুদোল কৎতুনা অনৌবা যুগ হৌদোকখিবা 'ধর্ম্মযুগ' কী সম্পাদক ডাঃ ধর্ম্মবীর ভারতীনা 'প্রযোগবাদ তা সংস্কৃতিগী ওইবা অহোংবা অমগী শক্তম উবা ফংই' হাযরি।

প্রয়োগবাদীশিংনসু ছন্দ, অলংকারগী নিযম থাদোকপ্রে। মখোয় পূর্ণমক বৌদ্ধিক বাদী ওাক্তনি। অদুনা মখোযগী কবিতাশিং অদু বৌদ্ধিকনা মপুং ওইনা তৌই, সামান্যক দাযীত্বদি ইযাও য়াওদবগুম তৌই। কাব্য কলাগী নিযমবুদি মখোযনা তশেংনা থওইরমদে। প্রযোগবাদী কবি অমগী উপমা য়েংবিয়ু।—

"মেরে সপনে ইস তরহ টুটগয়ে জৈসে ভেজ মে"

ভুঁজা হবা পাপর'। কবিনা মসিদা মীগী আশা"কাযবত্থবু থ উদা তাউথোক্লবা" অকেম্ন। প'পরনা কঁয়বত্থগা চাংদম্লরি। মসি যাম্না লায-শ্রবা, মীনা পুক্তিগী পুক্তিদা'গংতনা 'ফেমবা পোংশককী' উপমানি। অদুবু ঐখোযগা মমা'থৈং-দগী আশা তৌবক্লিব। কাব্যগী ফজবা 'অৰুদি মসিদা যাওরে। মসিদগী সুংঙাইবা বস ফংবা ঙমগদবা মী পংথাম য়াম্লম্লোই— থামজ্রবদা ঐহাক ইশামক্তি মফংজরে।

প্রযোগবাদ লাকপদগীদি ইরুই রুইরে, ভাবত নীংতম্বা ফংলে। নীংতমগ্রিথৈংগী মমাংদদি হিন্দী কবিশিংনা মশা মশাগী 'সিদ্ধান্তগী মতুংইম্না অশা মশাবু গান্ধীবাদী, মার্ক্সবাদী, রাষ্ট্রীয়তা বাদী, ব্যক্তিবাদী, সমাজবাদীনচিংবা বিশেষণশিং অসি করিমতা চিংনবা হৈরুনা শীশিমজনবম্মী। অদুবু নীংতম্বদগী 'সিদ্ধান্তবাদ' কী মতুংইম্না, বিশেষণ হাপ্পসি পায়রক্তবগুম্বা অমা উরকখি। মতুগী মতুংতা হৌজিকী কবি অমসুং লেখকশিংনা মশা মশাবু 'প্রতি-বাদী' গী শক্তমদা উংননবা লাকুবি। নীং-তমগ্রিথৈংগী মমাংদা ফোঙখিবা 'তারসপ্তক—১' দা নেমিচন্দ্র অমসুং ভারত ভুষণ অগ্রবালনা মখোয মশা মশাবু কম্যুনিষ্টনি হায়না ঈচং থৌনা লাউথোকখিবনি। অদুবু ইংশোক ১৯৬৬ তা ফোংখিবা 'তারসপ্তক' অনৌবা খণ্ডদদি হায়গীদু যাখিরে। মতম খবদি হিন্দী জগংকী অভিযাদা "প্রযোগবাদ" কী নৈনব-ভনা খোঙ্গাং রেকন্নবনি। হৌজিকী "প্রযোগ-বাদ" হায়গিবা অসিবু হৌদোক্লকপা অক্তেকনা হৈজবা অমিদা রুশিমতা থাওদনা 'ভুমিন হৈ-খিবা অমদদি 'প্রয়োগবাদ' হায়না খিং-থোনবসি চুম্লমাল্লে হায়না লৌনখিবনি।

অদুবু ১৯৬৬ কী খুংমগদদি অজ্ঞেয মহৌনা 'তারসপ্তক' কী কবি খুদিংমক্না মওং 'অমা নক্রগা অমদা "মখোঙদা" প্রয়োগবাদী' হায়ন খৌংসিদ যামিংদবা থোংদোক্লকলে। নেমিচন্দ্রনা অসুম্না হায়—"... হিন্দীগী আলোচক খবগী বাখল খল্লবা বাংলাদগী, ঐখোয কবিশিংগী কল্পনাগী ওইবা 'প্রযোগ-বাদ'-কী মরীদতা যাম্না হেন্না মৈমাশ্র, ঐখোযনা ইউজখিবা কবিতাশিং অদুগী মথাদদি যজনা 'মৈমনবা অমদি মতিকচানা মমল লেপলবা হোৎনখিরে।"

ডাঃ প্রভাকর মাচবেনা অসুম্না হায়—'...... হৌখিবা চহী খবলিগী অলুংদা প্রযোগবাদ অমসুং নঈ কবিতাগী মমিংদা রাবেম কয়া ফোঙরে।'

নীংতম্নবা মতুংদা লোকতন্ত্রবু হেন্না খঙজিনবগী রাখলনা মীওইবগী অধিকারশিংগী চাংযেংদা লুবলুববা সমস্যাশিংগী সমাধান তৌননবা হোৎনখি। অদুবু সমাধানদি ইতৌ হেক তৌদনা রাইগী জালি লোনশিম্নবা হোৎনবগী মওংনি। অর্থ লৈবা চানবা থাহে কয়াসু মতাং চানা শক্তিমদবগী মাবেম তাহনা তোকপা খ্রাইদগী অনৌবা কবিতাদা থেংনৈ। খুদম ওইনা অজিতকুমারগী "নঈ কবিতা" অমদগী পবেং অহুমদং লৌজগে—

"ঐগী ইপাদি
'চেতনাগী ঙোয়রুকপা অকাবা ইনিংগী
মনিলনি
তুংশা স্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লি ধ্বনি-বাপ
লাউনা।"

মসিদা কবিনা পোইটিক ইমেজরী অমা লিংখৎপদা লক্ষা মায পাকচবসু কাব্যগী ওইবা

ক্ষজবদি লাকশিনবা ঙমলোই।

'নঙ্গী গী হিন্দী কবিশিংনা কল্পনাগী শাখপতা থাজদে। ছন্দ, তুক, অলংকার য়াদে। মখোয়না স্মৃতিগী মিংলম মাঙদা উবিবা পোৎচৈ, থেংনরিবা অনুভবশিংবু কাব্যগী মচাক ওইহল্লে। লোযননা কল্পনাগী য়ুথল হাইদোক্নুনা তশেংবা সংসারদা থোনাক্লে হায়না নাপল তৌনা হায়রি। অদুবু রাইহৈশিংবু মতাং চাদনা, মফম মবাঙ থঙদনা শীজিন্নবদগী অর্থ ফোংদাকপা অমদি ভাব তাহনবগী মপাঙ্গল ময়েং তাথহনখিদুনা মীশিংনা খল্লবক্লে—হায়নরিবা অমদি তাবিবা অদুগা চপ চানবা থবক ওইনা পাংথোক্লে, ওাংবত্না ভৌবা শরুবে। মসিনি 'নঙ্গী' ক্যাঙলুপকী অশোয়বনা।

নীংতম্বগী অনিশুবকপা চহি ১০ গ মতম'সিগী মনুঙদা কবিগী পুক্নিংগী ফিভম অসি চিংনবা অমদি যানিংদবগী বাখলনা থনখি। অদুবু, অহানবগী চহি ১০ দুদি মঙলান অমদি অশেংবা, আশা অমদি নিরাশাগী মবক্তা হৌখিবনি। অহৌবগী চহি ১০ দুগী মনুং ফাওবা কবিশিংনা মশা মশাগী মঙনবিবা মঙলানশিং অমসুং মখোযগী ভেল্যুশি অদু চপচান, মশক পান্না থোক্লবা যাই হায়না থাজনরম্মী। মখোযগী কবিতাশিংদা হাযবিবা থাজবা অসিগী শক্তম লেংনা উবা ফংই। মশা মশাগী ওইবা থাজবগী ভোঙান ভোঙানবা বাখলশিংগী দমক মিহৌবা লৈজরবস্ম 'মানববাদ' না মখোযগী মপাঙ্গল ওইখি। সুমিত্রা নন্দন পন্তগী 'কলা ঔর বুঢ় চাঁদ' অমসুং 'লোকায়তন' দিনকরগী 'উর্বশী' অমসুং 'পরশুরামগী প্রতিক্ষা' বচ্চন অমসুং নরেন্দ্র শর্মাগী মুক্তক গীতশিংনা মসিগী খুদমনি। মতাং অসিরাইদা, লুরবা ফিভম অমসুং যানদবা বিরোধশিংগা থেংগাযনরবা ফাওবদা মীওইবগী মগুণদা শ্রদ্ধা থমদুনা কাব্য ইখিবা কবিশিং অদুবুসু কাউথোক্লে। মখোযশিং অদুদি অমরোমদা 'তার সপ্তক' কী কবিশিং হাযবদি শিবমঙ্গল সুমন, গিরিজাকুমার মাথুর হংসকুমার তিবারী নচিংবা লৈখ্রে অদুগা নাকল অমরোমদনা গীত সাহত্যদা অনৌবা মাযওন পীখিবা রামাবতার ত্যাগী, রামানন্দ দোষী, বীরেন্দ্র মিশ্র, বাণী নচিংবা অনৌবা গীতকারশিং অসিনি। মবক অসিদা অজ্ঞেযগী লীচিং মখাদা মাগী তাক্লৌ ফত্তুনা কবিশিগী শাংলবা পরেং অমা মমাঙলোমদা চঙশিল্লকখি। থরনা 'তার সপ্তক' কী অদুগা খরনা মপানগী কবিশিংনি। অজ্ঞেযগা মরী লেনরুবগী মপান্দগী মখোযগী কবিতা কযা কোংখি, মযাম্না বুপ্না নৈনখি। অদুবু অজ্ঞেযতগী মরমদগী অনৌবা পর্বাংগী কবি কয মবমস অবাবা নংহনখিবা চম্মম্নবা কযা পোক্লকখিদবসু নত্তে শমশের সিংহ অজ্ঞেযগী মথক্নি। মাগী বাখলগী অঙৌনা প্রগতিশীলনি। শযগশীল ওহরগী বাফংগা মতাংদা মানা অজ্ঞেযগা মতে পা যা কশি মক্লা ফাওবা যাথ্রবা 'প্রযোগবাদ হায়রিবা মমি অসি অবানশনি হায়না চেনবা হোংনখি মদু যৌশিল্লরবা ফাওবদা প্রযোগবাদকী লুচিংবা অজ্ঞেয়না তুমিন্না লৈথোকখি। মাদা অসিতং হাযখি— এগী মোৎতি ঐগী কবিতাশিংদা থেংনবিগনি।

কবিশিংগী অনৌবা মীরোল অসি বারবা মরাঙ হোববা পুক্নিংগী ফিভমগী মীরোল ওইরে। মখোযনা মশানা য জনিংত্রবা 'বাদ' কী কোনফৈদগী মশাবু নাম্থোকহনজনবা কন্না হোৎনরি, অনৌবা লম্বেল খিবি। কবিতাগী

মতম খণ্ডরবা পন্থ কম য়ৌশিল্লরবগী মরাঙ হৌখিবদগী মখোয়না অ-কবিতা (হায়রদি কবিতা নৎতবা কবিতা) গী মতেং লৌনরে। হৌজিক হিন্দী সাহিত্যদা অ-কবিতাগী অকনবা আন্দোলন হৌরে।

নীংতম্বগী ২ শুরকপা চহি ১০ গী তাক্কক লোয়রমদাই য়ৌরকপদগীদি হিন্দী কাব্যগী অতিয়াদগী অচৌবা অমদি ভমগী শুরুবা লৈচিল হাইদোকখ্রে। হিন্দীগী অতিয়া হাংনা উরে। প্রগতি অমসুং প্রয়োগ অমিবু ভিন্নশিন্নজনা পুথোরকপা অনৌবা রাখলগী ঈহৌনা, কবিগী বিশ্বযোজনানা হিন্দী কাব্যদা অনৌবা মতাঙ অমা হৌদোকখ্রে। হিন্দী কাব্য 'বাদ' কী কোনফে মতুংদা ফাজিন্দুনা লৈরে— কবি থমোয়-মুক্তদা লৈরে। মসিনি অনৌবা হিন্দী কবিতাগী থোক্তচং।

উপন্যাস, নাটক, সমালোচনা নচিংবা সাহিত্যগী অতৈ অতোপ্পা শক্লোন্নশিং অনিনাদি হায়রগী থোক্তচংতগী কাহেং হোংদোকপা হিন্দী সাহিত্যদা উদ। অদুবু রারী মচাগী মতাঙদা কবিতাদা তৌখিবসুগা চপ মান্নবা থোক্কখি। নাংতগা ফংলবা মতুংদা ইবস খণ্ডহৌদাকা 'নঈ কহানী' গী ঈহৌ অমা হিন্দী সাহিত্যদা লাকখি। মসিনা ওসি হিন্দী পারিবারিকদা তশেংনা চাম্নবা অমা থোকরম্লি। হিন্দীদা গদ্যগী যুগ ১৯০০ দগী হৌখিবনি। মতম অদুদগী হৌরকপনা নীংতম ফংলকপা মতম অদুদা রাষ্ট্র য়ৌরকপা কাওবদা হিন্দী রারীমচাগী সাহিত্য কয়া নিংখিবা থুনাঙ চাওখিল্লমলে। লোকতগী মতমদা হিন্দী রারী মচাগী চাওখৎলবা নিংখিবা শক্লোন উবা হৌরকখ্রবনি। মতুংগী যুগতা য়াম্না হেক খিংগানবা য়ামখিবা রারীমচা ইবদি য়শপাল অমসুং হিন্দীদা রিজনেন্স মোভেল ইহান য়াম্না পুথোকখিবা অমসুং ১৯৬৬ কী রাষ্ট্রপতিগী সনাগী তকথান ফংখিবা হিন্দী ফিল্ম 'তীসরী কসম' গী লেখক ফনীশ্বর নাথ রেণুনি। মখোয় অনি'সি নৎতবা রারী মচা ইবা কয়া'মসু লৈরি— নাগার্জুন, ভগবতী চরণ বর্মা, জৈনেন্দ্রকুমার, মন্মথনাথ গুপ্ত, অমৃত লাল নাগরনচিংবা।

মখাদা পনজল্লিবা মীশকশিং অসিত্তা নত্তনা উপেন্দ্রনাথ 'অশ্ক', রাঙেয় রাঘব, অজ্ঞেয়, চন্দ্রগুপ্ত বিদ্যালঙ্কার, বিষ্ণু প্রভাকর নচিংবা রারী মচা ইবা কয়ানমসু ক্লাসিক ওইরবা রারী মচা কয়া ইরমখি। মখোয়শিং অসি 'নঈ কহানী' গী কম্বরা লোংলৈ হৌশিং মরক্তা মমাংদৈগী ফিরাল পায়খ্রবা রাম্না থাজচখিবা লেখক ওাক্তনি।

অতৃগা অরীবা পরম্পরাগী কাংবুনা অনৌবা পরম্পরাগী ঈহৌদা চোংশিন্নবা হোৎনখিবা মখোয়গী মরক্তগী কয়ামসু য়াওখি। নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা থোরকখিবা অনৌবা রারীমচা ইবশিংদি মরুওইনা নির্মল বর্মা, রাজেন্দ্র যাদব কমলেশ্বর, মহীপ সিংহ, ধর্মেন্দ্র গুপ্ত নচিংবা অসিনি। মোহন রাকেশ ('আসাঢ়কা একদিন' গী দমক একাডেমী এরার্ড ফংগ্রবা), কমলেশ্বর, ভৈরব প্রসাদ গুপ্ত, নামবর সিংহ মখোয় মরি'সিনা 'নঈ কহানী' আন্দোলনগী মাঙজিন থারা লুচিংবনি। বাংলা সাহিত্যদসু নঈগী ঈহাং হৌখিবা নত্রে। বাংলা নঈ কবিতাগী মাঙজা অরীবা কবিতা তুরে। অদুবু 'বাংলা নঈ কহানী' গী ঈহৌমদি রাক্তম অসি থোক্তে। অরীবা অমসুং অনৌবা রারী মচাদা পুক্তা হিংল্লিবগী থাক্তবা অদু বাংলা সাহিত্যদদি লৌরি। অদুবু হিন্দী সাহিত্যদদি 'নঈ কহানী' আন্দোলন অসিনা

কয়াগী মত্তিক ঈরাং হৌহনগ্রবগে হায়নবু পাক্রবা সাহিত্যগী সমুদ্র ঈপাক্তা জুবাব বম্না হাইগৎলকপগা পাংথক ওইগ্রে। মতুমক য়ৌদ্রগস্ু সোডারাটর লিক্রি মথুম হাংদোকপদা পাখৎলকপতুগী পাংথক্তি মওইগ্রে। মসি থোকহনবদা সমাজগী মপানগী মতেংস্ু য়াওরম্নী। লোয়ননা লোনগী অনৌবা শক্তম অমা পুশিল্লক্রবা কল্লবা সাধনা (হোৎনবা) অমস্ু য়াওখি।

'নঈ কহানী' আন্দোলন হৌদোকখিনসি ভৈরবপ্রসাদ গুপ্তননি হায়বা য়াই। ভৈরব প্রসাদপু হিন্দীগী মমিং চৎলবা লেখক অমা ওইনা শিংথানরম্মীদি হায়ববু মহাক অসি দর্শন শাস্ত্র নত্রগা সমাজ শাস্ত্রদা অতুক হান্না হৈথোই শিংথোইবা মীশক অমদি নত্তে। অতৈগী রা খণ্ডদে, ঐখোয়তমক মতুংঙাইরগা লোয়রে হায়বা 'বীটনিক' মওংগী ফিলোসোফী মতা অতুনি মঙোম্বা চেল্লম্বা। অতু ওইরবস্ু মাগী লীচিং মথাদা থঙহৌদনা অশীংনবা রাহৈশিংগা লোয়ননা হিন্দী সাহিত্যদা 'নঈ কহানী'গী আন্দোলন থোরকখি।

'নঈ কহানী'গী মতাঙদা অওক-অথোং তৌতুনা মরৈ য়েংনখিবশিং অতু কুপ্না য়েংশিল্লবদি মতুদা করিগুম্বা মখলগী দার্শনিক তত্ত অমকাওবা য়াওদে হায়বসি ঐখোয়না ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি। মসিবু হৌদোকখিবা ভৈরব প্রসাদতগী চিংনা আন্দোলন অসিদা কন্না শরুক য়াখিবশিংতুগী মরক্তস্ু দার্শনিক অমতা য়াওদে, দার্শনিক শাশিন্নবা ঙাক্তনি। অতুবু ভৈরব প্রসাদকী মতুংদদি ডাঃ নামবরনা ঙাকলোওইদুনা লেপ্লম্মী। ডাঃ নামবরদি করিগুম্বা মথংগী বিষয়বু য়াম্না নিংথিনা পুথোক্তুনা উৎপা ঙম্মী শক্তি লৈবা মীশক্নি। অদুবু মহাক্না প্রতিভা চেনবা মীশক পংয়াম য়াম্না থাওরমদে। মতুগী ফলনা 'নঈ কহানী'গী মমিংদা চে কয়া অরেম্বদা মাঙহনখি।

'বাদ' কী অপুনব পদংনবগী দবী তৌহনা নঈ কহানীকারশিংনা হিন্দী সাহিত্য জগতত্তা চাউখবা ঈবাঙ অমা থোকহনখি। মখোয় ময়াম্না লাউখোংবগদা পুক্রিং মরঙ হৌত্থনা রাখল ইখন-খন্দনা চোঙশিল্লুবদা মখোঙ-মখুৎ তেকখিবা সাহিত্যিক শাবলিগ কয়ামস্ু য়াওগ্রবনি। অতুগা লোয়ননা মরাইখক ফরুবদগী অহিং অমগী মতুঙদা সাহিত্যগী লমদা আঃ রাংনা মমিং চৎখিবস্ু য়াওদবদি নত্তে।

মরৈ কয়া য়েংনরবা, হন্না হন্না নৈনরবা মতুংদস্ু 'নঈ কহানী'দগী পুল্সি দর্শন অমতা শেংনা থোরকখিদ্রে। অতুবু 'নঈ কহানী' দি মশাং লাকঙমদনা থোরকলি, লোয়ননা রারী মচা ইবস্ু। মসিনা হিন্দী সাহিত্যদা কান্নবা পিরিবদি লোনগী মতাংদনি হায়বদা তাই। প্রেমচন্দগী, যশপালগী লোম্দা-পুদা অতুবু অনৌবা রারীমচা ইবশিংনা অনৌবা মওংদা পুথোক্তুনা অনৌ অনৌবা উপমা উৎপ্রেক্ষা হাপচিন্দুনা হেন্না ফজহন্নবা অমদি হেন্না শক্তি লৈহন্নবা হোৎনরি। মসিতনি মখোয়গী চাউরবা দান, অঙকপা খুদোল।

'নঈ কহানী'গী লেখকশিংনা অপাবশিংবু অপঙবা, আলোচকশিংবুনা হেন্না পঙবা অমস্ুং মখোয়তনা খ্বাইদগী হেন্না শিংবনি হায়না লৌবগী মওং অমা উই। মসি পুম্নমক ওইতুনস্ু সুদর্শন চোপরা, মোহন রাকেশ, ভীষ্ম সাহনী নরেন্দ্র কোহলী, তিমাংস্ু জোশী, মনহর চৌহান নচিংবা 'নঈ কহানী' লেখকশিং অসিবুদি হিন্দী পারিবশিংনা খঙইদফম থোক্তে।

হিন্দীগী অনৌবা রারীমচা ইবশিংনা দাবী অম' তৌরি— মখোয়গী 'নঙ্গ কহানী' দা রারীগী প্লোট লৈতে অহুগা লৈবা তাববসু যাম্না হন্না। অহুবু মখোয়গী রাকম অসিদি তশেংনা লাল্লি হাযজনিংই। 'নঙ্গ কহানী' হায়না কৌবা মেগাজিন্দা ফোঙলিবা রারীমচাশিং অহুগী মতুংদা অমতংবু হেক যেংবদা মযাম্না ইরায লাযনা খঙবিবা ঙমগনি— মখোযনা কথানকপু নিংথিনা শিজিন্নবা ঙমজে। কথানক যাম্না রাংলি হাযবিবা অহুদি অরানবনি, রাবী থুঙ্গিংমক অহুগী কথানকশিংদগী অচৌবা উপন্যাস নত্রগা নাটক নত্রগা যামত্রবদা রারীমচা ২।৩ ফাওবদি ইথোকপা ঙমগদবা লেখক কয়া লৈরমগনি। মখোয়না মসি'মসু হায— মখোয়না থেংনবিবা অহুত্তবু ভোগ তৌবনি অমসুং ইথোকপনি। রাহৈশিং অসি রাজেন্দ্র অবস্থীনা 'নঙ্গ কহানী' গী ভূমিকাদা মযেকশেংনা ইবিবনি। অহুবু যশপালগী রাহৈশিং "ঐগী রাবীমচা ৪ ৫ অমদি উপন্যাস ২।৩ দতনি পুস্তিদা থেংনখিব। থৌদোক চপ চানা রাওগা, অতৈদি কল্পনা ভাক্তনি" হায়বসি তাববদি নঙ্গ কহানী' লেখকশিংদি পুমঙক ঙকখিবা তাই।

'নঙ্গ কহানী' লেখকশিংনা মরুওইনা মখোয়গী মশাদা নীংবা কায়বগী মও' লৈবগী দাবী অমসু তৌরি। মতাং অসিদা ডাঃ নগেন্দ্রনা 'নঙ্গ কহানী'গী সেমিনাব অমদা করেম কথায়ননা চৈহংখিবহু 'নঙ্গ কহানী' লেখকশিংনা মুম্না খঙ্ঘববদি কনা য়াম্না অচুম্বনি হাযবা খঙবা ঙমগনি। ডাঃ নগেন্দ্রনা হায়খি—"নখোয় অনৌবা লেখকশিংনা 'রত্নেশন'গী রাজা হাংরিবা অসিবু কবিগীনো। এয়ব কণ্ডিসন তৌরবা কাদা কমজুনা লাইবিক ইবা, চহিগী মতাঙগা চানবা মতিক চাবা সার্ভিস তৌরিবা, চাবা থকপা রাংত্রবা নখোযনা কবিগী দমক নিংবা কায়গদৌবিবনো ?"

শঙহনজবা

* 'রাখল'— সাহিত্যগী চেফোংনি। থা ৩।৩ গী ওইনা জুন, সেপ্টেম্বর, ডিসেম্বর অমসুং মার্চ তা ফোংজগনি।

* লেখকশিংনা মশানা ইবা নত্রগা অতোপ্পা লোন্দগী হন্দোকপা থাবিরকপা য়াগনি। রারেং শৈবেং থাবিবকপা মতমদা 'রাখল'দা ফোঙবিম্নু হাযবা রারোল অমজুং পনবিবকউ।

* লাইবিক মশক তাকপগীদমক্তদি লাইরিক ২।২ থাবিরকউ, লোয়ননা লাইখিক মশক তাক্লনবনি হাযবা রারোল অমসু ইবিবকউ।

* 'রাখল'গী এজেন্টশিংদা মতীক চাবা কমিশন পীজে। এজেন্ট ওইবিনীংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগী দমক মথাগী ঠিকানা অসিদা ইবিরকউ।

সম্পাদক, 'রাখল'
রাজকুমারী রেষ্ট হাউস
কৈশামথোং, ইম্ফাল।

ঘুরেন্দ্রজম ইবোমচা

মিন্নাং

মখোয় ইমুংসি মীনা কথা মুংশিনদে। লাইরবনা পং তংলম্বদগী হন্দক শেল পাযখৎলকপসিদা মীকা উখিদবে— অস্মুম্না হাযনৈ। নোক্লবোই, কল্লকপোই হায়বত্নি। ঙবাংদা ময়ুমগী কক্লাং থাবমদবত্নু, নোংথক্লা যমথক ওইরম্বত্নু ক্লাউগ্রমানে, তাইবং মী হাযবসে ওম্নোকপা হায়বত্নি— অস্মুম্না রাবী ওইনবে, লৈকাই ইমা ইম্নোলগী।

অহানবদা মমাসে ক্লায়োনকম কম্লম্বনি। অত্নদগী থংমুৎ হেক মুংখখি— মচানা কলেজ কাবা কুমত্নদা। চহিহুদগীদি ময়ুমদা লৈতানা লৈবা ফংখিদ্রে। কৈথেন অমদগী অমদা, মোইবাংদগী ইম্ফালদা, ইম্ফালদগী সেকমাইদা অস্মুম্না ওম্নোক্লা ওনশিনগা চাবোই চাদবোই চহি অহুমলোমদি খা ক্রক-ক্রক চিক্লুনা থাঙবনি। মচানুপা অসিস্নু মন্নমস্নু ওকই অত্নগা মী খ্বায অঙাংগম্নু মান্নদে, লিকক্ত্রে— বেডী মচৈ অমা চিংদে, মযাদা করিগুম্বা অমা কক চিক্তে। অঙাং প্রাইভেৎস্নু তম্বী ইংখোল শম্বল কোইবস্নু তম্লে, অত্নগনে অচৌ-অশাং নপ্পকাস্নু হৈগ্রপোৎনি, হন্দক মানা থবক তৌখিবসি পাই লাক্তংবী ১ ফাওবা তিংখিদে, মোলি-মোলি কক কাক মহানি। হৌদোং তুমিন লৈবনা চফু ঙম্লী হায়বত্নু হেক থোকই— থাজকদে, মোনংসিনা শেল মন্না অমফাওবা তিংদনা অঙনপোং [illegible] [illegible] সনা মচা অম্বু তবাই ভল্লাই হেক [illegible]কই, ইনাকখুনবা মচা অমনা [illegible] [illegible] [illegible]বু শাম্নবগ্না কৈনো—

নানা নাদি নানা মোতম্বি। থাখানুদি নত্তে মৈতৈ লুপীশিংনি নোম্বা কনবী অঙ্কগী মথক্তা মঙ্গং কনস্নিন্না উগনগ্রবী লাল্লিকা হায়রুম্বা যাপোৎ নত্তে অতনা হায়জক্রবসিনি।

হন্দি তোম্বীমচাসি মমাই-মমিং তঙাং ঙঙাংলে। লৈকাযগী উসব-মেলা য়াওবক্লে, মীবক তিনবা হৈবক্লে। কলেজাবু য়াম্না লৈথংলক্লি, মানা ইহেন্দুম হেনগংলক্লি। হন্দক লৈবেনতোম্বীগী ইপালদস্নু পোংযেংশেল মথায অমস্নু থাযবকই অত্নগা দানস্নু লুপা অনী থাদে। নহালমখৈদি ঙম্নু লৈবদা পৈশা মবিদং হান্নকঙ হাযকবদা শিথনত্নুনা 'লৈতেদকো হাপ্পিংগ্রেদা'— তৌশিন্নবা হৈবমগ্রবনি। মচানুপাসিগনা থবক তৌজবৈদগী মমিং মমাই পাংজববনি। মমৌ সনা অসিস্নু ফগ্রে। লৈকাইসিদা মশক কজবদস্নু মবম ওকপদস্নু মাগুম্বীদি মৌদস্নু লৈশাবীদস্নু অমত্তবু যাওদে। সনানিকা হায়ত্নুনা পোংবাবা হাযয়ে। লাইবিক হৈবী হায়বসিদি। শাগৈ জাংনগা ফবেদে। মখুৎ মশানগা হৈথ্রিবা,—মণিনি মণি। অত্নবু করিগীনো লৈকাই সিনদি মহুংদা ইবা যানত্রি, মখোয় ইমুংসিবু। কল্লকপনম্না কবিনো অত্নস্নু চপচাবা খঙবা ঙমদে। তোম্বীমচাসি শেল খব পায়রগা য়াম্না থোয়গ্রে— ময়াম্না ঙাঙনৈ, মচাগা মমৌগম্নিখুদি কৈ কবিস্নু তৌজদে।

নহালদি অযুক্তা তোম্বী মচাগা য়ুমথঙ্কনবী মণিরৈমগা লৈকাই কুম্মৈ ওইবমখৈ থংনরককই। তোম্বীমচানা করি হায়কবনো খঙদে মণিরৈমথু

ওস্থাক্লা শাঙ্গৈবে "সিং ঈঃ শেল খবা পাযবগা ইখোয় হেক খোমজ শাবদনা। পেক্ক য়োনবী মানস্থ। ঙবাংঙ্গনিনে ময়ুমগি নোং ওবো ওবো যত্না ঐখোযগী মাঙ্গলদা অহিং নোংযাইদা তুববদো। তৌজবা শাখিবসে নোক্লিংঙিদকো সৈত্যা—।"

তোম্বীমচাদি অত্তক হায়্না ঙ ঙদে শাওবদি মৈ হৌবে। লৈক মগী মীনা পূমযোম যোমশিল্লি। মচাকুপাদ্দি লৈতে। মমৌ সনানা থামজবত্ত থওইনা ভাকন্দে খুবা তোযাইনা যাম্না ঈ থনা চঙ শিল্লকুনা তোম্বীমগাদা হংঙি— "ফবি হাযনবদগীনোনে ইদেম্মা ?"

—"হেনা তাদইবনো, বংস্ম লৈবা বা নত্তে, নহান্দো ইমৌত্তপীসিস্থ মশ না লুম-শল্লক পগা মশা ঙমচত্নুনা যৌশহেঁদনে হাযত্নুনা ঐনা কৈকথেন কুম্লকপদা হিপ্তুনা লৈবম্লে। অত্তদ চাক্তি চাদবা যাদবনিনা মখোযদগী ৫০ কৌনা অনিথক্তুং লেকইযে অত্তু ঙসিত্তু পীযু হায়ত্নুনা হাযববে। অদদা ফৌ ঙহাক্তা শুখিগে ঙহ ক্তু লৈবগা লৌ হাযকবে অদবু কবিগীনো থঙং পংশাউদা শ উগৎলকই"

খুনা তোযাইমত্তু ব'বনো অমঙ হাযজগে তৌবকপদা অসোএদগী লপ্লাউ লাউবকই

—"কবি নং অদা হাযব্রা হাই—। ওইদবা ঙাঙব্রা হাযববু নচিন্দু পংকনি। ৫ং চানিংঙাই লৈত্রে কৌতা অনিথক্তুং লৈবত্তু পীয়ু হাযকবদা আ কবি মখোয়গী লুপা ৫ লোখিবত্তু চহি অমা শিংদবা. গিলাস লোপ্রগা থুগাযবকপা আ চহি ৫০ গী রা পুথোক্তুনা ঙাঙলকইবা অত্তদগী হেল্লোক্তুনা ঐনা খঙজবস্থ নত্তবা ইচাম্নপীনা লুপা ৩০ পুখিবা শিংবীবকওকা হাযত্নুনা— শেল খম্না পাযবগা মীকপ্নি তুমিং কাঙলৌনা উত্রে—, ঙবাংদা উত্তা তুরম্নত্তু নিংশিংখিত্রে।"

"এ. এং অত্তগীদমক খংনবা হৌনদে, লৈকাই কুইম্ম ওইনবা" অসুম্না লৈকাই অহলশিংনা থামজিনবদগী ইংলনরে। সুংখিলত্তু মণিখৈমগী মচাম্নুপাম্নু লাক্তুনা লুপা ৩০ লাক্তুনা লংশিক্লম্নগা চংলি।

নোংমা গোকুলনা অকিসত্তগী কুম্লকপদা লখীদা গৌবনা বাবী চিকথনা শাবক্কই।

—ভাই বা অমবু নিস্ফং নিস্ফং তাযনে।

—কবিনোনে ? হাযয়ুদনা তাসি।

—শাউদি শাউত্নুক্লো, সুম মরুপ-মপাংনি হাযত্নুনা চুম্না হ যুবগী বানি।

—তাযত্নম হাযযুনে।

—ভাইখোযগী ইবেম্মত্তুবু, ভাইগা লুহোংত্রিবৈঙদা ময়ুমদা সুপা অমা যাওং ইন্দুনা লৈবম্লে হাযনে, চুম্বা সিবো ? ঐস্থ তশেংবদি খঙদেকো। মানা হাযনবা তাবগী রানি।

—খঙঙে ভাই, অত্তগী বাত্ত তোক্লসি। চুম্ন সুম মতম্ন খবা কোযবম্নগী রানি। ঐনা যাম্নি।

—নঙম্নু খঙবনিদ্দনা অত্তুদি।

—খঙবা হাযববু ঐনা হাযবিবসিনি।

—অত্তগা ইল্লোজদি ?

—মানা খঙবা খংদবগী কৈস্থ দবকাব লৈতে। লৈবু লৈত্রনে ?

—কৈদা কৈদা নশানবু যাববদি। ঐদি নঙ খঙদব্রা হাযবনি।

অস্থম্না লোইশিনখি অচিকপা রাবীত্তু।

হাপ্তামুক হৌত্রে। গোকুলনা হুমিদাং কোয়খোক্ল্বা হনজিল্লকপদা মমা তোম্বীমচা

ক্কি-ক্কি কামছুনা লৈরম্মী। সনাছুনা হিক হিক কম্লম্মী। গোকুল রাখল অমত্তং তৌগে নিং-বনি, নংহৌদে, মমানা লুশমদগী লাক্লকই—

"হায়— চুথাক থুনবা। অধামোরা····· "

অতুলগী লোইবা নাইত্রবা মৈরিগুম্বা রাহৈ ময়াম, মৈশাগা লোয়ননা অরোই অথম লৈতনা গোকুলগী নাকোংদা কৈজিল্লকই।

"হৌজিকমক মপামদা থিনখো, চংলু ময়ুমদা থিল্লুচো। তুক্কচৈদা। নহাক্না হাযয়ু-দম্না অশেংবদো। করিগী লোংলি— করিগী শাগৈ মাংথোকপীরি। চংলু হৌজিকমক থিল্লুচো চংলু। অতু নত্রবদি নংগা ঐগস্থু তিন্নবোই।

"মতু কত্তে ইমা।" য়াম্না তপ্না হায়রুই।

"ফত্তে হাযবদি থাযনবা ঙম্মোই সিম্না"

মৈবুন্দুদা ঈশিং মবিক্কু কবিস্থু ওইখিত্রে।

"মীরা লোবীকস্থু ইমা"

—"ফবে ফবে। ঐ মীরা লোরবোই। মীরা লোবনে ইংকা। শগৈ চিংথবা নংগস্থ লৈমিন্নবা ঐ ঙম্মোই। নপা নপু নরক তাংহনবা ঐ যাওবা ঙম্মে ই। ঐ চংলে"

হাযরম্লগা অমম্বদা মত্তৈমক গোকখি সনাত্তু হিক তিক কপথংলকই। গোকুলনা নোংঙ হাংদোক্লগা মখোল শাজিন্দুনা "ইমা" হ সনা কৌই। কনাস্থু থুম্লক্তে "কদাইদগোনে হায-ত্নুনা কোম্হোংলোমদা তান্নখি।

অরাংলোমদা কনানো থনা নোংশখিনগুন তায।

খঙহনজবা

ইম্ফালগী মপানদগী কনাগুম্বনা 'রাখল' গী গ্রাহক ওইবিনিংলবদি লুপা ৫·০০ (মঙা) থাবিরক্লু না চহী অমগী গ্রাহক ওইবিবা য়াগনি। 'রাখল' থারকপগী ডাক-খরচ ঐখোয়গীনি।

শেন-থুমদি মথাগী ঠিকানা অসিদা মণি-ওর্ডার তৌত্থুনা থাবিরকউ।

লোংথোজম কুঞ্জমোহন সিংহ
সম্পাদক, রাখল
নাগ-মপাল, পাউনম লৈকাই,
ইম্ফাল।

উপেন্দ্রনাথ 'অস্ক'

মখোয়না হায়রম্মী

মখোয়না হায়রম্মী—
ঐখোয়না লাকপা মতমদদি
কফুৎ অপিক অপিকপা—
দাগ কুম্নবা কুষ্টিগী, ফজরবা হকচাংদা কনাগুম্বগী
পুক্লিং ছনিংঙাই ওইরবা অচৌবা লাইয়েকপা ক্রেমদা
(অপঙবা অঙাংশিংনা লংশিল্লকপা)
লৈখোম লৈবিক্কুম মখোয়শিংসে—

মখোযশিংসে— মকশিলহল্লিবা নখোয়গী অত্তিয়াবু
মাঙহল্লিবা নখোযগী লৈমাযগী ফজববু
পাঙ্গল মাঙহল্লিবা নখোযগী হকচাংগী
চিংনবা পোকহল্লিবা নখোয়গী পুক্লিংদা
তপথবা থোকহল্লিবা নখোয়গী থোঙচৎতা
লাম্বোকহনবা ঙমজ্রিবা থোপপু মখোয়গী মতৌগুম।

ওইহল্লিবা লৈখোমগী কফুৎ
তবং হৌরবা ঈশিংগী মপৈসে— ।

কংহনগনি ঐখোযনা মখোয়শিং'সিবু
তাপচিনগনি অনৌবা লৈপাক
লৈতেম মান্নহনগনি ঐখোয়না পুন্নমকসিবু।

মখোযনা হায়রম্মী—
ঐখোয়না লাকপা মতমদদি
পুরক্কনি লাঙ্গোল ইম্ফ্যাৎনা মখোক পানবা।
লোংখুম্না ওইগনি লুপাগী।
খোইদোক্কনি নোংপোক্কী নোংচুপ কাওবা পৃথিবীগী,
হুনগনি মরম সনাগী।
মখোয়না হায়রম্মী—
ঐখোয়না লাকপা মতমদদি,

লিংথোক্‌লি মনা-পাখী
ফৌ-গেম্বগী মহুৎতা পানগনি হীরা
খাওগনি নখোয়না সনাগী চক্ল।
থনগনি নখোয়গী কৈ-কোৎ
হীরানা মণ্ডক য়োনা।

অতুবু,
হৌগ্রে যুগ কযা কয়া মখোয়না লাকপা ঙাইবদা ;
খল্লম্মী— অপিকপা লৈতোঙশিংসে
চুম্নগী মি কাবরুম হকচাংদা।
অতুবু শন্দোম্নকপা হূনা মহুদগী—
শীনবা থুংগ্রে পৃথিবীগী শিংলি শিংলিদা।
য়েংখি য়েংখি মাম্নকৈদা
উগ্রে হৌজিক্তি
ক্রু ক্রু পুথগনবা লৈখোমগী কফুং নৎতনা।

(হিন্দীদগী হন্দোকপা— শ্রীকৃষ্ণমোহন শর্ম্মা)

[শ্রীউপেন্দ্রনাথ 'অশ্ক' হিন্দীগী মমিং চৎলবা লেখক, কবি, নাটককার অমনি। অশ্কনা মাগী অনীশুবা মম্ননাই মমিংনি। অহানবদা উর্দু সাহিত্যদা ইরম্মী— কাইনথংদা হিন্দীদা চঙলকপনি। একাঙ্কী নাটক সাহিত্যদা থোইদোক্লা মমিং চৎলি। হিন্দীগী খ্বাইদগী হেন্না ফাওবা নাটককারশিংগী মম্নুংদা অশ্কসু অমনি। 'নই কবিতা' আন্দোলন হৌখিবদগী ডাঃ ধর্ম্মবীর ভারতীগী মতেং পাংবা অমা ওইনা "ধর্ম্মযুগ" তা তৎতনা মাগী নই কবিতা ফোঙলক্লি। মথক্কী কবিতা অসি ইং ১৯৬৮ গী ওক্টোবর ২৭ কী ধর্ম্মযুগতা ফোঙখিবা "উহোংনে কহা থা" গী মণিপুরীদা হন্দোকপনি।]

—হন্দোকপিবা।

মৈতৈ ফুঙ্গা ৱারী

(অনীশুবা শরুক)

চেফোঙ অসিদা ফোঙখিবা মৈতৈ ফুঙ্গা ৱারী, অহানবা শরুক্কী মথা তাবা ওইনা ৱারী অনীনা পুন্দুনা মৈতৈ ফুঙ্গা ৱারীগী অনীশুবা শরুক ওইনা মথাদা উৎচরি।

১

মচীন মনাও থবী হেকপা

(উচেক লাঙমৈদোঙ)

থাঙ্গনা মমাংঙৈদা লুপ্রাবী অমগী মচানুপী অনী হেক হেক থবী হেকমিন্নত্না লায়রবী লুপ্রাবী মমাগী মত্তেং পাঙনসি হায়না হিঙগোল লমহাং অমদা পূন্না থবী হেকমিন্নরম্মী! থবী হেক্রগা মনাওনুপীত্তুদি করিগু থাক্তনা পংচাদা চাথোকলম্মী মচেমত্না অহেকপা থবী অমত্তা মথাদা কক চীক্তনা অহেকপা পুম্বা মমা লুপ্রাবীগী মনাক্তা পুননবা অশুম থমজৈ। মতৌ অমি উৱকপদা মনাওনুপী পুককত্তবীত্না মচেম অমিদা কল্লকপা পোক্রে। মতৌ করম্না মচেমগী মপোৎ অসি মাগী ওইত্না মমাদা পীশিনসিগে হায়না ৱাখল ত্তোরম্মী।

কাইরথংদা থবী মপোৎ ফানা হেক্রত্না মচীন মনাও অমুক হল্লক্লে। মানা মপোৎ অমত্তু য়াওদবা মচেমগীনা মপোৎনা কীগাদ চোম্না পুরকপত্তু অশুম অশুম্না কল্লক থোইশাঙ্গলরত্না চীনয়াওবী মনাওনুপীত্না মচেমদা হুংশিবা থাহনা হায় “হা ইচেম, ঙহাক অম্না পোৎথাখিসি মাঙদা চেল্লিবা তুৱেলসিগী হিদেলদা কুমত্না ইচীন ইনাও ইপাল লাংথিসি” মচেমনু “কৈফে” হায়ত্না মচীন মনাও হিদেল অমদা ইরুমিন্নে। মুর অশুম ননমিন্নরম্বদগী ইথঙ থঙখোদনা পুকযত্তবী মনাও নুপীত্না মচেমত্তু ঙক পায়ত্না তুৱেলগী ইরোম্নুংদা ইম্থরে। মচেম্না ৱানা হেকচরকপা থবীশিংত্তু মানা হেকপা মপোৎ শাত্না মমাগী লাক্ত্র কোকথোং নাত্না লাক্লে। মত্নোমতা মহল্লকপা সি উৱরুপদা মমা লুপ্রাম্বীত্না হংঙি, “ইবেম্ম নচেমদি কৈদা লৈহৌরে?” মমানা অম্রম হংলকপদা মনাওনুপীত্না “ইমা ইচেমদি অম্না পোৎথাখিসি হায়ত্না মপোৎ পুম্বা চাথোকুনা আঃ তুৱেলদা ইরুহৌঙি চংলসি ময়াগ্রবদা ঐসি লাকচরবনি!” হায়না থুমলম্মী। মমানা লাকবয়া লাকবরা অশুম মঙায় মচেমতুদি য়ুমদা অথেংবা অহীং ওইরফাওবা লাকপা মরৈত্ত্রে।

অসোমদনা কমদোয়ি, মচেমত্তু ইশিং অচৌবদা লুপহৌরে, খুদক্তা ঈকায়কপা চাউথ্রবা লাইরেল অমনা ময়া লাওনা কাথোক্তনা মপুক মনুংদা মচেম লৈশাবীত্তু পূম্না য়োংশনথরে। হায়রিবা লাইরেল অসি লোয়া ঙা ফাবা অমনা ফারকলম্মী অমত্নুং মলক উদনা লৈশাবী অমগী হুংশিয়রী মথোক্কেম্না— “ঐবু শোকত্তু, ঐবু শোকত্নু” হায়ত্না ফাউৱকপা তাবদ ঙক্রত্না ঙাক্যাবা মুপাঙ্গনা লাইরেলত্তু ময়া ফাক্তুনা য়েংবদা আঃ লাইরেলগী মপুক মনুংদা

নিংথৌগ্রবী লৈশাবী মচা অমা কমছুনা লৈবছ উরে। থুনমক লাইবেল মপুক মন্নুংদগী লৈশাবীছু লোথোক্নুনা রাহং পাওহংনবে। লৈশাবীছুনা হৌখিবা রারী অপুম্বা ঙাফাবা মুপা সিদা লীছুনা তাহল্লে। ঙাফাবছুনা রারী পুম্বা তায়বদা অমুক থীম্বরমদনা লৈশাবীওবু মমা লুপ্রাবীগী মনাক্তা থীনবীরকলম্মী। মপোক অসিগী উনররোই মাঙখরে থল্লুরবী মগান্নুপীসিবু অমুক ফংজরবদা মতম কুইনা অরাবা রাখল খন্দুনা লৈরুরবা মমা লুপ্রাবীছু হরাওবনা ঙমথৈ লৈখিদরে। মতৌ করম তৌছুনা মফম কৈদা অঙুক কুইবা মতম মাঙলুবনো হায়না হংলরুলবদা তাক্তবা য়াদবদগী মনাওন্নুপীনা তৌখিবা থৌদোক পুম্বা মমাগী মফমদা লীং লীংনা তমথোকলম্মী, মরম অসিদগী মমা লুপ্রাবী অমসুং মচেম অনীমকনা মনাওন্নুপী অতোনবীছুবু মুংশিনবীত্রে, কৌসু কৌবীত্রে, ঙাঙবীত্রে, চাক শরুক হাপ্পীত্রে মতৌ অঙুম্না তৌজরবা থবককী কত্তবা মহৈ ফংলছুনা মনাওন্নুপীছু থক্তচাদা মতম কুইনা লৈরুরম্মী। থক্ত-চাদ অঙুম মরৈরক মাবু কনানসু করি কমদোরি হায়না হুম্না তুনা রেংশনবীবা লৈবক্তরবদা করি তৌকরগবনো ঐ মক্তবু উচেকী লক্তা তিন্দুনা বাহৈ উহৈ চাহনা পুম্নী লেল্লুরগে হায়না থল্লক্নুনা মথুংনা লং লেংলবা য়েক্তুম পুমজাও অমা পায়ছুনা হিংগোল লমহাং অমদা থোররে! অছুগা পরেং পরেং পাইরিবা উচেক লাঙমৈদোঙশিংদা হায়জররকই—

"হা উচেক লাঙমৈদোঙখোয়
নখোয় মচু নমাল্লো
থজীক্ত থীকথবিরম্নুবা"

"নখোয় মীঙাইবদ থীকথয়ম্বদি লায়রছুনা ইচাগী ইশুগীকাও লৈতে" অঙুম্না উচেক লাঙমৈদোঙশিংছু অমতা থীকথবীরমদনা মহৈ মহৈ পাইনপ্রে। কাইনথংদা মপুক মপাও করী উচেক লাঙমৈদোঙ থরনা "তু-তু" হায়ছুনা মছু মমান থরা থবা থীকথবীরম্মী। মছু খুঙ্গুরে অছুগা মতু মমানশিংছু মহাক্না লং লেংলবা রেক্তুমছুনা মশাদা ইহীং নাহীং তাবমথৈ কম্না কম্না ফোংচিঞ্জবম্মী। পাইবা তমলব্রে। হুজীক্তী লৈশাবীছু উচেক লাঙমৈদোঙশিংগুম পাইবা ঙমলব্রে। তশেংনা মশা থপতুনা পাইবা হৈরক্লবদা মচেম অমসুং মমা লুপ্র বী অনীদা করিসু হায়রমদনা উচেক লাঙমৈদোঙ শিংগী মরক্ত তিন্দুনা কোয়না কোয়না পাইথবে।

ফনমক ফত্রবসু মচা কোবনিনা মচান্নুপী অতোনবীনা উচেক লাঙমৈদোঙ ওনখিবসিদা মমা অমসুং মচেমছু কুমিং চুপ্পা কপ লাউতুনতা লৈনরক্লে। কুইনা শক থংনরকত্রবদা নোংমদি মমা লুপ্রাবীছুনা মচান্নুপীগীদমক্তা য়েনশাং মথেল হাউনা থোংলছুনা চাকলুক পুথম থল্লা হাপলছুনা হিংগোল লমহাঙছুদা উচেক লাঙমৈদোঙশিংপ ইনরকপা ঙাইছুনা লৈবম্মী কুইনা ঙাইরক্লবদা উচেক লাঙমৈদোঙশিং পরেং পরেং পাইনরক্লে। মতমসিদা মমা লুপ্রাবীছুনা মচাগী মশক্তী থঙজদবনিনা চাক চাকলুক অথনবছু উংলছুনা উচেক লাঙমৈদোঙশিংদা মচা নিঙোল য়াওব্রা হংজরকই—

"হা উচেক লাঙমৈদোংখোয়
ঐগী ইচা অতোনবী
ইমোম (চাউবী) মাবু য়াওবরা?"

"আঃ তুংদা আঃ তুংদা।"

অঙুম্না খুম্মরগা মহৈ মহৈ পাইনখি। থরা অমুক পাইনরকই—মঙদসু চাক চাকলুক উংলছুনা হংজরকই—

"হাঁ ঈৎ ক লাঙমৈদোঙখোয়
ঐগী ইচা অতোনবী
ইমোম (চাউবী) মাবু যাওবরা ?"

"তু" ত কপীরকই "তু ঐখোয খোমদোন লংনা পাইবকইবনি"।

মচানুপীতু ময়ামগী খোম'দান লংনা পাই-বক্লে। মচানুপীগী মতৌত উবকপদা মমা লুপ্রাবীতু থমোই কাইখবে মখিংতা মপি তাবদুনা চাকলুক্কু উৎলদুনা হায়বকই—

"হা—ইমাগী ইবেম্মা
ইমোম অতোনবী নঙবু
ইমানা তবাগী চাকলুক শেল্লেদো
যেনশাং মথেল লোংলেদো
শাথপ লেপখো চাবখোদা।"

উচেক লাঙমৈদোঙ ওনথ্রবী মচানুপীনা উগী উশদা ঙহাক পল্লদুনা মম'দা খুমলকই—

"হা ইমা ইবেম্মা
ইচেমদা লালনা তৌকবনা
ইবালনা ইপোৎ ফাদুনা
নমোমদি উচেক লাঙমৈদোঙ ওল্লেদো
তাইবং মীওইবগী চিঙ্গাক চাহৈদবে
নমোমদি চৌংগী হা'বো ফাদুনা
চাজকুবগে ঈমা-ও।"

অসি হায়বল্লগা মবাল লেববী উচেক লাঙমৈদোঙ ওনথ্রবী মচানুপী অতোনবীতু মশা থল্ল থল্লদুনা উচেক লাঙমৈদে ঙখিংগী মবক্তা পাইথ্রবে।

২

শামু অঙৌবগী মচানুপী
(লুপ্রাবী মচা)

থাইনা মমাংঙৈদা লুপ্রাবী মৌ নহা ১খক লৈরম্মী মহাক্কী ফজবা মশক্কী মবমদা নক্না যাম্না লৈবা শমু লৈবাক অমগী নিংথৌ শামুঅঙৌবনা তাবদুনা মাবু শামা লৈবাক্কী লৈমা ওইর-বো হায়না চন্না হন্না লাক লাক্কনা থেমলৈ। শামু নাতোনশাং মাবুদি কনাল্লা পান্বীগদগে? মৌ নহাদুনা শুকথা যাবীদরে। শামু নিংথৌ চুস্ত অহনবা লৈতে, মবমসিদগী কাইনথংদদি মৌ নহা লুপ্রাবী'তু থোং লোনশন্দুনা থাংখবে। মতৌসিদা শামু অঙৌবনা শাউরদুনা "হে-হে-নিংথৌ ঐনা লোবীগে লৈবাক্কী লৈমা ওইজৌ হায়বু যাত্রবদি" হায়দুনা শুমাং মতোম্দা চাও-থ্রবা শামুগী খী মপোৎ অমা ফাযজিল্লয়গা মমায় লৈদুনা চৎখবে লোংমা লোংমা অশুম হৌ খবে শামু অঙৌবা লাকপা লৈতবে। শাউ-থ্রমাল্লে। মতৌসিদা মৌ নহাতু খবা হেক লৈ-তাজ্জৈ "ফরেদা শামুঙৌবা লাকতবসি"।

কুইববগী মত্তংদা নোংমা মৌনহাসিনা যেনশাং লৈত্রদুনা হিংগোল কোয়না যেংলকপদা ইনক নক্না শামুঙৌবনা ফাযজল্লবা খীবোৎতুদা তগৎ তগ' তেকপা মকা ফল্লবা হঙ্গাম পান্বী অমা হৌবম্বতু থে'নদুনা মহাক্না তনফুক ফুক্কুনা হাওবেমথৈ যেনশাং থোংদুনা চাথোকলম্মী। মতু চাকুবদগী থা খয় লৈবগদি মৌ নহাতু মী-বোল্লক্লে। মহাক্না থঙ্গৈ শামু অঙৌবগী মথীদা হৌবা হঙগাম চাকুবদগী ওইবমগনি ময়মসিনা মানা মীবোল্লিবা মচা অঙাং অসিগী মপাদি শামু-ঙৌবা নিংথৌ নত্তনা কনাস্ু ওইবোই।

মতমদি অশুম অশুম মহৌখি মৌনহাতু কুম থা শুজল্লক্লে। মচানুপী অমা পোকচরে। অঙাংদুনা নোংমা নোংমগী চাউথংলকপনা লৈ-শাবী মমাল্লবীশিংগী মবক্ত থ্রাইদগী শক ফজবী লৈশাবী অমা ওইনা লৈরে।

শেংপা চাবদা মানা হেন মহেনবা পাথংশিংনস্থু মহাক্কুবু কোযতান হেক মতম্নবা থৌরম থুদীংমক্ত মহাক্কদ হেনথোই শিথোই লৈবসিদা মশুং মমাংনবী লৈশাবী থুদাংনক্ক মহাক্কুবু কল্লক যেংথিনবীবর্ম্মী। মহাকপু মনাল অমুক্তং পীহনা ইকাযবা অমুক্তং য হনবা হাযনা পূম্নমক্কা শীংনত্তনা লৈনখবে।

নোংমদি থুনগী পাখ লৈশাবীশি কথুং নাইননা বা শাম্নবম্মী মংদস্থ লুখ্রাবী মচাক্সুপীসিনা কাং পানবা মহেনখবে। বাংথুং অংগাপ্পগী লৈশাবীশি ত বল্লব খোইশাওননা মৈ হৌনথাবে। অমুক্তংদি ইকাযবা মপীবুগী শল্লবত্তুনা মহাক্ক কাং হুনগে হাযত্তনা নোর্ম্বিবৈঙদা ক ঙর্খীলক্ত কাগল ওন্ননা খীঙ্গনবাবে। কাপলবপদদী অংশাঙ্গা কাখলদা অবেম্বদা চংখবে মংঙৌসিদা অযেংবা অমদি বাংথুং অত্তোপ্পগী লৈশাবী পূম্বা হৌনত্তনা মঙোন্দা নোক্কবীরক্কে। লুখ্রাবী মচাত্ত ইকায হুংশি যাম্নখরে। কাংখীল লেঙথবে হাযবসি খঙলত্তুনা কনিগী কাংখীল মফম হোংবনো হাযনা হংজ্ঞবকপদা কাংখুং অংতাপ্পগী লৈশাবী থুংপুংনা কবেম কথাইনর্বীংনা "চবে দহৈ কনিনো, কাংখীল ইচাও চাউনা থিল্লিবনিদি হন্না ত্বনা যেদনা কাং হঙ্করগা ঐখোযদা কাংখীল খোঙদোকই হান্নাা তইশল্লিবাসিবু পুংপাং তুনা নাওয়োক্তবী পাশকথঙদবী চৌনশা মিং থকচরগা।

"লু-পাং তুনা নাওযোক্তবী, পাশকথঙদবা" হায়বা হাহৈ অসি হেক তাববপদা লুগ্রাবী মচাহ্ন খল্লায় খুংঙাইখিদখনা মমিংতগী মপি ওরো ওরো শীশ্নত্তুনা কাংখুং তিনবা ওমদনা মযুমদা হল্লকখী।

থবায হু ঙাইতবগা লোম্বননা ফুমীং খুদীং মপান থোক্তনা মমা লুখ্রাবীদা "ইমা ঐবু পোকপা হপা কনানো" হাযনা হন্না হন্না হংংনা মরৈক্কে। তোকপা মনৈত্তববদা যান্নয়োই খল্লত্তুনা মমা লুখ্রাবীনা তাকপীবকই—

"হা ইবেম্মা নংবু পোকপা পম্ভৌদি চীংলোন অমগী বা মদা লফু লেংঙ্গা পাম্বীনা থম্না হৌবা চীংজ্ঞাউ অমদা পানবা শামুঙৌবা নিংথৌংনি। অশংক থাপ্পা লমদংসিদা ইযোম নবু বনম চংকদগে "থাপ্পবস্থ থাপ্পা লৈশাবীত্ত মপাবু মশব খঙনী বত্তনা অকীবা লৈতনা চংকনি চংকনি ক্রং ক্রং চোংলক্কে। খাম্বা যাববোঙ্গদবা উনত্তনা মমা লুখনীত্তুনা মচাক্সুপীদা চাযাম যোঙ্গ ত্তুনা পীবনা তাকপীবনহ—"চংলো ইমাগী ইবেম্মা লম্বা লমথাংদা শা কৈ থেঙনববস্থ নপাগী মিং হেক পন্দুনা নশক তাবুংকো' মতৌ অশুম তৌনা মমানা যেম্বীবা চযোমত্ত পুম্নুনা লৈশাবী মচাত্ত (কনাগুম্বনা মতাংসিদা যাম্না পীকপা অত্তাং ওইহল্লি) মপা শামুঙৌবগী মনাক্তা লাক্কে। লম্বী লমথাংদা মাবু চাগে চাগে হোংনবকপা শা কৈশিংদা "ঐদি ইপা শামুঙৌবগী মচানি হাযনা হেক হেক মশক তাকচৈ মবমসিদগী মাবু শাকৈশি না চাবীবগী মহুত্তা মনম মনমদা পোত্তনা মপাগী মনাক তাম্না থীনবীবক্কই।

কাইনথংদা লৈশাবী মচাত্ত মপা শামুঙৌবগী মনাক্ত থুংজবে। মপা মচা শক খঙনবে। মচাক্সুপীহ্ন উবদা শামুঙৌবা নিংথৌহ্ন মমিংতগী মপি ওবো ওবো তাত্তনা মনাতোন বাংনা থাংগত্তুনা মচাক্সুপীবু ওকলকই "ইপাগী ইবেম্মা ইপাদি মীওইবা নত্তবসিনা নমা নচানা ইকায়গত্রা থন্দুনা অঙক কুইবসি নঙবু অমুক্ত য়েং-

লবা ঙমদবসি ঙসিদি উবা কঙলে ইচাবু য়োকচৌ তল্লে, চৎগ্রগনু” অশুম হায়না শামুঙৌবা নিংথৌনা মচাগুপীতুবু উজাউ অচৌবশিংনা কোয়শন্দুনা শেম্বা মকোন্দা চেকশন্না থন্নখরে।

নোং ফুং ঙানবদগী চীংনুং মান্নংদা কোয়না চত্তুনা মচীঙ্গাক থীজরুরগা অহাওবা উহৈ রাহৈশিংহু মচাম্নুপী লৈশাবীসিগী হেক হেক পুরকুই। অসুম্না নোংমসু উজাউগী মযুম মনুংহুদা থোং চেৎনা লোনশন্দুনা থনয়গা চীঙ্গাক থিবা কোয়না চৎগ্রিঙৈদা লৈবাক অমগী নিংথৌ মচা অমগা মাগী মরুপ অমগা শাদানলুবদগী রারহুনা শামু অঙৌবগী মকোল ময়াদা ফমহুনা অরা পোথারম্মী। ঈশিং থৌরাঙবনা কোযথী থীনরকপদা শামুঙৌ মকোন্দ মী লৈবগী শাহুম ফংলক্তুনা নিংথৌ মচাসিনা “যুমসিবু কনা কনা লৈবীবগে হায়না হংলকই। অসুম্না হংহুনসু মপানা হায়রম্বা মতুং ইন্না লৈশাবীহু লৈ-লৈতে করিমতা খুমদনা লৈরম্মী। অদুবু অশুম লেপ্তুনা হংজল্লকবদা হুঙাইরক্তুহুনা লৈশাবীহু খুমলক্লে—

“কনা ওইরম্মো ঐ লৈজে”

ঐথোয়বু ঈশিং খীত্তং পীথকপীয়ুবা”

“ঐদী ইপা শামুঙৌবনা থোং চেৎনা লোনশন্দুনা থমলম্লে পীথকচবা ঙমজরোই।”

“হা ইবেম্মা মীওইবমক্ত ওইবীরবদী নঙ ঐথোয়গী থৌরাংবসি অমুক্তদি কোকহনবীয়ুবা।

কন্না তক্লক্লবদা হুপীমচাহু চাইদেঙকোং অমদা ইশীং থন্না হাপ্তুনা উগী অহোবদা লাম্থোক্কে হেক তৌরকপদা নিংথৌ মচাহুনা হুপীমচাহুগী মপা লৈত্তনা নীংখিজরবী মশক্ত উরক্তুনা মসিদবু লৌরগে ইপা নিংথৌগী মনাক্তা মপুরগে খল্লহুনা খোজেল তপ্না হায়রকই—

“হা ইবেম্মা নখুং ঐথোয়দি অচপ্পা মীশক ওইখিদরে নিংথৌ মচা ঙাক্কি মরমসিনা পীদ পীথকপীরবদি শৈনাইবা মতৌদা পীজ পীংকপীগনু। থোং নিংথিমু হাঙদোকপীত্তনা পীবিয়ু ঙম্মরোই হায়রগা ঐথোয় মফম অসিদগী চৎচরুগে।”

কন্না হেক মতক্লবদা হুপীমচাহু মপানা লোনশিল্লম্বা থোংগী পুনা শম্তোক্তুনা চাইদেংকোং ইশীং থন্না হাপতুনা থোংজীন রাংমা হেক কান্থোরকপদা শেম শাহুনা লৈরবা নিংথৌ মচাহুনা শামুঙৌবগী মচাম্নুপীহুবু শগোনথক্তা চিংথত্তুনা মরৈবাক তম্না কন্না শগোল থৌহুনা চৎখরে।

শোমদনা শামুঙৌবনা মচীঙ্গক থিবা লোইরহুনা অহাওবা অমুনবা উহৈ রাহৈ কয়া হেক্তুনা পুহুনা মযুম য়োরকপা মতমদদি ময়ুম (মকোন্দু) হু থোং লাওনা হাংদোক্তুনা মচাম্নুপী লৈরমদবহু থেংনরম্মী! মতৌ অসি উরকপদা শামুঙৌবা নিংথৌহু থম্মোই শোক্কা মমিৎতগী মপি তাহুনা কপলকই— “ও! ইপাগী ইবেম্মা ইপানদি শা-ঙা ওইবনা চীঙ্গাক নত্তবা চাবা চীঙ্গাক তিন্নবদসিদা লৈনিংজ্রহুনা চৎলাবোইদকো, ইপান্না চিংনুং মান্নং রানা চত্তুনা ইচাগীদমক্তা থীরুরিবা উহৈ রাহৈশিংসি হুজীক্তী কনানা চাবীরগনি অরেম্বদা তারেদো” অসি হায়হুনা শামুঙৌব নিংথৌনা মনাতোম্না কোৎতুনা পূজরকপা উহৈ রাহৈশিংহু লৈমাইদা কোয়চাই চাইনা থাদহুনা কপতুনা লৈখরে।

শোমদদি মমা ইবেম্মা, মপা নিংথৌনা অমদি লৈবাক মীয়াম পুন্নমক্না শামুঙৌবগী মচা হুপীহু হেক উনরকপদা লৈবাকী লৈমা ওইবদা মতীক চপ চারবীনি খন্দুনা মচাম্নুপাবু লৈবাকী নিংথৌ অহুগা শামুঙৌবগী মচাবুনা লৈম হাপ-

তুনা মুঙাই য়াইফনা পানখরে। মতমসিদা মমা লুপ্রাবীত্বু কোমুংদা কৌখত্ত্না পনেম ইবেম্মা ওইনা মমা মচা পুন্না হয়াও মুঙাইনা লৈমিন্নখি।

কুইরবগী তুংদা হয়াওবা পাও অসি তায়ক-পদা চীংদা লফু চারিবা শামুঙোবা নিংথৌনা, মমিংতা মপি ত'না তানা, হর ওনা মন তোন লৈখত্ত্না জগোই শাখ'র।

(খোমজিনবা— পাচা

অঙোম মেম্মা দেবী

শেলহোদবা পূংজাদা

পুন্সিগী শেলহৌদবা পূংজা কয়াদা
হুরান্নুনা চঙখিবা
হে লমহেনবা রাজ্,
অঙৌবা কিনারগী ইন্নফিগুম
শারবা থম্মোইগী মচী খুদিং থুংনা
নংনা শাইদাংকম ওইহনা
পুঙমত্রবা পোৎলুমত্থ পীখি, নংনা ঐঙোন্দা

মমল য়াওত্রিবা থম্মোইসি পুত্থনা
চৎখি ঐনা সমাজগী মচী খুদিংদা
মনতিক্লগে হাইনা
শকথঙনত্রিবা কনাগা।

থম্মোইগী লাইয়েংমন,
মনতিক্লবা ফংত্রবদা কনাগা,
হন্না হন্না ব্রাকৎখি
লগাম য়াওত্রবা শগোলসিদা ইতোমতা
থেংজিন্দুনা কয়ারক হন্না
ব্রাকৎখি মপু খঙত্রবা মাঙোন্দা।

অত্নগা ঙসিনা
জগৎকী প্রলয, ঐগীসু প্রলয়,
অঙাংবা মহীসিগী মবীক খুদিংগা
লেপত্রবা থম্মোইগী ইফূৎসিগা,
চেম্ব্রমিন্নবক্লিবা ঈচেলসিগী তোর্ব্বানসিদা
কুম্মৈ যেংলি, ইতোমত্তা ফমহ্লনা।

সমাজগী কুম্মৈ, ঐগীসু কুম্মৈ
মসিনা পুন্সিগী কবম্বা রাকৎ
খঙগদৌবগী ঙাইবি ঐদি
লগাম য়াওদ্রবা শগোলসিদা
থেংজিন্দুনা ইতোমতা, হন্না হন্না।

লেপ্তুনা চেনখি যেংনা যেংনা
অহীংবা শগোল কযাসু
ঐগী মিৎকী মমাংসিদা খোশাবল্লগা
ঙসিগী ভাবা ফংনবা।

মখোইগীনা কবম্বা বাহ
মখোইগীনা কবম্বা শাইদাংফম
খন্না খন্না যেংহৌই ইতোমতা।
লিংখোক্নুনা চেনখি মখোইদি
শগোলশংদগী লিংখোক্নুনা অমমম।

জয় শঙ্কর প্রসাদ

মমতা

রোহতাস লানবলগী কা অমদা ফমতুনা ইনখৎলক্লিবী মমতা শোন তুরেনগী কম্না চেল্লিবা ঈচেল য়েংলি। মমতা লুখ্রাবীনি। মহাক্কী পুন্সিদি শোনগী মতোগুম ঈহৌরি। পুক্লিংদা অরাবগী চৈনা ক্বোক্তনা রাখলগী নোংলৈ, ম্নিংতনা পিগী ঈরা শিস্থরতুনা মহাক মুংঙায়বগী তিংখংগী কমুং থক্তা ওনথোয়তুনা থাংলি। মহাক অসি রোহতাস লালবলগী মপু অত্তুগী মন্ত্রী চূড়ামণিগী অমতা ঙাইজবী মমোমনি। মহাক্কী অরাংপা লৈবা ওইথোক্ত্রবনি, অত্তুবু মহাক্তি লুখ্রাবীনি,— হিন্দু লুখ্রাবীদি সংসারদা থ্বাইদগী তোল্লবা চঙজকম লৈত্রবা জীবনি. অত্তুনা মহাক্কী অরাবগী অরোয়বদি কদায়দনো ?

চূড়ামণিনা তুমিন্না মহাক্না ফম্লিবা কাহুদা চঙলকই। শোনগী ঈচেল অত্তুনা ত্রোং-ত্রোং হায়না চেন্থবগী মখোন্দুদা মপুন্সিহু লুপশিন্দুনা লৈরিবী মমতাদি মপানা লাকলম্বতু থঙথিদে। চূডামণিতু য়াম্না লাংতক্লনম্মী ! লুনা চান্না য়োকচরিবী মচাতুপীগীদমক করি তৌগদগে হায়না লেপ্পা ঙম্লমদে। মহাক মপান্দা অমুক থোকপ্রে। অস্তুম্না অয়াম্বা মতমদা তৌরম্মী, অত্তুবু ঙসিদি মন্ত্রীগী পুক্লিংদা অরাবা রাখল অমা থল্লম্মী। খোঙফাওবা চুম্না থাংবা ঙম্লমদে।

যুথক অমগী তুংদা মহাক অমুক মমতাগী মনাক্তা লাক্লে। হন্দক্তি মহাক্কী মতুংদা মনাই তরা থক চাউরবা লুপাগী পুথমশিংদা করিগুম্বা থরা হাপ্তুনা লেপলি। মী ময়ামত্তুগী খোঙথাং মখোন তাবদা মমতা লৈতুনা য়েংখৎলকই। মন্ত্রীনা পুথমশিং অত্তু থম্লবা মনাইশিংদা ইঙ্গিত তৌরম্মী। মনাইশিং পুথম থনম্লগা চংপ্রে।

মমতানা হংলকই— "সিদি করিনো, পাবুং ?"

—"নঙগীদমকনি ইবেম্মা ! খুদোলনি।" মসি হায়রতুনা কুপ্লিবা ফিত্ত চূড়ামণিনা হাইদোক্লম্মী। ঙাঙানরবা মুমিদাংরাইরমতুদা সনাগী নাপু মচু অত্ত শন্দোকপা হৌরক্লম্মী। মমতা খংপ্রেক খংলকই—

"মুক য়াম্বা সনা ! কদাইদগীনো ?সিদি ?

শ্রীজয়শঙ্কর প্রসাদ অনৌবা হিন্দী সাহিত্যগী লময়ানবশিংগী মনুংদা অমনি। ড্রামা, ৱারীমচা, উপন্যাসনচিংবা সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা শরুক্তা চঙখোম্না ইবা লেখক্লি পুম্নমক অসিগী মথক্তা মপুং ওইনা মহাক অথোইবা কবিনি। ভারতকী অরীবা সাহিত্যবু মাম্না মুংশিজনা সাহিত্যিক অমনি। অত্তুনা সংস্কৃত লোনবু লুনা নীংজবা অমা ওইনা, মাগী হিন্দী খুৎইদা সংস্কৃত ৱাহৈ কম্নামক্লম পুশিনবা উবা ফংই। অরাইবা রাখল অমদি অপিকপা থৌদোকশিংবু মমল য়াওনা পুথোক্তুনা কুপ্না নৈনৈ। মীওইবগী অথুম্না কিশিবু থোক্তুনা পুথোকই। ১৮৮৭ ইংদা পোক্লগা ১৯৩৭ তা শিখি।

কামায়িনী মাগী ফাওরবা কাব্যনি। দিখনতুনা অতৈ লাইরিক কয়াসু ইরম্মী। হন্দোক্লিবা ৱারীমচাসি মাগী আকাশদ্বীপ হায়বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ফাওরবা "মমতা" কনীনি।

।—হন্দোকলিবা

"তুম্মিন লৈয়্ম মমতা, মসি নঙগীদমক্তনি।"

"তদি পাবুংনা পাঙনশিংগী শেল চাররা? পাবুং মসি অয়েস্বনি, লন নত্তে। হল্লোকপিখো। পাবুং। ঐখোয় ব্রাহ্মণনি, সুক য়াম্বা সন্নাসি লৌবগা করি তৌননি?

"অসিগুম্বা লৈথা তাবক্লবা থায়নগী িংথৌশ গৈগী অবোটবা মতম নকশিল্লক্লবনি ইবেম্মা, তুমিং অমদা হেক্তা শেবসাহনা বোহতাসসি লৌশিনখিবা যাই। তুমিং অতুদি মন্ত্রী হাযবা ফমসি লৈববোইদবনি, মতমত্তগীনি ইবেম্মা।"

"হে ভগবান। মতমত্তগী দমক। য়াবগনি হায়বগী দমক সিগুম্বা থৌবাং। ইবুধৌগী অনীংবগী মাইযোক্কা সিগুম্বা থৌনা। পাবুং নিবা ফাওবা ফংলবোইরনে? ব্রাহ্মন্দা চেঙ থুয়া অমা ফাওবা হাপ্পিনবা অমতা পৃথিসিদা লৈববোইরনে? মসি ওইথোক্তবনি। মথোয়দা হল্লোকপিখো পাবুং, ঐ কিবনা থক থক নীক্লক্লে। মসিগী অবংবা- মঙালসিনা ঐগী মিৎ তাংহনগদৌবে।"

"অপঙবীসিদি" হায়রগা চূডামণিত্থ চৎখ্রে।

মথংগী তুমিৎতা দোলাই মাইথুম্বীশিং পরেং পরেং লানবন্দুগী মন্নুংদা চঙলকপত্থ উরগা বামন মন্ত্রী চূড়ামণিত্থ য়াম্না চিংনরম্মী। মহাক মশাবু ফাথবা ঙমলক্ত্রে। বোহতাস লানবনগী থোঙদা চৎখিত্থনা দোলাইশিংত্থগী মাইথুমশিংত্থ হাংদোক্লবা হায়রুরে। পঠানশিংত্থনা হায়রকই —"মসিদি তুপীশিংদা ইকাইবা পীবনি।"

য়া লংথৎলখ্রে। খুং থোক্লবে। ব্রাহ্মণত্থ মক্কমত্থদা অত্থম হাৎখ্রে। অত্থদগী নিংথৌ, মহারাণী অমদি লনগৈ পূবা লৌনম্বা শেরশাহগী মথুংতা তাখ্রে। অত্থবু মমতাদি নাহোকখ্রে। দোলাই মন্নুংদা য়াওবকপা পঠান লানমীশিংনা লানবন পুম্বা শিনথুংখ্রে অত্থবু মমতাদি থিবা ফংখিদ্রে।

কাশীগী অবাংথংবা শকক্তা লৈবিবা বিহারশিং। অসি মৌর্যগুপ্ত নিংথৌবেনশিংগী মিংচংকী লেমগৌখাকনি। নিংথাইরবা দলান, নাপীনা কুপশিংলব চেকপন অমদি চেকী মপৈশিংদা শন্দোকলিবা ভারতকী শিল্প কলানা ওলাংথাগী অহিংগী থ বলদা মশাবু ইংহনজবি।

বৌদ্ধ লখোয়বা মঙানা ইহান হায় গৌতমগী পাটতাক লৌনবগী পুনথিবা স্তুপ অত্থগী অত্থগী মযাদা পিক্লবা য়ুম অমগী মন্নুংদা থাউমৈ মঙালদা তুপী অমনা পাঠ তৌরি—

অনন্যাশ্চিন্তয়ন্তো মাং যে জনাঃ পূর্য্যপাসতে।

ইথঙ থৎতৌদনা পাঠ তৌবা লেপখ্রে। অকিবগী মশক ফংলবা অমদী নীংবা কায়রবা মুর্ত্তি অমা থাউমৈগী মুশি মুশিবা মঙালদা তুপীত্থগী মমাংদা লেপ্পবে। তুপীত্থ হৌগৎতুনা থোঙ খিংজনগে তৌরম্মী। মী অত্থনা হায়রকই— "ইমা! ঐগী চংজফম পীনবীয়ু!"

"নঙ কনানো?" তুপীত্থনা হংলকই।

"ঐ মুগলনি। চৌসাগী লানফমদা শেরশাহগী মথুংতা মাইথিরত্থনা চঙজফম থিজরকপনি। অহিংসিদা অমুক চৎপা ঙমজররোই।"

করি শেরশাহগী মথুংতা!— তুপীত্থনা রাথল তৌরকই।

"মাম্নি ইমা!"

অত্থবু নঙস্থ মাগুম্না তমথিবা মীনি। মাগুম্না অকিবা ফংনা নঙস্থ মী থোরাংই, মহাকীগুম তুংশিহৈত্তবগী মমি নহাকী নমাইদা তারি। হে লাম্মী! নঙ ঐগী থাংপোকশংলিদা লৈবা য়ারোই। চৎলো! অতোপ্পা মফম অমা থিক্লত্রো।

১। বৌদ্ধশিংগী লাইশং'

"খনাউসি কংলে, ইপাংস্তু কাযনবে, শগোলস্থ চৎপা ওমস্ত্রে। যাম্ম চোকথনবনি, নাম্না - "হাযন হায়সন্থনা হুপাড় ভেক লাউন ফমথগ্র। মহাক মকে ক য় ম্না শাথিনা খাওবে। হুপীতনা খল্লম্মী, অরাবসি কদ ইদগী লাকলিবনো।

মহাক্না ঈশিং থরা পীংক্রে, মুগলতুগী মথবাই অস্নুম্না কনবিরে। মানা খল্লকই— কনাগুম্বা পাঙল অমতদস্থ থৌজান পীফম থাক্লে— ঐগী ইপাবু হাৎখিবা যেক্লবনি।— তুকচবা বাখলনা মপুক্লিংত লাকচংগ্রে।

মশা কনথৎলতনা মুগলতনা হায়বকই "ইমা ছদি ঐ চংলোরা?"

হুপীতনা রাখল তৌবকই— "ঐ ব্রাহ্মণ চহুনি, ঐদি ঐগী ধর্ম্ম অতিথি সেবা তৌববুদি ঙাকপা তাই। অতুবু সিদা ---- --- নত্তে, নত্তে, পাঙল হায়বসিমক্তবু লোইনমক থৌজানবিফম থোক্তে। অতুবু সিদি থৌজালদি নত্তেনা --- --- ইথৌ তৌবতনি। অদু ওইরবদি।"

মুগল অতু মাঙদা শৌরতুনা হৌগৎলক্রে। মমতানা হায়রকই— "নঙস্ত্র নমথাক তৌরকনি হায়বসিজা করি ঙক্লিংঙাই লৈবগে? ঙাইখো।"

"নমথাক! নত্তে, অতু ওইরবদি হুপী, ঐ চংলে, তৈমুরগী ঈ-নবু হুপীগী মকমদা নমথাক তৌবা! চংলে। লাইবক্না তঙ্বা মরায়না লাকচনি।"

মমতানা মথমতা হায়জরকই— "মকমসিদি লায়বলম নত্তেদনা! থাংপোকশদনি, লৌনিংঙবা লৌজথিনম্বু, ঐদি ইথৌ পাংথোকপা তায়।

মহাক মপান থোকগ্রে অতুগা মুগলতুদা হায়রকই— ইমুংদা চঙগ্রে। চোকথবগা কিবগা য়াম্না হে অকী চংপা! মহাক ওইনীংবা অমা ওইহৌ ঐনা নঙগী চঙজফম পীবিরবনি। ঐ ব্রাহ্মণনুবীনি, অতে পূম্নমক্না ধর্ম্ম থাদোক্লবস্থ ঐদি কবিগী থাদোকংকগনি?"

মুগলতনা থাবলগী মঙালদা মতিক লৈরবী মাইথোংতু হাযফেৎ উখি, মপুক্লিংদা মহাকপু নোংঙবম্মী। মমতানা মনাকতরাইদা লৈবা তেরবা যুম অমদা চংগ্রে। মাগী ইমুংদনা চোকথরবা লম্বী চংপতু পোথাবি।

অয়ুক যাতৌবকপা মমতানা উরম্মী, শগোল তোংবা লানমী চামা চামা কোয়চং চংলি। পঙজরুবগী দমক মশা মথম্বু চৈবা হৌরক্লম্মী।

হৌজিক ইমুংদগী লে বক্লুনা লম্বী চংপতুনা হায়রকই "মিবক্না। ঐসিদা লৈলে।"

রাইহৈসি তেক তাবদা হরাউবগী থোঞ্জেলনা লম অতু পুমনিল নিনগ্রে। মতুদা মমতাতু অমুক্না হেন্না কিজরম্মী। লম্বী চংপতুনা হায়রকই— "হুপীতু কদাইদা লৈবগে? মহাকপু থিযু।" মমতা লোৎনবগীদমক অমুক্না হেন্না চেকশিনগ্রে। মহাক মৃগদাব [1] তান্না চংগ্রে।

হুমিৎতুমা অতুম মফদতুদগী হেন্দোকখিগ্রে।

হুমিদাংরাইরমদা মখোই ময়াম অতুনা চংননবা শেম শানবকপা মতমদা মমতানা তারম্মই, লম্বী চংপতুনা শগোল তোংথৎলমদাইদা হায়রকই— "মিরজা! হুপীতুদা ঐ করিমতা পীরম্বা ঙমগ্রেদো। মহাকী ময়ুম লাবীযু, মরমদি ঐনা খুদোংথিরবা মতমসিদা পোথাকম কংজখিবনি। মফমসি কাউবা য়াদে।" সিগী তুংদা মখোয় চংগ্রে।

চৌসাগী মুগলগা পঠানগী লালতু লোইথিবা মতম য়াম্না কুইগ্রে। হৌজিক মমতা চহী ৭০ শুরবী হতুবীনি। নোংমা মহাক থাংলোক

১। সারনাথকী অরীবা মন্দির, বনা।

মনুংদা হিপ্পুন লৈবম্মী। নিংথমগী অয়ুকনি। ক'না খুবা লে কী মখোলনা খাংপোক অহ পুম-নিল নিল্লি। মমতাগী সেবা তৌনবা হায়জুনা খুন অচুগী হুপী অনী অহুম মহাক্কী অকোয়বদা ফমলি মহাক্কি মপুন্সি চুপ্পা মী পুম্নমক্কী অন্না হুংঙাইবগী শরুক যাম্মিন্নরক্রবনি।

মমতানা ঈশিং থক্কে হায়রকই। হুপী অমনা কোজেং অমদা ঈশিং কন্দুনা পীথক্লম্মী। খঙহৌদনা শগোলতোংবা নিপা অমা খাংপোক অচুগী থোঙ্গান্দা লেপ্লরে। মহাক্কা মতোমতা হায়জরকই— "মিবজ্ঞানা পীরকপা নক্কা অচুদি মফমসিগী ওইগনি। হুনুবীচুদি শিরম্লনি, হৌজিক কনাদা হংগনি— নোংমা সম্রাট হুমায়ুঁনা করম্বা যুমগী মখাদা ফমখিবগে? থৌদোকসিদি চহী ৪৭ কী মথক ওইরে।

মমতানা মচেৎ ওইনা তারম্মী। মহাক্না ক্কমশেন্নবিবীদা হায়বকই—"মসি কৌশিল্লকউ।'

শগোলতোংবা অহ চঙলকলে। মমতানা মতৎ মতৎ ওইনা হায়রকই— "ঐ মাবু সম্রাটনা নত্রগা অচম্বা মুগল অমরা খঙদে, তৌবদি খাংপোকসিগী মখাদা মহাক লৈখি। মহাক্না ঐগী মুম শানবা য়াথং পীখিবদি ঐনা তাহৌই। ইয়ুমসি থুদেকপিররগন্না হায়না ঐ পুন্সি চুপ্পা কিক্কবক্লিবনি। অদুবু ঈশ্বরনা তাবিবে' ঐ ওসিদি মসিবু থাদোক্নুনা চংলবনি। হৌজিক নহাক্না মসিবু যুম ওইহনগে ওইহল্লো দলান ওনহনগে ওনহল্লো। ঐদি ঐগী মতম কুইনগী পোংথাশংদা চংচরবনি।"

শগোল তোংবহ রা মচেং অমতা ঙাঙদনা লেপ্লম্মী। হনুবীচুগী থরাই চেক্লা অহ মপান নাইত্রবা অভিয়াদা পাইখ্রে।

মফমচুদা চুথেক নিপান নাইবা মন্দির অমা শাবে, অচুগা মচুগী মথক্তা নুংদা হক্তুনা ইরম্মী —"মরোন তবেংকী মপু হুমায়ুঁনা নোংমা মফমসিদা পোখাখি। মহাক্কী মচানুপা আকবরনা মহাকপু নীংশিংবা ওইনা অসিগুম্বা অতিয়া পক্লবা মন্দির অসি শাবিবনি।"

অচুবু মচুদ, মমতাগী মমিংদি য়াওদে।

(হিন্দীদগী হন্দোকপা—
শ্রীগুরুময়ুম শ্যামসুন্দর শর্ম্মা)

থাংজম ইবোপীশক

ঐগী দাইরী

"অচুম্বগী দমক থরায থাগনি"
অসিনি ঐনা লাউনিবনা
অহুবু ইবম্বদি "অবানবা লীচৎকী
মোৎলবা ঈনা ঐগী শিংলী থুম্নবনি।"

ঐহাক পাঙদে অহুবু
পুন্সীগী দাইরীবুদি মীনমদে
অসিনি চাউথোকচনীংঙাই অমত্তংদি।

অমুকসু লৈবমই পবেং থবা
স্মৃতিগী মুংদা অমুবা মযেক্কি
"সুপী হায়বধু ইমানি
মীনা শাদগী তোপ্পদি
ফজবা লমচৎ অমসুং মীয়ুংশিগীনি।"
অহুবু থামম্বা অহীংতুগী নমথী হাঙৈ
মুংশীংনা সাক্ষীনি;
নোংমা ঐহাক কামগী পেম্নবা খিবদা
থরান থাগী চারাম্নববা চুই ওইখি!
ও: ঐহাক মিহুন অমত্তংনি কাম্নদবা
অশিবা শরা-শয়াঙ মুত্তিগী।

টিএইচ, ইবোহল

দলিল অদুগী শারং

ফম্লিবত্তু শুঙ্কলেঙ লেঙদবমথৈ মমাইদু খজিক্তুং লোংথংলগা সুভানা মমাদা খুম্লকই "মীনা ঙম্লোই হায়বেদনা, ঐদি শুকঙম ঙম্লোই হাযবিবসিনি।" অদুগা অমুক তান্নগুম সুভাতু, মরাইবক্তু মথুদাংদা ননশিল্লগা টেবিলদা মমাই উপশিন্দুনা তুমিন্না লৈখি।

"ফবে অদুদি ঐনা নহানমথৈ নংবু পুংজা খুদিংগী থেমতুনা লাক্লিবসি কান্নদ্রে হায়বা নত্র-দো? কৈক্ষ লৈতবা উনা অমতং কেল্লকপগী ফাওবা কলিকাতা অপুম্বসি শবা শম্নরিবনি হায়বা নংস্থু খঙদবা নত্তে। মতদবু থৈদোক অঙ্গমক মথোক্লরবদি নংস্থু ঐবু শোয়দনা পেলহৌরনি। অতুগ'ন নং মসিমদি খঙজহৌ, ঐনা খবা হাযরি ঙৈসিদা যাত্রগদি ঙসিদগী নংনা শিখিবা নপা-তুগী যুমসিদা নতোমতা হুংঙাইনা লৈজহৌবা, অতুগা ঐনা মীমাঙ থোক্লক্তিঁঙৈদা কদাইদনো অমা চংখিবা, মসিমদি নংস্থু খঙলেদনা?"

সুভাগী মমাতু শাউবনা খম থেংলে। মতম্নগা থেংজিল্লকপগা মানা তোগদোবা অতু কবিনো হায়বা মথা খম্বা থোক্তে।

"লোংথংলকউনে নমাইদো নঙোন্দা তুমিম্না লৈয়ু হায়বা নত্তে। ঙসাইমথৈদি নংবু নথৌনা য়াম্না লৈরম্বদাই?" সুভাদা ওনশিল্লগা অমুকস্থু মথা তারকখি।

অতুবু সুভাদি হান্নগী হান্ননি। কম্লিবতুগী মচা ফাওবা লেজললক্তে। অতুম ওইনমক মহাক-তুমিন্না লৈজবগী য়াতন্নি। থম্মোয় মতুংদা খল্লিবা য়াখল মন্নামতুদি পম থেংলে হায়বা য়াই। মমানা হায়রিবা য়াফমতু মহাক্লা হেক্তা ঙযাং তযং যাথোক্লুবস্থু ঙমদে। অতুগা মতুমক্লা তশে'না যাখিদবা মতাং থোক্লে, মতুগী মথাদা কবি থোক্লগদগে হাযবতুমস্থু খনবদা ঙকই। অতু-গীস্থু নথক্তা নহানমথৈনা নহানমথৈ ওইজপ্র-বস্থু মুমিদাং অতুদি সুভাগী অরেপ্পা য়াখল অমা মতোমতা লেপচনবগী অবোইবা হুমিংতু থোক্লমই। মতম্নগা চিশিল্লকপগা মাগী মপান থোক্লা চোংলক্লিবা থবাকী মিহুল অংস্থু হেন্না হেন্নতুম কনথংলকখি। সুভাগী য়াখলতু তশেংনা মনীং মমাং শম্নদ্রে হাযবতুনি।

"উম। নং খুমদবা ঙম্রেদনা? অতুন-কাদি চংনপোং নত্তে, মতম অসি থেঙথ্রবা জাং-নি। নংনা অপাম্বা অতুতা হেক্তা হাযয়ু।" ঙাই-হাক্তুংতুদা সুভাগী মমানা সুভাবু তকশিল্লক্লিবা অতুস্থু অঙকপনি। খল্লিঙৈদা খুম্নবগী মতম লৈতে।

কুইনা তক্লববা মমৈথংদদি সুভাতু, মথুদাং-দগী পি মনীক অতুতং মফৈগন্দা তৈথোক্লগা য়া অমত্তা ঙাংলমদবমথৈ ফূক হৌগংলকই। মী-কুপ অতুমক্তদা মিংশেল চনবা উপুগী থোঙ অতু অমগা অমগা হেক থেংগাইনবমথৈ খঙহাং হাং-দোক্লগা, মতুংদা য়াওবিবা ফিশিং অতু মথং মথং চিংথোক্তুনা লৈখাইদা চাইখাইরমই।

সুভানা ফি মযাম মরকুপগী থোইনা খল্লুবা তৌদনা, শেংনবা শাড়ি অমা হেক্তা লো-থংলগা মওং তাদনা পাঙত্রেৎতা য়েংশিনবগুম হায়া

সেমিজ শেৎলিবা অদু শুকলো লৌথোক্তবমথৈ মাগী সেমিজ অদুগী মথক্তা শাড়ি অদু শেৎচিল্লমই। অদুগা অদুক হোই মাইকা অমত্তা হাযদবমথৈ চপম্বংনা লেপতুনা লৈ।

সেমিজ মথক্তা শাড়ি হেক্তা শেৎচিনবা হায বহৈদি মগুংদ. লৈজখিবনি থোইনবু কাযদে। অদু বু ওসাইমথৈ শুরু শুক নোইথৎলুবগী মীৎপান্দা তৌবিব। কাজলগী অমুবদুদি মথজাই হেক যৌব মথৈ পুমচাই চাইথোবক্লমই। জটা তাবদোনা। পুমনৈ নৈশিল্লুববা মশমদুসু জটাগী জটাদু মঙাই রে। সুভানা শাউদুনা লেপ্লিবা শকফম অদুগা য়েংবদা অকিবা অমদুম পোক্লে হায়বা যাই।

ওসাইমথৈদি সুভাগী মমাদুসু, সুভানা তৌবিবা অদুতা য়েংদুনা তুমিন্না লেপতুনা লৈরমই। অদুবু মাগী মতৌদুদা মথোন অদু থরদং কাথবদুনা অমুক তপথনা হায়বকই “দণ্ডি নম্বেনে ইবেম্মা। ওসাই মথৈ কম্পিকবগী নমাই নমিৎকাহৃদি অমুক্তা তাথোকপিথোদনা। নশম ননাকাহৃদি হাৎত্রবসু হেক্তা চৎপা যাবব্রা?”

মমানা হাযবিবদু সুভানা শুকতা তানিংবা পোক্তে। মমাইদু অমুক তাথোকপা তৌত্রে। অচোৎবা ফি অহুতং পায়রগা মিংশেলতুদা যেংদুনা তৈথোক্লমই।

অদুগা সুভাদি চৎথোকপা খুদিংমক্তা মশমদু বেণী লোন্দুনা চৎচবগা মথধাইনা তাক্তে। অদুবু হুমিৎ অদুদি মাগী শমজেৎ অদু পাইবদুনা মকোক্তুদা খোয়ো খোবো খরতমক মখোৎলগা তোক্লে।

অমম্বা অহীং অদুদা সুভানা মাগী ভুমশুক তৌরবা মনাক্তোন অদু ফি-কা ফি কা হেক কাপ্পথৈ তেথরবা শিকারগী নোংশা অমোমগুম রা মচেৎ অমত্তা হুান্দনা মম গী মতুংদুদা থোঙ্গাল তান্না থোবকখি।

ওসাইমথৈ অমম্বা মবক্তুদা বানা শাঙলম্লবা অপীকপা কাব মচা অমখক্তি। সুভাগী মমা মচাদু থোঙ্গল যৌবক্তুনা হেক তোংখৎশতবু মঙাইবি। মহাকসু, মাগী পীক্রবা মখোল অমতং ঙংলদনা কল্যাণীগী থুঙ্গ অদ্ অদ্ম্যক খাদোকপা হৌবরমই। অথে বা অর্ঠং অদদা কল্যাণীসু বা অমত্তা ঙাংলক্তে। যুমালাম্লবা ইমুং অমত্তদা পাউ অদু তম্বা ওমলুদে। মংহৌশাগী মহৌশাগুম কল্যাণীগী খুঙংদি মমদুনা অতুম লৈহৌথি।

চেপ্লিবা গাড়িগী মমাংদা পাক্লা শন্দোবক্লিবা থাউমৈগী মৈথাল অদু হেক ফংলকপদা সুভাসু গাড়ি থৌবা নিপা অদুবু মযেক শেংনা উবকই। সুভানা নহা ওইবিবা নিপা অদুগী লুথমদু যেংল যেংলদুনা, মাগী নীংথিনা শেল্লক্ত্রবা মফি অদু হন্না হন্না শেমজিনবা হৌবকই। তুংগী নিঙদুদা ফমজিল্লিবা শাড়িগী মচাদু চিংথৎলগা সেগাবোমদা পুশিন্দুনা মখুৎনা চেৎনা পায়শিঙ্গে।

ইমুংদা ওসইমথৈ লাউনবকপশিংদুবু তাবু তাবমংগ্না বৌনা মংোমত্তা ইকাইবগী মিহুল অমসু হথু হাথু চোংলবখি। মপিনা মতুম মতুম তাশিল্লুবা শাংতক তৌবব মপাশিং অদু মখুদোনবিনা হন্না হন্না নাম্বোক্তুনা মচা তাহল্লমই।

গাড়ি থৌবা নহাদুম্ব মনীংদা ফম্লিবা সুভাবু ইউ উদবদি নত্তে। মমাংদা পাক্লা পাল্লিবা মিংশেল অচৌবদুগা নক্লনা মনীং ওনশিল্লক্তুনা নম্লিবা অপীকপা মিংশেল মচাইদা য়েংবদা সুভানা তৌবিবা খুদিংমকক্তু মহাকসু লোইনা উম্বা ফংই। অদুগা পোন্নতক তৌবদুনা ফম্লিবা মহাক্তী

ময়াংলেন অত্থ থরদংগা তিংখৎলবদি হান্না উরিবা সুভাগী মায়থোং অত্থ অমুকস্থ হেন্না ময়েক শেংনা উই হায়বা য়াই।

অত্থা নত্তনা, করিগুম্বদা সুভাগী ঈংলবী মমিৎ অত্থ, মাগী অশাংবা মপাশিং অত্থ ফাও-দোক্কুনা অপিকপা মিংশেল মচাত্থদা থম্লকপা মতাংকা থোক্লরবদি, মখোয় অনি হাইফেৎ মিৎ-চানরুবা তাঞ্জাকাস্থ ময়াওখি।

অথবু কল্যাণীদগী অপাকপা লমহাং মতেক মতেকশিংত্থ লাম্নোবক্কুনা বেরাকপুর য়ৌ-বকপা হায়বসি ফনা শাংলিবা লম্বীনি। গুসাই থোঙ্গালদা সুভাগী মমানা গাড়ি থোংনা নিপাত্থদা গুনশিল্লগা মরেল মরী থঙহৌদবা রাহৈ থরা শুক শুক নৈশিন্নখবত্থ নত্তনা অত্থক শাংবা লম্বী অত্থদা মখোয মশেল রাবী অমফাওবা শানরক্তে। রা অমত্তা ঙাংনবা নংদবমথৈ, মখোয় বেরাকপুর অত্থম্মক যৌরক্লমই

থুংলুরিবা য়ুম অত্থগী অহমগুবা মথোলদা লৈবা অনানবা কা অমথক্কী মঙ্গুংদনি। সুভাগী মম্মানা সুভাগী ওয় থংবা নাকন্দা ফম্লি। অঙ্গা মমাংগী চৌকি অমদনা য়েংবদা অকিবা পোক্ত্রবা অহল ওইরবা নিপা অমা চীংলেম্না ফমত্থনা লৈ। কা অত্থগী মঙ্গুংদা মথোয অত্থমতনি।

হেক য়েংবদা মরাল অমত্তা পিনিংবা পোক্ত্রবা, তনৌ তনৌরবী ত্থপী মচা অমথক, মমাংমত্তদা ফমত্থনা লৈরিবত্থ উমদা অহল ওইরবা নিপা অত্থগী থম্মোয় অত্থস্থ ইরাং লাংতক্লরকপগুম তৌরকই। কুইনা লোৎলুরবা পূক্লিংগী মিছল অমা মতোমতা ভুমিন্না চোংলকখি। মাগী ময়াই য়াওরবা মমিৎ অত্থনা সুভাবু য়েংলত্থনা অচিক্কপা কা অত্থদা থম্মোয়গী রারী কয়া মথং মথং হৌরক্লমই।

অত্থবু. হল্লুবগী খোয়জংত্রবা রারী মতেক্কু থুমদবা য়াদবা মতাংদা থরা 'হক থুম, থুমনিংত্রগা ভুমিন্না হেক লৈথোক, মতম অত্থতা হৌখিনবা মরাক্লে।

ঙাইহাক ফম্লবা মতুংদনি। অহল ওইরবা নিপা অত্থ অমুক হৌগৎখিত্থনা মাগী অতোপ্পা কা অমদা চঙখি। অত্থগা মাগী থাববা হিসাবকী বোই ময়ামত্থ মনীং তম্না পুথোরক্কুনা, মথোয়গী মমাংদা থারিবা টেবিল মথক্কুদা থাদরকই।

সুভাত্থ থোইনা ঙক্তে। অংম ওটনমক মমিৎ অনিত্থদি অমুক্তা কুপ্তবমথৈ মথোযনা তৌরি-বশিং অত্থতা য়েংত্থনা লৈমই মীকুপ অত্থগী মঙ্গুংদা অপাকপা টেবিল মথক্কুস্থ মাগী মমানা সহি তৌবা দলিলগী চেজেৎ ঙাক্তনা পীক থম্না চাইথোরকখি।

হল্লবত্থনা দলিলগী চেজেৎশিং অত্থ অমমমতা লৌথৎত্থনা, শোক তারিখকা লোয়ননা পারগা সুভাগী মমাবু কৃপ্না য়েংহল্লি। অচুম্বা অমস্থং অয়ানবগী মওং অমত্তা হল্লুবত্থদা য়েংলকপা তৌদে। অত্থগা অপুনবা শেনগী হিসাবস্থ থোইনা হংনরক্তে। সুভাগী মমানা হেক চেকশিন্না য়েং-লিবা হায়ববু, টনখিবা দলিলগী চেজেৎশিং অত্থ মশিং শুরত্রা নক্তগা রাৎলিত্রা হায়বসিতংদি কৃপ্না য়েংখি। ঙাইহাক্তুং অত্থদি কা অত্থ মিৎ শুক্লখিদে হায়বা য়াই।

পূমলোই লোইরবা মতুংত্থদদি, হল্লুবত্থ সুভারোমদা অমুক ওনশিল্লকই। "থঙলেদনা সুভা, নহাক নমানা হায়বা থুদিংমক য়ারেদনা? নংনা হায়মিংবা কল্লি নৈরি?" মরক্কুদা হল্লুবত্থনা হংলকখিবা রাহংনি। অত্থবু অচিকপা কা অত্থদি হান্নদগী হেন্নত্থম চিকশিনখি।

অত্থম ওইনমক, মীকুপ অমত্তা পল্থবা

তৌদে। মতম্মগা থেঙজিল্লকপনে হন্নবা অহুস্নু অহক হংলিবা ৱাহৈ হায়বত্তনি। মানা খল্লিবদি তৌগদবা থবক অহুতা লোইশিনবা হায়নসিনি।

সুভাগী মমানা তৌবকখিবা ইঙ্গিৎ অহুগী মতুংইন্না' মাগী টেবিলগী উপ্নহ ফাংদে ভুনা ইতোপ তোপ্পা দলিল অমমুক পুথোবকই।

হান্না শেম শাহ্নুগা থম্নবা দলিলনি। হন্নবহনা দলিল অহু সুভাগী মমাংমহুদা থম্ন হুনা, মাগী নাপল যাওবনবা রাহৈহুনা অমুকস্নু সুভাদা য়েংলগা হংলকখি।

"সে যেংউ। নংগী নমাগী সহিস্নু তৌবনি। যৌজিক মহাক্কী সহি অহুতা মঙাযবে। ইবিবা রাহৈশিং অসিদা নংনা যানিংদবা কবি য়াওরি?"

অহুবু সুভাদি, দলিল অহুদা ইবিবা ময়েকশিং অহু শুকপা পানিংদে। মাগী মমা ললোনবীনা ললোনবীবা, মাগী পুল্সিগী দলিলনি। পুল্সিবু পুল্সিনা হোৎপা অহুগী হিসাবতা লেপ মাঙবা তোংবগী য়াফমস্নু, মহাক্কী মমা ললোনবীতনা খঙজরসহু খল্লি।

হয়েং হেক নোংঙানবা কাওবতংদি, দলিল অহু ওইনিংবা অমা ওইজবমসন্নু, ইবিবা ময়েকশিং অহুস্নু ইনিংবতা ইজরম্নসন্নু, হাযনিংবতা হায়জরম্নসন্নু, থোক্লবা অমদি লাক্কনিদনা। সুভানা বাখল অসিদা মমায় কল্লবা কলম অহু পাম্নখৎহুনা, য়া অমঙা ঙাঙথোক্কবমখৈ, মাগী ভেমশিংনম্নবা সহি অহু দলিল অহুগী মথাদা হেক্তা তৌশিল্লমই।

হেক লোইবতবু মঙায়রি। ঙাইঙমত্রবা অহল অহুবা দলিল অহু অমুক লৌশিন্দুনা সুভানা তৌশিবা সহি অহু মুমা য়েংই।

—– মথাইনা তাওবা মতুংদদি মহাক্না দলিল

অহু মাগী অংগোপ্পা কা অমদা চঙখিহুনা চেকশিন্না থমজিল্লুবে।

খুদক অহুমক্তদা, নহানমখৈ শেন থুম অমসুং কানবাবগী লানফমদা মফম খঙদনা লৈবক্কবা দলিলশিং অহুস্নু অমমমতা শেগাইহুনা মথবাই যাওম্রবা অমনবা চেক্লেংশিংগী পোম্নাং হুদা লংশিনখি।

অহুগী মতুং তাবা মীকুপ্পি পঙলাংবু শংখিম্রে হাযবা যাই। সুভগী মমানা ঙসাইমখৈ চবাংনকববা কা অহু থাদেক্রমহুনা, মহাক্কী অশাংবা স্বব মপা অমতং হুগণী তুরেনগী তোধ্বান্দুদা হোন্দোক্রমখিনা অহু মঙাযবে।

কবম্না পুল্সিগী কানব ব স্নবক্তা, চেল্লিবা গাড়িহ তোংনা তোংনা কবম্না পুল্সিগী হিসাব অমমুক নৌনা হোৎপা তৌবক্লমগদগে হায়বহুস্নু সুভানা মাগী মমাবু খঙবা ঙমদে।

অরাংবা দলালগী থেংংনাওদগী য়েংথখিবদা সুভানা উবিবা হাযববু, চমন্নববা কা অহুদা মতোমতা থম্বিবম্নগা বেবাকপুব থাদোক্তনা চেনবা হৌবল্লিবা অপিকপা গাড়ি মচাহ, বেৱাকপুৱবু অস্নুমক লাপথোকহ্রে হাযবসিতনি।

অহিং অহু সুভাদি বাখল অমদা চপ য়ুংলমই। শুকতুম তুমথবা ঙমদে। মনিল য়াওত্রবা থব কুগী মথাদা, মাগী ঙৌববা কুচু অহু কালিমুক মুনিংথি মিংশেল যেংবদা মতোমতা শুমহৎচববী মহাক্কী ম যথোংহু, মীনা হেক য়েংবদা তুকৎচরবী শকথীবী অমা ওই নংথি।

তশেংবমক অথেঙবা অহীং অহুদা মহাক্না মাগী পুল্সিগী অরোইবা বাখল কয়ামুক অরোইবা লৈতনা খন্নবা হৌরকখি।

অহুবু বানা খাঙলিবা অহিং অহু হৌখিহুনা নোংঙাল্লকপা অয়ুক্কদি সুভাগী মমাহু

য়াই পুরবী তাংজ অমোমগুম ইতন তম্বত্রনা লৈবমই। করিগী অতুক চোকথরিবনো, মতো-মতা কাওবা খঙজদে। কোকতোন হাইগংলপা ফুমিংকী মঙালচু কংবদা মশাচু হেন্না হেন্নচুম চোকথবা হেল্লকখি।

অচুগা অহিং চুপ্পা নাপল ক রুরবা হমু-বম্বসু তুমথখিবতা মঙাইরিমাল্লে, মমাইগী অথুইবা উনশাচু মশিং কাববা শরুত্রনা নম্বত্রনা অশিবগুম পরুবা ফমু' মথক্কুদা লোংনা তারি। অযুক্কী থোংনাওদগী য়েংথখিবদা, ঙরাং অহীং শোং-হৌবা তোর্বানগী খোংশোংশিং অচুসু রা অমত্তা ঙাংলক্তে।

তাঞ্জাচুদা অহীংগী গাড়ী থৌবা নহাচু থোঙাজল্লোমদা হোবে হোবে চংলকপা উই।

ইহে! হন্নবগী গাড়ী থৌবা. মুপা, অসি লাক্লমাল্লে, কা অসিদা চংলক্কুনা মতোক্লরনি.!!

শুভানা অতেনগ্না খর মকী অমক্কং খাঙতল্লগী অমুক হোল্লোক্কুনা অপীকপা থোংনাও অচু মখোন থোক্লা য়ৈশিনখি।

শ্রী বাহেংবম নিমাইচান্দ সিংহগী

"ওঝা,

(A critical study on educational system of India from Guru system to European system of Education in India)

লাইরিক অসিগী মনুং চনবা মরু ওইবা মতাংশিং [1) Sixth Century B. C. Ancient Parsian [2) Second Century B. C Parsis, (3) Eight Century B C.—Arabs. (4) Eleventh Century B C—Muslim. (5) 16th Century B. C—English.

লোয়ননা ওঝা ১মুং ছাত্রশিংনা নৈনবীবদা কান্নরগদবা মতাং কয়া—।

লাইরিক য়োনকম থুদিংদা ফংবীগনি। মমল—লুপা ২.৭৫

অশম্বা পুন্সি ৱারী

ৱাঃ কুঃ শীতলজিৎ সিংহ

ঐহাক শীতলজিৎকি মমিং পিশক পিক্লি-থৈদগী হৌনা তাবা ফংথি শকখঙনবা হৌবনা মাগী "ৱোহিণী" অমসুং "টম।" নি । মতুংদা ৱাৱী শাবগী খুদোংচাবা কয়ারক ফংখি অতুগা লোয়নবা ওঝা অমা ওইনা ঐগী কোক নোঞ্জনগী খুদোংচাবসু নাম্ভোকখিদে । অতবু হন্দক মরক মহাক্না ৱারী শাবদা অঙকপা ফংনা হুংঙাইবা ফাওখি । চহি ৬৮ শুরবা মাযথোংদা ওম্থোক্না চীঙলেম্না লৈরি । নাত্তোন শুমাংদা ঙৌরবা কোই অতুগা কোক্তসু অঙৌবা শম। মমিং লাউতক তৌবা, নাত্তোন তুম্বা, ৱাং চাউরবা শবান অতুগা লোয়নবা চীংলেম্না নোকপত্তু, কাউঙমত্রবা শকফম অমা মহাক্না মায়থোক্লখিবা খুদিংদা পি । নিংথিরবা শকফম অত্তুতসু নত্তনা ৱা ঙাংবদসু মীবু থাজহনবগী থোম্থাং অমা য়াউই । ইংরেজী ৱাহৈ কয়া য়াম্নবা ৱাফমশিং অহু পুন্সিগী হোংলোয়দবা মাল্লি ।

মহাক্না হায়, "সাহিত্যদি অফবা শম্দোকপা অচুম্বা তাকপা, Educative purpose ওইগদবনি ।' অহ্গা অমুকসু মথা তাথৈ, 'মসিনা লাইরিক অহু হম্বা থাক্তা লৈবগী ৱাফম নত্তে, পৃথিবীগী লাইরিক অয়াম্বা Propagonda তাক্ত-নি ।" ৱাফম অসি ঐঙোন্দা ওক্না করিসু থোক্তে । মরমদি মাগী লাইরিকশিংনা সাক্ষিনি। অচুম্বা তান্নবা, গীতাগী অমদি ধর্ম্মগী অৱাংবা আদর্শগী মরমদা শাগৎপা তাইবঙনা মাগী সাহিত্যগী জগৎনি । ধর্ম্মনা পুন্সিগী লমজিংনি। ধর্ম্মগা পুন্সিগা থা-ন-বা য়াদে । মসিনা মরম ওযত্তুনা মহক্লা ধর্ম্মগ। মরি লৈননবা "শ্রীশ্রী-নবোওসদসকী লালসা' অতুগা লুচিংবশিংগী মবক্তগী ফিদম্লিংঙাই ওইরবা "সুভাষচন্দ্রবসু' ইথোক্লকখি ।

নোংমা আঙমীডদা মহারাজকুমার জযসিং-হগী ট্যুটব ওইড়না লৈবিঙৈদা নোঙ্গথ্রবা তেলেম যোগেন্দ্রজীৎসিংহনা চিঠি অমা ইরকখি—মহাকপু খবা তেংবাংবিয়ু, অকবা সমসা অমা কোক্লবা পাউতাক খরা পীবিয়ু । পাউথুম ওইনা শীতলজিৎনা শম্না ইখি—হরিনাম শোন্দুনা মমিং খুদিংগী পুক্লিং ফাজিল্লু । মতম খনগী মতুংদা চিঠি অমুক ঈবক্লে—অৱাবা কোক্লে । হৌজিকসু শীতলজিৎ অমুক খুদিং লাই খুরু-মত্তুনা, ধর্ম্মগী নিযম কযা ঙাক্তুনা তশেংবা বৈষ্ণবকী লৈবাক্লি হাযনা উৎপা মীশক কয়াগী মনুংদা অমনি ।


শীতলজিৎকী পোক্লফম লমদমদি কাঙবম লৈকাইদনি। ইংশোক ১৯১৪ দা পোকই । মৈদিঙঙু চৌরজিৎকী শেংলবা স্না ঈগী থারানি। শ্রীলছমন সনানা পোকপনি। লছমন থোয়দোক্লা লাযরিক লাইশু হৈবা মীওই নত্তে । ঠিকা মচা মগা তৌহনা পুন্সি হিংই । মীরৈবাক্লা চত্তুনা শেল তানবনা অথোযবা শিনফম ওইখি । চহি নিপাল চংলকপদা মাবু পোকপী কামি-নীদেবীগী মপামদা মনে অমদি মামশিংনা কোম্দুনা কৈশামথোংদা লৈখি । কামিণী স্নাম লাল পার্লগী মচাতুপীনি । ইনাক-কৈরাক থুনবদা মনিল নাইবা ইমুংনি । অতুগীসু মথক্তা শীতলজিৎনা ৱাম্না

পিক্লিরৈঙদা মমাগা কাযনখি। মবম অত্তুনা কৈশামথোংদা মযুম অতুমক ওইখি।

কৈশামপাৎ, কৈশামথোং এল, পি চীঙত্তা ইউ, পি, বেঙ্গলী এম, ই, দা মথং মথং তম্লক্লুনা জোনষ্টোন হায স্কুলদা চংই। অতুদগী ইংশোক ১৯৩৪ কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়গী মখাদা মেট্রিক পাস তৌই। মথংদা গৌহাটি কতন কলেজদা তমত্তনা শোক ১৯৩৮ দা কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়গী বি এ পরিক্ষা আর্নসকা লোয়ননা পাস তৌই।

বি এ পাস তৌবগী মতুংদা মাগী মামশিংনা অপোকপগী মমিংদা মবম্নাই লিঙখৎপা " লাল পাল হায় স্কুল" দা এসিষ্টেন্ট হেড মাষ্টর ওইত্তুনা থবক তৌবা হৌই। মবক্তা থবক কয়া তৌরুলবস্থ ওঝা ওইবা অমদি ইবা পাবা অমিনা মাগী পুন্সিগী মরুওইবা শিনফমনি। শোক ১৯৫০ দা "রাম লাল পাল হায স্কুলগী হেড মাষ্টর ওইনা থবক পুম্রিরৈদা অহানবপ তম্ফাসনা গাবলস হায স্কুলদা, কাঙ্খীপুর পে লীটেক্নীক স্কুল, জোনষ্টোন হায় স্কুল ওঝা ওইত্তু থবক তৌরকই। অতুগা ধন মঞ্জুরি কপে জনা লৌরিরৈদা ইতিহাস তম্বিহনা তেংবাংখি। মহাকী অথাংকনবা অমদি অচেৎপা রাবককি মখাদা "রাম লাল পাল স্কুল অসি মণিপুরদা মমিং নাইবা স্কুল ওইরমখি। মসিগীসু মথক্তা ওঝা ওইবগী মতিকচাবা শিক্ষা পাংথোকপগীদমক ভারত সরকারনা শোক ১৯৬৭ দা "নেশনেল এরার্ড" পিহুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

মহে ভরা লোইরক্তনা অহানবা পুন্সিগী থবক পায়খৎলকপদা শীতলজিৎনা মবৈবাক্কুং-শিবগী থম্মোয় অমদি রাজনীতিগী শকফম অমা উৎখি। মতম অতুদা ভারতমী বাজনীতিদসু



বাঃ কুঃ শ্রীতলজিৎ সিংহ

মথুম মবাং লৌবা মতমনি। মণিপুরদসু মতুগী মনিল যৌবকখি। "মণিপুর মতম" কৌবা মবম্ন ইগী পাউজেল চে মুনা মণিপুরগী সমস্যা নৈনবগা লোয়নন ভবানোর্ল।জমগী ঊকৌ অমা পুরকখি মতম ফনা চথনক্লবগী মতুংদা অনিশুবা লম্বাও লাকপা মতমদা চে ফংক্রহনা "মণিপুর মতম" গী পুন্সি লোয়শিনখি। চে অসিনা লেপখিবগী মতাংদ শ্রীমীনবেতনমা অশুম্বা মত কোংদোকই, "মণিপুর মতম" না লেপখিবা লৈবকী অমাঙবা অমা ওইনা ঊয়বসু তশেংবমক্তি লৈবাকী যাইগবনি। বরিনা? মহাক্না পাউজেল চেদা লুপতুনা লৈবম্লবদি ঙসি মৈতৈবাক্কা মাগী লইবিকশিং ফংলম্লোইদবনি। মহাকী মপুক্সগী খোঙফম ওনবগা লোযন লোয়ননা মৈতৈ সাহিত্যনা য়াইফবমদা কায় হাযবদা খোইনা লাম্লিঙও ই লৈরোই।' (মৈতৈ উপন্যাস)। মসি-

দস্থু নত্তুনা ওঝা ওইনা "ললিত মঞ্জরী" অদুগা "তরুন মনিপুর" চফোংশিংগী হৃডিব ওইদুনা ইবগী যাংকৈদা অমদি লৈবাকী সেব দ বল্লাময ওনশিনব হৌখি লাল মোংদ ইংরেজী থবব লৌবা মৈতৈ মচা অনিথক্তা লৈব (শ্রীএল ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং শ্রীএল, সনাজাওবা সিংহ) মতম অদুদা মযান থববশিংগী—অন ন্দবাজর, অমৃতবাজব, আসাম টিবুন, স্টেটসমেন নচিংবগী পাউ পিবগী থবক তৌখি। অসুমা মসিগী পুন্সিগা থদাং পাংথলকপদা মতমগী শাফুবা কন্না মৈতৈ সাহিত্যগী শমদংদগী থোক্রবনসু মহাকী মপুং ওইবা শকতং সাহিত্যিক অমনি অমসু মশক নাইবা অচৌবা শান্তিগী ফি রেংগি।

অদুবু ওঝা শীতলজিৎকী মক ওইবা দান কবিনো ? হৌজিক্তি ব্রাহং অসিগী পাউথুম অমথক্তা নত্তে। হৌজিকী মীচম অমগী অশঙ্বা পাউথুম্না,—"ওঝা শীতলজিৎ, ডিক্সনাবী লেংবা টেক্সবুক ইবা, অদুগা থব ভনথংপা পুক্তিগী ভানফমদা, সহিত্যাগী মাযকৈবোমদগী থুম্নকনি,—"ওঝা শীতলজিৎ, বোহিনী, ইমা হবা, বাবি-মচা ইবা।" প উথুম অনিমক ইথাম্নুংদা কোন্দুনা থম্মদা মতিকচাবা ও জুনি মৈতৈ মচা ঐখোযগী। চহি তরুক চনা হোৎনজমনগী অচৌবা দান "ক্লেওস ইংলিস টু মণিপুরী ডিক্সনারী, মণিপু-রদা মতম শুক্রনা বাত্তুনা লৈরবা পোৎ অমা মেনখৎপিরম্বনি। অদুগা অনৌবা মণিপুরী সাহি-ত্যা শেমগৎলবপদা শীতলজিৎকী কলম যাও-ম্নবনি। মহাকী দান কবিগী কাউথোকফম থোকই ! মণিপুরী সাহিত্যাগী "ব্রারী মংগ"গী লমজিং মৈরা পায়বনি। শীতলজিৎতি ব্রারী মচাগী মশক মওং নাইনা হৌদোক্লম্বা মণিপুর সাহিত্যগী এলান পোংনি।

অদুগা উপন্যাসকাব ওমা ওইনসু মহাকী ফমফম চাউনা লৈ মহাকী "থাদোকপা" মণি-পুরি সাহিত্যদা অহুমশুবা উপন্যাসনি ("মাধবী, লবঙ্গলতাগী মথ দা লান মমাংদা অমদি লান কাযনকপদা ইমালোল ফুংশিবগী ঈখৌ লাংলক্রবা মতমদা শীতলজিৎকী লাইবিক কযানা ইথোলা বা কোকহনাথ। কলম পাযবা, ছাপা [illegible] ইবা [illegible] [illegible] [illegible] কাযারক [illegible] মত বসু অ[illegible] [illegible]বা অমনি।

মহাকা [illegible] শেংবংদি ইরব [illegible] "শিবা" কৌন শৈবেং শক্তনি [illegible] পাএকা' দা মমিং লোওনা যেংখি "মং [illegible] এণ্ড প্লটস" কৌবা ইংরেজী লোন্দা ইবা বাবী মচা অনসু কলেজগী ছাত্র ওইরিংদা ফোংখি। নোংমা ইংরেজী থবব অমগী আর্টিকল অমা পাকবদা "Your name within a nation's prayer Your music on a nation's tongue"—হায়বা সরোজিনী নাইডুগী বাতশিং থেংনকবদগী "সরো-জিনী নাইডু" কৌবা শৈরেংদু ইনবা থম্মোয়দা ইনশিল্লকখি। ব মাযণ ইনবা তে ৎ-নবদগী "বালমীকি" শৈবেং লাইবিক পুখোবনি। মসি নত্তবা মাগী লাইরিক কযা—কেতুকী, ইংগৈ-লাংবা, লৈমুংশি, লৈকোলমুংদা অসিনচিংবা লৈবি। অদুগা কোংক্রিবা—"চিত্র" "লমভেল "এক্টবনচিংবসু লৈরি। মসিগী মথক্তা শরুক মবক্তা ফোংবা ব্রাবেং—শৈরেং কয়ানি। কলমগী ঈচেল তপথবক্রবসু ঈচেল লেপখিবদি নত্তে। মসিগী মতাংদা হংবা মতমদা মহাক্না থুমই,—

'ইনিংবা অমদি পানিংথগী ইথৌ লাংবা মুং-খিবা মস্তে অক্তবু হিংবদা চংব্রেবা য়ত্রবা শেল তানবনা ঐগী খুং লেপহনখিবনি। মিংকুপ্তু ঐগাক খজিক্তং ঙকগাল্লবা পোকখি। মবমদি ইবগা শেলগা কবি মবি লৈনবগে হায়না খল্লু-কই। মহাকস্তু ঐনা চিংনবিবত্তগী মবম খংল-মাল্লে অমুকস্তু নোক্তুনা খুল্লকই,—"শেল যাম্না পাম্নবা মী—ইবা ঙমদে।"

শ্রীনোংমাইথেম তোম্বী সিংহ

সাহিত্যগী জগৎতা

নিউয়র্ক লাইব্রেরিদা এলিয়ৎকী খুংই

নিউযোর্ককী নভেম্বর তাং ২ গী পাউ অমনা হায়বি—ইংবাজি সাহিত্যগী মোদর্ণ পোইট্রিগী অথোইবা কবি টি, এস, এলিযৎনা ইবা "দি ব্যাষ্ট লেণ্ড" হায়বা ফাওববা শৈবেং অত্তুগী খুৎনা ইবা ছাপানমত্রিবা কোপী নিউযোর্ক পব্লিক লাইব্রেবিদা চেকশিন্না থম্নবা দোলাব ১৮,০০০ দা লৈব্রে। খুংই লাইবিক অসি ইঙ্গ্লাণ্ডতা পাউণ্ড হায়বা এলিযৎ মশামক্লা যাম্না ইকাইখুম্নবা ১ক্কি মশামকপু মোদর্ণ পোইট্রিগী মাইকৈদা কম্না লমজিংবিথিবা কবি অহুনা ইডিট তৌববনি। অহানবদদি, এবিযৎনা পামজবগী মতুংইন্না মাঙ-হনগ্রে হায়না থাজনবম্মী। মিষ্ট্রেস কোনরোযদগী কবি অসিনা ইরম্বা অতে অতোপ্পা কোঙত্রিবা শৈবেং ৩৬ থক্কস্তু ফংলে। কোনবোয় হায়বিবী জুপী অসিগী মথুন্না থোকই এলিযেৎ অসি। এলিয়েৎনা মরূপ মপাংশিংগা ইথোক-ইশিন তৌনবম্মা চে থরস্তু কোনথোযনা নিউযোর্ককী লাইব্রেরিযাম্দা শিন্নখি। ফংলিবা খুৎনা ইবা লাইবিক অসি টাইপ তৌহ্নুনা ইবা মওংনি। মরমদি এলিযৎকী মখুং নীকপগী লৈনা অমা লৈ।

মৈতৈ ময়েক্কী সেমিনার

তাং ৩১। ১০। ৬৮ ইংদগী তাং ১। ১১ ৬৮ ইং ফাওবা কুমিৎ নীনি চুপা জোনস্টোন হায়াব সেকেণ্ডরি স্কুলদা মৈতৈ ময়েক সেমিনার কমিতিনা শীন লাংহুনা "মৈতৈ ময়েক সেং-মিনাব" অমা তৌখি। কমিটি অসিগী সেক্রে-টরি শ্রীরাজকুমাব প্রিয়গোপাল সিংহনা ওইবি। সেমিনারগী ডিরেক্তর অহানবদা শ্রীসনসম গৌ-রহরি সিংহনা ওযরগা অবোইবগী খুৎকন্নদদি মণিপুরগী মহৈ মশিংগী মন্ত্রী শ্রীনিংথৌখোংজম তোম্বী সিংহনা ওইখি। মীফম অসিদা মণিপুবগী মপান্দগী মৈতৈ, আল্রোদগী, কয়েংদগী অমদি মণিপুরগী থাম্ব থাম্নবা কাচিন কোয়াদগী মৈতৈ

ময়েক্কী খুভনম্বা মীওইশিংনা দেলিগেট ওইখি। অছুগা কাংবু খরনদি য়ানিংদবা উৎতুনা যাও রোই হায়না মীকম অসিবু ইম্বোরকখি। চাউবা খেন্নবা মত অনিখক্তা উখি—ময়েক ১৮ গী কাংবু অমগা ময়েক ৩৫ গী কাংবুগা অনি চোং-খোরকই।

মীকম অসিগী রারেপ ওয়না শ্রীচন্দ্রকৃতি মহারাজদগী নীসুরচন্দ্র মহারাজ সনাহাক্তক ফাওবা সনাকোম্বংগী পণ্ডিত ওয়খিবা সম্নাংথেম পণ্ডিতনা পুখোরুম্বা গ্রিয়াসননা ঈবা "Lingu-istic Survey of India" হায়বা লোন খিজিনবা লায়রিক অছুদা য়াওরিবা ময়েক ৩৫ না অচুম্বা ওয়গনি হায়না য়ানগ্রে।

১৯৬৮ চহীদা সাহিত্যগী নোবেল প্রাইজ

১৯৬৮ চহীগী ওয়না সাহিত্যগীদমক নোবেল প্রাইজ জপানগী উপন্যাসকার য়াসুনোরী করাবতাদা স্বিজ একাদমীনা পীগ্রে। এসিয়াগী নোংপোক থংবা লমদা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী মথংদা নোবেল প্রাইজ ফংবা অনিশুবা সাহিত্যিক্নি। করাবতা ১৮৯৯ ইংদা ওসাকাদা পোকখি।

ডি দব্লিউ এইচ স্মিটকী সাহিত্যগী মনা

মমিং চংলবা উপন্যাসকার ভি, এস, নাইপাউল মহাকী মমিং চংলবা "দি মিমিক মেন" (The Mimic men) হায়বা উপন্যাস-কীদমক ১৯৬৮ চহীগী ওইনা "দি দব্লিউ এইচ স্মিট, এণ্ড (পাউণ্ড ১,০০০) পীদুনা ইকাই খুম্নগ্রে। মনা অসি বৃটেন অমদি বৃটিশ কমল-ৱেল্থকী লৈবাকশিংদা চহী চহীগী ওইনা" ইংলাজি সাহিত্যদা খোইদোক হেন্দোক্লা দান তৌবা ফুবা' মীশক্তা পীবা মনানি।

নাইপাউলনা চহী ৪০ যুম্না শুরিবা ভারতকী মীনি। পোকখ্রা ৱেষ্ট ইণ্ডিজগী ত্রিনিদাদ হায়বা কমছুনি। দি হাউস ফর মিঃ বিশ্বাস প্রাইজ,দি সামরসেট মাম এৱার্ড, দি লেবেল্যান রাস মেমোরিয়েল প্রাইজ,দি ফোইনি ট্রেষ্ট এৱার্ড নচিংবা সাহিত্যগী মনা কয়াম্সু ফংখ্রবা লেখক্নি। মানা ঈবা মমিং চংলবা লাইরিকশিং— (১) দি মিস্টিক মাসেউর, (২) দি সফ্রেজ ওফ এলভিরা, [৩] দি মিগুএল ষ্ট্রিট, [৪] দি হাউস ফোর মিস্টর বিশ্বাস, [৫] মিষ্টর ষ্টোন এণ্ড দি দি নাইটস কম্পেনিয়ন, (৬) দি মদল প্যাসাজ, অমদি (৭) এন এরিয়া ওফ দার্কনেস নচিংবা অসিনি

মণিপুরী সাহিত্যগী সমারোহ

তাং ২৪। ১০। ৬৮ ঈংদ কুকি হোলদা আকাসবানী ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুরী সাহিত্যগী তোঙান তোঙানবা শকক্তা তোঙান তোঙানবা বক্তানা নৈনখি। মবু অমুক রেডিওদা তাং ৪। ১১। ৬৮ ইংদগী তাং ১০। ১১। ৬৮ ফাউবা নুমিৎ তরে নি চুপ্পা থাদুনা তাহনখি। মণিপুরী রাবেংদা শ্রীচিংখাম পীশক সিংহনা, কবিতা শ্রীকলাচান্দ সিংহ সাস্ত্রীনা, নাটকতা শ্রীনীলাকান্তা সিংহনা, উপন্যাসতা শ্রীহিজম গুনো সিংহনা, রাবী মচাদা শ্রীনোংমাইথেম তোম্বা সিংহনা অমদি লোক সাহিত্যদা শ্রীমানকেতন সিংহনা ভাগখি। ইরোই লোইবদা তাং ১০। ১১। ৬৮ ইংদা ভাগখ্রিবা বাকমশিংগী মরমদা অমুক শ্রীতোংব্রম গীতচন্দ্র সিংহ, শ্রীমনিহার সিংহ অমসুং শ্রীগৌরদাস সিংহ অহুম্না পুম্না নৈনখি। সভা অসিগী সভাপতি শ্রীনিংথৌখাংজম তোম্বী সিংহ মহৈ মণিংগী মন্ত্রিনা ওইখি।

লাইরিক ঈবা অমসুং কোঙবগী দণ্ড

বাংলা লোনগী চয়োল চয়োলদা কোঙবা 'দেশ' হায়বা চেকোৎগী ১৯৬৮ চহীগী পুজা চেকোৎদা 'প্রজাপতি" হায়বা সমরেশ বসুনা

ইনা টপনা স অমা কে ভসুদা শলিকতাগী চিফ প্রসিডেন্ট মেজিষ্ট্রেট কোর্টতা লইবিক অসি অকামপেং ওই হায়না কেশ তৌনখি। অইবা অমসুং অফোংবগী মথক্তা কলিকতাগী উকিল অহুগা চেফোংডসিবু পাবা শ্রীঅমলকুমার মিত্রনা কেশ থজংখিবনি। অইবগীদমক বাংলাগী বুধদেব বসুনচিংবা লেখক কযানা মীচঙ চঙহনা বা ডাঙখি। হিন্দুগী থাইনগী ধর্মগী লাইবিক্তা যাওরিবা,' লাইশংশিংদা যেকলিবা লাইশিংগী ওইরিবা মশক পুথোক্লনা অইবগী মীচং চঙখি। অদুবু অরোইবদা ডিসেম্বর থাদা কে, জে, সেন চিফ প্রেসিডেন্ট মেজিষ্ট্রেটনা সেক্সন ১২৯২ আই পি সিগী মতুংইন্না অইবা সমরস বসু অমদি দেশকী অফোংবা অমদি অনম্বা সিলিস্রু কুমার দাস অনিবু লুপা ২ ১/২ ১ কোংথ্রে। মসি নত্রগা সিম্পল ইমপ্রিজিমেন্টতা থাই। জেলদা লৈগদবনি হায়না বায পীথ্রে। উপন্যাস অসিদা য ওবিবা অকাম্বা রানি হায়না লৌরিবা শরুক পুথোক্তনা হাযখি। অদুগা সেক্সন ২১ সি আর, পি, সিগী মতুং ইন্না লাইবিক অসি পুমমাও মাডহনগদবনিস্রু হায়খ্রে।

খণ্ডহনজবা

* 'রাখল—সাহিত্যগী চেফোংনি। থা ৩/৩ গী ওইনা জুন, সেপ্টেম্বর, ডিসেম্বর অঅসুং মাচ্ছতা ফোংজগনি।
* লেখকশিংনা মশানা ইবা নত্রগা অতোপ্পা লোন্দগী হন্দোকপা থাবিরকপা য়াগনি। য়ারেং শৈরেং থাবিরকপা মতমদা 'রাখল' দা ফোঙথিযু হায়বা য়াবোল অমত্তং পনবিরকউ।
* লাইবিক মশক তাকপগীদমক্তদি লাইরিক কোপি ২/২ থাবিবকউ, লোয়ননা লাইরিক মশক তাক্লনবনি হাযবা য়াবোল অমসু ইবিরকউ।
* 'রাখল'গী এজেন্টশিংদা মতীক চাবা কমিশন পীজে। এজেন্ট ওইবিনীংবশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক মথাগী ঠিকানা অসিদা ইবিবকউ।

সম্পাদক, 'রাখল'
রাজকুমারী রেষ্ট হাউস
কৈশামপাং, ইম্ফাল

করাবতা অমস্তুং এসিয়াগী ক্লাসিক

সাহিত্যগীদমক ইংশোক ১৯৬৮ দা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা য়াম্নুনোরি করাবতা জপানগী খ্বাইদগী হেল্লি হায়না লৌবদা য়েংনর্বনিংঙাই লৈ-খ্রবা সত্তিত্যিক্সি।

করাবতাদা পীখিবা মাগী মরমদা ইবত্থদা "জপানিজশিংগী য়াখল থম্মোয়গী মচিন্থ পুখো-কপা ওগা সেন্সিবিলিতি য়াওবা য়ারী ইবদা মপুং ফাবগীদমক" হায়না মাবু থাগৎলি।

ইচম চম্না ফোঙদোকপা পামদবা অমদি নাইকোইনা হায়রগা থঙবত্থ পামজবা অত্থগা লেখিত্রিবা য়াফম্না হানবা অসিনা জপানিজশিংগী য়াখল মসিগী শরুক থরা ওইরবদি অমস্তুং কমি-ত্তিনা হায়রিবা "মাষ্টরশিপ" অসিনা করাবতাগী য়ারী মই অত্থনা মমি তাহনলিবা "চঙদবা য়া-ত্রবা" গুনশিংত্থবু থঙনরবদি, কমিত্তি অসি চুম্না থঙলে।

১৮৯৯ দা ওসাকাদা পোকপা করাবতাগী চহী অহুম ওবদা মমা মপা লৈখিদে অত্থগা চহী তরা লৈমিন্নরক্লবা মচে, মবেম্বোক অমদি মপু-খোক পুম্নমক চহি ১৬ ওবদা লৈখিদে। অস্থুক য়াম্না নৌরিবা চহি মতাংসিদা অস্থুক য়াম্বা অশি অনা নংবশিনা থম্মোয় শোকপদি মেয়েক্লা ভাবনি অমদি অশি অনাশিং অসি মাগী থুংইদা মমি মেয়েক্লা তাকম থোকই।

> ইংরাজি লোন্দা ফোঙবা হিন্দুস্থান ষ্টে-ণ্ডর্ডগী ১৯৬৮ ইংগী নবেম্বর তাং ৩ দা ফোং-খিবা শরুক অমদগী হন্দোকপনি। অশেংবা শরুক অমগী মমিংদি—Kawrabata's love for Asian Classics মসিং অসি চায়নবা হোংদে.কচরে।

"পুঞ্জোক অমত্তনা পাযশিনবা য়াবৎ য়াবাশিং" হায়না মানা বৌদ্ধবা য়ারা মচা কয় মথং মথং ইত্থনা সাহিত্যগী জগৎতা ১৯২১ দা চোংখো-রকই। পুম্নমকসিদা অহল লমন লৈতবগী হৌনবা ন ইত্তোম তাবা অচিকপগী মরমদা অমদি থঙ-নহৌত্রবা মমা মপাগীদমক পুবচেন শেংনা চংখবা ওমদবত্থ ইনা ঙাক্লি।

জাপানিজ ক্লাসিকেল সাহিত লৌত্থনা ১৯১৮ ইংদা টোকিও ইউনিভরসিতিদগী গ্রেজু-য়েৎ অমা ওইত্থনা মার্ক্সিজম অমদি রিয়েলিষ্ট-শিংগী মপুং ওইবা ঈচেলগী মায়োক্তা চোংখো-রক্লিবা 'এভান্টি গার্দে (Avant garde) হায়বা লাইরিক ইবা কাংবুগী লূচিংবা অমা ওইনা মশাগী ফিবম অমা তানা লাকখি। "নেও-সেনস্থলিষ্ট" হায়রিবা কাংবু অসিনা পুন্সিগী খো-ঞ্জেন অমা পুন্সিগী মনম অমা অমদি থম্মোয়গী মরোন অমা ফাত্থনা পুথোকপদা পুক্নিং থিজি-নলি। জর্মনগী শুরেলিজম, ফিউচরারিজম অমদি অরোইবদা জোয়সিগী ষ্টিম ওফ কনসসনেস (ইউ-লায়সিস ১৯৩১ দা জপানিজদা হন্দোক্তুনা) গী মতৌ তমত্থনা চাংয়েংবা য়ারী কয়া ঈশৈগী মওংদা ঈরম্মী।

অত্থবু অসিগুম্বা নোংচুপগী মোদনিজম অসি করাবাতাগী জপানিজ সেন্সিবিলিতিগা চুনরমদে অত্থগা ১৯৩৪ দা অশেংবদি মহাকসি এসিয়াগী লেখকনি হায়না চেংনা থাজত্থনা হায়গী মওংদা হঙ্গিন্দুনা ঈরকই।

"এসিয়াগী ক্লাসিক্সনা" মানা ই থি, পৃথিবীগী সাহিত্য পুম্নমক্তগী হেল্লি হায়না ঐনা মতম পুম্নমক্তা থাজে। অথম্বনা বৌদ্ধশিংগী অইবা লাইরিকসি ঐনা মমল য়াম্মী হায়নিংই; মসি

খন্নগী পৌতাক্কী ৱাৱ'মদা হায়বা নত্ত, সাহি-ত্যগী মিংৱৎ অমদি কপপ'না লৈবিবৎবুনি।"

অওইবমক কবাবত'গী মরু ওইবা উপন্যা-শিংদা অমব ওইদবা পুন্সিগী অর্থ লৈত্‌বা অমদি মাংশিবনাংশা বৌদ্ধশিংনা ইনশিল্লিবৎগী মমি ওই। 'উংগী লৈপাক" (snow cou-ntry) হায়বা কাবতাগী নোংচুপকী লমদা থায়দগী মমিং চংলবা উপন্যাস অসিগী মপুং ওযবা মীওই অহুম -যাম্না ইং তপ্পা, থাইনগী মীপ', ফজবা হায়বত্তনি হায়না মানা উজবি-বৎবু হনবা নাইদনা থিবিবা শিমামুবা অতুগা মাবু মুংশিদবা য়াত্রবী গুপী অনি অচ্গা— মখোয অহুম অসিবু বৌদ্ধশিংগী মবাইবক লেপ-লিবা কর্ম অমসুং কর্মফলগী পবিং ওইবিব জপানিজশিংনা "ইঙ্গা" হায়নিবসিনা পুনশি-নহল্লি।

১৯৫০ দা ইবা লোইখিবা "কাংঙ রাইন্থু" (Jhansonal Cranes) হাযবসি বিধাতা নত্রগা "ইঙ্গা"গী ৱাবীদা মযেক হেন্না লাহল্লি। ইমুং অমগী মপা অমদি মচানুপাহু মরাইবক্কা তম্নতুনা মখোয়গা মান্নবী তুপীশিংনা পামলম্মী অতুগা অতোপ্পা ইমুং অমগী মমা অমসুং মচা-নুপীতসু মরাইবন্না তমলমতুনা মখোয়গা মান্নবা তুপাশিংদা য়াম্না পাম্বা চঙশিনলক্কম্মী।

মুত্তিশিংহু য়াম্নামক লিক্কা অমদি মহৈ মহৈ য়াম্না মরি লৈননা ইবা শৈরেংগী মওং জপানিজগী রেঙ্গা হায়রিবাসগা করাবত্তাগী রারী মইগী মওংগা চাংদম্নে। "তুমখুন তাল্লিবা ফজ-বশিং" (sleeping beauties) কৌবা ঈকুয় কুয়ত্রিবা উপন্যাসতা চহি ৮০ দগী ৯০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নপুংশাকশিংনা হিদ ক চারবা ফজ-বশিংগী নাকন্দা তুমতুনা অহিং অহু লেল্লি। হেরোত্তনা মাগী মনাক্তা ভাব তাদনা হিপলিবী ঈনখৎলক্লিবী লৈশাবী অতুগী মঙকশমদগী শেং-ফাৎতবা শঙ্গোম মনমতুবু থিরিবা অবোনবা ক্লবকী মনমদা ইবম্মী।

লৈশাবীহু মমা অমা ওইনা অঙাং য়োকপা ঙম্মোয হাযনা থঙলবসু মচানুপীগী সুংঙায়খি-ত্রবা লুহোংবা ১দি মানা মচানুপীহুবু থওইবি-খিত্রব। কুযনা কাউত্রবা ৱাববা জগৎতুবু নীং-শিংহন্দুনা মচানুপীগী মরমদা রারবা মঙ কয়া মংলম্মা।

হেমন্তগী হুংশিংতা উনা নত্রগা থাবলগী শজিনা খোংবগা করাবতাগী উপন্যাসকী মীও-ঈশিংগী থম্মোয় শোক্কা নীংশিংবগা চপ মান্নে। (By arrangement with Washington post)

(ইরাজিদগী হন্দোকপা—শ্রীবীরেন)

পাবিয়ু—

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ফোংবা

সাহিত্য

ধর্ম্ম, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী

থা অহুম অহুমদা ফোঙবা—চেফোঙ।

লাইরিক মশক তাকপা

মণিপুরী উপন্যাসতা অনৌবা চাংয়েং ।

লৈপুন/—ইবাঃ—শ্রীকুঞ্জবিহারী সিংহ;

কোংবা—শ্রীনোগপুর সিংহ, ওরিয়েন্টেল বুক ডিপো, ইম্ফাল,

মমল—লুপা অহুম; ১৯৬৬ ইম্ফাল ।

মীওইবা পুন্সিগী মশক অসি মতম মতমগী যুগ যুগকী ওইনা হোংঙি হায়বসি শেংলবা রানি। থুদম হায়ববু লাল মমাঙগী মণিপুরগী পুন্সিগা হৌজিক্কী ওইরিবা পুন্সি অসিগা ঙরেং-না খেন্না উবরসনি থাজগী ফাওবা মাম্ন-রক্তে।' হৌজিক হৌজিক্কী পুন্সিবুনা অহিংবা ওইরি—পাম্না লৌশিন্নরি, শরুক য়ানরি। মমাঙগী পুন্সিবু অশিবনি থম্নরি, শরুক য়াবা ঙম্মি। সাহিত্যসু মতমগী চপ চাবা খোঞ্জেন ঙাহনগে হায়ববদি অহিংবনি হায়না থাজন-রিবা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা মীওইবা পুন্সিগী মশক উৎপা সাহিত্য ওইগনি। হৌজি-কী মতমগী ওইরিবা পুন্সিহবু উৎপা ঙমজবা শাগোম্না চংশিন্নবা ঙমজবা অহুঙবা সাহিত্য অহুদি মতম অহুগী মপাঙ অপাবদা তমজবা ঙমজত্রবা, শরুক নামা পুমরাং রাংহৌরবা সা-হিত্যনি হায়নীংঙি। মসিদা নত্তনা মীওইবগী মতৌ মরাদ থুগ থুদিংদা লেঙদনা, হোংবা নাইদনা লৈরক্লি, লৈরি, লৌথগনি। সাহিত্যনা মপুং ওইনা পুথোকদবসু মসিনি। অহুবু মী-ওইবগী হোংবা নাইবা অমসুং নাইদবা মতৌ অনীসিমক পুথোকপনা মপুং ফাবা সাহিত্য ওইগনি মীংই।

শ্রীকুঞ্জবিহারী সিংহনা ইবা 'লৈপুন' হায়রিবা উপন্যাস অসিগী মরী অমদি মসিনা পুখৎলক্লিবা রাফমশিং অসিনা উংনব হোংন রিবা অসি মীওইবগী অসিগুম্বা শক্তম অনীমক অসি পুথোক্কে হোংনবনি। মসিদ লেখক্না থবক অনীথক তৌনবা হেংদৈ। হৌজিক হৌজিককাক ওইরিবা পুন্সী মপান কাখৎ-লক্লিবা শরুক অসিনা লৈনা লেনা পুন্সিগী মরাদা থম খেনা লুপথনা হোংবা নমদবা পুন্সিত্রসু পুথোক্লবা হোংনবা অনী সনি। পুন্সিগী মপাল কাখৎলাক্লবা শরুক অসিবুদি খেংগনা লায বিক অসিদা পুশিনশকপা ওথাক্লা ঙমদে থেংনগনি মমাঙতৈবগী পুমহোং হোংশবা মতৈ সমাজ। লেখকসিগী বাহৈদা হায়বগা "পোথাবা নায়ত্রবা, মচু শঙলবা মনম লৈলেংনা হায়রবা… … নমথি হংঙায় অমোংপনা থন্দুনা লায়না পক্লবা সমাজ ……কৃষ্ণজিন্দুনা থম্বু মম্লীমথৈ ফত্তবা থবক তৌবগী অকায়বা লৈবা হৌনত্রবা …… ইমিং অসি তাঙমথৈ লাওখোংনা কপচ-ত্নসু. খোনাও অসি তৎপমথৈ তিংশোক্লা লাওজত্নসু অচুম্বা রাকমদি কনানসু থাজবিরোক, অফবা থবকসু কনানসু উবিরোয় · · ঈনোক নোয়কনিংঅবসু তাঙা মেঙ্গাগী মতুং ঈম্না নোকপা ঙমগদব।" সমজাগী ঈথক ঈপোম্না হুমত্নুনা পুবি-বা মুপী মুপা কয়াগী মরক্তা পুন্সিবু তরায় তরায় লৌবা ঙমজত্রবা মীনা থেংনরিবা লাল অহু উৎনবা হোংনরি। মতুং হুজিম্না লৈবা

ওয়ত্রবা, ত ব ঈতা তাদনা মীন' তৌনৈ হায়ছুনা পংতৌ তৌনবা অপাম্বা পামদবা হায়বমুক লৈত্রবা, মীওয়বগী অশেংবা মনিং মথা ওঙগী পান্দল অহ মাঙখিছনা ওযদনা অওইবা ওয়রবা সমাজদা, মতমসিগা চুনত্রবী লিক্লায়গুম শেংলবী ভানুমতি, সমাজগী তীন্না চিকথৎলবা লৈরেনগাগী মচাহুপী ওয়না চঙলকই। ঈশৈ শকপদ ম ন লেঐবা স্নুবোলনা লোওক্লা থুদোং খিবা তাবদগী ভানুমতিবু কনাবিরক্লুনা, পাথং লৈশাবা অনী শকথঙনাথ অমদি রা কয়া—য়ামা ওঙনখিত্রবস্থু থম্মোয় থম্মোয়দদি কাউনবা ওমদনা চং ফংনা স্থুংশিনাথ। টি, থি, থুংলবা মানা মনাক নকপদা অনাবা শশোকপগুম লেয়েনগ্নানা চম্লবী মচাহুপীদস্থু মাগী মওং চঙননবা হোৎনাথ। অহুব্ব ত্থংথলদা মপা পোকপা মবোক্লা মরনায় মপুক্সিগী মচু কোক্লনা শংবীয়ত্রবা ভানুমতিগা পুক্সিদা চেৎতবা মচু অতৈ চঙবা ওমখিদে। মমানা মচাহুপী ভানুমতিবু ওক্তবা, হুপীগা তিম্নবগী পুন্সি নত্তনা অতৈ লৈজত্রবা হনচঙনা পুন্নবা বিকাশ রায়দা থাজথি। বিকাশ রায় উপন্যাস অসিগী ইচম চম্বা মীওই নত্তে। মতমগী মপাউ ওমগে তোৎনারবা উপন্যাশিংদা য়াওরিবা মীওয়শিংদি যুগ অহুগী মীওই শিংগী মহুৎ শিনগনি। মসিনি বিকাশ রায়গী লমচৎ য়েংকপদা শ্রীব্রজবিহারী সিংহনা হোংনখিবগুম ঐপুম শিংঙ থঙনা থঙনমা, থঙদনা শ রিব, ওক্কবী স্থপীশিং গ থেগা থেগা তৌহুনজা লৈরিবা সরকাশ্গী থবক তৌবা মৈতৈ ওফিসারকযাগ মহুৎ শিন্দুনা পুথোবকপনি। বিনাশখিম্না মরা লৈমা লৈমা মরা ওাঙনরিবা তৌওবী মৈতৈ হুপীশিংগী মীহুৎনি। বিনাশকথিগা বিকাশ রায়গা তাওনৈ। ভানুবতিনা মপুরোয়বা বিকাশ রায়বু থাদোক্লুনা তৎথলদা পুন্সি লেনখি। মমৈদা স্থবোলবু মথানাঙদা বিকাশরম্বনা থাংনা থিনবিরবদা, হুপা অমনা ময়ুম পানলহদি, লেমিমরিদা হুপাহুগী ময়াথং ইনবী অহুমদি ওইরগা থম্মোয়দা হকথবা থুংশিববু মাঙাথাত্রিবী ভানুমতিনা তথেলদগী লাক্লুনা স্থবোলগা লৈমিন্নাথ অহুগা লেমা লোমা তাঙনরহদগী বিনাশখিগা বিকারয়গস্থু কোংনা লৈমিন্নাথ।

অপাবা ঐথোয়না হিংলবা পুক্স অসিনা পীবা য়াহং থয়দং উপন্যাস অসিদা ফেংনৈ। হৌজিক্কী সমাজ অসিদবু তশেং তশেংবা থুংশিবা হায়বসি লৈরমথিগত্রা ? অনীতবদা থুংশিনবগা লোন, লৈনবা করি মরি লৈনবগে ? হৌজিক্কী সমাজ অসিগী মহুৎ শিন্দুনা চোংথোকহাল্লবা হুপী হুপা কয়ানা লাইরিকসিদা কম্না তকশিনলকই—"থুংশিবা হায়বাস কায়স্থু লেত্তে, পুন্সি অসিস্থু পদ্য নত্তে গদ্যনি।" অহুবু মীওইবগী পুন্সিদা য়াওরম্বিবা কবিতাগী শরুক অহুনা অরোইবদা ওমখি—ভানুমতিনা স্থবোলবু থুংশিবা, স্থবোলনা ভানুপাঙবু থুংশিজবধু কনানস্থু থিংবাঙমখিদে। লেৎক্না য়াহংগী পাউথুম থুমদি। হৌজিক্কী মাজনা মমাঙতৈদগী হোংল্রবস্থু থুংশিথদি লেরি। থুংশিবা হায়বসিমদি য়ান্না ক্ষোংলবস্থু হিংদি। ময়ুম পান্দুনা বিকাশরায়না কায়বহু চংলবস্থু বিকাশরায়বু থুংশিবা ওমখিদে, স্থু পানংবু থনাথ।

শ্রীব্রজবিহারী সিংহবু থাগৎনিংহোই ওইবা মথম অমমা উপন্যাস আসদা য়াওরিবা মীশকশিংসিগী লমচৎ য়েক্লিবা অসি য়াম্না ময়েক শেংহনবগা লোইননা থাজবা পোকহনজিবসিনি। মীওইবা অমনা ওইবা ওম্বদগী থম্না হায়স লৈবা ওইবা তায়বস্থু অমনিদংমা ওইগদবা, উপন্যা-

উপন্যাস অসিগী য়াওরিবা লুবাং লৈমগী লোক্লা হায়রগা "রারী লাইরিক্তা য়াওগদোরা" লমচৎ মওং অসি কাওবা চৎলমগনি হায়না থাক্তহনবা পোংকশল্লি। তৌবমক্তি উৎলিবা লমচৎশিং অসি যায়মক লুখ্রবা, মথল কয়াগী তোঙান তোঙানবা [illegible] ওইনা [illegible] অমত ওইনা শাখিবদগী মগী তানা তানা মথল অমমতং ওইনা থাইদোকপা য়াম্রবা লমচৎ চেনবা মীওইদি য়াওদে। ইচম চম্বা মওংগী করগা লময়োনা মৈ জীশাং চওদনা কবা, কত্রগনা হন চওবমখৈ কত্তবা থায়দোকপদা অরাইবা ওাক্ত ওইনা তোই। মায়কৈ সোমদগী য়েংলবদি উৎলিবা লমচৎশিংসি লমচৎ অকক্লবা খরতগী ওইনা তোই। য়াম্না পাকপা মিৎয়েং অমদগীদি য়েংথক্তে হায়বা তাই। মুবোলগী লমচৎতংদি খরদং মশক লোংবগুম তোই। থেংনরুবা য়াদবা, নক্লনরুবা য়াদবা, সমাজগী লৈনা পক্লবা মহীক পুবা ময়ামগা তিম্না তিম্রনা অহুগা ঈশৈ শকপা অমসু ওইনা ওইনা, মশাগী চপচানা মপুন্সি অমা লৈজহুনা মহু কায়দনবা ওাক্তুনা চৎনবসু হোৎনবা মুবোলদনি। অহুগা অমনা লেখক্না নীংথিনদি উৎপিরমজ্রবা সুসিলাগী লমচৎসু থয়া হেম্না মথল অনীমা তিন-শিনলবা লমচৎনি। [illegible] থোশাবিরম্নবদি থরা হেম্না ফক্তবমগনি। লেখক্না [illegible] অমসি উপন্যাস অসিগী [illegible] ফিজেৎ, চাম্নিবা [illegible], [illegible] ওইনা ওাক্তুনা অপাবদা [illegible] লেখকনা চত্তশিন্‌হুনা মাগি অওনি অদানি [illegible]। উপন্যাসকা [illegible] অপাবশিংদা থাম্বিনবা তৈ। লেখক [illegible] লমচৎ

অহু মীতুগী অশোংবা যাওদে, লেখক [illegible]।

ফিজেৎ [illegible] অমনা [illegible] লাইবিক লাইশু [illegible] মীন [illegible] কয়ামরুম উথক চবাংদা তাউদনা পুন্সিবু চপ চানা থঙবগী মচাক লৈত্রিবী [illegible] তাক্রিবা মুপীনগা হেক্তা চাঙলকপাসমদি থাজবা [illegible]। [illegible] ([illegible] ৫১) মসিগুম্বা রাঙ্গাঙগা [illegible] মাদি ওথাকপগী মী নাত্তে। রাথল মথেক [illegible] থনবা মীতনা ওাওনা [illegible]। [illegible] গুপীনা "সাহবোরযানা নিংশিংকম নমথবা ওমথিদে" কা হায়রুনা য়াম্না [illegible] লাইশু হৈবা জ্ঞান লৈবাগুম ওাওলবসিসু থাজবা ওমদে। ওাওবা তারবসু ওাওলিবা মীশিংঙুবু থাজবা ওমবা শেমগৎহুনা থম্বা মচাক থরা চত্তগনি। মসিগী অশোয়বসি, রা ওাচগদোবিবসি উপন্যাসতা য়াওরিবা মীতনা ওাওলিবনি হায়বা কাউথোক্তুনা অইবনা ওাওশিনলুবননি।

শ্রীকুঞ্জবিহারী সিংহনা মাগী উপন্যাস অসিদা [illegible] শিংকমরিনবা লোম অসিনি। [illegible] উপন্যাস মথক অমি [illegible] মীতনা [illegible] অকোনবগী লোক অসি [illegible] পুন্সিলবসু [illegible] অমগী চপ চংবা মশাক উৎকে, মপাও ওমগে হায়বনদ [illegible] মীয়ামমা [illegible]

বদা শিজিন্নবিবা অহিংবা লেʼন অতুতনা ঙমগনি। হাযবসি ককনিংঙাই লৈত্রবা রাফমনি। শ্রীকুঞ্জবিহারী সিংহসু মাগী মতমগী মশক তʼক্কে হোৎনরকপদা মাগী মতমগী অযুক ফুংথিল ইমুং মনুদা ঙাঙনরিবা লোল অদু শিজিন্নবা হোৎনরি। মণিপুরী সাহিত্যদা চঙক্তিরবা লোন কয়াসু মানা সাহিত্যদা পুশিন্দুনা লোনগী মণ্ডাই হʼপ্পা লোযননা মথোয়গী মতেংনা পুন্সিগী অশেংবা মশক পুথোক্লবা হোৎনৈ। কনাগুম্বনদি লোন্দাশিংসি অচম্বা, লেমদবা লোন্নি সাহিত্যদা পুশিনবদা ফজʼদ হায়বা য়াই।

মতুদা ঐনা হায়নীংবদি মতমগী অশেংবা সাহিত্যগী মসিগুম্বা রাহৈদনা ঙমগদবনি। অদুগা অংম্বা রাহৈশিংসি শ্রীকুঞ্জবিহারী সিংহনা মমল য়াঙ্বা শিজিন্নদুনা শুর চেনবা, হেন্না ফজহনবা, অথেংপদুম ওইহল্লি।

মানা উৎলিবা সমাজগী মশক অসি মশক য়াম্না শেংনা অমদি চনৈনবা য়াওদনা য়াম্নমক ফাজহন্না উৎপা ঙমলে। হেনজিন্না ইখিবা থরসু থেংʼন। অদুবু উপন্যাস অসিনা মণিপুরী উপন্যাসকী ইতিহাসতা তশেংনমক পুমনৌ নৌবা মহাও অমদি পীগনি নীংই। সঃ ৪॥

সুরবালা

অইবা— তেজমনি শর্ম্মা

ফোঙবা— মণিপুরী কলা কেন্দ্র, ইম্ফাল।

মমল— লুপা ১২৫

সুরবালা— বারিমচা তরেংথক্লা পুনশিনবা লমাই ৬১ পানবা লাইবিক মচা অমনি। অইবগী থম্মোযদা অমদি রাখলদা ফাওবা মপাউখোল অদু শক্তি রাংপনা অমদি পম্বেং য়োদবনা অইবগী কলমসু থরা শোম্না অদুম্মক ভুং ইল্লি। মপূন্নদা উংনিংলিবনা— মীওইবগী মপুম ফাত্রবা পুন্সি। ঐখোয়না থল্লিবা, ভারি উরিবা, থেঙনরিবা পুম্নমক পুন্সিদগী খায়দোক্লকপনি। অদুম্নদি ওইরগা পুন্সিবু পুম্না কোনশিন্দুনা অসিমক্লি হায়না তাকপদি ওইখোক্তে। মসি পুন্সিগী অশোয়বসু নত্তে, থাজবা রাংপসু নত্তে। পুন্সি হায়বদু মদুমক্লি। থাজবগী রাংমদা লৈরিবা পুন্সিগী থোদোকশিং অদু থোমজিন্দুনা পুন্সিগী ওম-তৈনবা থোদোক থরদি তেজমণিনা ময়েক শেংনা এন্টি ক্লাইসেক্সকী মওংদা উৎলি। রারী শিংগী মফুংদা "থোরাণী তোম্বীমচাগী হোটেল" নত্তনা অতৈদি রারী লীনবতা কম্না হোৎনবা অহানবা খুৎথাবগী মওংতুদা লৈরি। দৃশ্য শাংনা থাত্তনা রাকোই শুত্তনা যৌনিংবা উংনিংলিবা অদুদা হেক্তো চংশিল্লকপা ঙমত্রি। "নোংমা উখি" অমদি "শিকি অমত্তনী রাৎপা" হায়রিবা রারিমচাশিং অসি ঐখোয়ন থঙনরিবা "রারীমচা" গী মওং অদু তাফাত্তে। য়াইবা মুন্দবা চাক্তোনা মথরাই য়াউদে, ওইশিনবা রাংলি। অদুগা মশা মতোমতা লেপচবা মাল্লবা, (maturity ওইরবা) খুংই, অমদি রাহে বাতাদি তশেংবমক লাইরিক অসিদা থেঙনগনি। মসিনা লাইরিক অমগী ফিরেপ্তা ভেংবাংবা নত্তনা মথরাই মমি ওইবগী রাফমদি নত্তে। ॥ সঃ ৪ ॥

রাখল

মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা খোঙ্গাউ

খোইদে'ক হেন্দোকপ খে ঙথণ

প্রবন্ধ

রাখল

সম্পাদক—ক্ষেংখোম জ্যোতিন্দ্র সিংহ

অনীশুবা চহী | তরুকশুবা মশিং | ১৯৬৩, সেপ্টেম্বর ৩০, লাইফম

মমল মূল্য ১.২৫

ৱাখল

ময়ামদা লাউথোকচবা

ৱাখল--A quarerly literary Manipuri Journal of the Naharol Sahitya Premee Samiti. Regd. Society No. 285/1963, Imphal.

চহীগী চাঁদা – লুঃ ৫'০০ দোনেসন ওইনা চাঁদা লুঃ ১০ 00 ডাক্তা থাবগী চহীগী চাঁদা – লুঃ ৭'০০

মথংগী চেকোঙ পুথোকদবা ডিসেম্বর তাং ৩০।

লেখকশিংনা আর্টিকল ৱাখলদা কোঙনবা থাবিরকপা মতমদা লামায অমত্তদা ইবিরকউ অমসুং অশেংবা ঠিকানা পীবিবকউ। থাবিরকপা প্রবন্ধ অহ্ অতৈ মণিপুরী মেগাজিন্দা কোঙ-থিত্রি অমসুং কোঙনবগী থাথিত্রি হায়বা দিক্লারেসন অমা তৌবিরকউ।

"ৱাখল" দা বুক রিভিউ তৌহনবিনীংবা কনাগুম্বা লেখক নত্রগা প্রকাশক্না লাইবিক থাবি-রকপদা কপী ২ লেপ্পা থাবিরকদবনি।

"ৱাখল" দা কোঙদোক্লবা ৱারেং পুম্নমক অইবা মী মশাগী মতনি হাযনা লৌবিগদবনি। অমসুং ৱারীমচাদা ৱাওবা মীগী মমিং অমদি লৈকম পুম্নমক তশেংনা অওইবনি হায়রমত্রবদি কল্পানিক ওাক্তনি হায়না থনবিগদবনি।

আর্টিকলশিং, বিভিউগী লাইরিকশিং অমসুং চেকোঙ এক্সচেঞ্জ তৌনবা পাম্বিবশিংনা মথাগী এড্রেস অনীসিগী অমদা থাবিরকপা য়াগনি। মনি ওর্দর তৌবিরকপদা সম্পাদকী যুমগী ঠিকানাদা শোয়দনা থাবিরকদবনি।

কোঙগদবা থাশিং – মার্চ, জুন, সেপ্টেম্বর, ডিসেম্বর।

1. The Editor, 'WAKHAL'
Office of the Naharol Sahitya Premee Samiti.
Raj Kumari Rest House, Keishampat.
P. O. Imphal, Manipur.

2. Y. JYOTINDRA SINGH
Advocate.
Editor, Wakhal, Yaiskul, Police Lane, Imphal.
P. O Imphal, Manipur.

ওয়াঙখিরা লাই পুস্তক ৱেকশিরকপা—শ্রীচিত্রেশ্বর শর্মা, শর্মা আর্টসপু রাখমনা থাগৎচরি।

মণিপুরী কবিতা লৈতংগী মতাংদা শমলপ্পা

ময়াম্না হায়ন-ঙাংনরিবা য়াফম্নি— মৈতৈরোলনা ইবা মণিপুরী সাহিত্য হৌজিকফাওবা লৈত্রি। লাইরিক ওইনদি লৈজরে অদুবু মখোইগী সাহিত্য কৌবা য়াবা নত্তে। লাইরিক অমা ইরগা, য়াম্না অমা অনি ছৈরেং অমা অনি নত্রগা য়ারেং মতৎ খরা কোংলগা সাহিত্য হেক ওইবা য়াবা নত্তে। মখোই অসি সাহিত্যগী লৈচন ওইবসু য়াবা নত্তে। মণিপুরদা উনরিবা মণিপুরী লোন্দা ইরিবা লাইরিকশিং লোইনমক সাহিত্য চিংবা য়াবা অমত্তা লৈতে। মতাং অসিদা অনুবাদ তৌথোক্লবা লাইরিক কয়াবুসু য়াওনা হায়জরিবনি। কনাগুম্বনা খুম্মি মণিপুরী লোল অসি মচুং মপাল শুনা পুক্নিংগী নিংবা থুংনা ইনবা নত্রগা য়াকম অমবু তোঙান তোঙানবা মতাংগী তোপ তোপ্পা অর্থগী ওইনা শীজিন্নবা য়াহৈ মতিক চাবা লৈতে। ময়াম অসিদগী লোল শুংবা কাংবু অমসু থোরক্রে। লোল শুংলিবা কাংলুপ অসিনা মৈতৈরোলসু মাল্লবা মৈতৈরোল ওইনসু চংনদবা লোন্দা পুদা শীজিন্নদুনা য়েংলবসু মথোইনা ইরিবা অদু সাহিত্য ওইবদি লাইরদুনা মানফাত্ত মাল্লে, খুদম ওইনা শ্রীবীনকেতনগী য়ারেং অমসুং লাইরিক অয়াম্বা। অনুবাদকী মতাংদসু কয়া অমা। অদুবা থম্ব অমনা য়াহৈ য়াতা কয়ামুক সংস্কৃত, বাংলা, ইংরাজী, হিন্দী নত্রগা উর্দুদগী পুশিল্লকখিবা ঙসিফা য়াংদি হায়রিবা লোনগী শরুক অসিবু মেনশিল্লগা মণিপুরী সাহিত্য ইবা য়াগনি হায়দুনা কয়া হোৎনরি। ইতোপ তোপ্পা কাংবু অমনা মৈতৈরোল অরিবা শাদুনা য়াহৈ য়াতা পুথোক্কনা অশিবা শগোল লেপহনগদবগী হোৎনরি।

মণিপুরী সাহিত্য লৈতে হায়রগা লোল য়াত্তুনা তৌরিবনি হায়বগী মওংদা চথত্রে। লোলসু য়াংলদ্বা য়াই অদুবু লৈরিবা লোল অসিনা হৈনা শীজিন্নরবদি থম্ব মফজবা সাহিত্য মক্তি থোকনি। অদু ওইরবদি শোইন্নিবসি কদাইদনো ?

নৌনা অমুক নিংশংনত্রবসু য়ারবনি; সাহিত্য হায়রগা লাইরিক অমবু হেক্তা নত্তে। কান্নবা য়া ইবা ঙাক্তনা সাহিত্য নত্তে, মশক কজবা মওং নিংখিজবা নত্রগা য়াহৈ পাবদা হুডাইবা ঙাক্তনা সাহিত্য ওইবা নত্তে। কান্নবা য়া ইরিবা লাইরিকনা সাহিত্য মচিংবা তারবদি উত্তবা তম্নবা লাইরিক, কুয়াৎ তুম্বা তম্নবগী লাইরিক, মাইথনা থৌ তৌবগী লাইরিক অসিনচিংবা কয়া অসি য়াম্না কান্নবা লাইরিক ঙাক্তনি। মশক মওং কজবগী য়েংলুবগা কোটৌ কজ কজবা য়াওবা মেগাজিন, কোম্পানিগী এডভর্টাইজ তৌবা লাইরিকশিং লৈরি। য়াহৈ য়াতা পাবদা হুডাইবা হায়রগা রামচরনগী ফুংগি ডিটিশিং সিনেমা ড্রামাগী অচাইবা তেশিং কয়ামুক্তি। লৈমনা থানবগী মচাক য়াওবা ঙাক-

নগী সাহিত্য নত্তে— মৈতৈ মযেক থিবোল নৈনায়োল, যেক শলাইলোল, হনুমন চক্র খুবাক মযি যেংবগী লাইরিক, ব্যাকরণ। তম্নীং-ঙাই ওইবা য়াকম য়ংওবা ঙাক্তনা সাহিত্য নত্তে— অঙ্ক লাইরিক, ডিক্সনারি, ডক্টর লাইরিক অমুংশিংগী পাঠ্য পুস্তক সাইন্সকী লাইরিকশিং। সমাজগী চৎনবোল ইবা ঙাক্তনা সাহিত্য নত্তে—সোসিওলোজি, দার্শনিক লাইরিকশিং অমগা লোইননা ধর্ম্মগী য়া ইবা অযাম্বা লাইনিকশু সাহিত্য নত্তে।

অচুম্বা ঙাক্তা হায়বিবানি হায়দুনসু সাহিত্য নত্তে— সেম্বকী রাশীশিং অমগা খবর চেকোং পাওশিং। সত্যম শিবম সুন্দরম অচুম অসি-মকপু পুনবা ওম্বা লাইরিক নৈবা হৌনদে হায়না কনাগুম্বনা য়েৎলকপা যাই অচুবু মীওইবা অসি মপুং ফাদবা অমা ময়ানা ওইজববনি হায়না খল্লুবগা যাম্রিবমখৈ শুপ অচুম অসিগী ওকয়া য়োনবা ইবা লাইরিক নৈতবদি নত্তে-দনা— অচুবুনি সাহিত্য হায়না ময়োল ইবোল তিম্রজরবসু, হৌন লোনচৎ তোপ্পরসু জাৎ সমাজ লম তাম্নবসু লাইরিক খয়বু ঐখোইনা পাবদা নত্তগা তাবদা খঙবা ওয়বদি ওখায়া মগুণ অচুম অসি য়োরে হায়না খনবদগী মসি সাহিত্যানি হায়নবিবা। সাহিত্যাগীদি মতম লাইদে, মতম অচুম ওদে হৌজিক হায়বা মতম অসিগীনি. ওবাং ওহান অমসুং হয়েং হংচিং হায়রিবা হৌজবা নত্তগা ওইবরুদবা মতম অসি অসিনিদি ওজি হায়রিবা মতম অসিগী মবাক মপুং ওইজরকনি হায়রবদি থি ভাইমেজন থিংরেং ওইরকনি। মতম অচুনবি সাহিত্য অমবু পাবদা তাবদা মতম মতম অদা ওইদ-ওইগুম্বা কযাদা ফুঙাইবা ফাউনবিবা।

মণিপুরী কবিতা কননো হৈতৈ কবি? বরেং পদ্য তামা অনি মতং মতং পুথোক্রিবা সনবেন্দ্র নিলকান্ত অমসুং মাখোইনা পুথোক্রিবা ইবিবা তম নিদং য়েংশুবগা ঈশিং থোয়াংবনা ঙাউবরা লমচৎপশিংগী মক্কমদা লম্বেল লমখাদা থেংনবা যন খোঙ্গুলগী ঈশিংগুম্বা সাহিত্য ওইনদ নৈবা যাবোই। অনৌবা মতমগী কবিতানি হায়না ইনবক্রিবা শ্রীবীরেন হরোপিশক অসিনচিংবা বযমুক্কী পত্রিতৈনা লিখিবগা হৌবা পানবসু মথুং যাউনা ফলমপ্রব চিনি অপৌবনা শেম্বা প্রিসিরিংগুম, নোংবাম্না মোহরং পাংজিং হবাউবদা থিবকপা নৈবাং হপ্পা যেন্দংইংম শুজিন্দুনা হাপ্পবা ইবোহল অমসুং বননীকান্ত নচিংবগী কবিতা-শিং, লিখত বকী নিংথিজরবা তৌবত্তদি খোংবা হৈক্রিবা অঙংন মবোল শুদনা তিং তাউ তিং তাউ খেংবা তৌক্রিগুম রাজকুমার সুরেন্দ্র, নদিযাচান্দ (শযাং) নচিবগী হৈহেকশিং, শেমজনা শাম্ভনা ফনা হজুনসু শেম্নবদা মওং মাল্লু মযাক্রবা শ্রীমীনকেতন রাজকুমার শীতলজীৎ সিংহনচিংবগী হৈরেংশিং অমহেক্কি কৈথেল্লাং তাউরিবা হৈরেং চবুন চবুন ময়াম অমা মহৌশাগী থিবৈ নমথিবী মপান শঙ্গু শাংপনা য়েম্না ফজবা অমসুং পুক্কিং হবা ময়াম অসিনবু মণিপুরী কবিতা হায়বসিরনে? (নৈখিজরবা হৈরেং ইবা কয়ামুকীদি অশিরগী মক্কমদা ব্যবহার অমং উৎচবা ওইনা হায়জখিরোই।) অমুবাদগী মাইকৈদা য়েংজকপদা

মেঘনাদ বধ নত্রবা মাইকেল বধ ওইরবা, গীতাঞ্জলি কৌরুবদা রবীন্দ্রঠাকুরনা ওঃ খোংনা কপ্পুনা চেনখ্রগদবা কৃষ্ণমোহনগী গীতাঞ্জলি, অসিনচিংবন্তা নত্তনা ইংবাজী বা'লানচিংবদগী ছন্দোল্লকপা সুর যাত্তদবা, অর্থ চানদবা কবিতা কয়ামুক অসি মণিপুরী সাহিত্যগী কবিতা ওইরব্রনে ?

নোংমদি ঐহাক চৎলুই নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি কবিতাগী মরমদা নৈনবা সভা অমদা। সুক্লে হেক নৈনরকত্রবা, শৈবেং মমিং কাত্তবা খংলক্তবা শ্রীপদ্মকুমারনা পংঙাংদা ঙাংলম্বা মযাম অদু য়াবেং ওইনা ইশিল্লগা পুখোকপা শককম অদুমক্তা মণিপুরী সাহিত্য কবিতাগী শককমগা খোইনা খেল্লয়োই।

তাইপরাইতর অমগী ময়েক পায়রুনা শান্নরুবা য়োং অমনা কবিগুরদা সেক্সপিয়ার হায়না তাঙ্গারুরনা নমখিবগুম মৈতৈবোলগী কবিতাশিং মতুংদা অমা অনিদং কবিতা মতেক ওইরম্বা য়াই অদুবু য়োং অদু মীদি নত্তে, অদুগুম্না মৈতৈগী লৈবিবা অইবশিংসু কবিরা ? পংথা থাগৎনরগা হেক্তা কগদবা নত্তে, পংয়েং য়েংলি হায়দুনা ঐখোই অয়েৎপা কাংবুদা শাউরগা কবিতাগী থাক য়াংগদবা নত্তে ; চাক অপুম্বদি লৈমাইদা থম্নরবসু নমখি, শমুক্তা থাক্তংলবসু নমখি। মপুং কাত্রিবা পুন্নমক অসিগী দোষ কৰিনো ? খঙ্জিন-য়েংশিনবা য়াৎপা, পুক্নিং লৈত্তাবা লৈতবা। মচু মরাং ফজবা ঙাক্তনা কবিতা নত্তে, লৈতেংগী কেথা মৌথা ঙাক্তনা শক ফজবী চিংথা নত্তে, শাথেক শাংদনা শুংশিবা য়াথা নত্তে, অমৌবা খোজেল অথুম্বা ঙাক্তনা ইশৈ নত্তে ; ফজবা কল্পনাগী ইপাক ইরং অমস্তংনা কবিতাগী যম্বাক ওইবা য়াদে। সবোক্তা চৎপা অঙাউবা মীনা অর্থ লৈবা রা য়াম্না কব্রিগুম্বা কালদসু ঙাংলকই হায়দুনা নোংমা ফাদোক পাংন-শানবা পংই ইবা ঙাক্তনা কবিতানা সাহিত্য ওইহনগদবা নত্তে। মুঙাইত্রা ফজত্রা, মতম কুইনগী ওইবা য়াত্রা অমসুং মীওইবগী থুংগী ইচেল ফাওহনবা ঙম্বা হায়না য়েংলুরগা, মীওইবগী রাখল অমসুং রাখলদা ফাউবা থুংগী ইচেল অমত্তংবু নত্রগা পুন্নমকপু তৎন থানবা লৈতবা অচুম্বা ভইনা পুক্নিগী মমি তাহন্দুনা ফজবা অমসুং থুংশিবা শকথমদা খোক্কহনবা ঙম্নবা কবিতাবু তোইনা ইবা ঙবা মৈতৈ কবি লৈরবরনে ?

কবিতা অমা ইথা হায়বসি অয়ায়বা নত্তে। মীওইবগী ফাউথিবা থম্মোইদুংগী ভাবনা অমনা হকচাং মতুং মপাল পুখিবা মতমগী মতাং অমগীনি—থুংঙাইবা, হয়াত্তবা, কপ্নিংবা অয়াবা থুংশিবা, অশাউবা, নিংবা কায়বা অসিনচিংথা পুন্নমক্তী ফাউরিবা রাখল ইরিকপু শৈরেং ওইনা ইখোকপা অসি নত্রগা চিনবানখোংনা থীবু নত্রগা ইশামকপু থংহজনিংদুনা হায়দোরকপা অসি য়াম্না লুবা অমনি + কৰিনা, ঙাংলক্লিরা ইরক্লিবা য়াহৈ অদু চপচানা ফাউরিবা রাখলগী ইরং অদু মতুং শিনবা ঙম্নত্রা ? ত্রামা নাটকনচিংবগীদি ইবা হৌগৎপা অসি লাই ; চাং পুথা অমসুং লোইশিনবগী মতাংদনি লুরিবা। কবিতাগীদি অহানবা থম্নবা ময়েক্তগী হৌনা লুরমনি। রাহৈলো পরেং ওইদুনা রাখল অমা লৌংলকপা মতমদদি কবিতাগী কথিবা ফাউ-

রগ্নিবা মথলগী ইরং অহু মাংগ্রবনি—শান্নবা মমি অমত্তনি তাহৌরিবা মুশি মুশি। শাংনা ফোংদোকপা ভাক্তনা কবিতা নত্তে, তেন্না ইবা ভাক্তনা কবিতা ওইদে। মাঙোন্দা ফাউরম্নিবা মথলগী ইথক অহু মী অমগী মকমদা পাউদম্বা—ওইবা য়াই থা থন্নানমিচাকী লমদমদা কোই-রুবা, ভুক্না মম্নবা অহিংদা মমিত্তা মপি তারিবা মশক থিবি মুজা কয়াগী নিংবা কাইরবা আশা, প্রেনয় মুংশিবগী থৌরিনা পুল্লবা শক যজবা কয়াগী প্রেম নত্রগা কোইচেল চেল্লবা মনিং-থুংত্রবা কল কারখানা মরক্তা চাক চখোম অমৎ-তগী উফুল থাংলবা শ্রমিক অমা, নত্রগা মহৌ-শাগী চিক্না ইংলবা প্রকৃতিগী শককম। নোক্ল-চাউবগী তাইবং ওইনা, অচথগী মালংপান ওইনা নত্রগা অঙকপা অকিবা মথল ওইনা ফাউ-থিবা ইথকী পাউদম ওইবা য়াই। কবিতাদি মরৈ য়েৎনরুগদবা নত্তে থুগাইবা নত্তে, পুন-শিনবনি।

চাউথক্লিবা সমাজ অমদা কবিতানা সাহিত্যাগী মরুনি হায়নৈ মাহুস্থ অচুম্বা ভাক নত্তে। কবিতাগী মওং হায়গত্রা, কবিতাগী কুয়োম য়োম্নবা মরু অমা হায়গত্রা মহুদি ওই-রম্বা য়াই থোইদোক্না মথলগী কন্ননা ভাবনা থক্লিবৈ' মতম য়েলকৌবৈ সমাজ অহুমদি। কবিতাদি য়ান্না মাংগ্রবা মীওইবগী ভাবকী থাক্তা লৈগ্রবা মগুণ অমনি। খোজেল খোম্নোক্ক শাংখোয়রকপদা তাবা হুক্তাইবা অমস্তুং তরংগী ইপোম হৌহনবা অমস্থ কবিতাদা চংভি; হায়-বদি কবিতাগী খোম্নোক অহুগা কবিতাগী ভাবনা অহুম্না মরি লৈনৈ। চাউখৎলক্রবা, শেনখুমতগী থনখ্রবা পুন্সি মরা তাত্রবা মতম অহুদা কবিতাগী মথল লৈবা হৌনদে, কবিতা পাবিনবা তাবিনবা লৈবা হৌনদে হায়না হায়রিবসি অরানবনি। কবিতাদদি কৈ কত্তে হায়না পাউতাক পিহুনা মী ওইবগী মকমদা পাউচেন চেনগদবা নত্তে। জ্ঞানগী ইফুৎ অমনি নংস্থ জ্ঞান অসি থরা তমজহৌ হাযথনা ইগদবা কবিতা নত্তে। কবি-তাগী মতাংবু পল্লগা হাযনবিবনি মীওইবনা চাওখৎকে হাযনা চাউখৎলবস্থ জ্ঞান যান্না তান-শিল্লবস্থ লৌশিংগী চাং অমদি হামুগী হামুনি, হায়বদি অশিংবদি হেনগত্তে। অহুগুম্বা অশিং-বা অহু কবিতাগা চাংদম্নরবদি লেংদবা, কজবা অমস্তুং অচুম্বা হাযবা ফিভম অহুদা অহুম লৈ-গনি। ওল্লক্লিবা শাওং শাথেক অবতার মথল মথলগী ওইবা য়াই কবিতাগী শাইওন। মরম অসিনা মণিপুরদা মণিপুরী সাহিত্যা ওইনবা কবি-তা হবা য়াবোই হাযবা লৈত্তে, ইবা হৈত্তবগী রানি। থরা থরা ইনরিবশিং অসিস্থ মমুন ফাদনা হেক্লকপা হৈরাংগুম লোইনা থোক্লি—মাসিনা থাংবা ঙমদবা অমস্তুং হোৎনদবগী দোষনি।

মী খুাইগী সাহিত্য মথল মংলা লৈনখ্রে হায়বগী মওংদা মৈতৈবোলগী সাহিত্য মথল কয়ামুক ইনবা ফোংনবা ভৌনৈ; "ভৌনৈ" হায়বা রাহৈ অসি "হোৎনৈ" হায়বগী মহুত্তা থওইনা শিজন্নবনি। ঙসিগী মতাং অসিদদি কবিতা ইবগী রাদনি। কবিতা কাব্য, খণ্ড কাব্য, নাটক, প্রাকৃতিক, ধার্ম্মিক অসিগুম্বা মওং কয়াদা মী অত্তৈদি ভৌনখ্রে হায়দুনা ঐখোইগী মণিপুরী কবি কয়াস্থ মহাক্না লম

অচুব হৈনবা হৈনদবা থিংনা অমত্ত দি মহৌ উংলমগে হায়বগী মওংদা হেক্তা ইবা জাংনি। তৌজিন্না —মোডর্ণ কবিতা করিবু হায়রীবনো হ যবা কাওবা থংদে, মওংতনি ত্তম্রিবা। মোডর্ণ কবিতা হায়বা অসি সমাজ অচুগী সভ্যতাগী অচা ওইরিবা ফিবম অংবু য়েংলগা উরগা ইবা খোংপগী ৱানি মাসিগুম্বা কবিতানা মপুং ক বা কবিতা ওইবা য়াদে, মচেক ওইনা য়েংবা মিংয়েংদগী সভ্যতাগী মশোং অমত্তবু শোক্না ত্তাংবা নত্রগা থম্বরুবগী দৃশ্য অমত্তনি। ঐনা তাথি শ্রীনিলকান্তনা মোডর্ণ কবিতা অমা ইবা হৌথি—। ঐনা থংথিবদি মহাক্না ইরিবা কবিতা হেক কোংবা মতম অহুৱাইদনি কবিতা অচুবু পাৱগা মাসিদা পল্লিবা মী মমীং থৌরম ময়াম অসি হয়েং অত্তাংশিংগী পরিক্ষাদা হংবা য়াবা প্রশ্ন ওইগনিনা হায়দুনা মশামক্না হায়থি— অচুনা বি, এ, গী নত্রগা করিগুম্বা ক্লাশকী পাঠ্য পুস্তক শেম্বদা য়াওবা য়ারোইদ্রা হায়না ঐত্তোন্দা হংথি। — মতৌ অসিগুম ঐখোইগী অহৈবা কবি অয়াম্বা কবিগী হৈনজবী কবিতা ইবা মত্তবনা নম্ন তৌই লৈবাক পাড্ডেল এলো অই, অত্তাংগী পাঠ্যপুস্তক ওইমবগী কৈদা ওই, মী ম্বাংগীসু অসিগুম্বা অমা লৈনরি মৈত্তে ঐখোগীসু মওং অমা থনমগে মহৌ ওই—ইবা কবিতা ত্তাক্ত ওইনা তৌই। মথয়াই য়াওনা পুক্নিং লুপ্তুনা অমসুং কবি ওইবগী ৱাখলদা লুপ্তুনা ইবা কবিতা ইরৈ লৈত্তে। মপোক-থোকী ওইবা কবি কয়াসু অসিগুম্বা কবিত্ত ওইনা ইবা নত্তবদগী মৈত্তে সাহিত্যদা কবিতা লৈত্রিবনি। অপাবা অমসুং পামজবা মী অতৈবু কবি মহাক্কী কবিতাদা পূশিন্দুনা ইরোইহনবা ত্তমত্রিবা অসিসু কবি অচুগী মপুং ফাদবা ৱাখল অনুভব অচুদগীনি। সভ্যতাগী ত্তমথৈনা পাকত্র-বসু মতমগী ইচেলনা থুপ্রহসু কবিতাগী লম য়াম্না লৈরি; য়েংশিনবা থংজিনবা অতুকী মত্তিক উশিনবা ত্তম্রিবমথৈ কবিতাগী লম লৈম্রি। নহা মপাঙ্গল কনবনা চৈত্ত দরকার ওইদে, ৱাখলগী ভাবনা কল্লিবমথৈ কলমগী মত্তেং দরকার লৈত্তে। জ্ঞান তারক্লবা অহলনা চংনিংবা লম্বেল চংলকপদা চৈত্তনা হন্দুনা হন্দুনা খুনাম চেংপা লম্বী চংপগুম, ৱাখল ময়াম খল্লুরবা মহাক্না কবি ওইনা কবিতা ইরকপদা চেকশিম্না ফজনা চংপসু দরকার ওই। অসি-গুম্বা চেকশিনবা শাজং অসি চংপা তারবদি অনুবাদ তৌবা কবিতাদসু খুভম চেংনা ফজনা মওং তানা মৈত্তেলোন্দসু মতুং ইনবা ত্তমগনি।

মহাতত্মা গান্ধিজীগী মপোক কুম চাম্মা শুবা অসিদা

মহাত্মা গন্ধিজী পোকখিবা মপোক কুম চাম্ম শুগ্রে। ভারতকী মফম পুম্নমক্তা চহি চাম্মা শুবা অসিগী উপলক্ষদা হয়া হয়া নিংশিংনরি, অদুগুম্না পৃথীবীগী মকম থুদিংমক্তা। ঐখোইস্থ মহাত্মাজীগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কচ্চরি।

মহাত্মাজীনা চাংযেংলম্বা পুম্নমক অনৌবা অমত্তা নত্তে। অহিংসা অমসুং অচুম্বা ভাকপা যুগ যুগ কথগী পাউজেলনি; মওং করম্না শিজন্নবুনা যেংগদগে হায়বা মহাত্মাজীনা তাকপিরম্ম ন। অসিদি অনৌবা যুগ চংলক্লবনিনা মহাত্মী চাংয়ুং পুম্নমক অতুস্থ মতমগী ইংলদা লুপথ্রগনি। ঐখোইনা অনৌবা চাংয়েং য়েংনবা অনৌবা পাম্বে থিবনা চুম্নে; মহাত্মাজীনা তৌরম্বনি হ য়হুনা মংত্রংদা চংপদি মতমগী রাখল থোক্তে।

হুমায়ুন কবির

হুমায়ুন কবির—ভারতকী মশিং চংলবা পণ্ডিত অমসুং লেখকনা হন্দক নোঙাখিবা অসিদা সাহিত্যগী লবুক্তা য়াম্না অমাংবা অমা ওইখিবা অসিগীদমক হুন্ডাইতবা অমা ফোংদোকচরি:—

"রাখল"

চীঙনা ইকোয় কোয়শিনবা চীঙচুংদা তাবা
তম্প্রাক্তো
ঙসিদি চৎনিংবনা খোয়ো খোয়ো খোংলে।
চুমিদা'রাইরমদা অঙাংশিংনা লমজাউ
মপান্দা চেন্দুনা শাম্নবদো
খরা খরা মমশিল্লকপদা খ্বাইরমবন্দ কৈথেলদা
থাওমৈ পরেং থাঙৎলকপদো
মিৎতা শংশং উরকলে।

হে মণিপুর ! ইমা নংগী চুম্নবা কোলোই—
মপোক লাংঙোন খুদিংগী শোঙবতদি কংজগে।
নংগী অঙ্গিয়াদা খোকপা থাইমিৎ পেম্না য়েংজগে।
নংগী লম্নাংদা শাৎপা লৈ থরাই তানা চিঙ্গগে।
ফুবা দলালনা খল্লবা মম্নয় মিৎনা'ফুকা লৈমিংদে।
ইমা নংগী তম্প্রাকনা মমুংঙাইরে।

খোকখিবা অমতং—

মণিপুরগী ইঞ্জিনিয়ারগা ঠীকাদারগা মান্নবা ঠিক। অমখক্তা য়োকী পুখ্রি তৌ হায়দুনা পৈশা ঠিকাদারদা পিখি। অনৌবা ইঞ্জিনিয়ার শিল্লবদা তৌরমদবা পুখ্রি অদু অমুক ম্যালেরিয়া শন্দোক্লবগী মরম ওইবে হায়দুনা ফুমজিনবগীদমক পৈশা অমুক পিখি—লম্নাং অছু ঙসিসু অদুম লম্নাং ওইরি শেলতনি হোংগ্রিবা।

* * *

মিং চনশিনবীগু নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিদা
সাহিত্য সেবা তৌবিয়ু।

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি
কৈশামপাৎ- ইম্ফাল।

সমরেন্দ্র

এয়ার হোষ্ট্রেস

অশংবা অতিয়াগী লন্থীদা
অঙৌবা লৈচিনগী লমদমদা
স্বর্গগী রমনী সুন্দরী
চৎখিন্নৈ শানৌদো ঐহাক্কা পুং তরুক
অহাঙবা অতিয়াদা।
শাকলবা অতিয়াগী ঈপাক্তা
চীং মুয়েন উমং সহর লান্দুনা
শাইখিন্নৈ ঐখোই অনি পুং তরুক
অহাঙবা অতিয়াদা
সহরগী লাঙবগী নিনখোংবগী
ইনাকখুনবগী চাওখো কপগী
লাঈয়বগী লৈতবগী
চাদবগী শেন্তবগী মৈচ্যাং নিংশিংউদে
নোংজু মুংশা অয়া অনা
খুজংগী মীশি মীনা নোং মুংশিং
খল্লুদে।
উমংগী অইংবা অকিবা
তমখিবা তুজুংবা
শাহিংচাবা শা ঐখোয় কিকদে
লাইকদিবী শান্নবগুম পৃথিবী
লেংজবা পৃথিবী জীর্বাশং
শাহাজাহানগী তাজমহল
দিল্লি সহর বেম্বে কলিকতা
কুমখনিঙদে পৃথিবী
যেংনিংদে পৃথীবীগী মুপীমু
× × × ×

অরাংবা আরার উরকই উত্তোন রাত্তোন
মরক্তা
অপাকপা লমহাং উরকই খঙহৌদনা
লৈনা লৈনা উরকই বীমান তাফম লমপাক
ইশাং শাংনা উরকই
মথং মথং পরেং পরেং মীয়াম পরেং
মরুপ মপাং মীয়াম মপা মচা মচন
মবুং মচিন মনাও মমা মচা
ঐগী কমলা শোল্লবী চায়াম পোকপী
ঐগী কমলা
মল্লাং কংলবী ঐগী দমক্তা রাজরষী।

লোকনিংবা অমা অনিদং—

লল্লই হূপা অমনা শাক্তনা মতুদা চৈরকই— "করিন্নো নংনা ঐখোয়গী ইবেলৈবু হূপা অমগা আদা চৎহনখ্রিবসি ?" মতুনা ঈংনা থূমলকই— কৈস্থ তোবোইয়ে, চৎমিন্নগ্নিসি ঐখোয়গী লোৗ ওনবা লাক্লবা আমিন বাবুহ্নি। হূপাচনা তপথরহ্না— এ, অচ্ চ ওইরবদি কৈ কৈ।

+ + + + +

মতু অনি লোনবা বামোন মণিনা লম্বোলদগী চুশাং অমা সাইকলদা পুম্নগা থৌরকপদা, লম্বেলদা ভাইহাক পোথারিত্তৌদা শন অমনা চুদোন অহু চাথোকখ্রে। মমুন্দা হূপী অহন্দুনা— "চু মত্তোন্দি নহু অত্তোম্বীদা পিরম্মত্রা ?" হায়হনা শাক্তনা চু অহু মক্তেক মক্তেক থুদেল্লগা লংঙকপদা অত্তোম্বীগী কাদা লোইরা ভায়ে। অত্তোম্বী অহনা থোরক্লগা— "লবেম্মাগী, লবেম্মী !"

আর্নেষ্ট হেমিংওয়ে

পাংলী লীনবা অচমবা ৱারী



আর্নেষ্ট হেমিংওয়ে,

[যুক্তরাষ্ট্র আমেরিকাগী ইল্লিনোয়সতা ১৮৯৯ ইংগী জুলাই ২১ দা পোকখি। স্কুল কাল্লিতৈ মতমদা ফুটবোল অমসুং ইরোইবগী টিম শেমগংখি, ক্লাস ইডিটর ওইরম্মি। ইং ১৯১৮ দা আমেরিকান এম্বুলেন্সতা য়াওহুনা ইটালিয়ানগী লানফমদা চংলুই মোর্টার শেলাড অমনা পাল্লুনা শোকখি। ইটালিয়ান ইনফেন্টরীদা মীং চন্দুনা লেফটন্যাণ্ট ওইনা কাখি। অহানবা ৱার্লড ৱার অসিগী মতুংদা মহাক তোরোন্তো ষ্টার অমসুং চিকাগো ত্রিব্যুন্দা থবক তৌরম্মী। ইং ১৯২১ দা হেডলি রিচার্ডশনবু লুহোংহুনা লৌখি। কোরেসপোন্দেণ্ট (ঈ-পাও ইবা মী) ওইনা ইউরোপ্পা চংখি। ১৯১৩ দা মাগী অহানবা লাইরিক "থ্রি ষ্টোরিজ এণ্ড তেন পোএমস" থোকখি, মথং চহিদা "ইন ওয়ার টাইম", ১৯২৫ দা থরা চাউথোক্লা অমুক ইখি। "নখোয় অসিদি মাংগ্র-মুৎথ্রবা মীরোলনি" হায়না ষ্টেইন্না হায়রুবদগী মাগী মমিং চৎলবা অহানবা উপন্যাস "দি সন অলসো রাইজেস" ইখি। ৱারী মচাশিংগী লাইরীক "মেন উইথআউট উইমেন" (ৱাথলগী চেফোং হন্দক্কী অসিদা য়াওরীবা ৱারী অসি লাইরীক অসিদগীনি) মথংদা ইং ১৯২৯ দা "এ ফ্যারওয়েল তু আর্মস" ফোংখি।

মাগী অহানবগী লুপী থাইনখিহুনা পাউলিন ফিইফরবু লৌখি অদুগা ফ্লোরিদাদা চংলে। মফম অসিগী গলফ স্ত্রিমদা ঙা ফাবদগী অত্তাওবা ঙা মখল অমা 'রোজফিশ' ফাখি—ঙা অদু মমিং থোনখি। ইং ১৯৫০ দা হোগংলকপদা বুল ফাইটিঙ (শন কাবা থেংনবা) মরমদা থাগত্তুনা " ডেথ ইনদি

অপ্টরনুন' লাইবীক ফোংখি। ৱারী থোম-জীনবা "উইন্নরস তেক নথিং" অমসুং শা অচৌবা তানবগী ৱারী "গ্রীন হিলস ওফ আফ্রিকা"—মরিশুবা উপন্যাস "তু হেব এণ্ড হেব নোট" ইং ১৯৩৭ তা পুথোকখি।

স্পেইনগী সিভিল ৱারদা ঈ-পাও পীবা মী ওইবদগী থংজিল উশিল্লকপদগী ড্রামা "দি ফিফথ কোলম" অমসুং সিনেমা নমগ্রবা ৱারী "দি স্পেনিশ আর্থ" অমসুং খ্বাইদগী পান্নবা উপন্যাস "ফোর হুম দি বেল তোলস" ইং ১৯৪০ দা পুথোকখি।

মাগী সুপী অমুক থাইনরগা মার্থাবু লৌখি অদুগা ক্যুবাদা ময়ুম হোংখি। অনি-শুবা পৃথীবী লাঞ্জ উদা নোমানডি লাঞ্জংবদা কোরেসপোণ্ডেন্ট ওইনা অমুক য়াওরই। ১৯৪৪ দা মতু অমুক থাইনরগা মেরী ওয়েলছ লৌই। ১৯৫৯ দা উপন্যাস অমা ফোংঙি; চহি অহুম লৈরগা "দি ওলড মেন এণ্ড দি সি" প্যুলিটজর প্রাইজ ফংখি। ১৯৫৪ দা সাহিত্যগীদমক নোবেল প্রাইজ পীখি। জুলাই ১৯৬১ দা নোংমৈনা পান্দুনা শোকপদগী ইভাহো সহরদা শিখি।

আর্নেষ্ট হেমিংওয়ে মহাক্কী ৱারেংশিংদা ৱাহৈ ৱাতা শীজন্নবা য়াম্না চেকশিল্লি, কান্নদবা ৱা ওাংদে অদুনা হায়নৈ মাগী ৱারেংদগী ৱাহৈ অমা লৌথোকপা য়াদে, ৱাহৈ অমা হেনগৎনা হাপচিনবা য়াদে। মহাক্কী থোইদোক্লা আধুনিক ৱারেং লেংবদা কলা নিপুনতা ওই-বদগী মমিং চৎলি। —সম্পাদক।]

— — —

অসুম্না মন্নাছু তপ্না তপ্না ফূ-ফু কাম-থোক কামথোক্লছুনা মহাক্না কোমলা অমা চাবস্মি। মপান্দা, তারিবা উননা নোং ওন্দুনা চুখবক্লি মমুংদনা ইলেকত্রিক ষ্টোভ অছু মৈশা থোরক্কবগুম তৌশিল্লক্লে, লাইরিক ইনবা টেবিলদগী হোৎগৎলক্ভুনা ষ্টোভ মনাক্তা মহাক ফমথরকই। কয়াদা মুঙাইবা ফংলবা। 'সিদদি লোইরে শিরোইদদৌনা হেক তৌরস্মি।

কোমলা অমমুক লামছনা লৌরস্মি। লাপ্না লৈরবা প্যারিসতা, মাস্কার্টনা ভাম্নী ব্রন অপাং অছু সেকণ্ড ৱাউণ্ডা থিনগ্রে। অমুক লাপলবা মেসোপোটামিয়াদা কুট কুমমাথোই থানা উন তারম্মী। পৃথিবীগী অমরোমদা লৈবা থাপলবা আষ্ট্রেলিয়াদা, ইংলিস ক্রিকেট শান্নবশিংনা মখোইগী উইকেটশিং লৌশিল্লী। অদুদগী মতুদা রোমাক্স য়াওরম্মি।

কলা, সাহিত্যবু শৌগৎপা কাংবুনা পুথোরক্লিবা "দি ফোরম," মহাক্লা পারি। মশীং য়ামত্রিবা ৱাখল থনবা মীশিংগী, লম্বী ভাকপনি, ফিলোসোফরনি অমদি মরুপনি। মনা ফংনবগী অতেনবা ৱারীশিংবু ইবিবা লেখকশিংনা ঐথোয়গী হয়েং ফুংগী য়াম্না শিংকদবা অকবা লাইরীকশিংগী লেখক ওইরক্কত্রা ?

অহাঙবা ইথোল লম্পাক, লম্মাংদগী, মী চগুংনরবা খুল্লক টরক্কা নত্রগা হুঙাই মবাং হৌরবা ইমুং মনুংদগী তশেংবা পুন্সিগী ওংবা খৌদোক মচাশিংগী মবমদা ইমুং মনুং লিননা আমেরিকাগী হুঙাইরবা রাবীশিং লোইনমক অদো ফজনা মনুং ফাউনা চেল্লিবা ফাগীনা থল্লবশিং অসি পাবদা নহ কন্সু হুঙাইগনি। ঐ মাখোই অসি শোইদনা পাগে হায়না মহাক্না খল্লম্মি।

মহাকনা মথা চথরম্মী। ঐখোয়গী ইচা ইশুশিং মখোয়না করমদৌবা? মাখোয়না কনা ওইবা? অনৌবা পাম্বেনা ঐখোযগী সৌরজগৎ অসিগী মথাদা লৈকম খিনবা য়েংগদবনি। মসিবু লাল তৌনম্নগা ফংগদ্রা নত্রগা শান্তিপূর্ণ ওইবা উপায় অতৈনা যেংদৌগদ্রা?

নত্রগা ঐখোয় লোইনমক কনাডা লৈবাক্তা হোংবা তারব্রা?

ঐখোয়না লুনা থাজজল্লিবশিং সি সাইন্সনা থুগাইরগদ্রা? ঐখোযগী সভ্যতা মাসিবু হান্নগী লৈনবম্লিবশিংহৃদগী হেঃ। শে থংরব্রনে?

অতৃগা মরকসিদা, অমুক অথংম্নদা লৈম্লিবা মুকাতানগী তুম্বক তুম্বক তাল্লিবা উএং শিংদা গোম লোকপশিংগী শি ওংনাউদা য়ানবগী মখোল থোরক্লি।

ঐখোয়না অচৌবা মীশিংবু পামব্রা নত্রগা মাখোয়না কলচব তৌবহ্ ঐখোয়না পাঁমব্রা? জোইসিবু হায়সি। প্রসিডেন্ট কুলিজ্জ হায়ম্লো! ঐখোয়গী কোলেজ ছাত্রশিংনা করম্বা পুন্সিগী অপাম্বা তাল্লিবা? জেক বৃটোন লৈ। ডাক্তর হেনরী ভান ডাইক লৈ। অনি অসিবু তাইশিন্নহনবা ঐখোয়না ওনদব্রা? খুং স্ত্রাইবলিঙগী রাযমহ্ মখল্লু।

অতুগা মখোই মশা মশানা হন্দুনা হন্দুন থিবগদব পুম্নসিনা শরুক চপচানা য় রুগদৌরীবী ঐখোয়গী মুপীমচাশিংসিনা কমদৌব। পুন্সি সমুদ্র অসিদা ন্যানসি হাউর্থোননা মশা মক্না ফিবম হন্দুনা হন্দুনা থিবা তাখিবনি। চহি তরামিপাল শুরক্রবী লৈশাবী থুদিংমক্না থেংনবা তাবা রারম রাথোক পুন্নমক মহাক্নচু মবিল পালনা অতুগা মিংলম নারমশিংনা মায়যোক্নখিবনি।

ওল্টোক্না মপুং ফারবা লাইরিক মচা অমবু ওইদ্রি।

নখোয চংগা তনাানপালগী লৈশাবীরনে? জ আন ওফ অর্কবা বাযমহ্ থল্লু। বর্নাড শোবু মংল্লু। বেটসি রোসকী রাফমসু ময়েংদু।

১৯২৫ অসিদা রাবমশিং ওসিগী থল্লু প্যাবিগানশগী ইতিহাসতা হরাও তয়াম্বা ইগাংগী লামাযককা যাউ-লবগ্র? পোকা হোটাদ মমাগ অনি পানব্রা? মহাক্নী মরিশুবা জাইমেন্সসন অমা লৈব্রনে?

অংৌবা লাইয়েকশিং অহগ্না শৈরেংগী মসিবু কলান্না? মাম্নিদা, নংঙদা। পিকাসোবু য়েংউ।

কৈরেং তুরেং কোইরেং চংলিবশিংদু অসিগী লমচৎ শাজৎ নাইব্রনে? নংগী রাখলদু কোইথোক্না পংথন্দা খঙখো।

মফম খিবিক্তা রোমান্স লৈ। কোরমদা ইরিবশিং অসিনা রাকম কয়া ভাংলি, নোক্লিংবা অমস্তুং অশিংবা রাকম য়াওরি। অহুবু মখোগনা অথং অহৈ শাবম্ন তৌদে অহুগা পংশাং শা'নস্র থক ইদে।

মহৌশা তোয়না খোক্তবা হুংশি হু'ওনগী হুঙাইবনা ময়াই কাহন্দুনা, অনৌ-অনৌবা রাখলনা হরাউ মখোয় কাহন্দুনা থরাই পেম্নবা পুন্সি থংনা লেললি। মহাক্না লাই-রিক মচাহ্ থনম্মি।

অহুগা তাঞ্জা অহুদা, ত্রিয়ানাদ য়ুম অমগী মনুংদা মমলবা কা অমদা নিউমোনিয়া লাইনানা লাকহৎপদগী মনাতোন অনিমক্তা তোংখৈ থিংজিন্দুনা থমলবা ম্যাম্যুয়েল গাসিআ—ম্যায়রানা ইশাং শাংনা তিংথোক্তুনা ক্ষমুং অমগী মথক্তা তারি। হুমিং থরগী মমাংদগী শোষ্টদনা মহাক শিরগনি থম্নরক্লবনি। অস্তোনু-সিয়াদা কোংলিবা চে পুম্নমক্তা অথম্নবা চেক্নোং মশীং হাপকৎতুনা মহাক্কী শিবগী মা হাপলম্মি। মহা অহল খিবিক্কা মাবু নিংশিংনবগী ওইনা মপুম ফানা নমলবা মচু শংবা মাগী কোটোশিং লৈনরম্মি অমস্তুং অহুগুম্ব লিথোগ্রাফশিং অহুদা য়েংলূবদগী মখোইনা মাবু নিংশংলম্বা মাগী মূর্ত্তি অহু মাংথিরম্মি। বুল ফাইটরশিংদি মহাক্না শিখিবসিদা য়াম্না মাই শংলে মরমদি মখোইনা মরক মরক্তদা তৌবা ঙম্বা থবক্তু মহাক্না বুলরিঙদা তোইনা উৎলম্মী। মাগী অশিবা কুন্ত অহুগী মতুং ইন্দুনা মখোই লোইনমক নোং মরক্তা চৎলম্বনি অহুগা মাবু জোসেলিতোগী মং মনাক্তা ফুম্নবা মোমক্ষম ময়াম লৈরিবা মকমহু তান্না বুল কাইটর চামগা নিফু তরেংনা মতুং ইনখি। শিবগী হৌনবী পূম্নমক তৌরবা তুংদা নোং থুম্নবা কেফি হাউসতা খুদিংমক কম্নম্মি অহুগা ম্যায়রাগী মচু শংলবা কোটো অয়াম্বা নিপাশিং অহুদা য়োম্লকপহু কোনশিল কোন-শিন্নগা মখোয়গী ফুরিংথাউদা চাপচিন্নখিরম্মী।

(অনুবাদক— শ্রীবীরেন)

খোকথিবা অমতংগা—

ইনাকথুনবী হুপী অমগী মপা শিবগী অস্থি সঞ্চয়দা বেন্দ পাটি য়াওনা লৌথংলম্মী। শিথ্রবা মপাবু নীংশিংহুনা মচানুপীনা "হা বাবা, হা বাবা" হায়না মথক্তায় শোক্না কপ্নম্মী অস্তুম। বেন্দ পার্টিস্তু তান অমা হাপকৎহুনা খোংগৎলকপদা কপ্নম্নিবী মচানুপীসু থঙহৌদনা বেন্দগী সুর মতুং ইন্না তান য়াওনা কপথৎলকই "বাবাদি বাবা বাবাবা। বাবাদি বাবা বাবাবা।"

মোইরাং কংলৈরোন

(অহানবা শায়োন)

ফৌওইবী অকোংজাম্ব

শ্রীনীলকেতন সিংহ

শজিবু লাকয়েম্মি। কংলা ঈক্রোং হোঙবা মতম্মি। মোইরাং অকোংজাম্বা তোৰ্বুং শাদাম্মি। লৈথাকমিংথৌ পম্মি, শারম চাম্ব কাদবা য়াদে। মনাই মশল লোইশং মচাশিংগা তোৰ্বুং শাশঙ লিংঙকপা কোয়ৌ শীংবুম মযাম্রক্লে।

নোংমা য়াচঙবা মতম্মি। মালংঈচিক থেমগে, থংগোল ঈচিক লাংগে থোয়কই শাশঙদগী অঙম্বা। মনাই কনা য়াওদে, মশা মরোমদোমদনি। লাকয়েম্মি কুমগীনা য়াচঙবনি জাম্মা, তোৰ্বুংগী ফজজবা থেংব মতম্মি।

তোৰ্বুং লমজাউনি, থাংজীং চীংমাঙ হিপ্প লম্মি। মচি মচিদা তেরা পাম্বীনা, থরনা মদোম চিপক চিপক থর'মনা তরানা মঙানা উকোন সা, চাউদম রাংদম নীংথিরি। চীংযা তময়াদা চরোং-লাং-ইমোম-ছুম্মৌনচিংবা চীংগী তমগী মতুনা লমজাউগী শরুক পাক্লা চাউনা কোন মংথরি ইশং ইশং। লাইবুম থোংলমশিংদা লৈহৌরানা পুংমায় লেপ নৌনা চোংথংলকপা থম্না থরোনা ইনৌ ইনৌ ঈমায থোম শংন লৌনা হুরি পুক্লিং। লৈকুম্ভ লৈরাদাগীলাঙলাগা জেংগোল-লা শনখ্রি হিংকী কারল লাল ইশং ইলং ঈনৌ ইনৌ। ফৌবী ফৌমাউ শীংঙুং শীংন্নাংগী লানঙমদবা কোম অবাংবনা পোপ্পেক লৈ অনেম্বনা মাহুই লে ল থারি পল্লোল বযা কয়া শুক্লা শংন মঙ। অহাঙবা লৈমায় লোল্লি তিংগোইনা অশ বা লীযক। লৈ কেথেম্মি। মালংদ্রা তেরাগী মপাল নিংথিরি তঙাং তঙাং। লৈমায়দা কোম্বীরৈ নৌজরি তমু তমু, হেঞ্জরিয়ে কোঙয়াংলৈ তনৌ তনৌ ইঙৌ ইঙৌ, তম্মি লৈশাং কুসুমলৈ তঙাং তঙাং ইনৌ ইনৌ। চীংথোংদা চীংয়াদা লাংচবিযে লৈরিনা চীংখোঙ থোম্ন পুমঙৌ ঙৌ, চীংমায়দা চীংগী লৈহ উ চীংখ্রাউ, চীংজেপ্পু উগী থম্বাল, উথম্বাল; চীঙখাঙদনা লৈচু চানা মি থৈজবী লৈহাউ লৈশং; চীংয়া পামযা ওংনবাই চীংযা পামনরৈ মি থৈনজবী লোইবি হাওগী লৈনি হাওগরৈ মিংথোম্নজবী লৈগী লৈথন কয়া কয়ানা, কয়া নত্তে চাপ্পন নত্তে নত্তে লীশিংন,—ঈপোম্নবি চীংগী কোন্সু তমগী কোন্সু তুনা থোল। হুম্মি কায়দ যাচঙবা মালং লমজাউ থোম্ন থোল। তারি লমজাউ থোম্ন য়াচঙবা মম্মি। হুংশি ঈখৌ লাংবা থম্মোই কনাগী, থঙদে, মপাউ তম্মিবা।

লেপ্পি অকোংজাম্ব শাশঙদগী তাম্নপ। থঙদে কবি য়েংঙিবা নত্রে কপ্পি থম্নিবা। লেপ্পি হুমিন অদুম। তোৰ্বুংগী মম্মি হুংদুজা হুংশি ঈখৌ পোকপরা! হুংগী মপাউদি তঙ

ঙম্মোইদোরে খোঙ্কের্না, শক্তীদি হাইৎকেৎ মঙমগনি।

চাকপ্রে তুমপ্রে হুংশিবগী লাই অহুইঙে সনজীংগী চীংদোম্দ। মশাদনি চাকখিবা মথরায়দি মাঙদে। তলা পামেল উকা লাং হেঞ্জবগুম লৈরাংনা কোলোয মাগী লৈহুংশি হেক্তৈ মাস্থু মতাং মতাংদ ফজবা চেংলৌ কনা তাং; ঙম্মি থম্মোই হুজাগী— লাই খঙদে মী খঙদে— শান্নে হুজা ওইবী মপুঞ্জি।

অকোংজাম্ব ফজবা নিপানি। অখোইবনি নিপালক। তাঙজ লিম্দ হায়রগা য়াইপুব তাঙজনি, লাঙ্গোই শাদা পারগা মুক্তয় চেনবা লাইশানি; তাইবং মীদা য়েংঙগনা লাইবক থম্বাল শাংপা মীওংনি। অসিগুম্বা মীওং অস্নিদি হুংশিবা লাইগী শক্তাজবা শকওংনি। হুজা ওইবীশিংগীনা— অপোক য়াংর খঙদে নেম্ব খঙদে— রাখন থেম্রকমনি, হুংশিখিবনা মাংহোইনা শকখঙনবা তুংওইনহৌবা মফম্নি।

ফৌওইবী গুকগী মচাহুপী অতোম্বীনি। থক্ত মচেম তরুক শাংলগা থাদা কোম্না শ্যাচ্ছবী লৈবাংনি। ফজে, নীংথিজে; ফজবনা লাইরৈব্যাক খাংঙম তক্তা লাংঙতোম্বী হাযনা শৈশরুবী মহ্যাক্তি। মচেম তরুক্তী হৈনা মহুং ইন গুরুগী য়াথং লূদা থোং, ম্যাদেম লৈম্না খোঙ্ঘয়রক অাক্তৈবংপ্রাদগী ক্ষুন্ন চীম্লম হন মালেম কোইবী লাই লূভানি। ঙসি য়াচম্বা তাঞ্জাসিদা তোব্ব'ং লমজাউ কৈগাক শম খোংদোইরকই লাইরেম্ম।

অকোং কোক থেংনয়রে, ক উবে মশা, লূপ্তে মথম্মোই, থয়ায়থক্ত লৈহাপ্ন লৈরোং লাইদা কংপগুম কংলে হুংশি মাগী কাদা হুজা ওইবী মপুঞ্জি। লৈরাং লৈচিম্মিম্নরে, হৈবাং হৈজামিম্নবে; অকোং মাগী পুঞ্জি— চুপ্প মতালোযশীংদ চন, মাযোক লৈরাং ওইনা মপানমরা তা শাচ্ছয়ন্মি মবানয়ায় শবী পম্লোন লোমজখি লাইলূডা। অকোংজাম্ব মহাকম্ব 'লৈখোঙ কোইনি পুঞ্জি চুপ' শয়ীজখি হুজা কা। কোরো মশক পান কক্তরে হুমিং'ম।

য়োরে থানবা হুমিং। হুংশি মাগী ময়ান তম হুল্লক্তে খোঙদোই লাইরেম্ম। হেম্ব চম্বু ফিজোল থোল হাউশম্ন হুজা লূদা থোং, লমজেন চৈঙ্গু থূঙ্গু পাম্ন পাউহংলবে অকোংজাম্বগী লৈমকা—

"শামাম্নবী নংবু তাবরা, ইবুং অকোং লৈববা ?"

মপুরোইবা মঙাম্ন য়াংজয়বী লৈমনি। হেম্ব চম্ব অমনা তয়াক তরাক য়াহংঙবা তাবদা শীংজা ফুখি লৈম নাকোংদ, হৌখি হুংদ অশাউবা মৈ, পাউথুমখি— "হেম্বচম্ব চমোংনবী, চীংদ তোংবী অপঙবী, চীংজুম্ন থকপী লোমস্থুদবী, অঙম্ব-কোন চঙ্গে নীংলবদি

হায়রজবা— "ফৌওইবী অকোংজাম্ব" হায়বা বারেং অসিগী লেখক শ্রীমীনকেতনা শীক্তিয়রকপা চন্দ্রশিম্বনচিংবা বনান থয়া অহু প্রেম্নবী থুদোংচাদবনা পণ্ডিতকী মশাগী বনাম্বগী শ্রেমদোকচয়ে।
—সম্পাদক।

খোৌগল্লোল হায় তমগনি খঙদবরা? মপুগী শঙ্গোলশন থাঙ্গীন্দুনা রাইহনগনি হায়বা খঙ-দবী, চখোকখো, খুদোল লৈতাদনা, খঙবরা চোপচগনি।"

ইকাই সুংশি য়ায়খি লাইরেম্ম। অদুবু শরী পন্দোন লোমথরে সুংশি মাগীকা সুজা মবুক তম্ম ফা তাথজরকই মতোল—

"হেম্ব চম্নুনি ঙাকপীয়, রারৌবিম্নু ইবেম্ম; অঙম্ব মহাক্তি, থায়নৈগী ইঙাইনি, ইবুং সাবা মহাক্লি; অদুনা খোৌগাক নাইরু-দবনি; রাকম্মগী লাকপনি অঙম্ব মাগী কা।"

হেম্ব চম্নু মপাউ তা লৈম মবুক তম্ম ঈং চিঙ্গোয়রকই চিংন য়েং—

"তোর্থবুং শাদানথি অঙম্বদি, নিংথৌ পম্নি হলরাইলক্তি; শুরে সুমিং ঙসি কৌব নোং; ঙসি নম্রে হয়েং কৌব নোংদি শোয়-রবোই হলরাইরকপা।"

"অহদি ইবেম্ম, য়ারেকচখিগে ঙসি কৌব নোংজাসিদদি লৈম নঙ্গী নরানয়ায়।"

শীরে য়ারেকফম কৈথাদা। গুরুগী মচা সুপী য়ারক্রে ওকোম্দ, সুংশিবগী মতুংলাং পাম্মু মাগী দমক্লি। ঙাইরে রানা নোংশোয়বা লাক্তে অকোংজাম্বদি। তাইবং মশক খঙলে খোঙশাল্লগে নীংলে লাইরেম্ম। অদুবু খোয়দা-ক্লরে থম্মোয়না, কুবিরমগে তম্ম খল লাইগী ঙইবা খোক্লেম চাঙ্গোইরকই সুংশিনা লৈম মাবু চিংন য়েং—

"লৈম নংবু তাবরা, করেন ফকশাং জিংজৌ হাই, কুবিরমগে ঙসি নোং"

হেম্বচম্নু মরা ত নাইজহনবা তম্ম কৌ "করিবু কুবিগে হায়রিবনো হেম্ব চম্নু মহাক্লা, করেন লোইনা তিংহল্লু নরোইশিংবু নাইজহল" চিঙ্গোইরকই লৈম।

অঙম্বগী মশুম্মাঙ করেন থুংন তি লে।

মঙালগী মশক ওইবী লাইরেম্ম, মঙালগী শকুম লোখরে। সারক্লে জগোই— লৈতাই, নোংদাই, লৈনেৎ। চুথরে ফৌগী নোং, খিল্লে চীংতম ফৌগী

লৈম তুরে লাইরেম্মগী মথোঙ কোল। চিঙ্গোইরকই লাইরেম্ম—

"লৈম নংবু রারৌম্নু, পুনবা য়াদে ঐদি অপাম্বনা কদৌম্নুং।"

খোংশানথরে লাইরেম্ম হাউরে অরাং তম্ম পাং।

অঙম্ব হল্লক্লে মরানয়ায়; উরে ফৌগী চীংতম; নীংসংলে রাকম। লৈম মাগী কা থিরক্লে লাইবেম্মগী নীথুল। য়াঙ্গেই শয়াং তম্ম নেৎ সুংশিং মমাঙ তম্ম থা মারক্লে লাই-রেম্মগী খোঙ্গুল। লোয়ারাকপা মশাইগোল লোইজীং চীংগী চীংখোঙদা ফারে লাইরেম্মবু খুজেং পাল্লোই চেৎন লাক।

"অপাম নংবু লৈহোরো, সুংশি ঐদি চৎলগে। অপাম নংন তাঙ্গরক সুংশি ঐগী ইকা রো নরাক নচু ওল্লবা তান চেক্লা তুম্মা পাই পোম্বী চীন্দিম্নসিকো।"

হাইদোক থুংপায় অপামগী তমথরে লাইরেম্ম কোরৌ নোংমদোল। কোরৌ নোংথোঙ হাং লৈচিল পোমাই শং লাউ-থরকই লাইরেম্ম—

"অপাম নংন খম্ন পাম্ন লৈহৌঙাই খম্ন কৌনা পোক, হুংশি ঐনা থোয়না ঋংন হম্নঙাই থোইবী কৌনা পোক চেক্লা মতম চীন্দিম্ন পোম্বী মতম চীন্নোক্ন হুংশি থোঙদিম্ন-সিকো।"

মাধবী দেবী

বারী মচা ইবা

নোংম, লুহোংব থিনবৈ' দৃশ্য অমা মম্লি মম্লিবকপ সন্ধ্যা মতুংদা লম্বীগী চিদাইদা উবকই। ঐঙোন্দা ব্রহ্মাগী পাউডর তম্নক-খিবী মহাক্কীনি হাযব ঐ থঙলকখি। হাতলেম্প অনিগী মরক্তা, বক্তাই-বেজ্‌নগী তুংদ, দো-লাইদা ঙাম্হোইরিবী অহুদি কপখিবরা, নোক-খিববা, কেখিবরা ঐ উকক্রে। মনাক্ত চংলিবী লৈশাবী মম্নাম অত্তুগী মরক্তা তা'চন্দ্রসিংগী মচাহুপী অহল অত্তুতদি ঐঙোন্দা য়েংলগা নোক্তুনা চংখিবা উহৌই। ঐস্ত নোক্তুনা লৈহৌই; থাপত্রব 'তুংদ, লুথম থর থোংলগা য়ুমদা চঙলকখি। ফমফমদ ফমথক্তনা, হৌখিবা ঐগী হুংশি তাং, হুংশি লোনমগী ৱারী মচা কয়ামরুম ফাক্তোক্তুনা পায়গা ইখিবা মতাং অমা উবকই ... ।

"ওহোক্লা য়েংঙমত্রেদকো! 'কৈদোগে শমহুন্ন কন মপাশিন্নক্রে অমা কোক হেক ময়েংশিন্নোবা?"

নোংমা ঐনা নোংমাইজিং হুমিংকী সিনেমা (বেঙ্গলি) অমুকী শো য়েংলুরগা হাথু হাথু হুংখিলদা ফি ঙই। হুমিংসিদা শুহৌ-ত্রবদি হাপ্তা অমা ফি মোংনা ওফিস কাবা তাই। ঐগী মৈচ্রাং পাইবা মতৌহু উবদা মথাথংবগী ইচে কবোক্রেনা কাগী ওই করাং ওই হায়রকখিবনি।

":লতেনে ইচে! ইচেখোই অমত্তা তাবীবকউদনা?" ঐনা নোক্লা-নোক্লা ফি থাদোক-থাদোক্লা থুমখি।

ইচে কবোক্রে ঐগা অতুক হাক্লা কোইনবা মীশক নত্তে। অত্তুগীসু মথক্তা, ঐ অসিসু ইখোমুং অসিদা ঐনা ইকাই-গদবা তাদগা ইতৈমগত্তবু উত্রবদি বন লৈত-বীনি হায়বসিমসু মহাক য়াম্না যুম্ন থঙই।

"য়াম্নসু কজবী অহুগা ময়মগকাসু য়াম্না ওকপী অমা লৈয়ে, 'য়ংলুগেরা?" হাৰে

খরসিদি ইচেচ্ছু মখোন নেম্না চিরোন তৌবগুম হায়রকই।

"য়েংলুগেনে. কনানো, কদাইদগীনোনে?" ঐনা ফি-গুব লেপলগা হংখি।

মানা ঐগী 'নাক্তা চংশিল্লরুগা মখা হায়-খরকখি— "ফাগী নত্তে, য়াইমা। নংগী চহি মতাং অসিদি নচা নত্ত শেম্বগী রাখল খল্লগদবা মতম্নি। নমান্নবা ভুমেশ্বরখোই মচা অহুম মরি শুজিনখরে। মংবু করিমত্ত খদ্বুম্রবরাও ঐনা নঙোন্দা হন্দক চিংশিল্লকইবা মীশকসে ঐনা তরাই তরাইনা হায়বসিদা নং মমল য়ামদনা খল্লাক্নু। মখুৎ মশা হৈহ্রবজাৎনি। নখোয় হুজিক্লাদগী হায়িনা কৈদৌনি। নখোয় অনি অহুম চাবদি মান ফি শাবনা শিং নাম্না পুখিগদৌবনি।"

"নত্তে, অহুবু কনানোম্নি ইচে!" অসি হায়রগা ঐ মঙোন্দা য়েংহুনা লৈখি।

মান ঙাংব-শকপচুদা ঐ মুনখিবগুম তৌই। মাগী রাঙাং-রাতা অহুতা ঐগী নাকোংদা খর তুংখি। মহ নত্তবা ঙাংনবিবা হিরম অহুগী মতাংদদি, ঐগী রারী মচা ইবগী রাখল্দা চন্নফম খঙদহনা মাংখি। শম্না হায়রবদা, উম, চুম্মী অমসুং হোইনচিংবা খর খোকপা ঐনা রারিবমখৈ খুমদোকখিন্তৈদা, ঐগী রাবী মচা ইননবগী ইচে কবোক্রৈদগী কংখা করিগুম্বা খরদা কাহৌবা ঙমগত্রা হায়বগী খিখি। ঐনা জান তারকপদদি মাগী রাকমচ কন য়াম্না চখরস্রে হায়বা মাগী অকোনবা রাহংদগী খঙলত্রে।

"অহুদি হোরেলদো, জুমিদাংরাইরম ঐগা ঙাইহাক হাইখরুশিকো"। মহাক চৎখিগদৌবে।

ঐনা ইথং খংনা হাযখি—"কদাইদা য়েংগদৌবা? কনানোনে ইচে।"

মান খব কল্লপ তৌন শাওবকখি— "ইহে। রাবী তা'মখৈ তাবগা সীতা কনাগী মচুনো হাযবহু হেক তৌইদা মসিগী অঙাংসিমা। 'সিদগী খৌনাওজম চন্দ্রসিংগী ম্রুপী, ঐগা চেংদাইফম কম্মিম্নবিবা তোপ্নীসে, অসিগী হেক পোকম্নিম্নবা মনাওনুপীনে, ইতোন তোপ্নী। লাইরিক্তবু কযা হৈতে হাযবদনি, মশক মতৌদি করি হংঙরনি। মশম মনান করিব। হোরেল য়েংদ যেংঙু।"

অসি হায়বগা ইচে কবোক্লে ঐগী 'নাক্তগী খোকপ্রে। ঐ করিগুম্বা খরদি হায়-হৌন্নিংবনি; অহুবু নংহৌদে। হায়হৌদবহুগী অশোয়বা লাকত্রা হাযবগী মুংনাংবনা ইচে কবোক্লেগী মরমদা শাগংলুবা ঐগী ঙাইহাক্তী রারী মচাহু অহুম মাঙখোকখিবগুম তৌপ্রে।

অওইবমক ঐ কৈনোমা তৌপ্রে। হন্দক মবকসে ঐঙোন্দগী রাবী মচাই ঈফুৎ হাযনবহুমক কংপ্রমাপ্লে। কন হোংনৈ; কম-কম্নাংদা, খোজৈজ খুত্ত পায়হুনা। অহুবু চন্দ্রনদীগী দশাগুম খম্মোই কাক্তিনুংদা মতম কুইনগী লোংখ্রমাপ্লে। পাখঙ মচা ওইবি-ভৈদদি, রারীমচা ইনিংবা অমসুং ইব ঙম্বগী শক্তি য়াম্না লৈরম্মী। পরিক্ষা তৌবগুম, পুং কয়াদা রারীমচা কয়া ইশিগে কাওবা শীঙননিঙখি।

ইচে কবোক্লৈগা রারী শানখিবা তুমিত্তু-মকী তুমিদাংরাইরম্নি ঐগী কাদ রারী মচা ইননবগী কময়বদা মঙাইরি। ইচে কবোক্লৈ থোংনাওদা মকোক থিনগৎলক্লগা তুমিম হায়-রকখি, "ঐ চৎলম্লগে হুসাইগীদো যাইমা! নংসু 'তুম মথাবোমদা হরা চাবা ওইনা হাইথরক্লো।"

মিকুপ খরগী মতুংদা ইচে কবোক্লৈ কোম্হোং য়োম্রে। ঐসু ঙাইহাক খঙ্গামবব তুংদ কি হোংব ভৌদন লোংখ্রি অহুব শেৎলগা ফুরিং অমত্তং লিংশিল্লগা ইচে কবোক্লৈগী মতুং ইল্লে।

লৌরিং পাম্বানি। লম্বীদা লৌহোন হাপ্পা ষনগাড়ী চৎপ থেংনৈ। লৌমীশিং তুপাসু তুপীসু লৈখোম লৈনাং ইতৈ তৈনা চৎপা উই। লৈশাবীশিংনা পুখ্রি অচৌবদগী ইশিং শোকপা থাপ্প উই। পুখ্রি খোংবান পাৎন-নচিংবা ইতুংকম অয় য়দা ঈশিনা ঈমায় চোম্না চোম্না লংঙি।

তা'চন্দ্রসিংগী তুপী তোম্বীগা ইচে কবোক্লৈগা মথারোমদগী হায়গৎলকপা ওক্লে। ঐগা হেক থৈনবা তাঙ্গা অহুদা ইচে কবোক্লৈনা লোম্না ঈঙ্গিং ওই করি ওই খর তাক্লম্মী। মাগীহুদগী ঐনা খঙহৌবা হায়ববু, লৈশাবী খর পুখ্রিদগী ঈশিং শোক্লিব অদোমদা ঐখোয়না ঙাংনখিবা অহুম্মক য়াওরে হায়বসিনি।

অহুবু ইচে কবোক্লৈগী তুংদ, ঐনা লৈশাবীশিং অহুদগী অমুক অশেংবীহু খলোক-লুনবগী হোৎজকখিক্রে। অশংবা লৌবুক লমহাংগী নিংথিব অহুদ, অঙাংবা, অশংবা হঙ্গামপাম্নচিবা মচুশিংগী থিন লৈতেং ওই-রিবী লৈশাবীশিং অহুগী মকোক মকোক্তা অমুকসু অবংবা সনাবুল অমমম পুহুনা ঐগী মিৎলমদা থোরকপহুদা ঐ অহুম মুনখিরম্মী। অওইবমবসু, তুমিদাংরাইরম ওইরক্তুনা গচু খুদিংমকী মতিং ফুদোক্লরকপগী ফজবা মতমগা ওইবনে, অথাপ্পদা উথিবা চীংয়া তময়ানগা ফজবনে; নৌহৌননা থমোইদা ইরাং অমহুম হাপকৎখিরম্মী। ঈরাং অহুম্মক ঈরোয়ননা, য়ুমদ খুনা হজিল্লগা রারী মচা ইননবা কমলুগে খল্লকই। অনৈবা ঈশিংলক্তা কৈরপ ভৌন য়ুংলিবা 'নাকী লিংলয়ত ঙাইরিবা লৌগী দৃশ্য, নাকন্দা থৈহুনা চেল্লিবা অপিকপা ঈচেল, লম্বীগী নাক য়েত্তা য়ুংলিবা ইলেকট্রিক অমসুং টেলিফোনগী পরিং, মরাম অহু লিংশিং নিংশিং ঐ য়ুম্নোমদা হজৎলকখি।

অহবু অঙকপনি! সন্ধ্যাগী মম্লি-মম্লি-বহুদা ইচে কবোক্লৈদি ঐবু খোঙ্গান্দা ঙাই-রমলি; অহুগা হায়রকখি— "উরক্লবরা, কমদোই, ফজত্রা? মশমহু শাংত্রা? ঐনা মমাদসু তানরম্লবনি। নংনা চঙলিংবা তুমিৎ অমদা হেক্তা মখোয়'য়ুমদা কোয়থোরকপা রাই হাযনসু মমান হায়রকলবনি। হুজিক ঙাইহাক্তং চৎলুদনা?"

নিংঙোল পোকপা পাপনি; ওম্হোক্লসু খুনা থাজনীংলক্লেদা হায়না ঐনা খল্লকই। অহুবু কোয়বা চঙবগী নিয়ম ইচে কবোক্লৈদগী খঙ-দোকহৌখি। থুনমক য়ুমদা চঙহনা তুপী কোয়বা চঙনবগীদমক ঐ, অমুক ইকে শেক্লে!

ইচে কবোক্লেনা তাক্লকপা মতুংইন্না, লৈরক অগোৎবা অহুগী মথাখংবদা লৈরিবা লাইরেৎবীগীদু মথা ওইনা চঙ্‌খ্রবা লৈরক মচা অহুদা ঐ চঙলে। অহু শুবা কোম্পেং অহুগী ময়াদ ঙাইহাক লেপ্পিদৌদা লৈরক্‌দগী মী অমা থোরকই। মীহুদা হংহোদ্‌না অপে'বা থঙ-লবদা ঐ, কোম্পোং হাংদোক্ত্‌না সাইকল ইক্সিল্লে। কোম্পোং অদুগী য়েংওইনবদা লৈ-রিবা অরাং শঙ্গোই অদুগী মহুংদা হুপী অহল অমনা অঙাং থয় চিংদুনা চন্না লোয়-শিল্লিবদু অমম্বদুদা হায়কেৎ উই। সাইকল ষ্টেন থাদরগা ঐন করিমতম্ন ঙাঙব শকপা তৌদন ঙাইহাক লেপ্পিদৌদা, হুপাহুন শঙ্গোই-দগী কুমথরক্লগা ঐবু হাইকেৎ য়েংলগা কৌ-রকখি—“কনানো ইবুংঙো। করি থবকীনো?”

তাক্লক অহুদা ঐ যুমদগী ইচে কবোক্লেনা তন্বীরকপা পাউখুমহু থঙনিং নিঙশিংলক্ত্‌না খুমহৌখি—“ঐ অসুম চথোকচরকপনি।”

‘এ— ইবুংঙো ওইরে। সোমদা লেংশিল্লকউ ইবুংঙো। হায়! হায়। কনা কনা লৈ। অশ্বারি (অলমিরা) মথক্তুগী কক্তো পুথোরকউ হায়! হুপী মচা তারিবয়াও।”

ঙাইহাকী ওইনা হুপাহু থোঙ্গা তম্ন, হাদন ইরাঙ লাঙবগুম তৌই। থোঙ ময়াদ কনানো অমন থক লাম্নোরকপহু লৌহুনা থাই, মাঙোন মচাহুদা। মথোয়না লৈনরিবা য়ুঅনিহ অরাং শঙ্গোয়হগী পরিং ওইনা ক্রমায় মথা ভস্নুনা লাই। য়ুমজাও য়ুক্ষম অম্নুকি ইহাঙ হাঙনা অহুম লৈ।

সাইকল থম্লিবা অহুদগী থোঙকাপ মম্নিরোমদং চঙশিল্লগা ঐ থোঃউপ লৌথোক-তুনা থনম্মী। ইচে কবেক্লেনা তন্বীরকপা অয়াম্বা ঐ থোইন কাউঁংদে। অহুম পাঙ-থোকখি। ঐগী হা'ববু তু'গী রা হেক হেক নিংশিংলুবদা ইথস্ত অকিব হু শাখীব অমা পোকচহুনা খ্বব মপী হোনব, হুম্মাং কাংবহু মঙাইরে।

থারিব কক অহুগী মতাই ওইরপ ঐ কন্মী। ইথস্তগী মিপাইক্তবদু কাঞ্জনবা হোং-নরিদৌদা হুপী অদুনা ইমুং অদুদা ঙ'ঙব শকপদু কয়া তাহৌদে। ঐন তাব হায়ববু হুপামচা অমা থাদুনা কাগ চুরুটকা লৈহনখি। লাইরিক ঔরাইজদুনা লৈরিবা পাখং অমবুস্নু করিগুম্বা থবক অমা থাখি। লৌহোন অমেম্ব মচিৎ থিকনবা অহল ওইরপ তৌব নিপা-দুবু হ'য়ক্তদুনা থ দোকাখ। তঙাংমচা অপি-শকশিং অদুফাওবা লাঙদনবা থ জিনাখ। চুকট ক্ক লৈরুব অঙাং অদুস্নু হল্লক্লগা অমুক থোকখি।

হুপী অদুনা ঙাইহাক লৈনগ' চুরুটকা কাগ হাপ্ল শেম্পাক অমা পুথোরকহুনা ঐগী ’নাক্তা কমথরগা হায়রকখি— “করি হানি, ইবুংঙো! ঐথোয়গীদা লেঙলকপদি?”

শেম্পাকহু ঐনা কম্লিব কক্তুগী মথক্তা থমই। মরক অসিদা ঐস্নু খুমহৌখি— “এ— তৌবীরুরম্নু, ওকচরে।”

হুপী অদুনা ঙাইহাক থল্লগা মথা তায়কখি— ‘অদু তাম্মোগা ইহৈম’ বেম্মগনদি য়াগরা ইবুংঙো?’

রাকময় থুনা শমজিল্লকপত্থদা ঐ ওকখি। অত্থবু য়াম্ন থুনা খত্থবা তৌদন খুমদোকখিব-গুম তৌখি—"মখোয়দি ঐভন য়ারগা লোয়রবা জাংনি"।

তুপী অত্থনা ওক্লকখি:—"এ"—। (ভাইহাক খল্লগা) "অত্থদি, ইবু ভোবু গুসি অসি, আ—তুপীমচা'সিগা ভাইহাক উনবীত্থনা য়ারী শাবীগে হায়বরা'?"

ঐ খব ইকাইখি, অত্থবু শানখি, "অ-হোই।"

"আ অত্থদি, ঐ অসিয়াইদা মী অমুম যেংগেকো।" অসি হায়রম্নগা তুপীত্থ হোগংল্রে। ইমুংদা চংঙ্বগা যাম্ন থুনা অমুক কোম্মোং-লোমদা খোকখিবগুম তৌত্রে।

মীচিকপগী ভাঙাত্থ কংবত্থদা ঐগী মিহুন খব কল্লপ হৌরকখি। চিরব মতমত্থ নাম্মোক-খিগত্রা হাযবগীম্ব তুংশা থী। তুং ওইরপ লৈবিব খোং অদোমদা হাইফেং য়েংশিনখিবদা, ফেবে-ফেবে হাইত্থনা ভাল্লিবা থাউমৈ পোদোনগী মঙাম্দা ইমুংগী পোংচৈ খর নত্তনা কনাসু উবা ফংখিদে। ঐ হৌগংলম্মী। হাম্নদগী মিহুনসু কনখৎপা হেনগংলক্লম্মী। অমুক হনবগী মিং-য়েংদা ঐগী তুংদা খোঙ মযাদা তুমিন্ন লেপ্লিবী "মহাক" উখি। তপ্ন খোঙথাং খর চঙশিল্লগা কল্লাক নিঙ্গ, মাম্ন লেপ্লিব অত্থগী ময়াদা লেপখি; অত্থগা খোক্লেন নিক্ন হায়খি:—"করি মিং হায়বনো; ঐবু অমুক্ত উখিত্রিবন্না?"

মামা—"ইবেতোম্বী কৌই। ঐদি য়াম্ন খুম্ন খঙডি।"

ঐনা—"অত্থ নং ইমাখোয়না হায়রিব-সিবু য়ানিংত্রনে?"

মামা—"অহল লমন্না হায়বতা ইঙগে হায়ত্থনা- -" (রা ভাংব লেপ্পগা লোম্বখি)।

ঐগী তুংশাখীরম্বা, থকংলম্বা, খর মপী হোম্ব, মিহুন কম্না চোংখিব পুম্নমক খর ফখি। মতাং অসিদদি ঈঙনা রাহং খব খল্লিংখি। অত্থবু অঙকপদি ঐগী মথংগী রাহং, ঐগী মচিন খৌরবা রাখলনা খিরক্লুনা তাল্লক অত্থদা, রা ভাঙনিংলব চিল্দা শিল্লবকখিদে। মাগী খোঙবা পাযবিবা য়েথংব মখুৎ অত্থ নিক্লি নিক্লি তৌবা ঐগী খুৎ অনিনা তপ্না পায়কত্থনা লোথরম্মী। অত্থগা রা-ভাঙবা তৌদন ভাইহাক পায়বোই, নানবোই শাম্নবোই তৌখি। মথংগী মিকুপত্থসু অথুব, ফজব রাহং ঐগী রাখম্না লাখ ফংখিদে। রাইহেনা ফোঙদোকপনসু য়োবা ওয়েরোইদব ঈঙ্গিং অমত দি মিকুপ খব অত্থগী মমুংদা রা ভাংদনা উংলমখি।

"ঐ চংলগে, হয়েংমুক লাকপদা ঐ, নংগী করি লৈবকউগে?" ইমুংগী থাউমৈ পোদোনগী মঙাম্ন য়োবক্তুব মাইখোঙ অত্থদা ঐন য়েংলগা হংখি।

"ব্রহ্মাগী পাউডর অমতং লৈবীরকউ।"

"ব্রহ্মাগী পাউডর?"

"উম।'

খাদোক্লমখি তপ্ন। ঐ দারিদগী কুম-থরকখি। অত্থগা নিংশিংখি, ব্রহ্মাগী পাউডর। "খোঙউপ তোংব লোইবত্থনা সাইকল ইম্মো-য়কপদা মমা চঙলকই। হায়রকই:—"লেঙ-ঙগেরা ইবুংঙো।"

ঐ "অহোই" হায়রম্লগা নোম্লুক্না কোম্মোং য়োরক'খি। স।ইকল তোংখৎখি ; নিংশিংখি অমুকসু 'ব্রহ্ম গী পাউডর' শোম্বন থিরগা মীভোন্দত ওইরবসু পীখিগে খনখি।

রজণীকান্ত

করিনুংগী নো

মখোয় মচিন মনাও অহুমনা চেম্মো-রক্তুনা "ইমা লাক্লে,ইমা লাকলে।" কৌরকই। অহল ওইবা মচা নীপা চাওবনা মমাগী নাক্তা লেপলহুনা "ইমা। খোংনা লাকপ্রা ? মনিসিদি রারম্ব তারে।" অসি হায়হুগা মমাগা লোইন-রকইবা নীপামচা অহুবু "লাউ, ইয়াম্বগী নজন্দা" হায়হুনা নীপামচা অহবু পোখৎলি।

মচানীপা অহুম অহুনা মমাগী মনাক্তা ইকোই কোইনা লেপলহুনা "ইমা ! লাকনি হায়হনা ঐখোই করি অমতা চখোক্তবনি।" অমনা "ঐখোই ইচিন ইনাও অহুম্না শঙ্গাবুং অসিদা ইমাবু ঙাইহুনা লৈরকপনি। ঙসাই অয়ুক্তগীনি" অমনা অমুক "ইমা। নং হন্দক্তি চৎপ্রগম্ব 'সিদা শুম লৈরো। ঐখোইসু চাও-রকলেদনা।"

অমনা "ইমা ! ঐহাক হন্দক লৌ শুবদা পৈশা খম্না ফংলে। ইমাগী য়ুম অমা তোঙাম্না শাগে। মনিঙ্গা শুম্না ঐখোয় মঙা লৈমিন্নসি।'

অতোপ্পা অমনা "মীগীদি মমা লৈবনা অমাম অপা লৈতবোই নিংইদো। ঐখোইগীদি ইমা লৈরবসু লৈতবগা চপ মাম্লে। ইমানদি ঐখোইবু নচানি হাযবা নিংশিংবীব্রেদো।" মচা ময়ামগী রাঙাং অসি তাবদা মমা ওইবী থম্বালনা মমিত্তুগী মপি ওবো ওবো শিম্লে। করিসু খুমদে। মমৈথংদা হায়রকই "নখোইবু নমা-তোম্না লুনা তৌবীব্রা?" মচা অমনা "তৌবীহনসু অপোকপদি নত্তবনা, ঐখোইসু শাওনিংবা, ইকাইবসু লাকই। হুঙাইতেদা ইমা--- । মীনসু পনথন শম্লে। ঐখোয় ইচিন ইনাওসে কাংবু অমনা কৈ হায়বী, কাংবু অমনা ফক্তেসু হায়। মসি পুম্নমক অসি ইমানা সিদা লৈরমলবদি করি থোকউগদগে?"

থম্বালনা "মীনা ঙাংনবা ঙারুসু। অথাপ্পদা লৈখ্রবা ঐহাক্তি নমা ওইহনসু নম্না নত্রেদো ! লৈমিন্নবা অসিনা করবসু কত্রবসু নমানি হায়না নিংউ।"

মচা অহলনা "অহুদি, অহুদি---, ইমাদি করিসু থোক্লরবা ? মরী মতা ওইরব্রা ?"

মমানা হায় "মরী মতা হায়বত্থ ভারেদনা ঐনা ঘুমসিদা লাক্তুনা করম্না নখোইবু কোম্নু-গদগে?" অসুম্না রারী শাহনা লাকপনা থোঙ্গ ল চংলক্লে।

থোঙ্গাল হেক চংলকপদা থম্বালগী মপুরোইবা ওইরম্বা বকুলনা পুখ্রি মপাল্দগী কৌরকই "নহাক লাকইরা?" থোঙ্জেল থোক্না থম্বালনা খুমখিদে। বকুলনা মচানীপা অহল চাওবদা হংলকই "অঙাং অচ মনিরা? কৈদোরে, মশা ঙমরব্রা?' হংবী। "'সিদা পুরবউ।" অঙাং অচু য়েংলগা "মসি'দি তোঙ্গীগা মশক মান্নেদা।" অসুম্না অঙাং পম্নীরমই। করম্বা রাখলগী ঈহৌনো করম্বা থিঙমরব্রা ঈচেলনা নমথাইখিহনা মপা ওইবগী থম্মোইনা অঙাং অচু পমখিবনো খংখিদে। অঙাং অচুবু কোল্লি, চুপলি। তারমদাই সুম্নিংকী মঙালবু অহিংগী থাজনা তাম্নবগুম ওইবা য়াররোইদোবা পুল্সি লৈপুলগী লৈরাংদা করম্বা অঙাওবা আশা লাকইরনো? অমুকসু "অঙাং অচদা হংলগই" নংগী নপাগা নমাগা কনাম্ন হেন্না নুংশি?"

অঙাংনা খুমই "ঈমানা—।"

অসিগুম্বা দৃশ্য অসি মনিংথোংদগী মাগী মুগী অতোনবী সখিনা উথি মথন্ত শোমখি মীহৌবগা লোইননা "নারেদা মিৎসে—।"

ঈবুংদা থম্বাল চংলকই "ঈনাও লৈব্রা?" থম্বালগী থোঙ্জেল তাবদা সখিনা হয়াও, হয়াও কৌরকই "ঈচে লাক্লব্রা? ঐ, ঈচে লাকত্রা লাকওইত্রা হায়রহনা চাক থোংদনা ঙাইরম্মী-বনি। ঈচে লাকপা মুঙাইরেদা।" অসুম্না ঈরাং লাংই। থম্বালনা পুরকপা পোৎচৈ অচু উবদা সখিনা "কৈদোনা 'নুক য় ম্না পুরকইবনো?' থম্বালনা "অঙাংশিং পিজৌ কবোকসে, ঐদি করিসু পুরক্কেদা।"

"ঈচে! হিদাক হ লুখিগে, থকসি।" মখোই অনি চিনব নখো দদি য়াম্না নুংশিননা পোকমিন্নবা মচিন মনাওদোনা নুংশি-চান্নবা রারী শাই। মখোই অনিগী থম্মোইদা মরোল লোল্লরোইদবা রাকম কয়াসু লৈরম্বা য়াই। থম্বালনা য়েংই। চাওরবা য়ুমজাও কা তরেৎ অচু—। য়ুমজাও অচু শাবদা মাগী ছমাংমন য়াওপ্রবনি। অচুঙা নত্তনা য়ুম অচুগী মবেম্মা ওইহনা চহি তরা হেন্না লৈরমলবনি। মনেম মকুগী হায়বা ইনবী মমৌ অমা ওইজরহনা—। অচুবু মতম অচু মংলা তাইবংলা—? মকম খংখিদে। চহি তরাগী মতুংদা ঙসিনা য়ুম অসিদা চংলকপা অহানবা নুমিৎনি মচাশিংবু উনবা। মচানীপা অহল চাওবগী জুহোংবগীদমক লাক-পনি। মমা ওইবীগী থম্মোইনা মচাবু কাও-ঙমদবা হায়বা অসি লৈরমত্রবদি মহাক মকম অসিদা লাকখিগত্রা? লাকলমলোইদবনি। লৈমন চল্লবী লৈরাংনা। অয়ুক্কী মালংদা নিং-থাইরবী থম্বালগী থম্মোইনি, মকম অসিদদি ঙহাক পুঙ্জোই নিংশিংই। নুংশি চান্নবা লৈ-মিন্নরম্বা মাগী অহানবা মপুরোইবা, থাম্বিবা কমুং পরেং, উপু, মাইখাল, ফিরাম্নচিংবা পুম্নমক। অমুকসু মপুক্লিংদা ইকাই নুংশি য়াম্নবনা য়ুম অচুদা ঙহাক্তা লৈবা ঙমলমদে। মতম অমদা মহারাজা কমলিবা কা অহুমত্তদা মহারাজা বিদায়গী রাঙাংনা হায়খিবা "ঐহাক অসে—, নীপানা পাম্বীত্রবা মুগী হায়বদ ওইরবনি। চৎচরগে।"

বকুলনা খুমখি "নহাকপু কাইনগে খল্লি, চৎখিবা য়াদে।"

"নহাকনা পামজবা মুপী অদু কৌশিন্দুনা থমবীয়ু। ঐদি অনি লোনবা পামজদে।"

"চৎখিবা য়াদে—, চৎখিবা য়াদে' হায়না কন্না লওরকই। ঙসিসু তাকনবা খোঞ্জেল অসি মাগী নাকোংদা ত্রঞ্জনা তাবগুম তারি। মহাক্কী ৱাখলগী মংলান্না অসি লোই-রকপদা খোঞ্জেল অমসু তারকলে, বকুলনা মনি। নম্না "আদা লৈবে ইমু'দা চ'ঙ।' মথুং খিল্লহনা অঙাং অহুদা হায়রকই। থংহৌদনা থম্বালসু বকুলদা অখাবা মিৎয়েংনা য়েং-থোকউই। মহাক্কী শাথিবা মিৎয়েং অসি বকুলনা করি খল্লমগদবনো হায়বদি খংদে। অদুবু থম্বালগী ইকাই মুংশি য়াম্লবা ৱারোচাওবা মায়-থোং অদু নীপা ওইবনা খংথম থোকই। মহাক মুম অসিদা শাগৈগী মৌ ওইদুনা লৈরম্বনি।

ওইররোইদবা পুন্সিদা মযাই কারবা ঈরাং অমা লাকইবসে ওন্থোকপনি। অতোনবী ওইরিবা শখিদো ঙসিদি চৎপদা থু, থু কামই। শাহুম চেন্না চৎলি। ফি ফি কাম্বগুম তৌই। মচানিপা অহলগী লুহোংবগী লাকপনি। লিশিং অমা হায়জদুনসু হন্না ফাওবা মায় ওল্লকল-লরোইদবা থম্বালনি। অদুবু লোননবী মুপীগী ভমখিবা ৱাখলসে কদায়দগী লাকইবনো?

মপুক্লিংগী ৱাসে সখিনা খোঞ্জেল খোকন প্রমান ওইনা ৱা ঙাংগোবকলে, "চাক্তি লোইরে, চাগে চাসম্ল, চাবে ই তোবসহু মীগী সেবগা তৌজবা তেজদে। "ৱাহৈ অসি থম্বালনা তাথোকখ্রে। মহাক থুদক্তা মফি হোংদুনা চৎলসিন্না খনগ্রে। অদুবু মপুক্লিংদা থল্লি "ইচাশিংনা য়ম্না মুঙ ইগ্রবোইদ্র?"

মুংখিল মুমিদাংৱাইবম অদু থম্বাল মফি মবোল শেংপা লোইবে। মহাক বকুলদা করিগুম্বা বা অমত্তা হাযরমদনা চৎপদি ফজা ব্রা থল্লি। অদুবু ৱাকম অমা হৌদে ক্লবা মচাক লৈত্রে। মাঙোন্দা ফমলিবা বকুলবু য়েংলগা থম্বালনা মচানীপা মনিদা ইনশিল্লি "বাবা! চৎলগে হায়ুদনা—।" অঙাং অদুনা মমাগী ৱাহৈ অদুসু হায়বীগ্রে। থম্বলনা অমুক্তং কৌগে হাযবদুদি কৌরেদনা মপুক্লিংদা খঞ্জে। সখিদা শিন্নরমই "ইনাও! চৎলগে।' "ইচে চৎল-গেরা?' থম্বালনা শিন্নজৈ "নচাশিংসে ৱারকউ-কো" ৱাহৈ'সি হাযরম্লগা থোরক্রে।

মচাশিংনা থম্বালবু থিন্দোকই, থাপ্না বকুলসু থিন্দোকপা উই। থম্বালদি মচাশিংবু মুংশিজদুনসু ইংলবা ঈপাক্তা নিংখিনা শাৎপা ভমখিজে। লাম্বা ফংত্রবা খ'হৌত্রবা ৱাখল অমনা অচৌবা ঈথক ঈপোম ওইরদুনা অমুক অমুক ফুজিল্লকই। মপুক্লিংদা খল্লকই করিদুংগী চৎলূবিবনো?

থোকখিবা অমতং

অনী লোনবীগী মুপী অহনগা মুপী অতোনবীগা নোংমা থৎনৈ। অমনা অমগী ছিত্র পুথোক্লুমা চৈনবদা হায়নীংঙাই লৈরক্তুদুনা মুপী অমনা কাক, কাক হায়না চৈরকই। অমনমুক থরকই— চরোই, চরোই।

নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ

ওমচাক্কবা

থোংনাউ অদো হেক হাংদে'কপদা মেয়াগী থাবলনা ইরং লংনা মাইকৈ মরি ঈথক ঈপোম হৌত্বনা লৈরম্বদো থাবল্লেনা উরে। ঙসি ১২ নি পানবা থুম্নিংনি। অতিয়া ঈপাক্তা অমকপা হায়রবদো মচেৎ অমা ফাওবা য় ও-খিদ্রে। মকে শেম্বা লোইবতা ঙায়রিবী শানৌগুম মালেম-লৈমনা লেম্মরি। নোংজু থানা লাইজ্ঞ ঈচুমদা ঈরু-মাইথজবা লোইবতা ঙায়রিবী মহৌশাগী খীং খীং লাউবা মওং-মতৌ অদো উবদা থাবল্লেগী হকচাংস্থু তেকথৎলক-পগুম ওৌই। কনানস্থ থোল্লমলিবা মি না থাবল্লে হায়না। ওন্থাক্লস্থ চান্মনা থোল্লমখ্রে। থাবলদা শাৎপা লৈমক নত্রগস্থ থাবল উরগা মপুক্লিংদা খঙহৌদনা ঈহৌ অমা হৌরকই। মশাদা ছু চুংখিবা খঙহৌদে, তুংঙাইবগী ঈথক-ঈপোমনা মপান নাইদনা ঈথক হৌরকই। কয়া কূইরবা মহাক্লা থাবলদা থোক্কবা ; থোক্তবতা নত্তে — থাবল উদবা ঙসি থা তরুক হেল্লে। ডাক্তরনা লাইনা ফাবা ঙম্বা তুমিত্তগী কা অসিদগী সুকথোক থোক্লকত্রিবনি। নীংশি‘-লকই মহাক্লা য়ুম অসিদা লাকপা তুমিংতা কা অসি কয়া ফজ্জরম্বা, পোৎ চৈ অরু-অনান কয়ানা লৈতেংহনা মহাক্কী থম্মোয় হুখিবা। ইখঙ খঙহৌদনা কা অসিগা মহাকগী মরক্তা মরী অমা লৈরকপা হৌখি। মরী অদুনা মহাকপু নোংমা নোংমগী কা অসিগা থাদোক্নবা য়াদবা লৈতেং অমা ওইবা হৌবকখি। অদুগা মহাক্কী পুন্সিদা কা অসিস্থু য়াওদবা যাদবা পোৎচং অমা ওই-থৎলকখি। মহাক্কী পুন্সিগী মরূ ওইবা ইতিহাস কয়া কা অসিনা সাক্ষী ওইহনা লৈরি। মহাক্লা মশম মনা হাৎতুনা লৈরিঙৈদা মপুরোইবনা তুমিন্না চঙকতুনা মিংশেলদা মমি তাহন্দুনা মহাকপু থংহন্নবা লাক্লবদা মহাক্লা মমায় লৈ-শিল্লগা হাৎকেৎ নোক্তুনা মপুরোইববু ঙকপা, মপুরোইবনা নোকমি নোকমি ওোথনা মখুৎ অনি তিং'থোকতুনা মহাকপু কোনশিনবা মীকুপ অদুদা কা অসিস্থু বসন্তগী হয়াও-তুজুং ঈহৌ-রকখ্রিবিনি।

অদুবু হৌজিক্তি কা অসি মাঙোন্দা কৈঙুমশঙ অমদগী হেন্না করিমতা নংখিদ্রে। মহাক্লা থোক্রোই হায়না থোক্কবা নত্তে। ডাক্তরনা, মহাক্কী মপুরোইবনা থিংবদগীনি। মহাকস্থ থংডি লাইনা অসি য়াম্না শাথীগ্রবা লাইনানি। ডাক্তরনা মাঙোন্দা তাইনত্রমস্থ, মপুরোইবনা মাঙোন্দা তাকত্রবস্থ, লাইনা অসিগী তমথীরবা মখুৎতগী নাম্থোকপা ঙম্নরোই হায়বা মহাক থঙডি। কূইয়রোই নোংমা ইখঙ-খঙহৌদনা মহাক্কী পুন্সি-ঈচেল অসি থমখ্রনি।

অহুবু মহাক্কী মপুরোইবনা কযা য়ানা লাক্লবিবা, কাম্ময়রোই হয়বা খঙনা খঙনা। কয়াবক হুম্ম মহাক্না হাযববনি, অরেম্বদা শেল তিংনবনি, অবেম্বদা য়াননবনি। অহুবু স্লকত তাবা তোদে মহাক্না। "করিগী অনাববু ফংলোইদগে? হৌজিক্কী যুগ অসিদা?" হায়ত্তুনা মকোকতা নানবিহুনা মনাক্তা কমথরগা মপুবোইবনা মহাক ফরক্লগা কদায় কদায়দা মথোয় অনি কেয মিম্নগদবা কবি কন্নি তোগদব, হুণ্ডাইবা য়বী কযা শাই। মহাক্কী লাইযেংনবা হোৎনবদা, মহাক্কীদমক ববদা মপুবে ইবগী হকচাং অসি নোংম নোংমগী কংশিল্লবশে। থাবক্লে মপুক্কি দা চিংনবকই, মপুবোইবস্লু লাইনা অসিগী থযাংতা ত প্রবদি কবম তৌনি য়াম্না লোনগনবা লাইনানি মহাক্ল নাপিবসি। ফ বৈদোগে। মহাক্না শিথ্রগা মপুবে হবনা বানা, না অহাও-



বগুম মকোক ফাহুনা মথোং ময়ম খঙদনা লৈহৌদগী শক কপুদি মহুনহুম হেন্ন' থোক্তনা কৈ। মীকুপ্পা অম্লুক জ্ঞান থংতা তাবকই, "বিষ্ণু! বিষ্ণু!!" খলহৈদবা য়াবু খল্লিদা। থুঁউ-থুবাট মাস্থোকই। মহাকস্লু লৈত মপুয়োইবস্লু লৈত—, বিমলবু কনানা য়েংবিহৌনি? খলহৈহেদে, খলহৈহেদে, মপুয়োইবা লৈতবগী য়া খলহৈহেদে। কবিগী ফংবাইদগে মহাকস্লু। কগংলকপা যাইনা নক্রবদি ডাক্তরনা কবিগী লাইযেংলি? মপুয়োইবনা অস্লুক য়াম্না য়ায়িবা, অস্লুক যাম্না শেল তিংলিবা অসিবু অর্থ য়াওজবা? মহাকস্লু ডাক্তরনা হায়বা মতুং ইন্না চংলবদি কগংলকপা য়াইনা। অহু ওইরবদি করিগী মহাক্না থোঙনাও হাংদোকলুরি? ডাক্তর-

না হকচাংদা মুংশিং অম্নিংবা য়ৈহৎগম্মু হায়রুনা থিংলিবনি। অদুবু কয় কুইরবা-মহাক্না থোং-নাউ হা'দে কুনা মুংশিং অম্নিংবা য়ৈহল্লিবা! খীরুম খজ্জিক্তং চনখিবা থোক্লবদি লাইনাগী মপাজল কনখৎখিগনি হায়না য়াম্না কল্না হায়-রম্লিবনি। খীকম চলহনবা য়াদে, হিংদবা য়াদে।

তপ্না তপ্না থাবল্লে থোংনাও অদু লোনশিল্লি। মপানদা মেরাগী থাবলনা অম্নিংবা মু'শিংত লিক্লাগা লাংননা রা অমত্ত ওাওবা ওমদনা তুমিন্ন তওক তওক য়েংহুনা লৈহৌই। কনানম্মু থোল্লম্লিবা মিংনো "থাবল্লে" হ'যনা।

মৌ যাইমনা চাক পুতুনা চঙকই "ইচে, চাক অসি শাবিউদা চাথোকহৌরোসে।"

"থল্লম্মু।" হায়রগা অপাবীনা চৎখিবা মাযকৈ অদোমদা চাথোকদবগুম য়েংহুনা লৈ-হৌই। কয়াদা ক্ষপ্রবা নোয-চাওপ্রবা হক-চাংনো। মমিংগা মশাগা কয়াম্না থেম্মপ্রবা। লাইরিক ময়েক অমত্তা থওদে। অদুবু কয়া মুংওাইনা লৈপ্রবনো! যুম অসিদা লাকউদগী ওসি কাওবা অসিদা নোংমতা মকোক চিকপা থওত্রি। অসিনিদনা মুংওাইবা হায়বদো। পুন্সি হায়বদো অসিনিদনা। নীংশিংলকই, ছাত্রী ওইরিউদা ইবেচাউবীনা হায়খিবা রা অদো। "লাইরিকতা লাক্লহুনা নশা অদু কেমহল্লগা করি কান্নবগে? লাইরিকন্মু লাই-রিকনি, ইশাম্মু য়েংদবা য়াবরা?"

থাবল্লেনা রা অদো অপংবীগী রানি হায়রুনা থোইনা খল্লকদে। পরীক্ষাগী তমথীরবা পন লাম্মোকনবা অহিঙ য়ায়েকহুনা লাইরিক পাখি। হব ও-কুম্মৈ থাপ্না থমখি। ইবেচাওবীনা মহাকপু জ্ঞান তানবা কনা য়াম্না পাউতাক পীখি। "তেল্লবা পুন্সি অসিদা করিগী অম্বক য়ানা খাঙলিবনো? মুংওাইথোক্লগা লোইরে। পুন্সিগী অর্থদি মুংওাইথোকপনি।

মহাক্কী রা অদো তারগা থাবল্লেনা মপুক্লিংদা নোকখি। অদুবু হৌজিক্তি ভাব তাবে। কয়া চুমপ্রবা রা নো ইবেচাওবীনা চাযখিবদো। হন্দক্তি করিগুম্বা ফগৎলকপা থোক্লবদি মহাকম্মু শোয়দনা পুন্সি অসে পেম্না চুপকনি। চুম্মি, ইবেচাওবীনা হায়রিবা, পুন্সি অসি মু'ওাইথোকদবনি মমাম্নবীশিংনা হয়াও-কুম্মৈ, অকে অমৌ অপাম মুংশিগী ঈপাকতা তাউহুনা বসন্তগী লৈকোন্দা পেম্না শান্নখি। মথোযগী ঈথক-ঈপোম অদুদা মহাকম্মু য়াও-নিংখিদবা নত্তে! অদুবু মহাক্না হেম্না শিংখীনি খনহুনা ময়াম অদো কান্নদবনি হায়না লৌখি। অদুবু মহাক্না অকবনি হায়না লৌখিবা অদুগী অর্থ য়াওরমদ্রে। তেনখ্রবা পুন্সি অসিদা মীকুপ খুদি'মক পেম্না পেম্না চুপহৌগদবনি হায়বসি মহাক খাজরক্লে।

অদুদি মহাক্কী মপুরোইবম্মু পুন্সি অসি মুংওাইথোক্লবা লম্বী থে'নরবরা? মুমিং খুদিংগী হিদাক কাপ্না লাকপা নর্সকী শাজং-লাকচৎ চিংননিংওাইনি। নর্সকী মীৎয়েং লাকয়েং অদো মত্তা অমনি। অদুগুম্বা মীৎয়েং অদুনা মপুরোইবদা য়েংলগা করম্বা মুপীনো ওমচাক্লরোইদবা! যুমদম্মু হন্দক-মরক্তি য়াম্না থেওনা থেওনা হজিল্লকপা অমা তৌখৎলকলে। হংজুরগা মহাক্না থোকপা অমা খুম্মি। অদু

ওইরবদি মপুরোইবনা অস্নক য়াম্না লাক্লরিবসি অরেব্বরা ? অরেম্না ওইবা য়াই। কনানা খঙগনি। মত্তৌ মাম্নবা অদুক ত্তৌবা ওইবা য়াই। ইবেচাওবীনা নোংমা হায়খি, তুপা হায়বসিদি থাজরুদু, থাজবা য়াদবনি।

ঙাইহাক্তদা কা অদো মৈ হৌরকপগুম খঙখা শাগৎলকই, তুংশাশোর হোনবা কাওবা খিংগদম্মী ত্তৌরকই।

খঙহৌদনা ফুক হৌগৎতুনা থোঙনাউ অদু অমুক হাংদোকই। অতুম হায়না কয়া কুইনা লেনখিবা খঙহৌদে। তুম্নদাই য়োরদুনা বিমল কা অদদা চংঙকই। তুমিৎ থুদিংগী অমুম ত্তৌদুনা মতম অসিদা অমুক অমুক মহাক চংঙরুম্মী। অদুবু মমাগী মনাক্তা য়াম্না নকশিল্লমদে। মমানসু কিদুনা কৌশিল্লুদে, করিগুম্বা মচাদসু লায়না অসি লামখিবা থোক্লঙি।

মমানা চাক চাদনা লৈরিবদো উবদা মচানা হায়রবই, "ইম্না করি ত্তৌরে হৌজিক কংওবা চাক চাক্রবসিদি ?"

"চারগে, চারগে। নঙ তুম্মুরো।"

"নঙ করোকো।" হায়রম্নগা বিমল থোকখি খঙহৌদনা থাবল্লেম্নী মীৎলু অনিদা লাইজ ঈরৌবকই। অঙাং অসিদি খঙলম-খিরোই, মমাগী পুন্সি অসি লোইশিল্লকলে হায়বা। খঙৌদনা মপুক্কিংদা শীংনবা আশা পোক্লকই,-শিবা য়াদে, মহাক শিবা য়াদে। মহাক শিরবদি অঙাং অসি কনানা য়েংবিহৌনি।

ত্তপ্না ত্তপ্না থোঙনাউ অমুক লোন-শিল্লি থাবল্লে।

লোনা থোরক্লগদবা কবিতা

অপাইবা থবায়

নহা ওইরিবা কবি শ্রীথাংজম ইবোপিশক সিংহনা য়ায়মক শাউনা সমাজ অসিবু অখিবা কল্পনাগী মুর্তিনা শাগৎচরকইবা কবিতা নহা-রোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা চহীসিদা পু-থোক্চরগনি।

শ্রীবীরেন্না ইবা

লৈচিল্লকী থাজ

"শ্রীবীরেনগী য়ারীমচাশিংনা উৎশি—পুনসিসি হিংবগী করি কান্নরিবগে ? অমনা অমবু খঙনদবা লমজাওদা পঙচত্তা মচৎপা জাৎনি পুনসি হায়সি।"—নীলকান্ত (সাহিত্য)

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা কোংবা লাইরিক।

বুদ্ধদেব বসু

ঐগী পুন্সি

[বাংলা সাহিত্যগী অফাওবা কবি অমসুং সাহিত্যিক অমনি বুদ্ধদেব বসু। ইং ১৯০৮ দা হৌজিক্কী নোংপোক পাকিস্থান্দা লৈখ্রবা কুমিল্লাদা মহাক পোকই। কবি অসিনা খুং থাদবা সাহিত্যগী মশা য়াওদে। য়াবী মচা, নাটক, উপন্যাস পুম্নমক্তা মহাক্কী খুদোল ময়েক শানা লৈ। কবি অসিগী কবিতাগ্রন্থ-শিংগী মসুংদা পনবা যাই—"দময়ন্তী দ্রৌপদীর শাড়ী ও অন্যান্য কবিতা" "যে আধার আ-লোর অধিক" অসিনচিংবা। চহী খরগী মমাংদা মহাক্কী নাটক "তপস্বিনী তবাঙ্গনী" হায়বা অদুগীদমক, সাহিত্য একাডেমীনা মহাকপু মনা পীদুনা সন্মান তৌখি। মহাক অসি অফাওবা সাহিত্য সমালোচক অমসুনি।

ময়াম্না তাঙনবা অমদি—কবি অসিনা ইবা কবিতা য়াম্না লুই, পাবগা অর্থ হেক্ক লৌবা ঙমদে; অদুগীসু মথক্তা কবি অসি অশ্লিল ওইবা য়াম্না ই। হন্দকসু মসুংগুম্বা যাওই হায়বগীদমক মহাক্কী উপন্যাস "রাত ভোর বৃষ্টি" হায়বদুগী মথক্তা কোর্টতা কেশ থাজংনখি।]

মবক মবক্তা থাম্না, ঐগী পুন্সি অসি পাক্লবা

প্রেন তাফম অমনি, মফম অসিদা মিনিট খুদিংগী প্রেন তারে,

প্রেন পাইখৎখি।

সমুদ্র ঐগী ইমাংদা, ভুংলোমদা নগরগী

ঈরাওখোল। ঐগী তুংশাম্বরদা তাউরি সমুদ্রগী মনম, ঐগী

পুকৈ থম্না শ বানবা মহী। যু অসি থক্তনা

কনামতনা ঐবু লায়োকখিবা ঙমদে।

অহুগা মী খুদিংমক্তা তাওনীংবনিনা ঐ

অহিঙঃতুংখিল চুপ্পা কৃক কৃক ঈরে।

কাংগী কুমৈগুম্না, ঈথক হৌরকই জাতি কুন্থ্রাতরুক

ইরান অমতনা। লাকই ব্লণ্ড, ব্রাউন, রাইমচু, কাল্লি;

লাকই লাম্মী শাবী-শানো, চোক্থরবা মিৎয়েংনা

অঙকপগা লোয়ননা হন্নুবীসু। তৌইগুম্বসুং লেম্লবদে,

পুখি ঐবু নমথাঁয়ৈনা, মালংবগুম পন্দনা।

ঐ উপ্রে ফুংশিনবা থুংনবগী মিংকুপ কয়া, থিদায়গী দৃশ্য ; কপ্পবা কয়া, চুপ্পবা কয়া, খুৎ কয়াগী উমংগুম্না হাই-হুম্বা।

কয়াতা ওানপ্রবা দ্বীপাম্বিতাগী চুমিদাং ঐগী। থৱানমিচাক অমদগী অমদা খৎনৈ মিংচি। মতাল চৱুন কয়া ঐগী, অরাপ্পগী লুহুপ কয়া, শজাইশেলগুম্না লানওম পাউজেল কয়া। অহুগা ঈরৈ কয়া, লেপ্পা নাইদবা। চৎখিবা মখোয় অহুওনি হন্নক্রিবা।

ঐ অয়ুক্‌য়া পাক-শন্নি, অমদি ইচম চমই, অহুগা চময়বা লানবন অমনি, মখোং খঙদবা দলাননি ; ঐগী ইমুং মচুংদা জ্ঞানীদি লোয়া পাউ লৌবা কাওবু অমদি অরোনবা লল্লোনবশিংতনি। ঐ মীয়ামগী মীতিনদৌনা অকোংবনি, অমদি গুহাগুম্না অরোনবনি, পাতাল পাংবদা সিড়ি পয়েংদা মখোং খঙদবা, শাংকবা লৈরকা অমম্বনা থল্লবা লাইখুম্নি ঐ।

নাপল তৌনীংঙাই নত্রা, খোঙথাং লিশিং লিশিংনা থাংবা তাবদা ঐগী থম্মোয়দা ? কয়াতা পাকপ্রবা ঐগী অয়াম খোয়াং, মসিগী মচুংদা জগৎপুম্বা লোৎলি অমদি ঈয়াং হৌরি।

অমুকসু থল্লি : জগৎ অসি ঐয়া নত্রগা ঐগীয়া ? নত্রগা মখোয়গীয়া, খোঙথাংগী মখোলনা ঐবু য়ায়েকহন্দুনা থম্বা মখোয় অদো, ঐগী ঈরৈদা কোজোল মখোয় অদো ? পিকপ্রবা খাংপোক, ঈশিং য়ানবা য়ু, তৌইগুম্বসুং মখোয়গী লৈ ময়ী-মতা অমদি য়েকবা, কপ্পকপা অমদি ফুংশিবা, আশা অমদি হোৎনবগী চৈকুনা পুংশিং পুম্বা নকশিনৈ মখোয়গী। তৌইগুম্বসুং ঐদি ফুংশিবা হৈত্তে, তুকচবসু খঙদে, ঐদি তরাম্না ওকপা অমদি পিয়াংগী য়াংমদনি, মীচং-মীখায় নাইদবা, ইশাগীতা খনবা। থৌদোক পুম্মক অতৈগীনি, লীলা পুম্মক অতৈগীনি, ঐদি সাক্ষীতনি, ময়াই লেপ্পা, কুপ্পৈ য়েংবা।

(হপোকচবা— কুঞ্জমোহন সিংহ)


চেনহনবনি। অচোপ্পা য়াহৈ য়াত্তা অমত্তা শিজিন্নদে। য়াহৈ য়াত্তাগী মতাংদদি অহল ওইরবা থুংকম মাল্লি। সাহিত্যগী লোন্দি থোং নৌগনি হায়বা কাংবুদসু য়াওরুদে। প্রমানসু মতাং চ্ছানা অহুম তৌই। য়াম্মক থাগৎনিংলিবদি মীওইবদা মীওইবগী মতৌত্থ চ্ছাক্লা থন্নগা ছুংশিবা মিৎয়েংনা য়েংলগা পুক্লিংদা অমকপা লৈত্তনা হায়দোয়ক্লিবা অসিনি।

মমাংথৈৱদগী থওনয়ক্লবা কাগি য়াম্না তৌগনবা চিত্রেশ্বরদি মকমসিদা য়াম্না য়াওব্রে, লাইরিকসিদা সমাজ অসিবু ইচম চম্না য়েংজরিবা বিত্রেশ্বরদি ত্তোয়না থেংনগনি।

—শ্রীবীরেন

শকক্ষম খরা

১।



২।



—অময়

ঋাহং খৱদগী পাওখুম

(শ্রীযুক্তা মহারাজকুমারী বিনোদিনী দেবী [মজাইবেম্ম। ঋাঙ্গে।লম্মা] য মিনি সুন্দৰ গুহ গোল্ড মেডালিষ্টকী মফমদা মহাকী সাহিত্য কলাগী মৱমদা হংজখিবা ঋাহং খৱদগী পাউথুম— সম্পাদক)

১। সাহিত্য, লাইয়েকপা, জগোই ঈশৈগী মৱক্তা করি মৰী লৈনবগে? মণিপুরী সাহিত্যদা চেনবিনীংবা অথম্বা পাউজেল লৈবিৱ্রা? করিগী অদোম্না ইবিৱিবনো?

সাহিত্য, লাইয়েকপা, জগোই ঈশৈগী মৱক্তা করি মৱী নৈনবগে—ঋাহং অসিমক ওন্না খোকই, লৈৱরোই হাযৱবদসু য়াত্রবা উত্তমত্রবা মৱী অমনা চেৎনা পুন্নী। থংবিৱি করিগুম্বা ঋাখল অমবু সাহিত্যগী পাম্বৈনা কোংদোকপা তাৱবদা, থোদোক অদো দৃশ্য অদো, অইবা মীগী থম্মোয়দা মশক অমদি লোঞ্চবনি। তুলিনা কেমডাসম্বা য়েকপা মীংনা উবা, লাই ওইজবদি যাই অচুবু ঋাখলগী কেনভ সত্তা তাঞ্রবা মমিদি ওইগনি।' কবিত্তা ইবা মতমদা কনানা ঈশৈ শক্তে হাযগদগে? অচ্চনবু তেল্লবা শৈরেং হন্না হন্না পাবগা চোকথবা পোক্কে। মতুগী সুবনা নাকোংদা নিন্দুনা লৈহোগনি। ঈশৈগী সুব তাৱগা কনা লাইযেকপনা সুব লাইবেম্বীগী মশকপু লাকশিন্দুনা যেক্লি। বিথোভেনগী কাম্পাজিসন তাবগা মীংত্তা উহল্লি কবিগুম্বদা ইশিং ইচাওগুম ফজবা, কবিগুম্বা চীক্লবা নিংথমথগী অয়ুক। গীতগোবিন্দগী ঈশৈ তাবগা লাই-য়েকপশিংনা কযা কযা মচুদা. লৈইদা কোংদোকলি। কলাকাৱনা জগোই শাত্থনা উৎলি। করি করিগুম্বা মতমদা কনা লাই-যেকপগী অয়েকপা লাইবু উৱগা ছন্দগী হুং-ঙাইথ। ফাওহল্লি। থুদম ওইনা কাঙ্গ্রাভেলিগী শকথংদবা লাইয়েকপনা য়েকলম্বা লাইগী ফজবা অমুক্তং য়েংবিত্থনা হুংঙাইযিযু, কম্বিনো ঋাহৈৱো, সুৱৱা, মীংকী কুম্মৈয়া থংদে। হুংঙাইবগী মৈচাক অমদি হুংদা থাওহল্লি। মতম অচুদা লাই অদো ঈশৈৱা, সাহিত্যৱা, জগোইগী শুংথেকলা থল্লুবগী তনজাবু কদাইৱো? কনাগুম্বা অমনা হীৱম অমদা থোইদোক্লা হৈশিংলম্বা য়াঈ অচুবু লৈমৱিবা মৱী অচুবুদি থক থদংপা। য়াদে হায়ৱবসিমদি

ঐনা থাজজে, ঐ ইশামক লাই য়েকই, লাই শাই, ঈশৈ শকই, জগোই তাল কায়দে, ঐত্তোন্দদি লাইয়েকপা, সাহিত্য, জগোই ইশৈনা কণ্ডাওনহন্নি, অদুগা ঐনা কদোমদা? মতুমদি লেপ্পা ওমদনা শিখিবসু য়াই, অদুবু নীংওমদবদি তৌদে।

মণিপুরী সাহিত্যদা ঐগী অথমবা পাও-জেল হায়বীবা নংত্রা? ঐগী অথমবা পাওজেল লৈজদে। পাওজেল কয়া, পাওথুম কয়া, চুমত্তা লীবা য়ারী কযা য়াওরমগনি, অদুবু অসিমতনা ঐগী পাওজেল ওইবসু হায়না হায়া লেপথোক্লগা ইথিবা য়াবো থোইনা য়াওখিদে। অসিমদদি করিগুম্বদা থল্লি, পৃথিবীগী মীনা থাগী লৈমাইদা থুমাগী মমি তাহল্লুই তাবদা, পৃথিবীগী পীকপ্রবা তাইবংমী অমনা, করিগীনো থংদে হীক হীক কপথি, মতুরা?

ঐনা ইবগী মরম শেল তানবগীদি শুকনং নংতে। মুংওাইফুনা ইজবনি, ইরোই হায়বা ওমদতুনা ইজবনি। ইদমা য়াদে হায়না তকশিনবীরকলবদি ঐত্তোন্দা য়ায়া য়ানা থোকই।

২। "মণিপুরী সাহিত্য ওশেংবা সমাজগী মশক উৎপা সাহিত্য ওইদ্রি। অদুনা মতমগী সাহিত্য হায়বসিনা য়ায়নক থাপদ্রে"। হায়না প্রোফেসার নীলকান্ত সিংহনা ৱাখলগী ৫শুবা মশীংদা ফোংওদোক্লি, মসিদা করি খোত লৈরিবগে? মণিপুরী সাহিত্যদা লৈরিবা সমস্যাসি করিনো অদুগা করম্না কোকহনবা য়াগনগে?

হোয়, প্রোফেসর নীলকান্তগী মরামু করম লোয়োই হায়গনি অদুবু হৌজিক হৌজিকী সমাজগী মশক মণিপুর সাহিত্যদা উৎত্রি, উৎলবসু য়ায়া থাপ্লি হায়বসিমদি য়াজনিংদে। তোংব্রা, অরাম্বম সমরেন্দ্র, শ্রীবীরেন অমদি লাইশ্রম সমরেন্দ্র, খুৎই অসিবু সমাজগী মশক উৎত্তবা সাহিত্যনি হায়রমগদ্রা? মসিদগী হেন্না নকশিন্না কোং-দোকনা উৎপা তারবদি ইরিবা মীওই অদুগী অরাংবা থাকী হৈশিংবা অমদি চংই।

মণিপুরী সাহিত্যনা লৈরিবা সমস্যাদি অয়োবা থাকী লাইরিক মশীং য়াৎপা অমদি সাহিত্যবু পেক্লোনাইজ তৌবা মীশিং য়াৎ-পননি। পাবগী অভ্যাস অসিবু য়ায়া য়াৎত্রে। হোম লাইব্রেরী থমগী হৈনবী অসি লৈববদি সাহিত্যগী চংজকমসু লৈনি হায়না থাজজে।

৩। পুন্সিগী অচৌবা য়াহং অমা মপুং ফানা নৈনবা য়াবী মচানা ওদ্রা? অদোম্না ইবদা করিগুম্বা য়াওব্রা?

পুন্সিগী অচৌবা য়াহং নৈনবা য়ারী মচা ঐগী লৈব্রা? তাকপীম্নি। ঐ ওশেংনা মচুসু হায়বা ওমজদে। ইথোকপ্রবা ঐগী খুৎইবু আলোচনা তৌজগে, ঐ হৌজিক কাওবা হোৎনজরুদ্রি। অসিগুম্বা য়াহং অসে হংজিমবীরফুনা ঐবু য়াহনবীয়।

[মপুং ফাবা পাওথুম মত্তা চাবা শিরঙো—সঃ]

৪। বাংলা সাহিত্যনা অদোমগী পুন্সিদা অমদি খুৎইদা অহোংবা পীখিবা অমদি চংখিবা য়াওব্রা?

বাংলা সাহিত্য। ঐগী পুন্সিদা, মসিগী রাহং অসিমক্তি ঐংগোন্দা য়াম্না তোম্না হং-বিগ্রবা, ঐগী খুৎইগী মথমদা হায়ক্লেৎ নৈনবী প্রবা রাহংনি, অওইবা হাযজোরা? পুন্সিদা ইমালোলগী সাহিত্যগা শকখ'নক্রিভৈগী মমাংদা বাংলা সাহিত্যগা 'শকংনরুই। ডা, কমলগী "মাধবী' পাক্রিভৈ মমাংদা বঙ্কিম শরৎচন্দ্র, বনফুল" অমসুং রবীন্দ্রনাথকা হাম্না থেংনরুই। মাংজিন্দা ইখিবা ঐগী খুৎই খবদা বাংলা সাহিত্যগী মমি ফজনা তাবা য়াওখিদবা নৎতে। অহুবু মতুংদা ইরকপদা মমি অদো ফোকুনা খর মখেদি ইশাগী খুৎইগী মওং অমা লাক্লব্রা হায়না ঐনা থাজবা পোক্লি। ঐগী ইকোন কোনবা ইবা রারীমচা "লমনদগী লাইমন" বাংলা সাহিত্যগী মমি তাই হাযনা হায়-বিরবদি ঐহাক রারোজগনি, অদুনা করিগুম্বা ঐগী খুৎইদা বাংলা সাহিত্যগী মমি তাখিবা থোক্লবসু ঐনা থোইনা ইকাইজদে, মীওইবগী পুন্সিদা করিগুম্বা অমা নংত্রবসু করিগুম্বা অমদা ইনফ্লুয়েন্স তৌবা হায়বাস থোইনা ঙকনিঙাই নংদে। ঐগী খুৎইনা নংত্রগা মণিপুরী সাহিত্যনা তোবা অতোপ্পা লেনগী সাহিত্য থোরকপসু কনানা খংবা, কনাগুম্বা অমনা চহি চামগী মমাংদা থনখিবা রাখল অদো ঐনা ঙসি থনবা য়াই, থাজবা য়াই

ঐনা ইবগী স্টাইলদা ঐহাক খকস্ত্রগগল তৌজদে। কবিগুম্বা অহোবা লাকলবসু ফোংলগে হায়না পুক্রিংদা লেপ্লগা ঐনা হোং। খিবা নিঙশিঙজদে। হোংবগী খোংচৎতা ঐসু রাওজরি মসিমদি ইশানা থাজজে।

পাবিয়ু

লাই অমগীবিন্দু

মমল লুপা ২'৫০

"হন্দক মরক কবিতাগী লাইরিক ফোঙনরকপা অসিদা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী লাই অমগী বিন্দু" হায়রবসি তশেংনা শীং-থানরা রাবা ফজবা অমনি। মনিপুরী শৈরেংশিংগী হৌজিকী মখক খওবদা তেংবাংগনি

—নীলকান্ত[সাবিত্রা]

ফংফম—পাশ বুক হাউস নিপাকৈথেল, ইম্ফাল

পুন্সি মূর্তি

মমল লুপা ২'৫০

কিবা নৈতনা অনৌবা মথলগী খুৎইদা কুঞ্জমোহন, দরেন্দ্র, রজনিকান্তনা সেন্নকী রাফম কয়াবু নৈনরি। মবিক চুমবা রাহৈ রাঙাদা যামিনি সুন্দর গুহ গোল্ড মেডল ফংখ্রবী বিনোদিনী দেবীগী রারীমচাসু য়াওরি ল্লিদা নত্তনা নীলকান্ত, পদমকুমার শ্রীবীরেন, মনি তোম্বীসিংগী রারী কয়াসু য়াওরি। নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা ফোঙবা অহানবা

ফংফম—পাশ বুক হাউস, নিপা কৈথেল ইম্ফাল

শ্রীবীরেন

সাহিত্যগী জগত্তা

রাসিয়াদা লেখক

"লাইরিক লাইশু হৈবা ১দি রাখল খনবা মীওইশিংগী মপুক্লিং অসি হন্থনরকলি অসুম অসুম। দানিয়েল ১দি সিন্যাভস্কিগী কেশতগী অসিগুম্বা ফিবম অসি হৌখ্রে হায়নৈ। অতুদগী জেকোস্লোভাকিয়াগী রাথোকতু লাকখি। রাখল হোংনরকপগী চাউরবা তঙ্গা অমনি। হৌজিক্তি কনানা কৈবু তৌরুবা ঙমগনি? কনানা ইরুগনি? লেখক অনী উনবদা মহৈ মহৈ হংনৈ—'নঙ করম তৌরি? করি খল্লি?' অতুবু পাউথুমদি চপ মান্নে। ফিবমসি য়াম্না ফত্রে। মী অমনা তৌবা ঙম্বা অমতম্ব লৈত্রে। মী থুদিংমক ফিবম অমতদা লৈরবনি। ফোঙবা য়াবা অমতম্ব কনামতনা ফোঙনবা ঙম্দ্রে। মম্লবা মিৎয়েংনি। মীপুম তিংনা য়ারিথৈ শোইদ ঙামদনবদা খম্নরে" সোসিয়েলিজমদা নমথাক তৌরম্মী অতুগা "রাজনীতি ১তি মোরেলদা শকলোন অনী পুই" হায়তুনা হন্দকত্তা মরৈবাক রাসিয়াদগী তাম্থোকপিরক্লবা ফাওরবা রাসিয়ান উপন্যাসকার এনাতোলি কুজনেটসোভনা মাগী ৪০ শুবা চহীগী মপোক হুমিং আগষ্ট তাং ৩১ নিংথৌকাবা হুমিংতা লণ্ডন্দা পাংথোকপহ্দা হায়খি। মরৈবাকতগী চেনলক্লুনা শাইদাংফম অমতং ফংজহ্না লৈবসিদা হামগী মমিং অহু রাসিয়াগী লোন হৈত্তবশিংনা হৈনরোই খন্দুনা এনাতোল তমক কৌহ্না নৌনা লেখক অমা পোকপগুম্না হৌজিক লণ্ডন্দা লৈরম্রে। অমুম্না মমিং চংলবা লেখক অমগী হামগী মমিং অহু হোংদোকতুনা অনৌবা মমিং অমা কৌবা অসিনা হান্না ফাওবহুমক মীনা খঙনরোই হায়না লাইরিক কোঙবা কাংবুন। মিং হোংনিংদবা ফোঙদোক্লরম্বনি। জুলাই থাগী অরোইবা চয়োম্দা মরৈবাক্তদগী চেনলক্লুনা লণ্ডন্দা শাইদাংফম নিখি। মমিং চংলবা সোভিয়েট উপন্যাসকার বোরিশ পোলেভোয়না এনাতোলিগী মায়োক্তা মরনাই ওইনা য়াম্না শাংনা ইহ্না "লিটরেচরন্যা গেজেট" হায়বা সোভিয়েট রাইটরস ইউনিয়নগী চেফোঙ অমদা কোঙখি।



এনাতোলি কুজনেটসোভ

ফোঙলিবা য়াফমসিদ। এনাতোলিবু ইউনিয়ন অসিদগী তাথোক্লে হায়না ওফিসিয়েল ওইনা লাওথোকলেম্লু হায়খি। লেখকসিনা লণ্ডন্দা হায়খিবদি মহাক চে.কাঙ অসি খোরকক্রিঙৈদা মশানা ইউনিয়ন অসিদগী তোকচরবনি। লিট-রেচরন্য। রোসিয়া হায়বা রাসিয়ান এণ্ড মোস্কো সিটি রাইটর্স ওর্গেনাইজেসনগী চেঞ্চোং অমদা কুজনেটসোভকী মযুম টলাদা লৈম্নিরব মরুপ লেখক মঙানা সোই তোহুনা এনাতোলিবু থাজবা মাংহনবা ১দি শগোল মাইরৈ শামু মাই-রৈ ঙোবা মীনি হায়না খীনা চৈহি।

মহাকপু মরৈবাক্তা তাথি তাওইনন। তৌথিরিবগী মরম কয়ামরুম পীরি। মাগী ইকোন কোনবা "মৈ" হায়বা উপন্যাস অহুদা ,"ঐহাক নীংতমনীংঙি" হায়বা মীশক অমা য়াওরি। ফাজিনলবা সমাজ অমদা সিগুম্বা কান্নব্রবা য়াকৎ অসি য়ু ঙাওরবা নুপা অমনা ঙাওনাকৈনা পুথৎলক্লি। এম, কাজা কোভা, এ, লাভ্রিক, এন, পার্য়াজিনা অমদি য়াই শেচলোকোভ লেখক মরিনা হায়খেৎ হায়রিবনা কুজনেটসোভকী উপন্যাস "বাবি য়ার" হায়বসি য়াম্না য়েংননীংঙাই ওইবা লাইরিক্লি। উপন্যাস অসিদা অনিগুবা পৃথিগী লালজাইদা নাজিশিংনা জিউশিংবু হাৎখিবা অহু ইউক্রানিয়ান ১দি রাসিয়ান থরা য়াওরগা পাংথোকপনি হায়বগী য়ারী অমা য়াওরি অদুনা কুজনেটসোভনা নাজিশিংগী মীচঙ চঙ'খ্র অসিনি। অসিগুম্বা লেখক অসি মতম অমদা রাসিয়াদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা লেখক অমা ওইবত্তা অদুনা রাসিয়ান নহারোন-শিংগী য়াম্না নুংশিজবা মরুপ অমম্ন ওইরমনি।

মরৈবাক্তা লাইরিক ইবগী মঙাদা ৱিলিয়ম স্ট্যারোন কৌবা অমেরিকাগী লেখক অমনা কুজনেটসোভনা মরৈবাক থাদোকলোই-দবনি হায়না পনলুবদা অসুম্না মান্না পাউথুম পীখি—"টলাদা লৈহৌবা ঐগী য়ুমগী কা হাংহৌরিবহু মাঙোন্দা (স্ট্যারোন্দা) ঐনা পীজরি। মহাক চহী অমা সোভিয়েট ইউনি-নিয়ন্দা লৈহনলগা মানা কৈ থনলকপগে হায়বহু ঐখোয় অহুম উগনি।" মতাং অমদা অমুকম্লু মানা হায়খি—"নথুৎ অহু পাংতিংলগা নখোঙনা মথকলোমদা ওন্দুনা মথক ২থা ওম্হোক্লুনা নংবু য়ান্দুনা থম্নগা নঙগী অকোযবদা লৈ'রবা পুন্সি-গী মুংঙাইবগী মরমদা হেউ হায়রগা করিনো ইগদোরিবসিবু ? সোভিয়েট ইউনিয়ন্দা লেখক ওইনা হিংগে হায়রবদি ইবা য়ারে হায়না লেখক পীরিবা শরুক অহুতা ইবা তাই। অথিংবা মথৈদি য়াদে।" অসিগুম্বা অথিংবা কয়া অসিনা রাসিয়াদা লেখক কয়াবু নীংবা কায়-হনখি। হৌজিকমক লণ্ডন্দা শাইদাংফম ফংল-বম্ল রাসিয়াদা লৈহৌরিবা মাগী মহু মচাগীদমক অকিবা অমা পোক্লি। অহুম ওইনমক বৈগুম্বা মরম অমতনা মহাক রাসিয়াদা অমুক হননীংবা পোকহল্লরোই হায়না হায়খি।

অসুম্না লেখক্লা সোভিয়েট ইউনিয়ন্দা মনিংতম্না ফোঙদোক্লবগী অধিকার কংলকতহনা অরাবা দথা কয়া তাখিবসি এনাটোলি কুজ-নেটসোভকী থোদোক অসিনা অহানথা ১দি অনৌবা নত্তে। বোলসেভিক রেভ্লুসনগী মতুংদা কম্যুনিজমগী মথাদা মনীং তম্না ইবা য়ারবত্রবদা লেনিনগী চাম্নবা মরুপ ওইবদগী মেক্সিম

গোর্কিনা মপান্দা লৈননবগী য়াথং কংখি। ১৯৫৮ ইংদা নোবেল প্রাইজ কংখিবা "ডাক্তর ঝিভাগো" ইরুবগীদমক বোরিষ্ট পেষ্টরনেকপু মরৈবাক্তগী চৎখিনবা হায়খি। মহূদা মথাগী চিঠি অসি কম্যুনিষ্ট পার্টিগী সেক্রেটারি নিকিতা খ্রুশ্চভতা ইখি—

খুংশিরবা নিকিতা সরজিভিচ্চ,

সোভি'য়েৎ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী সেন্ত্রেল কমিতিদা অমদি সে ভিয়েৎ সরকারদা ইশা-মক্না হাযজরি। সোভিয়েৎপু ঐনা থাদোক-নীংলবদি সবকারনা ঐগী লম্বীদা অপনবা পীয়রোই হায়বসি কন্ত্রেট সেমিচাসট্রিযগী ভাষন্দগী থঙজবে। ঐগী ইকমদদি মসুম্না তৌবদি ওইথোক্তবনি। ঐগী ঈপোক, ইপুন্সি ১দি ঐগী লাইরিক্না ঐহাকপু ইরৈবাকসিদগী লেঙ-হনলয়োইদবনি। য়াসিয়াগী মপান্দা লৈরুগদবা অতুগী অমদি ইরৈবাকসি থাদোক্লগা ওইরুগদবা ঐগী ইয়াইবক অহ্ ভাবনা কাওবা ঐহাক শারুবা তমজত্রে। ইবাল কযা অমদি অশোয়বা কয়া লংজগ্রবসু, নোংচুপতা তৌনরক্রিবা য়াজ-নীতিগী বাকম অসি মরুওইনা ঐগী ইমিংগা মন্নী লৈনগনি হায়বদি ভাবনা কাওবা ত্তংশা শ্যারুদে। মসি থঙজরহূনা খিদিশ একাদমীদা নোবেল প্রাইজ লৌররোই হায়না ইশানা পাউ থঙহনত্রে। ঐঙোন্দদি ইরৈবাক থাদোকপা হায়বসি শিবগা চপ মায়রবনি। অহূনা ঐগী মাইয়োক্তা অহূক শাথিবা থোঙথাংদি পায়-শিনবিরক্তসু হায়না নঙোন্দা হায়জরি। ইথুং লোমহূনা ঐনা হায়বা ওম্বা হায়বনু সোভিয়েৎ সাহিত্যদা ঐনা দান তৌজখ্রবনি অহূগা হৌজিক থাওবসু মসিগীদমক ঐবু শিজিন্নবিয়ু।

ওক্তোবর, ৩১ বি, পেষ্টরনেক।
১৯৫৮

অসুম্না মরৈবাকপু খুংশিজমনবদগী নো-বেল প্রাইজ লৌখিদে। অহূবু শিত্রিকাও-বদি পেষ্টরনেক তুমিন্না অতুম লৈখি। এন্দ্রে্য সিন্যাসভস্কি কৌবা সাহিত্য সমালোচক, য়ারী-মচা ইবা অমা, য়ুলি দানিয়েল কৌবা অহু-বাদক কবি অমগসু মখোযগী থুংনা ইবা লাই-রিক অহূ নো'চুপকী লমদা কোঙবিনবা থাখি-বগীদমক ফাহূনা মোস্কোদা ১৯৬৬ কী সেপ-টেম্বর তাং ১৩ দা কেশ তৌখি। লেখক অনীমক চহী তরেৎ জেলদা লৈবা ; মিয়াৎ অসি লোইরগা অমুক চহী মঙা অমগা লেভর কেম্পতা লৈবগী দণ্ড পীখি। চহী ২৫ মুক্তা শুবিবা কবি ব্রোডস্কি কৌবা অমসু কার্মদা নত্রগা ওফিসতা থবক তৌহূনা শেল তান্দে, কবিতাদা ইহূনা লৈ হায়বগী ফাহূনা কেশ তৌরগা অমাংবা পুবগী থবক নমহূনা তৌহনখি। হন্দক্তা আগষ্ট তাং ২৮দা এনাতোলি মারসেনকো কৌবা অমসু "এস্তি সোভিয়েৎ একতিবিস্তিস"

স্নেংবিগদবা :— চিঠি অসি Pasternak— A Pictorial Biography by Gerd Ruge: Thames and Hudson, Landon, দগী লৌথোকপনি।

শশোকপা লাইব্রিক ইবগীদমক চহী অনীগী ত্রেল পীখ্রে। হৌজিকসু সোড্ডেয়েংৎ ইউনিয়ন্দা লৈব্রিবা কাওরবা কবি রেভজেস্থি রেভটুশেনকো সু ৱাখল সুংঙাইহৌত্রে অহুগ। কৈ তৌগদগে থঙহৌত্রে হায়না কুজনেটসোভনা লণ্ডনগী মীয়ামদা তম্লমী।

মণিপুরদা সাহিত্য পাবশিংগী দায়িত্ব খঙদবা

বাংলা লেখক সমরেশ বসুনা ইবা "পাটক" কৌবা উপন্যাস অসি কোংনা পনবা ৱাদবা অকাপ্পা মতাং থৱা ময়েক শেংনা ৱাঙবদগী "মসিগী ৱারীসিনা লৈবাকসিগী নহারোলগী ৱাখল ১দি লমচৎপু মোৎহনলে ১দি সমাজ অসিগী সংস্কৃতিবু হন্থহনবনি" হায়না নিত্যানন্দ লাইব্রেরিগী সেক্রেটারি দেবকুমার ঘোস অমদি সিনেমা ফিলম রিফোর্ম এসোসিয়েশন. চেত্তলাগী মেম্বর, অমগনা এস, এন, সোম পুলিশ মেজিষ্ট্রেট, অলিপুরদা দরখাস্ত থাঙ্গুনা হৌজিক কেশ চৎখরি। উপন্যাস অসি "অমৃত" হায়বা বাংলা চেকোঙ অহুগী ১৯৬৮ গী পুজা নম্বরদা কোঙখিবনি। চেকোঙ অসিবু কোঙলিবা সুপ্রিয়া সরকার অমসুং টুশর কান্তি ঘোস অনীসু মেজিষ্ট্রেট কোর্ট কাখি। কেশ অসি সেক্সন ২৯৩ আই, পি, সি, গী মখাং ইম্না তৌবনি। সমরেশ বসু অসি মসিগী মমাংদসু বাংলা চেকোঙ "দেশ" কী পুজা নম্বরদা "প্রজাপতি" কৌবা উপন্যাস অমা কোঙলুবদা হায়রিবা সেকসন অসিগী মখাদা ৱাকৎ অসিমক ফংহুনা কেশ চাগ্রবনি। অহুদসু কবি কয়ানা মাগীদমক মীচঙ চঙলবসু লাইব্রিক অসি পুংমাঙ মাঙহনবগী ৴দি লুপা ২০০ অমসু মৎপগী ৱাই তাগ্রবনি।

বাংলাদা তৌনরিবদি সিদসু নত্তে। বাংলাগী ক'ওরবা অধুনিক কবি, লেখক ১দি লিলা ইবা শ্রীবুধ.দব বসু না ইবা ৱাত ভোরে ব্রিষ্টি" (অহিং চুপ্প তারিবা নোং) হায়বা উপন্যাস অসি "নহারোলশিংগী ৱাখল ১দি লমচৎপু মোৎহনবগা নত্তনা সমাজসিগী সংস্কৃতিবুসু হন্থহনবনি' হায়না নিলক্তি গুহ কৌবা কালকাতা ইউনিভর্সিতিদা আইন তম্লিবা ছাত্র অমনা এস, সি, রোয় এডিসনেল চিফ প্রেসিডেন্সি মেজিষ্ট্রেট, কলকটাগী কোর্টতা ৱাকৎপদগী সেক্সন ২৯২অমদি২৯৩ আই,পি,সি, (অকাপ্পা ইবগী সেকসন) পান্দুনা লেখক ১দি লাইব্রিক অসি অকোঙবগা কোপ্পনা কেশ চাগ্রে। হৌজিক লুপা ২০১২০.দা জামিন্না থাম্মি। হায়রিবা বসু অসি নহা নত্তে চহী ৫১ ওৱ্না লেখকনি। অতোপ্পা অমনা ইন্দু সেখর চক্রবর্তিনা ইবা "গন্ধ মালয়" কৌবা অসিমক্তা মসিদা য়াওবা "অথম্বা স্বার্থত্যাগ" কৌবা ৱারীনা মুস্লিম ধর্মদা অকাইব্বা পী হায়না বসীদমক সরকারনা খিংগ্রে।

বাংলা লৈবাক্তসি. লাইব্রিক পাব্রিম্ম মীশিংনা মমায়ৱোম্দা কোঙলকপা লাইব্রিক পাবদা মমিং য়াম্না থৌনা ১দি.ভাব ৱাম্না তাম্না পানরি। মমারোনগী সাহিত্যদা থৌশাত্রগা মজাতি অহুবা,পোকপনি,; মথাগী মতেম্গৎতা থৌশাত্রবা কুপাদবা ৱাইকৈ অতোপ্পনা কাল্লবিদে-

হায়রসি খঙবা মী য়াম্না লৈরে। মণিপুরদদি অপাবশিংনা মণিপুরী সাহিত্য মীয়াইরি। ভাবস্থু ইত্তা তানত্রি। লাইরিক হৈবশিংগী মকমদা মণিপুরী সাহিত্য হায়বা অমা লৈ হায়বসি খঙদবনা লেম্লরি। ইনীংবমখৈ ইজসস্থু কৈদৌজরগদগে হায়না খন্নে। মণিপুরী মচানা মণিপুরী সাহিত্যদা নত্রগা জাতিদা থৌশাত্রিব্রা অসি মশাগী মপুন্সিদা ১দি মহাকচাংদা থৌশাদবনি হায়বগী ভাব তাত্রি। মণিপুরী ওইনা পোকপগা মণিপুরদগী নাম্থোকপা শুংয়া য়াত্রবনি হায়বসি কাউবগুম তৌরি। বাংলা মচাশিংগী মকমদ দি হায়রিব। জ্ঞান অসি চপ চানা লৈখ্রে। অত্তনা বাংলা দেশকী অপাবশিংগুম মণিপুরী মচানা জ্ঞান তারম্লবা ১দি মশাগী দায়িত্ব খঙলম্লবা অহ ওইববদি শ্রীথাংজম বীরচান্দনা ইবা "মেম্মা" জয়কুমার শর্ম্মনা ইবা "লৈকং খঙাল" রনেলগী "শরিক মখোন" নচিংবা অসি সেকসন ২৯২ অমদি ২৯৩ আই পি সি গী মথাদা কেশ তৌবদা নাম্থোকনিংঙাই লৈরোইদবনি। লাইরিক চেথুমদা "For Adults only" নচিংবা থারিবা লাইরিক অসিদি মশানা অকামপেৎকীদমক্ক ইকয়ে হায়না এডভর্টাইজ তৌজরবনিনা কেশ তৌত্রবস্থু ফাবা অহুম য়ায়বনি। মজাতিগী সাহিত্যদা থৌশাত্রিডৈদা মজাতিদগী নাম্থোকপদি য়াম্লবা কৌবনিনা মচা মত্ত অত্তদি লাইরিকশিং অসিনা মাঙ্হন্নবনি, শক্ক শয়াং অমদি ঈ,তোং ফুক্ক চাথংতুনা লমচৎ নাইদবা ঈ কাপশিন্নবনি হায়বদি মশাগী দায়িত্ব খঙত্ররা মণিপুরী মচাশিং অসিনা খঙনত্রি।

সাহিত্য একাদমীদা মণিপুরীগী য়াওরবা য়াই

সাহিত্য একাদমীগী এক্সেকুটিভ বোর্ডনা মণিপুরী, রাজস্থানী অমদি কোংকনি লোন অহুম অসি একাদমীনা লৌথৎপা য়ায়রা হায়না য়েংশিন্নবা কমিতি ওফ লিঙ্গুইষ্টিক এক্সপার্টসত্তা শিন্নখরে। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ৩৩ শুবা চহীগী অধিবেশন্দা তাখিবা রারেপ অহ থাক্রবগী মহয় ওয়না সাহিত্য একাদমীগী সেক্রেটারি কে, আর, ক্রিপালানীনা পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটারিদা পিরকপা পাউথুম চিঠি নম্বর SA2/7674, 20th Sept. 1969 দা ক্রাইটারিয়া মঙাখকী রাহং হংলকরি। হায়রিবা রাহং অসিগী পাউথুমগী মথাদা এক্সপার্ট কমিটি অসিনা খনগদৌবনি। অহানবা ক্রাইটারিয়া, মশাগী শাহৌ অমদি শক্তমদা (Structurly) লোন অসি মনীং তমজবা অমরা নত্রগা অতোপ্পা লোন অমগী মশা ওইনা লৈবা সিষ্টেম অমরা? মতাংসিদা ঐখোয়না চাউখোক্না খুম্বা য়াই— মণিপুরী লোনগী মশাগী শাহৌ অসি অতোপ্পা লোন অমগী ১খা পোনবা সিষ্টেম অমা নত্তে। খৃ: ১৬১৬ কী মমাংদগী মশাগী ওইবা তোপতোপ্পা ময়েক লৈজবা, ময়নাই ওইবা ব্যাকরণগী নিয়ম লৈজবা, তোপতোপ্পা প্রমাণ পাষ্টে অমদি পৌতাক পাউরৌ লৈজবা মসিগা কোয়না মনীংতম্বা লোন অমনা লৈবা হৌনবা মচাক অমদি নিয়ম লৈজবা মরম্না মত্তোমচা হিংজবা ভম্বা লোননি হায়বসি মশানা অহুম তাকচরি। G. A.

Grierson গী Linguistic Survey of India, Volum III অমদি ভারত সরকারনা কোম্বা Gazetteer of India 1965 গী লমাই ৪৮৭ তা ১দি হৌজিকমক সাহিত্য একাদমীগী সভাপতি ওইরিবা ডাঃ সুনীতিকুমার চটার্জী না ইবা "মোদর্ণ ইণ্ডিয়ান লেঙ্গোইজ এণ্ড লিটরেচর" হায়বা লাইরিকচিংবদা মণিপুরী লোন অসিদা মপুংদা টিবেটো-বর্মন কাংলুপ্তা য়াওই হায়রি। অদুনা আর্য্যবযাগী কাংলুপ্তা চদ্রে হায়বসিমা অচুম তাকচরে। অমীগুবা ক্রাইটারিয়াদা, হৌজিক্তগী চহী চা অহুমগী মমাঙদগী হৌনা মশাগী তংতবা সাহিত্যগী ত্রেডিসন অমদি ইতিহাস লৈব্রা ? মোইরাংগী কংলৈরোন অমদি খম্বা থোইবীগী সাহিত্য মশাগী ত্রেডিশন অমগী মথাদা চংথরকপা মশক অমনি। ডাঃ সুনীতিকুমার চটার্জীমক্না খম্বা থোইবীগী শৈরে সিদি মহাকাব্যনি হায়খ্রবনি। মানা হায়বদা নত্তনা মহাকাব্য অমদা চঙগদবা মচাকশিং য়াওবসু থেংনে। মশাগী ট্রেডিশন অমদা মণিপুরী শৈরেং ইনবকই। বৈষ্ণব ধর্ম্মনা অহুক কয়া মঙক হাইগংত্রিরৈদা চহী-চা কয়াগী মমাঙদা মশাগী ওইবা সন্দগী নিয়ম মথাদা শৈরেং ইবা থেংনৈ য়ারেং ফাওবগী ফিরেপ তারকপদি খৃষ্টগী চহী-চা অহুমগুবদগী হৌনা লৈরে। সাহিত্য ইতিহাসসু হৌজিক্তগী চহীচা অহুমগী মাদা নত্তে, অহানবা খৃষ্টগী চহীচামগী হৌনা ইরম্বা লাইরিক্তগী হৌনা শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা "অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস" হায়বা লাইরিক ইদুনা লৈরে। মসিদগী খঙদি চহীচা কয়াগী মমাঙদগী ঐখোয়গী সাহিত্যগী ইতিহাস লৈরে। অহমগুবা ক্রাইটারিয়াদা; সাহিত্যগী ওইনা ১দি সংস্কৃতিগী ওইনা লোন অসিবু হৌজিকমক শিজিন্নবিবা মী মশীং চপ চানা য়ান্নব্রা ? সাহিত্যগী লাইরিক ইবদা, ধর্ম্মগী ১দি সংস্কৃতিগী ওইবা থৌদোক য়াথোক্তা লোন অসি শিজিন্নবা মীশিং লাক ১১ দগী তাদনা লে। মণিপুরদা মমায়োল ওইবা মীশিং চাউরাক্লা লাক ৮ মুক অদুগা মণিপুরগী মপান্দা আসাম, ত্রিপুরা, নবদ্বিপ, বৃন্দাবন ১দি ব্রহ্মাদা পুম্বা লাক ৩ দগী তাদনা লৈ। মখোয়না মখোয়গী শিবগী শোরাং, পুহো বগী মতমদা, লাই হয়াওবগী জগোইদা অমদি লাইশোন তিনশোন্দা মণিপুরীলোন শিজিন্নৈ। মরিগুবা ক্রাইটারিয়াদা, সরকারনা লোন অসিবু শকথঙলব্রা ১সুং নত্রগা করিগুবা ইউনিভর্সিটি অমনা লাইরিক তম্বীবগী লোন অমা ওইনা শকথঙলব্রা অমসুং নত্রগা লাইরিক তম্বদা তোঙানবা সবজেক্ট অমা ওইনা লোন অসিবু শকথঙলব্রা ? সরকারনা শকথঙবগী মতাংদা বৃটিশ সরকারনা পানলিংঙদা কোঙবা "দি মণিপুর ষ্টেট গেজেট" পুম্বা মণিপুরীলোন অমদি ইংলিশতা কোঙখি। সরকারগী রাকম পুম্বা লোন অসিন। ইশিল্লি। কোর্টতা কেশকী য়াই ফাওবা লোন অসিনা তারম্মী। মণিপুরগী মপান্দগী লাকপা সরকারগী মীওই খুদিংনা লোন অসি তমদবা সুংঙা য়াংয়মদে। মণিপুর ষ্টেট কোনষ্টিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ সেকসন নম্বর ৫৮ দা মণিপুরগী কোর্ট লেঙ্গোইজ মণিপুরীনা ওইনি হায়না অদুম্না" 58, The Court languege of the State Shall be Manipuri (page 10) ইরি। মণিপুরনা

ভাবত্তা ১৯৪৯ দা পুনশিনখিবদগী মণিপুরী লোনগী মশীংতম্বা মাঙখিবতনি ; অদুবু 'হৌজিক কাওবা সরকারগী প্রেশনোট কয়া, অতে রাফম কয়াদি লোন অসিদা কোঙলি ; অদুগা লৌ ইংখোন লৈবা য়োনবগী দরখাস্ত অমদি থবক পুম্নমক লোন অসিনা তৌই। লাইরিক তম্বীবগী লোনগী মত্তাংদদি মণিপুরগী মশাগী ইউনিভর্সিতি লৈজদবনা ক্লাস এইট ফাওবগীতা ওইরি অদুবু তোঙ'নবা সবজেক্ট অমা ওইনা তমদবদি নত্তে। বি, এ গী জেনরেল সবজেক্ট অমা ওইবত্তা নত্তনা এলেক্তিভ সবজেক্ট অমা ওইনা মণিপুরী লোনবু মোদর্ণ ইণ্ডিয়ান লেঙ্গোইজেস গী গ্রুপ্তা পুশিন্দুনা গৌহাত্তি ইউনিভর্সিতিনা শক্তঙলি। সবজেক্ট অসিদা পরিক্ষা পীবি কোলেজদা ক্লাশ হাংলি। কোলেজদা তোঙানবা ডিপার্টমেন্ট অমা ওইনা লেকচরগী ১দি প্রোফেসারগী থাক্তা ইউ, পি, এস, সি, না ওয়া খন্দুনা কোলেজদা লৈরে। মঙাঙুবা ক্লাইটারিয়াদা ; লোন অসিবু ঙাক্তনা শক্লিরা মী মশীং অমদি হৌজিক হৌজিকমক সাহিত্য অসিগী কোঙ্গবা লাইরিক (ফিজন, রচনা, অতে সাহিত্যগী লাইরিক, চেক্লোঙন-চিংবা মশীং অসিনু খরগনি। শ্রীনিংথৌ-খোংজম খেলচন্দ্র সিংহদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা শিজনা অমিবা লাইরিকী কেটলোক পুথোক্লবা হোৎনবা লোইরে। লাইরিক লিখিংগী হেনগদোবি। অসোবা লাইরিকী কেটলোক অমসু পরিষদকী মখ কজিত্তি অমনা পুথোক্লবা লোক্লাং লোইরে। লাইরিক লিখিং য়োক্লহৌরি। অদুনা লোন অসিবু ঙাক্তনা শক্লিরবা মীগী মশীংদি লাক্ক ১৫ দগী তারোই। মণিপুরদা লৈরিবা চীংগী মীওইশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা লোন মচা মচা অদুগী মরক্তা মৈতৈরোন অসিনা লেঙ্গুরা ফ্রানকা ওইনা শিজিন্নরি। লোন মচা অমা খঙদবা অতোপ্পা চীংগী মীদা রা ঙাঙবদা মৈতৈরোন্না ঙাঙই। অদুনা মণিপুর পুম্বগী ওইনা শিজিন্ন-বনা মৈতৈলোনবু মণিপুরী লোন হায়না মহৌ-শাদগী খঙনরকই। চীংদা লাইরিক তম্বদা লোন অসি তঙাইফদনা য়াওরি। মরম অসিনা মণিপুরদা লৈবা চীংগী মীশিংগী মশীং রাওকন থোক্কই।

অসিগুম্বা মখল কয়াগী মচাক কয়া অসিনা মখোয়গী ক্লাইটারিয়া অসিনা পামজি-বসি পীবদা সিক্কিগুম্বা লোন অমদগী ঐথোয়গী লোন্না য়ান্না শাথিনা হেনবা নত্তনা, হন্দবগী রাদি সুংলৈ লৈতে। অহানমথৈ সাহিত্য একা-দমীনা থৌশাবীদবা ১দি পাইখৎপিদবা অদুগা মনিপুরী মচানসু হোৎনকন খঙদকুনা লৈরক্লননি। নংজমত্রবদি অহাননা চনলম্লগনি।

মত্তাংসিদা পনবা রাখা অমনা ; সাহিত্য একাদমীগী সভাপতি ওইরম্বা ভারতকী রাষ্ট্র-পতি জাকির হুসেননা নোঙ্গাখিবদগী ডাঃ সুনীতি কুমার চট্টর্জীনা সভাপতি ওইখিবা অসিনি। চটর্জী অসি মণিপুরী লোনবু মশক য়ুম্না খঙবা অমদি মণিপুরী লোন অসি মশাগী তোপ তোঙ্গা অমা লৈজবা লোন অমনি হায়না লৌবা পণ্ডিতনি। মণিপুরী লোনবু মশক য়ুম্না খঙবা পণ্ডিত অমা একাদমীদা য়াওবা অসি ঐখোয়গী লাইবক ফবনি।

মণিপুরদা সাহিত্যগী ঈহৌ

মণিপুরদসু সাহিত্যগী মিত্তিং কয়াদি তৌরি। নৈনরি। জুলাই থাগী মহদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা শীন্দুনা "সাহিত্যদা বিজ্ঞানগী ঈথিন" গী মতাংদা শ্রীগীতচন্দ্র তোংব্রা অমদি নীলকান্তসিংহ অনিনা নৈনখি। মিনা ইবা গীতচন্দ্রনি মহৌশাগী ওইনা ইচম চম্না ঙাঙনবা হোৎনখি। বিজ্ঞাননা পুন্সিবু হোঙহনেলিবসিদগী সাহিত্যসু মশনা অহুম হোংলকই হায়বগী রাকমদা চম্না ঙাঙখি। কবি ১দি সমালোচক শ্রীনীলকান্ত সিংহনা হকসলিনা ইবা সাইন্স এণ্ড লিটরেচর হায়বা লাইরিক অহু ময়ামদা শম্না পুথোকখি। বক্তাসিংগীদি মশাগী মোতত্তি ইপি পিখিদে। সাহিত্যদা বিজ্ঞান চঙখিবগী শকক অসি ময়েক শেংনা থাইদোকপদা য়াম্না লুরি হায়বা রাকম অমা হায়খি। শ্রীরনবীর সিংহগী ভাষণ অহু য়াম্না মরীক চুম্না ওবজেক্‌-ত্তিভ ওইরিবা পুন্নসি সবজেক্তিভ ওইহনগদ-দবনি হায়না হায়খি। মিত্তিংদা য়াম্নমক নোবা অমদি হুংঙাইবা রাকম অমনা মৈতৈ পুরান য়াম্না নৈনবা বিজ্ঞানগী ওবা অমনা হায়খি— বিজ্ঞাম্না ওনহনবা য়াবা হায়ববু লৈরাংগা খোইমুগা হুংশিনবহু তোক্নুনা লৈগা লৈগা হুংশিনবদা খোইমুনা ছুতি ওইরগা লোইরে হায়খি। মসিমক অনৌবা রাখলনি।

থাসিগী তাং ২৬ তা দি কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা "ঈশৈ, লাইয়েকপা অমদি শৈরেংগী লৈনরিবা মরী" গী মরমদা বক্তা মঙানা নৈনখি। শ্রীহাউবম শ্যামসুন্দরসিংহনা কলা হায়বসি হৌব্রবা অমদি হৌক্তিক ওইরিবা ফিবম অনীমক্তা শাগৎলি হায়না হায়রিখি। পণ্ডিত শ্রীনীলকণ্ঠ সিংহনা ভারতকী অমদি নোংচুপকী পুম্না কোন্দুনা ঙাঙাবখি। ভারতকী কলা খুদিংনা ধর্ম্মবু ফংনবা তানবনি হায়না মোত ফোঙদোকখি। কবি শ্রীলাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহনা মশামক্তা ইবা শৈরেং (লাইরবগী বা ফোবা) অমা পাথোক্লগা শৈরেংগা লাই যেকপগা কয়াদা মান্নব্রগনো হায়বসি উৎখি। অনৌবা শৈরেং, অনৌবা ঈশৈ অমদি অনৌবা লাই থুংয়েক্লা থাইনগী মওংদগী শোয়দনা লাকচরকনি হায়খি। অনৌবা ঈশৈ হৌদোকপিরিবা শ্রীশ্যাম শর্ম্মনা অনৌবা ঈশৈগী ভগাবাস অনৌবা শৈরেংনা হেনগৎখিবদগীনি হায়বিখি। অনৌবা শৈরেং খোরক্রিবাশং অসিনা ঈশৈ ওস্তোকপা য়াদবা অসিমক্তা অপনবা অমা পীরে। শ্রীমনিহার সিংহনা শ্রীঅরবীন্দগী অমদি নোংচুপলোমগী কবি ব্রাউনীংগী লাইরিক্তগী রাকম কয়া পুথোক্‌-হুনা নৈনখি। শৈরেং, ঈশৈ, লাইয়েকপা হাযরিবা কলা অহুমসিদা শৈরেংনা খ্বাইদগী রাংত্তি হায়না মোত ফোঙদোকখি। মতাংসি য়োরকপদা কবি সমরেন্দ্রনা শৈরেংনা খ্বাইদগী হেম্না রাঙ্তি হায়বসি মানীংদবা উৎতুনা মরৈ য়েংনখি। শ্রীনীলকান্তসিংহগী মত ভারতকী কলাসিংনা ধর্ম্মগী খুমকম্দা মিৎয়েং থম্মী হায়ব-সিদা পণ্ডিত শ্রীনন্দলাল শর্ম্মনা ভারতকী মন্দিরশিংদা য়েক্লিবা লাই ময়াম পুথোক্তুনা ভারতকী কলাকারশিং অসি ধর্ম্মতদা য়েংলমদে পূজিগী অচম্বা হুংঙাইবদসু ঙাওখি হায়না য়েংখি। মসুদা শ্রীনীলকান্ত সিংহনা হায়খি ভারতকি

সংস্কৃতিগী যুমফমদা চেলেঞ্জ তৌব। কমানমু ভমলোই।

থ অাসিগী তাং ২৭ তা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিন শীন্দুনা "রোবার্ট ফ্রোশ অমদি মাগী কবিতা" গী মবমদা নৈনখি। বক্তা শ্রীক্ষেত্রিময়ুম চেত্তোন সিংহনা রোবার্ট ফ্রেশকী কবিতদা যাওরিবা প্রকৃতিগী শরুক অসি রাষ্ট্রবাড কী শৈরেংদা য়ুম্বিবনুং। চাংদম্মখি শ্রেষ্ঠ অসি খঙবদা যাম্না লুবা কবিনি হায়নমু খাঙনখি। শ্রীখোগেন্দ্র সংহনা মাগী সভাপতিগী ভাষণদা অমেরিকা ১দি ইংলিশ সাহিত্যগী খেন্নবা পুথেক্তা শাংনা নৈনখি মিথিউ অর্নোল শন্দুনা মানা হায়খি— পৃথিবীদা লৈবিবা সাহিত্যসি মপুমদ অংখক্তনি। মফম অমগ মফম অমগা বাখলগী খেঙচৎ অসি মলৈ। ইংলাণ্ডগা বষ্টবাড তোইনা কবিতাদা তৌবনু, ফ্রান্সতা কশোখোয়না বজ্রনীতিদা তৌই, অমেরিকদা ইমরশনখোইনা অত্থুম রাবেদা লৈই হায়না পনখি। তাং ৩১।৮।৬৯ ইংদা সমিতিসিমক্তা শীন্দুনা "কয়া মনিপুরী সাহিত্য শেমগৎকদগে" হায়বগী মবমদা নৈনখি। বক্তা কে, পদ্মকুমব সিংহনা নৈনগদব রাকমদগী খরা লাপলপ্ত চৎতুনা মণিপুরী সাহিত্যগী অপুংবা শক্তম অমা পুথোকখি। নৈনবগী মতংদা সমিতিগী মেম্বর অমনা রাখল য়ম্না পোক্পা রাক্কম অমা পুথোরকই। ঐখোয়গী সাহিত্যদা অপারশিংগা অইবশিংগা য়াম্না খেন্নবে। খেন্নরিবসি মায়নবদি ঐখোয়গী লেখকশিং অসি ফ্রান্সকী অমেরিকাগী ইংলিশকী, জর্মনিগী লেখকশিংগা শীংনবা ভাই। শীংনগদবা অসি মণিপুর মমুংগী লেখক মশেল নত্তে, পৃথিবীগী লেখকশিংগনি হায়রি। সমিতিগী সভাপতি শ্রীমনিসনা শর্মনা মাগী সভাপতিগী ভষণদা চহী খরগী মমাংদা লৈরম্বা সাহিত্যগী হৈরাংগা হৌজিকা চাংদম্নগনা যেংবদা নৈম্না ক্লাসনীংঙাই ওইদে 'লাপথারে" হায়বখনি হায়খি অসুম্না মেম্বর খনমু মণিপুরী সাহিত্যনী খোঙথাংসি নীংথা ক্লাসনীংঙাই ওইদে হায়বমু গাওখি। শ থিনা যানীংদবা মেম্বরমু যাওখি।

অসুম্না ঐখোয়গী হৈবোকসিদমু সাহিত্য নৈনবা অমদি চাউখৎনবা হোৎনবদি লেপত্রে। তৌবদি নৈনবদা তাবিবা মীশিংনা ময়ুমদগী শরক যাগাদোবিবা মীশবকুম পীবিবা বিষয়দা নৈনত্থনা পানগা লাকত্থনা নৈনবা তারিবা মখোয়মু চপ চানা শরুক যাবদি কয়া ঊদে। বক্তানা ভাওবত্থ তারগা মত্থদগী খোক-পত্থনা য়েংপা, নৈনবা ওইনা তৌবি।

সাহিত্যকার ১দি কবিগী মনা

নোংপোক শকিস্থান্দা লৈবা বাংলা কবি যশীমুদ্দিনদা রবীন্দ্র ভারতী বিশ্ববিদ্যালয়না থৃায়দগী রাংব ইকাইখুম্নবা উৎতুনা ডি, লিট শাযবা ওনরেবি ডোক্তরেট অসি তাং ১২।৯৬৯ ইংদা পীখ্রে। মহাক চহী ৬৭ শুরবা লোক কবিতা ইবা বাংলাগী কাওববা কবিনি। মহাক্তা লোয়ননা কবি কাজি নাজরুল ইস্লাম, উপন্যাসকার তারাশঙ্কর বন্দোপাধ্যায় ১দি ডাক্তর অমিয়া চক্রবর্ত্তিবুম্ন উপাধিমশিমক শুমিৎসিদা পীখি। তরাশঙ্কর "গনদেবতা" ইবদা জ্ঞানপীঠ মনা লুপা ১০০০০ (লাক্ষ অমা) মু

কংথ্রবা ফাওরবা উপন্যাসকাররনি। অমিয়া চক্রবর্ত্তি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগা কুইনা লে য়নরক্লবা বাংলা 'অধুনিক কবিত গী থুংমাবশিংগী মতুংদা নৈ।

পুন্না হায়দগী য়াংনা চেনথ্রবা বাংলা সাহিত্যগী শোগংপীনবা অসি কয়ানি। অসিগুম্বা ফিভমসিদা লেথকশিং অমদি কবিশিংনা হৈনীংবা পোকপা থরায হেন্না য় ওনয়কপা মযেক্লা তাবনি। লমচেনশ্ন কোম্না চেনবা, কননশ্ন চেনবা ঙমজন্রবা মণিপুরী সাহিত্যগীদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা চহী অহুমগী মতুংদা অমুক অমুক ভাংনি হুন্দর গুহ গেংদ মেদল কৌবা অংথকুং শীঙ্গনা লেখবপু ইকাই খুম্নবি ১দি শোগংলি। মণাগী ইঙ্লিশভর্শিতিন্ন লৈজদবনা অসিগুম্বা তঙ্গাসু কংজদে। সবকাবনসু থনবিবগী ব্রা লৈত্রি।

অহুগা অমনা, ভারতকী৮গুবা সেহ্যুল-দা চনলবা লোনশিংগী মতুংদা হিন্দী, সংস্কৃত ১দি মমাবোন ওইরিবা লোন্দুগা অহুমসু নত্তনা লেনহৌবিবা লোন ১৩ অসিদা লাইরিক শিংবু লুপা লিশিং অমমমগী মনা ৬৫ চহী থুদি গী পী নবা ভারতকী মহৈ মশিংগী ১দি নহাবোলগী থৌরমগী মন্ত্রিনা হুন্দক্তা নৌনা শীন লাংলিবসিগী থুদোং চাবম্ন মণিপুরী সাহিত্য-গীদি কংলোইনৌন্নি। মরমদি ৮গুলা সেহ্যুলদা চন্দ্রি। অফোংগুবা অমদি থুংইগী অইবন্সু মনা অসি ফংবা যাই। ভারতকী শকংঙলবা লোন-শিং অসি লম অমগী লোনম অতোপ্পা লমগী মীনা মুম্না থঙবা ১দি হৈবক্লবা তোংনবনি। উপন্যাস, রাবীমচা, লিলা, শৈবেং, নী শিংহনা ইবা, লম কোইববা, বাবেং খুদি মক্তা পীগনি। অহুগা লম অমগী অরাংবা সাহিত্য অমা অতোপ্পা লোন্দা হন্দোক্লবসু লেন অহুনা ভারতকী ৮ গুবা সেহ্যুলদা চনলবদি মনা ফংবা যাই। অহুবু মণিপুরীদি ভারতকী লোথংপা যাবা লোন নত্তে হাযবিবনিনা সিগুম্বা থুদোং-চাবা লৈবোই।

পুং ২৪গী মনুংদা
তেংবাং মখল অমা

খঙ্নোই শেংনা ওমজবা তেংবাং মখল অমা লৌবিয় তক্ষা স্টৌরদগী।

হেন্না কবা অমম্তুং খর হন্থবা মখলগী লিংথম-কালেন পুথদা কি তুজগী ওর্ডর লৌজে।

৩। মমল তের্লিন, তেরিউল, তেরিকটন, শামতু লংজম অকবা অমম্তুং থাদ" খরদং লৈজরে।

৪। ফিগী মমল লুপা ৫০, ১০০ দগী হেন্না চংলবা কি তুবদা লুপা ১০০ লুপা ২০ দং এডভান্স পীবিদুনা ওর্ডর তৌবিয় তক্ষা স্টৌরদা।

৫। তঙাকত্রবদি পুং ২৪ গী মনুংদা অদোমগী সুইট অমা তুরগা পীজংা ওমজগনি।

৬। রারোবিদনা কলেজশিং হায়স্কুলশিংগী অশেংবমক ছাত্রনি খঙহনবিরবদি অতুমন খুদিংমক্তা লুপা ১০০ দা লুপা ১৫ শোয়দনমক হন্দনা লৌজগনি।

৭। চহীগী ওইনা কলেজশিং অমম্তুং হায়স্কুলগী মনুংদা খুদোং চাদবা ছাত্র অমমমদং কটন সার্ট পেণ্ট জুরা ১/১ তেংবাংনবা ছাত্র ইউনিয়নগী সেক্রেটরিনা তাকপি-রক্রবদি হরাউজগনি।

৮। মপাল থোক্না মহৈ তমলিবা ছাত্রশিংগীদমক থোইদোক্না পুন্নমক্তগী অতাবা মমলদা অতুমন লৌজগনি তক্ষা স্টৌরনা।

৯। তক্ষা স্টৌরদা লৈজরিবা ফিশিং অসিদা পাম্বীত্রবা অদোম্না পাম্বীরিবা কি অতুগী মচেৎ অলতং পীবিবগা লোয়ননা কি কংকম চুকান তাকপীরবস্থ ওর্ডর লৌজগনি।

১০। মথক্তা হায়জরিবা অসি অচুম্বরা নত্রগা পংহায় হায়জিনবরা লোংমতং য়েংবিন্নবা লেংবিরকউ অমম্তুং অকুপ্পা অতুমনস্থু খঙবিগনি।

১১। ঐখোয়গী খবক্তা অয়ানবা, অশোশবা, হৈত্রিবা মতাংশিবু লোংমতং লেংবিরক্তুনা পাউতাক পীবিরস্থ, খঙ্নোয় শেংনা লৌজগনি।

ময়ামগী

তক্ষা স্টোর

কাংথৈবুং মনিংগী লম্বী মচাদা

পাউনা বাজার, ইম্ফাল।

WO/No/15

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী ওইনা দি নবারুণ প্রিন্টিং বার্কস, নাগ মপান্দা শ্রীহেংবোম জ্যোতিন্দ্র সিংহনা নম্বা, সম্পাদন তৌবা ১দি ফোঙবা।

সাহিত্য



ঐখোয়গী ... গী য়েক্রবশিং

পিগী ...

জে, অলফ্রেদ প্রুফোর্কী ...

য়েক...

থিয়েটর ওফ এ...

অনীশুবা চহী তরেৎ শুবা ...

সম্পাদক

য়েংখোম জ্যোতিন্দ্র সিংহ

মূল্য, ১.২৫

ৱাখল

অনীগুবা চহী , ভরেংগুবা মশীং

ডিসেম্বর ১৯৬৯।

মুদ্রকঃ— দি মনিপুর কোওপরেটিভ প্রিন্টিং সোসাইটি লিমিটেড, ইম্ফাল, পাউনা বাজার।
শ্রীয়েংখোম জ্যোতিময়না নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী ওইনা সম্পাদন তৌদুনা ময়লপা কোওবা।

হায়জবা

১৯৬১গী ডিসেম্বর থাগী চেফোঙ অসি প্রেসতা শাথিনা থুদোং চাদবা থরা লৈথিবদগী থেংনা পুথোকচরে। মসিমক রাখল পাবিরিবশিংগী মফমদা লঙজথ্রবা অচৌবা ইরান অমনি হায়না লৌজে। মতুংদা চাংনাইনা ১দি মতম চানা কোওনবা হোৎনজগনি। লঙজথিরবা ইরানগীদমক নোঙরি।

মমাংগী
সম্পাদক, রাখল
নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি
ইম্ফাল।

অনৌবা সমালোচনা

অসি মোডর্ন নিওক্লাশিকেল বিশকুন্দগী শারকপনি, মতাং অমন্ থুম্না পারহ্না কুপ্না শুগাইন নৈনবগা থোংদোকপা সাহিত্য কলাবু যেংলগা মশক তাকপগী থবক্ । যেং ধবা [illegible] অমত্তদা শেপ্পা শেপ্পা য়েংবা হৈনবিনা [illegible] [illegible] ওনবিবগুম অমনবা ক্রিতিক্কা [illegible] ঐহাক যেংদে ।

[illegible] 'দামক' চেকথোকদা [illegible] সম্পাদকীয় [illegible] মেগাজিনদা [illegible] চংনব [illegible] থুগ [illegible], উসি [illegible] [illegible] ইবা নোংদা ইবা সম্পাদকীয় মওংদা [illegible] যাউদব [illegible] ইবা হৈত্তবা [illegible] শুরিবা [illegible] সম্পাদক ওইনিংদবদগী "নিউ ক্রিটিসিজম" — অনৌবা সমালোচনা মওংদা হরিবনি — । ঐনা ইজবিব [illegible] অসি ওবজেক্টিভ মিংথেংনা যেংদুনা (হ য়বাদ [illegible] হায়না হরিবনো, বরিনো তৌবি সবু হাদুনা শুগায়ন এনালাইতিকেল) পাবিগদবনি [illegible] নত্তদুনা থুদম ওইনা, মনিপুরী সাহিত্য [illegible] যেংব 'সাহিত্য' চেকথোংগী সম্পাদক [illegible]নিপুর

চিফ কমিশনর মমাংদা চেপ্লবা সডক্কী নাকয়েত্তা হোংবা কমিশনর [illegible] পাম্বিদা হক্ত [illegible] থাবা নম্বর মযেক্কা অম্মা ওইনা নম্বর অমা থাবিদ মথংহনবা অত্তগী [illegible] তম্মু তাকপত্তুনা ঐবুস্থ হৈবোং কত্তন সম্পাদক ওইহনবীগনু ।

রোমান্তিক [illegible] ('রোমান্তিক' হায়বদি সাহিত্য অমগী রারেং শৈবেং লেংলকপদা রাইহ মশিং কেবা তান্নবা লোন অতৈ অং মযামগী [illegible] রাউং [illegible] শেম [illegible] — কনাগুম্বনা লোল ওইনবা হায়ত্তনা মথন্তা থংজবা মবল্লাই [illegible] শেক্সপিয়র উ যাওই) অমুগ [illegible] মথলনা [illegible] হায়লব ভাবনা [illegible] না পংথন [illegible] ইবা — (অকোনবগা "ন্যুশিংবা" হায়বিবা অসিত্ত [illegible] থোং [illegible] অনিগী [illegible] হায়বদি ইনাকখুনগা [illegible] অচৌবগা [illegible] বগা [illegible] অনিসদগী [illegible] চোংথোরন [illegible] অহাগুম্ব [illegible] । পুবিবা [illegible] — [illegible] থৌনা ফবগা, [illegible] [illegible] চরিত্র [illegible] — [illegible] যেংদগী যেংলকপা [illegible] পোং-লক অমগী [illegible] 'পাশানতিক' [illegible]

তোই অহ্নগা ক্রিটিক অমা ওইনগনা মাগামথো মশিন অদু হৌজিক্কী লেখক অহুনী পার্শ নলিতি যেবগা লোইনবা লেখক্কী ফোংদোক্লিবা রাফম অদুদা ক্রিটিক মশামক্কী থম্মোইমুংদা রাখলনা থেংজবা অহুমখৈতা মইজে। ("পাশনেলিতি' হায়বদি মী অমা নাইতোম তাহল্লগা মী অহুমনী নংগি মার্বেশিং মশক মতৌ, শাজিং-রাংগাং অমসুং মানা চংলিবা থম্মোই রাখল বাযদা পুন্নমকপু পূল্লগা ফোংদোক্লগা য়েংলিবা মী অহুদা উংলিবা মতৌ [illegible]।) মথক্কী রারেংসিংদা ঐনা হায়জবিবা "রোমান্তিক মিংযেং"গী মীতা অমগী খুদম পিনা তাবর্দ উৎসব অমা কংপদা চাক চানবা মযাম অদনা থোংলিবা বামে নগী মমায (পাশনেলিতি) যেংনা মথোইনা চ [illegible] পোং-শকুদ মেংজহুনা "হা ই, হাউ ড," হায়না [illegible] অহুগা চাবিবা মীশক অমনা [illegible] থবা চাজানবা য়েঙ্গাং ওইবমহুনা মপুক্কংদা চুনবা থোন বদগী উ[illegible] থোংবন্নু মান্না ফজবে হায়না মন্নাম্মাংদা ও[illegible]লকপা মওং অসিগুম্বনি।

নিউ [illegible] ঐখোইগীদি মথক্কী রোমান্তিক মিংযেংগী [illegible]তিক মশা মথক্কা মক শেমজবা মীতা, মনিঙ্গী [illegible] বিকম তৌহনা মহুং ইন্দুনা [illegible]বি তাব [illegible]পা মীতা [illegible] গঙ্গা থক্কুনা পংথবা [illegible], [illegible] মচা মনাম [illegible] [illegible] চিক্কুনা পনেং পবে চেননা মীতা, [illegible]গী উৎসব চাক চানদা [illegible] অমনা 'হাউই হায়খ্র হায়নু' [illegible],—ফদগ্রে—চ[illegible]খে—' ওস্তুমা অ[illegible] অপা[illegible] [illegible] চংপা মীতা, বারত্ত অম থ'জক্ক ক। 'ক্রোটি কেল্ল ও [illegible]বদা ক[illegible] [illegible] মী [illegible] অদ [illegible]কহনা নৈব মীতা নত্তা। ঐগী তক্কং শুনা চেংকো রাখলদা সম্পাদকায নৈনবদা মনিপুরী সাহিত্য কবিতাবু কবিতাহুগী ওংদা অহু প্রমান তৌহনা [illegible]বদা 'লোন্দা পে লিশ ওইদে, মাটে লুদে, অহুম [illegible] হাবা চুমদে।" হায়হুনা ঐঙোন্দা হায়দ্রকপা যাওখি। কবিনাগী মবমদা ঐনা 'এতিনিজম' তৌবগা মখোইনা কবিতা ইনিবা কবি অমগী পানেলি তগী রাখলবীদন রাবিব। মাখোইদি নিউ [illegible]সিজম কদাইদা কৌবগে থ দবা মথাই থাইনগা মনা শজ্জ 'লশা-রিডেগী সমালোচক [illegible] 'স অ ই দি মিংযেংদ [illegible]লবা রোমান্তিক [illegible] [illegible] রাবাম্নিবন। [illegible] স হ তদা [illegible] [illegible]ক ফ ও [illegible] মযাম [illegible] থোকগুনবিং অসিনা নিউ ক্রিটিসিজম [illegible] অকোবা মেথোনং, ক্লবদি অত্তা [illegible] তম্ব মাবা জা [illegible] লাইনিক [illegible] যেংবিবাউ হা নগা [illegible] অ[illegible] ভ্যা[illegible] [illegible] [illegible]বদ নৈনম্নালা কোরবাট কনমদা [illegible] ইনিরিনা [illegible] [illegible] থা [illegible] হে নবা অসি উভা [illegible] [illegible] [illegible]গাংশিংদা ওহোংনা কারাগী [illegible]-মতুংদমু অ[illegible]পুম্না ক। [illegible]রেক্কু [illegible] ইত্তগী লৈচন ওইনি [illegible]।" অসুম হায়না অহুনবা সমা-লোচনা মও অনিদা চথব দি মনিপুরী সাহিত্য ইন মীদ লৈন মাই অঙ্গা পোৎযোক অহুদি থক [illegible]রাই অমসুং তেনগংলোই।

ইং [illegible] [illegible] ক্রি [illegible] টি ই, হিউম (T E. Hulme)না রোমান্তুব সাহিত্যগী মশেম্মান [illegible]বা অহুগা [illegible] থোবফমদগী (সবাব্জক্টিভজম) নৈনবা অ স চুমাদ কবিতাদ [illegible]বিবা অকংবা, অয়াকপা কল্লনা অমসুং সাদাবন ওইনা কলাগী

থবক্তা মবিস ে.নবা মখিল তেংবা (দিসিপ্লিন থম্বা) অদুগা কলাগী পোৎশক অমুদ পোৎশক ওইনা য়েংবা (ওবজেক্তিভিতি) অসিনা চুম্মি হায়খে । নৎপু নত্রনে ? কৈথেন্দা খুকম ফজবা তোংবা মুত্তাহংগদবা অমা লেবা চংদগা খুকম অফ ফত্ত থজ্র.না খুকম খোনবীগী নমাই লেহুনা লৈরক্কদ্রনে ? নত্রগা খুকমহু এভোন্দা পানজবা অমা পোকনে হায়দ্রুনা খুংনা পাংবা অমা হেক্তা চায চাদে থংন্দা লেগদ্রনে ? এাদ কবিতা পামজবাদ কবিগী নমাই যেহুনা ভাংজগদবা নত্তে।

'ত্রেডিসন এণ্ড ইন্দিভিজুএল টেলেণ্ট' তা ইলিয়ট এলিয়টনা 'নিউ ক্রি • সকম নশক তাক নি। এ'লয়টবা রত্তাদা, ক'বনা ভংবদি ফোদোংবা পাশনে ৪ অমা ওইনা নত্তে. পাশনে ল ভাগী থাদে । মেডিয়ম (মচাক) অমতা মওংবা, মচ ব অহেস্থ মসা • • নমমা মওইবা অদুম্ম মেডিএম মগা তোপ তোপ্পা অমাদি ৭ত্রবমদব মা.কেদ, তাব ক্লবা মান অমগু মখানা থেংনক থোংনকদগী হৈরকপশিংনা (ইম্প্রেসন অমসুং ইক্সপেরিএন্স পুম্ন চ'নক-লবা মওমদা থেকপা তাই। এলিয়টকী মখমদদি "ইমোশন' (থম্মোইগী ইথিল) অসি মায়কৈ ভবাদগী পৌবা নত্রগা পোৎহনব য়াই। খুদম ওইনা লানফম অমদা লান শোরবিবা সিফার অমহু ওইনা নত্রগা লাম্বা থেংনবা অনিত্বু য়েংলিবা ভাবোক অমা ওইনা নত্রগা লাল শিল্লিগী জেনেবেল অহু ওইনা, নত্রগা বৌ-রা শাদবা নিঙায়দবা মীয়েং অমা ওইনা মাখোংদা ফাওখিবা থম্মোইমুংগী ইথিলশিং। অদুনা কবিনা য়েক্রকপা থম্মোইমুংগী ইথিলশিংবু য়েংবা তাব দি পোখোক্তা লেহুনা থএবপ তাই, ঐগী থম্মোইগী ইথিলদা তারিবা অংগো চানৈ চানদে হায়হুনা মীশক লেপ্পবা তাই। কবিগী ফজদে হা বর্দি ফজব শকওং শা • নদে • বক চুম্বা অমসুং মথংমনাও নাইতা। মহেগো থোশং ওইনকম ওইবা, রাশিগুা চ খোনবা ও ই বিত হায়বসি থম্মোইমুগী ইথিল মবে নবে লেপ্পিনখুবা অমা কে মবা হদোরক নত্তে, ইথিলদগী নানথোবকপান, মীশকপু ফেংদোরকপা নত্তে মীশওগী নানথোরকপান (Turning loose of emotion •েট emotion দগী escape তোবান, personality গী expression নত্তে, personality দগী escape তোবান।)

কবিতাগু পাগদবনি, মহুদা জীবন চরিত বিরগদগী নৎ ৩, ইতিহাস লেংঙ্গদবা নত্তে, ভাবকী ইতিহাস নচৎ অমসু নৎতে; মতম লাহদবা মতংগীদা থেকপা, অর্থগী ম বন মওংনে। ইববা না অদুগা মাংং মথা মশক খিরুবা লৈহনা, মাগু থনবিকব তৌদনা কাবতা পাগ-দবানি। নিউ ক্রি ক অমা ওইনা অমুকসু হৱ' হায়রি — কবি ওইবতনা কবিতা ওংদা নৎতে, ক বতা ওইবন কবি ওইাবন। অমম্বা সমালোচনা ওলদ ক্রিতিসিজমগী খুদম অম পিবা তারবদি "সাহিত্য" চেকৌ নেত্থব ১৯৬৯ গীদা থাওরিবা খুমনযেম ইবোতনগী "মনপুগী উপন্যাস" পার্শনলিটি অমসুং ইস্পেল ইফেক্ট। নিত রতৌহু। ইরিবা দ প নয়ু। নিউ ক্রিতিসিজমগী মওংদা খোনবীগী কবিতা হাবসি মোর্ডন "ইরবমু পুবানা "হরমু ফজবা কবিতা অমদি ইকদা ফজগদি, ইমুংদা মুংতাই-

গনি। কবিদা ওনখংবুনা মীশক লেম্নগী মহুৎতা কবিতাদা ওনশিনবুন, পোৎশক য়েংবনা চুম্মী। খাইরাকপম চাউবগী কবিদ লাই তোংলবা মাইবি নত্রগা ধ্যান তৌরিবা মুনি অমান হায়বদু পাশনেলিতি য়েংবা অমনবা ক্রিতিসিজমগী মিৎ-য়েংনি। মাইবি ওইহানংঙৈ ওইদ্রে, ওইহানংঙৈ তৌরক্লে — এখোইদা কাবিতানি পাগদোরবা! খাবে শাবা হেত্তবা মীনা খাবে শাদোরে— খাবে অদু এখোই য়েংসি হায়বনা ডাইবে ডাইবগা মান্না চন্দনচে মানবা অমা শাররগা খাবোন খাবেনি'' হায়না খাগৎশিন্নরবদি মানপুবা কবিতা কদোমদা?

রাহেগী অর্থদা মহুং অর্থ ফিবা থোরবা (শ্রীবীরেনগী রাহেদা, *অর্থদা নিংখন য়েংবা) সিম্বোলিষ্ট কবিতা মওং তাহনবা তারবাদ নত্রগা মেত্তা ফাজিকেল কবি শংনা ইনবা কবিতা মহোশা অমসুং শক্লাইবা কয়াগী রাংমদা থনবা তাহনবা তারবদি য়াম্না শাথিনা জ্ঞানগী হৈশিংববু উৎপা অমসু শিজিন্নবা চংশি। জ্ঞানগী হৈশিংবা শিজিন্নবদা নাকচেত্তা য়ানবা ঙাবনি (With wit comes irony.) নিউ ক্রিতিক্কী হায়বদুনা অর্থদা পয়েং য়েংবা সেমান্তিক মিংয়েংদগী তোগদবা নত্তে।

নিউ ক্রিতিক্কী মিংয়েংদা য়েংলিবা মনিপুরগী অপাবা মা শংনা মানপুরী লাইরিক মুওাই-তে হায়রিসি অচুম্বানি। নঙোং যন্ত্রগা শাউগনু হায়বা রা লৈ, এখোয়দোনা তৌ যাদে নত্রগা হৈনদৈনা তৌরমাক্লে হায়দুনা পাশনোল। ও অমসুং ইমোশনেল ইফেক্তা কাবিতা ইদনা পোৎ লেনু য়াদনা লৌনিংদবা অপাবা মী এখোইদা নমহনা কবিতা য়োনবাদ চুম্দে। অনুবাদ তৌরকপা কবিতাদসু অনুবাদক অদুগী হেত্তবা অদু পারগা এখোইন থরায় নাই। কবিতাদ ইবিগে হায়নবাদি থর হেনা হৌবিবু থম্মোই হৈহে অমা হেক্তা ওথোকপাদ খুঙাউননা হন্দোকপা অমাংবা মাল্লে।

গ্রাহকশিংদা

ইম্ফালগী মপান্দগী কনাগুম্বনা "রাখল"গী গ্রাহক ওই বনীংলবদি লুপা ৭.০০ (তরেৎ) থাবিরক্কনা চহী অমগী গ্রাহক ওইবিবা য়াগনি। শেল থাবিনকপা মতমদা মখাদা পীজরিবা ঠিকানা অসিদা শোয়দনা থাবিরকউ। এখোয়না ইথুংনা শেল হেক ফংবগী রিসিপ্ত অমা থাজরক্কনি। করিগুম্বা শেল থাবিরকপশিংনা রিসিপ্ত ফংবিদ্রবদি এখোয়দা থুনমক পাউ পীবিরকউ।

রাই, জ্যোতিন্দ্র সিংহ, এডভোকেট,
সম্পাদক, রাখল
খাইকুল পুলিসলেন, ইম্ফাল।

শ্রীবীরেন

ঐখোয়গী সাহিত্যগা য়েক্লবশিং

মনিপুরী সাহিত্যগী ফিরল অসি চাউবা কমলগী মতম অহুম্রাইনী খরে। হায়রা লৈরম্লিবা চাউবা-কমলগী মতংদগীনা ঙসি ফও বদা শাগংলিবা সাহিত্যগী শকফম অসি ঐখোয়গী অপাবশিং অমদি সাহিত্যবু য়ুম্না খঙবশিনা স্নুকয়া য়ানীংদবা লৈরবে অহুগ ঐখোয়গী অপাবশিং অসিগা পাবা ঙম্বনী। মদি ঐখোয়না ফাংদুনা থম্বা ঙমদবনিনা পুম্নমক। চাউখংলবা সাহিত্য পাক্লরে। মখেৎনা ঐখোয়গী চাউখৎলবা সাহিত্যগা মখেৎনা পাক্লিবা সাহিত্যগা চাংদম্নবা হায়বসিমু মশানা তৌফম থোকপনিনা মরোলি। অতুদনাদ মনিপুরী সাহিত্যদি চাউখৎ, পাবা য়াদে, কেন্নু য়াংদে হায়না থাংবা কাওথোকপা হায়বাসিদি মশোং-দ্রবানি। অদুনা লাংবিক সাহিত্য হৈবা মেতৈ মচাগী মফমদা, বংগালী সাহিত্য ইংলিশ সাহিত্য লৈবগুম মরাংদা। থুংবা নদলোল। ঙংবা মনিপুরী সাহিত্য হায়বমা লে হায়বা ফাওবা শিংথাবাদ্র। মরমানদগা সাহিত্যগী য়াম্না মরু ওইবিবা সমালোচক চোংথোক্লক্কি, মফমতে অমাদ সমাজদা মাঙফং নাওংদ নাংবা দে শিল-নিংবা অপাবা চোংথোরক্রবনি। মসি পুম্নমক লৌগাদনা ঐখোয়না থোক।। অমা মেনি হায়লদুনা মতমদা ওইরবাদি মনিপুরী সাহিত্যগী চাউ-খৎনবা তৌবা ওইরবা থোক্রোই। মখোয়না ওইনা নিংশিংদবদি হৌজিক অসি মনিপুরী সাহিত্যগা য়াম্না লুবব মতমনি। শোইদবনি কৈদনো? মসিগাদক হৈবা য়াবা চঙ চঙ লাইশং করম্ব থোরখবা? খংনিগে? অসি গুম্বা হায়বশিং অসি মুখ থন্নদুনা লৈরবা অমদি থক তৌফম থোকই। হৌজিক্কী মতমদা মনিপুরী সাহিত্যগীনি হায়দুনা হেংগৎলগা চোংদুনা নোমজবা ইংরেজ কাংলনসগী থোওদা অশোয়বা য়াওরবসু মতু কোংশোক্তুনা হুন্দোকপা তাই।

মনিপুরী সাহিত্যনা চাওখৎপা হয়া য়াত্রি বজিগী মরম থিগংপা মতমদা খুদোং থিনিংঙাই ওইংবা ঐতা থবা থেংনৈ। মসি মাইকৈ অনিদগীনি। ঐখোয়গী সাহিত্যগীদমক ইরিবা অমদি থবক নোমজলবা কংলুগী মাইকৈদগী অমা অদুগা ইগু হৈদবা সাহিত্যগীদমক থবকসু নোংদবা অদুম্নদি ওইবগা লাইনিক লাংস্ন হৈদুনা ঐখোয়গী সমাজসিদদি ওংশেনমক ইকাই খুম্নবা বাংলু-গী মাইকৈদগী অমা — মাইকৈ অনীমক্তা মঙাওনী সাহিত্য চাউখৎলা অপনব পীরবা মীশা থরা চোংথোরকই।

ঐখোয়গী সাহিত্যগীদমক ইরিবা অমদি থবক নোমজলবা বাংলুগী মচা মী অমা অনীকী মীওইশিং থেংনে। অনিদগীনি। অসি তু মাঙ য়াম্না লেবা পাম্না লেনবা না। অদুগা ঙশংবদ এখোয়গী সাহিত্যনা চংবা দশা অসিনদি মরাংনা খংদে। মখোয় পাংসনা য়াম্না হৈশিংলা গায়— ওসি। ঐখোয়গী সাহিত্য অসি মশাগী ওইনা চাওখৎলগা চাওথিনা।

মসিগী মবম পীবদা ওসি ঐখোয়গী সাহিত্যদগী হেন্না চাওখৎনা থেংনরিবা ইংরাজি সাহিত্য, বাংলা সাহিত্য, অমেরিকাগী, ফ্রান্সকী, রাসিয়াগী সাহিত্য ময়াম অসি চহী কয়াগী মতুংদা ওইবক্রিবনো? হায়রিবা চাওখৎলবা সাহিত্যশিং অসিগী ওসি ওইরিবা শক্তম অসি শাগংপদা চহী কয়া চঙখ্রবগে? অদুগা লাইপোক কয়াগী হোৎনমল্লো? হায়রিবা সাহিত্যশিং অসিদি তশেংনমক চহী ১০০ গী মথক্তা লৈরবা শাংলবা মতমদগী শাগংখ্রবনি। চহী য়াম্না চংনা তানাশনখ্রবা সাহিত্যগী লনন। চহী য়াম্বগী মতিক মখোয়না ইনাকখুনস্রবনি। অমমমনা যুগকী মমায় চুম্বা ওস্নবা, জাতিগী মহুৎ শিনবা ওম্বা লাইপোক কয়ানা শাগৎলম-লর্বনি। ঐখোয়গী সাহিত্যগীদি লাইপোক অমতম্থ পোকখিদ্রে; ইংরাজিগী সেক্সপিয়ার-গুম্বা, বাংলাগী ববিন্দ্রনাথ ঠাকুরগুম্বা অমতম্থ য়াওখিদ্রি। অনোবা ঐখোয়গী সাহিত্য ওইরব্রিবা অসি চহী ১০০ শুদ্রি, চহী ৫০/৬০ মুক্তগী খোঙজেননি। মথায় য়াওবা মীওই ওবা'মা মগামা চহী ৫০/৬০গী মনুংদা তেক্ল তেক্লি হোৎনবদা অসি য়োরবসিনদি ঐখোয়গী সাহিত্যনা চৎলিবা খোঙচৎ অসি তপ্পা নত্তে, য়াম্না চাওখৎলিবা জাৎনি। খোঙথাং অসিদা নীংবা কায়নীংডাই কৈস্থ লৈতে। অশা য়াম্না তৌনীং-ঙাই লৈরি। পংলাপ লাপত্রে হায়বত্থনি। অস্থুম থনত্থনা মনিপুরী সাহিত্যগী অথোবা কাংবু অসিনা থী য়াম্না চারগা মপুক তহি তহি কংনা মমৈ ফেং ফেং লাইনা পেস্থোক্রবা ওক্লা চংপগুম মোমোন নোক্তুনা সাহিত্যকাররনি ঐখোয়দি হায়বগুম পেনলত্থনা চৎলী।

মসিনি অহ নবা কাংবুনা হায়রিবা। মখোয় অসি চংলিবা খোঙথাং অসিদা অস্থুম চৎলগা ঐখোয়গী সাহিত্য অসি অতৈ লোনগী সাহিত্যগা লম্বা পাবা য়াগনি হায়না খন্দুনা খোঙথাং অসিদগী য়াংথংনবা কৈস্থ খন্দে। অত্থুম মচৎলি হায়ত্থনা থৌশাদনা লৈখোকই। অসিগুম্বা অহানবা মখলগী সাহিত্যগী রিএক্সনারিশিং অসিন ঐখোয়গী সাহিত্যগী লমংজেন অসি কবম্বগা তান্নরিবনো হায়বত্থ খঙদে। মখোয়সি মপাঙ্গেৎংগী মওংতদা ভাব তাবা, রাখল খনবদা থন মান্নরা থনবা মী মানবতনি। হৌজিক অসি পৃথিবীগী সাহিত্য থুদিংমক পুন্না লমজেন তান্নর; ইংবাজি লোন পাবা ওম্বশিংনা লমজেং অসিবু পুন্না য়েংলি। ইংরাজী লোনবু পাবা ওম্বা মীনা অপাবা ওইরিবা সাহিত্য অহু হৌজিক্কী মতমদা মতোমতা চেন্দ্রবনি, ইংরাজী লোনগা মরী লৈনবা সাহিত্য থুদিংগা লাম্বা পাম্নিবনি হায়বসি কাংবু-সিনা খঙদ্রে। মরমসিনা ঐখোয়গী সাহিত্যনা যাৎ চেনগদবদা মখোয়ন অপনবা পী। অদুবু অয়াবদি; মখোয় অসিগী রাখল অসি অমুক্কা মতিক মর তগেত্র মত্থদি মখোয়বা রাখল অসি লাম্নহ যনা ৩ কপদা মখোযনা পাক যারে ই-দৌরি, অদুগা মখোযগী রাখল অসিনা লাং-তক্তবা ঐখোয়গী সাহিত্য পামজবা মীওই কনাদম্থ মশ ম.বং শন্দোকলি। মরমসিনা মসিগুম্বা রাখল অ'স মুখৎনবা মখোয়বু ভাব তহনবা ওম্বা মরৈ খবম্থ চঙডি।

অ'সগুম্বা রাখল চেনলিবা কাংবু অসিদা হায়নীংবদ অসিনি – চুম্মী, হৌজিক্কী মনিপুরী সাহিত্য চহী য়ামদ্রি, লাইপোক অমতম্থ পোক্ত্রি।

অচুনা মাঠকৈ অসোমদগী য়েংলবদি ঐখোয়গী সাহিত্য চাউখৎমল্লবনি অমদি চেনলিবা খোংচেন অসি য়াঙলি, অচুবু সৈরিবা ফিভম অসি যবে খনবদি চুংদে। অমদি চৎলিরিবা খোঙথাং অসিদসু দুগৎনবা খল্লবদি চুমদে। লৈরিবা ফিবম অসি চাওখৎনবা অতৈ লোনগী সাহিত্যশিংদগী চহী চা অমা অনিদগা তাদনা হন্ননা লেববনি। অচুন চৎলিবা খোংথাং অসিদা অসুম্মক থাংনবদি হোরিবা থাক অসি মেনবা কৈদৌঙৈদসু ভমংলাই অচুগা অমনা লাইপোক পোকতনা চাউখৎপা যাদ্রবনি হায়বসিসু ফনা অচুবা ওইবনসু লাই-পোক পোক্রকপা ভাহন্না লেবদ চুমদে। মা অমা লম অমদা পোকপা হায়বসিমক শাংবক্রী রানি, তান চাবরগা পোকপনি রন, ঐখোয়গী চোৎনমথাগী পাকপ নত্তে। ঐখোয়গী সাহিত্য চাউখৎনা লাংথ প ব অং০ পোকপিরকউ হায়না লৈশাক্লা শাইবা মাইবী নিঙ্কুনা অজা-পুজা যজ্ঞ পৌদনা তপোকপা থুকমচুনা লৈবা তরব্রা? মসিমক তৌবা শাববদি যগ অসিগা চনদ্রবা নোক্লিংলবা বাফমন। জাতি অমা চাউ-খৎপা, সাহিত্য অমা চাওখৎপা হায়বসি লাইপোক চাক্তদা তাইনবা চুমদে, লাইপোক নত্তবা মী-যামগী পুকচেল শেংনা ইজাতিবু শাথিনা মুংশিবা রাখল, হায়গঙ্গনা হোৎনবদগী অমদ পুক্সবু কখোকপদগী ওই হায়বসি ঐখোয়না চেংনা থাজফম থোকই।

মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙথাং য়াঙলি হৌদি চেনবা লেপত্রি হায়বসিগুম অতৈ অতৈ লোনগী সাহিত্য হায়বদি ইংরাজী, ফ্রেন্স, আমেরিকান, জর্মননচিংবা পুয়মক অসিগু য়ান্না যাংনা চেন-লিবনি। ঐখোয়গী সাহিত্যনা অসিগুম্বা চাউ-খৎলবা সাহিত্যশিং অসিগা লমজেন তান্নবা তাবদি না লাংদেন অসিগী খেন্নবিবা লম হৌদি চেনলি। তো শা ময়মদা ঐখোয় অঙ্ক কুপ্পা হোং-ওবা য়াদে। মতাং অসিদা ঐখোয়না অভাং ওইরিবৈদা তন্নকপা লমজেনগী অঙ্ক অচু নীং-শিংবদা কান্নগনি। ক গা খ গা লমজেন তন্ন-বদা ক-না খ দগী হেন্না যাঙনা চেনব ঙম্মী। ঐ খাবা শাকপা হেন্না তপ্পা চেনবা খ-না হান্না চেনখগা হেন্না য়াঙনা চেনবা ক-না কোন্না চেনলগা হান্না চেনখিবা খ-বু তানখৎপগী অঙ্ক অহুদ হোংপদা লায়। অতএ, ঐখোয়গী সাহি-ত্যগী হন্দক হাংকদোক্লিবা অঙ্ক অসিদি মসি নত্তে। মসিগী পূমওন ওবা অঙ্কনি। হেন্না যাঙন চেনবা হন্না কনা হেন্না তপ্প চেনবা খ দগী পুং খরা হান্না চেনখরে, হেন্না তপবা হৌদি কোন্নসু চেনগনা খ-না। হেন্নসু য়াঙনা চেনবা ঙম্বা হৌদ হান্নসু চেনবা হৌখিবা ক-বু মতৌ করয়া তানখৎপা ঙমগদগে হায়বা অঙ্ক অসিনি। অচুনা অঙ্কগী মওং হোংবগা লোয়নন্না হান্না এখোয়না অহাং ওইবিদৈদা তন্নকপা অঙ্কগা নিয়ম অসি থাদোকপা ওবে, অনৌবা নিয়ম পানবা ওয়। অঙ্ক অসিগী উপায় হায়বগ হেন্না য়াঙনা চেনবা ঙমলিবা অমদি হান্না চেনখিবা, ক-দগী হন্না যাঙনা চেন। ক দগী চেনবা ঙম্বগী পাঙল নৌখোকপা তাই। শম্ন হায়রগা, হান্না চেনখবা হেন্না য়াঙনা চেনলিবা ক অসি খ মৌরক্লি ফাওবা চেনহল্লগা মান্নবকালদা লম-জেন থাচুনা মবাইবক য়েংনঙবা অম, নত্তগা ক দগী শরুক খরা হেন্না য়াঙনা চেনবা ঙম্নবা পাঙল খদ হাপকংপিরগা করা চেনহনবা তাই। উপায় অনৌসিগী মরক্তা অমা নত্তবদি

অঙ্ক চুম্বা ওন্নরোই; ফলসু ত.বরোই। অঙ্ক অসিগী দশা অসিমক ঐখোয়গী সাহিত্যগী তাবিবা ফিবমনি। হেন্না য়াঙনা চেনবা ওমলিবা ১দি হান্না চেনখিবা ক-অসি ইংরাজি ফ্রান্স, জর্মন ১দি অমেরিকানচিংবগী সাহিত্যনি, অদুগা হেন্না তপ্পা চেনলিবা অদুগা কোন্নসু খোঙহৌরিবা খ-অসিনা ঐখোয়গী সাহিত্যনি।

কয়া অতে লোনগী চাউখৎলবা সাহিত্য-শিং অসনা ঐখোয়গী সাহিত্যদগী হেননা য়াঙনা ১দি হাননা চেনখে হাঙরিবনে হ'য়না ঐবু ইবান পীবা য়াই। ঐনা তৌরিবা প্রমান অসিগী চপ চাবা মবম লৈ। ঐখোয়গী সাহিত্য নত্তবা, ঐনা হায়জরিবা লোন কয়া অসিগী পাক কিম্ববা য়াররোইদবা চ'হ কয়া চঙনা থোনখিবা যুম্ফম মখোয়গী লৈখ্রে; নিয়ম নাইবা পরিং অমগী মথক্তা মশা মতোমতা চেনজবা য়াবা চেৎলবা খোঙফমদা চেনলি, ঐখোয়গী লাইবক থিবদগী অমতসু য়াওখি ত্রবা সাহিত্যগী লাইপোক কয়া মখোয়গী সাহিত্যদা চেংলবা শাংলবা নিয়ম শেম্নবা মপা মপুশিংগী মনুংদা য়াওখ্রে, সাহিত্য অসিগী যুম্ফম ওই'রবা মখোয়গী সমাজ অসি ঐখোয়দগী হেননা চাউখৎলমলে; সমাজদগা চপ চাবা সুংশিবা ১দি কৃতিকেল ওইবা মিয়ৈংসু ফংলে পুন্নমক্কী মথক্তা সরকারদগী চানবিবা মিৎয়েং নীংথিনা ফংলে। ঐখোয়গী সাহিত্য অ'স চোরকপা কুইরে, য়াম্না লিরে, খুন্ট পোকত্রিডৈগী নত্রগা খুটঙ্গা চহীচা অহুমশুবদগী হৌরক্লের্নাচংবা কয়া হায়রকপা য়াই; মসিদা হায়নিংবদি হায়রিবা লিদা লিরবা মণিপুরী সাহিত্য অহুগী মথক্তা ঐখোয়গী হৌজিক্কী সাহিত্য শ.গৎলকত্রে; লৌরবা সাহিত্য অহুদি শিবগুমখ্রে। মচুদগী কনা থাপ্পা চংখোয়গা বাংলা সাহিত্যগী ১দি সংস্কৃত সাহিত্যগী য়ু কমবা শাগ থিবা ঐখোয়গী ওসিগী সাহিত্যনা তোংসি। অসিগুম্বা অনৌবা সাহিত্য অসি কুইত্রি, মরা চেংত্রি থোংফম চেত্তবা মরম্না মশানা মথোমতা জ্ ঙ্ চেনজব ওমফম থোক্তে। অদুগীসু মথক্তা সমাজ অসিন্না অফবা মওংগী নত্তে; কনানসু সুংশিনা ১দি কুপ্না য়েংবিরিগ্রিমদুগা সরকারনসু চানবিবগী মহুংতা ঐখোয়সু তৌরিদনা হায়বা য়ানবা কাবক শাবক তৌবদগী হেন্দ্রি।

অম্মন্না অঙ্ক হোৎপদা, হেন্না য়াংখিবা ১দি হান্না চেনখিবা সাহিত্যশিং অসিদগী চেনবা ওন্নগী মপাঙন লোথোকপসু ওম্মোইদবা ১দি থামহনা ঐখোয়গা মান্নত্রিবা কাওনা পোথাখ্রে ইথিসু, ৱাখল খনথিসু, ঐখোয়গা মাননরপা চেনশিন্নসি লাইবক চাং য়েংনসি হায়বদসু য়ারোইদবা মবম্না মখোয়বু তানবা ওন্নবা ঐখোয়গী সাহিত্যগী হান্না লৈরমলিবা চেনবা ওমবগী পাঙল অসিদা হেননা শাংখংনা চেনবা ওন্নবা পাঙল য়াম্না হাপকৎপা তাই। মপাঙন হেন্না কনহনবা তানি। অদুনা হৌজিক চেনলিবা খোঙজেনগী চাং অসি পেনবা চুমদ্রবনি। হেননা কননা হোংনফম থোকই, খোঙবা গী চাং দবন হেন-গৎফম থোকই। মখো'য় চাওখৎলবা সাহিত্যশিংনা মথং মথং চংবিবা যুগ থরা অর্থাৎ ঐ থায়গা মখোয়গা লৈননবিবা মরক্তা লৈরিবা যুগ থরদি কানফম থোকই। যুগ থরবি চাউকান কান্দুনা মখোয়গী মপাদা হেক্তা লেপ্তুনা চেনখিনবা

কাওবা দরকারনি। মসিমক ওমজ্রবস্থু খোঙথাং অসিদি হেন্না কনখংপা তাই। অঙ্কী মরোলদা হায়রগা এ পি (A. P.) দা চেনবা মায়ায়াই, জি পি (G- P) দা চেনবা হৌজিক ঐখোয়গী সাহিত্যগী দবকারনি।

সাহিত্যগী থবক নোম্লিবা ১দি ইরিবশিংগী মরক্তা য়াওরিবা ২শুবা রিএক্সনারি কাবু অমস্থু লৈরি মনিপুরগী লাইরিক প বিবা লাইবিক হৈবা কাংবুনা ঐখোয়গী সাহিত্যসি পানীংদে মরমদি মখোয়না ফ্রান্সকী সাট্র, কামু অমেরিকাগী হেমিংবে, এল্লবা ইংরাজিগী এলিয়ৎ, সেক্সপিয়ার নচিংবা অসি পারুরগা ঐখোয়গী সাহিত্য অসি পাবদি অমতা য়াদ্রে, ঐখোয়গী সাহিত্যদগী ইংরাজি ফ্রান্সকী সাহিত্যদগী ফংব। মহাও অতু পীযু হায়বদা কাংবু অসিনা হায় অপাবনা পমলিবা মহাও অতু পীকম থোক্তে। মরমদি ঐখোযগীদা মতু লৈতে। ঐখোয়গী লৈজরিবা মথেল অসিগী মহাও অসিদা অপাবশিং পেনগদবনি, হাওরবস্থু থারবস্থু মান্নবস্থু চাদবা মাদে অসিনি মখোয়না হায়রিবা। মসিদি অপাবনা শুংয়া খানাংদে। হাওস্থু হাওতবা ঐখোয়গী সাহিত্যগী মহাও অসি নঙবা অফ অফবা সাহিত্যগী মহাও মখোয ফংবা ওম্মী অতে সাহিত্যদগী, ফংবা ওমজ্রবদি হাওত্রবস্থু হাওতনা এখোয়গীসি চাবা ময়াই, অতুবু ফংবনিনা অহাওবা সাহিত্যগী মহাও অতুতা চাজগে হায়। মসিদা হাযরিবা রিএক্সনারি কাংবু অসিনা অপাববু হাওতবা অথাবা নমথিবা সাহিত্যগী মহাও অসিদা পেল্লু য়াদ্রি করিগীনো হায়না অপাববু শাউই, নীন্দা ত্তোই। অপাবশিংনা ঐখোয়গী সাহিত্য চাউথংহন্দবনি হায়। ঐখোয়গী য়েঙ্গাং মথেন্দি ভাবি, উক্তি মাক্তা লৈরগা, মখোয়না রৌ থোংবা, জিলিবি শুম্মা অথুম্বা অহাওবা চাগে হায়রিবসিবু কদাই-দগী লৌরগদগে. ঐখোয়গী লৈজরিবা য়েঙ্গাং মথেল অসিত চাউ ১দি পেনবা তম্মু হায়না সাহিত্যগী কাবু অসিনা অপাবশিংদা হায়। অসুম্না সাহিত্যগী কাংবুনা ঐখোয়গী সাহিত্যবু পাবিগদৌরিবা লাইরিক হৈরবা, মহও তংবা হৈরবা কাংবুগা থংনাথোকই। ফজস্থু থজদবা সাহিত্য অসিবু ফজে হায়না চিন থিউ হায়বা মাদ্রগস্থু সাহিত্যগী মহাও খঙদবনি, ঐখোয়গী সাহিত্যবু, ঐখোযগী সমাজবু, ঐখোয়গী পুন্সিবু খঙদবনি হায়না চৈস্থু চৈরি। অসুম্না অপাবগা মুক্লৈ।

অপাবগা সাহিত্যগী থবক নোমলিবা ১দি ইরিবা কাংবুগা মুক্লবা অসি শুকফং ফত্তে হায়বোই। অপাবগা মুক্লবা অসিস্থু কৈ, মুক্লবা তারবদি রাখলগী জগৎতা মুক্লবা তাই। অইবগী রাখলনা অপাবগী রাখলগী জগত্তগী হেন্না রাং লবদি অপাবগী অনেম্বা থাক অহৃদ অইবগী অরাংবা বাখল অতুবু ফিংথরক্কদবা নত্তে, মতাং অসিদা অনেম্বা থাক্তা রাখলগী মপু ওইরিবা অপাবশিং অতুন য়ানবত্তা ইগদবা নত্তে, অইবগী অরাংবা থাক্তী রাখল অতুদা পুরক্লবা অপাবশিংগী অনেম্বা রাখলগী থাক অতুগা মূকথাইনবা তাই, লাম্বা পাবা তাই। রাখলগী লমদমদা মূক্রবস্থু ইরিবা সাহিত্য অতুবুদি অপাবশিংস্থুবু নংস্থুনা পাহনবা তাই। মতিক চাবা লাইবিক লাইশু হৈবা, সাহিত্যবু মুম্না খঙবা মহাও তংবা হৈবা, অচুম অরান পুথোকপা ওমবা শম্না হায়রবদা ক্রিতিকেল ওইবা অপাবা লৈতনা সাহিত্যগী থবক নোমলিবা কাংবুগা ইরিবা কাংবুগতনা

য়ারগা সাহিত্য চাউখৎকদবা নত্তে। খ্বাইগী ওইনা পানরিবা ময়ামদগী অকুপ্পা মিৎয়েং চঙ্ডি। ঐখোয়গীদি লাইরিক লাইশু হৈবা মী কাংবুনা পাবিহুনা লাইরিক অসিনা সমাজদা মাঙবা য়াই, মসিমদি ফজে, ফজদে হায়না লাইরিক অনৌবা অমা কৈখেন্দা থোরকপদা খুম্মকপগী য়া লৈতে। করিনা লাইরিক লাইশু হৈবা মীশিংগী মফমদা মনিপুরী সাহিত্য হায়বমা লৈ হায়বা অসি থল্লুদ্রবনি, কাউথোকলুরবনি, পাখিদ্রবনি। ঐখোয়গী সমাজদা হৌজিক নহারোলগী লমচৎ মাওহয়বগী মশক ওইরবা অকায়পেৎকীদমকত্তা ইবা ফিভুংলোল কয়া য়াওবা উপন্যাস কয়া লৈরবনি অদুবু কনানমুং মজাতি নত্রগা মশা মশাগী মচা মগুগী শিংলিদা চেনলিবা ঈ অদু শাগৎহন্দুনা পৈশা জোদনা ওক্রবী ওইহনজবা ফাওবদা মমা মপা লাইরিক লাইশু হৈবশিংদু থোশাদনা লৈথোক্ল। মসি ঐখোয়গী সমাজনা ঐখোয়গী সাহিত্যদা থমলিবা মিৎয়েংনি। পাবিগদবা মীয়ামনা পাদবনিনা অপাবশিংসিগী খুঘগী শরুক অসি শুপনৈ লৈতবতম তৌরি। অংনা অশুমা য়ারোই ওইবা য়াই—মনিপুরী সাহিত্য অসি সাহিত্যগী থবক নোমলিবা ১দি ইবিবা, সাহিত্য খঙবা ঐখোয়নি হায়না লেরিবা অমাদ অইবা ঐখোয়দি লাইপোক্লি শক্তিভা লৈদ্রুনা ইরিবনি, অপাবশিং অসিনা মীচমজ মথোয়না কারিখওবনো হায়না খল্লিবা লিটরেরি বোস (Literary Boss) কী থুরবা ১দি শীক্লবা চাগোয় মদুংডদা নৈসন্দুনা লৈরি। মনিপুরী সাহিত্য অসি সমাজগী ওইনা লৈবা ওমদি। লিটরেরি পোলিজম অসিনা ঐখোয়গী সাহিত্য অসি মীয়ামগী ওইহনদ্রে। ঐখোয়না কাউরোইদবদি, ঐখোয়গী সাহিত্য মীয়ামগী ওইগদবনি, সাহিত্যগী থবক নোমলিবা অমদি ইরিবা কাংবু ১দি পারিবা কাংবু পুম্নমক্তা হংহুনা লৈগদবনি। মীখরভগী ওইরদি চাউংপা ঙম্লোই। অপাবশিংনা পানিংদনবা মূক্রবা অসিদি চুমদবা মংলগী মমূরনি।

ঐখোয়না মতাং অসিদা ইকোনোমিক্সকী ডেমাণ্ড এণ্ড সপ্লাইগী মরী অদু নীংশিংলকই। ঐখোয় চৌজিক য়াথলগী ০মদমদা মতিকচাবা ইকোনোমিষ্ট অমা ওইবা তাই। ডেমাণ্ডগী মতুং ইন্না সপ্লাই তৌবা তাই মতিক চানা কমপিটিশন মাই পাক্কে হায়রবদি অপাবনা ডেমাণ্ড তৌরিবা সাহিত্যগী মগুন অদু ঐখোয়না শপ্লাই তৌবা ওই। ঐনা হায়রিবসি সাহিত্যব লশোনপোং ওনথোকপগী য়াফম নাও। য়াথলগা লম্বা থেক্রবদা চপচাবা মাইপাকপা অমা ওইগে হায়রবদি লাম্বা ওইরিবা মী অদুবু থেকপা ভয়বা ঐখোয়গীসু য়াথলগী মচাক থম্বা তাই হায়রবনি। অমরোমদ লাইরিক ইবগা, লাইরিক পাবগা অনীগী মরীদি লশোনবগী ০মদমদা অরৈব মীগা পোং পুথোকলিবা মীগনী মরীনি। সাহিত্যদনা অপাবা মীসি য়াথল লৈব খুৎফানি Customer of thought or idea) 'অদুগা অইবনা য়াথল পীরিবা (Suppiyer of thought (r 11ea) মীনি। অদুমা অমা অসিগী মরা ইকোনোমিক্সগী মরীনি। য়াথলগী কারগারন শান্নরবসি। য়াথল লৈ-রিবা মীবু নীংথিন য়াথল হুনবা ভমলবা অইবদু য়াথল লাগোনবদা মাই পাক্লবনি। অদু দি ওইরগা অনেম্বা য়াথল লৈবা পাম্ব অপাবশিংগী মফমদদি অয়াংবা থাকবা লশোনবগীদমক অনেম্বা য়াথল হুন্দবদা সাহিত্যশী হেন্না চাউখৎকম থোকই। ঐখোয়গী য়াথল লৈবা লাকলিবা

অপাবশিং অসিনা ডেমাগু তৌবিবা মথক্স অসি অইবশিংনা হুনবা ওম্বা থক্কুগী হেন্না রাংবা ভাক্তনি। অদুনা অপাবশিং অসিবু মীবাইবা চুমদে।

ঐখোয় হৌজিক লিটরেরি বোসিজম অসিগী রাখল অসি থাদোক্তুনা অপাবনা তানলক্লবা অম্রাংবা রাখল অদু হুন্নবা হোৎনবা তাই। চাংগে হাফ্রিবা যেক্সাং অদু থোংবা তমগদবনি। যেক্সাং মথেনস্তু মখোয়গী অপাম্বদু থিক্লবা তাই। লিটারেরি বোশশিং ১দি লিটরেরি স্নোবশিং অসিগী মমাইদা উপলিবা কান্নব্রবা নাব্রাংবগী ১দি চাওথোকচবগী পঙলবা মাহথুম অসি য়াম্না থুনা ফকতোকপা তাই লিটারেরি স্নোবশিং অসি মথোয়নদি মণিপুরী সাহিত্য ম খাৎনা শেমগৎলি হায়না খঞ্জবি অদুবু অশেংবদি মখোয়সি এখোয়গী সাহিত্যগী চেক্লবনি।

মথংদা সাহিত্যগী থবক নোঙ্গিবা ১দি ইরিবা কাংবুগী মপান্দগী মাওনা তাক্লবগী মহীক পুবা মুংশিং শিংলকই। চেক্লবশিং থোরকই। ঐখোয়গী লাইরিক ইববশিং অসিগী বোশিজম অসিদা খুবাক খুহুনা লংনবা যাবা মথৈ লাল্লবনি। পৃথ্বিগী পাক্লবা যুম্ফমদা শাগৎথিবা সাহিত্য অমবু য়ুম্না নৈনবা, খন্ডবা, ওঝা শুরু নাইনা চহী মরি মণ্ডা অমা তম্লকপা অমতম্তু ঐখোয়গী সাহিত্যগী অইবশিংদ য়াওদ্রি, সাহিত্য মুম্না খন্ডবা অচৌবা অপাকপা সাহিত্য অমগা ইতিহাস পবিং কা দনা নৈনদুনা মতাং অমতা চিথদনা ইউনিভর্সিতিদা ওঝা শুরু নাইনা চহা অনীমা অহুম্বা তম্লকপা মীশক ঐখোয়গী সমাজগী লৈত্তবা নত্তে; লৈ। অদুবু মখোয় অযাম্বা থবককীদমক লাইরিক তম্বা ওইরি, ম খায় মখোয়।

মতম চঙনা পৈশা চঙনা নীয়ম চুম্না তমলক্লিবা সাহিত্যগী জ্ঞান অদু মজাতিগীদমক কৎতুনা সাহিত্য চাওথৎনবা তৌরমগে হায়বা নীংনদে। ইউনিভর্সিতিদ সাহিত্য তম্মুব কনানস্তু ঐখোয়গী সাহিত্যগীদমক চৎশিন্দুনা হোৎনগে হায়বিদে। নিযম চুম্ন সাহিত্যগী শাস্ত্রৌ পুম্নমক মতাং অমতা চিথদনা তম্বা, অদুগী মথক্তা মশাদ সাহিত্যগী মহাও তংনবা চপ চাবা পাঙল লৈরস্তু (সাহিত্য দ ইতিহাস তম্বা, সাহিত্য করিনো হায়বা খন্ডবতনা চৎনবা য়াদে; সাহিত্যগী মহাও চপ চানা ফাওব ওদগী শক্তি লৈত্রবদি চন্নদে) অদুগুম্বা লাইরিক হৈবা মীশক কয়া ঐখোয়গী সমাজদা লৈবিবসিদগী কনাস্তু চঙনবিবক্তে। মসিগী মতুংদা সাহিত্য খণ্ডবা ঐখোয় মঙাংরবনি হৈত্তবশিং খন্ডদবশিং অসিগা থবক তৌমিন্নরুবা হৌনদে হায়না নারাংবা থরম্নুনি; অদুগা থর্রদি পৈশা থোকপা থবক হেক তৌখিবগা পৈশা থোক্তবা থবক তৌবা ওমদবা শোল্লবা জীব ওইখিবগা সাহিত্যদা চঙশক্তবনি।

লাইরিক হৈবগা সাহিত্যগী থবকতি তৌজবোই হায়না সে মাই হাৎদনা তুমিন্না লৈবিব কাংবুসি থোইনা মাঙনবগী মশক নত্তে। মসি নত্তবা লাইরিক হৈবা রিএক্সনারি কাংবু অমা লৈরি। লাইরিক হৈবা ঐখোয় মঙায়রে থন্দুনা ঐখোয়গী সাহিত্যগীনি হায়দুনা হৈতা হৈতা পুকচেন শেনা হোৎনজরিব, করম্না ইঙ্গাতিগী সাহিত্যনা চাওখৎপা য়াগদগে হায়না কোইচেন চেনজবিবা কাংবুশিংদা লংনবা, করেম্নবা। লংনবদা নত্তনা মতিকতি চাদনা কৈগী তৌজপারিবনো হায়দনা চে থাংবা কাওদা য়াওই। মতিক চাবা মখোয়না লংনরক্লিশিন্নু মওং

চুম্না লংনরকপনিনা মখোযবু মাইথিবা পিব। ওমদে। কাযরিবা হায়ববু লংনবা ১দি করেম্নবৃতনা কায়বনি। লংনবগী, করেম্নবগী মহুত্তা চুমখোকপিনবা অফবা পোতাক পীবিহ্ননা পুক্লিং থৌগৎপিরবদি ফগদবনি। খঙদবা, হৈতবা মীনা লংনবা করেম্নবা ওইরবদি কৈস্থু অশোকপা লৈরোইদবনি। করেম্নরিবা, লংনরিবা মখোয়না থবক নোমজরিবশিংদগী হেন্না মতিক চাবনিনা থাজৈ শেংনা অশোকপা হায়বহু ওইরি। মখো.না লংনবা কবেম্নবকপদা মখোয়গী মমাঙদা থবক নোমগদবা ইকাইহন্দুনা পুক্লিং হন্থবা পোকহল্লি। মতিক চাবা লাইরিক হৈরবা মখোংনস্থু নোমবিদা অদুগা মীনা নাম্বদস্থু ইকাইহন্দুনা অমাঙবা ওইরি। খরদং মজাতিগীদমক নোমজরিবশিংবু লংনরবা কারম্নববা ১দি চৈবিববদি মজাতিগী মথাদা অমাঙবা ওইরকই; নোমলিবা মখোয়দতা মাঙবতা নংস্তে।

ঐখোয়গী লাইরিক হৈবশিংগী মমুংদা সাহিত্যগী মফমদা রিএক্সনারি ওইবা অতোপ্পা কংবু অমগস্থু লৈবি হাযরিবা মখোয়সি চাউরাক্লা অহুমখোক্না অমুক খাযদোকপা য়াই। অহানবদা মখোয়না হায় ঐখোয়গী সমাজ অসি ফত্রে, ফত্রব। সমাজ্রদগী অফবা সাহিত্য থোকপা কৈদৌঙৈদস্থু য়ারোই। অদুনা সমাজ অসি অফবা সমাজ অমা ওইনা শেম্না হায়বসিনা হান্না দরকাব ও।। ঐখোয়গী সমাজ অসি ফববা মতম অহুতদা মথানা অহুম ঐখোয়গী সাহিত্য অফবা থোকচরকনি। হৌজিক সাহিত্যগীদমক নেমগদবা মতম নংস্তে; ঐখোয়গী সমাজ অসি ফনবা নোম্বা মতমনি। তৌইঙদবস্থং মখোয় অসিনা সমাজ অসি ফগংলরুবা হোংনস্থু হোংনদে, সাহিত্যগীস্থু নোমদে অদুবু মীনা সাহিত্যগী থবক নোম্বদদি মতম চদে হায়দুনা হৈথংলি। অদুগা নাকন অমদা অঙম্বা থমনা সাহিত্যগীদমক থবক নোম্ব, অতোপ্পা কাংবু খরনা সমাজগী ফগংলরুবা হোংনবদা কৈস্থু কায়দে। মীনা অপাম্বা মাইকৈদা, হৈনবা মাইকৈদা মজাতিগীদমক মমায়োলগীদমক অঙম্বা খরা মবুকচেল শেংনা নোম্বদি যৈথংপীবা ফত্তে; থৌগংপিকম থোকই।

হায়রিবা কাংবু অসিগী অনীশুবা মথল অমনা হায়— ঐখোযগী জাতিগী হৌজিক য়ান্না দরকাব ওইরিবদি ঐখোযগী সমাজদা লাইরবা মশীং য়ান্না লৈ; অদুনা লাইরবসি কোক্লিবমখৈ ঐখোয় অফবা জাতি হাযবত ওইগদবা লৈতে; অদুনা য়ান্নমক দবকাব ওইবিবা ইহান হান্না তৌগদবা ইথোদি ইকোনোমিক রেভলুশন অমা পুরকপনি, সাহিত্য নত্তে। অদুনা সাহিত্যগীদমক নোমজরিবা কাংবুবু মখোয়না মতমগী দবকার খঙদবা মীনি হায়না য়ৈথংপি; মতেং পাংবিবদি হাযরুগস্থু। হায়রিবা রাখল অসি মতমগদি য়ান্নমক চুনখুবা রাফমনি। অদুবু জাতিগী ওইনা সাহিত্য হায়বসিদু লৈতবা য়াদবনি। অদুনা সাহিত্যগী নোমলিবা কাংবু অসি শেল থুমগী কিবম ফগংনবা হোনরবা কাংবুগী ঘেরুবদি নত্তে, অমনা অমগী ঘেরুবা কৈদৌঙৈদস্থু ওইফম থোক্কে। অমনা অমবু মতেং পাংবিফম থোকই।

মনিপুরগী অমাম্ব মীয়াম্না চানররা ১দি হেন্না কমস্থু থাজমবিবা রাখল অমসু লৌরি। মসি অনীশুবা মথল অসিগস্থু খরা হেন্না মক্কে। অসিগুবা মথলগী মীওইশিংবা হায়—ঐখোয়গী

হৌজিক্কী নীংবা খুংগ্রিবা অসি কোক্কে হায়রবদি বাজনীতিগী ওইবা অহোংবা অমা পুরক্কৎবদি খুংওই ওইরোই। অদুনা মনিপুরনা য়াম্মক দরকার ওইরিবা ইহান হান্না তৌগদবা ইংথৌগি বাজনীতিগা থর্বক্কি। হৌজিক্কি রা নীতিগা মতমনি। মথোয়না তোয়না হাধরিবা য়াফম অমনা— বাজনীতিগা মবী লৈনবা থবক অগমতং তৌবশিংবুনা যুম মৈ চাকপা কনবা মীনি হায়। ঐখোয়গী মনিপুর অসি হৌজিক যুম মৈ চাক-লিধনি; যুম মৈ চাকলিহৈদা কলম পায়রুনা লৈগদবা নত্তে. কলম থাদোক্লুনা যুম ম চাক-পসি কনফম থোকই। অদুনা সাহিত্যগী থবক নোমলিবা কাংবু অসিবু নিন্দা তোই, কান্নদবা থবক তৌবনি হায়না লৌই। মনিপুরী সাহিত্যগী থবক নোম্দ'স জাতিগী থবক নোম্বনি হায়না লৌবা ওমদে, রাজনৈতিগী থবক নোম্বতনা জাতিগী থবক নোম্বনি হায়না লোই। হৌজিক সাহিত্যগী থবক নোম্বা মতম চাত্রি হায়বদা মথোয়না সিমদু হায় সাহিত্য হায়বসি খোইমু লৈবাংগী জগৎতদা লৈবা, কল্পনাগী মন্ড হাদা তাউদুনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা সমাজগী দশা থন্ডদবা কাংবুনি, অদুগা মসিদি অশোন-বনি, অমেন্তবনি অদুনা সাহিত্যগী থবক নোম্বা কাংবুদি কিগনবা, মুমানবা পাংদবা কাংবুতনা নোমগনি, অকনবা থবকতি রাজনীতিগী রাখল তনা তৌবনি হায়দুনা সাহিত্যগী থবক নোম লিবা কাংবুবু পাওদবনি হায়না থিনা চে অমদি য়ৈথংলি।

মতাং আসদা ঐখোয়না নীংশিংনিঙাই ওইবদি সাহিত্য হায়বসিনা লৈবাক্কা রাজনীতিগী অহোংবা অমা পুরকপদা মতেং পাঙদবদি নত্তে। ভারতকী ইতিহাস কাক্কোকপদা ওসি রুটিশতগী মনীং মথা ওস্সগী অধিকার মুন্দুনা লৌথিবগী নীংতম লাণ্দা ভারতকী সাহিত্যিক অমদি কবি কয়না মতেং পাংখিবগে হায়বদু খেংনগনি। বঙ্কিমচন্দ্রগী ফাওরবা বন্দে মাতরমনা ভারতকা লৈমায়থক্কা নীনখি মবৈবাকীদমক্কা। মসিদ নত্তে, বাসিয়াদা অনৌব রাজনীতিগী অহোংবা অমা পুরকপদ মেক্সিমগোর্কিগী সাহিত্যন মতেং পাংখিবা, মসিদা নত্তে ফ্রান্সকী ইতিহাসতসু অদু মঙায়। সাহিত্যগা পুন্সিগা কৈদৌউৈদসু থানবা নত্তে; সাহিত্যগা সমাজগা কৈদৌউৈদসু থাদোরবা নত্তে। সাহিত্য হায়বসি মী থবক্তগী নত্তে মীয়ামগী, সমাজগী, জাতিগানি। জাতি অমগী অবা খুংঙাইগী অশংবা খোম্লেন্দু লোন্দা যেন্থোক্লুনা তাং অদুগী সাহিত্যদা থোবকনি। সাহিত্য চাউখৎত্রিবা জাতি অদু চাওখৎলা জাতি নি, বাজনীতিনা ফনা চাউখৎলুনসু, শেল থুমগী ফিবম ফনা ফদুনসু।

অসুম্না ঐখোয়গী সাহিত্যগী শৌগৎপি-নিদবা মী কাংবুশি অদুম মরৈরি। অদুগা মনিপুরদা সাহিত্যগাদমক থবক নোমলিবা ...দ ইরিবা কাংবু অদুতনা মনিপুরী সাহিত্য পানবা মী ওইর। প বিনয় মী য়ায়া লৈতে চাউ খলবা সাহিত্যগী লৈতবা য়াদবা মচাক অমদি বৃত্তিকেল ওইবা অপাবা মী অসিদু ওইরিবনি। মীয়ামনা জ্ঞান মেন তাদনা পংপা পাবদুসু দবকার ইওই ওইদে। অদুগা অকব অপবা লৈরে হায়বসিসু অপাবশিং অসিনা মথক্কা য়াওনরকপদগীসু উবা ফংডি। অকবা অপাবশিং না থবার য়াওবৎদি মথোয়না পাক্করিবা সাহিত্যগী মরমদা তুমিন্না লৈথোকপা ওমদে। মশানা

থক থক চোংথোরক্না সিদা শোইরে, সিদা ফরে হায়রবসি কৈনো উপায় অমা তৌহুন কোওদোরকই। মহ্ মোং মাব্রবা য়াই, মান্নদবা য়াই। পাক্নরিবা লাইরিক্কা মবমদা য়ামগ্রবদা মোং থরা ইহুনা নত্রগা ময়ায়া থওবা য়াবা মওংদা কোংদোরকালবা জাতি অহ্ মখোয়গী সাহিত্যগী মরনদা থবায় য়াওনারবান। ঐখোয়গীদি অপাবন খুম্নবকপগী রাসিমা তশেংনমক তোনদে। অকবা লাইবক খোরকপগা মশানা থওনা হনশিনবা য়াওদনা ১দি নেকপা তোদনা থাগংনদে। সমাজগী মাওনবা ওহরবা লাইরক খোরকপগীসু মশা মশাদা অকায়বা থবক অমা তোশিন-লকপা ওহনা লোনহ্না অততাই ওইনা মশানা চোংথোক্না চৈনদে, কেশ তোনদে। মসিনা তাকপবু এখোয়গী সমাজ অসিনা এখোয়গা সাহিত্য অসিবু খোশাত্রি হায়বান, ১দি লৈ হায়বা কাওবা থওাবদবনি। রাবল অমনা ঐখোয়গী সাহিত্য অসি সাহিত্যগা নোমলিবা ১দি হায়বা কাংবু থরতগী ওইবনি।

ঐখোয়গী সাহিত্যদা অকামপেংকোদমক ইবা লাইরিক কয়া লৈরে। মখোয়গী মাই-য়োকতা কনানসু কেশ তৌনদে। বাংলা দেশতা ওইরবদি ওহায়া অইবশিং অসি কোর্ট কাবগ-দবনি। মসি কৈদগীনো থিবদা থেংনৈ—মনি-পুরী সাহিত্য পারিবা মীশিং অসি অনেম্বা থাক্কী ওইরবননি। তশেংনা মনিপুরী লোলদা খোরকপা লাইরিকপু থরায় য়াওনা পারিবদি ইংবাজি নিংথিজনা পাবা ওমত্রিবা অওাংশিং ১ম নুপী নহা (অয়াম্বনা লৈশাবি ১দি মৌ হয়কপী ইরাংন' পিকথননা থংলিবীশিং) ডাকতনি। অইবনসু মখোয়গীদমক ললোনপোং ওইনা অনেম্বা থাককী লাইরিক ই। অহুনা অরাংবা থাক্কী লাইরিক চংতে। খোইমু লৈরাংগী, পাথং লৈশাবী অহিং উনবগী লাইরিকতমক যামনা চংলি। অসিগুম্বা অপাবশিংনদি লাইরিককী অফ ফত্তা থিহুনা কেশ তৌবা ওম্বগী পাঙ্গন লৈবা হৌনদে। লাইরিক্কী অফ ফত্ত থিহুনা কেশ তৌবা জারবদি লাইরিক হৈরবা মী শিং—ওঝা, উকিল ১দি অতৈ অতৈগী মমুং তানা থওলবা মীওইশিংনি। মখোয়দি পাদে। পার-বসু মরনাই অততাই তানিংদে। ঐখোযগী সমাজদা হিরম খুদিংদা জাতিগী হায়বমা অতুগা ইশাগী হাযবমা থায়দোকই। জাতিগী অমাওবহ্ ইশাগী অমাওবা নত্তে মনিপুরদা, অহুনা জাতিগীদমক অততাই তাবা কনাগুম্বা ওয়দে।

লোকমিংবা থৌরোক অমা:

নোংমা ত্রিনাথ খুরুম্বগী গঞ্জা তপতামখৈ থকচিনলুরগা পাথং অমনা ময়ুম্দা মপাগা চাক চামিন্নবদা য়েঙ্খাং তেঙ্গোত্তগী লাই থরোই অমা তাপ চুপ্লগা মনাক্তা ফমলিবা মপাদা "দম" হায়না লামজিনখি।

টি এস এলিয়ৎ

জে, অলফ্রেদ প্রুফ্রোক্কী নুংশিঈশৈ

S'io credesse che mia risposta fosse
A persona che mai tornasse al mondo
Questa fiamma staria senza piu scosse.
Ma perciocche giammai di questo fondo
Non torno vivo alcun, s' i' odo il vero,
Senza tema d'infamia ti rispondo,

চৎলসি ঐখোয় অহুদি, নঙগা ঐগা,
মুমিৎদাংবাইরম্বা শন্দোরকপা কালসিদা অতিয়া মকোয়শীম্না
পংথরবা অনাবশুম তেবলথকী ;
চংলসি ঐখোয়, মী তংথাই অমা তাক্লবা সহরগী লম্বী কয়াদা,
অরোম্বা মস্তিক্কবগী ঋারীনা থল্লবা লম্বীদা
পোত্থাকম থঙজ্রবা অহিং কয়াগী হোজলবা হোতেল কয়াদা অহিং অমত্তং
অহুগা ওয়স্টর মকুপ মকুপ্না থল্লবা রেষ্টুরা কয়াদা.
কল তাক্কম থঙজ্রবা মরৈগুল্লবা সহরগী লম্বী কয়াদা
থওইনা চংনরিবা ওক্ক লমচং কয়াগী
পুরহনা নঙবু থাঙ-গুমদনা হংলক্লিবা ঋাহংদ। . . .
ওঃ, হংদি হংলক্কনু, 'মসিবু করিনো ?"
চংলুসি ঐখোয়, অহুগা য়েংদমক ময়েংলুসি।

কাহদা নুপী কয়া চঙলকই অহুগা খোকখি
ঋারী শায় শারহনা মাইকেল এঞ্জোম্লোগী।

মনীংগী থোংনাউ মিংশেনশিংদা ঙাথেংলরিবা নাপু শারবা লৈচিলনা
মমাংগী তপথোকলিবা থোংনাউগী মিংশেলদা ঙা থেংলরিবা নাপু শারবা মৈথুনা
লেকলরি মরৈনা মুমিদাংৱাইগী চিদাই চিদাইসিদা,
নোম্বরহনা ঈশিং চিংথোকলবা পুখ্রি কয়াদা,

লৈকাং চুরসিন্নু মনীং অহু চীন্ননীদগী খোরকপা মৈখুনা
য়ুমখক্তা খেংজিন্নবদা, খংপাই পাইখংখিবদা,
অহুগা য়েংল য়েংলহুনা ওক্তোবরগী নৌরবা অহিংবু,
য়ুমহুবু কোয়রয়গা অমুক্তং, তুমখো অহুম ।
অহুগা লৈখিনি অহুম মতমদি
সহুরগী লহীদা কারল্লিবা নাপু শাখা মৈখুনা
মনীংগী খোংনাউ মিংশেল্লা ঙা খেংলনবগী ;
মতম লৈখিনি, মতম লৈখিনি
কেজনবা মাইখোংহু উনরুনবগীদমক মাইথোং কয়াগা হেক খেংনরিবশিংগী,
মতম লৈখিনি হাংননবগী অমদি পোকহন্নবগী,
অহুগা খবক কয়া কয়াগী মতম অমদি তোননবগী মুমিং শিংবুম কয়া
পুরক্তুনা থাদগদৌরিবা ম্রেট মখক্তা নঙগী রাহং কয়া,
নঙগী মতম অমসুং ঐগী মতম,
অহুগা লেপল্লিবা চাম্নগী মতম,
শাগংলিবা মূর্ত্তি কয়াগী অমদি চুমথোক্লবা কয়াগী,
চা অমসুং টোষ্ট চাত্রিবৈ ঙৈহাক্তংগী মমাঙদা ।

কায়ুদা ভুগী কয়া চঙলকই অহুগা খোকথি
রারী শার শারহুদা মাইকেল এঞ্জেলোগী ।

অহুগা মতম শোইদনা লৈখিনি
চিংনজনবগী 'ঐবু খোনা লৈরিব্রা ?' অহুগা 'ঐবু খোনা লৈরিব্রা ?'
অমুক হন্না খন্নবা অহুগা রাখলহু হম্বররবগী মতমহু,
ইকোক ময়ারসি তাংবমখৈ—
[মখোয়না হায়নগনি, 'করম্না কেনথ্রিবনো মাগী মশমসিবো ?']
ঐগী অযুকী কোং খজাই কাওবা ওকশম খেৎকংতুনা,
মমল রায়বা অমদি লেয়বা ঐগী নেকটাই, অচম্বা পীন অমত্তংনা কাপ্পুনা
[মখোয়না হায়গনি, 'করম্না মাগী মখোঙ মখুৎসি অমুক কংখিবনো ?]'
ঐবু খোনা লৈখিগ রা

সংসারসিবু ওংনবা ?
মিংকুপ অমতগী মতম লৈরি
রারেপ তাননবগী অদুগা মিংকুপ অমগী মনুংদা য়াবদুতা শেমদোক্লবগী।
মরমদি ঐনা লোইনা খঙলে মখোয়সে, লোইনা খঙলে মখোয়সে।
মুমিদাংরাই, অযুক মুংথিল পুন্নমক খঙলে,
ওল্লেনে পুন্সিসে ঐনা কোকি রুপ মণী'দা
ঐ খঙডি মুশি মুশিবা খোঙ্গেলসিদু মুশি মুশিনা তারক্লিবা
থাপ্লবা কাদগী পুং ঈশৈগী সুবগা ইরোইননা।
অদুম্মা চুম্মী হায়না ঐনা করম্মা লৌবাসিগে ?

অতুগা মমিংশিংসে লোইনা ঐ খঙলে, ঐ লোইনা খঙলে মখোয়সে।
য়েংলিবদো নঙোন্দা চাথোক্লদবগুম শেম শারবা য়াহৈ মতেক থরা হায়দুনা,
অদুগা ঐনা হেক শেমশারুবদা, শীন অমনা ক্রিং ক্রিং চোংথৈ লেংলিঙৈদা
ঐবু পিন্না যুংদুনা কল্লাংদা হকচাংসি ক্রিং ক্রিং চোংলিঙৈসিদা,
ঐনা করম্মা হৌরুদগে
কাপথোকপা চুরুপ মতেকসে ঐগী পুন্সিগী
অদুগা চুম্মী হায়না ঐনা করম্মা লৌগান ?

অদুগা পাম্বোমশিংসে লোইনা খঙলে ঐ, লোইনা খঙলে মখোয়সে—
খুৎ মোজা উপ্পনা উপ্পা, ভৌরোক ভৌবনা ভৌবা, ফি খোংদবনা কয়াসে
(অদুবু মৈঙান্দা, চাইথরি কোনা মচু হাইফেংকী শমলাংনা)
নুংশিরবা মনমসিনবা ফিজেৎশিংসিগী
ঐবু অসুক পুক্লিং চোইহনলিবসিবু ?
পাম্বোমশিংদো তেবল থক্তা তারিবা অমদি শাল ইল্লিবা।
অদুগা মসিবু চুম্মী হায়না লৌরগদ্রা ঐনা ?
অদুগা ঐনা কয়মদি হৌগদৌরি ?
... .

হায়রসিম্না ঐনা, মমথরকপদা চংলুই খুরবা সহরগী লম্বী কয়াদা
অদুগা য়েংলুই মৈথু খোৎকপদু পাইপতগী
খুদাংচোনবী লিংপা মুপাশিংদুগী মতোমতা চিক্না ফমলিবা থোংনাউদা লিংথোক্নুনা ? ..
... ...

ঐগীদু পানজরনগদবনি খুজিন কয়া
হোৎ হোৎতুনা চংনবা ইরাং থাংজবা সমুদ্র ঈরোয়ুংদুদা।
অদুগা মুংথিল মুমিদাংরাই মুংঙাইনা তুমলি।

শিংনা-হন্দুনা শাংলবা খুংশাশিংনা
তুর্মাল.. চোকথরি.. নত্রগা মচুনা নাশিগ্নৱি থবক লৈথোৱবা,
লৈমাইথক্তা মথাঅহু শাংগ্রোংশা'না থিংথোকাদি মকমসিদা নঙ অমত্তুং ঐগীইনাকসিদা
ঐমু লোইবনা তৌৱসিন্না, চা,তাল অমদি উন অসি চাৱবা থত্তুংলিদা,
লৈৱত্রা পাজলবু মাইরোং রানবা থৌদোক রাথোকশিংহু ?
ঐহাক কপত্নুনমু অমদি চবা হেন্দুনন্মু. কণ্ডুমমু অমদি লাই খুন্নমহুনমু
উজহুনমু ইকোকসে (হান্নফেং তাংখিল্লকপা) পুৱকপা গেটকী থকতা.

পুরোহিততি নত্তে ঐহাক— অহুগা অচৌবা রাকমমু লৈতে মকমসিদা ;
উজরক্লে ঐগী ইগুম্না ফ, ফ, হাইবা মিংকুপতো,
অহুগা উজৱক্লে শিবা নাইৱরোইদবা স্বর্গগী হুততুনা ঐগী কোং পায়রকপহু, অহুগা
তুমিন্না নোকপহু
ইশম শম্না হাররবদা ঐ কিজরম্মী।

অহুনা মসিনা মতিক চাগত্রা, মতম পুন্নমক্তা
কোম্না মহী অমদি চা কপ কম্না থরবা তুংলিদা,
চিনামাত্তিনা শাবা পোংশিংগী মরক্তা, মঙ ঐগীশান্নৱিবা রাবিগী মরক্তা
মসিনা মতিক চাগত্রা মৱকসিদা,
মোমোন নোক্না রাকমহু নৈনরকপদা,
সংসার অসি কাংক্রমমুক্তা চাউনা তাশিললকপদা,
থাও-ভমত্রবা রাহং থরদা ওনশিনবদা,
হাৱবদাঃ 'ঐহাক লাজারসনি, যমগী লৈবাক্তগী লাকলিবা,
হনলকলিবনি নত্তোন্দা তন্নমগে হায়হুনা লোইৱমকসি, তন্নমগনি লোইনা নত্তোন্দা'-
কনাগুম্বী অমনা, তাথরহুনা মকোক অহু মোল্লাংথক্তা
হায়গনিঃ 'মসিদি মুংনং নত্তে ঐনা পাম্বহু।
মসিদি নত্তে, মুংনং নৎতে।'

অহুগা মসিনা মতিক চাগত্রা, মতম পুন্নমক্তা
মসিনা মতিক চাগত্রা মৱকসিদা,
মুমিং তাথুবদা, থোওজিন কয়াদা, অহুগা মঙং মতংপা
সহৱগী লম্বী কয়াদা,

উপন্যাস কয়া পারবা তূংদা, চা গিলাস কয়া থকলবা তুংদা, শ্রো শ্রো চিংলিবা
খুপীগী ফিজেৎ কয়াগী মতুংদা—

অতুগা মসিবু অতুগা অসুম্না অসুম হেনগৎলকপ্রা ? —
ঙম্বা হৌমশ্রে চপ চানা কোওদোকপা ঐনা নীংলিবসি।
অতুগা মিত্রংগী থাওমৈনা থংপ্রেকথংনা ওাম্থোয়কপওম পদ্দার থক্তাঃ
মসিবু মতাং চাগত্রা মরকসিদা
কনাগুম্ব অমনা, মোন্নাং থক্তা ওাথরহনা অতুগা ইল্লিবা শাল লৌথোক্কনা,
অতুগা থোংনাউরোমদা ওম্থোক্কনা, হায়রক্কনি :
'মসিদি সুংনৎ নংঙ্গে,
ঐনা পামবদি মসি নত্তে, সুংনৎ নত্তে।'

...

নত্তে। ঐ যুবরাজ হেমলেট নত্তে, ওইগেসু নীংলুদে,
মীনাইনা থোগল্লবা মপুনি, তৌদোরিবা মহাক্কুনি
থোওখাং অহু হেনগৎনবা, সিন অমা নত্রগা অনীদং হোনবা,
যুবরাজবু পৌতাকপিগদোবিবা, চিংনদে, ইরাই লাইবা জাৎনি,
থেন্নবহু, শিজিন্নবদা হুংঙাই,
রাজনীতি, চেকশিনবা অতুগা কিগনবা;
চাউনা চাউনা ঙাঙবা বাঙাও, অতুগা চন্নবা ইয়া যদবা,
মতমগী খয়াংত, তশেংনমক, পুন্নমক লয়নাংঙাইনি—
পুন্নমক, মতমগী খয়াংতা, অপংবা ঙাক্ক'ন।

ঐ হনুবে ঐ হনুরে .
ঐগী থোওগ্রাউ তাখংতুনা শেংলনি।
ঐগী শন্নাংদে হন্দোকলমগত্রা তূংলোমদা? গীচ্চ উহৈ অমত্তং চানবা থৌনাহু লৈগত্রা
য়াঁনল অঙৌবগী ট্রাউজর উপ্পনি, অতুগা সমুত্রা তোর্ব্বন্দা কোয়গনি।
তাজরে ঙানা তংখাই ওইবী সমুদ্রগী হুগীশিংনা শন্নরিবা ঈশৈদো মথোয় মশেনমক্তা
ঐঙোন্দা মথোয়না ঈশৈ শক্লকনি হায়বদি থাজদে।
উজরে ঐ ঈথক্তা তোপ্হুনা চংখিবদো মথোয়না সমুত্রা তন্না
ফ্র ফ্র হাইরিবা ইথকী শন্নাংহু শমহাৎনহুনা
অমুবা অমসুং অঙৌবা ইপাক্তা হুংশিনা শিংলিহৈদা।

সমুদ্রগী ইরোনচুংদা ঐখোয়না লৈরম্মী
অঙাংবা অমদি য়াউথাংনবা সমুদ্রগী শিংনাং কিজেংনবী সমুদ্রগী মুপীশিংগী মনাক্তা
হোদোক্লদ্রিকাওবা মীওইবগী খোঙ্গেম্না, অচুগা মখোয়না তাউথদ্রিকাওবা ।

(ইংলিশতগী হন্দোকচবা— শ্রীএন বি)

—— — — —

ময়েঙবম ইবোমচা

পিগী মমল

চহি ৪০ মুক্কী মমাঙদা মহাক্কী মুপী অমা লৈরম্মী। মহাক অচু মচা মুপী অমগা মুপা অমগা থমম্লগা কনাদনো মবল থুম লৈবা নহা অমদা মমুম পানখ্রে। মচামুপা অচুম্বু চাহ ১৭/১৮ চংলকপদা লংকৈ চেনখিবদগী মকম থঙাখদ্রে, অমুক হল্লকখিদ্রে। অদুবু মহাক্কী থম্মোইদা শিংজংনা খায়রম্বা, মহাক্কী মাথাদা অরাবা মৈতাল হৈজিল্লম্বী তৌথখী মহাক্কী মুপী অমাদি লমহেল্লবা মচা মুপা – মখোয়বুদি গুরুনিংবু নিংশিংলুদে। মহাক্ন হোৌজিক আহং মুংথিলদা তঙনা থঙ্গরিবদি অচুওবা মমা অমদি মবুংনা ছদোকপীরম্লবী লৈশাবী মপুং ফাজরক্লবী মচামুপী অসিগীদমক্তান। মচামুপী অসিদং লৈরমম্রবদি মহাক হিংলমদ্রবমু য়ারে।

হায়দগীমু থঙলক্লে, হৌজিক্লা অমুক হেন্না থঙদ্রে – ঈকাইবা, মাঙ্গ মীনোক, হিংনবগী ঙাক্তম্ নংলক্লে. মচামুপীগী মনিং থুংনবা হোংনবদা অয়াম্বনি। মহৌশাদগী অচোপ অরেং সমাজগী অনেম অরাং থাক্কী মময়দা নোংমতং কাওবা থম্বা শংখিদ্রবা নিপানি। হৌজিক্লা অমুক হেন্না শংখিদ্রে। য়ামদ্রবদা মচাগী মবুক থল্লগা লোয়রে, ঙম্লিবমখেদি মহৈ তমথহনখিগনি— অসিখক্তনি মানা থঙ্গরিবা। মরু হেক ঙইনা য়াজরিবদি মচাগী মবুক থলহনবা ঙম্লরোইদ্রা হাযব সিগীনি, অসিগীনি মহাক্না হিংথবা তারিবমু।

মচামুপীদু হৌজিক্তি লৈশাবী মপুং ফারে। ঙসিফাওবা চম্না হেলহল্লক্লি। মুমিত্তু মদি নঙহৌদ্রে। ঠিকাদার বাবুগা তল্লবগা চেং য়াম্দুনা কৈথেল্দগী হল্লকপদদি মচামুপী স্কুল কাখিরম্লে। মথ্বাই শোল্লবমু হয়েংগীদমক্তা অমুক ঙবা চঙবা য়াদ্রে। ঙবা হায়ববু করিমু নত্তে—য়ক লাউরবা ক লেনগী মুংশা অচুদা সড়কী নাকল্দা মৈ হৌদুনা কোইলাশ মহি চেলহনবা তায় মচু অমুক সড়কা কাংক্লক মরক অদুদা চাইবা —অসিনি। কালেনগী মুংশানে, মৈশানে, কয়লাশমথানে — তশেংনদ্দক মহাক মৈতাম্না শাবা মূর্তি মাল্লে। মৈতানঙম মূরবা অথুইবা মাই অচুদগী ছমাং তপ তপ তারি অচুগা ছমাং মরক অদুদা পি মরিক মরিক য়াওরি হাম্রবদি

কনাসু উশিনবা শংনরদে অযুক্কী চরা চাদনা স্কুল কাখিবি মচাগী খল্লুবদা নাপল য়াওব্রবা অহুম অচুগী পুরিংচু রাই শংবা ওমজদে।

লাপললপনা মচানুপিগী লেঙ্গা লৈশাবী থব নোক খেহুনা মাইগৈ অদোমদা লাক্লিবচু মহাক্না উই। মহাক্ন খল্লি মহাকী মচানুপীচু নোকপফাওবা রারম্নগনি, মচাগী লাইবক্তা অরাম খোৱাংবগী হুমাং মরিক মরিক কারমলগনি, মচানুপিগী রাখলদা উংলবা অহন অচুনা কয়লাশ লোনফম মনাক অচুদা লেপ্নচুনা মুপিমচাশিং অচুনা লাক্লিবা মাইগৈদা মখিং কুপ্তুনা ঘেংলে। মুপিমচাশং অচুনা নকশিল্লকপদা মখোয়গী মরক্তা মচানুপি য়াওবচু উবকলে। মচানুপি হেক উরকপদা অতোপপা রাখল অমকাওবা তোঙবা নংদনা মচানুপিবু কৌই। মুপিমচা মযামচু মতোন্দা পুল্লপ ঘেংলকই। মচানুপি য়েংলগা মমাই লৈখোকতুনা চংখি। মল্লাম অচুসু চত্তকননা গুহাক যেংলগা মমাই লৈখোকখ্রে। অহন অচুনা মকোক মমাই পুম্বা ফিনা কোয়েং যেৎশিনবচুদা মশক খংদ্রমালে নিংচুনা মচু লোখোকলে অচুগা মচানুপিবু কৌবচুনা তান্নরক্লে। অচুম লেপ্তুনা চংখিবচুদা তাত্রবনি খন্দুনা গ্রপ গ্রপ চেনখৎলগা মচানুপিগী মাংদা লেপ্লুরে। মচানুপীনা ইঙ্গিং তৌচুনা সরককী নাকন্দা মখোই অনি খৈদোক্নগা শুকখনা হংই "কৈদোরগে?" মপানা হবাওজবগী মিনোক অমতং নোকলগা শোম্বাংননা মী তাদনা হায় "ইবেম্মা ইপানা চাক খো চুনা থনম্নর্বনি। ছুত্তি থারবদি হাম্না চাখোক্লখো অংগা তপনা কোইয়ু য়াম্না রারনি নশাচু" ঙাংনা ঙাংনা মচানুপিনা শুকখরিবচু শাওরিবনি খল্লচুনা কিরৈদা য়েপ্লিবা শেল থর পুখোক্তুনা পীগে তৌই। মচানুপিনা হন্দোকখ্রগা মমান্নবাশিংগী মরক্তা চংখ্রে, অচুগা মপা তানবা হায়রকই "খুরা হোরেল পাবুংগা অচুম তৌনবিবা য়ানি। ঐদি খবক অমা চৎলুখিবা তারি" অচুদগী মমান্নবা শিংদা ওনশিল্লগা "ঐখোয় পাবুংশিমা অসিগুম্বা মীতাসিগা সঙ্গ তৌরুরিবা অসিবু ......"

খোঙখিবা খোঙোক খরা

১॥ মণিপুরি সাহিত্য পরিষদকী কার্য্যকারি সমিতিগী মেম্বর মহাকবি অমনা ময়ামদা রাকৎচৈ পরিষদকী দমক থরাই থাও থাজগে মী যুনৌ ফুনজগে খবকতদি তৌজয়োই। ময়ামনা মাবু সবকমিত্তি অমগী কনভেনর হাপখি পরিষদপু মুংশি হায়চুনা।

এম ডি ইউগী হোক্তেলদা বিপ্লবী কবি সমবনা ময়ামদা তমলৈ —সমপাদক।

২॥ কো গুরানবগী দারখাস্ত ইরকপদা গম্ভসিংহ হায়গদবদা বনান লান্দুনা গধা হায়না ইরকই। মচু পুলিশনা ইংরাজীদা রিপোৎ ইখৎখিবদা ফজনবা আর্থ ফনলিবনি হায়দনা গুদানা কো গুরানলে হায়না হান্দোক্লমী

মারটিন এশ্লিন

থিয়েটর ওফ এবসর্দ

থিয়েটর ওফ এবসর্দ হায়বা রাইং অসি ময়াম তোইনা শিজিন্নখৎলক্লি পামজনা অমদি চৈদনা। মসি করিনো? অসিগুম্বা মওং অসিবু করম্না অচুম্বা মওংদা লৌগদগে? মওং তানা চংথরিবা কলাকার অমতনা কাংবু অসিদা মখোয় য়াওই হায়না দাবী তৌগংনা তৌনদে। হায়রিবা থাক অসিগী কাংবুদা য়াওই হায়না খঙনরবা অকনবা লীলা ইবশিংদা হংলুবদা য়াওদে হায়না খুল্মী।

অনৌবা মথংগী মফোঙদোক্ক অমদি কলাগী অনৌবা মথংগী চংনবী অমদি থোরক্লি। আইনেস্কো, বেকেৎ, এডামোভকী লীলা ময়াম শাগ্রবদা সমালোচকশিং অমদি ভাবক পুন্নমক শাওনখি। মতৌশা খঙখিবা নীংথিনা শেম-শাগ্রবা লীলা (well made play) য়েংজগে খন্দুনা লাকচরিবা ভাবকশিংবু শাউহন্দুন চহীচা কয়াদগী খঙনরক্লব লীলাগী নিয়মশিং অহু থুগাইখি। নীংথিনা শেমশারবা লীলাশিংদা কুপ্না য়েংলগা ভাবক্না থাজনবা ইরবা লমচংশিং য়াওগনি হায়না আশা তৌনৈ; অদুবু লীলাশিং অসিদদি মীনি হায়না থাজবদা রাবরবা লমচংশিং ১দি থওইনা মরম থরগী ইবা নত্তবা এক্সননা পীক থল্লি। নীংথিনা শেমশাগ্রবা লীলাশিংদা রিট(wit) অমদি লোজিকনা থললবা ৱারী-ৱাতাই য়াওগনি; অদুবু লীলাশিং অসিদা মরী লৈনদবা অর্থ লৈতবা রাঙাও শাঙাও য়াওই। নীংথিনা শেমশারবা লীলাদা অহোবা, ময়ায়, নীংথিনা পৃশিনলক্লরা পোলোই য়াওই; অদুবু লীলাশিং অসিদদি খংহো হৌরগা খংলোই হেক্রা লোইখি। মহৌশাগী ইপা-ইপুগী চংনরক্লবা লীলাগী নিয়মশিং পান্দশিনবা ভাবনদি হায়রিবা মথংগী লীলাশিং অসি ফত্তবদা নত্তনা ড্রামা হায়বা মিং অসি কৌবা ফাওবা শুংয়া য়াদে।

ফজনবা অমা ওইনা মখোয়গী অশাউবদু ফোঙদোক্কুনা চৈননবগীতা ওইনা বেকেটকী 'ৱেটিং ফোর গোদোৎ' অমদি আইওনেস্কোগী 'বোলড প্রাইমদোনা' বু ভাবকশিংনা য়েংনরম্মী অহানবদদি। অম্বম্না তৌবাসি লীলা অমা অনীদগী হেনবা য়ারমদে। অদুদগীদি মহৌশাগী নত্তবা অনৌবা মওংগী লীলাশিংনা আইপাক্লককপাসি অমুম অমুম হেনগৎলকই। মহৌশাগী লীলাগী নিয়ম অহু শিজিন্নদনা, ইতোং তোঙানবা মথংগী

মার্টিন এশ্লিন বৃটেনকী অফাওবা ড্রামা ক্রিতিকনি মহাক বি, বি, সিগী রেদ ড্রামা (সাউন্দ)নি। মহাক্কা "ব্রেচঃ এ চোইস এভিলস" অমদি "দি থিয়েটর ওফ এবসর্দ" হায়বা লাইরিক অনী ইদ্রুনা অনৌবা লীলাগী অকুপ্পা মশক তাকই। মপু ওইনা এবসর্দ লীলাগী মরাচংপা ক্রিতিক্লি। আইওনেস্কোগী 'এমিদি এদামোভকী প্রোফেশার ট্যারানে' অরাণ্যালগী দ্যু একজেক্যুশনর' ১দি এজবীগী 'দেঝ ষ্টোরি। হায়বা এবসর্দ লীলা ময়ামগী অপুনবা লাইরিক অমা থোমজিনহনা 'এবসর্দ ড্রামা' কৌবা অমা পুথোকই। হায়রিবা লাইরিক অসিদা থিয়েটরওফ এবসর্দকী মরমদা থাংহৌদোক অমা ইরি। হায়রিবা থাহৌদোক অদুগী বাখচং (Substance) মখেতা হন্দোকতুনা পুথোকপনি। লীলাগী সংসারদা বাবা নৌরিবা মানপুরগী লীলাগী ভাবোক পুন্নমক অসিদা অনৌবা চংলকলগী লীলাগী শাহো অমদি মখেল্লগী অকনবা অসিগী মুখম অমা পুথোক্কুনা থরা উংপা অসি ড্রামা হরকারনি থমলি। অসিগুম্বা থোক্তবাং অসিদা চঙশিনবা ঙমহৌদবা রাজ্রবনি।

মিৎয়েং তোগানগা কলাগী ঝোংদোক্নবা উপায় শিজিন্নহুনা ইনৌ নৌবা নিয়ম অমা শেম্বনি। ঝেটিং ঝোর গোদোংপু ম্নোট য়াওদে ৪ায়হুনা ইথোকপসি, এবষ্ট্রেক পেন্তিংবু পার্শ.পতিত্ত ১দি খঙবা য়াবা য়াকম য়াওদে হায়দুনা কলা নত্তে হায়বদা লানবগুম. লানগনি। ঝেকেৎনা য়ারী লীবা পাম্মদে, লীগা লোইয়গা তারকলিবা কল অহ মাগী তাংখোক্না খঙলগা পেন্দুনা ময়ুমদা চংখিবহু পামদে। মসি তৌই হায়হুনা অমদি মানা তৌত্রিবা শক্ক অসি তৌদে হায়হুনা চৈবদি চুমদে; মরমদি মানা মসি তৌরক্লোইদবনি।

হায়রিবা লীলা মথলসি ইবা কাংবুনা মখোয়গী লীলাগী মরমদা অকরুবা নিয়াম ১দি মিংশ্নেং নৈ হায়বসি য়াদে। মখোয়না হায়বা হায়রবু, কলাকার অমা ওইনা ঝোঙদোক্কনা নমশিন্দুনা নৈবা ঙমদবগী মখোয়গী কল্পনানা শাগৎলিবা মূর্ত্তি অহুত্ত অহুক ইচম চম্ন ওম্ব মখৈ ঝোঙদোকনবা হোৎনবনি। মহোশাগী চংনবী নিয়মশিং অসি শিজিন্নদবা লীলা অসি মচেৎ মচেৎ থুগাইহুনা য়েংবদা লৈরিবা অসিগুম্বা লিলাশিং অসিগী মরক্তা মান্নবা মওং কয়া থেংনৈ। অমত্তং ওইবা মান্নবা কলাগী যুক্ষম অমদগী থোরকপা ঈথিল, অমত্তা ওইবা মান্নবা মরু অমদি ট্রেডিসন-দগী অমাদ ঐখোয়গী যুগকী মুংগী পুক্সিদগী থোরকপনা লিলাশিং অসি মান্নবা.ন হায়না কৃতিক্লা পুথোকই।

থিয়েত্তর ওফ এবসদ´ হায়বা য়াহৈ অসিমক ফিলোশোফি ১মুং কালাগী শাগৎলক্লিব. শক্কন অমগী মীংয়েং অমদি থো.থাং ১দ মেথোদ মান্ননা চংনবী নিয়ম মান্ননা মরামগী পুক্সিল্লবা অরুবা শক্কম অমনি। কলাসিগী মমুং হনজিন্না থিংজিন্দুনা য়েংবা ঙমলবদত্তা মথল অসিগী ফজবা অহ খঙবা ঙমগনি। মসি কাঙলুপ ওইনা থারদোকপা য়াবা জাৎ নত্তে। মথল অসিগী লিলা থরদি থাক অসিদা ওনবা য়াই। অহুগা শক্ক থরদি অতোপ্পা থাকী মতুং ইন্না ওনবা য়াই। খুদম ওইনা হা য়রবদা অর্থর এডামোভনা মথল অসিগী লিলা কয়া ইরবনি, অহুবু যৌজিক্তি মশামরক্ক। মথল অসিবু য়ারক্তে' অংনা অতোপ্পা রিয়েলিস্টিক ওইবা মওং অমা ইন্নক্লে অহুবু সমাজগী য়াকম কয়া য়াওবা ১দি রিয়েলিষ্টিক ওই হায়রিবা মাগী ইকোন কোনবা লীলা (থিয়ং' ৭১) অসি থিয়েটর ওফ এবসর্দ ওইবা য়াবগী মচাক কয়াবরুম য়াওরি। থিয়েটব ওফ এবসর্দ হায়না লীলা মথলসি অমুক্তং শাগৎলুবদগী মহোশা লৈরমলিবা লীলাশিং অহুম্মু অহুমক থাক অসিদা য়েংবা য়াবে। পোলিশকী কৃত্তিক জান কোটনা ঝিং লিয়ামবু ঝেকেৎকী এনগামগা মান্ননা পুক্সিনলি।

অহুদি থিয়েটর ওফ এবসর্দ হায়বা লীলা অসিগী চংনবী নিয়ম অসিদি করিনো? আইওনেস্কোগী 'এমিদ' দা হমুরবা মতৈ-মনাও অনীগী ওম্বোক্লা ওইবা য়াত্রবা ফিজম অমা পুশিনলকলি; মখোয় অনীনা ময়ুমহু থক্ থাদোকত্রি, মুপীহুনা টেলি.কান ফিটচবোর্দ ওপরেট তৌহুনা শেল তাল্লি: মুপাচনা অহোবা পরেং অমদগী হেন্ন ইথবা ঙমদবা লীলা ইরি। মখোয়গী হিপকম কাদা অশিবা মুপা অমা লৈ; মহাকসি মুপীসিগী মুংশিনবা মুপা, মুপীসিগা লোইননা লৈরিত্তেদা হমুবাসনা হাংতোকখিবা ওইরম্বা য়াই নত্রগা অতোপ্পা চুপ্পা সুম লাকপা যৌ অমরু ওইরবা য়াই; অপেংবা হায়বা ঙমদে। অশিবাসিগী মখোত্তহ জোমনিত্রিকেল প্রোগ্রেশন্তা

অশিবগী করংদবা অনাবা অমনা নাহুন্না এমেদি ১দি মাগী মুপীবু মসুমদগী তাম্বোকপা যানা কিহদুনা পোকথইগদোবমী। মসি যুং চাদ, অহুবু মঙ অমদি মঙলাক্লবমদাইগী (dream & nightmare) ফিভমদা থেংনখিদবা অনৌবদি নত্তে আইওনেস্কোনা মঙহাটী ফিবম অমা ষ্টেজদা পুশিনখই। অসিগুম্বা মঙহাটী মঙং অমুক্তা রিয়েললিষ্টীক থিয়েটরদা পুশিনক্তি মংনা মাকম অমা তাকপা নত্তে। শক্তম কয়ামক্লম শাগংপনি, মঙদা মরম চাবাচাদবা লৈতে থেংনরু থেংনরুবনা শাগংপনি। আইওনেস্কোগী এমেদি দা উৎলিবা অসি, পোয়তিক ইমেজ (কবিগী কল্পনানা শাগংপা শক্তম) নি। অশিবগী মথোঙনা পোকথাইবাস লৌনিংবা মাষ্টৈক করাদা লৌনৈ; অহুবু পুন্নমক ওইবা মা গী পাজল অমা মাওরিবসি কবিগী শক্তি অমা মাওংননি। অহুগা থিয়েটর ওফ এবসর্দকী লীলা পুন্নমক মঙহাগুম্বগী মওদে লোইনা পুশিনবা মাদে; কবিগী কল্পনানা শাগংপ মূর্ত্তি অহুদি লোইনমক্তা মমি তাই।

মহৌশাদগী চৎনরক্লিবা লিলাশিংদা মরুওইনা মামী অমা লীনবা মাকম অমা নৈননবা হোৎনৈ অহুগা থিয়েতর ওফ এবসর্দকী লীলাশিংনা পোইটিং ইমেজ অমা শাগৎতুনা পুথোকনবা হোংনৈ। মামী লীনবা অমদি মাকম অমা নৈন্নবা হোৎনবগী মইদা মামী লিবা অমদি নৈনবগী মওংদা ইরকপনা লিলাগী অরোইবদা পাউজেল অমা নত্রগা নৈন্নবগী ফল অমা পী অহুগা থিয়েতর ওফ এবসর্দকী লিলাদ পোয়টীক ইমেজ অমা শাগংপনা কবিতাগী মওংদা ইবনা হায়গদবা মপুংফদা নত্রগা ফিভম অহুতা ফোংদোকই।

হায়রিবসিনা মুভমেণ্টকী শরুক মাওদে হায়বদি নত্তে: এমেদিদা অশিবনা অহুম অহুম মাওথংলক্লা, অসিনি মুভমেণ্ট হায়রবু পীলাদা উৎলিবা সিচুয়েসন অহুদি লেঙদকনা লৈরগা পোযতি ইমেজ অহু হাংদোক্কনা পুথোরকপহনি মসিগী মুভমেণ্ট হায়ববু শাগংলিবা মূর্ত্তি অহু অচৌবা মওং অমা ওইরবা, হেন্না লু। অমা ওইরবদি মহুবু পুথোকপা অহুন্ন অহুম মশানা লুকম থোকপানি। রেটিং ফোর গোদোত অসি লিলা অমা ওহনা সাহিত্যদা কেশু লৈত্রবন্থ সমশেল অমদি ত্রামাতক টেন্সন অদুদা শাগ াল অরোইবা মা অহু তারগা ঐথোঙনা পোয়াতক ইমেজগী মপুম ওইবা মশক অহু শাগংপা ওম্মী।

ত্রেডিসনেল লীলাদা অকরুবা পোইণ্ট ক-দগী থ ফাওবা চংলি, তত্তনা হংও মথা কার চৎথরকানি হায়না। কেনো ঐথোয়না লেংলবাসিনু হায়না হংবগী মহুৎত লুরবা শক্তম অমা শাগৎতুনা অহুম অহুম পুথোরকপহগী খোও, অদুতা উগান মনা এচা মপাগী মার অহুগ অরুবা মওং ফোদোরকপা অহু আরাধ্যালগী দি অ্ এব্রক্যুসনরস হাবা লিলাগী অরোইবদ অদুগা এলবাগী কণ্টোর হায়ব লীলাগী অরোইবদা মাওইর মরক্ত অমগা অমগা খওননবগী উপাই অসিগী অরুবা অহু উব। ফংতি।

অহুদি ত্রেডিসনেল লীলা শাওংমগা মন্নেক শেংনা করিনো হায়রগন্থ তাকত্রবা অমদ মন্নেক শেংবা মাবেপ পীবা ঙমত্রবা ইদিংতনা তাকদোরিবা মূর্ত্তিশিংগী ওংবা লীল ী শক্তমদা পুশনগক্লীবসি কারি ী.না? ল দা ইবাশিংনা অসিগুম্বা মন্নেক শেংলবা মারোই অসিদা থাঙবা ঙমদ্রে। সংসারদা মখোয়না থেংনরকপা অঙকপা, অর্থলৈতবা মওং অম দ নিংথা কাইরবা, কীডম অদুতা চুন্নতা কোংদোক্লবা হাৎননি। চুম্না অমদি নিংথিনা লেংথোকলবা সংসার অমা লৈ

হায়বসি হায়রিবা লিলা ইবা কাংবু অসিনা অশেংনমক থাজবা ওমদে । নিংথিনা শেম শাবা লিলাশিংদা হান্না লৈরমলিবা অকবা অসিবু য়াবু য়ারংল্ল য়াবু য়াদ্ বস্তু ধর্ম্মগীবু বাজনীতিগীবু ওইরবস্ম মরেক শেংলবা ভেলু অমদি ইথিকেল সিসটেম অমদি থমগনি (সো অমদি ইবসেন্না তৌবশুম । শম্ন হায়রবদা নীংথীনা শেম শায়বা লীলানা পুন্সি অসি খওনিঙাই ওইবা অমদি অশেং-বা অওইবা হায়বসি থাঙ্গশেংনা লেঙদনা লৈবা পোৎ ওইনা পুথোকই । অসিগুম্বা মরেক শেং--না নিংথিনা তাক্লবা অমদি নিংম নাইনা শাগৎ-লবা থাজবা অমাদ ভেলুশিং অস মাঙবদা অমদি লৈত্তবসিদা অন্নাবহু থিয়েতর ওক এবসর্দ কী লিলাশিংনা পুথোকই ।

অসিগুম্বা দিশইলুসনমেন্টগী অমদি য়াম্না চেকশিন্না শাগৎখবা থাজবী পুম্নমক কিম্বরকপগী মওং অসিমক ঐখোয়গী মতমগী মওংনি। অসি-গুম্বা সমাজগী অমদি হুংগী থাজবা পুম্বা মাংথ রকপগী হৌবওকর্মদ ১৮৮০গী মতুংদা নিটচ্ছেনা লমজিংহুনা 'ঈশ্বরদি শিরে' হায়হনা ধর্মদ থমলম্বা থাজবা পুম্নমক মাঙথরকপা; অহানবা লালজাওগী মতুংদা সমাজগী ভঙাইকদনা থাংলকপা খোংথংদা সমাজগী থাজবী পুম্নমক কাইথরকপা' সোভিয়েত ইউনিয়নবু শুপনম সাসন তৌহনা মাক্সনা হায়রম্বা সমাজগী পুমহোং হোংনবা বিপ্লবগী লৈরম্বা আশা অহু মাঙথরকপগী দিশইলুসনমেন্ট; অনীশুবা লাল-জাওগী মতমদা হিতলরনা মীয়ামবু হাংথিবগী কিরবা শক্তম; হায়রিবা লাল অসি থেংনগ্রবা মতুংদা খোরকপা নোংচুপ ইউরোপ অমদি ইউনাইটেদ ষ্টেটসদা অধ্যয়ীকী শরুক য়াওরক্তবা কয়াদগীনী ২০সুবা চহী চাগী মরাই চক্লকপা মতম-দা ব্যাখলৈবা অমদি হুংওনগনবা মীশিংগী মকম-দা পুক্লগী অর্থ মাঙথরকই। মহৌশাদগী চেংন্না থাজনরম্বা পুম্নমক মাঙথরকপা, চেংনা শাগৎ-লম্বা আশা অমদি নীংজবা পুম্বনা কাইথরকপগী লোইননা কিরবা অমদি মরম চাদবা (Illoigeal) পুন্সি অমদা হিংলে হায়না লৌরম্মী; মসিবু এবসর্দ কৌই। থাজনরমদবা আশা থম থোংলবা অর্থ (Ultimate neaning) গী ব্যাখ্যা পুমনমক অম-ম্বদা মাহুনা তাকপা থুংতাক, খওবা ওমত্রবা মায়া অমদি অর্থ লৈত্তবা পংঙাং ঙাংবা হাইবহু ওইরে। অসিগুমবা কিভম অসি খ্বাইগী পুন্সি অসিদা পুশিনবা তারবদি, হৌজিক্তা অর্থ লৈনা-ঙাংনরম্ব য়ারী য়াঙাই অহু খুদকতা মীয়োন্না ঙাংনবা খওবা ওমত্রবা লোন হাইবহু ওইরকই। মুঙাইরবা শক্তমনা খুদক্তা, কিরবা মঙলান্নম-দাইগী মঙ ওইরকই অমুম্না অমগা অমগা খঙ-নবগী উপাইশিং অহু লৈশিন্নকত্রবদা পুম্নমক কিরবা শক্তম লোরকই। অসিগুম্বা অর্থ মাঙ-থরকপাসিনা মরেকন্না লোনগী মকমদা খঙনন-বগী উপাইশিং অসিগী মরমদা খম্বরকই । অমুম্না লোনগী মকমদা থিয়েতর ওক এবসর্দ-না লান্দাই। হৌজিকতা কৈগুম্বা অমা খওন-না মী অনিনা ঙাংনবদা শিজিন্নরম্বা য়াহৈ অহু অর্থ হেক মাঙথবকপদা, মখোয়গা অনিংবহুগী কোংদোক্লবা শিজিন্নবগা মহুৎতা মখোয় অনিগী মরক্তা হাংলিবা শরুক অহু মেনশিন্নবা ওইনা শিজিন্নৈ। বেকেতকী ষ্টেটিং ফোর গোদোৎতা লকীগী কাওরবা য়াঙাং অহুনা লোনগী ফিলো-সাফিবু করেমনে; হালোন পিন্তরগী লীলাদ

ইংলিশশি নী মবক্তা ঙাংনবিগা র ঙাওশিংহু টেপ রেকোর্ড তৌরগা নিংশিংহুনা য়েংবদা অযুক মুমিদাংদা ঙাংনরিবা বারী বাত্তাইশিং অ'স খঙবা য়াদবা অমদি লোজিক য়াওদবা ঙাক্তনি হাযবা উৎসি । মসোমদদি থিয়েতর ওক এবসর্দ অসি রিয়েলিত্তিদা থম থেংই । নিংথিনা শেম শারবা লিলাগী য়াম্না নিংথিনা নানথোংতুনা মরম চুম্না শেমলবা বাখি বাতাই অসিদি রিয়েলহুম ওইদে; এবসর্দ লিলাদি টেপ রেকার্দ তৌহুনা পুথোক্লবা অচুম্বনি । এবসর্দ ওইববা পুন্সি অংদি সংসারদদি থিয়েত্তর ওক এবসর্দনা খাই-দগী অচুম্বহু পী ।

লোলগী কৃতিসিজম অমা ওইনদি থিয়েটর ওক এবসর্দ অসি ইলোজিকেল ওইনা শিজিন্নরগা, থম্মোইগী রাক্কম কোংদোকপদা শিজিন্নরগা, চমম্নবা ব্যাকরনগী চ.নবীশিং অনিবু লোজিক অমদি রিয়েলিতি পুথোক্লবা খুংলাই ওইনা লোনবু শিজিন্নরিবা হৌজিক্কী ফিলোশোফিগী মমি তাই। চপচাবা নিয়ম অমগী মথাদা পারিং নাইনা শাগৎলবা রাখল মাঙথরকপা অমদি মীওইবগী ফিভম অসিনা কৈন্স লৈরক্তবনচিংবা অসোমদনা অমুক হৈগর্দ শাত্রে অমদি কামু (কামুনা এবসর্দ হায়বা বাহৈসি শেমহুনা পুথোকখিবনি।) পী একজিস্টেনসিয়েল ফিলোশোফিগা য়াম্না মারি । হায়রিবসিনা এবসর্দ লিলা ইবশিংনা হৌজিক্কী মতমগী ফিলোসোফিবু রাগা ওইনা ইথোরকই হায়বদি নস্তে; ফিলোশোফর অমদি লীলা ইবশিংনা মায়বা কলচর অমদি হুংগী পুন্সিগী পাওথুম অমা পী অমদি মহুদা লৈরম্বহু পুথোকই হায়বতনি ।

থিযেতর ওক এবসর্দ হাংখিবসি মমাংডগী য়াম্নমক লিরবা সাহিত্য অমদি লিলাগী শরুক কয়ামরুমগী তিনিন্নবা অনৌবা শক্তমানি মসিগী মুঙাইতবা অমদি অঙকপা শরুক হাইববু মসিগী অনৌবা মথগগী মতিন্নশিন্না অসিতনি । গ্রিক অমদি রোম: মাইমস যৌনা চংখিহুনা মাইমিং অমদি ক্লাউনিংগী মওং অহুগা রিনাই-সান্স ইটা-লীগী কোমেদিয়া দেল' আর্ট ব্রিটেনগী প্যান্তোমাইম নত্রগা মিউজিক হোলগী মওং অসিগা চপ মাম্নরা লিরব অর্থ লৈতবা শৈরেংশিং, গ্রিক অমসুং রোমগী লিরবা মঙ অমদি নাইটমিয়ারগী মশক লৌবা সাহিত্য; স্পেনিশকী অউতো সাক্রা.মণ্টাল নত্রগা ময়াই চনবা যুগকী মোরেলিষ্ট লীলাশিংদগী এলেগোরিকেল অমদি সিম্বোলিক লীলা, সেক্সপিয়ারগী লীলা শিংদা তত্তনা উংলিবা অপংশিংগী অঙাওব-শিংগী শক্তম ধর্ম্মগা লালাগা অমতা ওইরডগী থিয়েতর হায়বা আসগী হৌরককমহুমক য়োনা লিরবা মথসগী ধর্ম্মগী ওইবা লাইহিন পুজা তৌবগী মওং অহু য়াওনা মচাম পুম্নমকসি তিনশিন্নবা মশকনি। কবিগী কল্পনানা শাগংলিব শক্তম অহুনা সিম্বোল ওইনা পুথোক্তনা মাশক্তা পুজা তৌবগী মওংদ হুজিন্দুনা ইবনি হাংনা জিন গেনেটনা মশাগী খুংহহু লৌরে ।

বেকেৎ আইওনেস্কো অম ৭ গেনেংনচিংবনা চংশিনালবা থোংথাং অসি য়েংবা তারবদি হায়রিবা মুক্কম অসিগী মথক্তা য়েংবা তাই । ক্রিম্ন প্লে, থোষ্ট সোনাতা, অমদি টু দামাক্কস-নচিংবা লীলাদা মঙ অমদি নাইটমিয়ারগী

ফিতম পুশি দুনা ফোতোগ্রাফিক নেচরলিজমদগী অয়ুম অয়ুম এক্সপ্রেসনিজমদা চৎশিনলক্লিবা স্ট্রীন্দবার্ক অমদি উপন্যাসকার জেমস জোয়সি অমদি কাফকা অসি এবসর্দকী অহানবা খুৎমাবগ শিংনি। রা ওাংদবী সিনেমাগী মঙহাওখাবা তমখিরবা অমদি মঙলাক্লরমদাইগী কাপ্তুগুল্লবা মওং কয়াদগী হাপ্লরিবা লিলা মখল অসিগী মঙহাগী মুক্তি অমদি লোলগী মাইথিবাস লৌরকপনি। চার্ল চাপ্লিনগী মী মচা অমদি বস্তুর ক তোনগা নুংগা ঙোহক্কা ইথিলনা যেকেৎ আইওনেস্কোনা লীলা অসি হ।

অলফ্রেদ জারি, গুইলাউম এপোল্লানিয় র দগী খোরকপা দাদাইজ, সুররিয়েলিজ্ম' অমদি পার্সিসিয়ান এভাণ্ট গার্দেশিং আস এবসর্দ প্রেদা থাখন অসগা হাখন পিবা কাবুনি। জারিগী 'উবু রোই হায়বা' হহান হায় ১৮৯৬ তা শান্থিবা থিয়েটর ওফ এবসর্দকী হহান হানবা লীলান। এপোলিনয়ারগা লে মামেলস দে টিরেসিয়স হায়বা আসনা ইহান হানবা সুররিয়েলিষ্ট ড্রামান। স্থাটজরলেণ্ড, ফ্রান্স অমদি জর্মনীদা দাদাইষ্টশিংগী ইহান হায়া হৌদোকখিবা সুপাদি জারি অমদি এপোলিনায়ারনি। ব্রেচ্ট (Brecht) কা দাদাইষ্টশিংগী শরুক য়ায়া য়াওবা পোয়েটিক ইমেজ পরেংশানা য়াওহুনা ইব লীলাশিং' অসি থিয়েটর ওফ এবসর্দকী অহানবা হৌরকফমগী খুদমনি।

থিয়েটর ওফ এবসর্দ অসি লান মতুংগী পোংথোকনি। গেনেৎকা 'দি ম্যাদস' হায়বা অসি ইহান হায় পেরিশকী এথেনিদা ১৯৪৭ তা শাইরে' আইওনেস্কোগী' বাল প্রাইমাদোনা অমদি এদামোভকী অওনবা লীলাশিং ১৯৫০ দা শান্নবা ওাক্লনি; বেকেৎকী ৱেতিং ফোর গোদোতসু ১৯৫২ দা শাইরে। অহানবা শান্নবা পুন্নমক পেরিশতনি। লীলাশিং অসি শান্নবদা নত্তনা লীলাশিং অসিগী অইবসু পেরিশতা লৈরবা অসিগু অওকপা অমনি। বেকেৎ এংলো আইরিষ্টনি; আইওনেস্কো ফ্রেন্স তাঙ্খাই অমদি রুমানিয়ান তংখাইনি; এডমোভ রুশো আর্মেনিয়াননি। গেনেৎতনি অশেংবা ফ্রেন্স হায়রবু।

মখোই খরসিতা নত্তনা অতৈ তুংইনবা লীলা মখল অসি ইবা কয়া লৈবি। জিন তাড্যু অমদি বোরিশ ভ্যান অনিমক্ ফ্রেন্সতা কয়া ইরি; তাড্যুনা থাইনগী ৱারি লীবগী মওংসি তোকতুনা লোল অসি পুং ইশৈগী শরুক অমা ওইনা পুথোকলি। ইটালিদা দিনো বুৎজাতি অমদি এজিও দিইরোকো অহুগা জর্মন্দা গস্তর গ্রাশ, বটেন্দা এন, এফ, শিমশন, জেকস সাউন্দরস, দোভিদ কেমটোন অমদি হালো ন পিণ্টর স্পেন্দা ফর্নান্দো অরাব্যাল, অমেরিকাদা এদৱার্দ এলবী অসুম কয়া থিয়েটর ওফ এবসর্দকী লীলা কয়া ইরি।

থিয়েটর ওফ এবসর্দনা তৌরিবসি মসিমদি মপুংদা শোইদ্রে — ধর্মগী অমদি রাজনিতিগী ওর্থোদোক্স ওইরব, শোইদ্রে হায়না থাজরিবা অহুদা লান্দাবনি। মসিগী মরমদা কৈস্নু লৈতে, অশা মাওথরকপা অহুর্তন, অরোইবদা মীওইবসি অর্থ লৈত্রবা কায়ত্রবা সংসার অমদা নাইতোম তাবে অসিনি অহুগা থিয়েটর ওফ এবসর্দনা আশা মাওথরকপগী পিদি শিক্ষুন্দে, নীংতম্বা অমদি পোখাবগী মোমোন লোকপা অমদি পী।

(শমজিনবা অমদি মণিপুরীদা হন্দোকপা — শ্রী)

খুঙগও অমা

খুঙগও অমগী ৱাঙবু অমা
কপ্পু, কপ্পু,—কপ্পী।
নোকউ, নোকউ,—নোকই।
করিগী নোক্লীবা কনাম্বু খঙদে।
করিগী কপ্লিবা কনাম্বু খঙদে।
খুন্দারিবশিংঙুগী—
মী থরদা য়াও মকোক পাল্লি।
য়াও থবদনা মী মকোক পাল্লি।
মেঃ মেঃ—ইমাঃ ইমাঃ
পুম্মীল নিল্লে মখোয়না লাওবদা।
য়াওনা হায় ঐনা মীনি।
মীনা হায় ঐনা মীনি।
য়াওগা মীগা য়াইনবদা,
লৈক্রক চৎলে খুদঙদে।

—সনখ্যা ইবোতোমবী

নোক্নিংবা থৌদোক অমতং

মতম কুইনা সরকারগী চপ্রাসি ওইবরুবা অহল অমা সরক্তা চৎপদা পাখংমচা অঙাওবনা সাইকল কয়া থোরকপগী মন্দিরদা খিংবা তাবদা হন্দোকপগী মহৎত। ওফিসারনা কোবা ওইরবোই নীংতুনা হোৎচিনলুবদা সাইকলনা শোকতুনা ডাক্তর য়েংথি।

মহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা থোললে

অপাইবা থবায়

নহা ওইরিবা রেবেল কবি শ্রীখাংজম ইবোপিশক সিংহগী শৈরেংসিংদা মওং কায়থরক্লবা মীওইবগী মূর্তি থেংনগনি। মনিপুরী শৈরেংগী লমংতা পূবনী নোবা খোঙথাংনি। মমল লুপা ২.০০। ফংবম সমিতিগী ওফিস, কৈশামপাৎ ১দি পাশবুক হাউস; নীপা কৈথেল, ইম্ফাল।

অজ্ঞেয়

য়েক্লবা

নোংমা অহিং, জ্ঞান্না তুম্নিংঙদা ঈশ্বরনা মমঙদা তাকপিরম্মী— "জ্ঞান ঐনা নঙবু ঐগী চুভ ওইনা অংবান অসিদা থারবনি। হৌজিক হাকায়রো, চংলো তেংবান অসি নৌ হৈনা শেম্নুরো"।

জ্ঞান হৌগংলে, মহাক্না উরে— তেংবান অসি অমম্বগী ঈপাক্তা লুপ্ত না লৈরি। মীওইবা জাতি খুদিংমক অমম্বদা লমুক্লচুনা নোংমা নোংমগী লৈথা তানা মাঙথরক্লি। "ঐ অসি ঈশ্বরনা থারকপনি, ঈশ্বরগী চুভনি। তাইবং মীওইববু অচুম্বা লম্বেলদা লমজিংবা, অর্থ-অনাদগী কন্নবা ঐগী থৌদাংনি। মীওইবা জাতিগী লুচিংবা অম ওইনা য়েক্ল তিথং কয়াগা লাম্ন্নেংনবা তাবনি," জ্ঞাননা খল্লকই।

রাখল অসিনা মাঙওইনজুনা লমলোং মখি ফাংবদা লেপ্লগা লাওরকই— ঐদি মনাইনি। লৈথবগনি, ঈশ্বরগী চুতনি নখোয় তাইবং মীওইববু লানবিগে হায়বগীদমক চাইফ পাউ পুত্নুনা লাক্লিবনি।"

কনাস্ত মাগী মরা তাখিদে। থরনা য়েংলগা নোকই; খবানা হায়— অঙাওবনি। অয়াম্বনা হায়— 'মহাক অসি ঐখোয়গী ধর্ম্মগী বিরুদ্ধদা বা ঙাংই; নাস্তিকনি, মহাকপু ফু দৈয়ু।' অঙাংশিংনা মঙোন্দা লৈতুন্না থাবি।

মমৈথংদা মীয়ামগী ওং-নৈবা অচু থাঙবা ওন্নক্লুনা অখুবা লৈরক, অমা তম্না চংলে। মকম অচুদা লোম্না চিক্লা কমচুনা রাখল তৌবা হৌরকই— খঙলে, মীওইবা জাতিগী খ্বায়দগী য়েক্লবদি ধর্ম্মনি।, অহানবদা ধর্ম্মগা লাম্নেংনবা তাই।"

মতম অচুদা ইনক নক্লা মহাক্না খোঞ্জেল অমা তাখি। মুপীগী হিক্লা তেংথা নাওইবা খোঞ্জেলনি। য়েংথোকখিবদা উরে মুপী অমা লৈমায়দা হিপ্লি। ইনক নক্লা পিক্লিবা অঙাং অমম্মু তাংনা লৈরি। রাস্থুমিত্রা, শিরত্রা হায়বদি ওমদে; মশাদা মিচুলাদ লৈজে।

জ্ঞাননা হংই— ইবেম্মা, করিগী কপ্লি?

মুপী অচুনা খুমই— "ধর্ম্ম তিয়দবা নিপা অমদা ঐ লুহোংলুরে। সমাজনা খঙলক্লবদা মাবু হাংতোকপিখ্রে ঐবুনা তাম্থোকপিরক্লে। ইচা অপিশক অসিম্মু চাদবতনা মথবায় লানশ্রবনি।

জ্ঞান ঙাইহাক্তুং রাখল তৌই, "ফরে, নঙ

অশেংবা মীংনা সচ্চিদানন্দ হীরানন্দ বাৎস্যায়ন সাহিত্যগী ক্ষেত্রদা খঙনবনা অজ্ঞেয়, উত্তর প্রদেশকী গোরখপুর জিলাদা ইং ১৯১১দা পোকখি। অংগ্রেজী সাহিত্যদা এম, এগী ছাত্র অমা ওইনা চহী অমা মখাই তমশিল্লুরবান; অদুবু ১৯৩০গী নবেম্বর থাদা অন্দোলন ১গী মরীদা মাবু ফাজিনখি। জেলদা লাইরিক কয়া ইখি। মহাকপু হিন্দী সাহিত্যদা "নয়ী কবিত," গী লুচিংবা অমা ওইনা মক ওইনা খঙনৈ। উপন্যাসমু ই, নদীকে দ্বীপ, শেখর এক জীবনী শীংথানবা মাংবা মাগী উপন্যাসনি। নয়ী কবি তরেংকী থোমজিনলবা শৈরে। তার সপ্তক' কী সম্পাদকনি। হিন্দী শৈরেংগী জগৎতা ইনৌ মোবা শৈরেংগী শকম পুশিনলকখি। মহাকী খঙলৎলবা রারী মরা 'রোজ', সেব ঔর সেব 'শত্রু' পনবা যাই। শক্রগী মৈতৈলোনদা হৎনাকপা রারীমচানি পুথোক্লিবনি।

ঐগী তুং ইল্লকও, ঐনা নঙবু চঙজফম পীগনি, বা অসি হায়রগা হুপী অহু পুত্থনা চৎখেল্লু।'

জ্ঞাননা ধর্ম্মগী বিরুদ্ধদা প্রচার তৌগা হৌবক্লে— "ধর্ম্ম হায়বসি কাম্লক্রবা, সামাজগী পন অমনি। ঈশ্বরদি লমমন্তনি ধর্ম্মগী য়াংমদা লৈবনি। ধর্ম্মনা ঐখোয়বু ওমখৈ অমগী মহুংদা কাজিন্দুনা থমই; ঈশ্বরদগী লাপথোকহল্লি ধর্ম্মদি ঐখোয়গী য়েক্লবনি।"

অহুবু কনানস্থু তাবিদে। খল্লনা হায়নবা ফাংবা য়াওই— লম্লানবী, সমাজনা ইন্থোক্লবা হুপীবু কৌসিন্দুনা থল্লিবা নিপা অসিগী মরাবু ঐখোয়না কনিগী লৌজকপদগে? মথোং হুক্কবা জ্ঞান য়াওক্রবা পাপী অসিবু......। খৌন্দে মীচাম্মা মাবুহ্ন সমাজদগী তান্থোকপিরে।

জ্ঞাননা খল্লকই— ধর্ম্মগা লাস্থংনক্রিবৈগী মমা দা সমাজগা লান্থেংনখিবা তাহ। সমাজনু খুহুম চাক্রিবমথৌদি ধর্ম্মবু মাঙহনবা ওইখোক্কে।

জ্ঞাননা হৌজক অথনবা প্রচার অমুক তৌবা হৌরক্লে— ধর্ম্মগী ফিরাল পায়রিব। মীওই শিং অসিবু কনানো? পুরোহিত অমাদি মৌলবী শিং অসিনা করি মাথা লৈহুনা মখোয়না ঐখোয়গী পুন্সিবু থুরো চেলহল্লিবনো?.. লৈপাকমচাশা লাও চংশিল্লকউ ঐখোয় থ্বাই তাম্রদুনা মখোয় অসিগা— মাইয়োক য়াসি, মখোয়বু মরক ফংনা মাঙহনসি, নিংতম্বা সমাজ অমা শেমগংসি। অদুতনা চাওখৎ-লম্বেলদা থুগাও চাওশিনবা ঙমগনি।

লাওজ্জে হায়বহু মঙাইরে। নোংমা বিদেশী সিপাই অনিথক লাক্লগা, কাঙবু কাঙবু য়েংথিনহল্লি হায়বগী মরালদা মাবু ফাহুনা পুবিখরে।

জেলগী পুন্সিদি লোইরে। অহুবু জ্ঞানগী থম্মোয়দা চুথবা বিদেশীবু য়েংখিবা অমদি তুক্কচবগী মৈরি অহুমদি থক মুংপা লৈত্রি। খল্লকই—" মখোয় মীরৈপাক মচা অসিতনা ঐখোয়গী অশোনবা কয়াবু নমশিন্দুনা থম্লক্লিবনি মহুদগী খুদোংচাবা লৌরক্লিবনি' অহানবদা ঐখোয ইশাবু মীরৈপাক মচাগী মথুত্তগী নম্থোক্লবা হোৎনখিবা তাই। অহুগী মথংদা সমাজবু থুগায়বা ......।

রাখলশিং অসিগা লোয়নননা জ্ঞাননা বিদেশীশিংগা লান থেংননবা অরোনবা থুক্সিল থৌদাং কয়া পায়খৎপা হৌরক্লে।

নোংমা মাগী মনাক্তা বিদেশী অমা লাকঅম্মী মঞ্জুনবা শেগাররবা থাকোগা কি শেংলি। মাইথোং খেঙম লাংশিন শিরাং পিরোয়নবা খোঞ্জেল শিক্লা হায়জে "নোংমগী চয়া তম্নবা শিক্ষা অমত্তাদ পীনবিযুগবা, ঐ বিদেশী লৈপাক আসদা লেনা লৈনা চাব। ফংদবনা শিগদৌরি। পীবিনীংবা শিক্ষা পীবিযু চিংনব। লৈতনা পাঙথোক চগনি। থাজদ্রগা য়েংবিযু; ঐগীনি হায়বা চানিংঙাই করিমত্তা লৈজদ্রবানি।'

জ্ঞান তৌফম খঙদে, শোক্ষংননা হায়রকই—'ঐগী ফিভমস্থু অহু মঙাই, নঙঙম ঐস্থু চাবা ফংদ্রিবানি"।

খঙহৌদনা বিদেশী অহুগী চাংজ্জৌ নাইদ্রবা থম্মোয় ইপাক্তা থৌজালগী মরিক অমত্তং ফাওবকখি— "অদোমগী অপাম্বদা ঐস্থু শরুক য়াজরি। ঐবু নমাওমক্কি তায়না থনবিযু। অরাবা মথেল মুংশিননা, চায় চিম্নবা লৈমিয়রিবমখৈ চাদনা শিগনি হায়বগী করিস্থু অবাবা লৈজদে। ঈশ্বর লৈরি, অদোমবু শোয়দনা ঙাকপিগনি। ঐনা ঙমজবা কনি তৌজরম্মু হায়বগে অহুস্থু তাকপিয়ু।

জ্ঞাননা খণ্ডলে, মীওইবগী পুক্না হাওলবদা দেশী বিদেশীগী রা চংখিদে, মীরম মচানি হায়বা ফাওবা কাওনরে। মপুক্নিং চপ য়ু'না লেপ্লে— "মীওইবগী খ্বাইদগী হেল্লা য়েক্লবদি অরাম খোরাংবা অসিনি। অহানবদা মসিবু জয় তৌবা তাই, অয়ুতদা মথা থম্বা ঙমগনি"।

থীন্দে, মী কয়া-কয়া খোমদুনা কাংনুপ অমা শেমগৎলে। মখোংগী উদ্দেশ্যনা ইনাক-খুনবশিংদগী শেল-থুম মুল্লগা লাইববশিংদা য়েন-খোকখিবা, শেংপা-চাবা নিংবা থুংম্বা কযাগী অরাবা কোকনবা।

অরাবদি—ইনাকখুনবশিংনা রাকম অসি খণ্ড-লক্লবদা, নোংমা মখোয়গী মী থাদুনা জ্ঞানবু ফাহল্লে অদুগা চীংগী লানবন অমদা ফাঞ্জিন্দুনা থ খে। চিক্লবা, মী পোং ভাদ্রবা মফম অদুদা মহাকপু ও কে হাযবগী মতাওম মঙোন্দা নোংমগী পাজ-রিবসি — চনা খুবাম অমা, ঈশিং খুঙ্গাই অমা, অসিতনি।

কযা বুইনবু খাঙবা ঙমগনি! জ্ঞানগী থম্মোয়দা পেন্দবা অমদি হুংভাইতবগী মৈরিনা মৈখু থোক্লা অশুম অসুম চাকশিল্লক্লে। পুক্নিসি মঙোন্দদি পোংলুম অ। ওইরক্লে। রাখল অমনা মহাকপু অতৎপা লৈতনা ওংলরি।— "ঐ অসে,······ জ্ঞান ঐ অসে,······ঈশ্বরনা থারকপা মাগী হুতনিকো। কয়াদা তোনখ্রবা কয়াদা রাখ্রবা ঐগী পুক্নিনো। পুক থম্বা ফাওবা হোংনবা ঙমজত্রবা— ওহ, ঐগী পুক্নি অসে কায়ত্রবা পুক্নিনি, ইজ্জৎ মাওত্রবা পুক্নিনি।"

নোংমদি মহাক লানবন অদুগী চেকপল তান্না কাবৎখে, মপান্দা ঙহা অমদা ঈশিং ভূংদুনা লৈবা উরগা মহাক্না মপুক্নিংদা লেপ্লে— "ফরে, মসিদা চোংথদুনা থরায় অসি থাদোক্লগে। ঈশ্বরগী নাক্তা য়োরগা হাংজক্লগে— হে প্রভু, ঐবু পুক্নিগী ভার— অসিদগী কোকহনবীয়ো, ঐসে নঙগী হুতনি, অদুবু অসিগুম্বা সংসার অসিদদি ঐনা চয়ফম লৈত্রে।"

রাখল অসিগা লোয়ননা মিংকুপ্তবমখৈ, লেঙদনা মহাক ঙহা অদুদা য়েংদুনা লৈখ্রে। চোংথরগে তৌবমক্তদা ঈশিংদা তাক্লিবা মথাগী মমি অদু উরুরে। মমি অদুনা মঙোন্দা হায়-রকখুম তোই— নহাক, কবিগুম্বদা নশ মকদি লম্হেংনখ্রবরা? জ্ঞান খণ্ডলেপ লেপই; নিং-হবৈ। খল্লকই— "অচুম্বনি, ঐ ইশাগা খক লাম্হেংনখিদ্রি," তপ্প তপ্প কুমথখিদুনা লানবন অদুগী মখুংদা অমুক কোয়চৎ চংপা হৌবকই।

হৌজিক্তা মহাক্না খঙলে—পুক্নিগী য়েক্লবা—, পুক্নিগী খ্বায়দগী হেল্লা খুদোংথিবদি— ঐখোয় তাইবঙ মীওইবনা মতম লৈবখিদ্রক্তা লায়থোক-তুনা লৈবা ইশাগী পুক্নিবু তয়াংতশোইনা লৌবা অসিনি।

(হিন্দিদগী হন্দোকপা

অরিবম কুমার শর্মা)

যুধিষ্ঠির

খনুংদা ফাওরকপদুতা ইবা—সেমুয়েল বেকেট

(Semual Becket—The writer of feelings)



সেমুয়েল বেকেট

লেখকশিং কিউহ্না লেপ্লি। সাহিত্যগী নোবেল মনা চহী খুদিংগী কিউসিনগী অময়মতা খনগৎহুনা পীরি। খরবা থ্রাওরমগনি— কুমসিদি শোয়ত্রে ; কুমসিসি সোয়রবস্থু নোংমৈদি শোয়রয়োই ; নোংমৈ শোয়রবস্থু নোংমদি শোয়রয়োই। ভাবতকী লেখকসিং ফাওবা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ফংলবদি ঐদি করিগী ফংলোই' হায়না ফেঙহ্না লৈনরি। সাহিত্যগী নোবেল মনাগীদা নত্তনা অতৈ অতৈ সাহিত্যগী মশুন লৈবা মনাশিংগীস্থু সাহিত্যগী মীওই বয়ানা বানোয়দবা নত্তে। ফ্রেন্স ১দি ইটালিয়নসিংনা খ্বায়দগী হেন্না সাহিত্যগী হাবী জাবীগী কারবার অসি তৌই হায়নরি।

হন্দকী চহীগী (১৯৬৯) ওইনা কিউদগী সেমুয়েল বেকেটপু খনগৎলে ; সাহিত্যগী নোবেল মনা পীখ্রে। মসিনা সাহিত্যগী ১দি লোলগী মরমদা মরৈ কয়া অমস্থু শেমগৎখিদবা নত্তে। মনা অসি ফংবদা আইর্ল্যাণ্ড মচাশিংনা মখোয়গী মচানি হয়না চাউথোককত্রা ; নত্রা ফ্রেন্স সাহিত্যগীনি হায়দুনা ফ্রেন্স লোন ওাঙলিবা মীনা চাওথোকত্রা? থাহং অসি পৃথ্বি শেং কায়না হংনখ্রবনি। ঈগী মরী খিরুববদি বেকেট আইরিষ্ট মচানি ; ১৯০৬ তা দব্লিন্দা পোকপনি। বনার্দ শো, ওস্কার ওাইল ১দি দব্লিউ, বি, য়িটসকুম্না আইরিষ্টকী ময়ায় ওইবা থাকী প্রোটেষ্টেণ্ট ইমুংদগী থোরকপনি। অহুগা অমুক ; মাগী সাহিত্যগী লৈকম ওইরিবা লোন ফ্রেংলুরবদি ফ্রেন্স সাহিত্যনি হায়বা তাই। মাগী লীলা, উপন্যাস

অরাবা ফ্রেন্স লোন্দা ইবনি, কোয়া ইংরাজিদা হন্দোরকপনি। ফ্রেন্স সাহিত্য ও অ'নোবা মতমগী ইতিহাসতা মাগী চাউরবা মকম কর্মান, অনোবা দাজনি হায়না লৌনরি। অদুনা হন্দকী সাহিত্য নোবেল মনা পীরিবসি পৃথিবীগী করম্বা সাহিত্যদদা পীরিবনো। পোক্কম, শাংনকম ওইবা শৈরাক্ন্য ঈগীদমক সম্ব অসি দাবি তৌগদ্রা, নত্রগা লোম লৌরুবগীদমক ফ্রেন্সনি হায়না দাবি তৌগদ্রা? সাহিত্যদি লোন্দা হিংবান। কল্পনানা শাগৎলিবা জগৎ অদুগী অহানবা ফোংদোকবম ১দি অহানবা শাহক্রম ওইরিবা লোন অদুগী সাহিত্য ওইকম থোকপনি।

অলফ্রেদ নোবেলগী উইল মতু'ইন্না 'আইদেলিষ্টিক তেন্দেনসি য়াওবা অথোইবা লাং'বক সাহিত্যদা পুথোকলিবা মীশকতা' পীগনি হায়রিবনি। হন্দক বেকেটপু খনগৎলিবা অসিমু আইদেলিষ্টিক তেন্দের্নসি অদু য়াওব্বা তাই। অদুদি করম্বা মখলগী ওইকম থোকই? নোবেল মনা পীবা মতমদা বেকেটকী মবমদ হায়রি— "His writi g, in the cestitution of modern m.n acquires its elev.- t on.

অথোম্বনা মাবু লীলা ইবা অমা ওইনতা মপুংদা কৌনৈ, অদুগা উপন্যাস ইবা অমা ওইনা খঙনবনা কাংতা ই হায়না খঙনদগী অমুক হেন্না, কবিতা ই হায়বদি ইথঙবু খঙমদবনি। অদুবু মহাক থাঙ্গেলেবা ১নি মপুং ফানা শাংকায়রবা কবিনি। মাগী লাইরিক কবগী মঙনমা মান। ডমলকপা ইউনিভরসিতিনা মাবু পেরিশতা চৎহনজনমী। পেরিশতা চৎপাসদা অনোবা যুগকী উপন্যাসকায় জেম জোয়সগা শকথঙৎখি, মরূপ শানখি। পেরিশতা পুনসি চুপ্পা লৈবগী তাঙাও কংখি। পেরিশতা চৎপা অহানবা খোঙচৎ অলিদা শৈরেং ইংলা সাহিত্যগী লমদমদা খোঙদাবা হৌই। শৈরেং ফজবা তাম্নবা অমদা মাগী শৈরেংনা প্রাইজগী ফঙ্জে হাওডুন পাউণ্ড ১০ ফংখি। মাগী ইহান হানবা লাইরিকসু শৈরেংগী লাইরিনি। 'ওহুও' দা হোরোস্কোপ' হায়রবা শৈরেংগী লাইরিকসি ফোঙাখ। মসি দেকার্ত হায়রবা ফিলোশোফর অদুগা মরমদা ইবানি, দেকার্তনা মীওইবগী ওইকম থোকপা অশেংবা মশক অদু থি, বেকেটনা হায়রিবনা হৌজিকী অনৌবা মীওইবসিগী কুঠি ইবা তাম্নবদি, মীওইবগি অকবা, সঙৌনচিংবা ওইনা ফংলোই, ওজগী, কওবী অমতুম ওইখিন। অদুগা মানা কোয়ংদা লীলা চরুকলিবসিমু কবি ওইবা মরমননি। থিয়েটব ওক এবসর্দ হায়রবা লীলা মখল অসিগী মরু ওইবা শরুক কবিগী কল্পনানা শাগৎপা শক্তম (poetic vision) অসি বেকেটপু শৈরম্বনা লীলা মখল অসিগী অথোম্বা লীলা ইবা অমা ওইবা ওর্দম। মাগী লীলাশিংদি ইচম চম্বা লীলা নত্তে; কবিতাবু মারেংগী মওংদা লীলা ওইনা ইথোকপনি, কবিগী কল্পনানা শাগৎলিবা মূর্তি অদু লীলা ওইনা শাম্নবনি (dramatisation of poetic vision) মাগা মমিং চৎকবা লীলা 'বেটিং ফোর গোদোৎ'তা এষ্ট্রাগোন ১দি ভলাদিমির অনীনা ঙাক্ষনরিবা অদু মী মমিং মতাই মতাইদা থারিবগু লৌথোক্লগা

পুনদপ পুথোকপদা থোদন' পোইম ওইগনি ; মসিদা নত্তনা লালা অসিগী অনীশুবা উৎপগী অতৌবদা ভলাদিমির্না ণ্ডাচলিবাস থাঙ্গৈশেংবা শৈরেংনি।

'হূই অমা লাক্লৱী চাকশংলেদা
অমগা হুয়ানথি তন মচেৎ অমা
অদুদগী থোংলম্মী থাবৈ অমা পায়দুনা
অদুদা মাবু হুয়ম্মী শিন্নিফাওবা।

অদুদগী হূই পুম্বা চেনশিনলকই
অদুগা মোংথম অদু হোগাইরম্মী
মানা লেপলম্মী, কর্মাজিনলম্মী, অদুম চৎথরম্মী।

পেরিশগী দল্লিন্দা হনলক্লুনা ত্রিনিতি কোলেজগী রোমান লোনগী মতেং পাংবা প্রোফেশার ওইনা থম্মী। মতম অসি বেকেটকী মহৈমশিং তানশিনবদা চেকাবা মতমনি। আর্টস তা মাষ্টর দিগ্রি ফংলম্মী। মসিদা নত্তনা মাগী লাইরিক ইবগী মাইকৈদসু কন্না হোরকপা মতমনি। প্রাউষ্টকী মরমদা বুপ্পা অমদি চং ফংনা নৈনদুনা খাবেং অমা হরম্মী ; মসি লণ্ডনগী লাইরিক ফোংবা কাংবু অমনা ফোঙলম্মী। মাগী উপন্যাস অমদি লাইরিকশিংদা তাইনা মমি তারবা—মুংশিবা হায়বসি ওইথোকপা য়াত্রবা অমত্তম লোবা, মথপকা মরমদা লৈরিবা মায়া—'মুংশিবা হায়বাসনা মীওইবগী খাননবগী মথৌ তৌরবাদ, মথপ হায়বাসনা পাওদন 1 শীল্লি'' হায়বনা চংরা ৱাখল ময়াম অসি খাবেং অসিদা হায়না পুথোকখ্রবনি। ফেওদোকপা ওয়রোয়দবা, ফোঙদোকলিবনি হায়দুনা তৌন-রিবাস অর্থ লৈতবা অঙাওবগী চোইরেনগুম থোকলিবা অসিগুম্বা মীওইবগী লোনগী মায়-থীবগী অচৌবা মথং অসি খারেং অসিদা ফোঙ-দোকলি।

কনাগুম্বা কলাকার অশেংবশিংনা মীরক্তা লৈদুনা, তিমদুনা খ্বায়গুম তৌদুনা পুনশিনথি-বদু পামদে, চিক্না ইংনা নাইতোম লৈবা পাম্মে। মখোযবু অকক্নবা রুটিননা অমদি সমাজগী চংনবানা পুন্দুনা থম্বা পামদে। মনীং তম্বা পাম্মী। অসিগুম্বা কলাকারশিংগী মন্নুংদা সেমুয়েল বেকেটসু য়াওরি। লুংতগী তৌগদবা অকরবা মতমগী, অকরবা থবক্তা পরেং লেংদুনা লৈবা ইউনিভর্সিটিগী কটনগী পুনসি অদু মহাক থাডবা ওমদ্রে। ত্রিনিতি কোলেজগী ওঝা চহী অহুমদং ওইরগা তোকথোকখি। 'মোর প্রেগ্র দেনকিস্র (কাওবদগী হেন্না শাথিনা যুবা) হায়-বা মাগী বাবীমচাদুগী হেরো থলাকুন্নাগুম্না থবক তোকথোকলগা মফম অমদগী মফম অমদা কোইচং চংলম্মী। শৈরেং থবা ই, খারী থবা ইবগা, থবক মচা মত্ত থরা থর তৌদুনা দল্লিন্দগী লণ্ডন্দা, লণ্ডনগী পে বশতা, অদুদগী জর্মনীদা কে ইচৎ চংলম্মী।

বেকেটনা পবিশতা হেক থুংবগা জেম জোয়সবু কোয়থি হেক্তা থি। জেম জোয়স মাদ বেকেট অনীমক শাথীনা ভূমিননা লৈগনবা-দা ওঙগনদবা মীশক ওাক্তনি। মখোয় অনা উনবগা মমায় মমায় ওনশিননরগা খা অমত্তা ওাঙদনা পুংথুরনা তুমিরা কমদুনা লৈ। জোয়সনা মাগা হৈনজরবা থুংকম থোঙগ্রাই শংলগ, মম্মা অদুগা বেকেটসু মরেপ ফাংবা, মশা পাবা থোঙগ্রাইশংনা ফমগনবা মীতানি। মখোয় অনীসি তিন্নবদা যুং চান্নবা মীতা ওাক্তনি।

কৈ.রেংগী মথংদা মান. উপন্যাস ইবা হৌখি। মাগী উপন্যাসতি খ্বায়না ইনরিবা উপন্যাসশিংগা মান্নদে। ইনৌ নৌবা মওংদা পুথোরকপনি। প্লোটকী অরুবা মওংদু শাগৎলগা, থম্না মুম্না য়েংহনা হু ঙাইরবা লমচৎ থম্না পুথোক্তুনা য়ারী অমা শাগৎপগী হৈশিংবা উত্তুনা। চুংঙাই-রবা য়ারী অমা লিবতবু উপন্যাসনি হায়না খঙনরবদি সেমুয়েল বেকেটকী উপন্যাস শ. অসি উপন্যাস কৌবা যারোই। অদুবু পুকচেন তশেং তশেংনা মীওইবগী ফিবমগী ইশেং শেংব. খুম জিনবা শরুক মচেং অমতা য়াওদ্রবা এবসর্দিতি অদুতবু মপুংফানা ফোংদোকপবু উপন্যাস কৌন-বগী ফেস্ন কাফক। ১দি ক্লেম ফোংস অনীবু হায়েং ইবা কবি অমদি অনৌবা যুগক অনৌবা উপন্যাস ইবা কাংবুন হায়না লৌনই। ইচম চম্না ফোঙদোকপদি অশেংবা কলাকারগী তৌবা চম্মী। মাইকৈ অসোমদগী য়েংবদা সেমুয়েল বেকেটপু কাফকা ১দি জোয়সকী মরক্তা চিংথংপদা অকায়বা লৈতে। বেকেটতি কাফকা গুম্বা লৈ-থকনি; অপাবনা ধুংঙাইনবা হবা হৈনদে; ইদবা য়াদবগী ইবনি। তত্তনা থম্মুংদা তপ-থহন্ত্রি ইদনা লৈবদা মপানথোংগী দবকাবগী-দমক ইবা নত্তে; মুংগি চরকারগীদমক হবনি। থরায়গী অমদি মুংগী পুনসিগী চিঙ্গাক হূনবনি। আইরিশ লেখকশিংনা হংদনা লৈথোকপা ওম-ব্রবা, মথোয়গী সাহিত্য অয়াম্বদা পুথোক্লবা হোংনরিবা চাউরবা ৱায়েং—'ঐ কনানো হায় সি বেকেটনা খিবনি।

প্রাউষ্টকী মরমদা ইবা মাগী য়াহং অদুদা হায়রি—"The artistic tendency is not expansive but contraction. And art is the apotheosis of solitude. There is no communication because there are no vehicle of communication (Proust p. 47) বেকেটনা মাগী উপন্যাসশিংদা শিজিন-নরিবা কলাগী কাইদা অসিমু মসিমকসি। মাগী উপন্যাসতি খঙহন্নবা থৌওং (an act of communication) নত্তে, অদুগা য়ারীদং জানবগী থৌওংমু নত্তে। মুংদা থম থেংনা চঙশিন্দুনা থরায় অমদি মুংগী পুনসিবু পুথোক্লবা হোংনবা ন ইতোম তারবা অমদি কংথোক্লবা মপুথোকনি। অদুনা মাগী মহোৎনা অসিবু কনাগুম্বনা কায়দবা মঙগুম্বা থৌওংগুম লৌনৈ; অদুবু ফোঙদোকপা ওমলরোইদবা অসিবু ফোঙ-দোককনি হায়বা, হায়দোকপা ওমলরোইদবা অদুবু হায়দোকনি হায়না অচেৎপ লাগনীং অমগী মথাদা চংথবকপা অসিদি তশেংনমক থোনা ফবা অমাদ পুকচেন চাউরবা মরমচংনি।

মাগী কলাগী মপুথোক, মশাগৎ ১দি মফোঙদোক অসি ইচম চম্না পোং অমবু থাদ্দনা ইবা অদু তৌদে, রিয়েলিষ্টিক আর্টকী অয়ানবা মতৌপ অদু য়াওহন্দে। হায়বা ওমলরোইদবু কবম্না হাথদোক্লদগে, থঙহনবা ওয়রোইদবু কয়না থঙহনগ গে হায়বা লুমবা রাফম অসি মাগী 'রাট কৌবা উপন্যাসকী হেরো পুথোক্তুনা লেকেংনা নেনৈ। রাট' হায়বা উপন্যাস অসি ইংরাজিদা ১৯৪২-৪৪ দা ই।

৮ মপাম্ভোংগী ১দি মথক্তা কারক্লিবা কুয়াংবান অসিগী অশেংবা অমুথা অসি নৈনবা তোকথো-ক্তুনা মাগী অকোনবা থোরকপা উপন্যাসশিংদা

মীওইবগী হৌদ্রকপদ থাইরবা ফিবম ১দি মচং শুহ নৈনৱবা হোংনৈ। অপোনবা থোরকপা বেকেটকী উপন্যাসশিংদি রারী রাওসে, অহোবা, মল্লয়, অমসুং অরোইবা নৈজে। মাগী উপন্যাস-শিংগী মনুংদা লিরোক্লিবা য়ায়রবী হেক্তা মরুওই। অহু নবদা মথোক্ত তেকপা ৬ দি হারেংবেং লাকয়েং শিংবা মোলোয়না শাইকল অমা তোংহুনা থাগী মমুম ১দি মযাবু থি। অনীশুবদা, সহর মনাকী বুলুরা মোরায়া মোলোয় লিনবা য়াদং, থওমম্রবা সংস্থান অমুবগী কংলম্মী। মহাক হায়রিবা সংস্থান অসিগী এজেন্টমু ওইরম্মী। মমুম অহু মচানুপাগা লোয়ননা থাদোকলম্মী অদুগা মোলে-ময়ু কংবা ওয়মদে। অরোইবদা, মানা মমুমদা হল্লকই, খোঙতেকপবা শৌ শৌহুন' চংনবা শেঙ্গাকতা চঙ্খবা নৈত অহু পালহুনা চংলম্মী।

'মোলোয়' হায়বা উপন্যাস অসি ফ্রেন্স লোলদা ১৯৪৭ ৪৯ দা ই; 'মেলোন দাইজ' হায়বা অসিসু ফ্রেন্স লোলদা ১৯৪৭-৪৯দা অদুগা দি অন নেমেবল ফ্রেন্স লোলদা ১৯৪৭ ৪৯ ইংদা ই,। মফি নত্তবা 'মফি' হায়বা উপন্যাস অসিসু ফ্রেন্স লোলদা ই।

মতাং অসিদা সেমুয়েল বেকেটকী হুংঙাইরবা খোমদোক অমা নৈ। মহাগা মাগী পুন্সিদা ভোমোরকপা মতৌ অসিগ মহামদগী তোমী; করিগুমদা ওকই; করিগুমদা মরিং মরাংতি। মাগা ভক্তনা ইহুনা 'মার্লিন' হায়বা মেগাজিন অমদা ফোকতি। চেকোং অসিগী ইদিটর রিচার্ড সেভরনা বেকেটকী থাকল অহুবু থাগৎহুনা ইবা চিঠি অমা বেকেটতা থাকম্মী। মসিদা সেভরনা থাজরুনি, পিখিদা চিঠি। অহিগী পাওতুম অমা শোয়রবা ফংগদ্রি মরমথি মীনা চিঠি ইরা ফপদা, অদুগী পাওতুম হনবা হায়রবসি চাউথংবা মীগী ১দি তৌবীজন থম্বা মীগী চংনমৌগনি। অংবু বেকেট কী পাওখুম অমতা ফংলমদে। 'রাট' হায়বা উপন্যাস অংগী শঙ্কক মতেক থরা হাপ্পরিবা চেকোং অসিদা ফোকগে হায়না অমুক্তা ইবম্মী। মহুদমু ঊশিং মনুংদা লৈতুম থাদিবত্তম চোক মোক লাউদনা লৈখোকথি। নোংমগী মুংথশনি, মোং খিংলি খিংলি চুই। রিউ, ডিউ সাবোটচত্তা নৈবা ওকিশতনি। থোঙদা তক্ তক্ থীনলকই। থোং হাংদোকপদা রাংলবা মশা পাংা মুপা অমা রেনকোং অমা লিংতুনা তুমিন্না রা মচেং অমতা ঙাচদনা চুমাত্র, চঙলকই। রা অমতা ভাঙদনা অমুবনা মখুমপানবা থুংই লাইরিক অমা তেবলদা থম্লম্মী। অহুদগী রা অমতা ভাঙদনা অমুক নৈহাক ফাওয়া ফম্বা ১দ লেম্পা তৌদনা, চংলগেম্থ হায়রমদনা অদুম চংখি মুপাহু। কাহুদা লেরিবা বোর্ডকী মেথরশিং ইঙক ওক্লম্মী, মুশাস কনানো থওনমদে। মুপাসিগী থ্রায়না তৌনত্রবা ওক্লবা শাজং অদুদা চময়হুনা লৈরম্মা। মুপ অহুনা চংখ্রবা মতুংদা লাইরিক অহু হাংদোকলুবদতা থওখি—মুপা অসি ফাওরবা সেমুয়েল বেকেটনি, চেকোং অতুদা ফোকনবা "রাট' কী থুংই পীরবনি।

মথংদা সেমুয়েল বেকেট কী সাহিত্যগী অহুম-ওবা ভাংকক্ অসিদা থায়রগী হেন্না মাবু পুখিনা থওনৈ, থায়দগী হেন্না মরুহু ওই। কবিগী কয়মানা শাগংলিবা শকুম অহু মপুং কানা পুথোকপা ওগী হায়না "লোমরিবা অসি উপন্যাসতদা নত্তে, মাগী লীলাশিংদগী হায়না লৌবে"। মাগী লীলাশু

মাগী উপন্যাসকুমনি। 'খল্লরা হায়রবদু মফোঙদোক ১দি ফোঙদোক্লবগী শিঙ্গিন্নরিবা উপায়দা খেন্নবনি; মহাক্কী মথায়দি মাগী উপন্যাসতা য়াওবিব 'ঐ কমানো' 'ঐ কদাইদা লৈরি' হায়বা বাহং অহু মাগী লীলাদসু অংদমক ময়াওরি।

থেকেটকী লীলাগী ফজবা থীরগী মবমদা খঙগে হায়রবদি অথন্নবা মুক্ষম অমা চঙ্কিঙ থিয়েটর ওক এবসর্দ হায়বা লাল মতুংগী অনৌবা লীলাগী মশক — আউজিন আইওনেস্কো অর্থর এডামোভ, জন গে নট ১দি এদৱার্দ এলবীনচিংবগী লীলাশিংগী মুক্ষমগী মরমদা খংদবা য়াগদ। বেকেটকী লীলা শিংসু এবসর্দপ্লেনি। অহুম থিয়েটর ওক এবসদ করিনো হায়বা খঙদবা মীনা বেকেটকী লালা পারগা ১দি যেংলগা কলাসি ফজবা উবা ফংলোই। নীংথিনা শেমশারবা লীদদা (well made play) দা মুখ্য থেংলগা লমচং খরা পুথোক্কনি; মহু নীংথিনা যাহনবা ওন্না অংদ অকরবা রাখল অমা চেন্না উংকনি, অরোইবদা রাকম অমা মুন্না নৈনবগা কল তাবকপহ উংকনি, মহু উহনলগা তাবক্লা লেন্দুনা চংকনি। মসিনি মহৌশাদগী লৈরক্লবা লীলানা তৌরিবা। এবসর্দকী লীলাদদ মসি পূম্নমক অমতা থাংদে। লীলা মথল অসিদা মাহৌশা খঙনরক্রিবা লমচং বারী; থোটা অহৌবা, মথাথ, অবোইদা অমত্তা য়াওরোই। খঙহৌ হৌরগা খংলোই লোইশনি, নৈনবদগী কংলকপা লেনলবা কল অমসু পীবাই। মহোৎশা নৈনবা খিংসিষ্ট ক ওইরিবনি হায়হুনা পুথোরক্লিবা অচুম্বা অশেংবশিং অভিতমা মচুমত্রা হায়হুনা খুনলকপা; চুম্নবসি হায়হুনা পুথোরক্লিবা অসিদক চিংনরকপদগী ম্রিয়েলিজমগী ওম্ব তৈনবা মথল অমা পুথোরকপনি। লীলা হায়বসি রাজী লীবা নাম্তু, পোৱাক পীবা নত্তে নৈনবা নত্তে; কৈকন্না অমা শাগৎপনি; কবিগী কম্পনানা শাগৎতুনা পুথোকপনি। এবসর্দ লীলাগী মপুংদি কবিগী কম্পনানা শাগৎলিবা শকক অহু লীলা ওয়োক নি। মীওইবগী পুন্সিগী মমল মাংখ্রকপা, মুংগী পুন্সি অসি হাংলকপা খৌজিনগী মর্তবদা চাওখংলবনি হায়বিবা মরক অসিদা থবায়গী ফিভম অমা তারুবা হোৎনবদা মংলাক্লবা ফিবম অমা পুথোকই। অসিগুম্বা মুংগী পুন্সিগী অর্থ মাওশিনলকপুসি ধর্ম্মগী থাজবা মাওথরক্কুনা নিটচেনা 'ঈশ্বরদি শিখ্রে' হায়রকদগী লাইগী মমল লৈরক্লবা; ষ্টেলিন্না সোভিয়েট ব'সয়া অসি ওথম্বা শাসন তৌথিবা অনীগুবা লাপঞ্জাউদা হিতলয়বা মী কয়া হাংখিবা, নোংচুপ ইউরোপ ১দি অমেরিকাদা মুংগী পুন্সি মাওথরকপনচিংবদগী থোরকনি। অর্থ লৈতরা মমল লৈরক্লবা অসিনচিংবা অসিদগী অহৌবা, অহাংবা, মরম চাদবা, ফিরবা মূর্ত্তি অমগা থেংনবকই। মংলাক্লবগী ফিবমদা উরকই। মহু পুথোরকপনি।

হায়রিবা থিয়েটর ওক এবসর্দ কী লীলাশিংদা বেকেটকী লীলাসু মরু ওইখি। মানা ইংলান হায়রা এলেউথেরিয়া' হায়বা লীলা অমা ফ্রেন্স লেখ্না ই। মসিদি মুক্কোঙ ফোঙনক্লবা ফোঙনরনি। লীলা অসি ষ্টেজতু ময়াইদা ডংখ ই থারদোকই মহুগী য়েংভা কমুং অমদা হেন্নো অহু লেংঙম শাঙমদনা হিপ্পী অহুগা ওয়দনা ইমুং মহুংগী মী মরাম মাপী মরমদা থরে। লীলা অসি মাগী উপন্যাস 'মফি' গা য়াম্না মপুংবা মারৈ। লাইব্রেরি

অনীমক অসিদা মনীংতম্বা মপুন্সি অমদা তংশং তশেংনা হিংনবা থিরি।

'বেটিং ফোর গোদোং' হায়ব বেকেটকী লীলা অসি ১৯৫২ দা ফোওস্তি অমগা ১৯৫৩ গা জন্মুরারী তাং ৫দা থিয়েটর দে বেবিলোননা শায়ে। ফ্রাঙ্কো এডভান্ট-গার্দেগী লুচিংবা রোগয়ব্লিননা দিরেক্তর ওইখি ১দি মশামক পোক্সো হায়বত্থ শাখি। থিয়েটর দে বেবিলোন্দা চামরক হেন্না শায়খি; ভাবক লিশিং লিশিং য়েংখি; মথংদা পেরিসিগ্গান থিয়েটরন অমুক শাল্লখি। লোন কুন্দা হন্দোকখি; পৃথিৱীগী মফম পুম্নমক্তা শায়খি।

'বেটিং ফোর গোদোং' হায়বা লীলা অসি এক্ট অনিতনি। অহানবা এক্টতা খুৎলংগী লম্বী অমদা উ অমগী মখোওদা ভলাদিমির কৌবা অমগা এষ্ট্রাগোন কৌবা অমগা, মী অনী গোদোং কৌবা অমা ওাই। গোদোং কনানো চপচাবা খওদে, শোয়দনালাকজ্রা লাকলোইদ্র অকরবা খওদে!

এষ্ট্রাগোন —মা শোইনা মফম,সদা লাকনি।

ভলাদিমির —শোয়দনা লাকনি হায়বদি মানা হায়রক্তে।

এষ্ট্রাগোন —কৈ ওথা মা লাকত্রবদি?

ভলাদিমির —ঐখোয় হয়েং অমুক লাক্তারেদনা।

এষ্ট্রাগোন —অদুদগী হংচিংস্রু।

ভলাদিমির —য়াই।

এষ্ট্রাগোন — মথং মথং।

ভলাদিমির —মহুনি।

এষ্ট্রাগোন — মা হেক লাক্লিত্রাফাওবা।

অদুম্না লাকজ্রা লাকওইদ্রস্রু খওদনা ওাইননবগীদমক ওাইরিভৈদা মুপামচা অমা লাক্লুনা গোদোং লাক্লবোই হায়না পাউ হায়দোক্লে। অদুবু ওাইরিবা অনিদু হল্লমদে, মপুর্কনিং কাখে।

ভলাদিমির - অংাংনুনা কৈ হায়রম্মী নত্ত তাহৌত্রা?

এষ্ট্রাগোন —তাহৌদে।

ভলাদিমির - গোদোং হয়েংদি শোইদনা লাকবনি হায়না মানা হায়বম্মী।

(ভৈহাক লেপলগা)নত্ত কৈ হাযরিবা?

এষ্ট্রাগোন —অদুদি ঐখোয়না তৌগদবা হায়ববু মফমসিদা অমুক ওাইবা ত্তারেদনা।

অদুম্না লেপ্তুনা ওাইবা তারম্মী অহানবা এক্ট অসি মথংদা অমুক ওাইননবা হায়নদা লোই। অনিশুগা এক্টসু চপ মান্নে। অদুমক গোদোংপু ওাই; অরোইবদা হায়া লাকখিগা মুপামচাদুমক্তা গোদোং লাক্লরোই হায়দোক্লে। অওাং অদুনা মুপা অনি অদুবু ওবাং উনখি হায়রবসি খওলমদে। গোদোং লাক্লরোই হায়দা উনদনা মখোয় অনি চংখি। মসিদা লিলা লোইরে। মবক অসিদা পোক্সো কৌবা অমগা লকী কৌবা মানাই অমগসু লাকই; উনৈ রারি শাবদা তোওান তোওানবা সুরদ শাই; অর্থসু খেন্নাপী। মিওইবগী লেওত্রবা কিত্তম অমা পুংথোকপনি মপিবু এষ্ট্রাগোনগী রাকৈদা "কৈসু তৌজে কনাসু লাক্তে, কনাসু চংখিদে, মসি অন্নাবনি,, অসিওথা মীওইবগী হয়েত্ত লেওবা ওমত্রবা কিত্তম অসিবু মিক্সন হুনহন্দুনা অহিংবা ওইনা পুথোকপনি। লীলা অসিদা মহৌশাদগী চনেরুরবা

লীলাগী নিয়মশিং অদু অমতা শিজিন্নদে। লীলা অসি লণ্ডন্দা শান্নবদা কেন্নেঠ ট্যন'ন হায়বা কাংলৰা ড্ৰামা বৃত্তিক্কা নৈনখি— By all the known criteria, Samuel Beckett's Waiting for Godot "is a dramatic' vacuum......... অদুবু লীলাসিনা উৎলিবা মীওইবগী ফিবম ! মরনদা হায়খি— To state that mankind is waiting for a sign that is late in coming is a platiude which none but an illiterate would interpret as making claims to profoundity. (Kenneth Tynan: Curtains p. 102)

৮ অমেৰিকাদা শান্নবা মতমদা দিৰেক্তৰ ওইরি'বা এলান শ্নেদবন 'ৱেটিং ফোর গোদো 'কী গোদোৎ হাযরিবসি কনানো হায়না বেকেটতা হংবা'। মানা খুমখি— 'মহ ঐনা খঙলম্লবদি, লীলাসিদা ঐনা শোইদনা হাযদোক্লমগনি।' তৌংমবস্থ লীলাসিদা মরুওইবা শরুক য়াবিবা মীওই অনী– এস্ট্রাগোন ১দি ভলাদিমিরস্থ গোদোৎ কনানো হাযবা খঙদে। পাউপুবা মুপা-মচাদুদা গোদোংকী মবমদা করম্বা নাওইনো হায়না হংঙি।

'এণ্ডগ্যাম' হায়বা লীলা অসি বেকেটনা অহানবদা এক্ট অনীদা ইবম্মী, কোম্বংদা এক্ট অমদা পূনশিনখি অদুগা রা ভাওদবী মাইপ্নে ওইনা শান্নখি। হেম কৌবা অমগা ক্লোভ কৌবা অমগগী ন্নারীনি। হেম মপূনি; ক্লোভ মীনাইনি। থোংনাউ অনীতা ফাৎপা চাউরবা হাংলবা কা অমদা মখিৎ ভাংলবা অহল ওইববা হেমনা লেপ্লা

ওমদনা কাংথোক্ত পানবী চৌক্রি অমদা ফমছনা লৈ। হেম পংথবী লৈনানা নারে, লেপ্লা ওম-দ্রবনি। মাগী মনাই ক্লোভ ফমথবা ওমদে। হেমগী পীজপীথক পুম্নমক ক্লোভনা তৌই। ক্লোভ য়াওদনা হেম হিংবা ওমদে, শিবা তাই; ক্লোভস্থ হেম যাওদ্রবদি হিংবা ওমদে, শিবা তাই। ক্লোভনা হেমবু থাদোক্লবা হোংনৈ। মসিদনি ড্ৰামাত্তিক তেন্সন অমা থোরকলিবসি।

'ওল দেট ফোল' হায়বা লীলাদা মাদ্দি হাযবী আইবিশ নুপী অমনা মাগী মপুরোই-বনা হন্নককপা ওয়ব' ষ্টেসন্দা চংলি। লেওবা ইওম ওমদে। মানা চৎপগী থোঙথাং অদু মঙলান্নবগুম তৌই। মপুরোইবা কনীগা থেংনদ্দনা চনলকই। কনানা বেলগী তালিদা ইস্থহনা হাংখিবা অঙাংদু মযুমদা লৈবম্মী। "ট্রেপস লাষ্ট টেপ' হায-বা এক্ট অমগী রেডিও লীলাঅদুদা ক্রেপনা মাগী চহী মতাং মতাংগী পুন্সী এক্সপিরিয়েন্স অদু টেপ রেকোর্ড তৌদুনা চহী খুদিংগী থমজিনলি। চহী ৩০গী মমাংদা রেকোদ তৌখিবা টেপশিং অদু থাদোযত্তুনা ক্রেপ্পা তারম্মী। মসিদা মতম অমদা মা মশানা হাযখিবা, ঙাওখিবা রা মা মশানা খঙলক্রে, রাইহগী অর্থ ফাওবা খঙদনা ডিক্সানারি ফাকপা ফাওবা য়াওরম্মী। অম্রুম্না রেডিও লীলা এংরসস্থ মসিগা মান্নৈ।

সেমুয়েল বেকেটকী লীলাশিংনা উংলিবদি কবিগী কল্পনানা শাগৎপা শক্লম অদু মপুং ফানা ১দি লোইনমক পুথোকপনি। রাফম অমবু নৈনহনা, মতুদগী ফল অমা তারক্ত্না ভাবকপু পেন্দুনা চৎহনখিবা নত্তে। থরাইগী অগদি মুংগী পুন্সিগী অমঙা ওইবা ফিবম অমগী মূর্তি ওইনা শাগত্তুনা উৎপনি–ফ্রেন্স থিয়েটরদা মানা

তৌরিবারি। সংলারদা লৈরিবা পোৎশিং অ'সিগী অশেংবা অর্থ পীবদা লুরিবা অ'সগী মরমদা মানা লীলা ই হায়না লৌনৈ, মহ ওইরবদি অচুম্বা অশেংবা রাকম অহু পুথোরবা ১দি ফোঙদোক্ন-নবগী উপায় ওইরিবা ১দি মীগা মীগগী মরক্তা মাগী মা৭ অনী'বহু খণ্ডহনবা হোৎনবদা শিজিন-নরিবা লোনগী মপাঙ্গন অসি অন্নুম অন্নুম য়াওক্তে, হায়বসি মাগী লোন অসিনা উৎলি। ফোঙদোকজিবনি, খণ্ডহন'শবনি হায়দুনা ভৌন-রিবা অসিনা ফোংলোকনিংলিবহু লোইমক ফোঙ-দোকপা অমদি খণ্ডহননিংলিবহু লোইনমক চপ চানা খণ্ডহনবা ইশুম শুমদনা ইখণ্ড খণ্ডহনবা অসি পুথোকপনি। রিয়েলিষ্টীকী কাংবুমা পুথোক-লিবা রিয়েলিত্তি অহুদগী হেন্না বিথেল ওইবা অমা পুথোকপনি, বেকেটনা পামলিবদি। অদুনা মাবু 'অণ্ডায় খিবা' ১দি 'মণ্ডাবু খিজবা লেখক হায়না কৌনৈ।

অসিগুম্বা কলাকারশিংনা মাগী কল্পনাগী শক্তিনা শাগৎলিবা শক্তম অহুবু শিংশিংনা ফোংদোক্নবা ১দি পুথোরবা হোৎনবদা হান্না লৈরমলিবা নিয়ম ১দি উপায়শিং অহুগী মতে না শুমত্রবদি মহৌশাদগী পুমতোপ তোক্লা ইনৌ নৌবা কলাগী উপায় অমা থিরকই। হাননা লৈরমলিবা কলাগী নিয়ম অহু পুমথু থুগাই মখোয়না। বিপ্লব অমদি শোইদনা তৌই। মশিমক সেমুয়েল বেকেটপু ফ্রেঞ্জ উপন্যাস ১দি থিয়েটরদা তৌখি। অনীগুম্বা লাঞ্জাউগী মতুংদা মীওইবনা থেংনরিবা পুন্সি— মৎং কায়রবা মীওইবগী মূর্তি অমদি মীওইবগী অমগুং পুন্সিগী মমাল ১দি অর্থ মাঙথয়রকপা, কাইনবংনা মতোমতা নাইতোম তারকপা (ultimate lor.eliness) অলটিমেট লোনলিনেশ অহু উৎপনি।

সেমুয়েল বেকেট য়াম্না ইকাইথি। ১৯৬৭ তা ফোংখিবা— 'দি প্লেরাইটস স্পিক' ডা এলবী, আইওনেস্কো, রেস্বর, ইয়েল মাট, পিন্তর, অর্থব মিলরনচি বা অফাওবা লীলা ইবশিংগী ফোটো লোইনা য়াওই ; অদুবু বেকেটকীদি য়াওখিদে। ফোটো নর্মাস হায়বদা ইকাইব-দগী য়াদত্তুনা হাপ খদবনি। মোদর্ন পেন্তি'বু য়াম্না পামজবী শেগি গুগেনহৈম কৌবী মুপী অমগা বেকেটকা মুংশিনৈ। মুপী অসিনা 'এ বনফেসন ওফ এন আর্টিষ্ট এডিক' কৌবা নাং-শি দুনা হবা লাইবক অমদা বেকেটকী ফোটো অমতং হপ্পবা হোৎনবদা লৈতত্তুনা তোকখি। বেকেটনা কনাদসু ইন্টরভিউ পীখিদে। আগা থ'মনা শেল পুথোক্ত্নুনা ইন্টরভিউ অমতং মাঙ্গান-দগী ফংনবা হোৎনবদা মাইথিখি, ক'খিদে। মানা ইন্টরভিউ পীখিবা মবাইবক করবা মুপা অমখক্তং লৈ। মাগী মমিং গাব্রিয়েল দে আউ-বরেট কৌই। Nauvellcs Literaires কৌবা লাইরিক অমা ১৯৬১গী 'ফেব্রুয়ারী তাং ১৬তা ফোঙখিবা অহুগীদক মরাইকরবা মুপা অসিনা বেকেটপা টনখিবনি। আউবারেটনা হায়— 'মী বা'বা মশক মতৌ করবা, মশা করবা, চৌংলেমলবা শাবান অমনা অনোকী থারবা গ্রাশতগী নঙ্গোন্দা যেংলকনি, পারবা মরৈ অহু কোনশিন্দুনা লংনবগী ১দি শিংলবা রাকম কয়া মতম পুম্বদা শাঙলকনি।' ইন্টরভিউ অহুমক য়া ভাঙমদনা শারবা লাইয়েং মথল অমনি। বে-কেটা থুংইনা হৌজিক মঙমগী বিফলোসোফরশিংগী

ইথিন চঙখিবা য়াওত্রা হায়না আউৱবেটনা হংবদা "ঐদি ফিলোসোফরশিং অসি পারুদে, মরমদি মখোয়না ইরিবত্থ ঐ খঙবা ঙমদে" হায়না বেকেটনা খুমখি। বেকেটনা মখা তানা হায়খি — I haven't the slightest Idea. I'm not itellectual. All I am is feeling. Malloy and the others came to me the day I became aware of my own folly. Only then did I begin to write the things I feel

অস্নুমা মাগী খুৎইদা অথন্নবা ৱাখল অমদি ফিলোসোফি য়াওই হায়ৱসি বেকেট মশানা য়াদে। অদুবু মাগী লীলাশিং ১দি উপন্যাসশিং পাক্নবা অমদি নৈনরুবা মীশিংনা অসিগুম্বা ম গী হাঙাঙ অসি য়ানীংলে'ই। মাগী খুৎইশিং অসি অচম্বা নত্তে; মসিগী মরুমদা পাউজেল ত মা অদুগা ৱাখল অমদি শোইদনা লোৎতুনা লৈ হানবা লৌনগনি। মসি অইবা মশা খঙবা য়াই, খঙদবা য়াই, অদুগা লৈরিবা ৱাখল অদু করিনো হায়বত্ চপ চাবা খঙবা য়াই, খঙদবা য়াই, কবিগুম্বা ইচম চম্বা নত্তবা অমদি য়াও'র হায়বসি শোইত্রবনি। বেকেটনা হায়— Breathing is habit. Life is habit, পুন্সি অসি হৈনখিবা অমনি। পুন্সিগী হৈনবী অসি বেকেটগী থম্মুংদা পাল্লি, কাওই; মদু পুখোকপনি। 'ৱেটিং ফোর গোদোৎ' তা উৎলিবা— গো'দোৎপু ঙাইবিবা অসিন্থ ঙাইবা হায়বসি মীওইবগী হৈনবীনি; হৈনবীসিদগী ঙাইবনি, অদুনা ঙাইবা হায়বসি পুন্সিনি হায়বা উংলি। পুনসি অসিমক কৈগুম্বা অমা ঙাইবা মাল্লি; মদু ফংগত্রা ফংলোইদ্রা হায়বদি মীওইবা অমতনা খঙদে; ঙাইদবদি ঙমদে; মবমদি ঙাইবা হায়বসি মীওইনগী হৈনবীনি;

অস্নুমা বেকেটনা হুংদা চঙশিন্দুনা থিবা খো'চৎ অমদা চৎলম্মী অদুগা মদুদগী পুখোরকপা হুংগী পুনসি অদু উবদা নোবেল প্রাইজ কমিতিনা তুমিন্না লৈখোকপা ঙমখিদে। মমাংঙৈদা প্রাইজ অসি পীবদা পীগদবা মীদা পীদনুনা পীবোইদবা মীঙোন্দা পীখিনা য়াওরমবা য়াই, অদুগা মতুংদসু য়াওরকপা য়াই; অদুবু হন্নক সেমুয়েল বেকেটতা পীবিবসিমদি অচুম্বা খুৎথননি হায়ব য়াই।

হোয়দ-হৈ !

ঙসাইদগী মখোই মতা তরুক ফম্বরক্লিবনি, মচি শংনদে। মুমিংসু ফনা চায়শিল্লক্রে, চাক চাবা খোংপা অমত্তা তৌনদ্রি। অমা মমাদা তারিবা য়েক্তেঙ্গলার মচেং খর খরদুদা য়েংলি; মশক চপ মান্নবা মপাঙ্থাংদা উরি মঙ্গুংদদি করি কৈরমংগদবা মাদুগী অরোনবা অদুবু ফাওনবা হোংনবদা মাখোই মশেল হারি। আলেকজেণ্ড্রগী তোকয়ান্দা অকিমেদিশনা হাংখিব ড্যামিতিগা প্লান নত্রগা পিকা সোনা য়েক্লম্বা লাইদগ খ্যব মতেক মতেক লৌখোকপনা হেন্না লুরমগত্রা ? নত্রগা মনিপুর সরকারগী ইণ্টরাভিউ তৌদ্রন লৌগদবা কর্মচারি কেওিদেটশিংগী থুবাক মখিবু মনিপুর এস্তোলোজিকেল সোসাইটি মকোক শ্রীগোপাল সিংহনা য়েংবনা খরা লাইরমগদ্রা ? অদুম্মক মখোই মতা তরুক্তো অতুম হঙ্গিন হঙ্গিন য়েংন্দুনা লে। তোম্বানোখোইগী ইমুংদনি। মনাউ মুপা নন্দকুমার লাক্তনা ওংপাক্তং মনাক লেপ্পরে, চাফুং চানা মঙ্গল কাংথো থবা পুরকউ হায়না মচোন্দা থোদাখিবগা ওইনা খজিক্তং পুরক্লাবদু মাখোইদা শিরয়গা মহাক্কী পৈশা লৌগদবা মমল থিনবা তৌদনা লৌরগা অমুক চংখি। নন্দকুমার নেচরগী মীনি হায়গত্রা নত্রগা, নেচর কৌগত্রা মশমহনা কক্তে, মকোইমরাং ইচোম চোন্থৌ। মফি তপ নম্বা কাউবোই খোংগ্রাউ মানবা অমা শেংলি, যুনম দক্ দক্ নম্মি। মপুক ফুরিৎ মহুংদা থাং অমা লোত্তুনা পুনশুমসু তোই ! কম্মিবশিংহুগী অমনা— "তোম্বীনো, নখোইগী নন্দকুমারগী থবক অমগী নহাননী ইণ্টরভিউ অদুবু !"

"ইণ্টরভিউ য়াম্না তৌগ্নরনি। মাসিনা চো কমচাদবসিদা' সরকারগী থবক অমদা ইনশিখিত্রবদি ঐ য়াম্না ব্বারবনি।

'হেরা, খরা ভাগন-খোংনৌদনা; সরকারগী থবক অসিদি মখোইশুম্বা ময়াম্না চংনবিবা ভাক্তনি; চংহৌত্রবদি মপুক পুবা চংদতুনা হয়েং ব্বানি। চৌজিকক্লদবু ফম হাপ্পদা মেরিট য়েংনবরা ?"

মযামতু "উউম হায়না শাংনা হায়মিন্নরগা মখোয়গী হান্নগীদুনা অমুক।

তোম্বীনোখোয়গী মযুম, ব্বাগী শাঙ্গোই পৈরি পৈবি তৌবা অমা লৈরিবতুমথাই, চহি ২০ চংনা ভারতকী স্বরাজ ফংগ শুনিত্তগী য়াত্রা চুন্দুনা শাখিবনি, লোইশিনবা ওমত্রিবা। কনাগুম্বনদি হায়নৈ মনিপুর ডিভিলোপমেণ্ট ব্লোকতগী ডজনিথাই মশক্ল। ইমুং অসিগী শুমংদা মুপী মীথাংরপ চনবী হন্নবি অম ফেংফেং চাংহুনা মনিং কাংলি কালি চৎলম্মি। তোম্বীনো নন্দকুমারখোইগী মমানি। মচাশিং অহুদা ব্বা অমা ফাউ ভাংদে, লেপ্পাইনা থাংনৈ মপুক ফম্বে, মচা ব্বারকপা হৈত্তে-অহুত্তনি মাগা অশোইবা অহুবুদি মৈতৈসুপী পুম্মক্লিদা লাইরিক বি,এ এম,এ, ফনা পাশ তৌবি ওইতুনসু মৈতৈ মুপীগী পেটন্দাদ অহুদি অতুম হাংত্রি। তোম্বীনোখোইগী মমাসু লৈকাইগী ভাংনবা অসিদা অংম য়াই। হোইনে কৈরু রাইদে, অশুম্না লেইসে ফ্যারে পোনিসিদা আত্মসমর্পন তৌহুনা লৈখিনি। থুমোক অমগা থুবাক অমগা পুরকা প্রপ প্রপ থোকখি। মমা

মতা মখোই অহুমতা লৈবা ইমুংনি য়াম্না যজনা কোওর্দিনেশন তৌনৈ, বিলাত্তা লণ্ডন্দা তম্লবা হল্লাইবম রনবীরনা শিনবা মনিপুর সরকারগী কোওর্দিনেশন অচনা হেনবা নত্তে।

মমা থোকখিবগা তোম্বীনৌথোইনা ফম্লম্বা অহু কোওওরেতিভ সোসাইটি মনিপুরদা লিকুইদেশন তৌগনবা মওং অহুগুম লোইশিন্নরে। মতম অশিমক্তদা থোকখিবদা ভাইবিবা নন্দকুমার অহু থাংনা শোক্লে হায়রগ, নন্দকুমারনা থাংবু শোক্লুবে হায়রগ, মী শিহৌদৌরে আ শিরে হাংয়ে মহুম্ন খ্বাইরম্বন কৈথেল ময়াইদা তৌনবা থাংনা খিল্লম্বা অশোকপা অহুদি থানান ফাক্তৌরে খিল্লম্বা শোক্লবতদি চেনখ্রে। মশক মমিং মুম্না খংহৌদে। খংনববুদি য়াওরমগনি অহুবু হায়দোকবা য়াশোং নত্তে, অসুম্না পাউ অনা ওয়্যরে। তোম্বীনৌসু কৈথেল্লোমদা পাও অসি তাবগা প্রপ প্রপ হাইগংখি।

শোকইবহু মনাওমক্তি নংলমল্লে, শোকহল্ল মিবহু ওইবল্লে। তোম্বানৌ খিত্তং নেনা ভাই। থল্লাই লৈবা ওমদে, মরাল থৈবা ওল্মি। কেশ তৌদ তৌনরগা উকিল নেক্কনি, লুপা মপ্তা তবা পিরগা মাগী কার জাপ গাডীদা তোংহন্দুনা পুনবা উকিল মযাম লৈরকালসিদ রা ওইনবু তৌশিল্লে। থজীক্তং কেশকী শেল পিরবদি পোমক্রি ইল্লংসু চিংদগী হল্লকপা ইক্কজদবা চাহি তবেং শুরবসু উকিল মাগা হেক্তা মাগী জীব কাব অহুদা পুবিহুনা চংপিরিবা লৈবাক অসিদবু—। ফাদোপ ভাদ তারমদাই ওইরগা জজ মশা থংনম্রবসু মনেম মকু মতু অতোপ্পী থংনবা য়াম্না লৈ। ফাবু ফাইল্লোইদা ইনাক্তসি, মণিপুর থানানা কাবা ওমদবা এক আই আর কেশ অমুক য়াম্না পুলিশ ষ্টেশন্দা লৈখিরবশিং অসিবু কনানা থিগংপিবগে? শোকইবা মী হায়রা ঐথোই মৈতৈ মশেলনি, থবোই অহাম্বা কাইওবনি। শোক্লিবা মী অসিনবু নন মনাপুরি ওইরমদবা ইস কয়াদা ফখ্রবা—। নত্রবসু ওযেষ্ট বেঙ্গল সেক্যুরিতি এক্টগী সেকসন ১১ দা কোইতান ভাগ্রহুনা থ অহুম লোমদি জামিন থাদমথৈ লোকঅপ্তা কবিদা থমহুনা নন্দকুমারসি রারমগনিদা মনিপুর থানানা রাজপদবা কয়া।-মনিপুর পোলিটিকেল প্রতি হায়রা ভোট থোম্বগা ইলেক্সা সেপ্লশদ'ন হৈরিবা লৈবাক্কী করিগী রাদি ভাংজবন হৈজ দ, এমপি কাবগা টেবলদগী ওম্থিবা লালমোহন থন্দুনা চারিবনিদনা। এম এল এ ওইরগা ইঞ্জিনিযার ওফিশতা চপ্রাশি স্কুলদা ফমহুনা বিল থরা শাবিবু হায়বা ওল্লবনি। অসুম্না মণ্ডল মণ্ডল থল্লিবা তোম্বানৌহু মমাগ লমথাংদা হেক থেংনরে। সরব নাকচিদা কোথোক্লুনা ইশা পাথংনা হংশবই—"নশাউঃবু কদাই লৈহৌরি? করা তেগিগে, ইমাদি মিহুন শুজ্রে।"

তোম্বীনৌনা "কৈসু তৌদে ইমা' অগহুনা থরা কাইমাল্লে, চা থক্লিউঙদা থেওমত্রা করিনো ঐথোইগী নন্দকুনার সিদা তৌবা জাংনি। মানদি থবা শাওগল্লিদে, মাগা মার য়ংদে হায়বসি অমহুনা থংদহনা হেক মান্নবদগী তৌবা।"

মমানা "ই নংগী রাসি ভানদা থব হেককৈদা কৈনো মনিপুরগী কৈথেল কুশিশংাস মচিল খিত্রে ঐথোইগী নন্দকুমারনা লানশা ওক্তা তাহনবা। অমহুসু দোষ লেভবা য়াত্র? ফরে ন ননে নমাউহু ফাখিদনবা থরা হোংনৌ। অহুগনে স্নপামচা থরা ওম্না যুমদা হাজিল্লকউ"

অহিং পুং ৯ তাবা মতমদনি, তোম্বীনো ময়ুম হজিকপা মখেইগী কোম্বোং ময়াদা হোৱা স্নাখোংনাং মখোং অগ্দা লেপ্লিন্তৈর্দনি মখোইগী ইংখোল কাউদুনা নুপা অমা সাইকলথ শুম করিগুম তৌদুনা মোল্লি মোল্লি তৌদুনা তোম্বীনো যুমথনবা ইনাকখুনবা নদিয়াগী যুম মানংথোং-লোমদা চংখিবা অমা তৌই। মানা মী কনানো চ লিবদু হায়না লাওসিন্না তৌ বু নদিয়াগী চেক্কী দালান অগ্গী মনিংথংবা বাবগী থো নাউ হাংদো-রকপা অমা উই মাদুদা জুলয়েট শাবি নদবা মচাদুর্পী মী হল্লকাপ ভানু অসি হেক উখিবগুম তৌখিঅদুনা মন্না কাদুনা অদুম লৈরুবে সঙ্গোই অগৌবদা লৈজৈ হায়বদুমগুাই, তোম্বীনৌনা থল্লম্বদি নদিয়াগী মচা মৌ হল্লকপি ভানু অসি লোগে মথল্লম্বনি। মান্নু মতু অমা আন শুরবনি লোইনা থাইনখিদুনা মথন্তা ভাইরবা। অদুবু ওসিদগীদি কমদৌনি, মীনা বাহন হানখেৎদনা ওস্থুম্না খোংবাং খোইশাওননা চংলকপদা মমাগা মনাওচুপাগা ইমুং অৎদা লাউনরম্মি।

মমা ইবুঙো তোকও, তোকও, হয়েং নংগী লুপ কুম্বাদ্ধ পিগে, হৌজিক্কি ইমাবু বদাইগী লৌক্ক, হাযবগে নিন না মীগী মচা অমা শিত্রা চাত্রা থংগ্নি মসিগী রাথোক কেশ তোনবদা শেল কয়াম্মা চংগদৌরি।

'C2 মাই গুট, নংগী অদুনা লুব্রা, হৌজিক ইমান্নবশিংগা চামিন্নবগী খরচ পৈশা অমত্তা লৈত্রিবনি পিযু, পিদবা মারোং ইংথোলসি মচেং অমা য়োনগে য়োম্থোক্লু চো। নত্রদিনে-" হাযনা হায়না মখুত্তা পাইরিবা থাং অদুনা কাং-থোনদা অমুক মান উথোংদা অমুক মান তৌখি।

মনাউদুপাগী মতৌসিদা তোম্বীনো তুম্মিন্না দুং হন্দোক্লবক্লগা মপানগী সোরোক ময়াদা ফমদুনা লৈবম্মি বিড়ি মত্তেক অমা চিংলদুনা। মুম থল্লিং নদিয়াগী চেক্কী যুম মাখোইগী শঙ্গোই খরচ পৈশা লৈত্তে কোম্বোংদা হৌরিবা সোরোক মপানগী মখোইগী মবুথোনা থারম্বা খো নাং অসি য়োম্বো-ক্লগে উপাক পাইনবা বিম ফনা য়াম্না থোক্কনি। ভানু অসি অহিং মন্না আনবাজাং ওইরে মাগী নুপা অসিবু কনা ওইরিবগদগে কাদুম ফাসিন্না? ওসাইথৈ আকাশবানি রেডীওগী পাউ অসি তাবু ভারমদ্রি — 'নন্দলাল শর্মনা চিদুনা হঙ্গরস্ট্রাইক তৌই মরমদি মুনিসিপাল ভোট লেপ্পবগী প্রোপু-লরিত্তি তাল্লিবনি কলকাতাদা অজয় মুর্খর্জী কৌবা বা লাগা চিফমিনিষ্টরদু চবা হেংল্ল মম দি মী থাংনা থিন্নদনবা। থিনু গৈদা কেতুকীনা চিংদুনা গ্রাম সেবক মণ্ডলগী মিটিং অমা ফমদুনা খোংবাল লুক্লাং শে বগা প্রস্তাব অমা পাশ তৌখ। অহমদাবাদ সেসদা সিন্দিকেট কাংবু কংগ্রেশনা ইন্দিবৰু থিনা থিনা গৈখি। মনিপুরগী হবাপান পুং কুম্বাব মুংশাঙশনি নোংম্ব চুপ্নাই, ওসিগী ইপাউ লোইজরে মথংদা তংবিনসি, হিাংদদা উংপাং।"

ইমুংলোমদম্ব খংনবা ফবে হাযদুনা তোম্বীনো চংখিদুনা চাক থবা কুফা কুফা চাবে। নো মদু হৌখ্রে।

নোংঙাল্লকপদা থানা বাবু অমা লাক্লনা তোম্বীনৌগা জুক্ক জুক্ক উনখি। থানা চংখ্রবা মহুংদা নদিয়াখেইদা তোম্বীনো চথোক্লুই। অহলদু হিদাকপু অমগা প্রোক প্রোক তৌদুনা লৈবম্মি। তোম্বীনৌনা শেল থন্না পুগে হায়ক্লবদা নদিয়ানা ইংখোল মচেং অমা লোরগে মচাদুপী ভানুগী ওইনবা থম্বীরগে হায়রবদা থরগা ম্নোংলিং লৈবা

তোৱাঁবৌ অহু যেন্না লৈতে হায়না মমল কাও লোইথোরক্লে।

মুমিৎঅহুমক্তদা রেজীষ্টার তৌহূনা ঘ্যানখ্রে অযুক লাক্লবা থানা বাবু অহু মুংদাং উনখি। অহুগী তোৱাঁনো সিনেমা মমাংদা খাঁইরম্বল কৈ-থেলদ পুং অনি অহুম লেপ লেপ্লুনা মীগী চগী য়েংহূন লৈরম্মি।

হোয়দহৈ, মুমিৎ থা অনুম লৈরি মনিপুর অহুম লেংত্রি হোংলিবা লেংলিবদি ঐতনি অনুম হায়না মনিপুরগী ওঝা মহাম অকৈনা তৌনবগুম প্রোফে-সার নিলকান্তস্থ পাওংগী মুকাম্দগী ডবলরুটি অম লৈরগনা একাগাড়ী তৌ হূনা ময়ুমলোমদা চুমখি। মঁন পুর মাংবা তারে হায়হূনতা লৈবা পেসিমিষ্ট ওইবা মুথ্ নিগ থুরগী চেকোং মেগ জীন অ মু পায়হূন নাহা অমা অনিস্থ চংখি।

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা ফোঙজবা

শ্রীবীরেনগী—

লৈচিলক্কী থাজ

মমল লুপা ৩০০

"শ্রীবীরেনগী হৌরাশিংনা উৎলি—
পুস্লাসি হিংবগী কবি কারিবগে?
অমনা অমবু থঙনদবা লমজাওদা পঙচত্তা মংংগ।
জাৎনি পুক্নী হায়বসি।" – নীলকন্ত (সাহিত্য)

লাই অমগী বিন্দু

মমল লুপা ২৫০—

লাই অমগী বিন্দুদা শৈরেংকুল য়াওরি।
" অনৌবা টেকনিক, অনৌবা বাখল অনৌবা খোঙথাং অমদি মুর থে নগনি অমমুং লাইনিক মতংগী কবিতাগী প্রতিনিধিনি হায়বা অসিগাদ অসিচুমগত্রা হায়না নাংই।"

—নীলকান্ত (সাহিত্য)

মনিপুরী লোনগী বানান

মমল লুপা ২০০

মপক লৈপত্রিবা মনীং মথা হুমলিবা বানানগী মরমদা করম্না অরেপ্পা মপক অমা থমগদগে হায়বসিগী মতাংদা লৈনবিরি কলাচান্দ শাস্ত্রী নন্দলাল শর্ম্মা, খেলচন্দ্র, নীলকান্ত; নীলবীর শাস্ত্রীনাচিংবা অথঙ অহৈং-শিংগী তোঙাঁন তোঙানবা মিংয়েংদা।

লাইরিক মশক তাকপা

মংলৈবাক

অইবা—শ্রীতোকপম ইবোমচা সিংহ
অফোওবা—শ্রীএ, ঙাংবা সিংহ অমস্রুং সি, এটচ, সরত সিংহ
মমল— পুপা ৫·০০

শ্রীতোকপম ইবোমচা সিংহ নহা ওইরবস্রু মনিপুরী সাহিত্যাদাদি মমিঙলৈরবা লেখক অমনি। ''মংলৈবাক' (মঙলৈবা ?) মাগী অনীশুবা উপন্যাসনি 'মোংকম' গী মথংদা। শ্রীইবোমচা অসি ঐখোয়না খঙনরিবা ''রোমান্টিক স্কুল' হায়রিবা শাগৈদা তিনবা পামজবা উপন্যাসকার অমনি। মতাং অমদা মহাক্না পনবিখি—রোমান্সবু মুংশিজবা অমদি য়োকখৎচবা পামজবা নিপা অমানি। অদুনা মহাক অসি অপাম-মুংশিগী তাইবঙদা কোইতাও ঙাওনা চেনজবা পামবা, পৃথিবীগী হৌজিক হৌজিক চৎলিবা অচুম অরান, হিংনবগী অমদি বুদ্ধিগী লাম্বেংদগী লাপথোকখ্রবা মঙলানগী লমদমদা চাকতাবা পামজবা উপন্য সকার অমনি।

মহাকী 'মংলৈবাক' হায়রিবা উপন্যাস অসিদস্রু মানা হৈনজররুবা 'মোংকম উপন্যাস উপন্যাসতা য়োক্লিবা লবুক লমহাং, চৌংথুং-মাথুং অদুদগী য়াম্না হেন্না নিংখিজবা উংলি। অশেংবমক মোংকমদগী হেন্না মওং তাবা, নিংখিজবা উপন্যাসনি। ভুবনেশাংগা তায়নবা, সভ্যতাগী মতাল থোইনা কংজবা চৌংগী লমদম অমদা উপন্যাস অসিগী থৌদোকশিংগী য়ুম্ফম। হায়রিবা চৌংগী লমদম অদুগী চৎনবী অমদি পুক্নি অদু য়াম্না নিংখিজনা উংপা ঙমলে। অপাবা মী খুদিংমক্তা উপন্যাস অসিদা য়াউরিবা থৌদোকশিং অসিনা নমথুদা কোইচিং চিংথুনা পুগনি। মসিগা লোয়নগা অকিবা, থুককৎপা, তুজুবা কন্না থাজবগা লোয়ননা খম্মোয়দা কাওহনগ ন। অদুদগী কনাগুমবী অপংবী, তোন্নবী মুপীমচা অমগী "হীক্না তেংথা নাওইগুম' মুংশিরবা খোঙ্গেল অমা লাইরিক খুমজিন্নবা ফাওবদা নাকোংদা তত্তনা তাথুনা লৈগনি। অদুগা ম'সদা রাহং অমদি তত্তনা হংক্লি— অচুম্বা ওইরিব্রা ? রাহং অসি করিগুম্বা মঙলান অমগী থাজত্রবা অদুগা কদি ফজখ্রবা থৌদোক অমদ হংবা রাহংনি। অশেংবমক রোমান্টিক রাইটরশিংগী মায়পাকপা রাহংনি।

মনিপুর সাহিত্যাদা হৌজিককাও চংলিবা উপন্যাসকা ঐচেন্দ মুংশি-মংওনগী রারিনা মপুং ঙাক্লি। থোইদোক্না লমতু চৎপা থৌনাকবগী থবক, এডভেনচরগী ওইবা উপন্যাস য়াম্না রাংলি। শ্রীতোকপম ইবোমচাগী 'মংলৈবাক,' অসি অপাম মুংশিগী পিক্লবা লংলা অমদা য়ুমকম ওইন্না শাপংপা রারী ওইরবস্রু মনিপুরী সাহিত্যদা চথরক্লিবা কাহেল্লবা অপাম-মুংশিদা ঙাক্লবা

শকুমশিংগী তোঙাল্লবা, এডভেনচরগী থৌদোক্কা মরম ওইবা উপন্যাস অমনি।

অহুগা উপন্যাসকারন অপাম মুংশিগী মরুমদা য়াম্না ফজরবা থাহং অমা হংলি—মঙলৈবাক কদায়বু কৌবগে? লায়র চদংনরবা চন্দ্রনা মাগ মুংশিজরবী সনাহনবীগা মফমদগা হকা বা নঙলহুনা মাগ মরুপ বার খিবা ওইনা মমা কামিনি অমাদ মচন মুপা লঙা হুন্দোক্কম.না চৌংগা অকিবা মফম অমদা চাকাখি। মহুদা য়ানা থনখি মফম অসি মঙলেবাক্কি। চাউথৎপগা মঙাল ফঙদ্রবা হিংচা-য়াহঙথাশংগী য়াঙাথম। অদুবু চাউথংলবা মীরমলেন অসিদা অশেংবা মুংশিবা ফঙদ্রবা মহাক্না চংনা গাংবুরা (খুলাকপা) অমগী মচানুপা গুন্নানি থেঙনহুনা থম্মোই ইংবা ফংখি। চন্দ্রনা মঙলৈবাক্তা অশেংবা মুংশিবা ফংখি। অদুনা গুন্নানিনা মপুরোইবা চন্দ্রগা লোয়ননা মানপুর থোক্লকাখি। মুমিংকি মঙাল-ফাও ফঙদ্রবা মঙলেবাক অদুদগী চাওখৎলবা সভ্যতাগী মঙাল ফঙলবা তাইবঙ অমদা লাকখি। অদুবু গুন্নানগী মফমদাদ চাওখংলবা তাইবং অসি আকৃবগী মশক ফংলবা মংলৈবাক ওহরম্নে। মাওইবগী মমল য়াঙদ্রবা, মীহুৎশি খঙদ্রবা, ওইজ-মত তানবা মঙলৈবাক্কী মী ওাক্তা ঙাইরম্নে। অসিগুম্নবা মঙলৈবাক অসিদা মপুরোইবা চন্দ্রনা হুন্দোকপিরমহুনা গুন্নানিগা পুস্ন লোমখি—চাক্লা চাক্লা।

অদুবু উপন্যাস অমদা য়াম্নমক লুরিবদি অচুম্বা ঊংপনি। অইবগী মিংয়েং অদুগা চান্নমা থোকহল্লিবা থৌদোকশিং মহুদা পাংথোক্লিবা মী ওইশিং অহিংবা মী মালহনগদবনি। অচুম্বা ওইহনগদবনি। মতাং অসিদা উপন্যাসকারনা য়ে-ক্লিবা চরিত্র থরসিগী মথংদা গুন্নানি চন্দ্র অমদি কুল সাহেবদি মচে কুঞ্জ নত্তনা অতৈচ রত্রশিংদি য়াম্না শোম্না য়েকই। মারাগী মতেং ওইনবা থোদে কি তেংবাং ওইনা হেক্তা হাপচিনবা মীওই-শিংনা উপন্যাসদি ফজব মাওহনবদা মতেং য়াম্না পাংই। অদুবু মাশা ওইরম্মু কুঞ্জগী চরিত্র অসিদি য়াম্না নিংথজে। মিত্তা শং শং উহল্লি। মসিদগী উপন্যাসকারগী চরিত্র য়েকপগী মহৈ অমদি মাওনা লৈ হায়বসি হায়দবা ঙম্লোই।

অদুগা চথরক্লিবা অসিগী মারি মপুম লী-(শাংদা) গুন্নানিগী অপোকপা মপা থুনগী খুল্লাকপা (গাংবুরা) বু ত্রিপুরান মৈতৈ ওইহল্লমহনা মৈতৈলোন শঙহনবা অহুনা গুম্না নম্ব কবো নিংঙোল অমগী মচা ওইহন্দুনা শাংলবা থাবা শিংবুল অমা শন্নখি বা অহু থোইদোক্লা কাম্নদে হায়না খল্ল। উপন্যাস অসিগা মপুমদা, পুনসিনবা মিংয়েংদা মসিনা থোইদোক্লা তেংবাংলবা নত্তে। অহুগা উপন্যাস অসিদা থোক্লবা থৌদোক থরদি খুৎশেন মানবা য়াউদনম্মু নত্তে। পঙলবী গুন্নানিনা খুদো শিবা অরাবা থেংনরিবা অহুকি মখৈ অপাবা ঐথোযদা হেন্না মুংঙাইতবা পোকই। অদুবু রেলগাড়ীগা থোঙচত্তা থেংনবা থৌদোকশিং অদু মশানা থেংন-জরকপা খুদোংথিবা মান্দে। অনিগুম্বা থরা অসি থর কুপ্না য়েংশিল্লবা থোক্লবদি হেম্না ফজরমগানি নিংই।

খুংইগী মরমদা য়েংলুরবদি ইরিবা উপন্যাস অসি বঙ্কিমযুগকী খুংইনি। মারীদা অঙকপা ফংনা যহুগা লোয়ননা লীবা অহুগা অপাবগী পূক্লিং লাকশিনবা খুৎইনি। মাইকৈ অসোমদা

শ্রীইবোমচা থোইদোক্লা মায় পাক্লে হায়বা য়াই। মঙোন্দা য়ারী লীবা হৈবগী শক্তি অমদি লোণ্ণুনা লৈরে। অহুনা মাগী উপন্যাস অসমু বঙ্কিমচন্দ্রগী 'কপালকুণ্ডলাগী মমি নিংথনা তারি। কপাল্লিকী ফিরবা শুক্লবা লমদম অহুদা ইথা থাজদনা মঙ্গলান-শুম্না নবকুমারনা কপালকুণ্ডনা থেংনখি। ইবোমচাগী 'ম লৈবাক' অসিদসু চন্দ্রগা শুমনিগা থাজদনা থেঙনখি। মসিদসু নত্তনা প্রকৃতিগা শাগৌম্নহুনা লাক্লবী কপাকুণ্ডলানা মীওংবা সমাজদগী থাম্না চেনখিবা খেন্নরবা তাইবগ অনিগী শক্তম ম লৈবাক' অসিদসু উংলি। অহুবু লেখকি তোপ তোপ্পা তাইবং অমদি শাগংচৈ। মংলান মচা অমদা তাওৗরে। তংশংবমক চীংনি ভোল থান্নিদি প্রকৃতিগী মমোমংলাম্ন শকুন্তলা, মিরান্দা অমদি কপাল-কুণ্ডলাগী মনাক নকপদা থোইদোক্লা নোপ্পা তারোই হায়না নিংই।

অরোয়বদা য়াহং অমদি হংনিংই-করিগীদমক্তা লাক্লরবী শুম্নিনিবু অহুক য়ানা শিহল্লিবনো? চন্দ্রনা করিগীদমক্তা শুমনিবু লৌশিনবা ঊমাক্লিবনো? পাউথুম ওইনা থুম্বা য়াই-সতী সিতা করিগীদমক অহুক য়ানা পুন্সি লোমখিবগে? অহুবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ইবোমচাগী "মংলৈবাক' অসিদি লেখক মশামক্তা হায়জবা য়াখলগী কেথেন্দা থাউবা মংলান মচা অমনি।" হজরবা মংলান মচা অমা।

নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ

সাহিত্য জগৎ

পুলিশকী মখুতা লৈবা লাইরিকশিং

বাংলা সাহিত্যগী খুৎইনা ইবা ওইনা লৌরা লিশিং অমা চামা কুন্থ্রাতরক (১,১৩৬) বুক লালবাজারদা লৈরিবা কলিকতা পুলিশ হেদকার্তরদা লৈরি। ব্রিটিশ সরকারনা পাল্লি-মেন্টা করিগুম্বা লৌরা অমতং শায়রগে হায়-রবদি লৌরা অদুগুম্বা অইবা লাইরিক অমা সর-কারদা পীরগা শান্নবা য়াথং লোগদবনি। মসি-গীদমক পীথংখিবা লাইরিকশিংনা। হায়রিবা সরকারগী চৎনবী নিয়ম অাস ১৯৬৭ ফাওবা চৎনরম্মী। লাইরিক ইবাশিংগী মরুংদা বাংলা সাহিত্যগী অথোইবা লেখক কয়া য়াওরি। কবি রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'বিসর্জন' কৌবা লৌরা অদুগী খুৎই লাই-রিকসু লৈরম্মী। হৌজিক্তা বিশ্বভারতীগী ভাইস চান্সেলর কালিদাস ভট্টাচার্জিদা থিয়রখ্রে। লৈরিবা লাইরিকশিংগী অইবশিংগী মরুংদা — মহাকবি গিরিশ-চন্দ্র ঘোষ, ক্ষিরোদ প্রসাদ বিদ্যাবিনোদ, অমৃত-লাল বোসনচিংবান।

সাহিত্য একাদমী

বাংলাগী ফাওরবা অথোইবা উপন্যাসকার ডাক্তর তারাশঙ্কর বন্দোপধ্যায়বু সাহিত্য একাদমী-গী ফেলোশিপ চন্‌শিনখ্রে। মহাক্না নোংপোক থংবা ভারতকী অহানবনি। নলিনীবালা দেবীদা 'অলঙ্কারানন্দা' কৌবা লাইরিক ইবগীদমক অসামী সাহিত্যদা অনৌবা লাইরিক হায়না ১দি সূর্য্য-নারায়ন দাসপু 'ভারতা সাহিত্য ইতিহাস' ইবগীদমক সাহিত্য একাদমীনা প্রেগ মনা পীখ্রে।

রুসিয়াদা লাইরিক ইববু ভাগথোকপা

দি রুসিয়ান ফেদরেল রাইটর্স ইউনিয়ননা রুসিয়াগী উপন্যাসকার অলেকজেন্দর সোলঝেনিৎ-স্যানবু সোভিয়েট ইউনিয়নবু লায়া ইবগীদমক য়ায়া থিনা তৌখিখ্রে; মরৈবাক থাদোক্‌লুনা নোংচুপকী লৈবাকশিংদা লৈরুগে হায়রবদা থেরা লৈজে হায়-খ্রে। "অাইভান দেনিসোভিচকী পুন্সিগী নোংমথক' হায়বা মাগী উপন্যাসতা রুসিয়াগী জেলদা স্টেলিনগী মতমদা লৈরবা পুন্সিবু থিনা ইরি। 'দি কান্ট' সার্কল ১দি 'কেন্সর ওয়ার্ড' কৌবা উপন্যাস অনীমসু ই। রুসিয়াদা লাইরিক ইবশিংনা কম্যুনিষ্টকী নিয়মদগী মত থেরবা য়াদে হায়না স্তেলি টেলেগ্রাফ ১দি সোভিয়েটস্ক্যায় রুসিয়াদা হায়রি।

ভারতা সাহিত্যদা লালহো

উরিষাগী শৈরেংগী জগৎতা লালহৌরিবা কবি রবি সিংহনা "রেপ অফ উরিয়া লিটরেচর" হায়বা লাইরিক হন্নুনা ভারতা সাহিত্যগী অনৌবা মশক অমা পুথোরকাল। হায়না লেরমলিবা উরিয়া সাহিত্যগী ইতিহাস অদু শেমদোকপা তাই হায়না লাইরিক অাসবু ফোঙবগী মিতিংদা রা ভাগথোকশিংনা অহৈনবু থাগৎপগা লোইননা হায়রখ। ভারতা কবি, ভারতা পণ্ডিত ১দি লাইরিক লাইরিক হৈবা কয়ানা রা ভাগথ।

মনিপুরী সাহিত্যগী থোকচং

মনিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনেরেল সেক্রেটরী শ্রীথুনঙ্গেম ইবোহল সিংহ ১দি উপন্যাসকার শ্রীহিজম গুনো সিংহ অনানা পরিষদকী মীহুৎ ওইনা নিউ দিল্লীদা চৎলুনা মনিপুরী লোনবু ৮শুবা সেদ্যুলদা চংহনবিয়ু হায়না পিটিশন কমিটিদা পারিষদনা থাবা দরখাস্ত অদু থিল্লুই। অদুগা প্রধান মন্ত্রি; হোম মিনিষ্টরসু উনরকই। হৌজিক মথা কয়া চৎথরি। সরকার ওইবা মচাক খোমজিন্নুনা লাইরিক লাইত কোঙবগী থবক তৌরি।

পুং ২৪গী মনুংদা তেংবাং মখল অমা

১। থম্মোই শেংনা ওমজবা তেংবাং মখল অমা লৌবিয়ু তম্ফা ষ্টোরদগী।

২। হেন্না কজবা অমস্থুং থর হন্থবা মখলগী নিংথম-কালেন পুম্বদা ফি তুবগী ওর্ডর লৌজে।

৩। তের্লিন, তেরিউল, তেরিকটন, শামতু, লংজম অফবা অমসুং খাদি থরদং অতাবা মমলদা লৈজরে।

৪। ফিগী মমল লুপা ৫০, ১০০ দগী হেন্না চঙলবা ফি তুবদা লুপা ১০০ দা লুপা ২০ দং এডভান্স পীবিহুনা ওর্ডর তৌবিয়ু তম্ফা ষ্টোরদা।

৫। তওায়কত্রবদি পুং ২৪ গী মঙুংদা অদোমগী স্যুইট অমা তুরগা পীজবা ওমজগনি।

৬। খারৌবিদন, কলেজশিং হায়স্কুলশিংগী অশেংবা ছাত্রনি থঙহনবিরবদি অতুমন খুদিংমক্তা লুপা ১০০ দা লুপা ১৫ শোয়দনমক হস্থনা লৌজগনি।

৭। চহীগী ওইনা কলেজশিং অমসুং হায়স্কুলগী মঙুংদা খুদোং চাদবা ছাত্র অমমমদা কটন, সার্ট, পেণ্ট জুরা ১/১ তেংবাংনবা ছাত্র ইউনিয়নগী সেক্রেটারদা তাকপিরক্রবদি হয়াউজগনি।

৮। মপাল থোক্লা মহৈ তমলিবা ছাত্রশিংগীদমক থোইদোক্লা পুন্নমক্তগী অতাংা মমলদা অ‌ঃমন লৌজগনি তম্ফা ষ্টোরনা।

৯। তম্ফা ষ্টোরদা লৈজবিবা ফিশিং অসিদা পাম্বীত্রবা, অদোম্না পাম্বীরিবা ফি অতুগী মচেৎ অমত' পীবিবগ, লোয়্নননা ফি ফংকম তুকান তাকপীরবস্থ ওর্ডর লৌজগনি।

১০। মথক্তা হাঙজরিবা অসি অচুম্বরা নত্রগা পঙহায হায়জিনবরা নোংমতং য়েংবিনবা লেঙবিরকউ অমসুং অকুপ্পা অতুমনস্থ থওবিগনি।

১১। ঐখোয়গী থবক্তা অয়ানবা, অশোয়বা, হৈত্রিবা মতাওশিং' নোংমতং লেঙরিক্ত্না প্যাউতাক পীবিরম্মু শেংনা লৌজগনি।

নয়ামগী

তম্ফা ষ্টোর

কাংজৈবুং মনি গী লম্বী মচাদা

টিকেন্দ্রজিৎ রোড ইম্ফাল।

রেজিষ্ট্রেসন নম্বর :
আর এন [illegible]



মৈতৈ সাহিত্যগী খেশোয়বাশিং

নাডোল

শা[illegible] লীলা

অমুক হনথরা এইগী মরুপ

মিং খুবা

হৌজিকী মণিপুরী থিয়েটর

বাখল

অনীশুবা চহী, নিপালতুবা মশীং
মার্চ্চ, ১৯৭০

কৌজরি লাকপীয়ু

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি সাহিত্যবু পামজবা, লাইরিক ইনিংবা নহারোলশিংগী সংস্থাননি। নহারোলশিংনা মশা মশাগী অশেংবা মগুণ (Talent) মতিং মপুংফানা ফোঙ-দোকরবগীদমক হোৎনরিবা সংস্থাননি। মসিদা অথিংবা লৈতনা নহারোলগী অপাম্বা ঝাথল ফোঙদোকরবা হোৎনজৈ। নহারোলনা মনি তম্না থবক তৌবা ঙম্বা মী অমগী Talent অহু চপ চানা ব্যাবহার তৌই। নহারোল চঙবিবকউ থবক তৌমম্মসি ইম্ফালগী কশামপাৎতা লৈবা রাজকুমারী রেষ্ট হাউসতা সমিতিগী ওফিশ ওইজরি; লেঙথোকপিনকউ পুকচেল শংনা রাবী শাসি, থবক তৌসি। থবক তৌবদা ইশাগী নিংতম্ব ঙাকসি।

মরামগী
রাজকুমার মধুবীব সিংহ
জেনরেল সেক্রেটারি
নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি
ইম্ফাল।

মখুমগী লাইয়েকপা—চিত্রেশ্বর আর্টস শর্মা, শর্মা পাওনা বাজার

মৈতৈরোলগী সাহিত্যদা অশোইবা কয়ামুক।

ঐখোইগী হৌজিক ফাউবদা ফোংলিবা মৈতৈরোলগী সাহিত্য লাইরিকশিং অসিদা য়াম্না চাউনা শোইবা কয়ামুক লৈরে। শোইরিবশিং অসিগী মকুদি ইবা হৈবা য়াংপদগীনি। ঐখোইগী ইবগী স্তাইল লৈত্রি, সমাজ অমসুং সাহিত্যগী মরি লৈনবা মশক থংদ্রি, মীওইবগী সাইকোলোজি খংনা অমদি শোক্লা নৈনদ্রি। অয়াম্বা লাইরিকতা হরিবা মুপা নত্রগা মুপী অহুগী থম্মোইদা ফাউবা ইহুল (ইমোশন) অহুত্তা তেপ রেকোর্ডিং হন্দোকপদোনা থাদো কই অদুবু ইহুল অদুসু মীত্তোন্দা য়েহনবা নত্রগা মাম তাহনবা ওমদে। য়ারী লাইরিক উপন্যাস-সর্নাচংবা অমা মপুং শাগৎলা ইরকপা মত্তমদা য়ারীগী পরিং মতং মতং তৎলি, মনিং মমাং শম্নদে। পরিং তানবা হোৎনবদা নমফু চংগি থোক্তদোক্লা মতাং অসিনাইদদি যেংলুবা ফিল্মগী য়ারী মতেং য়াম্না লৌবগুম তোই। য়ারী লাইবিক্তা য়েক্লিবা চরিত্রশিংগী মশক অমসুং শাজং চপমান্নে হায়বা য়াই— মমিং থবা থৈরহনবত্তু নত্তনা। থগ অমসুং থোইবীগুম্বা ওাক্তা য়াওই—শৌরা অমদি চিংথুবা য়ুবরাজগুম্বগী চরিত্র য়েকপা ওমদে। ওসিগী সমাজ অসিগী মতমগী ইচেলসু মশক থংদে—নাইতোম লেপ্তনা লাউবদা মরা তাৎখিত্রবা যুগনি, অপুনবা ময়ামগী যুগনি হায়বা লেখকশিংনা কাউথি—অহুমক্তনা য়ারী লাইরিকশিং অসিদা নাইতোম ওইবা হেরো অমসুং হেরোইনত্তগী ওইনা য়ারী লেংঙি। য়ারীগী থিম (য়ারা মথিবোং) অসিসু মুপী কোইবা নুংশিনবা, চাবা থকপা ফংদবা লাইরবনা ইনাকখুনববু তানবা অসিগুম্বা মী অমত্তগী ওইবা পুন্সিগা চৈথেং অমসুং চৈনাগী মরমদদা ইরওাক্তনি হায়বা য়াই। সমাজ অসিদা মীওইবগী সাইকোলোজি করম্না লেপ্লুনা মী অমসুং সমাজ করম তোনরিবগে হায়বা মশক পুথোকপা ওম্বা লাইরিক অমত্তসু য়াউদে। তোববুনি পুম্নমক অাস উশিনবা থংজিনবা অমদি তম্বা য়াংপদগীনি।

মৈতৈরোলগা সাহিত্যদা লৈরিবা অশোইবশিং অসি ঐখোই উদ-ভদনা অম্মুম চৎলসিরা নত্রগা লৈজসন্নু হায়না থন্দুনা লৈসিরা? লৈজসনু হায়না খন্দোকপাদ য়াদ্রে, মরমাদ মনিপুর সাহিত্য পরিষদনচিংবা সাহিত্যগী থবক পুরিবা অনুষ্ঠানশিংনা চহিগী ওইনা লেখক কয়ামুক্তা উপাধি পিরকপা মতাংদা উপাধি ফংলবা মীবু মী অতৈনা তুংদা নোক্লবা অহু ঐথোইন তাবদা থরাই নাই, উপাধি পিরমদবনা ফৈ হায়না পরিষদতা চত্তশিন্দুনা অমুক হায়নিংওকই। উ লৈতবা লমদা কেগেনা যুদ্ধা ওই হায়বা অসি

থোকহন্দবা চুপ্নি। উপাধি পিরিবা মী নত্রগা কমিতি কাংলুপ অহু সাহিত্যদা করিস্থ খংদবা মীতা মালহনবদি চুমদে ; শেঙ্গা থুমজা হাবিজাবি চনপখোইনপ্পবী চংহুনা শক য়েংহুনা তৌবা মাপ্পি হায়না খলহনবা চুমদে। কুম অমগী সাহিত্য সভাদা উপাধি পিত্রবা ঐখোইগী সাহিত্য খংমাং মাংখিগদবা নত্তে। হৌজিক্তি পিরিবা উপাধিবু মখানা ঐদি মতিকচাজদবা অমনি হায়না নোল্লুক্কা চংপগী মহুত্তা উপাধি অহু ঐঙোন্দা তোনম্মল্লি, মাহু নত্তবা অমা লৈত্রব্রা খরা রাংবা অমা পিযু হায়না মন্তিক্কবা মী চোংথোরক্কনি। কনাগুম্বা অমবু উপাধি অমা পিবদা মী অহুগী করম্বা পোথোক্তা ক্দাই য়োনা ফজরব, রাংলবা থাক য়োরবগে হায়বসি খংননবগী উপাধি থন্নবা মতমদা খন্নরিবা কমিতিগী মীশিং অহুগী অপাকপা নৈনবা রাফম অহু মন্নামদস্থু খংহনবা চুপ্নি। অস্নুম্না উপাধি ফংবা অমদি পিবগী মাইকৈদা হায়ফেংৎ পঞ্জক্রুবদি ঐখোই নত্রবদি ইবিনবা লৈতে মওংগুম লাইরিক পংই ইবা, চেকশিন্দবা মীওই কয়ামুক থোক্লক্কূনা সাহিত্য মাংহন্নবা মীশক থোক্লক্কনি অহুনা উশিন্নদনা লৈবা চুমজ্রে খঞ্জবদগী পুশিল্লকপনি।

অশেংবা রিয়েলিস্টিক কাংবু অমনি হায়হুনা ফি শেত্তবা ফিমুং কোম্বগী সাহিত্য মখল খরা খোইদোক্না তুকচবা পোকপগা লোইননা ইনবা মৈৈরোল লাইরিক খরা থেংনরে— 'ইমানা ঐবু মাংহনবনি,' 'শরিক মখোল' অসিনচিংবা। মখোই অসিদা য়াউরিবা ফিমুং কাম্বগী রান্নী অসি তশেংনা থোংলবা সেক্স্ুএল সাইকোলোজি অমদা ইবম্ভ থোক্কে, চুম্নতগী ইওই ওইনরিবা মীওইবগী মুপী মুপাগী লভ মেকিং অমগী রাফম্নি মাহুবু মম্নেক শেংনা হায়বত্তনি। অহুগা মীরৈপাক্কী লাইরিক 'পাইতন পেলেস" "হু উইমেন," 'লোলিতা, লেডি চেতর্লিজ লভর" অসিনচিংবা মমিং চংনা লৈরিবা লাইবিক খরা অসিদি সেক্সুএল সাইকো এনালাইসিস তৌবগী রানি— ঐখোই খ্বাইনা তোনরিবা লৈনরিবা সেক্সুএল এক্স্য'াস অসিদগী কা হেজিনবা হুক-মনবা নত্রগা য়ৌ-ঙমদবা মীওই মীওং কন্না অহুগী মচরিং ইবনি নত্রগা মখোইগী শাজংকী ইপোম্না মীওইবা সোসাইতি অসিদা করম্না য়ৈবগে হায়বগী প্রোব্লেম উংপনি। ঐখোইগী মৈতৈ লৈবাক্কস্থ মৈতৈমুপা মৈতৈ মুপী ওক্কবা মুপীদা-মুপাদা ভাউবা য়াম্না লৈ হায়বা চুপ্নি, মাখোইহু করম্না ওনখিবনো হায়বহু চুম্নতগী লভ মেকিং অমগী পোজ তশেংনা তাকপনা হেক্তা ফোংদোক্লত্রা? ঐখোইগী লাইরিক অমা অনিসিদা য়াউরিবা লভ মেকিং অসি নৌরিবা অঙাং খংত্রিবশিংদদি ওক্না থোকলম্বা য়াই অহুবু খংলবা মীশিংগী মক্ষমদদি চুম্নগী সেক্সুএল ইনসাইমেণ্ট পুরকপা অমা থোকহনবা নত্তনা সমাজ অমম্নুং অহুঙম্বা ক্রোইডকী থিওরিদা লুপ্পবা মীশক অহুগা লৈনরিবা সমাজ প্রোব্লেম অহুবু খম্থহনবদি ওমদে অহুনা লাইরিক অসি সাইকোলোজি খোইদোক্না সেক্সুএল সাইকো-লোজি শোক্না ইবা লাইরিক নত্তে হায়বা তাক্লি। রিএলিজম অমা ওইরবনি হায়না খনসি হায়রবু লমচং কাম্বা শাজং অহু তশেংনা উংপা

ওখা খোক্তবনা মাহুস্থ হায়রবা য়াদে।

সেকস্থএর মেটস' নক্রগা মুপী মুপা ভাউ-এবগী মরমদা ইবা লাইরিকশিং অসি নত্তনা লাইরিক খরস্থ মৈতৈরোলদা ফোংলকই—মখোইছু রিএলিজম নত্তে, রোমান্তিক নত্তে। ঋারী নত্তে শীংবুননি। ঞ্রীহিজম গুনোগী লম্মল" লাইরিক্তা হেরো অহুনা পাখং ফাবগা তুই অহুস্থ পাখং ফাবা চহি কুনমঙা শুবা তুই লৈবগুম মৈতৈ সাহিত্য উপন্যাস শং অসি হৌজিক-কাউবা নাপচাদবা ওাক্তা ওইনা তৌই। পাচাগী "ইয়াদ বেগম" লক্ষনৌগী শাহজাদা ওইরবোই নীংলুরগা পাওলতাবী থুলগী পাওল মযুম ওল হনবা খোইদোক্তা অংকপা নত্তে। লাইরিক অমা অনি অসিদা নাপ চাদবা হায়না হাযরিব-সিমক অতৈ লাইরিক অতৈদস্থ লোইনা য়াটুর-বনি মতাং অসিদা ঐখোইনা হ নিংঙি—লাইরিক লেংলবাদ নাপ চানবা ঋারী মমুং তানবা খরা খন্দুনা ইবা য়াদ্রা? ডাক্তর কমলনা উরিরৈ মমা পোলোইবদগী অঙকপা লুংহাংবা ফাউবদা নাপ চাদবা খোকহল্লমে হাযহুনা অশোইবা অবু মতৌ তমহন অস্থন লেখিগদ্রা? জয়শঙ্কর, দেওদান, চাউবী খোইদোগ্না হায'বনা ঋাংলুপ অসিদগী তোপখিবা নত্তে। নাপ চ দবা মতাং অসি দ নাটক অনোবা লেং'লবা ফো'লিবা লাইরিকশিং অসিদস্থ য়াওরবনি। "থিয়েটর ও, এবসর্ড' নি হায়হুনা মৈতৈ নাটকপু থাজংপা য়ারে ই - মাহুনা জুগোৎ চাদবা হায়বান, মৈতৈ নাটক্তীনা নাপ চাদবা হায়বান।

ঋারী লাইরিক অমগী ঋারী ওইশিনবা ঋাংপা অসি কলম পায়বা হৈত্তবগী ঋানি। ঋারীগী লৌশাং পুখবা হৈত্তে, মনিং-মমাং মবক কদাইদা করম্বা মতাং য়োরবগে হায়বা তমদে। ঋারীগী খোদোক অমদি থৌরাং মকম খওহন্দে, শম্না হাত্তরবদা cohesion লৈত্তে। ঐতিহাসিক ওইনা ইরকপা মতাংদস্থ মতমগা চুনদনা অমস্থং চানদনা ইতিহাসকী অশেংবা নৈনদনা ইবা নবমদগী লাইরিক অহু অফবা সাহিত্য ওইদে, মগাং অসিদদি মীওোন্দগী হুরানবা (pallia-grism) অসি ময়েক লাখিবনা খরদি মনিপুরী লাইরিকনি হায়নিংত্রে।

অহুনদি, মথক্তী ঋাকম খরসিদগী ঐখোইনা হৌজিকফাউবদা মৈতৈরোলগী লাইরিক অমাম্বা ক্লাশিকেল সাহিত্যগী থাক্তা পুখংপা তমাত্রে, লাইরিক্তা মমুংদা চংলিবা ঋারী পুদাদগী "অপঙ চুবা" (idiosy.cracies) উংলকপা ওাক্ত ওইনা তো'রবসি লাইরিক ইবা মীনা শোইব-তাপন— মৈতৈরোলনা বানান লানবা নত্তে। কোইরিবদি কদাইদা? মী অমগা মী অমগা মরক্তা মা মশক খংদবা অমহিক্তি জ্ঞান ঋাংপা, ঋাকম অনি অসিনা কোর খাজিন্দুনা লৈবা লেখক ওন্দবগানি (A writer within the barriers raised by lack of knowledge and understanding between man and man.) মুপা অমবা, মুপী অমনা, অতোপ্পা মুপা অমগা অতোপ্পা মুপী অমগা মী অতৈদগী কয়াম শক মাম্নদবগে অমস্থং শাজং লোনচং তিন্নদবগে হায়বাস ঐখোইগা মৈতৈরোল লাইরিক ইবশিংনা শুকখং খংদে, মখোইগী

রারী লাইরিকশিংদা হাপ্লিবা মীশকশিং অহু চপমান্নবা লমচৎ চেলহল্লি মপুক ফবা নত্রগা কত্তবা চপ মান্নহল্লি। মথংদা মী অমনা অহুঙবা ফিবম অমদা তারক্লবা মতমদা কবয়া শাজৎ নত্রগা মহাক্কী রিএকসন করি তৌফম তাবগে হায়বহুগী জ্ঞান অহুস্থ লেখকশিংনা লৈতে।

মীগী মরমচৎস্থ মশক খৎদবা, থৌদোক রারীস্থ জ্ঞান য়াউদবা মীনা উবঙুম তৌরবা মনিপুরগী লেখকশিংনা ইবা মৈতৈরোলগী রারী লাইরিক অয়াম্বসি মহাউ য়াউদে, মথৱাই লৈতে। মৈতৈরোলনা ইবা রারী লাইরিক পাবিদে, হায়না কনাগুম্বনা রাকৎলবদি লাইরিকী কত্তবা মরমদগানি।

মথক্কী চমগুবা অশোইবা অনি অসি ফাউবা মেন্নবা ঙমস্লিহৈদা সাহিত্যগী মফমদা সমাজগী, মীওইবগী নাইতোম অমদি অপুনবগী ওইবা রাকম নৈনবা অমদি মশক উৎপা ঙম্বা মৈতৈরোলগী লাইবিক্তি ঐথোইগী হৌজিক লৈরিবা মনিপুরী লেখকশিংগী মফমদগী আশা তৌদে। লেখকশিংনা য়াম্না প'বা তাই, য়াম্ন রাখল খনবা চুম্মি. য়াম্না উশিনবা অমস্থং খংজি-নবা ইক্সপেরিএন্সগী জ্ঞান লৈবা তাই।

অশোইবা মচ কয়ামুক্কী মনুংদা ঐথোইগী লেখকশিংনা মৈতৈরোল অরানবা অমস্থং ৯থ থোক্তবা রারেং লেংবা অসিমস্থনি। লাইরক্কী রারেংশিংদা পরেং অমদা নত্রগা অমদা অর্থ মপুং ফাদবা নত্রগা ফোংদোক্তদবা রাকম অহু ফোংদোকপা ঙমদবা থোকহল্লি। লেখক খরনা রাহৈ শাহুনা খোৎতুনা ময়েক হৈহুনা যনথী থীবোৎ থোক্বদৌনা হোৎনবা য়াউরি। মশানা মশাবু ককচবা, চুনদবা রারেং করাস্থ য়াউবদগী রচনা তম্নক্তবা লেখক অমস্থং রাখল পরিং পুবা ঙমদনা মীতা মশাবু তাহ্জহুনা মানা ইরিনা লাইরিক অহু মাংহল্লি। অরানবা, অমস্থং অর্থ থোক্তনা রারেংশিং অসি মৈতৈবোলদা অনুবাদ তৌবা লাইরিক লোইনমক্তস্থ য়াওরে। ময়েক মরিক কাইদনা হনবনা চুমত্রা নত্রগা অর্থ থোকনবা হননবা চুমত্রা রাকম অসি খল্লবা য়ারে। ময়েক মরিক কাইদবা অনুবাদ তৌবদা ফজবা ঙম্মোইদবা লৈরবদি অর্থ থোকবা অহুগা নিংথিজবা এওংমা "ক্রি ভর্সন' তৌবনা হেন্না মৈতৈ সাহিত্যদা চংখোনগনি। অহুন। অসুম্না রাহৈ পরেংদা লালহল্লিবা, অর্থ থোক্তবা, ফজহল্লিবা পুম্নমক অসি মৈতৈ লাইরিক ইবশিংনা চেৎশিন্দব অমং অথাং ফনবা রাৎ-পদগীনি; মশান হম্না অমুক্কা যেংঙম্মু কনগী শোইক্কগদগে?

মনিপুরী সাহিত্য ডিভলিনকুয়েন্সী হায়বদি চোংলম চাদবা কালন থোক্তব অসি ফনা য়াম্না থোংক্লে অরাবা অমদি মথোই পুম্নমক মনিপুরী সাহিত্য হাদব থাক অহুদা হন্দক পাঙবদক্কী থৌদোক অমদগা লোইনা মশিং পুথৎখরে। কনাগুম্বন ম দ য়াউনবা মত্ত উক্কবদগী ঐহাক মনিপুরী সাহিত্যগী সাহিত্য কলাকার অমনি খল্লবদি অমস্থং নাপল অমা কারক্লবদি তুংগী মীবাশিংনা হেন্না ঙক্করগনি। লাইরিক পুম্নমক অসি মৈ থাদোক্লপা মামশিং অসিতা মথন্ন-বদি য়াম্না ফত্তগনি হায়না মনিপুরী সাহিত্য

প্রেমী কয়ামুক্তা লৈপুং কয়দা ঙাংনরিবা অসি খল্লনিঙাই ৱাকল্লি।

মণিপুর সরকারনা লাইরিক্তৌদমক সবসিদি পিবিরি; পিবদি য়াম্না কৈ অহুবু পিরিবা লাইরিক্কী মঙ্গণ অমসুং মওং অদোমদা য়েংনরক্লবদি মোক্কনিঙাই লৈতে। মতৌ অহুঙ্গা যামিনি সুন্দর গুহ গোল্ড মেডাল পিদুনা সাহিত্যবু পুক্লৌং থৌগৎপিবদি ফজৈ অহু পিরিবা লাই-রিক্কা য়েংত্রদুনা ইরিবা লেখক মশক মমাই য়েংদুনা তৌথিদনবা কন্না নিংশংজরি। থৌগৎ-পিবা মথল অনিমক অশোইব। মওংদা থৌগৎ-পিদবনা ফৈ।

মণিপুরী সাহিত্যবু সুংশিবিযু হায়দুনা স্লোগান থওইনা লাউনরে লোল অসিবু পাৰি-রিবা ভাবুকশিং অয়াম্বা পাগনবা কাংবু'দি অহুম পাই, পাদবা কাংবুগী মফমদনি ঐখোইনা স্লোগান লাউশিল্লিবা অহুগা পাদবা কাংবু অসিদগীনি ঐখোইদা সাহিত্যগী শেনথুমগী মরিদা নাকোং ৱাই চিলহল্লিবা অসি। চাকচা হৈজানবা, লিলা সিনেমা য়েংবগীদি মশাগীদ নত্তনা লৈকাইগী কাউবা য়াউনা খরচ পুথোকপিবা ঙম্মি অহুবু মণিপুরী সাহিত্যনি হায়না হোংনজবা খরা পুথোরক্লিবা অসিগী মমলগী ৱা হায়রকবদি মথোই অসি শেল শোংহোবা ঙাক্তনি শেল শোংপদা সাহিত্য কাংবু ঐ.খ ইন য়ারিগা অসিন্থ য়াম্না অচৌবা অশোইবা অমনি।

মণিপুরী সাহিত্য ওইনা মমি শামি পুথোকপা লাইরিক কন্না অনৌবা লেখকশিংনা মাগী মাগী খংনচারবা মী অমা অনিদা কোব-ৱার্ড তৌহল্লি। কোরৱার্ড ইরিবা মীশক অহুনা লাইবিক অহুগী অশোইবা অহোবা মতাং কয়ামুক অহু লেখক অহুদা তাক্না শেমদোকহনবা ঙমদে। মরম অসিদগী মী অঙাওবা অপংবা খরনসু সাহিত্যগী মঙ্গণ য়েংদনা লেৎকী হোটেল বোরা কাংঙৌ চারগা লাইরিক অহুবু তাকপী শেংবীদনা কোংদোকহনবা অসি য়াম্না অশোইবা অমনি। মহাক্না হায়বা তাকপা মতাং অহুবু শেমদোকউ কজহল্লু হায়বা ৱাগ্রগা মহাক্না কোর-ৱার্ড তৌবগী কন্নিসু কায়দে; সমালোচনা অমা তৌবগী ৱানা মথল অমনি।

কোংশিবা লাইরিক কয়ামুক অসি অমুক পব্লিশর লৈতবা মরম্মদগী অশোইবা মচা অমসু লৈ। লাইরিক অহু লাইরিক মাপ্নে, মতৌমওং থোক্কে; হেক পায়থক্তুনা পারগা অমুক ফজনা থম্লিংদে, মাপি পব্লিশরগী লোযনি। ঐখোইগী পব্লিশর কয়ামুক্তি লেখক কয়ামুকী মম্নুমগী হুপীগী মমিংদা মচা অঙাং খোয়ম নম্লিবগী মমিংদা হাপচিল্লি—মদুনা কন্নি কায়রিবা? লাইরিক জুগোৎ চাদবা অহু অফোংবা মী অহুদা তাইন-শিল্লগা করকনি হায়বদগী তৌন্নিত্রা? পব্লিশর অমা ওইবা অসিসু লাইরিক্কী মঙ্গণ য়েংবা হৈবনি হায়বা কাউদবা চুম্মি।

সনখ্যা ইবোতোম্বী

'নীঙোল'

অমুক চীরোল খারোল তৌদন পুকচেল শেংনা হেক্তা হাৎদোল্লগে; সহর মমৈ, লবাল্লবোমদগীদি মকোক ওইবা সহরগুম্মা চাওখৎপগী মমিদি মতাবা, অদুগা থোয়দোক্না চৎনরোল ব্যবহারদি ময়োঁদ্রিবা মক্ষম অমদা শখীতোম্বী পোকই।

লৈশাবী মচা ওইদ্রিঙৈদদি শখীতোম্বী, শমান লেংমাল্লবা পাখং মচাশিংনা পংতান তাল্লবীরমদে। কুচু মূরপ তায়, মশা পায়, পিগুমদি হায়কেৎ চৎনবা য়ানা কুঙই। মমাল্লবা মতারোইশিং মরক্তগী খঙহন হুম্বথু বীমক্তা নঙ্গে হায়বব্বু, অনি অমা, অহুম অমা পুল্লরবত্থদদি মীকোক থোংনা ফজরত্থনা লৈকা তম্মকপা মাংজিন থাবা খোইরাবশিংগী মীৎয়েংদি ফাবা মঙমদ্রে। মঙোন্দা থুঙলরবস্থ খরা শোন্দম নাদম্বা, শাখপ শাম্বা ঙমজদ্রবদা মতারে।

শখীতোম্বীনা মথরায় চাকপস্থু মশিনা মরোংদরে। মথাগী মঙন্দী মশানা খঙজদবনীনা, মশানদি অখোযদগী থরা থোইদোক হেন্দোক্না মফঙ্গরীবোই মনিংঙৈ। য়াখল অ'সমক্তী মপাল তাংত্থনা, মপাল ইপাল থোকপা য়াওজরিবনি; নক্রণদি নহাল্লা ইমুংদগী হেন্দোক্তনা লোৎথুগ-দবনি। খুংঘদগী থোয়দোক হেন্দোকপদমক পামজবীনি; অখোযদগী থোয়দোক হেন্দোক-পদমক পামজৈ।

মথন্দ পোকই, মত্থগী মতিকচানা কেথোকই মৌথোকই, শেংনিংবা শেংলি. চানিংবা চায়; মমা ইবেম্মগী দ তশেংনমক মোইবাং খোইবিনি। মাগী মতো য়েংলুরগা মমাল্লবীশিংনা মশাগী শেংপা চাবদা য়াংলবোয় নিংত্থনা মমা মপাদা কেজক্কই; চায়াম য়োকপগী হোনবা মচাশিংবু শেং চাবদা মনিঙ থুঙহম্বা ঙমদ্রবী মমাগী পাওতাক ওইনা শিজিন্নৈ;

"মতোমতা পোকপী অসিগবু মাল্লকবা য়ায় হায়ব্রনে ইবেম্মা।"

থোইদোক হেন্দোক্লবা হায়বশিমক্তস্বু কল্লক্নৈ; অত্থনা মমাল্লবীশিংনদি মাবু কল্লা মুংশিবীদে।

ইরাং চাওবী মমানস্থ লৈশাবী মচা ওইজ-রক্লবী মচা নীঙোম্বু খোয়দাবা পাখঙ পঙ্ক উদবত্থদা থোইনা হেল্লা মথল্লায় চাকচৈ। মীগী মচা ফজবী, পাখঙ শজনা তাল্লবগী য়াথোক ওইরবী অত্থতদা য়েংশিল্লি। লৈশাবী মচা অমগী লমচৎ ব্যবহারদা, মচা নীঙোনগা নাকোয়ননা চাংদয়ত্থনা য়ারি শায়। মচা নুপীনা খীঙং হেল্লা ফজনবা হায়ত্থনা মমল য়াম্বা লিককোল

সনা লুপা শাবদা চোকথবা নাইদে। অয়ুক লুংদাং শিজিন্নবা ফনেক ফিরোল ফাওবা অশিংবা নত্রবদি মচিন পেঞ্জে।

লৈকায়গী কুম্মৈ ফিরোং অমা থোরকপদা থরা খীত্তং ময়ামদগী হেন্দোক্লবা হান্নহনা থওইনা মরিংদা মরিংদা অরাংবা লৈরোং থোকপী মোরা শিংই। মঙকশমদা শিবারীবা সনা লুপাগী লৈতেংশিংহু উৎথীনবা অপাবা নাইলোনগী ইন্নফীতমক ইলহল্লি। চথোক চৎশিন্দা মীনা উথীনবা কুম্মৈ হৌনখ্রকান্দা কোন্না ইঙনা মমা মচা থোকমিন্নরকই। থোইদোক হেন্দোকপা অমা তৌরক্লবনিনা মীয়ামস্থু ইনীল নিন্নরকই, মীয়েং শেপ্নরকই, অদুবু মপুকচেল চন্না, অঙাওবা লৈচিন লৈরোইগুম পাংঙ্গরকপা থোইমু নহাশিং অদুদদি, মীৎয়েং কারল চল্লক্তনবা রারকপিবগুম থোকখে। থোইদোক হেন্দোকপা অদুদা মগ্নেংনরক্লবস্থু, চঙসিল্লক্তুনা শথীতোম্বীগী খোঙ্গুল লীরবদদি মকীনরে।

কৈথেল পোল্লক্তা রাবী শান্নবদা শথীতোম্বীগী রারী হেক্তা হৌদোক্লরকই। মমা ইবেম্মনা মচা নিঙোলবু শীংথানবহু তাজরগা মথোঙ নৌথরদুনা হায়ঞ্জে—

"হু'। ইনম্মা ইবেম্মা! মহোয় পাবু'না ওরাং হায়রু; ঐথোয় ইবেম্মসিবু, মহোয় অপিশংগী অচৌবদুনা মমৌ ওইজরগে হান্নরকই হায়নেদো। মচা ইবুঙোদুগু নোংমৈ তাকুর লোইদৌরিমাল্লে। অদুদা মহোয় মপাবুঙনা, ইবেম্মদি মতম থরা লৈহনথীগে হান্নরম্মী হায়রে। মতোমতগা তরক তরক পোকচবনে; মা অমা চৎখ্রবদি ইমুঙসে ইহাঙ হাঙগদৌরিবন্দিদকো ইনম্মা হা'—মমা ইবেম্মগী মথোলদমক তায়। ময়ামস্থু হোয় হোয় হায়দুনা মতায়; মমাগী মমাংমক্তদা মচা নিঙোম্বু হুন্দুনা হায়বদি হৌনদবনিনা পংথা মথাগৎপী; অদুবু মবুক্লীং মবুক্লীংদদি চাও-থোকখেত্রা মচা নিঙোন্দুমকী মতামক্লে হায়না মথৈ।

চহি মঙা তরুক হোখে। শথীতোম্বীগা হৌমিন কামিন্নরকপী লৈশাবী মচা মখৈ ওন্না ময়ুম পান্নখে। অদুবু শথীতোম্বীদি লৈশাবী অদুম ওইহৌরি। মতুংদা হৌরক কারকপী লৈকায় মচাশিং ওন্না লৈশাবী ফানরক্লে। মচেম্মল ওইরবা অদুদদি লৈকায়গী কুম্মৈ ফিরোং অমা শিল লাংবদা শথীতোম্বীবুদি হৌরক্কে, মা মশানস্থু তঙ্গরে। মমা ইবেম্মস্থু মচা নিঙোম্বা মান্দোব ময়ায়দা পোৎলোর শেন্থুনা লেপ্নহু উরয়োয়ত্রা হায়ন মীপাইবা হৌরক্লে।

লাইরিক লাইগু তম্বদস্থু থোই-দাঙ্গা হৈজ-শিংজদে। নম হাদুনা মেত্রিক ফাওবদি মঙৌ-জরক্লে ;মদুদা লাম্থোকখীনবা ফনা হোৎনজবনি অদুবু মরায়বক্তা তন্নমদদুনা তোকখীবা চহী অনি অহুম হায়খে। লাইরিক তন্নীবনি হাম্নহুনা, মুপীমচা অমা ওইবগী ইমুঙ মমুং পুবগী থবক ইনথাও, ফিশা, লোনশানচিংবস্থু করিমতা হৈ-হৌত্রে। য়েংশিন য়েংশিল্লুরগা শথীতোম্বীহু মথরায় চাকথংলক্লে।

চহি কুম্ভরক কুম্ভরেৎ হেঙ্গোলরুদুদদি শথীতোম্বীহু মশক মচু থরদি থোকচরক্লে। মুম্নগী

মৌ ওইবদা য়াম্না লেম্নগবা মাল্লক্লে, মশা মউ থন্না নোইথোবক্লে। মুমীৎচুপ্পা ইরাং কাখা ৱাখলগা লোয়নল্লনা লৈবল্লদা হকচাং কয়াংকী ফজবা অতুম্ব হেন্সংলক্লে।

থন্না থন্না লোন্দীন্নবা মঙোন্দকা হেক হেক লক্লবীবা লৈকায় মবুঙ মৌপৱাশিংদা মমা ইবেম্মনা, অফবা মুপা নহা অমত্তং তানচাবা য়েংল্লনা পুশিল্লক্লনবা লোন্না ৱাতাৱে। পাখঙ মচাশিংল্লম্ব ওহাক ওহাক শথীতোম্বী য়েংলগা কুম্মৈগুম মুঙায়জবা ওইনা, অমম্বুং চা—মুং থন্না থকতোক, চাথোকপদ্দা তোয়না ৱাতান্নবা লাকই।

কন্নিওষদম্ব অথুম অহাও পুল্লনা শথীতোম্বীবু হায়বা মন্নাকই; অতুবু মতম কুইনা লৈশায়ক্লবা মচা নিঙোনগী মমল খীত্তং কাথীনবা হাইল্লনা শিজিন্নকবা ৱাজাওশিংল্লনা হায়বা লাক্লীবশিংহু তম্বহল্লি। অমা অমা ঙাংনয়ম্বদগী মমা ইবেম্মনা হেক্কা থেৎচিল্লকই—'

"এঃ ইঞ্জিনিয়ারওঃ ডাক্তরওঃ অমুক্তোয়বা হায়বা পংলাক্তা লাকই; ময়ামগী শেবা লাঙবা হোংনবদা চোকথবনি। মহোয় পাবুংশিনম্ব অমদা কোক হেক পিথোকথিগে হায়ম্ব লৈতে মঙোমতা পোকই হায়ল্লনা লৈজখীসম্বদা মহায়দো হা ইচে হায়গত্রা, ইনম্মা হায়গত্রা;"

তালক্ত্দা শথীঙোম্বীবু কেনা শেৎ চাহল্লগা হিদাক লাঙথক হান্দুনা পুথোকহল্লৎই। ময়াম মরক্তুদা, হায়রপ মশক উংলল্লগা হকাইথৌবী লাল্লনা ইমুংদা অল্লম চৎখী। মমা ইবেম্মনা অমুক শমথহোই—

"ইচা নিঙোন পোকপসে, ৱাখেলদা মুপী হায়সে পোকহৈপোৎ নত্তেকো। লৈকায়গী কুম্মৈ ফিয়োং অমদা য়াওহন্ত্রে, থোকহন্ত্রে, মচা নিঙোম্বু লৈকায়গী থোদোককাওবা য়াওহন্দে হায়ল্লনা মশাওইদো; থোকহল্লুবে, পাখঙ মচা মচাশিংসিনা অমুক্তোইবা, জো-জো, লাইরেন মতুং ঙাইনদোনা পঙতান্দা তায়বীদো। ফত্ত মুংদা থোক্লগত্রা হ্যয়ল্লনা, ঐনা মমা কৌনিনা ৱাজেদো; মতুং কে'য়না ইগ্জরিবনি। মাগী রাশিনগা মীনা থন্না কল্লকএ; থাবল চোংকমসিদা পঙথত্তা থৎনল্লনা পাখঙ মশেল য়ৈনয়কইপোংনি।

… …কুমশি য়াওশংদা মমাং লমপাক্তা য়ৈনখীৎদো মহোয় পাবুঙ। ঐথোয় ইবেম্মগী ৱাহৌদৈনিদনকো"

হায়বা লাক্লীবশিংল্লনদি, হায়দোয়ক্লীবা অতুগা লাপমথা অল্লদা মহৈ মহৈ টকায়নয়ল্লনা তুমীন তুমীন লৈনৈ। মমৈদা মমা ইবেম্মনা হংজিল্লকই—'

"নিপামচা ইবুঙোহবু ক্লাস কন্না ফাওবদি তমজহোরগে? হৌজিক্তা করি থবক তৌরিবগে?'

হায়বা লাক্লীবা কাঙবুদগী অমনা খুম্নকই,

"চৈরাম্বা থবক মচা অমত্তং তৌজরি। তলবপুদি পঙয়াম য়ামজদবা, অচা অরমকাদি য়াম্না লৈবজাংনী। অল্লদা, মাগী তলবতুবু কৈম্ব তৌনদেনে; মপা মপুনা, কৈরাক থারম্বনিনা, মমৌ মশিং ময়াং কায়না লৈজৈ। মশক ফজগ্রপোংনি, মঙৌ লৈবে, উবীয়নিদনা! মাগী অশোয়বা অমত্তং হায়ববু চহী খীত্তং ৱায়ল্লদা থন্না হৈ শিংই, কুপই, শি মঙাৱে।'

"খঙদেনে, মহোয় পাবুঙনা করি হাযবিবা হায়বহ্রু, ইপু ইনাই অমুক তাম্নজখীগেকো। রারোবীসু কশ্ম অদা তোদোরিবনিনা, যজ্ঞ অমা লিংগদোরিবনিনা হায়জরিবা। মহোয় মপাবুঙনদি অওং অউনগা য়াম্না লাংজহ্নুনা লৈবাক মমাংদা চাওনা হোংজনিংইদো।"

য়াহ্ন কনা য়াম্না চঙশিখে, অহ্নবু মপাবুঙহ্নদি রা মচেং অমত্তসু কাঙথোরক্লে ; তুমীন্না ফম্না। রা পুম্নমক মমা ইবেম্মনা তেনসিল্লকই। মমৈদাদি লুহোংবহ্ন য়ারক্রে। অহ্নক কুয়না লৈশাহ্নুনা লৈরক্লগা থুনাই মীচম অমদা কোক হেক থাজ-খীবহ্নসু কৈরোয় লৈকায় মমাংদা ইকায়জরে। মখোয়গী অশাদদি, ডাক্তর, ইঞ্জীনিয়ারনচিংবা নক্রগা লৈবাক মমাং ফম্বা কাংবুহ্ননি অমত্তং নিঙোন মরানিকো হায়হ্নুনা কৈরোয় লৈকায়না তুমীন তুমীন লোম্নকা য়েংহনম্বা ; তপ্‌ন চাক চাবা নিঙোল চাকৌবনচিংবা লৈবাকী কুম্মৈ ফিরোংদা, জিপতা ; কারদা ; মীমাংদা কোয়রাং লাওবা, অচৎ অওক্না লৈকায়না মচিন্দা, মখোয়বু খম্বন্দুনা ভাংনহম্বহ্ননি। অহ্নবু মরায়বক্লা তম্লম-দবনরা, পাম্নীবা অহ্নুওবা অমত্তসু হায়বা খোৎপা লাকপীদে।

চহী অনি অহুম অমসু থিম্বরে। কৈরোম লৈকায়না নিম্নবা হৌরক্লে। মতিক মপা চাদনা অম্নাংবা থাক পামম্নী হায়নবা মশামক্লকাওবা ভারক্লে। মীয়াম্না ভাংন-শক্লরকলবা অহ্নুদদি মচা নিঙোলবু ময়ুম্নাইবা খঙদ্রে হায়নদো শরুক মীচম অমদা কোক হেক থাজথোকখীগে খল্লম্বহ্নসু য়ারক্লে। খর খীভং মীমাং খোকপা সংর খর নকপা, শক্লায়বা নিপা অমত্তং ফাননবা কোয়থী থীগৎলকলে।

মাইবা মাইবি রাতাম্নবসু লেপ্লে ; মাইবি শেলহুন থুদিংগী হায়রকচ, লৈবাক মীমাং ফম্বা শক্লাইবা, ফম্নাইবা নীপাগী মবেম্মা ওইনি, চহিদবু খরদি থেঙথরনি। লৈঙ্কন লৈবা মরা মপুরোইবা ফংউ হান্নবা লৈ। মাইবী শেল-হুম্বদা মাইবা মশিঙ শুরে। মাইবী অমনবু খীভ্রুং ফাওগৎলকলবদি লবায় থবায় থাক্লনা মমা ইবেম্মনা কোইচেন চেঙ্গে। য়ুমথঙনবাশংদা, মীগী মচা নীঙোন হায়বা লাকলীবহ্নসু ময়েংলুই, মমা ইবেম্মনা। করিগুম্বা থুদোংচাবদা মরক ময়াদগী চিঙথোক্লবা মমা ইবেম্মনা শিঙ্গরিবনি। অহ্নবু মরাইবক্লা ভম্বা অহুদি মরাকখীদ্রে।

মথঙ অমুক হায়বা লাকপদদি শখীতোম্বাগী কুঠি পুথোকদ্রে। চহী অহুমলোমগী মমা'দগী অমুক পাঙ্গী অমগা লোম্না তাম্নহ্নুনা কুঠীগী চহাহ্ন খরা ককথক্লরবনি ; অহ্নমক্তদা চহীনা মহেঞ্জলকলে। হন্দমুক্তা মমা ইবেম্মহ্ন অমবু লাকলবদি, মচা নীঙোনগীদমক্তা হেক্তা য়ামহ্নুনা ফারগে লেপ্লে।

শখীতোম্বীগী মরাইবক চুম্নরে। ইমুঙ মনুঙ পু-পাঙদি শুজদ্রবা, ময়ুম মকৈ শাজদ্রিবা, সহর মরায়মক্তগী, মীমাংদি মকমজবা, মমীংসু কাবক-কাবক মচৎচবা, তলবকাহ্ন ময়ামজবা মুসী নহাগী মতাংশিদদি পঙতক ভাবা ওফিসার

অমগী মরৈকাই মচেম মনেমশিংনা মুপী হায়নবীব লাকলে।

হন্দক্তী, শখীতোম্বীগী মমাইবেম্মনা মুপা অসিদা খঙযান ৱাম্লে। মচেম মনেমশিংনা হায়নরীমক্তদা শোয়খীগম্বা কীজবনা মুপা অহৌবু নাণী ওখিসঙগী মী থাহনা হেক হেক কৌহল্লুয় অহিং অ'হং মচা নিংঙোলগা অমুরক অনিরক উম্মহল্লি, শেবা লাংবা ঙৌহল্লি, সিনেমানচিংবা যেংবস্ত্র অমুক অনিরক থাদোকলুয়। মপোকচৈঙগী মুপী নহাশিংগা ইখি মুঙায়না, শম্মরক্তরীবা ৱারি হাতায় শোল্লপ তাবা ওক্সিসায় অহুদি শখীতোম্বী, মমা মচাগী খোরাং অহুদা পুংশুম শুম্মাংখরে।

লৈক'য় মমাংদদি, মচা নীঙোলগা চেংনা থানদনা মুংশিনজবা পাখঙ অমা লৈরম্লে হায়হনা মমা ইবেম্মনা পাওথোকই। নহানমথৈ, শখ'তোম্বীগা পূল্সি লৈপুন ওইমীম্মশি ৱাশক্তখীবা ওইগদৌবিব। ময়া অহনা লংখৈদা, মহৈ তম্বা চংখীবহদা মচা লৈশাবীনা অতোম্পদা থাজ য়োঙ্গবগী ৱাফমসি পম্বা যারমত্রিবনী হায়না মমা ইরেম্মনা খেংনবা থুদিংদা ৱাবিহনা শন্দোকই।

হন্মক্তী শখীতোম্বীগী ময়াইবক চুমদোরীমাম্লে; মাইবী পাঙ্গীনা থাখীবহমক হেক তারি।

কৈরোই লৈকাই পুম্নমক ইঙক ওম্মরে। শখীতোম্বীগী থম্মোযদা কনা অমত্তা খঙহন্দনা মুংশি ৱাখল খল্লখী. কনাগুম্বা অমা লোম্না লাংল্লখী হায়বশিদা. শখীতোম্বীগী মতৌহমক ওক্লে। মমা ইবেম্মনা ৱাফমসিদদি অচুম্বা ওইহম্নবা ময়ামগী থাজনদবত্র কোক্লনবা, অহিং অমদি শখীতোম্বীবু নমতুনা পাখঙ অতুদা চেলহনখ্রে। কোম্হাং কাওবা মমানা. মচা লৈশাবিগা, ময়াগন্থ থিম্দোকপীরকই অতুদগী জীপ্তা হাপকত্তুনা পুহনখরে।

নোঙালে। মমা ইবেম্মনা মচা লৈশাবী কাইনা মৈচাক্তা অবাবা শাশিম্নরহনা ওহাক, মুমথঙনবা তাননবা, তেঙথাহনা কপশিম্লে। অমা, অমদা অমুক ৱাম্লিলা। মচা নিঙোলগী মযুম্মাইবা খঙদবী হাম্নবা মীঙথোল অহুতা কোকহম্নবা হোংনজবদা ৱাজরম্নবী মমাহগী নীঙবদি থুঙংখ্র। অতুবু কনা হায়শাহনম্থ কৈরোয় লৈকায়না থাজনখীদ্রবা ৱাফম অতুমদি লুহাংবগী কোয়তাল মখোলনা মায়গৈ মরি শিম্না নিল্লকলবা অতক্কাওবদা থাজনত্রি।

কেন্নেথ ট্যানান

শাউরবা নহারোলগী লীলাগী খোঙথাং

(Theatre Movement of Young Angries)

১৯৫৬ কী মে থাগী সুংথিল অমদা স্লোন স্ক্যারদা লৈবা রোয়েল কোর্ট থিয়েটরনা মাঙ থানা খোরকখি। কিনুংলোনগী ফাগি কয়া য়াওবা, হম্বা থাকী লাইরিক লাইশু হৈবা মীশক য়াওবা, বিয়ার য়ুগী অমদি হকচাং কযাংকী (Sex) শাথিনা হকচিনলবা মহাও পীবা অতুগা হাম্না শারম্লবা য়ুম্ফমবু (establıshed order) য়ানীংদবা উংপা পিকারেস্ক (pica-resque) উপন্যাস কয়া বৃটিশকী নহারোল লাইরিক ইবশিংনা ফোঙনখি। 'মীতোপ' (outsider) ওইবগী দরকার অহু পূ থাক্তুনা কোলিন উইলসনা অনৌবা লাইরিক ইখি। বৃটিশ সিনেমাগী অম্রাংপা অমদি অশেংবা অহোবদ্দা সি.নমা কৃতিক নত। অ.দি ডিরেক্টর নহাশিংনা লাংদাখি। মখোয়না পামজনা ল টাব্রবা য়াফমদি রিয়েলিটি অমদি সমাজগী অচুম্বা য়াফমগী য়াশক অমা লৌবা' ('কমিমেন্ট' লৌবা) অসিনি। কিটচন সিঙ্ক স্কুল (kitchen sink school) হায়বা খ্বাইনা খঙনবা লাইবেকপগী কাংবু অমনা লুচিংহুনা লাইরেকপগী লমদমদসু লালহৌখি। হায়রিবা মে থাগী সুংথিন অসিগী মমাঙদগী লাল মতুংদা লৈরিবা বৃটিশকা মীবোল অসি হায়নাংঙাই, ভাঙনাংঙাই য়াম্না লৈনরে। অতুগা ভাওবদা থব শিং হাথুমম্মী।

অতুগা লালহৌম্রিবা কাংবু অসি অয়াম্বনা লেফত্তিষ্ট লিবরেল নত্রগা পকা সোসিয়েলিষ্ট ওাক্তনি। কোলিন উইলসন মতোমতনি ধর্ম্মদগী হৌরকপা হায়ববু। প্রোফেসনেল মোনার্কিষ্ট আর্টিষ্টশোপ, প্রেশ বেবোনশিং, ইটোনিয়ান টোরিজ অমদি ট্যাইমস মেগাজিনগী মংকোক লোংবা অহুবশিংনচিংবা লৈবাকী ফিবমদা নাপ চাদনা ঈথিল চংলিবা কা'বুগীদমক শেমগ্রবা "ইষ্টাব্লিশমেন্ট" হায়রবা অসিবু তুকচরম্মী। মপাম্মোংদা উংথোরকলিবা লেঙবা ভমত্রবা মশক অসিগী মাইয়োক্তালানহৌ অমা চঙলম্মী। ১৯৩০দগী ৪০ যৌত্রবদেদনি। লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংনা মখোয় মশামক্কা কাংলুপকী মাযোক্তা লালহোই; মখোয় অয়াম্বদি ইটোনিয়ানশিংনি, অতুগা পকা ইষ্টাব্লিশমেন্টকী য়ুম্ফমদগী খোরকপা কযানি। নাংবা থুংত্রবা কাংবু অসি ষ্টেটতগী মহৈমশিং ফংলবা ময়াই ওইবা থাবা মীওইনি। মখোরগী বাখলসি অনাবগুম চুমক্তা চিরকপা নত্তে, শাউনিংবগা লোইননা তহ্নরকশনি।

অসিওম্লবা চাকথেক্লবা ফিবম অসিদা মশা পাবা, লীলা য়াওবা জোন ওস্বোর্ননা মতমহুগী মীওইশিংনা লৈভাকালবা অমদি মথক থোংবা অহল লম্মনাশিংগী মতমদা

লৈরিবা রাখল অছু কোঙদোকখ্রূনা "লুক বেক ইন এংগর" হায়বা লীলা অমা কাপথোরকই। লীলা অসি রোয়েল কোর্ট থিয়েটরদা শারখি। অছুপগীদি নোংমা সরং ঋতুগী অহিংদা পোকখাইখিবা মথোন অছু ইংলিশ সংস্কৃতিগী লমদমদা হৌজিককাওবা ওংহনা লৈরি। মছু নাকোং অসি শেগাইবমখে মৈশিনবগুম থোকখি। প্রেশকী মীওইশিংনা মাবু ইহান হানবা অমদি মকোক ইথোং থোংবা "শাউরবা নহানি" হাযখি। হান্না লৈরম্লিবা ধর্মগী থাজনবীশিংগী মথক্তা লৈতুম লংশিনখি। জাতিগী শকখঙনরবা শকফম খরগী মওং অছু রাহৈশিং অসিনা কোংদোক্লি। 'ইন্টেলেকচুলস' হায়বা রাহৈ অসিমক রাজাউ ঙাওবনি থঞ্জহনা মথোয় মশামকপু মমিং অসি কৌজনীংদ্রবা নহারোল মীবোল অমগী মমিংদি অস্রম্না অহুমক থোনখ্রে।

তংশেংবমক্তি নহারোলশিং অসিনা শাউরিবসিগী মতমদা অনৌবা রাফম অমতা লৈতে। করিগুম্বা রাফম অমতং হেক লৈবদা অনৌবা রাফম অমা হেক্তা ওইরগদবনি। বাইরোন অমদি শেল্লি অনামক অশেংবা শাউরবা নহা ওাক্তনি। ১৯৩০ দগী ১৯৪০ ফাওবদা অমেরিকাদাদি সাহিত্যগী থুংইদম্ব অশাক্টবনা মৈহৌরণ্বী, দোস পাসোস, স্টেইনবেক অমদি ওদেৎ মতাংসিদা পনবা য়াই। লেফ্টরিংগী অন্দলোনকারি অমগী ১৯৩০দগী ৭০ ফাওবদা রুসিয়াদা থাজবা পুম্বা মাঙথরকপগী অম'দ খৃষ্ট্রিয়ান হিউম্যেনিজমগী কাময়বা ওনশিনখিবগী মশাগী পুন্সি রারাগী মরমদা ইশ লেমৈ পাউন হায়বা ইংলিশ সোসিয়েল ফিলোসোফর অহুনা ইহান হান্না "যং এংগ্রিজ" হায়বা মমিং অসি শিজিন্নখি। অনৌবা 'শাউরবা নহারোল' অস্সিগী থোইদোক হেন্দোকপা মওং অমদি মখোযগী মকোক থোংবা অহললোন্না হাইড্রোজেন বোম শারকপগী মতমদা থোরকপা অসিনি। 'ঐখোয়না খঙজরিবা মংাউথৎ' হায়বা রাফম অসিনা খুদক্তা "ঐখোয়না খঙজরম্বা মচাউথৎ হায়না" ওস্থোকপা য়ারবা কালসিদা মতৌ করম্না "ঐখোয়না খঙজরিবা মচাউথৎ' হায়বা রাফম অসি ব্যাবহার তৌবা ওমগদৌরিবনো? নীংফম মৈরা অসি করম্না পুহনা চৎকনি, মসিনা লালগী খুংলাই থম্বমদা চেনশিনবগুম থোক্লবসিদা? পাউখুম পীবা ওমদ্রবা রাহং অসিনা শিজিন্নবা য'দ্রবা অমদি মথরায় পান্দ্রবা মুংগী পুন্সিদা অংনবা ফিবম অমদি শাগৎলি অহুগা করমনা কৈগুম্বা অমগা কায়নবগা মওং অমদি শাখীথোক্না শাউগৎপগী মওং অমাদ শেমগৎলি। কিববা মওং খরা অসিনা কিহন্দুনা লাওলবা অমদি কাংথোং চাইরিবা অসি লাকশিন্নবা চপচাবা মপাঙ্গন মথৌনা লৈবা রাফম অমতা বৃটেন্দা লৈত্রেকো হায়বা রাখল অসিনা মথৌ অমুক্তা শংলম্মী।

কনাগুম্বা খরনা হাম্প-বৃটোন নহাশিং অসি মশানা তম্বরকপা ভাবনি অমদি নহা ওইনীংবা ভাবনি। মসিবু ইহান হান্না লীলাদা ওাঙখোবকপা মুপাদি জোন ওশ্বোর্নি। থিয়েটর অছু অরোন অথুপ মচেৎ অমতা থমদবনা অহুগা ময়ামগী রা ওাঙ্কম ওইবা

মরম্না পুথোরক্লিবা ৱাকম অদু চপচানা মখোন থোকখি, অর্থ থোকখি। অমুকা হেন্না শোকহনখিবদি লীলা ইরিবা মশামক অমদি মাগী হেরো "জিম্মি পোটর" অনীমক অসিনা সমাজগী হুম্বা থাক্তগী থোবকপা অসিনি। অদুগা মুপা মুপীগী মরক্তা লৈবা হকচাং কয়াংকী লাল, কাংলুপকী লাল অমদি অশেংবা লাল য়াওহনবসিনা হেন্না পাক চাউনা অমস্তুং ফজনা শাগৎলম্মী। মহৈমশিং তম্বদা মনীং তমহনবা অমদি সরকারগী শেল ফংহুনা শেমগৎখিবা ইন্টেলিজেন্সিযা কাংবু অসিনা পব্লিক স্কুল কলচরগী মওংদা শাগৎখি।

লণ্ডনগী 'সনদে টাইমস' কী অপাবশিংদা থাবা পাউজেল অমদা সোমরসেদ মোম সরকারগী মতেং ফংবা অন্দরগ্রেজুয়েটশিংবু "মখোয়দি মথক্তা তাউখৎলকপা কোংগোননি (They are scum)" হায়খি। মানা হায়রিবসি কিংশ্লি এমিসকী নিংখিনা মাইপাকলবা লকী জিম' হায়বা উপন্যাসকী হেরো জিম ডিক্সনবুনি। জিম ডিক্সন অপিকপ ইউনিভর্সিতি অমদা লৈবা য়াম্না চন্নবা মপুকচেল তিংলবা ফাগি পুষা মুপা অমনি; জিম্মি পোর্টরদগী শাথিবদি হন্থে। য়ু থকচিন্নগা অমদি তমখিরবা মাইথোং পুহনা মাগী অশাউবদু ফাজিন্দুনা লৈ। লমগী ৱাকথু য়ানীংদবা মফমদা সেমি প্রোলিটারিয়ান ওইবনজিংবা অসিদি ওস্বোর্নগী হেরোগা মান্নে। মিষ্টর সোমরসেদ মোমগী মিংয়েংদা 'লুক বেক ইন এংগর' অসি মথক্তা তাউখংলকপা কোংগোনগী অরংবা শরুক্নি। অদুগা মুংতিগী ফোঙবা থবরগী কলমশিংদা মসিগা চপ মান্নবা ৱাখল কোংদোরকপনা পীকথনখী।

অম্রম্না লকিঙ্গিম্না হায়জবগী মহুংতা জোন ব্যানগী 'হর্রি ওন দাউন'গী হেরো অমদি আইরিস মরদোকী 'অন্দরদি নেট' কী হেরোনা তাঙখিবা ৱাঙাচ শঙাঙ অদুমক জিম্মি পোর্টরসু তাঙখি হায়বসি থাঙ্গেশেংবনি। উপন্যাস অনৌ অসিগী অইবসিসু এমিসগী কাংবুদা য়াওই। অদুগা উপন্যাস অনৌ অসিগী হেরো অনিমকসি জিম্মি পোর্টরগী লমযানবতাক্তনি। লণ্ডন কৃতিকশিংগী মফমদা ইনৌ নোনা থোকলম্মী অদুনা লীলা অসিবু য়ানীংলমদে অমদি ওস্বোর্নগী ৱারী ৱাভাই অদু তারগা মাগী হেরোবু নহানি হায়বসি য়ানরমদে।

জিম্মি পোর্টর অসি বৃটেনগী চহী ৩০গী মথাদা লৈবা মীরোল ঐখোয়না মাবু হেক উবদা শকথঙবা ওম্বা, মাগা ঐখোয়গা তোইনা ঊনবা, মীয়াম ফিনকম্দা তোইনা লৈমিন্নবা ফম্মিনবা মীতাহুমক্লি।

নহারোলশিংনা ইংলিস আমাবু অয়ানবা পোংকুম লোনয়ম্মী। ডুলান টোমাসনা ৱেলসকী মিউজিয়মগি হায়ঙম্না তশেংনমক মিউজিয়ম ওইবদা চপচারম্নবনি। অদুবু ওস্বোর্ননা অয়ানবসি চুমথোকলম্মী।

জিম্মি পোর্টরগী মগুন কয়া হায়বদি মাগী হৈনীং থোংনাংবগী ৱাখল, মরৈ ম্বেৎনবদা লেফটিষ্ট ওইবগী মওং, অথিংবা লৈতনা ফাগি তোবা থোনা ফবগী থোওং কয়ানা মাইপাক্তনা

নত্রগা কায়রোইত্রা হায়বগী ৱাখল্লা ইচিংদ চিংনবগী মওং অসি চহী ৩০গী মখাদা লৈবা নহারোলশিংবু মতুং ইনহল্লম্মী। মতম শাংনা বৃটিশ কলচরদা অতনবা পোকহন্দুনা "অঙবা মহাও" অমদি অচুম্বগী ৱাখল অসি ফমজিনহনলম্লবনি। সোশিয়েললিষ্টকী লৈঙাকলোনগী মখাদা লৈঙ্গরবস্তু, সমাজগী অনেম অৱাংগী থমথেংনা খেন্নবা লৈরিবসি থেংনহনা অহুগা লান অমদি নমথবগা কিরবা ৱাখলনা নীংবা কায়রবা বৃটোন নহারোল কয়াগী মীহুৎ জিম্মী পোর্টবনা শিন্দুনা চোংথোরকই। টেক্নোলোজিগী জ্ঞাইবংসিদা অফা অপুন লৈরবা মহৈমশিং তম্বগী মওংসিনা কৈদৌনগদগে হায়বা লুরবা ৱাকম অমস্তু পায়থৎলম্মী। ইণ্টেল্লিজেন্সিয়া হায়বা ৱাকমসি ইথন থরত্রবা মতমসিদা জিম্মি পোর্টরগী মহৈমশিং আসমা ইণ্টেল্লিজেন্সিয়া হায়বহু ওইরম্মী।

বৃটেন্দা অস্থুম শায়রম্বদগী "লুক বেক ইন এংগর" হায়বা লীলা অসি ইউরোপকী মকম কয়াদা শাগ্নরম্মী। ১৯৫৭দা ওস্বোর্ন'না 'দি ইন্টরতেনর' হায়বা অতোপ্পা লীলা অমগা অমুক ফুজিনলকই। মসি য়ায়া পাক চাউনা মমিং চংলি। লীলা য়াওবা ওস্বোর্ন না চহীচাসিগী খ্বাইদগী হেন্না পৈশা পায়বা লীলা ইবা মুপা ওইখি— চয়োল অমদা পাউণ্ড ৩,৫০০ ফংখি। ওস্বোর্ননা মতোন্নগী হনবী লীলা য়াওবী ম্যারি উরেগা লুহোংলম্মী। মানা থোনবা মমিং সিনেমাগী "দি ইদিওট হেরোশিংবু য়ায়া লুংশিনা য়ারমদে। মাগী রিপব্লিকানিজম' অহুনা ইকুই কুইদনা বৃটিশকী নিংথৌ শাগৈবু, সনাগী পুখম তেংজোংতা চাবা কিম্বররবা কাংবু হায়হল্লম্মী। ওস্বোর্ন'দি দল অমত্তদা নিংথিজনা য়াওদে। মাবু য়াদবশিংনা মাগী ৱাখলদি ওইররোইদবনি হায়না নিন্দা তৌনৈ। মতোমতা কংথজবনি হায়না থাজনরবা ঈচেল অহুগী মাথোক্তা চুম্লতা লেপ্পা কাওবা কান্নৈ হায়বসি মাবু য়াত্রিবা কাংবুশিং অসিনা কাউথোক্লম্মী। ওস্বোর্ন'দি হেক উনবদা পাক থওবা ওমদবা মীতানী; মরেপ ৱাংবা, মশা পাবা, লৈবাক মচা তাবা, মথোঞ্জেন্না য়াকপা য়াত্তেন ভুমত্রিক ভুম্বা জ্ঞান তান, মনামশিংতা চাবা মীদানি।

কোলিন উইলসননা 'দি অউটসাইদর' হায়বা লাইরিক ইবদা মাগা খ্বাইদগী হেন্না মপুং ফারবা থুংইনি হায়না মায়াই চেনলবা কৃতিকশিংনা হায়নখি। কোলিনদি হেন্না ফিলোসোফিকেল ওই, কোলিনগা ফিলোসোফিদি এক্সিষ্টেন্সিয়েলিজমগা নোম্যন ভিনসেট পিলগা অনাগা মরক্তা লৈ।

লালা হবদা ১ দি লালা য়াওবদা নাংবা কায়রবা ১দি মায়থিরবা চহী ২৪ তা চায়রিবা ষ্টাউর্ট হোলরোয়েদ কৌবা য়োর্কসাইরথেন অমনা "ইমরজেন্স ফ্রোম ক্যোজ' হায়বা ফিলোসোফিগী লাইরিক অমা ইহুনা বেগুৱাগোনদা কাথংহুনা উইলসনগী মতুং হল্লম্মী। হোলরোয়েদকী মতুং ইন্নদি দেমোক্রেসি হায়ব'স কান্নরবা "থাইনগী ৱারিনি" অহুগা সরকার অসিবু "হৈশিংলবা

"থরদংবা শিন্নখোকদবনি।

বৃটোন নহারোলশিং অসি ওক্সফোর্দ'তগীসু য়াম্না খোল্লকই। কিংস্লি এমিস অমদি জোন রাইন অনীমক ওক্সফোর্দ'তগী খোরকপনি। অনীমক কবিনি, কৃতিকনি, উপন্যাসকারনি। অতোপপা লাল মতুংগী ওস্মোনিয়ান অমা ওইনা লিওসি এন্দরসননা ষ্টেটস কা হায়বসিদা শাউরম্মী। মানা ফিলম ডিরেক্তর অমা ওংনা অমদি য়েংনগল্লবা মীশক অমা ওইনা "কমিটেদ আর্ট'কী রাথল অমা মীয়ামদা থননবগীদমক পুশিনলকই। বৃটিশ সিনেমাদা এণ্ডরসনগী অঙকপা কল্লবা ঈথিল চঙখ্রে হায়না কুংকশিংনা হায়নৈ। মহাক ১৯০৫দা "থর্শদে চিল্দ্রেন' হায়বা মনা পঙলবা অমদি মরোন খোক্তবাশিংগী মরমদা নম্বা ফিলম অমদা একাদেমী এৱাদ' ফংখি।

শিজগী নিংথৌগী রায়েল অমদি থঙহৌদনা লান্দারকপ আসনসু অমুক অশাউবসি হেনগৎহনখি। শিজ য়াদবশিং অহু "লুক বেক ইন এংগর' বুদি য়াই। রাথোক অসি খোকলিঙৈ, মৈথু পুরবা বোম দাউনীং ষ্ট্রীটতা থাদরিঙৈ. হরাট হোলদা পুলিশনা লাওলিঙৈ মরক অসিদা ওস্বোর্ননা মাগী "দি ইন্টর ফেয়র' হায়বা লীলা অসি রাথল ফংখি। এপ্রিল থাদা শামরদা মরু ওইনা শরুক য়াখিবা—স্যার লাউরেন্স ওলিভরনা শরুক হোয়রোইদবা অহু মেনশিনগে হায়না চঙখি। লীলা অসিদা ইষ্টাব্লিশ মেণ্টকী কাংবুনা শাউরিবা কাংবুদা ইহান হান্না চঙজখি।

খুমাং চাউশিনলক্লিবা বৃটিশ ড্রামাগী মকোন অমা রোয়েল কোর্ট থিয়েটরদা শাখি। এগস উইলসনগী ইহান হানবা লীলাসু লণ্ডন্দা শামখি। থিওসিয়ান নিগেল দেন্নিশ কোবা মী লকুবদা ফাওবা মুপাহুগী "কার্দ'স ওফ আইদেনতিতিক্র" অহুগা মাগী শাউরবা পেরেথল "দি মেকিং মু" শাথিনা লাই থাজদবা লীলানি। অশা চাউব ইষ্টএণ্ডগী মাইকেল হেস্তিং কোবা চহী কুনগী মথাদা লৈরিবা নহা অহুসু মথোয়গী লীলানা ভাব তানা শামবসি উরম্মী।

কেনেট ট্যনান বনার্দ'শোগী মতুংদা লাকপা খ্বাইদগী অফবশিংগী মতুংদা অমা ওইরবা ড্রামা কৃতিক্রি। মহাক বিরমিংহ্রাম মচানি। ওক্সফোর্দ'তগী ইংলিস সাহিত্যগী ডিগ্রি ফংলবা মতুংদা বৃটিশ থিয়েটরগীদমক লীলা কয়া য়াওই, লীলা কয়াগী ডিরেক্তরসু ওই। মতুংদা দি স্পেক্টেটরদা য়াওই ইংলেণ্ডগী 'ওবজার্ভর' অমদি অমেরিকাগী 'নিউ য়োক-র'দা লীলাগী মরমদা য়াম্না কুপ্পা নৈনবা ভাপ্পা ফংলম্মী। ইংল্যণ্ড, অমেরিকা ফ্রান্স জর্মনী অমদি রশিয়াগী লীলাগী মরমদা য়াম্না চংথোম্না নৈনম্লনা। লীলাগী মরমদা মপুং ফাবা লাইরিক অহুম মম্মী ইরে। অহুদা কর্তেন হায়বা লাইরিক অসিদা শামখিবা লীলা কয়া কয়াগী রিভিউ, লীলা ইবা কয়াগী মরমদা কুপ্পা নৈনবা অমদি লীলাগী মরমদা অকুপ্পা অমদি অথুপ্পা রাকম কয়া নৈনরি। হাম্বরিবা লাইরিক অসিগী ১৯০দগী ১৯৮দা য়াওখিবা "মুভমেন্ট' ওফ য়ং এংগ্রিজ" হায়বা রাথেংহুদগী মচং ওইবহুতা লৌথোক্লগা পুথোকচবনি। —শ্রীবীরেন

শাউরিবা কাংবুসিদা খ্বাইদগী নৌনা চঙলক্লিবদি য়োর্কসাইরামমেন জোন আইনলনি।

মাগী উপন্যাস "রুম এট ডি টোপ" হায়বসিদা লমচৎ কায়বা ওইজ তানবা মুগা অমনা লম চুম্লাইগী ওইবা হায়গী অহাংবা শাক থুগাইনবা হোংনবদা শিজিনরিবা উপায়শিংনু নৈনৈ। মাগী অনৌশুবা উপন্যাস 'দিভোতি অসিম্ব সমাজগী মরম্না শাউনা ইবা উপন্যাসনি।

অঙ্গুম্না মাইকৈ কয়াদগী ভোণ্ডান ভোণ্ডানবা মগুন থোকলকই। হিংবা হায়বসিগা কলা হায়বসিগা অনৌসিন্নী মরক্তা লৈবা মরোগী মরমদা রাকম অমদি তশেংনা খণ্ডনরে। অকাশতা পাইহুনা লৈরবা অহু পুমক্কিন কিম্বখ্রে। ওইবা হ্লারোইদবা খুৎইদু সংসার ওইবা হ্লারেংগী খুৎইনা মহুৎ শিনখ্রে। স্বর্গদা পাইহুনা হিংলমবহু পৃথিবিদা কুমথরক্লুনা মখোঙনা লৈবাক্তা লেপ্লরে। চাউখৎপা হায়বসি হায়গী হুন্নবহ্না অর্থ হোংদোক্লুনা সমাজগী মরমদা থোরা শাবা, অহুগা মী অমা ওইবা হায়বসি সমাজ অমগী দায়ি লৈবা শরুক মচেৎ অমনি হায়বগী রাখল চেনবা মীবুনি হায়না অর্থ হুম্নরক্লে। লাইরিকশিং লীলাশিং শৈরেংশিং ফিলম অমদি অয়েকপা লাইশিংদা বৃটেন নহাশিংনা ইংলিশকী ওইদবা মওংদা জুগোৎচাদনা উংলম্বদি হ্লাই অহুবু কলা হায়বসি পুন্সিদা ঊথিল য়ায়া চঙভি, অহুগা কলা হায়বসি পুন্সিদগী চেনবা যাদে হায়বা রাকমসিদা য়ুমকম ওইরগা ইবনি। মসিগী মরমগীনি মখোয়না শাউরিবমু। পুম্নিক্তি হয়েংদগী হৌগনি হায়বা রাকমসি বৃটেন নহাশিংনা থক কাউদে।

নোঙ্গিংবা খরা—

রাজনিতি য়াউহুনা লৈবাকী মন্ত্রি অচৌবা ওইরম্বনা শেংইরক্লগা গবর্ণর, এম্বেশেদর হাপ্লে। সাহিত্য লাইরিক ইবা মীনা চোইঙাং ঙাংহুনা ননসেল ঙাংলকলবদি পরিষদকী সমীতিগী চেয়ারমেন, প্রেসিদেন্ট হাপ্লে।

× × ×

লাইরিক ইবগী মেদাল অমা পিবগীদমক সেলেক্সন কমিত্তি অমা শেম্নলুই। সেলেক্সন কমিত্তিনা লাইরিক অমদা মেদাল অহু পিবা য়ানবগী মতিক চারে হায়না খাজৎলুবদা হায়গী বোডি মশা অহুদগী মেম্বর মশেল য়ানরক্লে। কোক্তাং মেম্বর অমনা লাইরিক অহু শেমদোকশি অহুগা মেদাল পিথরসি হায়বদা কনাগী নাকল, হ্লাজাও ঙাংবা কনাগী, হোই হোই হায়বা অরা কদোম কবো কদোম খোংউপ ভোংবা ভোংদবা অহুগা সেনাইল ওইরবা মেম্বর পুম্নমক্লুনু খুবাক প্রোক প্রোক থুনা রাখি মেদাল অশা তৌরবা সাহিত্য কল্লাও খরসু মখোইগী মুংশি চিঠি অহু শেমদোক্লগা মেদাল অমমমদং পিরবদি মুঙাইগনি হায়না শোয়খি।

কবি ইবোমচাগী পুনসিগী শম্লপগা বারী।

হন্নক্তা নোঙাখুবা শ্রীতোকপম ইবোমচা সিংহ কবি উপন্যাসকার অমদি লীলা ইবা অসি ইংশোক ১৯৪২ গী সেপ্টম্বরগী তাং ১০, শগোলশেল মুমিংকী মুমিদাং পুং ১০ তারদা



কাকৈথেন শঙাইত্রো মমাঙদা পোকখি। অপোকপগী মিংনো শান্তিপুর অহুগা অপোকপীগী মিংনা যেরা দেবা কোই। মচিন মনাউ মরিগী মথুংদা মহাক্না মাইমনি।

পুন্সিগী য়ম্মা নৌরিঙৈগী মতমদগী মহৈ তম্বা হৌখি। মহৈমশিং তম্বগী লম্বীদা ইহান হানবা খোঙদাবা ওইনা কাকৈথেন এল, পী স্কুলদা মিং চনখি, মথংদা কাকৈথেল এম. ঈ, স্কুলদা মথা তমখি। মতমসিদগী হৌনা মাগী পীথোরক্লবা লম্বী অহু মশানা তাকচবা হৌখি। এল, ঈগী নৌরিবা ছাত্র অমা ওইনা পুন্সিগী ইহান হানবা মীমাঙ থোক্না লীলা তৌবা অমদি লীলা ইবা হৌখি। "যৌবন পুংজ" কৌবা লীলা অসি য়াম্না নৌরিবা ছাত্রগী পুন্সিদা ইথি অহুগা হন্না হন্না মশামক মাওনা মাইপাক্না শাথখি।

হায়স্কুলগী পুন্সিনা খা ইম্ফাল হায় ইংলিশ স্কুলদা হৌখী। মতমসিদগী ইমুং মন্নুংগী খুদোং চাদবা কয়া থেংনবা হৌরে, মতমসিদা পুন্সিগী শেংলবা মাংখুম য়াওত্রবা তশেংবা তেংবানবগী অরাবা মচাক্না যৈবনা কবি অসিগী থোংলবা মংশাগী নৌজরবা বাহৈ বাতো অমদি মচিন য়াংলবা খুংহৈদা অমুক্না হেন্না মথৌ শংলরি। মতমসিমক্তদা মহাক্কী লীলা "সংসারদা লাইরবা" (১৯৫৭) অহুগা শৈরেং লাইরিক 'পুর্ণিমা নংবা কন্না ইখি। "কাইনা অহিং" অমদি 'ঈচম' মথং মথং ইখি। ইহ'ন হানবা ওইনা 'কাইনা অহিং" ছাপা নমহুনা মীমাং থোকখি।

হায়স্কুলগী পুন্সি লোইরবদা ১৯৬০-৬১ দা শঙাইত্রো মমাং এল. পী, স্কুলদা ওঝা ওইখি।

মশাগী চহীনা ১৯ শুরকপা, ১৯৬১দা চেকোন্দা লৈবী রানী দেবীবু, লুংশিনহুনা, চেন্নী অমসুং যুম্বানবগী পুন্সিদা চঙখি। লৈখিদ্রবা কবি অসি য়াই, ডি, ইউ (যুথ ড্রামাতিক ইউনিয়ন) বু লীংখৎথিবা মীশকশিংগী মরুংদা মরু ওইবা অমনি। ইউনিয়ন অসিগী সভাপতি চহী অনী (১৯৬০/৬২) ওইখি, মথংদা ১৯৬৮ দা ভাইস প্রেসিদেণ্ট ওইনা ইউনিয়ন অসিবু পুথৎলম্মী।

মণিপুরী সাহিত্য পারিষদনা ১ দি মণিপুরগী সাহিত্যগী ওইবা সংস্থান কয়ানা শীনবা কবি সম্মেলন কয়াদা মশানা কবিতা কথা পাখি। মপুং ওইনা, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতদা য়াওহনা মণিপুরী সাহিত্য সেবা তৌখি মহাক সমিতিগী এসিস্টেন জেনারল সেক্রেটারি ১৯৬৮দা অহংগা থংনবা চহী অনি (১৯৬৮/৬৯। চুপা বুক পব্লিকেশন কমিতিগী কনভেনর ওইনা সমিতি অসিবু পুথৎনবা হোংনখি। ১৯৬৮ ইংদা 'মোনালিসা" কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অসি নাহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা ছাপা নমহনা ফোংখি। অসুম্মা পুন্সিগী অরোইবা ফাওবদা সমিতিগী অচঙবা মেম্বর ওইখি। চহী ২৮গী তেরবা পুন্সি অসিদা পুম্না লাইরিক ২০ ইরম্মী অমগা মসিগী মরুংদা ছাপা নমহনা ফোঙলবা লাইরিক ১০ পুথোক্লম্মী। মহাক অসি লাইরিক ইরত্তা নত্তনা লীলা কয়াদা মশামক য়াওখি অমদি লীলা ক্লাগী ডিরেক্টর ওইখি।

মহাক্কী তেল্লবা পুন্সি অসি মনিপুরী সাহিত্যগীদমক হিংলম্বগুম লেপ্লমগা মণিপুরগী নহা ওইরিবা কবি, উপন্যাসক ব অমদি লীলা ইবা তোকপম ইবোমচা হৌথিবা লমতা থাগী পুর্ণিমা তাং ২৩। ৩। ৭০ ইং নিংথৌকাবা হুমিদাং পুং ৭ ১৫ দা অরোইবা য়াহিপ তানখরে।

মহাক্না ইরম্বা লাইরিক

ড্রমা ১। যৌবন পুষ্প ২। বদনাম, ৩। লাক্ষপতি নেশা ছাপা নয়বা) ৪। সংসারদা লাইরবা ৫। নুংশি লীনম, ৬। তাইওল্লবা ৭। চৈনাখোন, ৮। ঈচেল ৯ যাথং ১০। বারগত প ওন, ১১। ইকৈগী অশা

শৈরেং—১। কাম্না অহীং, (ফোংলবা) ২। ওসমান মে ব (ফো লবা) ৩। পুর্ণিমা, ৪। মোনা লিশ, (যাংলগা) ৫। শৈরেং লাইরিক অমা ৬। (ফোংদোক্রিবা) শৈরেংশিঙ।

উপন্যাস—১। মোংকম, (ফোংলবা) ২। মংলৈবাক, ফোঙলবা ৩। শরুগী মীতম (লোইশনদৌব্রবা)

ইবোমচাগী শৈরেং খরা

[কবি অসিনা ইকোন কোয়া ইরম্বা মখাগী শৈরেং অসি ডাক্তরনা কবি অসিগী অনাবগী হিদাক লৈননবা ইরম্বা প্রিসক্রিপসনগী চেনমদা ইরম্বনি—]

ইবোমচাগী অকোনবা শৈরেং

থম্মোইনা হিক্লা হিক্লা কপ্লিবা
কপ্লিবসে য়েংলয়া ও।
খাংঙমত্রবা মৈচাক্লা লঙ্কাহুংদা চাক্লিবা
মৈচাক অসি মুৎলরাও।
ঝিঙ্গুর থদত্তুনা পাইখরবদা চেক্লা
অহাংবা ওইজরে পিঞ্জরা।
থরাইগী পোম্বী মানা লৈত্রবদা
ওইরে কাপ্পত্রবা হকচাং॥
কৈদৌরনি পুন্সি অসি হিংবগী
কপ্পা কপ্পা লেন্নবা।
হিংলরোই আশা পামেল
পুন্সি লৈকংলাসিদা॥

মোনালিসা

লেপ্লি।
চংলকলিবশিংবু মায়োক্লনা
নোক্লা
কপ্পা
হয়াও ভায়াম্বা শককল্লা
শুকখরবা মিৎয়েংনা।
হৌথরবা ওইরিবা
তুংগী পুন্সি লাককদবা,
মায়োক্লখিনি মতৌ অম্বম্বা

×

মিংশেলগী মওং লৌরবা
শককমসিনা
য়েংলি তাইবং কুম্মৈবু মায়োক্লা
থমত্থনা।
থোকলিবা থৌদোক মতমগী
মমুংদা
ভত্তনা ওল্লিবা শাইওন
থৌদোকশিংদা
শাজিন্নরিবা পুন্সিশিংগী মওং
মতৌ ভল্লিবশিং
নোক্লিংখরেদা
কপ্লিংখরেদা।
কনানো য়োনা শিংলবা,
কনানো য়োনা পঙ্গলবা
কনানো হুন্তাইবগী অয়োবা
কংলবা
কনানো হ্বাবগী পম্বেং
য়োরবা?
লাও, চংনিক্লকউ,
মতমগী হ্বাংম লাপ্পবা অখোইবা।

×

শক্লাইদবী।
মতম অমদা অৱাবনা থল্লবা
পুক্লিংগী মৈচাক হন্থনবা
য়েংলুই নংগী মাইথোংদা
লৈরম্মী ননো থোইনা হেন্না
য়ারবা শকক্ষমদা।
মুণ্ডাইরবা মিকুপ অমদনা
য়েংলুই থম্মোইগী য়া পাউদমগে
হায়না—
লৈবল্মি নংমা য়ারোল পুবদু
খংবীরবগুম্না।
শাউনিংলুরেদা
থল্লুই অহৈ অপ শাজনিংবা
মাইথোংসি হুংশিত্রেদা।
নহাক্লা হাল্লি কোংদোকপা
"তৌজ শারিবসি নোক্লিংথরেদা"
ফজরবা চিত্র অমা য়েংলুই
নহাকসি য়েংবা
য়াররোই থল্লা লাকই;
য়াওরম্মী নংগী মাইথোংদা
অঙকপদু নমথংনবা।
মপানগী মিং অসি
লৈহৌই
নিংখিরবী মুক্তা'মগী
মিন্নাদা
চংথি
থম্মোইগী মিংনা
নংগী মিং অনিদা।
লাইবক ফবদগী ফজবা
চিনথান অমদি
ফংজরুরে শোকপবু
মতমত্থমক্তদম্
কাওক্তমদে নংগী চিনথাক্তবু।
লেপ্লে হৌজিক্তি
মীওইবগী পুক্লিগুম
য়াওদবা লৈতে মাইথোংসিদা
ফজবা অপাম্বা কল্লকপা
মিংহৌবা
মতম পুবদা
য়েংহনতা লৈজনিংবা।

×

উংলু নিংথিববী শক্তম অদু
মিংয়েং অমত্তগী মাইথোং
মপুং ফানা ফজরবা
নপুক্লিং কাক্তিন্নবা
থোংহনগে যন্ত্রশিং অসি
থোক্লেন অমত্তদা
মমি অমত্তং অয়েপ্পা লেংত্রবা
মাইথোংদা অহোংবা
লৈতনা তাননবা।
কাল্লত্রে থৌশিলসি।
পুক্লিং, মমি তারিবা
মাইথোংসিনা
ফোংদোরকই হেক্তা
পুক্লিংগী য়া।
যন্ত্রশিং অনিনা থোক্লে
থক থোক্লেল অমত্তা ওইনা

সুনীল গঙ্গোপাধ্যায়

মীৎ খুম্বা

অরুন্ধতি, ঐগী পুম্নমক
চিম্বান অদা কাখোকউ, লৈগী লৈত্তোন চুম্নু খোকসল্লু মখোল
ব্রহ্মাণ্ড পাতালদা
অরুন্ধতি মশাল ওইয়ু, মশাল পীয়ু, মশাল, মশাল
অরুন্ধতি, মশাল
মীৎম্নাগী টোর্চ লাইট নত্তে, থবাকতা মশাল, অরুন্ধতি লাইট হাউস
ওইদুনা লেপ্লোইদ্র ?
থবাকথক্তা খোঙ অনি, ফ্লুরোসেন্ট কৈবাক অনি,
লাইশংগী ফক্লাংদা ভাগী
মাইথোং নীংশিংলকই, করিগী অশুক ফজবা, ফজবা হায়বসি মীৎতাংবগী চিত্রাকলা,
ইরোইগী অঙাংবা কি মচেৎলা

ঊশিংদা লুপ্পা হুম্মিং খুরুম্বা, মীৎ খুমজিল্লগা মুংশিনবশুম
অরুন্ধতি, ঐগী পুন্সি লো, মীৎ লো, থবাক লো,
চিম্বান লো; নঙনা অপাম্বতা খুদংতুনা লো
খুদংতুনা লো, মাঙহল্লু, থুগাইয়ু নত্রগা চৈথাইয়ু, লংশেকখো
অরুন্ধতি !
নঙনবু মুংশিরবদি, অরুন্ধতি, কবিতাগী মনক্তা থাংনা থিল্লগা
শিমিল্লবগী ব্রতদা চৎথিগে, মহুনা কৈ, মীৎ অমা লংশেকখো ঊশিংদা—
কমা নীংজরমনি ঐহাক স্বর্গদা চৎকে হায়না, মাম্ন অসি লোৎশিন্নবা
অহুঙবা থবাক্তী
মমি অতৈ কদাইদা লৈবগে, লৈতে মালেমগী চীংগুং-মাগুংদা, লৈতে
মরি মরি চিংবা শদোংগী হয়াওবদা

লোংশিন্দবা মায়থোংশিংদো থবক য়াম্না চিনখ্রে, শিংলি তাক্না তায়খ্রে. কোয়বগুম
লমন থুম্বা, লমথৈ অমদগী লমথৈ অমদা কোইচেন-চেনবগুম,
পাক্লবা শুক্লংদা, মাঙ তাক্লবদা
ঐস্সু নুংশিদবদগী হল্লিজক্না, অরুন্ধতি, নহাকী মিংলুগী ঈরা থক্লি।

ঐস্সু পৃথিবী, স্বর্গ, কলেজ ষ্ট্রীটকী শাথীথ্রবা মৈ১াক উরগা
থুংশেম্ম্ য়ৈরি, থুগাই-লংথাইদুনা মাঙহল্লি, খোঙনা কাওদুনা
নোরোক্না থাদরি
নঙগী হকচাং থুংশেমনি, ঐগী হকচাং থুংশে ম্নি, অরুন্ধতি
নঙগী ঐগী ।

(বাংলাদগী হংদোকপা— নোংথোম্বম
কুঞ্জমোহন)

(সুনীল গঙ্গোপাধ্যায় হেরকপদা শৈরেংতা ইরম্মী । অনৌবা বাংলা শৈরেংদা হংগ্রি পোয়েৎ" হায়রগা থওনবা কাংবুগী লুচিংবা কবিনি । মহাক্ ইংশোক্ ১৯৩৩ দা পোকই । নোংচুপলোমগী সাহিত্য ২৯ক মুম্না থওলবা কবিনি । নোংচুপকী লোন কয়াগী শৈরেংশিং বাংলা লোন্দা হন্দোক্লনা ফোঙতি । ১৯৬৫ ৬৬ তা মহাকপু অমেরিকাগী অনৌবা কবিশিংনা বাতন তৌদুনা রা তাওনবা ১দি মৈননবা চৎলি । অকোনবদদি রারিমচা ১দি উপন্যাসতা অয়াবা ইথি । "আত্মা প্রকাশ" ১দি "অরন্যের দিনরাত্রি" উপন্যাস অনী অসি বাংলা সাহিত্যদা মমিং য়াম্না চৎলি । "অরন্যের দিনরাত্রি" হায়বা উপন্যাস অসি সিনেমা ওইনা পুথোকপদা রাকম কয়া য়েংনরি ।)

পাবিয়ু রাখল গ্রাহক ওইবিয়ু

মনিপুরী লোন্দা সাহিত্যগী মথিরা কনবা আতিকল অনৌবা রাখলদা নত্রগা ক্লাশিকেল ওইবনবা রাখলগী ইবিরকউ। চহিগী চাদা লু ৫ তাক থরচ য়াউবগী লুপা ৭ থাবিরক্লনা গ্রাহক ওইদুনা অশেংবা সাহিত্যগীতা ওহবা চেক্ষোং অসি পাবিয়ু ।

সার্কুলেশন মেনেজর রাখল

রতন কুমার

মতুংদদি হায়খিদ্রে

মতুংদদি ঐহাক মতোন্দা য়াহৈ অমত্তশাওবা হৌদোকখিদে। মানি। নোনতাদনি—ঐগী মরূপকিদমক য়াফম অমকাওব ঐনা হায়খিদ্রবনি।

ইহান হানবদদি ঐহাক্না উম্বা খুদিংগী হায়রমই। রেষ্টোরেণ্টকী কেবিন মন্নুংদা কোফি কপ অমমম মাংদা থমহনা ঐনা নোনিতাদা ঐগী মরূপকিদমক হায়জখি। ঐনা হায়—নহাক্কি থম্মোয়্সিদা মুংদগী হেন্না কনলি। মানা খুমই—উম কল্লম্বা য়াই। অদুবু থোংকে হায়রবদি লশিং মফোন্দগীনু হেন্না থোংপা ওমই।

ঐহাক মাগী পাউখুংদা ওকপগী থম থেংই। ওকফমস্তু থোকপ্রা হায়না খল্লি। মরমদি ঐগী নহা ওইবগী পুক্কিদা নোনিতাগুম্বা অমত্তস্তু থেংনখিদ্রি।

অঙ্গমিং খুদাংগী সিনেমা হোলদ, পান হুকান্দা নত্রগা খবর লোকমদা অয়ুক খঙদে ঙুমিদাং খঙদে থেংনরিবা মরেপ য়াংবা কুলৈ কুচু ওইবা, শম থাউ তৈদবা মায় চপ্পা ঐহাকসে ময়ামগদি শক খঙনব ঙাক্কনি। অদোম নঞা নহান হোটেলদা ইনবীরম্বহৌবু মানিনে—টেরিলিন ফুরিৎ অত্তিয়া মচুদা জোদিয়াক টাই অমগা থোংগ্রাও অমুবা থোংউপ কাপ থাংদা ঙাইরিবা অমা উপ্পুনা গোল্ডফ্লেক উপুদগী চুরূপ মচৈ অমা লানবীরম্বদো—অদোমনিনে। "বাবু" হায়বা মিংথোলহুমক্তি ঐহাক কয়া পাগজদবনি। অদুবু শকখঙ নবদা ঙায়রি হায়বদগী সুম তুমিন্না লৈজহৌরবনি। তো-তো। সুম থিজিনকরগদি হেক্তা খঙনরমই। অদুবু অরাবদি অদোমগা নোনিতাগদি শক খঙনবীরম্রোই। খঙনফমস্তু থোক্তে মরমদি ঐগা মুন্না শকখঙনরবী নোনিতাবু ঐনফাওবা উখিদবা মতম ফন শাংলে।

ঐন্তু হান্না শকখঙনরম্বা নত্তে। ঐগী মরূপ রাজেনগী দমক ইথস্তা খঙননবা হোংখিবনি নোংমা নুমিদাংরাইরম অমা খ্বাঙদা লংলবী স্নাবুন পুহনা কোম্বোংজৈ হাংদোক্লিজৈদা রাজেন্না ঐঙোন্দা "সিনি য়েংঙু" হায়হনা খুদোম্বী থিললগা নোনিতবু তাকখি। ফনা কঞ্জে। য়ায়মক ঙৌবদি নত্তে। অকোয়বা মায়থোংহদা য়াশি অমাদি ফনা নীংথিনা লৈ।

ঐনা খ্বায়দগী নোনিতাবু তিয়বদা হুঙাইবদি মাগী য়াংাং শাঙাং অহুনি। অদুবু য়াঙাং অহুদস্তু ঐহাক মরক মরক্তা শাওনীংবা অমা পোল্লকপা য়াওই। অত্তে কৈস্তু নত্তে—মাগী কেরেলা নত্রগা সাউথ ইণ্ডিয়ান মচানা ঙাংবা

মলয়ালম কাসাড়ি ট্র্যান নকপা ইংলিশ য়াওরক-পদনি। মতমচুদা ঐহাক ভাব তাবা ওমদে।

য়াজেনগীদমক্তা। মানি ঐগা পিশক পিক্লিচৈঁদগী চাক পুথম অমক্তা চাহনা চাওখিক্ল-মক্লবা ঐগী মরুপ য়াজেনগীদমক্তনি ঐনা অহুক তোয়না নোনিতাগা য়ায়ী শারুরিবা।

ঐথোয় য়ায়ী শাই। য়াজেনগী মহুৎশিন্দুনা ঐনা চাংই। থজিক থায়াক ওাংবা নত্তে। চীনবাম অসিদা কোক্সোল কাদে হায়রবতমক থাকই।

স্বম স্বম য়ায়ী শাই। শেংনা হায়রবদা ইমানা পোকপদুগী বোম্বে চত্রিবা ঐহাক্লা, ডাক্তর ওয়ুবা, ইঞ্জিনিয়ার ওয়ুবা মরুপশিংদগী য়ায়ী কয়া খোমজিনলগা নোনিতাদা লৌ। মেরিন ড্রাইভ চিথরক্রা কা হায়নম্ভ থম্মোয়দা থললি।

তশেংনমক নোনিতাদা ঐনা উন্নসি হায়বদি বোম্বে, কলকাটা, মাদ্রাজগী য়ায়ী শাগে হায়বগীদমক নত্তে। ঐগী য়ায়ীগী পম্বুং-ক্ষমদি য়াজেনগা মরমদা লেকচর পীবানি।

মেরিন ড্রাইভকি সমুদ্র মপান্দা কোয়রিং‘ঙা নোনিতা ?

কোয়শীংই তামো। পুবীনবা লৈতেনে।

য়াজেন লৈরিসিদী। ফম ফত্রবমু—ইনাক থুংলি, মশামু এস ও, নি। মশকমু পীবা নত্তে .

তো মায়দা তোরক্লদোনি।

করিনো নঙনা অহুক পংইবো ?

অপংবী ওইজরবমু ওইজরগে। তা.মা নত্ত মাপী বা হৌদোরক্ত। হয়েংদৈ নঙনা ভাইথো হায়রবম্ভ ওাইজরোই, কৌবম্ভ থুবজরোই।

অহুগী বা নত্তেনে নোনিতা...।

ভাইথো তামো। নত্তোন্দা ঐনা কয়াবক্ম হয়া হায়থ্রবা নত্রা ? ঐহাক বাকম অহু য়াবা ওয়োই হায়না। ঐ থঙই, এস ও য়াজেনবু ঐ মুয়া থঙই—মহাক ইনাকথুনবা মচানি, মশক কজে। অহুবু ঐদী বাকম অহু য়াবা ওয়োই।

করিগীনো নঙনা অহু য়োনা তাথীরিবা নোনিতা ?

তাথিবা নত্তে, মুংশিবনি। নহাক থাজো তামো—ঐ য়াজেনবু য়ায়া মুংশি। মুংশিমন্দুনা হায়রিবনি। মহাকুথা মপুন্সিগী মুপী থিত্রিবা, নোয়বা পাথং অমগী পুন্সিবু ঐওদী চ’হ তরা মণ্ডাদা মীনা চিংলুরবা মৌ অমনা মাওহনথি হায়বাস ঐ হায়হয়ৌংদে।

মহুগীদমক্তি নঙ চিংনকম্র নোনিতা। নঙগীদমক য়াজেমা সংসার ফাওবা থাদোকপা ওমই।

মহু ঐবু মুংশিবীহুনা হায়বীবনি। অহুবু ঐওদী সমাজনা তিনশিংলবা মুপী অমগদি মহাক্কা মতিক চানদে হায়াবমু।

অহুগী মতুংদগীদি ঐনা নোনিতাদা য়াৈং অমশাওবা হায়বা ওমথিত্রে। উরৈ—উরবমু কৌনবা নত্তনা করিমত্তা হায়রুদে। থর লৈরগা নোনিতাবু উথিত্রে। মরক মরক য়াজেনদা ঐনা হংই—নোনিত'হুবু উথিত্রেনেহৈ।

মাস্থ খুমই—হোস্টনে কমদৌখ্রবনো ?

অহুদগীদি হুমিন্না লৈনৈ।

নোনিতা নত্তনা লৌয়োই, মখোয়গী খোজান্দা শিনি— হায়খিবা রাজেন্না ইবেমহল লৌয়গা মচাহুপা ভৌয়োক ভৌবা অমা পোকপা কুমদনি। মহাক থৌবালদা পোষ্টীং তারে, লৈফম চাফম য়েংলুদি— নোংমা নিনি লৈরম-লগা চংখো হায়হুনা ঐবু রাজেন্না পুরকই।

কার্টরহু ফয়ে'লে। নবু মুণ্ডাই— অহুমীস্থ মথক্তা এলাওয়েন্স হেনগদৌরিবনি। ঐনা রাজেনগা হুমিদাংবাইরম কোয়থোকলুসি থোরকই। অমুক্তা চত্রিবা লৈরক অমদা ঐখোয় অনি হুম চগুশিনলি।

নোনিতা মানত্রা আদা হুকান ফম্লিবসে?

ঐ মুম্না য়েংই। অহুগা— মাগ্লিনে ভাই, লাও চগুলুসি।

ঐখোয় অনি চগুই। অপীকপা হুকাম্লি। ইগী মুমদা জিশ্বনা মতেক অমা শমখৈ। মালোল মচাহুগী থাক্তা মখোঙ নাম্না ফক-খবদা স্থপা অমা লাইরিক ইহুনা লৈরমই। নহান— ঐখোয়গী লেঙ্গা। চুরূপ উপু অমত্তা লৌজগেবা।

করি চুরূপ ওইরবনো? মহাক কা চপলম্বদগী মমায়হু লৈথোরকই।

হৈমা তামো। নোনিতানা খংপ্রেক খ'না কৌরকই।

ঐস্থ ঙকই— থাজরমদবগা অশেংবা ওইরম্বহুদা।

কমদোরি মুণ্ডাইরিত্রা?

মুণ্ডাইরি তামো— নখোয়দি?

মুণ্ডাইরি হায়বা তারেদনা।

হুন্দক্তি থর তপ্পপ নোনিতানা হায়রকই। আদা লাইরিক ইরিবসে ঐগী নিপানি। ঐনা পামজবা— ঐনা মুংশিজরবা—।

কেম্বল অমা—

থায়না মমা'তৈদা লৈবাক অমদা মীওইবগী মতৌ তমহুনা গাধ, লমহুই, সন, ইরোই, হোদোং, উচিনচিংবা শা মথৈনা সাহিত্য পবিষদ কৌবা সংস্থান অমা লিংখৎলম্মী। পরিষদ অসিনা চহী খুদিংগী অফবা লাইরিক্তা সনাগী তকমান অমা পীবদা কুম অমদি নিবা কোইচৎ চৎপা অমনা ফংলি, অতোপ্পা কুম অমদনা মশক ফজৈ, যেংবা মুংঙাই, সেগ্লি ওইবগী ফংখি।

ইকোন কোনব' কুমদাদি লাই'রক অমা পুখৎলকপদা পায়জমান উপপা পগুলবা সন অমনা হায়—

"মাদি ঐখোয় ময়ামদা নিবস্থ লাক্তে, মশকস্থ ফজদে সেক্সিস্থ ওইদে, অহুগা কবি, লেখকী, ইউনিফোর্ম ফৈজোম, নত্রগা পায়জমান, পূমজাংস্থ শেৎত্তে; খোঙগ্রাউ অথুবা উম্না, সাইকল মথুন্দা নপুনস্থ কোইচৎ চৎলি, করি হায়না পীদিগে মসিবু, লাইরিক্তি ফনা ফজৈ।

মাগী রাসি ত'বদা সন, ইরোই গধানচিংব, ফেম্বরশিংহু জ্ঞান তাদনা হুমিন্না লৈখি।

মঙ

জোসেফ কেনা মঙ মঙলম্মী।

নীংথিজরবা নুমিৎনি, কে অসুম চৎথোকপগুম তৌরম্মী অদুবু মানা সেমেটরি য়েংবা মতমদুদা মহাক খোঙকাপ অনী অহুম থাংসিন্ত্রি। লম্বীদু খোইজিং খোইঅাংদি, হৈশীংনা অমদি ওইথোকপা য়াদবমথৈ শেম্মী, মশা লুম্না থোং মান্না চেন্থুরিবা ঈশিং ঈচেলদা ইংনা তপ্না তাউথবগুম লম্বী মরামদুগী মথুং লম্বী অমদা মানা চংথরম্মী।* অথাপ্পদা নৌনা খোনগংপদা ওাম্নরিবা মোংকম অমা উরম্মী; মহুগী মনাক্তা মহাক লেপ্পীংলম্মী। মোংকম অদুদা অপাম্বা অমা পোকহল্লি; চপচান্না থুনা য়োবা ওমত্রে হায়না মপুক্লিংদা খনজরম্মী। উরিবা দৃশ্যদু তোয়না তোয়না মাঙলম্মী; মরমদি যাম্না কন্না কন্না মি য়েং হোংহনবা অদুগা মিংয়েংত্তুম্ব মতং মতং থদংলিবা কিবাল শিংহনা অ নব পীবননি। কনমত্তনম্ব লৈবাকমচা ওাবা চমপ্রাসি অমত্তা থেংনরাও। অদুবু মকমন্তুদা য়াম্না হয়াউ তবায়বা কুইম্ন অমা পাংথোকপগুম খোঙলি।

অম্নম্না থাপ্পা মানা মুম্না য়েংশিন্নৈদা মোংকমদু লম্বী মনাক্তা লৈরম্বা অদুদগী হেক্কোক্‌না চৎলমগদবদু খংখং খঙলকই। নাপী মথক্কাঅমদা মহাক খাংচোং চোংঈৎ। খোঙ থাংগৎপগা লম্বীনা খোঙয়াদা চেনথিনলকপগুম মহাক থক থক নীক্‌না মোংকমদুগী মমাংদা থুকউ শোন্থনা তুম্মী। তুপী অনীথক মোংকম অমগী মনীংদা লেপ্পম্মী; মোংকমগী মুঙ অমা মথোয় অনীগী মরক্তা থম্নগা পান্নখিন্নরম্মী। মথোয়না মুঙ অদু লৈপাক মথুংদা থাদহনা বিলামাতি চপিন্দুনা য়েংবা কাঙদদি কে থুংলমজ্রিবনি। আটিষ্টনি হায়না কে-না খঙবা অতোম্না মুপা অমা মোংশোং মরক্কী থোরকই। মহাক খোংগ্রাউ অম অমসুং কুদাম নিংথিনা পাল্লবা যু'রং অমা লিংশিল্লি—মকোক্তা ভেলবেটকী তুপী, মথুংতনা চুম্নগী পেন্সিল অমত্তং, চংনা চংনা মানা অহাংবদা পেন্সিল অদুনা লাই খরা য়েকলম্মী।

পেন্সিলদু গায়না পায়না মানা হৌজিক মশামকপু মাংকম মুঙ অদুগী মকোক্‌দা এত্রেশ তোঙরম্মী, মুঙ অদো য়াম্না য়াংন্রি, নেপদা থক থক নীকদবা মকম চাত্রবা মোংকমদুগী তৌথোকপা লৈবাকী লৈচত্তাংহনা মুংথগা মহাকগী মরক্ত লৈবনা মানা মাংলোমদ নোম্বা তারবম্ব নোন্নি নোম্বরমদে। থুনীং কাংথংদুনা লেপ্পী অদুগা মুংগী পাক্লবা মথাইহনা মথুং ওইনা পাম্মুনা চাকলম্মী

য়াম্না ওক্না চুম্নগী ইচম চখা পেন্সিন অহুদগী সনাগী ময়েক খোয়রবা তোরম্মী। মকমসিদা লৈরে হায়না ইরম্মী। ময়েক খুদিংমক য়াম্না ময়েক শেংজি। মশক কজৈ, নুমা হুকই, অহুপা অশেং অশেংবা সনাগী ওাকনি। মাপা রা'হুশিংসি হকপা মতমদা কয়া হকদোরিবনো হায়বহ থওনী'লিবা লুপাহুদি থওইনা য়েংদহুনা মুংহুওদা মমা য়েংহুনা লৈরিবা কে-দা মহাক্না মাগী মরোং লৈহুনা য়েংলকই। লুপাহু অমুক ইথরম্মী অহুপা কে-রোমদা ওনশিনলকই। মতমসিদদি কে না মাতোম্বা য়েংলম্মী। কয়িদমীনো হায়বহু থওজবহু য়ামা মুংওাইত্রে হায়বহু থওজিনলম্মী লুপাহুগী হায়দী হৈনীং খোংনীংবহু মাওখ্রে। মহুনশু কে-দা হৈনদবা অমসু পোকহল্লবনি। গতি লৈত্রবা মিংয়েং অমতং য়েংথোকথি। অনীমক্তা লেপ্পবা ওমত্রবা অকিবা থওনদবা অমনা মখোয় অনীগী মরক্তা থংলম্মী। মতম চাদনা মমি শামি ওইনা শেংকাক্তনা শরিক থিংলকই অম্বু আটিষ্ট অসিনা মথুং থাংগংহুনা ইঙ্গিত অমা তৌখি, অহুদগী থিংবহু লেপথি। অমুক থুনমক ওাইহাকী অচিকপহু থুগাইহুনা মখোন অহু খর থোকলত্রা হায়না চাংয়েংবওম থিংলকই; হুন্নকী মসিমদি য়ামা ইংনা মেংনা মযেক শেংকাক্তননি কে-না আটিষ্টকী মরাইবক থীরবা কিবমহুদা মথুংলোশিন্নগা হিক হিক কপ্লম্মী কনা কুইনা কে-না কপ্পা তোক্তিত্রবা ফাওব আটিষ্ট অহুনা ওাইহুনা লৈরম্মী অম্বু গতি তৌনাংওই লৈত্রমাক্তে লাইমিক মমেক অহু অমুক য়েঙ্গগে হায়না মপুক্সিংদা লেপ্লম্মী। অংানবা থুংয়েক অহুমনা কে-দা পোখাবা অমা পী। মহুসু তৌনাংদনা তৌবদগী কংবনি। ইথীন থীম্বনা তোরিবা থবক অহু কক্তনা লোইশিল্লে; মরেক ইশেং শেংত্রবা ১দি অককবা থওত্রবা থুংই অহু তোকথোকলহুনা য়ামা চাউরবা মরেকতহুম ওহোকলম্মী। মহু "জে" হায়বা মরেক অসিনি ইবা পুমলোই লোইরে।- আটিষ্ট অহুনা মতমহুমক্তদা য়ামা শাউনা মোংকমগী লৈত্তোংহৃদা কুমথরকই মাগী মথোও অহু লৈমাইদা হেক নেংপদা অকোয়বদা লৈরবা উফুল অহু কং হোৌরম্মী। য়াম্না কুইরবদগী কে-না মাবু থওলকপনি। হৌজিকত্তি ওাকপীরবা হায়জবহু নংত্রে মথুং থুংশা লোইনমক্তা অদিংবা অমত্তা পীত্রবা লৈবাকহু তোরম্মী; পুম্নমক হান্না থোরাং লোইরবনি পোং মশক ওইনা উনবা লৈপাক মচেং অমতংনা শারম্বনি; থুদক্তা মহুগী মথাদা য়াম্না চাউরবা অহোবা অমা হোংতোকলে য়াম্না লুনা, মহুদা কে-না লুপ্পথরম্মী অতুপা ইংনা চেম্বরিবা ঈচেলদা তিনপুই। মথুং হুনজিত্রবা মওং অহু কংবহুদা মাগী মকোক অহু মওকশম ফাওবা থিনগংহুনা অরাবহু থাংলম্মী, মা মশাগী মমিং অত্র হুং অহুগী মথক্তা চাউনা কক্তনা লৈরম্মী। উরিবহুনা ওক্তত্রনা মহাও মিকপ থোরকই।

নিংখৌরেনগী পাউজেল

নিংখৌরেন্না, অহুম্না মারী শানৈ—নত্তোন্দা পাউজেল অমা থারকই, নিংখৌরেনগুম মগোল চাউরবা হুমিংকী মমাংদা চেনবদা থাপথ্রবদগী য়েংলকবদি মাইক্রোস্কোপ্তা উবমুক্তা চাওনা উরবা পীক্লবা প্রজা নত্তোন্দা নিংখৌরেন্না শিরমদাই কমুংদা হিপ্না হিপ্না পাওজেল অমা থারকই। পাউ পুবা মী অহু মাগী কম্মাংদা থুকউ থুদক কুপ্না কমহল্লি; অহুগা মাগী মনাকোংদা পাও-জেলহু হায়বিরম্মী; মানা মহুবু অম্নুকী মতিক লুনা নীংখ্রে, মা মশামকী মনাকোংদা পাউপুবা হুপাহুবু অমুক হন্না হায়হল্লি। অমুক হন্না হায়রিবহু পুমচুম চুপ্নে হায়না মওক নোন্নহুনা য়ারম্মী। সিপাই হুংকাই মখৈ লোইনা মাগী শিবগী মিংকুপত্তু য়েংননবা মকমহুদা তিল্লম্মী—উনবা মিত্তা থংলব্বা কল্লাং মখৈ লোইনা থুপাইরম্মী অহুগা অন্নাওবদগী চাউনা চথরকলিবা সিরিহুদা শিংথানবা য়ারবা অওম অখৌশিং কোয়না লেপ্পী—মখোয়গী মমাংদা মখৌ হাপলিবা পাউ পুবনা চংকদবগী লৈরি। পাউপুবা থোকপ্লে, কনলবা চাউরবা য়ানীংঙাই লৈত্রবা মুপাহ্ন, মথুং নাম নান্না মীন্নামহু ইম্মোক্‌লা নমহুনা মীন্নাম মরক্তা থোরকই, অপনবা হেক থেংনবদা মথবাক্তা থেংজিবা হুমিংকী থুদম অহু উংলি. লাইনা

নাম্মোরকই, কনানহু মিংবা ওমদে। মীন্নামহু অম্নুকী মতিক য়ামদ্রে, মখোইগী লৈকমহু লোইবা নাইরমদে। মহাক্কা মমাংদা বেন্না চক্রি থাংত্রবা লমহাং অমতং থেংননবা, শানা কমম হায়না চেমগদৌরিবনো? মাগী মথুং মশানা নওগী থোক্তদা নম্নবগী মখোম্নু ময়েক শেত্তনা নত্তনা তারমগদবনি। অহুবু মহুগী মহুংতা, কয়াদা মাগী হোৎনমম্নু অরেম্বদা তাম্নিবা, কোম্নুংগী মন্নুং ইথং থংবা কাহুদা হৌজিক কাওবা মানা চংননবা কম্না হোৎন-হুনা লৈরি, কৈদৌম্নুংদম্নু লোইশিনবা ওমলোই-দৌরি, অহুগা মহু লোইশিনলবম্নু, মাগী কিবম কবগী য়াদি লৈত্রি, মহুগী মথংদা অমুক হুমাং অমম্নু লৈরি, মহু লাম্নোকপা তাই, হুমাংগী মথংদা মম্নুংথংবা কোম্নুংহুবু কোয়শিল্লবা মপাঙ্কবা কোম্নুং লৈরি, সিরি কম্না, হুমাং কম্না অহুদগী অমুকম্নু অতোপ্পা কোম্নুং; অম্নুম্না চহী লিশিং কম্না; অরোইবদা মপাল ইথং থংবা হোজং অহু হাংবা তাই— মহুদি কৈদৌম্নুংদম্নু য়ায়রোই, কৈদৌম্নুংদম্নু ওইথোক-লরোই— মহাক হৌজিক কাওবম্নু কেপিটেল সিটি অমুক লৈরি, সংসারসিগী ময়াই, পাথনা চেম্নহুরিবা মীম্নুংশিগী ইংচল। কনানম্নু মহুবু নমহাবা ওম্নরোই, পুম্নমক অমতা থাক্তনা অশিবগী পাউ অমদি কংগনি। হুমিদাংয়াইদা নওনা মিহুৎখোং ময়াদা কমহুনা পুম্নমকসি চুপ্পী হায়না মও মওলি।

থাদোক্তনা চৎখিবা

শগোলশংদগী ঐগী শগোলছু লৌরুনবা ঐনা য়াম্বং পীখি । ঐগী ইনাইহুনা ঐগী য়াম্বংছু খুত্তলমদে। মরমসিনা ইশামক্রা শগোল-শংদা চত্তুনা শগোল শাবোৎ হাপকৎতুনা শগোল অমা তোংখৎলম্মী। অথাপপদা বাজাই থোংবগী মখোন তাই, করিনো হায়না মীনাইদা ঐনা হংখি। মাদি কৈদম্ব অমত্তা খুত্তলমদে অদুগা খওইনম্ব তারমদে । থোজান্দা ঐবু থায়তুনা মানা হংখি— লেওবিরিবহ কদাই-দনো ? ঐ খত্তদে, ঐনা হায় মফমসিদগী মপান্দা, সিগী মপান্নতনি অতৈ কৈদম্ব নত্তে, ঐনা য়ৌবা ওম্বা পম্বুংকম হায়ববু সিদনি। মানা হংলকই— অদুনদি য়ৌবিরুগদৌরিবা পম্বুংকমছু খওবিরব্রা ? ঐনা খুম্মী— হোই, ঐনা হৌজিক্কা হায়খিবহুনি সিদগী থোক-খিবা মহুতনা ঐগী পম্বুংকমনি ।

মতু থাদোকও

মতু য়াম্না শুল্লিবা অয়ুক্তি, সরক অহু শিং নাল্লি অদুগা মী য়াম্না তাকই। ঐহাক ঐসন্দা চৎলম্মী। ঐগী ঘড়ি অদু টৌরার মাকক য়েংনবদা ঐনা খল্লবহুদগী য়াম্না থুনা চৎলম্মী, মসি খত্তলকপদগী হুংণ্ডাইতবহুনা অপোংবা লমীচু ঐ খত্ত্রে, চাউন অসি ঐহাক মুন্না খত্তখি, ঐগী লাইবক কবনা ইনক মক্তা পুলিশ অমা লৈরম্মী; ঐনা মাত্তোন্দা খর তৎপমখৈ চেনশিন্দুনা ঐগী লম্বীছু হংখি। মানা মোমোন নোক্লগা হায়রকই— “নত্তনা ঐত্তোন্দা নওগী লম্বী হংলিবা !” ঐনা হায়— “হোই, ঐ খওত্রহুনা তৌবনি ।” মানা হায়-রকই— “তোকও, তোকও !” অদুগা মতোমত্তা লৈজনীংবা মতৌদা থুনমক মহাক মমায় লৈথোকখি ।

পিকলবা ফুঙ্গাৱারী

“অৱাবনি”— উচি অহুনা হায়— “মুমিৎ খুদিংগী পৃথিবীসি অম্বম অম্বম পীকশিনলক্রে। হৌরকপদদি অকিবা ফংনা চাউরম্মী, ঐনা কোইচেন চেন্দুনা শাররম্মী, য়েংও অনী-মক্তা ককলাংশিং ঐত্তোন্দগী য়াম্না থাপনা লৈরম্বহু উবদা ঐহাক য়াম্না হুংণ্ডাইজরম্মী, অদুবু শাংলবা ককলাংশিংসি অম্বকী মতিক থুনা পীকশনলকলে, অরোইবদদি ঐহাক কা অমদা লৈররে অদুগা ঐনা মঙ্গংদা চেনশিন-গদবা শারং অহু কাচিন্দা লৈরে।” হৌদোংনা হায়রকই— “নত্তনা চৎকদবা মাইকৈ হোং-গদবদা মত্তায়রে।” অহুদগী উচি অহু চাথোকখি ।

(হন্দোকপা— শ্রী)

ফ্রান্জ কাফকাগী মৱ়্জদা থৱ়্দং:—

লাইৱিক ইৰশিংনা মশাগী থুংই, লাইয়েক-পশিংনা মশাগী লাই য়াম্না লুনা নীংনৈ, মথৱায়-গুম খল্লি, করিদা মাঙখিগদগে করিদা জেক-খিগদগে হায়না চোকশিন্না থমজিনৈ। অদুৱু কাফকাদি মাগী মরুপ ম্যাক্স ব্রোডতা চিঠি ই—"Everything I leave behind me (that is, in the book cases chest of drawers, writing table, both at home, and in the office, or wherever anything may have got to, whatever you happen to find) in the way of notebooks, manuscripts, letters, my own and other people's, sketches and so on, is to be burned unread and to the last page, as well as all writings of mine or notes which either you may have or other people, from whom you are to beg them in my name. অদুকপা হুপানি।

কাফকাবু উপন্যাস ১ দি ৱারা মচা ইবা ওইন মরু ওইনা খঙনৈ। ধর্ম্মগী ৱাখল থনবা অমা'দ ধর্ম্মগী কৃতিক ওইনাদ মাবু চৈবস্ন য়াওই, থাগংপস্ন য়াওই। মাগী উপন্যাস অনী—দি ট্রাইয়েল 'দি কাসল এলোগোরিকেল ওইবা উপন্যাসনি। তপথত্রগা থৱায়না অশেংবা অচুম্বা থিবা চৎপা খোঙচৎনি। ফজৱ়্বা ৱারী অমগী মকোক খল্লায় অরোয়ৱা নীংথিনা থমহনা কুপ্পা শাগৎলবা মোটকী মকুপ মতাইহ কুপ্পা লোনবা লৈরোং অমা উৎহুনা, অহংগা লমচৎ-ৎগী অকুপ্পহ্ পুথোক্ না ইবা ভাক্তব উপন্যাসনি হায়না লৈরম্বা থাজনবী অহু থুগাই হুনা, থুমজিন্দুনা থম্বা মচেৎ অমতা য়াওদনা মীওইবগী এবসার্দিতিস অহুতবু পুমহাং হাংদোকপৱুম্ন উপন্যাস কৌই হায়না খঙনয়ক্লিবসিবু ওইহল্লবা ৱারেং ইবা কবি হায়না কৌনরবা অনৌবা যুগগী উপন্যাসকার জেমস জোয়স বেকেৎনচিংবগী মহুংদা ফ্রান্জ কাফকাসু য়াওই। মথোয়গী হোৎনমন্নি। কাফকাগী উপন্যাস "আমেরিকা" ইচম চম্বা মরাল লৈত্রবা হুপামচা অমগী ৱারীনি।

ফ্রান্জ কাফকা জেক সাহিত্য কলাকার অমনি। মহাক ১৮৮৩ গী জুলাই তাং ৩ দা প্রেগ সহরদা পোকই। মশাগী থুংই থৱ়্দমক মশা হিংলিত্তৈদা ফোংলম্মী। কোম্বংদা কোঙবা শুংপাম পায়-খিত্রে। মশা শিথৱ়্বা মতুংদা মশাগী হায়জরম্বহ্ ভাকপিবা তৌদনা মাগী মরুপ ম্যাক্স ব্রোডনা শীন্দুনা ফোংবনি। ১৯২৭ দা প্রেক্কৌ হোসপিতাল অমদা শিখি। মাগী থুংইশিং অসি মওং য়াম্না চাদনা থম্মীনা মমিং থোন্দবা কয়া কাংখোং চাইনা থনহনবা কয়ানি। অদুবু মশা হিংলিত্তৈদা লাইৱিক কোঙবগী থোৱা শাত্রবসু হৌজিক্তি মাগী লাইৱিক কোংদোক্লে, পাবা কংলে। অনৌবা পৃথিবীগী সাহিত্যদা মরু ওইরবা লেখক অমা হায়বহ্ ওইরে। —শ্রী

লাইরিক মশক তাকপা

পোথাবদা নুংঙাইনবা ইবা বারী

ফিজং মরুমদা—
ইবা শ্রীহিজমগুণ সিংহ, কোংজবী এল, বিজয়া দেবী
ইম্ফাল, ১৯৬৯ — মমল লুঃ ৩

ক্লাস থ্রি, ফোর তম্বা অঙাংশিংগীদমক ইবা রচনাগী লাইরিক নত্রগা ক্লাস অসিদা তম্বা সাহিত্যগী চংখোমবা অর্থ মান্নবা; সাহিত্যগী অচঙবা মাশা অমা পুম্বিবা কল্পনাগী মুর্ত্তিনা পীক থনবা ১দি পুন্সিগী লুমবা ১দি কুপ্পবা মাকম কয়া তাওবা বারীমচা হায়বা শেমগৎ শাগৎপগী শক্তক (Creativeness) অহু যাওরমগদব। লাইরিক মুংমান মাপ্রবা শ্রীহিজম গুণ সিংহনা ইবা 'ফিজং মরুমদা' হায়বা লাইরিক অসিদা বারীমচা ১২ য়াওরি। ঐখোয়গী সাহিত্যদা হিজম গুণসিংহগী মকম চাউনা শেমগৎথ্রবনি উপন্যাস মরি ইহনা। 'থুদোন' হায়বা মাগী অনাওবা উপন্যাসকীদমকসু মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা যামিনী সুন্দর গুহ গোল্ড মেদল পীখ্রবনি। ইকাই খুম্নবা লেখক অমগী লাইরিকপু অসিগুম্বা থীরবা মওংদা পুথোকপা পাবা থোকলগা লোয়রে খনবগী কৈদা অসিদি কজবা থরা য়াংলি।

'নীংথায়রগে। নীংথায়রগে' 'মা তায়মন' 'তাহৌত্রবদি নীংঙমলোই' হায়বা বারী অহুম অসি মপুংদা হায়রকেং মায়বা বারী ওাক্তনি। মুপীনা মপুরোয়বা লৈনা লৈনা অতোপ্পা মুপা ওাঙনবগী অমোংপা লমচং উংপা বারীনি। অহুম অসিদা খ্বায়দগী থম্মোয় শোক লমচং মোংপদি 'তাহৌত্রবদি নীংঙমলোই' কৌবা বারী অসিনি। তি বিনা নারিবা মুপা অমা মুপী অহু মুপাসিগী মরাম্বমক্তা ওাঙনরি। অহানবদা নারিবা মুপা অসিনা থাজরমদে অহুবু শিরমদাই খজিক্তা ওায়রবা মতমদা মনামক্তা তাম্খি, মমিংমক্তা উখি। মরেক মহাও য়াওব্রবা, হিংনা হিংনা শিরবা পুন্সিগী বারী অনিথক য়াওরি— 'লৈকংগী থম্বাল' ১দি 'সরকারগী চাকরি'। 'লৈকংগী থম্বাল'দা নূপাগা হকচিননীংলবা মুপী অমগী হিংলম্ব পুন্সি মতেক অহু থঙাহৌদনা শিথরকপগী বারী মপুরোয়বা তাক্তরবু খিরকপদা মপুরোয়বদি অনাবা অমা ওপরেসন তোহুনা লৈখিবনা ইরাংগী মচাক হুনবাঃওমখিরবা মায়থক লেপ্পা ওইনা ইবনি। 'সরকারগী চাকরি'দা

সরকারগী চমপ্রাসি ওইক্লবদগী খুনগী মুক্লা মত্রা ওইরবা মুপাচু পাজন থোকপা ওমলনা শিজিন্নরিবা মথৈ মাদবা ওমদবগী মারীনি। থরা হেন্না লুবা, থম্রনবগী মচাক থরা হেন্না পীবা মারীদি 'মরূপকী রাশকনি'। মুপা অমমুং মুপীগী মশীগী মরমদা ইথনি। মাগী মরূপা শিরমদাইদা শিন্নরবগীদমক মনোহরনা মপুরোয়বা লৈত্রবী সুমতিবু ১দি মরূপকী মচাবু ইচম চম্না লোয়নচুনা পূজি চুপ্পা তিন্নবা হোৎনৈ। অচুবু মরামা অচুওম্বা অচম্বা মরী ১দি মাখল অচু থাজদে। মদনাম তৌবি; কারনথংদা সুমতিবু মনোহরনা লৌখি। পাবা লোইরগা মাখল থম্না থদ্দবা ওমহনবা হায়ববু মারীসিতমনি। মুপা অমগা মুপী অমগা মতু মরাগী পূজি নত্তনা চম্না পুন্সিচুপ্পা তিন্নবা হায়বসি ওইথোক্লরোইদ্রা ১দি মায়রোইৎ-দবা মাকপ্পা? মুপীগা মুপাগা অনীগী মরক্তা লৈবা মাব। মরী অসি মতু মরা ওইবগী মথীসিমতা ভায়রত্রা? মাহংশিংসি পীরকই। লেখক গুণগা অশেংবা মথক থোরকপা ওম্বা মারীদি 'নিংথৌল চাকোবগী অহিং' হায়বসিনি। মারী অসি মায়া রোমান্তিক ওই। কবিত্তগী শরুকা হেল্লি, কল্পনাগী জগৎতা তাউচুনা শাগৎলি। মচৌশানা রোমান্তিক ওইবা লেখকনি গুণসিংহদি। অচুনা চুনবনি। মারী অসিগী খুৎই অসিমদি অনৌবা মথলনি ঐথোকপী মারীমচাগী জগৎতা।

লাইরিক অসি পাবা পুমনোম্ন লোয়রগা মসিগী মরমদা কৈতম্বা থরাং ইগে থনলকপদা ঐতোম্বা মাহং অমনা কম্না মুশিনলকই—উপন্যাস ইরবদগী করিগীনো মানা মারীমচা ইরকলিবমিবু অচুপা পারিতৈদা মুংতাইরগা পাবা লোইবগা সৎ মাওথিত্রবসি ১দি থম্মোয়দা চংহনা লৈহৌত্রিবা অসিনা করিননো? মাহং অসি হং হংচুনা হয়া হয়া পাচুনা পাউথুম থিবদা পাউথুম অমদি ফংলকই। অতৈ অতৈ মাকম কয়ামকম লৈরম্বা য়াই; পাবদা মুংতাইনবা ১দি পোথাবদা মুংতাইনবা ইবা মারীনা অয়াম্বা ওইনা তৌবননি। নৈনবা য়াবা অনৌবা মওংদি ইয়াও মাওত্রে। পুন্সিগী পাউ কয়াদি তমলি, অচুবু অনৌবা পাউদি নত্তে। পুন্সিগী অনৌবা শক্তম অমা অর্থ অমা পুথোকপদি নত্তে।

মারীমচা ইথনা তান চাত্রবদি থৌরদগী হেন্না থবরগী পাউ তম্বগী মওং তাগনলি। অসুম্না গুণসিংহগী মারী অয়াম্বদা মম্লেক তশেং তশেংনা মায়া হৈনা পাউ কয়া তম্বনি—পুন্সিগী পাউ কয়া। উপন্যাস ইবা শৈরেং ইবা লীলা ইবা মসিদি থল্লিবা মাখল অমা থেংনকবা পুন্সিগী থৌদোক থরা অচু পাউ ওইনা তম্বা নত্তে; করিগুম্বা থরা নোনা শেমগৎ শাগৎপনি। শেমগৎ শাগৎপগী থবকনি। গুণসিংহগী মারীমচাশিং অসি শেমগৎ শাগৎপগী শরুক মামমক মাৎথে। মানা থেংনরবা, মীনা লৈবদগী তাবা পুন্সিগী থৌদোক অচু চুমতা পুথোক্লুনা লৈবনি।

'মরুপকী বাশক' কৌবা বারী সিমতংদি শেমগৎ শাগৎপগী শরুক খরা য়াওগে তৌই, মীওইবগী কুপ্নবা ১দি লুরবা মরী অহু উৎকে তৌই; অহুবু য়াম্নমক কুপশিননমক্তি উৎপা ওমখিদ্রে। পুন্সিগী লুরিবা মরু অহু মোনা খমথেংনা কুমথহুনা মঙ্গদগী ফংবা খরহু পুকচেন শেংনা শেমগৎপগী মিহুন অমতং হাপচিন্দুনা পুথোরকপহুনি তাম্নরিবসি। মথকতা কাখৎলক্লিবা মপাল অহুনা মুংদা চেনলিবা পূন্সিগী মরু অহু কয়া য়াম্না উৎপা ওমলিবগে হায়বসি রাহংনি। মসিদা গুণসিংহগী রারীমচানা, ঐগী মতুতা, উৎলিবসি মথক্তা তাউখৎলক্লিবা পুন্সিগী মপাল অহুতা কোৎহুনা পুথোকলি মসিনা মুংদা চেনলিবা পুন্সিগী ইচেল অহুদি শরুক য়াম্না উংতে।

লাইরিক অসিনা, থুপহুনা লৈবা, লোৎনা ঙংনবা লমচৎ খরদি পুথোক্লবা হোৎনরি। অহুবু, ইখণ্ড খণ্ডনদবা, পূমলোং লোৎখরবা রারীমক্তি নত্তে। অরোনবনি হায়না হায়মা ময়াম্না অহুম খণ্ডনহুনা লৈরবা ভাক্তনি। য়াম্না থুপমনখ্রহুনা, লোৎমনথরহুনা থিহুনা রুন্দুনা পুথোরকপদা ইনৌ নোনা থোকপা মথলগী রারীহুনি পাম্নরিবদি। রারী ইবগীদি হৈরে, মুংঙাইহল্লে; সরক থোইনা শিদে; শাবা ময়ারে। মুংগী পুন্সিগী, অনৌবা পুথোকপগী অঙকপা ১দি শেমগৎ শাগৎপগী মিহুন অহুতং হাম্না ওমদবসিনা অনেৰা, মুংঙাইনবতা ইবা সাহিত্য হায়বহু ওইবনি।

গুণসিংহ— উপন্যাস মরি ইরবা হায়কেৎ লাককেৎ ইবগী মরিল তেংলবা অইবনি। লোনগী মরিলস্থ মরৈ মুয়া খণ্ডলমগনি হায়না থাজরুই। তৌবমকস্থ লোনগী মতাংদা অহনগী থুংকম মাল্লি; মপুং মরৈ ফাই। অহুবু সাহিত্যদা লোননা তৌরিবা মথোহুদি মুয়া খণ্ডনা টবা মাস্কে; খণ্ডলম্বা তারবহু হৌজিক্তি চৎনত্রবা থাইনা লোনরম্বা লোনগী মথৌ অহু খণ্ডবা ওইনা তৌই। থাইনগী অশিবা রাখল— সাহিত্যদা লোয়া তৌরিবা মথৌ অসি তাবদা মুংঙাইনবা, লৈতেংনবগী মথৌনা হেনলম্মী। তশেংবদি লোন হায়বসি খুদমনি (Symbol) তৌরিবা মথৌনা মহুৎ শিনবনি। লোনবু শিজিন্নরিবসি; মী অহুগী ফোংদোকনীংলিবা রাখল অহু ইঙ্গিংনা নাগিংনা ফোঙদোকপদনা পেন্দ্রহুনা নীংলিবহুমক্কী মহুৎ শিনবা খুদম অমা ওইনা হায়দোরকপনি। নীংলিবা পোৎ অহুগী মহুৎ তশেংনা শিন্দুনা থোরকপা, থাগৈশেংনা হেক্তা ফোংদোকপা ওম্বা অহুগুম্বা লোন নত্রগা রাহৈ অহু মথয়ায় পানলবা লোননি, মথৌ চপচানা তৌরবনি। অমরোমদা, সাহিত্যদি লোনগী লীলানি। লোননা সাহিত্য হিংবগী তাক্লবা খুদমনি। সাহিত্যদা লোনগী ফজবা, থীবা হায়বসি থাম্নগী রাখল— তাবদা মুংঙাইবা মুংঙাইতবা ১দি সমাজদা তাবদা ইকাইবা ইকাইদবা অহুদা লৈল্লে। লোনগী মশা নানবা হায়বদি ফোঙদোকনীংলিবা রাকম অহু ইশেং শেংনা

মচেং অমতা চিংদনা কোক্ষদোকপা ক্ষমহুনা, কোংলোকনীংলিবহুমক মশক পান্নুনা থোরকপা ওয়বা লোন অহু মানলবা (polished language) ১দি ছিংলবা লোননি। মরমসিদগী লোনগী মতেংদা সাহিত্য হিংবনি, সাহিত্যগী লৈতেংদা লোন হিংবা নত্তে। হৌজিক্কী মতম-দা অনৌবা লেখক— হেমিং য়েচিংনবনা দরকার ওইবা লোনমতা খল্লোক খল্লোকনা শিজিন্নৈ অহেনবা য়াওহল্লে। শুগসিংহদি দরকার ওইদবা য়াহৈ কযা লৈতেংগীদমক, তাবদা মুংঙাইনবতা ওইনা শিজিন্নরি। মসিনা কোক্ষ-দোকপদা, শক্তম শাগংপদা করিমু থোইনা হেন্না মতেং পাংদে। অইবনা মপুক্লিংদা মুং-ঙাইজরবা য়াই, অহুবু অপাবা ঐথোরদা অথোয়বা শক্তম অমা পীদবনা কৈস্মু কাঃদে। খুদম ওইনা—ইমুং তাংলো থেংলবা নিংতোল ম্যাদোল খেঞ্জোংলাং ১দি নিংতোল চাকোবগী অহিং হায়বা য়ারীদা শিজিন্নরিবা লোন অসি মিহুল হুন্দ্রবা লোন ওাক্তনি। কোক্ষ-দোকপদা মতেং পাংবদি হায়রুমু, সাহিত্যবু অহিংবা মিছন অমা হাম্পী মহুৎতা য়াইহুম চিনহন্নি। 'সরকারগী চাকরি' হায়বা য়ারীদা মপুরোয়বনা থেংনা ওফিস কুম্নকপদা তথোংদা কন্নক খন্নুনা ওাওলকপা—"লমখা কনাগী রাখলদা নোকচশারিবনো" হায়বসিনা হেক্লা লোনগী মথৌ তৌরি; হিংবগী মিছন অমা হাপলি। অহুনা ফজবা হেন্নি।

য়ারী মতীদা শল্লোক শল্লোক্কা ঊ। তৌথোরকপা থোদোক্কা মতাকচবা শক্তক অহু শল্লোক্কা উকিলশুম মরৈ পীহুনা ইবনা শেমগৎ শাগংপগী শক্তক হেনগংপা নত্তে। সরকারগী চাকরিদা চাউতোনগী মপুল্লি অহু তৌরিবহুদগী অপাবনা অহুম খওতি; উকিলশুম অইবমা চাউতোনগী মীচও চওহুনা কেস লেপ্পা য়াবা নত্তে। ঐনা য়ান্না মুংঙাইত্রিবদি ইবদা শেমগৎ শাগংপগী পুকচেন শেংবহু (Sincerity of creativity) য়াওহনবগী মহুৎত খুংলেম চওহুনা তৌশিন্নবা মানবা (artificiality) অমা য়াওহুনা পাবদা তম্বা পোকহল্লিবসিনি।

—শ্রীবীরেন।

পাবিয়ু নৈনবিয়ু

নহারোন সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা কোওবা

মোনা লিশা

নাহারোল কবিশিংগী মরক্তা শিংথানবা য়ানা কন্না ইরমা লৈখিত্রবা কবি শ্রীতোকপম ইবোমচা সিংহনা ইবা শৈরেং খরগী লাইরিক্কি। মনিপুরী শৈরেংগী জগৎতা নহারোলনা করম্বা খোল্লাউ অমা লাউনীংলিবগে হায়না য়েংশিনবীয়ু।

তোন, অনৌবা শক্তম, অনৌবা ৱাখল পীবা তম্নদগুনা হন্না হন্না তাবগী তম্বা। পোকলবা শিখরবা মৈতৈ শৈরেংদা অনৌবা থৱায় হাপ্লি; মোনোতোনি অসি থুগাই। শৈরেংগী কনভেন্সন থুগায়গুনা হান্নগী কনজাৰ্ভেতিভ ৱালর্ড অসি থুগাইবকপসি হেলদি সাইননি হায়দবা হমদে।

নীনী চনবগী মুংখিলদা "মনিপুরী থিয়েটর" হাইবা ৱাথম অসিদা মীশক অহন্না নৈনখি, ভাবক্তগীম্ম শক্তক য়ারকখি। এক্তর এণ্ড প্লেরাইট প্রোফেশার শ্রীঅরাম্বম লোকেন্দ্রনা য়াম্নমক ইন্টেলেকচুয়েল এণ্ড এনালাইটীকেল ওইবা ৱা ৱাঙবিখি। মানা তাকলকপিবা হৌভিক্তী ঐখোযগী নহারোলগী মশক অহুগা কবি সনমেন্দ্রনা নহারোল কবিনা লৌখিবা শক্তম অহুগা য়াম্নমক চুনখি। মনিপুরী সাহিত্য ১দি ড্রামাদা ঐতিহাশিক লীলা ইবদা অথোয়বা ১দি মনিপুরী থিয়েটরদা মপুন্সি কৎথোকলিবা শ্রীময়াংলম্বম বীরমঙ্গলগী ৱাঙাঙদা হৈচম চন্না ১দি পুকচেল য়ান্না চশংনা ৱাঙক্তপত্ত তাবদা ভাবক্কা মুংঙাইনখ। মুম্মিদাংদা প্রীবীরেনগী খোঙচৎ'' কৌবা লীলা অমা শ্রীশ্যাম শর্ম্মনা ডিরেকসন পীতুনা এরিয়ান থিয়েটরনা শান্নখি। মনিপুরগী ড্রামাদা থৱায় য়াওবা মীওই কয়া, এক্তর কয়া য়েংখি। মনিপুরী থিয়েটরগী লমদা অনৌবা ডিরেক্সননি হায়না শ্যাম শর্ম্মাবু ৱাগৎনখি।

১৯৭০/৭১ চহীগী ওইনা সমিতিগী থবক পুনবা ৱার্কিং কমিতি অমা মেম্বর তরা মতানা শাতুনা শেমখি; সমিতিগী সভাপতি ওইনা মোদর্ন ১দি ইমেজিষ্ট কবি শ্রীলাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহবু থনখি; নহা ওইরিবা কবি শ্রীআর কে, মধুবীর সিংহবু জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থনখি। কবি ওাক্তনা সাহিত্য পান্নজবা কাংবুগী থবক পুবিবা অসি য়াম্না চুনখ্রবা মওংনি। তাখিবা ৱারেপশিংগী মমুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবদি বি, এ, ওনর্সতা মৈতৈরোনসু সবজেক্ট অমা ওইনা লাবা য়ানবা হোৎনবা হায়বসিনি।

সাহিত্য একাদমী ১সুং মৈতৈ সাহিত্য

মনিপুরী সাহিত্য পরিষদনা থাখিবা দরখাস্তগী মতুং ইন্না সাহিত্য একাদমীগী লিঙ্গুইস্তিক এক্সপার্ট কমিতিগী মিটিং অমা মার্চকী তা ৩০ দা কমদনা মনিপুরী সাহিত্য হেন্নপকচবা মৈতৈ সাহিত্য) অসি সাহিত্য একাদমীনা লৌশিনবা য়ারব্রা হায়না নৈনখে; মনিপুরদগী মৈতৈ সাহিত্য মশক মুন্না খঙবা পণ্ডিত অমবু হায়বিবা মিটিং অসিদা য়াওনবা কৌবক্তুনা শ্রীদিজমনি দেব শর্ম্মনা খাৎক্রই। মার্চকী তাং ৩০ দা কমখিবা এক্সপার্ট কমিটি মিটিং অসিনদি মনিপুরী সাহিত্যবু সাহিত্য একাদমীনা লৌশিনবা মতিক চাই হায়না রিকোমেণ্ড তৌখে, হায়না চৎলুবিবা পণ্ডিতনা ৱারী তোরে। থীন্দনা সাহিত্য একাদমীনা লৌশিললনি হায়না য়াম্না থাজনরে। অহুনা

মনিপুরী সাহিত্যগী য়াম্না লুরবা তাঙ্গা লাক্লে; হেন্না লুশিনলকলে ।

কনজাক্টেভিভ কাংবুগী সাহিত্য সংস্থান

মনিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ৩৬শুবা চহীগী মিটিং মোইরাংদা মুমিৎ হুমনী চুপ্পা এপ্রিলগী তাং ২৪ দগী ২৬ ফাওবা তৌখি । চংথখিবা থৌরমশিং অহু হান্নগী কনজাক্টেটিভ ওইবা পেটন অহুদগী হোংদোকপা ঙম্মখিদে । ঈশ্বর শিখে হায়না লৌনরকলবা অনৌবা পৃথিবীসিদা শ্রীশিবতত্ত শর্ম্মনা বেদগী শ্লোক থীহুনা প্রঠনা তৌরগা সভা হৌদোকখি । মসিনা অনৌবা অর্থ অমা পীবা কৈস্ত্র ঙমখিদে । খাতল্পা নমলিবা থৌবমশিংহু উরগা চহী থুদিংগী থেংনরকপগী তম্বা, অনৌবা মওং অমা পীবা ঙমদবগী সোনোতোনৌ ওইবা ৱাথল অমা পীবহু তোকাত্র: ইস্তাব্লিশ তৌরবনি হায়না মশা মশানা চেৎনা থাজবগা লোইনন। লৈরিবা কাংবুগী কনজাক্টেভিজমগী চাউববা মোগলশিংনা সিন্দিকেট ওইনা পরিষদপু ঙাকশেন্দুনা লৈবি হাংবা লাইনা উবা ফংঙি ।

কলাগী লমদ থোদাং য়াবিবকপা কলা-কারশিংদা, চহী থুদিংগম, হন্দকমু উপাধি পীখ । মতাংসদা নাকোং য়ান্না শানখি । শ্রীমতি মঞ্জুর দেবী 'নৃত্যগুরু' ১দি শ্রী জোরেনবম ইবোযাইমা সিংহদা 'সাহিত্য ভূষন' হায়বা উপাধি অসি পীবগা মতাংদা পরিষদকী মেম্বর থরনা পীবা মতিক চাদে পীবিগনু হায়না দরখাস্ত থানখি । অহুবু মমৈথংদা অহুম পীখি । কুমশি চহী অমি যামিনি সুন্দর গুহ গোল্ড মেদল পীবগী কুমমু তাই । মেদল পীননবগী রা রা লাউনরম্মগী গুরু মুরুদা নমশিন্নগা য়ৈথোক্লনা থমখি । মতিক চাবা লাইরিক লৈক্তে হায়না পরিষদকী লৌরবদি কুমশিদি মেদল পীবদা মতিক চাবা লাইরিক ফংদ্রে, পীরমোই হায়না পুকচেল শেংনা লাউথোকপন্থ ঙমদবা; নত্রগা মতিক চাবা লাইরিক লৈরগনা চহী অহুমগী মনুংদা কুম অমতং মেদল পীববু মতম চানা পীবন্থ ঙমদ্রিবা অসি পরিষদকী থবক পুরিবা কাংবুগী অশোনবনি হায়বা মশানা তাকচরি । চহী অহুমগী মনুংদা অমুক্তং পীববু য়ৈথোক্লনা নমশিন্দুনা থম্নবগী মরম সুকলৈ লৈত্তে । তাখিবা ৱাবেপশিংগী মনুংদা মৈতৈ ময়েকপু ক্লাস সেভেন এইটতা তম্নবা হোংনবা ১দি "মনিপুরী বং" কৌবা মৈতৈ লোনগা অরাংবা পরিঙ্গা অমা লৌবা অসিনি ।

মনিপুরী লাইরিক উৎপা

দি কলচরেল ফোরম মনিপুর ১দি মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ অনানা পুন্না শিন্দুনা মনিপুরী বুক এণ্ড জোর্নেল এক-জিবিশন অমা মেগী তাং ৯দগী তাং ১৭ ফাওবা মনিপুর স্টেট মিউজিয়মদা পাংথোকখি । মনিপুরদদি মসিনা ইহান হানবনি; মনিপুরী সাহিত্যগী কন্টেন্টতমক কায়বা পীত্রবন্থ সাহি-ত্যগী মমাইদা কেননবগী মতাংদদি য়াম্নমক মতৌং পাঙগান থম্লি; অফবা ১দি মতৌং তারকপগী স্পিরিট অমনি । এক্জিবিশন অসিদদি

মনিপুরী হায়বা মাহৈ অসি ওন্থোক্লা পকচগ্রে মরমদি মসি মৈতৈরোল্দা ইবা লাইরিক ভাক্তা নত্তে, চৗংগী তোঙান তোঙানবা লোন কয়াগী মাওরি, খুদম ওইনা — কবুইগী, পায়টেগী, খাদোগী অসিনচিংবা । মেগী তাং ১০ দা মপান্দগী লাক্লম্বা এমপি মখেন। য়েংলম্মী; য়াম্না থাগৎলম্মী। মুমিৎ খুদিংগী মী চামদগী ঙাদনা য়েংবা লাকখি । ছাপা নম্রবা ১দি থাগনগী বোবে'ক পুম্না লাইবিক লিশিং অনি ফানাংচিৎ উংলি । মেগী তাং ২দা চন্দ্ৰাসং পণ্ডিত অচৌবনা হাংদোকখি; মেগী তাং ১৭ দা মনিপুরগী লেফত্নেন গোভ'নরনা লোইশিনখি। সংস্থান অনীনা পুম্না শীনবনি। একজিবিশন অসি ওইনবা লাক্লবদা চঙখিবা অরামন অতুপা থোবক্লিবা শক্তম অসিগা থেন্নখি । বাবদি য়াম্না বারম্বা য়াই; অতুবু মওংদি ইতাতাখিদে হায়বা তাই. লাইরিক খুংথম লাকথম চওংননা থমই; অতুবু অহানবা হেক উবদদি হায়ফেৎ লাকফেৎ য়েংবা কাংবুনদি ফজে হায়দবা ঙমলোই । মিৎ থক্লবা লৈতেং শেম্বা য়াম্না হে; লাইরিক থরভনা য়াম্না উহন্দুনা মিৎ পুমথন থনহনবা তম্মী । লাইরিকী কাংলুপ থাইদোক্তে; হাতন তিরৈ, ইয়ান মাইরে । উপন্যাস মরক্তা এলেক্ট্রিকী লাইরিক মাওরম্বা, অনাবা লাইয়েংনবগী লাইরিক মরক্তা শৈরেং লাইরিক মাওরম্বদি থোইদৌ য়াম্না শাউগংলি অতুগা কৈগুম্বদা য়াম্না নোকনাংঙি । থরায য়াম্না মুংশাইত্রিবদি লায়রিকী মশক অসিনি অমমুং মনিপুরগী ছাপাখানাশিংগী লাইরিক ছাপা নম্বা হৈতবা অসিমমনি ।

একজিবিশন অসিবু মশকথিহল্লিবা ১দি হোৎনজরিবা মীগী অরামন পীত্রিবা কাংবুদি লাইবিক পুথোকপিরিবা পব্লিশরশিং, প্রেশশিং অসিনি । সাহিত্যগী ওইবা ইমেজিনেটিভ ১দি ক্রয়েটিভ ওইবা আর্টকী লৈফম্বু অম্বুক থীবা অমাঙশং মানহনবা অসিদি য়াম্নক শাউনাংঙাইনি । পাবা থোক্লগা লোইবে থনবীত্নুনা সাহিত্যগী লাইরিকপু মশক ইথী থান। পুথোকলিবা পব্লিশর ১দি প্রেশ, মতুদা মারীবা লেখক মথোম্ন পুম্নমক অসি আর্টপু মুংশিবা মী কাংবু নত্তে; কলাবু কণ্ডথোকপগী মানী। বাইণ্ডিং থরা ফজে, লাইরিকী মওং থরা তাই হায়দুনা য়েংলুবদা কলকটাদা নম্বা হেক্তা ওইরম্মী। খুদম ওইনা --এম কে বিনোদিনীগী 'অশংবা নোংজাবা' থুমস্থেম ইবোহলগী 'থম্মোয় পাউদম' অতৌদ ১৭ শুবা চহীচাগী মতমদা নম্বা মাল্লি; মনিপুবা মহা ভারতকী ভোলুম ১৭ মক্ত ২মধ: রীগী হিসাব বোই মাল্লি। লাইবিক ময়ামসি উক্নরগা রারীবা কাংবুন। মতুংদা একজিবিশন তৌনিংবগী রা নৈরোই শল্লি।

মহায়োল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগীদমক্তা শ্রীয়েংখোম জ্যোতিন্দ্রসিংহনা ইডিটর ওইদুনা দি মনিপুর কোও-ওপরেটিভ পব্লিশিং সোসাইটি লিমিটেড, পাউনা বাজারদা নমলগা ফোঙবা।

ৱাখল

Statement about ownership and other particulars about news paper "Wakhal", Published in accordance with Form IV. Rule 8, of the Registration of News papers (Central) Rules.

1. Place of Publication .	Imphal.
2. Periodicity of its publication.	Quarterly.
3. Printer's Name...	Shri Yengkhom Jyotindra Singh
Whether Citizen of India	Yes.
Address.	Naharol Sahitya Premee Office, Keisampat, Imphal.
4. Publisher's Name...	Shri Yengkhom Jyotindra Singh,
Whether Citzen af India	Yes.
Address	Naharol Sahitya Premee Office, Keishampat, Imphal.
5. Editor's Name···	Shri Yengkhom Jyotindra Singh
Whether Citizen of India	Yes.
Address .	Naharol Sahitya Premee Office, Keisampat, Imphal.
6. Name and addresses of individuals who own the news paperand partners or Shareholders holding more then one percent of the total capital	Naharol Sahitya Premee Samiti (Regd Society No 285 of 1963) Keisampat; Imphal

I, Yengkhom Jyotindra Singh hereby declare that the particulars given above are true to the best of my knowledge and belief.

Sd/—Y. J, Singh
Signature of Publisher.

Dated 30.3.1970

তমফা ষ্টোর

চেকশিন্না ফিরোল তুকম

বীর টিকেন্দ্রজাৎ রোড, ইম্ফাল

১। [illegible] শফিনা [illegible] শ্রীথাকগী অচৌবা বাশক্রি।

২। [illegible], [illegible] অমম্ব অতৃ সুষ্টাং, সুনীগী কাটনাচংবা [illegible]।

৩। মপানগী [illegible] [illegible] [illegible]

৪। লুপা [illegible]

৫। শ্রীথাকৈগীদা [illegible]

৬। [illegible]
[illegible]

৭। [illegible]

৮। [illegible]

১০। [illegible]
[illegible] পামজ।

মখামগী

তমফা ষ্টোর

(কাওজেবুঙ হাবা গলী)

রেজিস্ট্রেশন নম্বর
আর.এন ৩৭২০৮/৭৯

(৭)

মণিপুর, কবিশুখ কান্নদৌনে "প্রাগৈবংশ্লুবগী"

মৈতৈ সাহিত্যদা লাম্ন য়েং



কাইশুম

তোম্বা শাদুগা

খামজবা

কুপা

শ্রী[illegible] সিংহ

মৈতৈ সাহিত্যদা মাল্লা য়েংলিবা

মীওইনা পোক্লবদা অঙাও-অকৈ অগং মক্লগদি ফজবা, মুঙাইবা অমসুং অপেনববু পামদবা মী লৈতে। অসিগুম্বা ফজবা, মুঙাইবা অমসুং অপেনবা অসি ফংনবগীদমক তাহিবং মীনা উপায় কয়া য়েংঙি, পোথোক কয়া পুথোকই। পুথোকলিবা পোথোক অসি মী থরা অমনা মরল্লাইগীতা ওইনা, থর অমনা ময়ামগী ওইনা, থর অমনা মতম মতমহৃগী ওইনা, থর অমনা যুগ য়ুগকী ওইনা চংনবা য়ানা পুথোক্লরকথি। সাহিত্য কলা হায়বা অসিসু মীওইবনা শেম্লকপা পোথোক অমনি। সাহিত্য কলা হায়বা অসি মশক কয়া তৌবগে হায়বসি খংদি থংবা গুম্বা অহৃগা ভাকপদি গুমদবা মথল অমগী শোংবোক্লি। অসি ইজরিবা য়াকমদা সাহিত্যকলা মশক য়েংহন্নবগী নংচদে, মনিপুরদা কলা অসি করম্বা পোথোক ওইনা পুথোক্লরিবগে হায়বহৃগী মেপ অমত্তং কাক্তোকচবনি, মেপ য়েংবা হৈজবা মীনদি পাক হেক খংগনি হায়না থাজজদে।

সাহিত্য কলাবু মী মরায়া পায়, পুথোক্লবা লাইক অহূবু কলা অমত্তদা মহাকপু মপুং কানা ফজনা লেখা ওজদে। ময়াম চংহুনা লাইহিক ইনৈ—অহূবু অইবা অমা অনিতগী খুংই অহূত্তবু সাহিত্য কলাগী ওকয়াদা পুখংলি, অতৈদি মাংখি। মতৌ অসি উরগা কনাগুম্বনা হায়-মহাক্কী মশাদা সরস্বতী—মহৈগী লাইরেম্বী তোংঙি; কনাগুম্বনা (মুপি য়ানিংদবা কাংবুনদি,) হায়রবসু য়াই মহৈগী মবুতো অমনা মাবু খৌরমগনি। অহৃগা মাসি পুম্নমকপু থাজদবা কনাগুম্বনদি হায়রবা য়াই—ইরিবা মী অহূগী প্রতিভা, পোকপদগী য়াউবা মঙম, লৈহুনা, জেনিয়স ওইহুনা তৌরিবনি। হৌজিক্কী ইরিবা মীহূনদি হায়রমগনি—ঐহাক করিমত্তা থংদে—সরস্বতি তোংবসু থংদে, লাই ইবুঙোনা খৌবসু থংদে, ইশাগী প্রতিভাসু থংদে—ঐনা থংজবদি ঐনা পামজবা থর চুম্নগী ইচম চম্না পুথোকচবত্তনি।

হৌজিক্কী মতমদা সাহিত্য কলাগী পোথোক পুথোক্লবগী মচাক য়াম্না লৈরে, মীওইবগী রাথল পাক্লবা লম্বী লৈরে, ফংলিবা রাথলবু ইশিন্দুনা থস্নোনবগী খুদোংচাবা কয়াসু লৈরে। ইনিংবা মীগী মনিং মথা তম্বা অধিকার অহূসু মরৈরে। মমাঙৈগী চে-সুং পংফং ফংজ্রিদৈ, ইবা খোংপা পংহৈ হৈনজ্রিদৈ মতমহুদ'দা অশেবা কয়াগী, য়ারী লিবা গুম্বা কয়াগী মতিক মগুন অহূ ইশিনহৌবা থর অহুকাউবা মনিং মথা তম্বা নত্তে,

মর্মগী নত্রগা মতমচুগী পাম্নমিবা নিংথৌ অভবা কম্নাগী থুৎবা থাবা তাবগুকনি। অচুনদি অনৌবা হোংদোকপা হেক্তা য়াদে—কুইনগী চহি লিশাং শিংনগী চংনরকপা থুন্নামদা পুথোকপা তাথি—সাহিত্য কলা। অচুগুমবা অমনবা থুনামদা চংপল্লীনমক্তি লাইরিক হৈবা কলা মশক থংলবা মী অচুনা মাগী মমিং গুাক্তবমু য়াই, মশাগী পরিচয় তৌজন্নবমু য়াই। মাখোইগী মতিক মগুন প্রতিভা নৌনা গুান্না থেংনহন্দে। মিংয়েং অসোম্দগীনি—ঐখোইনা সাহিত্য নৌনা ইথংলকলিবা অইবশিংদা য়া অমত্তং চেক-শিন্ননিংতি—সাহিত্যগী লম্বীদা থুঙুং ইনবা গুাক্তনা সাহিত্যকার ওইখিদে। গুরুগী সেবক ওইবদি ময়াই। মরম অসিনা গুাক্তর কমল. চাউবা, অগুাহনলনচিংবা লৈখিত্রবা কবিগী নত্রগা হিংলিবা হৌজিক মতমগী মীওই অইবা শ্রীমিনকেতন, গীতচন্দ্র, নিলকান্তনচিংবগী থুঙুংদা য়াও শজ্ মতুং ইনবগুা ইনগদবা নত্তে। সাহিত্য ওইনবা তৌবদা অইবা হায়বসি চংদ য়াজবা মচাক অমনি। সাহিত্য ইথিনিংবা মী পুন্নমক্তা মাগী মাগী রাখলছু পুথোকচহুনা ইজগদবনি। পুন্নমক অনৌবা রাখল, অনৌবা মিংয়েং ইশাগী ওইবা মীৎ-য়েংদা উগদবনি; রাখলবু মিংয়েংবু কজবা মাইকৈদা নাম্নুনা শেম্বা হায়বহুনা সাহিত্য ওইহন্নবগীমক চংবা সাধনা অমগুনি।

সাহিত্যবু ইজবদা পুক্লিং থৌগৎপিয়ু হায়না লাউজবা কয়া তাবিবা গুয়ক্তে; হৈন্নলা তৌকউ হায়নিংলক্রে। কনাগুবনদি মপুক্লিং থৌগৎপিবা কৈ হায়না তাংয়া য়াই। মসিগুম্বা পুক্লিং থৌগৎনবা অসি চিয়ৌলগী থবক্তিং সাহিত্য কলাগী লবুক্তা চিয়োন পাখী হোদে। মরিল লৈতবা পাংকবা অইবা মাবু শৌগৎলুবগী কান্নদে। পোৎচৈ হে লৈ থাবা পাম্বা অগুাং কয়ানা ইংখোলগী মচি মচিদা ইংখোল কোইবি শান্নরি, অহলশিংনা থাবগী মতৌ তমহুনা পাখৌ মচা মচা কয়ামুক পূম্লপ থাজিল্লি। তাকপিবা হৈবা অহলনা মাহুদা থাবা য়াবা পাখীনি নত্তে অচুগা অচুম্না থারবদি হৌনি হৌয়োই হায়চুনা কজনা হায়বী। কনাগুম্বনা অগুাংশিংনা শান্নরিবনি, তৌনিংথৈ তৌজশমু হায়না থনবী অগুাং অচুনা থান্নিবা পোৎশিং অম্ব অহল-চুদা তাকচবদা অহল অচুনা কৈ, কৈ. অচুম তৌ হায়না হায়বি। মতৌ অচুগুম্নচুনা ইবা পামজবা কয়ামুক্তা মনিপুরী সাহিত্য কলা পুথোক্লবা মখল মখলগী লাইরিক ইখি। মখোইগী পোথোকপু নৈনদনা "কৈ, ইয়ু, ইয়ু," হায়না পুক্লিং থৌগৎপিবা মতৌ অচুদি ঐদর করেম্নবা ওর থংদবা মী অমা ওইচুনা তৌবা তাই। পুক্লিং থৌগৎনবগী য়াকম অসি লম্লাই ওইবগীদি পংতৌ তৌজর-কাউ থয়া করি,—সাহিত্য কলাবু কজনা পুথোক্লবা থন্নুনা শেম্নিবা কম্নিগুবা থুংপু অমনা। (এসোশিয়েশন, থোদি অমনা) লম্লাই ওইবা রাগুাং পাউতাক পিকম থোক্তে। পুক্লিং থৌগৎপিবা হুংশিবিবা, শৌগৎপিবা অসিন-চিংবা য়াহৈশিং অসি অমনবা রাখি গুাক্তনি।

লেং 'চোইরবা (লেনাইল ওইরবা) মী অমদা কা মশুনা ডাংগদবা অহল থেরবা রাবু ই লৈরিবা ইবা ওন্নিবা লেখক নত্তোন্দা ডাংলুবগী কর্রি দরকার লৈরিবগে ? লেং চোইবা অহলদি মহাক শিগ্রগদবনি, মরা লোবা মাঙবা জাং অমনি, মানা তৌরিবা ডাংলিবা পূন্নমক কৈ কৈ হায়বিসি মহাক মপুক্কিং রাগৌথিনি হায়বগী রাথল কাইদাহুদগী চংলকপা শাজং অহু নহাক্না পাম্লিব্রা ? হৌজিক হৌজিক মৈতৈরোল সাহিত্যগী সাহিত্য কলাকার লৈরিবা থরা অসিগী পোথোক য়েংলগদি মাখো-ইনা ইরিবশিংসে সাহিত্য কলা কৰবা নত্রিং; অসিগুম্বা পোথোক পুথোক্লিবা মাখোই অসিগী থুহুং ইনগদবা নত্তে, মাখোইনা খল্লিবা রাথল পেটর্ন অহুদা চংকদবা নত্তে, মাখোইদোনা তৌরবদি অইবা নহাকী পোথোক মাংলগনি' কৈথেন্দা শিত্তহনা লৈরগনি অহুগা মণিপুরীগী ওইরীবা মৈতৈরোলদা ইবা সাহিত্য অসিমু হার্মিটসেল ক্রেব (কক রাইথু) মহুংদা লৈবা অমগুম চাওবা হেল্লরোই মতোং রাউরোই মহাও লৈরোই।

ইতত্ত্বনা হায়রক্লি সাহিত্য জাতিগী মুংশেলনি। রাকম অসিমক রাথল অয়ানবা অমনি। সাহিত্যগা জাতিগা মরি লৈনদে সাহিত্যগা মতমগা মরি লৈনদে সাহিত্যগা মৌয়ামগা করিমু মুংশিনদে। সাহিত্যদি কলা অমনি মহাক্তি মতম নাইদে জাতি থায়দে মৌয়াম অমমুং নাইত্তোম থিনদে। তো অহুনদি সাহিত্য য়েংলগা মৈতৈ নম্নগা মণিপুরী জাতি মঙৈথংগা য়েংগনি খল্লিবা অসিবক অমলনা রাখিনি, কৈয়েংনবা রাথল অমনি সাহিত্যবু "জাতি মতম মৌয়াম" (Race moment Milieu) রাইহেশিংসিগী রাথলগী থন্দা ওন্নবদি হিপোলাইট টৈইন (Hippolite Taine) না হায়থিবগুম সাহিত্যবু মশক থংজদবা অহৈ অপা শাবা মী মতৌ মান্দুনা লৈবা জাতা মশা মথক্তবু কবিনি লেখক্লি হায়না থঞ্জবা কাংবু অহুতনা থনগদবা অথেনবা রাথল চেনবা মিংয়েংদগীনি। মতম অমদা আমেরিকান লেখকশিংনা তৌনরম্মী মাখোইগী আমেরিকান লিতরেচর হায়বা অমা থম্নবগীদমক অইবশিং অসিনা ইবা লাইয়িক থুদিংমক্তা আমেরিকান ইমুং অমগী শাজং রাঙাংরাতা অহুদগী হেন্দোকপা ইমুং অমদা শিজান্নরীবা পোৎকুপ গোৎচোয় অহু-কাউবা মমিং পল্লম্মি মাখোইগী কাম্নবা কান্নদবা য়েক্লম্মি। মখোইগী মতমহুগী থোক্লি থোক্লিবা থৌদোক মচা মচাহু করিগুম্বদা মেগনিকাইণ্ড গ্রাশনা করিগুম্বদা কণ্ডেনসড সেল অমা ওইনা য়েংহুনা তৌজরম্মী। মখোইনা খঞ্জরম্মী ইংলণ্ড ইউরোপ্নচিংবা লিতরেচর শেম্বা গুম্মোই। মখোই অসিগী মমাংদা লৈরম্বা অইবা কাংবু অমদি ইংলণ্ড অমমুং ইউরোপকী লিতরেচর হায়না থনবা কাংবু ওইরম্মি ঐখোয়গী মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরম্বা অইবা কয়াম্নক্না বাংলা সাহিত্য সংস্কৃত সাহিত্য অহুত্তবু সাহিত্য ওইনা থনবা অতৈদি নত্তবগুম থনবা কাংলুপ অহুগুম্নহনা তৌনরম্বনি। আমেরিকাগী ওইবা

সাঁহিত্য অমা শেম্নগনি খল্লিবা কাংবু অহু আমেরিকাদা লৈবা কাংবুনদি মখোইগী জাতিগী লেখক্লি হায়না খাগৎনৎশ্লি—অহুবু ঐখোইনা অহুওবা রাখলদা ইজরম্বা লাইব্রিক কয়াদি সাহিত্য কৌখিদে, আমেরিকান বুক (আমেরিকাগী ওইবা লাইব্রিক) ওইহনা তোকখি। লায়ক্লিবা আমেরিকান বুক ইবা কাংলুপতা য়াউরীবনি আর্নেষ্ট হেমিংওয়েনচিংবা কয়ামুকম্ব জাতিগী ওইবা সাহিত্য, মতমগী মিংশেল ওইবা লাইব্রিক ইগনি, অহুম্না ইরগতা সাহিত্য চাউখৎকদবনি হায়বসি অখুবা রাখলনি। সাহিত্যনা জাতিদা মঙাল তাগদবনি, জাতিনা সাহিত্যল মঙাল তাগদবা নত্তে। সাহিত্য অমনা রাজনীতিগী রাখল কয়া শেম্নিবনি, ধর্ম্ম নিতি হোংলিবনি, ধর্ম্ম নীতি, সমাজনীতি কয়া হোংহল্লিবনি। মরম অসিদগী সাহিত্য অসি অরাহবা থবক নত্তে—অইবা মাগী চাউদ্ববা থোদাং অমনি। মনিপুরা লোন্দা ইরিবা লাইব্রিকশিংসি মৈতৈ জাতিগী ওইবা সাহিত্য ওইনবগীদমক্তা ইগদবা নত্তে, মনিপুরী লোনগী ওইবা সাহিত্য ওইনবগী ইগদবনি। মরম অসিদমা লোল অতৈগী সাহিত্য অনুবাদ তৌথোকপদা কাঁরিস্ম কাইদে। ঐখোইনা য়েংগদবদি, সাহিত্য অহুগী রাখলনা ঐখোইগী সমাজদা, ধর্ম্মদা, সভ্যতাদা মঙাল পিবা ঙম্বা হায়বসিতনি।

ঐখোইগী অইবশিংনা মৈতৈলোলগী সাহিত্য ইবা ওমত্রি। করিনা, মাখোইনা ঐখোইগী হৌজিকী সভ্যতা অসি কয়াম্বুক ওনথ্রকপে অহুপা কয়াম্বুক য়াম্না শাক্লিনা ওঙ্গিবনো হায়বহ্ন শংবা ওয়াকে। [illegible] অওওকপ কননা হোৎলিবা মৈতৈগী সভ্যতাগি ধর্ম্মগী লম্বেলদা, লাইনিং [illegible], রাজনীতিদা অর্থ নীতিদা, সমাজ সংস্কৃতি [illegible] মাইকৈ পুম্নমক্তা হোংলিবা, নোংম নোংমগী খোমরক্লিবা মৈতৈ সভ্যতা অমদা ঐখোইগী হৌজিক তাউরিবনি। মীওইবগী মমল (হিউমেন ভেল্যু) নত্রগা কনাগুম্বা লেখক হায়নবা "মাহুনা হিংনবগী খুদম ওইবা ("Symbol to live by"—John Osborne.) অসি করম্বা মওংদা লৈখ্রবগে, করম্বা মওংদা থম্লকদগে হায়বা খঙনজবা যুগনি। যুগ অসিদা মৈতৈরোলগী লাইব্রিক্তদি পাখং লৈশাবি ঙুংশিবগী য়াকাবুংদা ডাউরবা অইবা খরগী পোথোক্তা মউরি—মখোইনা ইরিবা লাইব্রিকশিং অসে স্কুল কলেজদা লাইব্রিক কয়া ফত্তবা ছাত্র ছাত্রীশিংনা সো তোনবা লাইব্রিক লবাক থরাইদা। লৈবা লাইব্রিক ময়েক চংশু কাংবুনা নোংমা ফাদোক নোং চুমনাখিহুনা চথোকপা য়াদবা মুমিত্তা পানবা, নত্রগা থবক লৈতবী মোনহানা পারগা অহুক তুম্বা য়াগত্রা থম্বা লাইব্রিক ওইনা পুথোক্লি। অইবশিং অসিনা অহুগা খল্লি ঐগী লাইব্রিক উপন্যাস, রারী মতা অসি য়াম্না পানৈ অহুনা ঐহাক সকসেস ওইরে। অসিগুম্বা অইবশিং অসি ইংরাজী সাহিত্যদা মতক অমম্ব লৈরম্বা কাংবু "হরাউজবা মী (Gleeman গ্রীমেন) হায়বহুনি। মাখোইবু পামজবহু গ্রব সোসাইতি (Grubb Society) কাংলুপজনি। গ্রীমেন ওইবা লেখক অমনি হায়বা

লৌরসি হায়রবা খল্লবকাউবদা ঐখোইগী মৈতৈ রোলগী লাইরিকশিং অসিদা, প্রমান য়ামী (কেবল), ত্তোখোকপা (এগ্রন), ময়মচং (কেরেক্তরস), য়াহৈ য়াজা (ডিকসন) অমস্তুং থমোইদা ফাউবা (সেন্তিমেন্ট) অসিনচিংবা সাহিত্যগী মচাক (এরিষ্টোটল রিকুইজিং) থরসিফাউবা শুনবা য়াওদে; অত্থনদি কদাইদগী মৈতৈরোলগী সাহিত্য ?

সাহিত্য ইবদা মীনা সমাজদা চাউরবা খোদাং অমা পুরি—মহাক্কী কলন্না সভ্যতা অমগী খোংচং তপহল্লি থুহল্লি হায়বসি শোইত্রবা য়াকল্লি । খবর ইপাউ ইরবা মীনা শিখিবা য়ুমিত্তা লেখক ওইনা পোকই—হায়বদি মহাক্না খোল্লিবা অমস্তুং থংলিবা ময়াম অত্থনা কজনা মমুন ফানা নৈনহুনা ইবা ওয়কপা য়ুমিত্তা মহাক্কী জর্নেলিজম মাংখিহুনা লেখক অমা ওইরে হায়বনি । মতাং অসিদগ্ন ঐখোইগী মৈতৈ লৈবাক্তা খবর ইবা ওবা জর্নেলিষ্ট অমত্তা পোকত্রি, মৈতৈরোল খবর অমা অনি অসিদা য়াউরিবা ইডিতরিয়েল নত্রগা খবরশিং অসিদা চাংনাইনা ইবা কল্যুম্নিষ্ট (লৈষু লৈতে) খরা ইরিবশিং অসি জর্নেলিজম নত্তে; য়ুত্তাউবনা সোরোক্তা লাউহুনা চংখিবগুম্মি । মতম অমদা মৈতৈরোলগী জর্নেলিষ্ট অকবা পোক্লকখিগনি হায়রনা আশা তৌহুনা মরৈখোক্লসি ।

য়াগী য়াশি লৌখত্নুনা চিনবাল্দা নিংখিজবা মরোল হাপ্লুনা খোংলকপদা খোক্লকপা মুর (ম্যুজিক), ঈশিং মহিদা শেষা মুক মহিদা নুপ্লুনা ইবদগী থোক্লকপা সাহিত্য—য়াশিগী খোদাং নত্তে, কলমগী মুক মহিগী দারিদ্র নত্তে; মী অত্থগী চাউরবা মখোলাংনি । হৌজিক্কী মতমদা লেখকশিংগী মনিং ত্থা তগ্গা ইবা কনবগী থুদোংচাবা লৈরে; রোমান নিংথৌগী কেপিটোলদা, কাক্কয়াগী লোইশংদগ্গা মোগল নিংথৌরেলগী হারেমদদা নত্রগা মৈতৈ নিংথৌগী চৈথারোল কুম্বাবদা ইবগুম্না মনিং তমজদবা মীওইবগী মকমহ লৈত্রে । মৈতৈ লৈবাক অসিদগ্ন হৌজিক্কী লেখকশিংনা মরাইবক কবদগী "ক্রিদম" অমদি ইবগী মতাংদা লৈজরি, ইবা শুব্দগ্নু য়াউরি । ইবা হৈত্তবদা মশাইরে । লেখক অমনা দারিদ্র পুবা মখোদাং লৈ হায়বা অসিদা ঐহাক্না মীওইবগী মানবতাবু থাংদাকনুনা মপানগী ওইবা পোং জাতিগী, জয় ওইবগী, পার্টিগী, ডিমোক্রেসিগী নত্রগা লাইব্রেরীগী মরমদা য়াখল থনজুবগী বা নত্তে । "মানবতা" মীওইবগী মকমদা য়েংগু হায়রনা শংচাউ চাউনা হৈশিংনা ত্তাংবা য়াকম ত্তাকস্তু নত্তে । হায়রিবা য়াখলশিং অসিদি মতম মতমগী শাস্তাগী শাজং চংনবা শরক অত্থদা শেষুমগী নত্রগা পোলিতিকেল (মীচং খোয়হুনা মাগী মাগী শেয়বা) কম্পিতিশনদা (চাং তায়বদা) লেখক মশা পুরা চংশিনবগী থুদগী । (Alex Comfost—The Novel and our Time.) মীওইবা ঐখোইনা ঐখোইগী ক্রিদম (নিং-থৌবা) অসি পুশিন্দুনা মনিং তথা সমাজ অসিদা লেখক অমা ওইবা অসি অয়াবা অচৌবা ইথৌ অথনি, ঐখোইনা অনৌবা মানবতাগী য়াখল পুশিন্দুনা মৈতৈ সাহিত্যদা

শোয়য়বদি মৈতৈ জাতিগী সভ্যতা অনৌবা হাউখগদা ওইখরোই। T. S. Eliot না হায়রিবা — ঐখোইনা সাহিত্য অসি মতম লোয়বগী পাবা য়াই, হুডাইনবগী পাবা য়াই, মতমগা পুন্নচেন মনুং শেংনা ৱাখল শেংনবগী পাবা য়াই। অদুগা পাবা অসিদা ঐখোইগী ইঙ্গি মখল অমতমু কাউইনবা নত্তে — ঐখোই ইশা মীওই অপুনবা ওইনা শোকজিনবসি—it affects us as entire human beings—মাইকৈ অনোয়বগী য়েংফুনা মৈতৈলোনগী সাহিত্য পুক্কনা তৌবা তাই। অমাইগী তৌদি, তৌদি, হোৎনদি, হোৎনদি হায়বা অসিবা কমলেপকনবা লৈবা কায়দে। মনুংগী শোৎশক্তি অমতনি, পুখোয়ন্নিবা শোখোকী পুখোয়ন্নিবা মচাক মতৌ অমনুং পাইবা অতুতনি ঐখোইনা অনৌবা মিৎয়েংদা অনৌবা সভ্যতাদা শাগৎকনবা অসি। ঐখোইগী অসিগুম্বা কালগী মৈতৈলোনগী সাহিত্য ইহুনা মণিপুরী সাহিত্যবু মথক কয়া ওনহনবা তুংগে হায়বসি য়েংশনকদি। অমনবা য়াখি মতাম অমুক্তা, য়েংনবা মিরমদা ঐখোই লৈগদবা নত্তে।

অমনবা য়াখিদি হায়বা, য়াদবা য়াদি কায়বা অমনুং অহুবা ওইবা ৱাতা কয়াদুক লৈরি — সে, খুদম ওইনা, হুয়ানলম্বু মীতোপ্পা য়াংনবা তৌগদবু, অশাউবা হায়বসি নত্তে — অসিনচিংবা অসি তাইব' মীয়োম অসিদা লৈশেমখৈদগী তারক্লবা য়াকৈ ৱাতা থাতলনি। য়াকৈ ৱাতাশিং অসিবু হয়া হয়া অখোইনা' মীওই কয়ামুক্তা শিজবখি শিজবগী মওং খেরদি, মশাগী ওইবা মতৌদা পুখোকখি — অহু খজিক অহুতনা মীওইবগী সমাজবু মাখোই অমমম পোত্রকপা অমিদা কয়াম শাথিনা ওনহনখিবনো ; অতওহনা সাহিত্য হায়বসিদা লৈরিবা মচাকশিং পূরমক হায়া লৈরবনি; অনৌবা মওংদা অনৌবা মখলনা পুখোক্লবা সভ্যতাবু নৌনা শেম্বা ঐখোইনা ৱাখল থনগদরবতনি অমুবা অদোমদা থবক পাইখৎকমবনি। সাহিত্য কলা শানরিবা মচাক অসি য়ায়া শেদোক শেমজীন য়াবা মাংবা লৈরবা সনা য়ায়বা থাতু অহুমহুৎনি। ঐখোইনা অতোয়া মওং অমদা অতোপপা পাইবনা শাবদা সাহিত্য মাংখিগনি হায়না থাজবদি য়ায় অয়ানবা মীয়েং অমনি।

গ্রাহক ওইবিনিংবশিংগী মকমদা

ৱাখলগী গ্রাহক চহিগী ওইনা লুপা ৫·০০ ডাক খরচ য়াওয়গা লুপা ৭·০০ তনি। হায়া ওইবিরবশিংন্থ অমুকহন্না গ্রাহক ওইবিনবা নিংশংজরি হন্দকী বশিংদগী হৌবা।

সার্কুলেশন মেনেজর
নাহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি
রাজকুমারী লৈমা হাইস্কুল কৈশামথোং
ইম্ফাল

আরকে মধুবীর

উক্রোঙ অহোবগী ঈশৈ

ওঃ অঙকপনি মতমসে ।
খল্লুরগা ইশা নীঙ্গা তু-চুংই
তু চুংই খল্লুবদা —
লিরি হুম্বা, ঈংলবা মালংবগী
মহুত্তা, ফুন্নাওনবা উফুল-রাইফুলগী
নোংলৈনা শিংলি, ঙাইহাক্তা লেপ্পা
ঙাইহাক্তা লেপ্পা শিংলি
মিংসি পাঙবা মঃদনা
মিংসি পাঙবা মাদনা ।

শংনা শংনা কেন্নে উহয় খিবিকয়
কেনঙমদবা কম্মাম্ন কংহুনা মাঙলে
কৈহাউ কাংজবা উশাশিংদা,
কপ কপ চিংনা ঙানা খাঙবঙম
ঙানা খাঙবঙম, তোর্বানগী লৈত্তোইখত্তল ।

লিলাদি তাইবঙগী মমিনি
পোখানবা শানবা, মিকুম'মতং
অদুবু কদাইনো খেংনরিবা
অশেংবা তাইবঙ অমসুং লিলা;
কদাইনো খেংনরিবা !
তমনরবা লিলাগী মঙো, তাইবঙনা
ওঃ পোংশক্লা কদাইনো, মমিনা কদাইনো
ওইরবদা পোংশক্লা মমিগী মমি ।

*

কৈদা চংগ্রে তাইখঙবু কাউরকা .

কৈদা লৈখ্রে, পুন্সীবু কংতবা
মুংশিবগীদমক মুংশিবগী খম্মোয়না ?
হৌনা নোক্লে, তারগা রাপ্নি
লাইরবা খব মতুংলাংগী
নোক্না থবায় খোইবিনা কংখিবা;
কনামম্ম গুসি নীংশিংনজ্রে
থম্মোয়দা থম্মোয়না লীবা
থবায়গা থবায়গা তিন্নবা
রাপ্নিদো রোমীও-জুলিয়টকী।
নহারোল পুম্নমক থম্মোয়মসু
খুত্থম চনখ্রে কুরাংপালতগী তৌশিন্নবনা ;
ধর্ম্মতনা গুণ ওইবী মুপীশিংগী
ওইরে লেমজনকম ; লৈরে ইজ্জৎসু
য়োল্লবতদা কৈথেনদা, মুকানগী পোংকু ম
অশেংবা থম্মোয়গী চাক্লবা শৈশক
তুং-ইন্না নুংলোন অমমম হাপ্তুনা
শাখিবা তাজ যমুনা তোর্ব্বান্দা
ওইরনি শোয়দনা নোংমাদ কি-য়োনকম
কুন্নরান হামেং কাওশিং মুমিদাংদা
কুন্নরনি হামেং, কাওশিং।
থোজাল লৈত্রে মকমদা ইনাক-খুনবশিংগী
মুরাল্লে, মী হাংলে, মহৈ-হৈবশিংতনা
চারে মীনা মী, শাগুম, তাগুম
লেপ্লরে চাকনিবা, চাকনিবগী থোঙজিন্দা।
লেপ্লরে চাকনিবা, চাকনিবকী থোঙজিন্দা।

•

উননিংবা মীদি গুককং কংদে উনবা
হোৎলবদা মাপা অমুক্তং উনগে
থেংনৈ তোয়না উনদ্রিংদবা কয়া

য়েনিংঙবা, [illegible] [illegible]
তোয়না [illegible] [illegible], উব-[illegible]
তৌশিন্নবা, [illegible] বাহৈ [illegible]
অত্তনা হায়রম্মী [illegible] [illegible]
হায়রম্মী থেংন-থুদিং [illegible]
তৌশিন্নবা, তানিংঙবা বাহৈ কনা।

তানিংদে, ঐ তানিংদে
মথোনা মপ গীমু লৈঙ্গন বা
মীগী মতেং লোয়রগা
য়েক্লববু মায়থীবা পীবা
মশাবুনা মীঙোন্দা য়োম্বোকপা
মীকিথীশিংঙ্গী বারি, তানিংদে ঐ
লীয়মু তোকলো, নাকোং অনিসি কাওনরে
তাবদা তৌশিন্নবা হারক্যুলিস
শাজিন্নবা শ্যামশনশিংগী বারিদো।
কংগ্রে পুকচাওবী নত্রুল ভুরেল
লৈক্রক চৎলে লোয়াকন্ন
লোইবী চৌংশাং, নোংমাইজিং চৌংদোল
লৈচেৎং ওন্দুনা ওম্না তাওখল্র
তিমন্ত্রে থুমহৌনা [illegible] সমুদ্রনা
তিনখে ওম্না লৈচেৎং ওন্দুনা।

*

[illegible]-লেংচুপ, থা-বাং
ইহাও [illegible] মাইকৈ থুজিং
শিংলরে লেপ্পা [illegible] [illegible]
মরুভূমিগী, লৈরোইনা [illegible]
নোংলৈ [illegible]—মীয়ুংশি পক্রবা
[illegible] [illegible], তপতেক-নাতেক

চেকশিন্না শাজকা য়ুমশিংলো ঐখোয়গী
ঐখোয়গী য়ুমশিংলো, চেকশিন্না শাজবা
মূক্কুনা হুমদোকখে, শুপত্তেক-নাত্তেক।
কৈদা লৈনি ঐখোয়দি হৌজিক;
করম্না হিংনি ঐখোয়দি ওসি;
হোনগনি করম্না থম!
ওঃ করম্না হোনগনি।

— — —

মমল

নোঙ অসি চুখিনী

ওসিন্থু নোং হেক তাম্লকপদগী চুরি—
চুথগী লেপপা লৈত্রি,
য়াম্না করম্থু নত্তে, য়াম্না ওপনম্থু নত্তে,
চাংদা অমদা...তপিৎ তপিৎ,
লেম্না য়ুক্কাই নাইত্রি
চুরিবা নোঙ অসি।

নোঙতা চুবা নত্তে
মরক মরক্তা থুংশিৎ অসিম্থু অহুম্মক শিৎলি
য়াম্না করম্থু শিৎপা নত্তে,
কনদেমকম্থু হাম্বা য়াদে—
ভাওরি-কৈরিবা শজীবুগী নোংলৈ থুংশিৎকুম
অমুক অনিরক শরৈ হায়কেৎ কয়ম্মী;
ইশানা শাবিরম্বা ঐগী শজ্জাও অসি
নৈথারগদবগী মওংওম
অমুক-অনিরক 'হায়' কুম-লাকহুম তৌকরে
ফুরগদবোম থদুরে।

ঐগী এন্নথাদা হৌরিবা কুথাপ-পাম্বী অসি
মশিং নাইদবা নোঙ-মরিক কয়ানা য়ৈহত্তুনা
পুমক্তোক চোংলে;
মার্ডসবার্থকী ডেকোভিলগুম্না
মশিং নাইদবা মনম মুংশিবা লৈ ময়াম অহুদি
বসন্তগী মমৈ ওয়রকপনা তৌবমান্নে,
লোয়না কেনখ্রে;
লৈ য়াওজবা কুথাপ মশাশিংফুত্তা
কোঙনা মুংশিংনা য়ৈহৎতুনা
হায় ছমহুনা থাংঙি।

অহুবু কয়া কুইনা থাঙগনি?
নোংমদি কুথাপ পাম্বী অসিমু
তেকতুনা কঙহুনা মাংখিনি
ইপানা শাবিরম্বা শঙজাও অসিমু তেকখিনি
ঐসু শিংলিবা মুংশিং অসিগা লোয়নহুনা
মুংশিং ওনহুনা পাইখিনি
চুরিবা নোঙ অসিগী থোংগুন লীহুনা।
মহুদগী শজিক নানৌ ময়াম অমা
ইপানা থম্বিরম্বা ঐগী য়ুম্ফম অসিদা
চোঙথংলকনি;—
মখোয় অদো হুপসু ওয়বা য়ায় তিংথৌসু ওয়বা য়ায়
নত্তনা পেরুক লবুক য়েংথা কয়াসু ওয়বা য়ায়
মতম অহুদসু নোঙ অসি অহুম্মক চুগনি
মুংশিং অসিসু অহুম্মক শিংকনি
ঐত্তদি মতম অহুদা ঐবু নিংশিংলরোই।

[শপোলাশের কমল কছারগী শিলচরদা লৈবা মৈতৈ কবিনি। শিলচর পোলিটেকনিকতা ওবা ওইমি। "ললয়িক মচু" হায়বা শৈরেংগী লাইরিক কোঙখ্রে।]

টাবার ক্লোক

১

চৌরাঙ্গি রোড্কী টাৱার ক্লোকতা
লেপ্তনা চৎলি পুংশীংগী কাটানা
অমদগী অনী অনীদগী অহুম
মথং মথং।

২

কংলৈপুন্দা
কংলৈপুঙগী মিতম মিরেন শম্দা
কোনোক থেন্দ্র। লাম্বোল লুখোই
পৌরেম্বা খোংনাং থাবা
অহুদগী পান্দ্রবা অহুমগী টিকেট্স
থাম্লল
মখোয়গী মুর্ছিদা উকংবা শাবা
শিরবা মথরায়দা
চাবি থারি লেপ্তনা হকথী খোম্বা
মীতৈ কাঞ্চব অমনা
অমুক্তবি ঊর্তি হোনলবা
খেঙবা হংশিলগী মইমিয়াদা।
কোর্বেক কাক্না
থিরি কমথিনথ্রবা মরেক্কী নংগোমলবা
থরায়গী কাওকোন।

৩

কমিলো—রাহুও অমা হংলকই '
কদোমগীনো হৌজিকা ওমা অংলাকা মতামদো ?

কোজা মৈরীক পুরবা
থুং ভরাগী খোঙ ভরাগী
মীং ভরাগী
হকচাঙগী কয়াং চাপ্ম চাপ্মগী
অনৌবা জিব কাঙলুপ অমা
হন্দক্তা থুংলরে পৃথিবীসিদা !
মখোয়গী শক্তিগী
লৈতে ওয়খৈ
মখোয়গী লৌশিংগী
লৈতে ওমখৈ
মখোয়গী অঙকপা অনৌবা জিবশিংহুপী !
করিনো মখোয়গী করম্বা ওল্লবা ক্ষাউজো ?

পাউখুম
লৈত্তে
খোঙজাও পোৌয়োল লোয়ল্লি মৈত্রবাকী য়ুমশিং
লোইশিল্লি অহিঙ
তুংথিলগী মমৈ য়োরসিকাও।
অঙকপা রাহুগী পাউখুম লৈত্তে।

৪

মল্লবা ছাপা খানাদা
মল্লবা তেল্লবা ময়েকশিংনা
খংনরি। (নত্তে খল্লবা)
কাঙজৈবুঙদা
এসেমল্লী হোলদা অল্লপা ফুট পাউত্তা
টোর্চ লাইটকা মৈঙাল অমদি কোত্র চীংগী অহিঙ।
মসিবুহু শাউই মরীন কুক্তোল্লা মখখোয় চাকখেল্লা
মখোয়গী কাঙবুনা;
অকামপেৎ থাহুনা চৈ-থাংই।

৫

ও, পাউখুম অমা লৈরে
পাউখুমে হায়ববু মসিনি।
ঐহাক আসামী নত্তে বাঙ্গালী নত্তে
পাঙন নত্তে চীংমী নত্তে
নত্তে অমত্তা।
মীতৈ লাইমী মচা মীতৈনি ঐ
লৈশেমতৈগী খুায়দগী লিরবা মুক্তাপকী ঐ।

মহাভারতকী মনিপুর
রাস লীলাগী শ্রীশ্রীগোবিন্দগী শোয়ায়েলগী লৈবাক্কী
মিথাংগী মহাকাব্যগী
মণ্ডলৈবাক মনিপুর।
কদায়দনো সনা তাণ্ডবল অচুবো
(সনা কীগে খোনবা লানীংথৌগী মচাশিংনা খিরমই)
কদায়দনো অঙকপা সনাগী মনি মুক্তা থাম্বগী
লৈশেমতৈগী লাইনীংথৌগী সনা তাণ্ডবল অচুবো
কদায়দনোনে কদায়দনোনে?

৬

কদায়দনোনে কদায়দনোনে?

লেপ্তনা চংলি পুংশীংগী কাটানদি
অচুমদগী মরী মরীদগী মতা
মথং মথং
চৌয়জি য়োঙকী টাবায় ক্লোকতা।

— —

শা

নাম্বয়ে খঙনা কাখৎকদৌবগীতা নাক্কৈ
শাইরৈ হৌরবা শা অমু
শমুম মচেৎ খরা শাম্বদগী ।

কত্রে খঙনা চাগদৌরবা হোৎনৈ
নাইলোন শা অমু
মহাও তংনীংবগী নেশা চুরবী
নিংথৌখোংদগী লাকপিমুনা ।

মী পূম্নমক—
শমজি থাইমুনা চেন্নরে
মতৌ উবদা ইকায় খঙদবশিংগী ।
চেনবমখৈ চেনলুরগা
মী উত্রবা মতমদা
অমুক চেন্নশিনলকই
নানলবা কমুংবু কাউবা ঙমদনা ।

নেং—নেং—কোং
নোম—নোম—শগাইতোং
হুংঙাইকম খঙহৌদনা
মচান্দদি শোনজি
'হুংঙাইবো'—শা অমুনা ।

— —

রাজকুমার ভাস্কর

সুনজিৎ সিংহ

লেপকও কুংলবা উ

লেপকও কংহনা গুমচারবা
উ-পাম্বী অমনা
মিকুপ অমত্তংগী ওইরবনু
খুদগী মিকুপ অমত্তংগী ওইরবনু
মপুক্লিদা
মালেম নৈমাইদগী অহাংবা নোংদোল্দা
পাকচাওনা মরা শন্দোক্লনা
হৌনিংলমই
হৌনিংলমই ।
মহাকী খাখল অসিতনি
পুক্লিচুপ্পা অসিত্তনি ।

শ্রীবীরেন

তোল্লবা শাদুগী খাখল

খুরবা মল্লবা শারংহুদা
মখোঙ মখুৎ লোটনা পুনলিনলবা
তোল্লবা শা অহনা
নাইতোম ফমহনা খল্লিঃ
পুক্লি হায়বসি শাথিনা তমথিরবা ফাগি অমনি
মরমদি
কৈগীনো
উচি অহনা খোরল্লিবা
অরাংহুকানবী

থীনা কুক কুক, ইররবা
কায় মোক্তোর, ত্রক
একাপারি মিঙ্গানা কুংনা চেঙ্গিবা মরক অহুন।
য়োং নাল থারবা খোঙউপ কাওবা থাংবা ভমর বন।
কৈগীনো উচি অহুনা চেম্বোরকলিববু।
নাকম অমদগী চেম্বোররুগা
হুনজিনবত্র ভমদ
লাম্বোকপস্থ ভমদ
কয়াদা রাধবা।
মকোক অহু উরু উরু লৈনা ভাওথি ।
কৈগীনো অহুক ভমথিবা কাগি অহু তোকয়িব
মান্ পীক থম্না হাম্না
লুম্নবা চাউরবা ত্রক শকথীবহুগী
কত্রক কত্রক লাউরবা
ময়া চৌরবা চাউরবা কাংখোঙহুনা
উচি অহুগী মথীবোং থোকপমথৈ
মখোন থোকপমথৈ
ভকথাইথিবহু কৈগীনো ?
অহুক চাউরবা দগি অহুবু
কনানা মাঙোম্দা করিগী পীরিবনো ?
মাগী মমিং মচাহু মতমহুগী
ওঃ অরাবনি, অকিবনি।

অহুনা
পুনি হারবানি থাজবা রাদবনি ।
অরমদি
অহুক খোঙল খোংলবা লৈনা পানবা
মমিং থাজবা লৈ অহুনা
নুংগা বিনাথাজিনা তোংনহুন। হৈরবা

কংলবা নুংচনবা কল্লাংহুদা
থিল্লোক্তনা শাংলিবহু কৈগীনো ?
মসিথু কনানা খাজপদৌরিবনো ?
অহুগা
অহিং অহুদা
রাহৈ অমথক্তগীদমক
অহুক ইং-তপবী লৈশাবীহুনা
মশাদা পকপা মকি পুথা
লোইনা লৌথোকখিবহু কৈগীনো ?

ঐনা হায়
ঐনা হায়রিবসিনা কৈ ।
নঙনা হায়
নঙনা হায়বহুনা কজৈ ।
কজবা হায়বসি ভাবনা শাবনি
অথীবা হায়বসি ভাবনা শাবনি

কা অহু হেয়া মমশিনলকই
খোজেন অমতা তাদে
পুনলিবা মোংলিহু হেয়া কনশিনলকই
নাইতোম হেয়া তাই ।
থৈহে অহুম :
পুজি অসি অমানবা অমনি
মরমদি
কৈগীনো ঐবু
খাদথিরমলিবা উমাইবী অহুনা
মকথলিবা ?

মকমসি লাম্বু পামদনা
ঐগোন্দা অতুক্তম্ হংবিরম্মুদনা।
কৈগীনো থাদবিরমলিবা ঐগী পুক্নিংগী
বা ইহং হংবিদনা মকমসিদা ?

ঐনা হায়
ঐনা চুম্মী।   নঙনা হায়
নঙনা চুম্মী।
অচুম্বা হায়বসি ভাবনা শাবনি
অরানবা হায়বসি ভাবনা শাবনি।
পুন্সিগী মমল ভাবনা লেপ্পনি
অকক্নবা মমল লৈতবনি।
অচুম্বা হায়বসি অকক্নবা অরেপ্পা অমত্তা লৈতে।

কৈগীনোনে
থাদবিরমলিববু উমাইবী অচুনা
মকমসিদা ঐবু ?

লাইশ্রম শমরেন্দ্র

কৃপা

মহাকী থৌজাল ময়িক অমত্তং ঙাইবদা
থম্মুদে পুন্সি অসিবু কেমলগদরা,
চৈকলদা মহাক্না মথুং য়েংনা চাবদা
মহাকী পেন্সিলনা লাইরিক্তা তবদা
থোরক্লে মহাকী থৌজাল
ঐহাক্কীদমক্তা
মহাকী থিং খইগী থিংথাল
চাওখৎ শমক্ত অহুম্না লেপ্লবদা

চিনথান অহুনা উমশিনবদা
চিনথান অহুনা কাখোকপদা
খোরজন্দে খৌজান ঐহাকীদমক্তা
মঙদা মঙলবা মহাকী শমক্রদো
মহাকী পেন্সিল অঙাংবদো
লাকখিদরে খৌজাল মহুদগী ।
ককলাংগী কেলেন্দর য়েংলবদগী
অনশিন্নকই ঐঙোম্বা নোংমদি
শমক্র অহু নিকলকই
পেন্সিন অঙাংবা থাংগৎলকই
পাকলবা পিওম অনি হায়গৎতুনা
য়েংলকই ঐঙোন্দা য়াম্মা ঈংনা
ইভপ তপ্পা হায়রকই অহুগদি
য়ারগনি নহাক
হয়েংদগী থবক কারকলো ।
হাওরৈবগী ইংখোলদগী
লশিং পোলাং কোংদগী
য়েম্বারাবা খোংলকই
য়োগৎলো ইচাশা
থোরকলো মপান্দা
শান্নরো সুংশাদা
ইপাগী ইবুংঙো থোরকলো ।

— — —

শ্রী জিতেশ্বর শর্মা

নীংখ্রায়রকপদা

মূর্ত্তি অসিনা চিংথারক্লনা লৈক্রক চংলকপসি কনানন্থু তেংথাদবা ওয়োই । মূর্ত্তি সিনা শক্তম লেপত্তুনা ফিরেপ তাথিবা মতম অহুদা খেন্নবা মিংয়েং কয়াদগী নৈনবা খোম্বাং অহুগা থাগৎ য়াহৈ কয়াগী খোজেলনা সহর অসি নিলহনখিবনি । অমুকন্থু হেন্না শিংথাবা য়ারমগদবদি করিগুম্বা মূর্ত্তি অসি অপিকপা সহরসিদা লৈরমদহুনা পৃথিবীগী শিংথানরিবা অচৌবা সহরশিং অমদা লৈজ-রম্লবদি থোইদোক হেন্দোকপা মতিক মগুন অহু পৃথিবীগী মীপুম খুদিংনা খঙনরমগদবনি ।

মূর্ত্তি অসিবু য়েংশিন্ননবীদমক্ত মকম অসিগী মীপুম খুদিংন কম্লারক হায়জখে,, ইজখে, —, লাওজখে,। কনানস্থু মসিগী মরিদা থৌনাফনা চোংথোক্লক্তে । মতম অমদা মূর্ত্তি-সিগীদমক মপুক্তি চুম্ন নীংবকায়হুনা চংথ,বা, অরাফমদা লেনথ,বা; মখোয়শিংহু হিংলম্নবা নত্রগম্থু মখোয়হুগী মরোই মনাও থমদং সহরসিগী মচি-ময়াদা লৈরম্নবদি, ওসি মূর্ত্তিসিগী নীংবকায়রবা শকক্তম অসি থোক্লমদবা য়াই ।

ইতিহাসনা তাক্লরবা, মালেমসিদগী মুংখি-গদৌরবা; অসিগুম্বা মূর্ত্তি অমা লৈরম্মী হায়ব-কাও নীংশিংনরক্লরোইদবা মতম অসিকাওবদা কনাম্থু চেক-মোক লাওদনা লৈখোক্নি । অহুগা কন্নি করিগুম মতাং মতাংবদি অয়ুক্তী নোংহোওম নত্রগা হায়েং য়াইনবগুবা কয়াবুদি য়াম্না থবায় লুপশিন্ন য়েংনরি ।

কনাগুম্বনদি মহাক্তী য়েম্বা লাবা — অঙাংবা অহুনা অমুক্তং মঙক হায়গৎতুনা খোংলবা নত্রগা য়েম্বাহুমক্তী তৌওম্বহু উরগা মূর্ত্তি সিবু লেংহন্দবা ওমগনি হায়না চোংথোরকপা য়াওই । অহুবু মহুগী অর্থ খঙদবা মুপী অঙাংনদি কৈথেল লেপ্লগা চুকান থোও লোন্দুনা য়েংলবস্থু মখোয়না নোংম কৈথেল লেপথিবহুগী মাংজবহুক অচৌবা জামিন্দারশিংগীদি ময়েং তাহব ওমদে হায়বা খঙজ্রি । মহুদি লাইর-হুনা য়েম্বাগী মপূ অহুনকাও খঙজদে । মসিমদি অচুম্বনি, মহুদি কুম্মৈ লৈতবা মকমদদি মন য়াইনরদস্থু অচৌবা কুম্মৈ ওইনা লৌই; শেন-ফাওবা থানৈ । অতৌবীগা অঙাংবীগা য়াইন-বহু অতৌবীনা লাকচরকপদা নাকোয়নন্না অমুবী অমদি মো-মা পংথোও খোওহুনা চেন্নি । অহুগা মরাং-তুরাংব, মরিকপি-খোয়গী জাংসিদি অমতবু মশক উবা ফংদে । মখোয়গীদি গবর্দ্ধন পূজাদা চাকলুক য়াবতনি কল্লিবা । অসিগুম্ব কুম্মৈশিংসিদগী ঐখোয়গী সহরসিদা লৈরিবা মীশিংন মূর্ত্তি অসিমদি হেক হেক নীংশিংনরকই । মসিগী মপুংগী অর্থ অমদি লৈব তায় । ঐখোয়না খঙবকাওবদি মূর্ত্তি অসিগী পূকৈ চোয় লৈ অহুনা মতৌপগী

মচাক মরল ফংবতায় । মতুনা কদাঙকাওবা মহৈ য়াল্লবিদগে হায়রবদি কনানসু খঙবা ঙমদে—, মঙনি ।

মী থরগী থাজনবা অমদি লৈ । মখোয়না হায়—থরান হায়বা খা অসি অয়াব মীনা য়াম্না চাদৈ । অসিগুম অরাবা মতম অসিদা পৃথিবী অসি থাংগৎত্রহুনা সহরসিংঙদা অকয় য়ুহারহায় । য়ুহাহাবা অমদগী শাখিনা হায়-ছমহুনা মূর্ত্তি অসি চিংথারককপনি । মমৈদা কনাঙবনসু হায়রকনি—সহরসিদা অঙকপা থোদোক থোক্লকপসি ওসি ঙমাংতগী নত্তে, লাইগী মীগী শমরিত্তৈদগীনি; লাইগী লৈপাকনি । মখোয়না হায়নীংব হায়জরবসু ঐখোয়গীদি মূর্ত্তি অসিবু হায়গী মতৌগুম নীংথিনা লৈ-হনবিবা অসিতনি পামজরিবা ।

রাকমসিগী মরি লৈননা হন্নক সহরসিগী মীয়াম মরক্তগী মূর্ত্তিসিবু মুংশিবা মশিং কন য়াম্না চোংথোক্লক্‌না কাহ্নরিবা মকম পূরনক নীংথিনা শেমজিনপনি হায়হুনা রাশক রা-রেপথে ভারে । মখোয়হুনা কনাহককনবা থবক ওইনা চথবা ঙমগদোরিবা, রেংলবদি উগনি ।

সহরসিবু শাকশেল্লিবা, মীয়ামগী লাইবক লেপ্পিরিবা. কোল কারখানা, বিজলী অমসুং ঈশিং মুংশিং পূরমক চপ মান্ননা মূর্ত্তি অসিবু শৌগৎলবা রেংশিনাখরবদি । মিতুপ অহুদা কুপ্লকপা লোংথাং অহুনা জগর্শনথুংন ঙান-হনপনি, মূর্ত্তিসিবু মশেক মল্লালগা লোইননা নাংথিজগনি । মহুদি নত্তনা চপ্রেৎনবগী ইশৌ-লাংবনাদি থবক লোয়না মহৈ য়াব ওইরোই । থাগী লৈমায়দা চংগূরবা মতম অসিদা হাজেং বন হাইনবু নত্রগা রেবা—খুমু কাওনবনু অকবা অরেপ শিংথানবসি সহরসিদা তোকপনা চুমলে ।

অসি হায়হুনা কিন্নরক্রবা মূর্ত্তি অহু য়েংলগা মূর্ত্তি মুংশিজবা মুপাহুনা চোইরোল কন্নামুক লোনখি । অহুবু, অহুবু মহাক্না পামজবা মূর্ত্তিদি করি ওইরিপ্পবা মহাক খঙখিদ্রে ।

কাইখুম্‌-ফি

খাংপোকশঙগী খোঙজিন্দা মপা-মচা অনি হু মুংশি মুংশিরব মৈহু অমগী মনাক্তা তুমিন্না ফম্লি অহুপা ইমুঙদনা মচামুপা গী নহাওইরিবী মুপী বুধিয়া অঙাং পোক্লমদাইগী অকনবা নাউয়েক্তা জ্ঞান তাদনা বাম্বহনা লৈরি। তাইহাক তাইহাক লৈরগা মাগী মচিন্দগী থম্মোয় নিকহরিংঙাই ওইরবা খোঙেল হেক হেক খোয়রকই, মহ তাবদা মথোয় অনিনা তোফম খঙদহনা থম্মোয় পায়রুমা খাডই। নিংথমথাগী অহিংনি, মহোশা কোবী লায়রেম্বী অচিকপগী তম্পাক্তা য়াতাগ্রে, খুদংপুম্বা অমম্বদা তিনগ্রে।

ঘৌম্বনা হায়রকই — 'ঐনা থনবদা— মহাক হিংগ'নি হায়বা থাজজ্রে। মুংথিলচুম্বা অহুম্না হোংখ্র; নং অহুক চঙহনা য়েংবিরুদনা।"

মাধবনা শাওরংননা খুম্নকই —"শিগদোবা লৈরবদি থম্না থনা শিজখিবা য়াগ্রবম্না করিনো? ঐনা য়েংদুরগা করি তৌনি?"

"নং অসিদি হাইফেং মাম্নুংশি খঙদবা কাংনিহৈ। মপান করিগুৈ মতমদা চহি অমা লৈংঙাইনা লৈমিন্নখিবা মহাক অহুগী মফমদবু অম্নক তৌবিমল খঙদবসিদি—"

"অহুগী মতেনে, ঐদি মানা চাকপা, মখোঙ-মখুৎ কাওবহু য়েংবা ঙম্মোই হায়বানি।"

মোজিঙ্গী ইমুঙনি, খুদংদা মিংচং থাহনা লৈরিবনি। ঘৌম্বনা নোংমা থবক ওরবদি মুমিং হুমনি পোথাই। মাধবনা থবক তৌবদা কয়াগী মতিক তনবগে হায়ববু পুঙথায় অমা থবক ওরুরবদি পুং অমা হিদাকপুদা হিদাক থক্ত্বনা পোথাই। মরম অসিদগী মথোয় অনিসি করিগুম্বা মফম অমতদা হাজিম্না কংহে। ইমুঙদা চাননবা চেং চাক থজিল্লংবু লৈরিবমখৈদি থবক তকদে হায়বসি মথোয়,নিগী বাশক ওইরমাগ্রে। চায়া নোংম নিনি হেল্লক্লবা মতমদা ঘৌম্বনা উথক্তা কাহনা শাঙ য়াম্লুই অহুপা মহ পুহনা মাধবনা কৈবেলদা য়োম্লুই। শিংলকপা শেল অহনা হেক লৈরিবমখৈদি মথোয় অনিমক থৌরেমদা কোয়চং চংহনা লৈগসি। খুদংদা থবক বাংপা নত্তে। লৌমীশিংগী খুদংনি, শুনিংবশিংগীদি থবক চাম চাম লৈ। অহুবু মথোয় অনিবুদি মীশিংনা কয়ম্বা মতমদা কৌনবগে হায়ববু — মী অনি চঙনা তবদা অমগী থবক ফংলওম্বু পেম্মোকচবা নংতনা অতৈ পাম্বৈ অমা লৈত্রবা কালদা। মথোয় অনি অসিনা করিগুম্বা সাধুক্তা ওইরবা তাররবদি মপুঙ্লিং পেম্মোক্লবা অমদি তপথনবগীদমক মশাগী ইঙ্গ্রি খুহুম চনশিন্নবগী অকনবা নিয়ম তাকপগী করিমতা দরকার ওইরম্লোই। মসিদি মথোয়নিগীদি মপোকতৈদগী য়াওরক্লবা হৈনবানি। অঙকপা মপুঙ্জিনি মথোয়সি। ইমুঙদা লৈপাক্তা শাত্ন অনি অহুম নংতনা অজোকপা

সম্পত্তি অমকাওবা লৈতে। কিজেং কিপার থরনা মপাগী ইকায়বা ভাক্তনা হিংজিবনি সংসারগী করিওল্বা অরাবা রাখল অমতা লৈত্তনা, মীগী শেলনা মথ্বাং কোয়দুনা। মীগী মীচৈন্থ তাই, চৈন্থ চাই — অদুবু মখোয়না করিংমতা রাবিবা লৈতে। মখোয়গী মায়-থোংদা অতোনবগী মীথুংশি পোকহল্লিংতাই ওইবা মগুন অমদি লৈ মতুদি মখোয়না শেল পুগে হায়রুবদা অমুক কংলরোয় হায়বা থওনা থওনা মীশিংনা থামত্রবস্থ থরদি অতুম মপু-থোয়ক্লে। হরাই থরাক, আলু পাম্বাদা মীগী কৌবুক্তগী হরাইথরাক নত্রগা আলু পাম্বা য়াওনা ফুক্তনা পুরকই অত্থগা হুমিদাং অথেংবদা মৈফুদা লোত্থনা চাই; মীগী চুগী লৌবুকক্তগী চু মতা তরা থেকলুরগা অহিংদা চাই। ঘীশ্বনা মতৌ অসুম্না হৈনিজোম যুম্বালদা লেল্লকলিবসি চহি ৬০ পুরা ওয়ে অত্থগা মাধবনস্থ শাগৈগী মৈতাল অরাবওম মপাগী খোঙ্গুল মবম ইনবতা নত্তনা অহোয়নত্থম মপাগী মীংচৎ হেনগৎহল্লবা হোৎনরি। মতম অসিমক্তদস্থ মখোয় মৈফু মনাক্তা ফমত্থনা মীগী লৌবুক্তগী লয়ানন্দুনা তাম্লুবা আলু লোয়গা চারিবনি। ঘীশুগী মুপীদি য়ান্না কুইরে শিাথবা। মাধবনা হাকুম লুচোংবান। মাধবকী মুপীশিনা হেক লাকপদগীদি মখোয়গী ইমুংদা তুংগীদমক লাওশিনবগী থোয়াও পায়ৎপা হোথি অমত্থং মহাক্লা ইকায় খংদবা মায়থাব অনিসিগী মথাংবোং থাকখি। মানা হেক লাকপদগীদি মখোয় অনিগী থবক ওনিংদবা, পোখানিংবগী মমল্থ লেলদুংথে; চাং হেনগৎখিবতা নংতনা নাপল অমত্থং য়াদশিল্লক্লি। কনাওমলা মখোয়-নিবু থবক ওয়লাও হায়না কৌয়বদা মখো-য়িনা পোতনা-খোংনা অতময় শরুক অমি হেনগৎনা পিয়ু হায়না তাক্লি। হায়রিবী মুপী অসি চাবোকপদা চিংনত্থনা শিগদোবগী মওংদা রাল্হত্থনা লৈরি অত্থগা মখোয়নিনা মহাক্তা শিথ্রবদি মুংতাইনা তুয়গে হায়বগী ওংদাদা মানা লানথিবা তায়হনা লৈরিমাক্লে।

খীশ্বনা আলু লোথোক্লগা মকু খোয়া খোক্লা হায়রকই — "মাপা কিজম কয়ম তৌরিবগে হায়বত্থ অমুক্তা চওত্থনা য়েংলুগে হায়বনি। হিংচাবীগী মুংশিং চঙবগী মা নংতনা অতৈ করিবু ওইগবনো? হিংচাবী তাম্থোকপগীদবক লুপা অমদি লৌগে হায়রু-কনিদো ওঝা মাইবনস্থ।"

মাধবনা কীরম্লিবদি, মানা ইমুংদা চঙখিন্দ্রৈ তাল্লক্তা ঘীশ্বনা আলু মাপা শরুক্তগী হেন্না চাখোক্লমগনি হায়বগীদবক্তনি। মানা হায়রকই — "ঐদি চঙ্গবা কী-বো!"

"কবিগী কীরিবা ঐ সদা লৈরিবসিদি?"

"নংনা চঙত্থনা অমুক্তা য়েংবিরুচোদনা!"

"ঐগা মুপীনা শিরমদাইদা ঐদি মুখিং হুমনি পুম্না মাপা মনাক্তগী লেওকাও লেওখি-রবনি। অত্থগা, মানা ঐবু উবদা ইকায়রো-ইত্রা হায়বনি। নোংমতা মথায় ফাওবা য়েংখিত্রবা ঐনা মাপা মফি-মরোল মকম খওত্রবা মপা অত্থ য়েংলুগত্রনে? মতোংদা হৌজিক মফি মরোলগা বাখলকা অমতা লৈরম্রোইদবনি। ঐবু উবদা মহাক মখোয় মথুং কাওবা মী ভাম্র কাউরবা ওয়রোই?"

"ঐনা খনবদ্রা, কৈজন্ন অথাং প্যোক্লকপা ভাগ্নবদি করম থৌনি ? শিং অকংবা, চৌনি অঙাংবা, অচাথাও করি'মত্তম্ন লৈক্তে ইমুঙদা।"

"এঃ অদুগীদি লোয়না লৈনি. করি'মতা রারুম্ন ঈশ্বরনবু চানবিরবদি । হৌজিক পৈশা অমকাওবা পিমু রাক্সিবা মীশিং অসিনা হয়েংদি ঐখোয়বু কৌরগা লুপা পিদৌরিবনি—লুপা । ঐগ ইচা মাপললনি প্যোকখ্রিবা, ইমুঙদা পাই নাত্তংগী অমকাও লৈরব্বা নত্তে, অদুবু ঈশ্বরনা চানবিবদগী অরাবা অদুম মকোকখি ।'

অহিং-মুংথিল খিদনা থবক ওরিবশিংগী ফিভমনা মখোয়নিসিগী কিভমদগী পংহেন হেন্না ফগংত্রবা অদুগা লৌমীশিংগী অচেংবা অশোনবদগী কায়বা লৌরিবা মীশিংনা লৌমী-শিংদুদ হেন্না মুংঙাই মরাও কায়না পাল্লিবা অদুগুম্বা সমাজ অদুদা মখোয়নিদা অপিগুম্বা পুক্রিংগী লাচং পোক্লকপদা অদুক হাক্না ওক্রিংঙাই লৈতে । ঐদি ঘাম্নুনা লৌমী শিনৌশিং অদুদগী হেন্নদুম রাখল লৈবনি হায়-নিংই। অদুদগীনি মানা রাখল-লৈত্রবা, পঙলবা লৌমীশিংগী কাংলুপ্তা তিল্লুবগী মহুংতা থৌ-রেম-কম্মশিংগী মোংলবা কাংলুপ্তা তিল্লুরিবসি। অদুরাদি ওইরগা, মত্তোম্বা থৌরেম-কম্মা কাংবু-শিং অদুগী নিয়ম-নীতি ভাকপা ওয়গী শক্তিদি লৈরমদ্রে । অরম অসিদগীনি থৌরেম-কম্মা কাংলুপকী অত্তে মীশিংনা খুৎলংগী লুচিংবা মুশিয়ামজিন্বা ওইদ্রগা য়াবা মাগী মৌচৈ ভাদ্রুনা অমদি চৈ ভাদ্রুনা লৈহোৌরিবসে । অদুম ওইনমক—মশাগী কিভম লখা কৎচরুবমু য়াবত্র-বদা লৌমীশিংগী মত্তোঙম্না মকোক-মথৈ খঙদবমথৈ রানা থবক শুব'দুমদি শুত্রে অদুগা মাগী মপুকচেল তিংবা অমদি পাথৈ লৈজদবগী অত্তোপ্পনা মকেমকাংতা কায়বা লৌখিবা কাওব-দুমদি তোত্রে হায়বগীদমক য়ানা মপুক্লিংদা পেনজবা অমদি পোক্লম্মী । মখোয় অনিনা মৈমুঙদগী আলু লোথোক লোথোক্লগা শান-শানা চাশিন্নরকই । ওরাংদগী করিমতা চা-রকত্রবনি । ইংথবা কাওবা য়োনা ওায়বগী তপথব'দু মখোয়দা লৈরমত্রে । কয়ারক হুন্না অনিমকী মরৈ প্যোকখিরম্মী । মকু খোক্তোক্লবা মতুংদা আলুগী মপানথংবা শরুক অদু অদুক শাবোই নিংদে; অদুবু য়ানা তংখায় তানা চিকখায়রুবা মতমদা মনুংথংবা শরুক অদুনা লৈ. থৌ অমস্থং খৌনাও পোকহল্লি; অশাবা মৈতালগুম্বা পোং অদুবু কুইনা য়াম্লুংদা থম্বগী শরুকপুদি থুনমক পুকন্নুংদা য়োহনখিবনা মঙ্গলনি । করিনা—মকম অদুদগি মদুবু ইং-হুন্নবগীদমক অত্তে পোৎলম মরাঙ কায়না লৈ । মরম অসিনা মখোয় অনিনা য়ারি'মথৈ থুনা-থুনা য়োৎশিন্নবা হোৎনরম্মী-মদুম তোনবা হোংনবদা যম্নিংতগী মপি শিম্নরমদবম্ন নত্তে।

ঘাম্নুনা মতম অসিদা অদুকৈ চহি কুনগী মমাঙদা চৎপা রাওরুবা ঠাকুরগী বরাত্ত (লুহোংবগী বর পার্টি) অদু নিংশিলকখি । মদুদা পিজখিবা পার্টি অদুদা মানা পেনখিব'দু মপুজিদা নিংশিংদুনা ঘম্বা রাবা রাকম অমনি অদু ঙসিগী ইনৌ নৌন। খোকখিবগুম নিংশিংঙি মানা হায়রকই — "মখোয়গী উৎসব অদু

কাওবা য়াদে। মহুৎনগী ওসি কাওবদা অহুৎপুবা উৎসব অমুক্তা পুকথন্না চাবা ফংখিত্রে। মুপীময়ুমগী ইমুঙনা শাক্লিবা মী পুন্নমকপু মপুকথন্না পুক্তী পিজখিবনি. মী লোয়নমকপু —কনাগা অচৌ অপিক অমত্তা থায়দনা পুন্নমক্লা পুক্তী চাখি — অশেংবা ঘীনা হোবা পুড়ীনি। চটনী, য়ায়ভাগী মথক্তা মহী য়াওবা সাপ মথেল অহুম, মহৈরাওবা ইনশাং অমা, দহী মিঠাই — হৌজিক করিবু হায়নি উৎসব অহুনা হাওখিবা মহাও অদো। অখিং অপন করিমত্তা লৈরমদে — লৌনিংবত্তা লো, চানিংবত্তা চাও হায়থবনি। ময়ায়া কয়া য়ায়া চানখ্রবগে হায়ববু ঈশিং থকচিনকম জাগা লৈনখিত্রবনি। অহুবু য়েক্লিবা পুজারীহুনা মহুকা য়াপোৎ নৎলমদে — চাকলুক্তা কোংকোং শাগবা কোইরোক - কোইরোক কোয়বা, মনম মুংশিয়বা কচৌরী অমমম হাপচিল্লিবনি। হাপশিরম্ম হায়না থুৎনা কনবা হোৎনৈ মাদি হাপ্পগে হায়না লেপথ্রবনি, নথক্তনা হায়ি। অহুদগী ময়ায়া মচিন মথা ভেংনবা হেক লোয়বদা সেবায়ীনা পানা অর্মাদ ইলায়চি ভনজান লানশিল্লকই। অহুবু ঐদি পানা লোবগা ৱাথলকা কদায়দগী লৈরুমনি, লেপ্পা য়োনা বারয়বনি। থুনা চৎতুনা ঐগী কম্বল মথক্তা হিম্ম্রখি। ওহোয়া মপুকচেল চাওইদা ঠাকুর-দো।

মাধবনা অচাপোৎশিং অহুগী ভাবনা মহাক্ত লৌরহুনা হায়রকই — "হৌজিক্তি ঐখোয়া কনানম্ম অহুৎপুবা উৎসব পিজখিত্রে।'

" হৌজিক্তি কনানবু করি পিজরগনি। মতম অহুৎদি মীশিং অসি য়াম্না কনরম্মী হৌজিক্তি মী থুদিংমক থরচ চাওত্রগা লোয়রে হায়না থয়রে। লুহোং খোংলোংবদা থরচ তৌগম্ম, শোরাত ফিরোয়দা চাদিং তৌগম্ম। লাইরবশিংগী মগোৎ মচৈ মথৈ নমহুনা লৌশিন্নবা কদায়দা থমগদৌরিবনো অমুক্ত হৎউ। লৌশিনবগীদি হালেংবা লৈতে, থরচ তৌখোকপদদনি মখোয়না লিকশিল্লিবা।"

"নং পুক্তী কুনলোমদি চারমগনি।"

" কুনদগী হেন্না চাখিবো।'

"'ঐ ওইরবদি য়াংখৈ চারমগদবনি।'

"ঐম্ম য়াংখৈদগী পংত্তা তাদনা চারমগনিবো। ঐগী শাবান অসি মীনা শিংথানরম্লিবনি। নংদি ঐগী ভংথায় কাওবা য়োদে হায়বা য়াই।'

আপু চারগা মখোয় অনিনা ঈশিং ৎকথি অহুদগী শেংলিবা মকৈজোমশিং অহু ওপচিল্লগা মখোও কোনশিল্লগা মৈফু মনাক্তা তুমখে। য়েংবদা লাইরেল অনিনা কৈদি কোন্দুনা তারিবা মাল্লি।

অহুগা বুথিয়ানা হৌজিকম্ম অহুম কয়া কয়া নাহেরক্লি।

(২)

নোংচায়কপদা মাধবনা ইমুঙদা চহুনা য়েংলুবদা, মাগী মুপী লৈখিরমত্রে। মমায়দা হয়িং-খোয়াম্বী ইল্লমলে; মুকওয়া কনশিল্লবা মমিং অনিমক মথকলোমদা ওনথংলত্রে। মশাপুবা উমুলনা পুমচৈ তৈরত্রে। গোকপ তমজহুনা মবুক্ত মচা অহুম শিখ্রবনি।

মাধবনা থ্রপ থ্রপ তেক্লক্‌না মপাগী মনাক্তা লাকখি। অহুদগীদি মখোয় অনিমক মখোয়জেল থোকনা কপ-লাওবা হৌরকখি। মুমলোয়রবশিংনা মখোয়গী কপ্পা-লাওনবহু তাবদা খুনা-মাঙনা মখোয়গীদা লাক্লখি অমসুং মমাং-ঙৈদগী হৌনা চৎনরকপগী মতুং ইন্না মরাইবক-খীরবশিং অসিবু থেমজিল্লখি।

অঙবু, মখোয় অনিগী কপ-লাওবগীদমক মতম লৈরম্বা নত্তে; কাইখুম-ফি অমদি পীওগীদমক অমুক থনবা তারিবনি। ইমুঙ-দদি—উমায়বী মকোম্দা "শা" লৈতবগুম, পৈশা অমকাওবা লৈরমদে।

মপা-মচানা কপ-লাওরহুনা খুঙ্গংগী জমীন-দারগী মনাক্তা থুংরে। জামিন্দারনা মখোয় অনিগী মশক য়েংনিংলমদে। মখোয়নিবু কয়ারক হন্না হুরানলগীদমক অমসুং থবক ওরনি হায়রগা ওয়দবগীদমক মথুং মন্না ফুখ্‌নবনি। হংলকই—"কারনো হৈ যিস্নরা। কারগী কপ্লি'নো? নশকনা উথিদবা কুইরেনে খুঙ্গং অসিদা লৈনিত্রবরা করিনো?"

ঘাস্নুনা লৈমায় থেংনা মক লুকথরহনা, মমিত্তা মাপ শিন্দরহনা হায়রকই—"সরকার! ননাই ঐখোয় য়ান্না অরাবা নংলে। মাধবকা ন্নুপী অহু ওরাং অহিং লৈখিত্রে। অহিং চুপ্পা থয়ো থয়ো ওন্দুনা মৈচাক থাওহনা লৈরম্মা, সরকার। ঐখোয় অনিনা কমশেম্ন-হনা লৈখি। তৌবা হৌনবা হিদাক-লাংথক তৌহনা হোংনজবনি, অহুবু মানা ঐখোয়বু নমথাক তৌরম্লে। হৌজিক্তি ঐখোয়বু চাক চয়া অম্না থোংহনা পিজবিনবা কনা'মত্তা লৈরে। ঐখোয় মাঙজরবনি—পুম্নমাক মাঙ-লবনি। মালিক, ঐখোয় অনিদি ননাই ওাক্তনি, হৌজিক সরকার নংতনা অতৈ কনানা মাগী সংস্কার তৌবিনি। ইথুংতা থম লৈজরম্বহুন্ন হিদাক-লাংথক্তা ওম্না লোয়শিনখ্রে। ইবুংঙোনা চানবিরবদি মাগী সংস্কার তৌবা ওইথোকনি। সরকারগী থোওজিন্দা চওজরকপা নংতনা অতৈ কনাগীদা চৎলুনি?"

জমীন্দার সাঃহব য়াম্না থোজালহৈবা মীনি। অহুবু ঘাস্নুদা থৌজানবিবদি অমুবা কম্বলদা মচু শঙবগা চপ মান্নবনি। মপুক্লিংদা অস্নুম্না হায়গে থনখি—"চৎখ্রো। চৎলু, সিদগী থাপ্না চৎখ্রো। চুমকা কৌক্লরবদি লাকপিবা নত্তে, ওসি নশাগী কান্নরবদাই য়ৌরহনা চিরোল তৌজরবা শারিনে। লেমজা চাবা পাম্বা বদমাশ!" অহুবু তানফম অসিমক্তি শাওবা নক্রগা দণ্ডি পিবগী মতম থোকত্রে। মপুক্লিংদা শাওনিং শাওনিংনা ফুরিং থাউদগী লুপা অনিথক লোথোক্লগা লাক্লনা লংথোকখি। অহুবু মাগী মচিন্দগী থেমজিনবগী ৰাহৈ অমকাওবা হায়দোরকখিদে। মকোক্তগী অকম্বা পোৎলুম থাদথ্‌বগুম মখোয়রোমদা হন্না কাওবা য়েং-থোকরকাখদে।

জমীন্দারনা লুপা অনি পিরক্লবদবু খুঙ্গংগী বনিয়া-মহাজনশিংনা পিরোই হায়বা ওয়গী কার মতিক লৈ? ঘাস্নু অহুক হায়না পঙবিবা জাং নত্তে, জমীন্দারনা লুপা অনি পিরকপগী মানা লৈবাক পুওজাও থীনখি। মহুদগীদি কনানা অনা অমা পিরক, কনানা শিক অমা পিরক তৌহনা পুঙ অমগী মহুতদা লুপা ৫ মী

খেনকথ অমা কাগে। মচুদগী মংতনা কনা-না থাও থরা পিরক্লে. কনানা শীঙ। হৌজিক ঝাংলিবা হায়রবু কাইথুম-ফিতা মঙায়রে। অহৌদি, কায়থুম-কি লৈরুনবগীদমক হুমিংথুংবা মতমদা ঘীস্ত্র মপা-মচা কৈথেল লোমদা পাংথে। লোমদনা লৈকায়গী মী ময়ায়া বা মুং ঝান্দুনা কাই শেয়বা খোরাং ভোহৌরি।

খুলগী মীমুংশি খঙবী মুপীশিংনা লাক্কুনা বুধিয়াগী অশিবা মশাবু য়েংনখি অমসুং ময়াইবক থীবগী ফিভম অহুগীদমক মমিংতগী মপি ঙাইহাক শিন্থয়ম্লগা লাখি।

৩

কৈথেল য়ৌরগা ঘাস্থনা হায়রকই—"শীঙদি হকচাং পুম্বা ফাওবা কোন্নবা ফংলে-নকো, মাধব?"

মাধবনা খুম্মকই—"উম শীঙদি ওল্লে'নি। হৌজিক কাইথুম-ফিতা মঙায়রে ঝাংলিবা।"

'উম, অহৌদ কাইথুম ওইবা কাবক শাবকপা ফি অমতং অহুক য়েংলুশি।"

"মহুমকস্থু ফবু ফমনথে। অশিবা পুথোকপদা শোযদনা মম্ল'ন। অহিংদা কনা লাক্কুনা কাইথুম ফি ফজ্জে-ফজ্জদ য়েংবিরদোরি-বনো?'

"কয়াদা ফংখিত্রবা চংনবীনো, য়েংউনে। হিংলিজৈগী মতমদদি হকচাং কুম্মা থুংনবা ফিজেং-ফিগায় অমা কাওবা ফংখিত্রগা শিরবা অমমদগি অহৎবা কায়থুম-কি মাওবা মায়ক-থিরে।"

"কায়থুম-কি অহৎ লৈবা চাকথোকথিব-দোরিবা নত্রা-ও?"

"চাকথোকহনখিদদে? মহৎ মুম থমলৈবা নাত্রা? লুপা ৫ অসি হায়া করিজবা কং-অরবা থোক্লবদি হিদাক-লাংথক থর মথৈবি তৌরবা য়াবনি।"

অনিমক অমনা অমগী মপুক্লিংগী থঙনরম্মী। কৈথেলদা মখোয় অনি কোয়চং চংতুনা লৈরে — ফি য়োনবা দুকান অমদ'হুক চঙই। মথল মথলগী ফি— শিঙ অমসুং লংজমগী— কয়া য়েংলুরে, অহৎ পুক্লিংনো থোয়দাবা অমতা হেক য়াওত্রে। অমুক খল্লিজৈদা হুমিদাংরাইরম ওইশিল্লক্লে। অহুদগীদি খঙদে করম্বা লাইগী থৌইনশিন্দগীনো মখোয় অনি য়ু য়োনফম দুকান অমগী মমাঙদা থুংলক্লে অমসুং হায়না প্রোগ্রাম শেমদোক্লবদোনা ঝাক্ক ইহায় হায়নদনা মখোয় অনি দুকান মনুংদা চঙলগা ঙাইহাক ফাওবা মখোয় অনি নীঙ-জিং মাঙজিংননা লেপ্লবা মতুংদা ঘীস্থনা পাক্কী মমাংদা চঙশিল্লগা হায়খি— "লিক্রি অমা সোমদস্থু পিরকউ, সাহুজী।"

মহুগী মতুংদা মারিনগা পোংচৈ অমা অতাওবনাংবা য়ৌরক্লে অমসুং বেত্রানদা ফমহুনা মখোয় অনিনা ইংনা থকপা হৌরক্লে।

য়াউম কয়া মথং মথং থকচিল্লবা মতুংদা মখোয় অনি নেছা থর থর হাইগংলক্লে।

ঘাস্থনা হায়খি— "কায়থুম কুম্মগা কম্মু কাঙগদোরিবনো? মৈদা থাদোকতুনা তোক-খিগদোরিবনি, ইমৌ মুপীহুনা ফংগদবা কম্মু অমা লৈতে।"

৬

অতিথিদা লৈবা লাইহারাশিংবু মশাগী পাপ লৈজদবগী সাক্ষী ওইহল্লিবগী মতাঙম অতিথিরোমদা য়েংখৎলগা মাধবনা হায়রকই— “ছুনিয়াগী চৎনবীনি, নত্রগদবু বাগোনশিংদা মীশিংনা লূপা লিশিং-লিশিং করিগী দান তৌনরুনি ? ওয়েংমুক্তী মপোক্তা মহুগী ফল ফংলুবরা ফংলুদত্রা কনানা উরুবা য়াওবগে ?”

“মখোয়দি অচৌবা মী ওাক্তনি, শেল লৈহুনা মাওহনবা ওল্লিবনি— মাওহনজসনু । ঐখোয়গীদি মাওহল্লবা শেল কদায়দা লৈরি-বনো ?”

“অদু ওইরবসু মীনা হংলকপদা করি হায়না খুমগনি ? কায়থুম কিদি কদায় হায়না মখোয়না হংলক্লোইত্রা হায়র্বনি ?”

ঘীস্বুনা নোক্লছুনা হায়রকই— “হেরা কিরৈদা য়েত্রদগী শেল অছু তাহৌরে, য়াম্না থিরূরবনি অছুবু ফংত্রে হায়না হেক হায়দোক্লগা লোয়রে । মখোয়না থাজবদি থাজরোই, অছুবু শেলদি শোয়দনমক অমুক পিগনি ।”

মাধবসু নোকখি, অছুবু মামা নোকপগী মরমনা অতোপ্পা অমনি । হায়রকই— “ওস্থোক্লা মপুকচেল কৈদা মরাইবক থীবিদো— শিথ্রবা ফাওবদা ঐখোয়বু পেল্লবা পিজ-পিথক্লম্মী ।”

লিক্লি ফংথায় চনশিনখরে । ঘীস্বুনা খোকতুনা পুড়ী সের অনি, চট্নান, আচার অমদি শাগী কলেজা খোংবা লৈরুরে— য়ু য়োনকমগী হেক মায়োক্লবদা লৈবা হোটেলনি, মিনিট অমগী মতুংদা পোৎ পুমমক থুংলরে । মমুংদা লূপা অনি মখোয় লোয়খরে; হৌজিক পৈশা খরতা মতায়রে লৈতাবা ।

হৌজিক মখোয় অনিমক হুংওাইনা চীংলেল্লা ফমছুনা পুড়ী চারি, য়ু থাক্লি । কনানা করি হায়রকনি, মীনা উরগা মদনায় তৌখিবা য়াই হায়রবগী অকিবা, চিংনবকা অমতা লৈরমদে । হায়ম্রিবা য়াথলশিং অসিদি মখোয়ননিনা থাদোকখিবা য়াম্না কুইরবনি ।

ঘীস্বুনা দার্শনিকী য়াথলগা লোয়ননা হায়রকই— ‘ঐখোয়গী আত্মানা অমুক পেল্লব-দবু মানা পূন্য ফংলোইত্রনে ?

মাধবনা শ্রদ্ধাগা লোয়ননা মঙক নোক্ল-রছুনা য়ানীংবা ফোংদোরকই— “শোয়দবনি মহুদি । হে ঈশ্বর, নংদি অন্তর্যামীনি, ওম্না খওলিবনি । মাবু বৈকুণ্ঠদা শোয়দনা পুবিখো । ঐখোয় অনিনা থরাই য়াওনা অশীর্বাদ পিরি । ওসি মানা ঐখোয়দা পিজ-পিথক্লম্লিবসি ইপুলি-দা অমুক্তা ফংখিত্রিবনি ।”

মিংনা কুপ্পগী মতুংদা মাধবকী মপুক্লিংদা চিংনবা অম'মুক পোক্লকখি । হায়রকই— “বাজী, ঐখোয়সু নোংম নত্রগা নোংমদি মখোয়গী বৈকুণ্ঠ চায়বা মকম অছুদা চৎকদৌরিবা নত্রা ?”

ঘীস্বুনা মচাহুপাগী পওথ্রবা থাহং অসিগী পাথুম পিরকখিদে । শিরধা মতুংদা করি খোকদগে হায়বসি থল্লুবছুনা হৌজিকী হুংওাই-বদা য়ৈথায়বা পিবা মানা পায়মদে ।

মাধবনা মথা শমথরকই— “মকম অছুদা মামা কাইথুম-কি কাদিগী ওাক্তে হায়না হং-লক্লবদি করি খুদগনি ?”

“মপা হায়না হংলকত্রা ?”

“হংলকপাক শোয়ত্রবনি ।”

– "ম্রাগী কায়খুম-কি ভয়োই হায়বসি মংনা কয়য়া খঙলিবনো ? মংনা করিদু লৈত্রবা গধা অমা ওইনা খল্লিত্রা ? ঐবু পুংলগী শাংলবা চহি ৬০ সি চুনিয়াদা নাপীতমক ফুক্তুনা লাক্লবোই নিংত্রা ? ঐনা হায়রিব-সিনি মহাক কায়খুম-কি শোয়দনা কংগনি, মতুংমু কাবক শাবকী নত্তে, য়ায়া কবা কি কংগদৌরিবনি ।"

মাধবনা খাজবা ওমখিদে । হায়রকই—"কনানা পিতুনা কংগদৌরিবা ? লুপাদি নংনা ওয়া লোয়শিন্নোকখে । হয়েং মানা নংঙোন্দি হংঙক্লোই, ঐঙোন্দা হংঙকনি। মাগী মরাইবক্তা শিন্দুর নমখিবচু ঐনি—নং নত্তে ।"

ঘৌগুনা শাওগৎলতুনা হায়রকই—"নং তুমিন লৈয়ুকো—ঐনা হায়রিবসিনি — মহাক কায়খুম-কি শোয়দনা কংগনি । ঐনা হায়বদা নংনা লৌত্রিবসি করিগীনো ?"

"অদুবু, কনানা পিগদৌরিবনো হায়বচু ভাকত্রিবা করিনো ?"

"ঙসায় পিরকখিবা মীশিং অতুনা অমুকমু পিরকখিগদৌরিবনি । অতুগা ভৌবতদি হন্দক-মুক্তি শেল অদু ঐখোয়দা শিন্দয়ক্লবোই ।"

মতমনা অম্নম-অম্নম মমশিল্লকপা অমসুং অভিয়াগী থরানমিচাকশিংনা অম্নম অম্নম লং-খৎলকপগা লোয়ন লোয়ননা যু-য়োনক্ষমগী দৃশ্যদা কজবমু অম্নম অম্নম হেনগৎলকই । কনানা ঈশৈ শকই, কনানা রাজাও ভাওই । কনানা লোয়নরকপা মরুপশিংগী ওকশমদা সুংশিনা কোক্লি অদুগা কনানা মরুপকী মচিন্দা য়ুগী পিলাস ইনখি ।

মকম অমুগী সুংশিংতনি নেহা লৈরিবসি মী কয়ামকমদি ইথক হেক থকনা শিদা লাকপদদা ভাওজরিবনি; মুদগী হেয়ো মকম অসিগী সুংশিংনা মখোয়দা নেহা কাহল্লি । পুংলগী অরাবা, সুংভাইতবা কয়ানা মখোয়বু মকম অসি ভায়া চিংদুনা পুরকই অমসুং ভাইহাকীদমক মখোয়না কাওখোকই— মখোয়বু হিংলিত্রা নত্রগা শিরত্রা ? শিরত্রা নত্রগা হিংলিত্রা ?

অম্নয়া মপা-মচা অনিমক হৌজিকসু সুংভাইনা যু কুৎ কুৎ য়োলল্মী । মী পুম্নমক্না কল্লকপগী য়াথলগা লোয়ননা মখোয়নিদা য়েংনরল্মী । কয়াদা মরাইবক কথুবনো অনিসে লিক্লি অমা খিন্দুনা থকপা ঙম্লিনে।

মপুক পিক থল্লা চাখোল্লবা মতুংদা মাধবনা লেমহৌরবা পুড়ীশিং অদু লাগা কোল্লনা, ঙসায়দগী মপান্দা লেপতুনা মিতাবগা লোয়ননা য়েংলক্লিবা ভিক্ষানিবা অদুদা পিং-খোকখিরল্মী অমসুং মপুক্তিদা অহানবা ওইনা মীঙোন্দা পিখোকপগী হরাওবা, সুংভাইবা অমদি লেমজবগী য়াথল অমা মপুক্লিংদা কাওখি ।

ঘৌগুনা হায়রকই— "পুয়ো পুয়ো, পেল্লা চারুয়ো মহুগা বরদি পিরম্মু । শেল তান-জরম্বা মী অদুদি শিখে । অদুবু নংগী আশীর্ব্বাদতি মঙোন্দা শোয়দনা য়োগনি পুক্তিং হকচাং য়াওনা আশীর্ব্বাদ তৌরম্মু— য়ায়া য়ানা ভানজরমথুবা শেল্ল ।"

মাধবনা অভিয়ারোমদা য়েংখৎলতুনা হায়রকই— "মহাক বৈকুণ্ঠদা চৎকনি, বাজী। বৈকুণ্ঠগী মহারাণী ওইনি ।"

থীম্নু কমলমদগী হোৎলংখ্রে, অমম্লুং হয়াওবগী ঈথক্তা ঈরোইনরিবগুম হাইনং তুরুং লেপ্লম্লা হায়রকই— "উম মুপামচা, শোয়দনা চৎকনি। কনাবুম্নু অতাবা পিরমদে কনাবুম্নু নমথরমদে। মানা বৈকুণ্ঠদা কাত্রবদি লাইরু-অনংশিংবু মথুং অনি থাম্লুনা লুট তৌ-রিবা অম্লুগা লঙ্জখিবা পাপ কোক্লনবগীদমক মজাদা ইরুজরিবা, মন্দিরদা ঈশিং কংলিবা অনোয় অনোয়বা মীশিং অ'সনা কারুপত্রনে?

নেছা হায়বসিগী অঙকপা মগুন অমা লৈ; শ্রদ্ধাগী ৱাখল পয়মদক মিকুপ্তা মাঙখ্রে। অরাবা অমদি নিংবা কায়বগী ইচেল অমুক চেম্বরক্রে।

— মাধবনা হায়রকই— "অহুবু বাজী, মরাইবক থিবী'দু পুলিদা অরাবা কয়া নংথ-রবনি। অরাবা কয়া থাংহুনা শিথ্রবনি। মসি হায়রগা মথুংনা মমাই থুমজিল্লম্লুগা ওঃ থোংনা কপলকই।

থীম্নুনা থেমজিনখি— "করিগী কম্রিনো মুপামচা, হয়াওকমবু থোকপনি — মহাক সংসারগী মায়াগী লাংদগী নাম্বোকপা কং-থ্রবনি; অরা অনা কোকচথ্রবনি অম্লুক থুনা মায়া-মোহগী লীপুন থদৎতুনা চৎথ্রবনি য়ায়, মরাইবক করবনি।"

অম্লুদগী মখোয় অনিমক লেপখৎলম্লুনা ঈশৈ শরুকই—

"লৌনম্বী, করিগী নম্মিৎ থৎলকলিবনো! লৌনম্বী ... ...'

মুথকপশিংনা মখোয়'রোমদা য়েংনরকঅম্মী অম্লুগা অনি'সিনা হুংঙাইবগী ঈরাংদা তাওম্লুনা ঈশৈ শক্লি। ঈশৈ শক্লা শক্লা অগোয়মু শারক্রে চোং কম্লুনা কুশৈ কয়া উংলে অমম্লুং মমৈথংদা ৱাম্বহুনা তুংখ্রে।

(হিন্দীদগী হন্দোকপা কৃষ্ণমোহন শর্ম্মা)

[প্রেমচন্দগী মরুমদা থরু:—

হিন্দীগী ৱারীমচা অমম্লুং উপন্যাস সাহিত্যদা পুম'নো-নৌবা য়াওন অমা পুরকখিবা প্রেমচন্দবু হিন্দী সাহিত্য জগৎতনা মতম কুইনা নিংশিংনম্লুনা লৈখিনি। হিন্দীদা সা'হিত্যগী ওইবা ৱারী মচাগী লমদা অহানবা থুমাখিবা মীশক্লি প্রেমচন্দ। মহাক্না পুম্না অরাংবা থাক্তী হিন্দী ৱারীমচা ২১৫ অম্লুগা উর্দু ৱারীমচা ৫০ রোম ইরম্মী। সাহিত্যদা ৱর্থার্থগা আদর্শগা অনিমক পুম্না চেম্বমিয়বা মাগী সাহিত্যা'ক্তা ঈচেলনি। .সকী রাত, ঈদগাহ, গুল্লা বৈলোকা কহানী, উপদেশ, কফন— হিন্দীদতা নংতনা পৃথিবীগী ৱারী সাহিত্যদা শিংথানবা ৱারবা ৱারীমচা শাক্তনি।

অহানবদা ধনপতরায়গী মিংদা উর্দুদা উপন্যাস ইরম্মী অম্লুবু মাগী অনিশুবা উপন্যাস 'সোজ-এ-ৱতন' দা ব্রিটিশ সরকারনা অমুক হন্না ফোংবা য়াদে হায়না থিংখিবা অমদি কোপী পুম্নমক

মংঙতুনা মৈ খাখিবদগী হিন্দীদা প্রেমচন্দ হায়না সাহিত্য ইবা হৌথি । গান্ধীজীগী অসহযোগ আন্দোলন পাউজেল মতুং ইন্না শিক্ষা বিভাগতা ইন্সপেক্তর ওইবা থাদোকতুনা সাহিত্যদা মথবাই লুপথি। মহাক্না তেনথ্রবা মতমদা পুন্না হিন্দি উপন্যাস ১২ ইরম্মী । রঙ্গভূমি, গোদান মাগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা উপন্যাসনি। 'গোদান'দি পৃথিবীগী লোন ৫ দা অনুবাদ তৌখ্রে।

অদুবু, মহাক কয়াগী মতিক চমথ্রবগে হায়ববু প্রোগ্রেসিব রাইটরগী চহিগী অধিবেশনগী সভাপতি ওইনবগীদমক লক্ষ্ণৌদা লাকথি । যশপাল, মুলকরাজআনন্দ হোৎ ময়াম্না লৈপক্লে পায়তুনা প্রেমচন্দবু স্বাগত তৌনবা ষ্টেসনদা ঙায়তুনা লৈনরি অদুগা মানা সোমদা ইরুং তাংতুনা সভা তৌকমদা য়ৌথি । মাগী অচম্বা ফিজেৎ অতুনা মরম ওইনা কনামতনা মাবু প্রেমচন্দনি হায়বা খঙনহোরমদে ।

হিন্দী জগতনা ঙসি কাওবদা মহাকপু উপন্যাসকী নিংথৌরেল হায়না ইকায়খুম্নরি । 'মঙ্গলসূত্র' হায়বা উপন্যাস অমা মপুং ফারমদনা প্রেমচন্দ সংসারদগী বিদায় তৌখি ইংগোক ১৯৪২ দা ।— কৃষ্ণমোহন)

নহারোল পামজে

সাহিত্য পাম্বা ১দি লাইরিক ইনীংবা নহারোলশিংগীদমক্তা নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিনা মতম পুম্বদা থোঙ হাংতুনা ঙাইরি । তৌজক নহারোলগী মতমনি । নহারোল ঐখোই মতিক চাবা মগুণ চেনবা ঙাক্কনি । নহারোলগী মতিক চারবা মচাক মথুম অদি খঙনীদনা কোঙদোকনবা খুদোং চাবা ফংদনা লৈবা চুমদে । লাইরিক ইনীংবা ১দি সাহিত্যগী পামবা নহারোল কয়াগী অশেংবা মগুণ খন্থ মপুং ফানা কোঙদোক্লবা খুদোংচাবা কনানন্থ পীদে মরনাই নত্তনা । হায়রগীবুন ব্যাবহার তৌনরি । নহারোলগী মনীংতম্বা ১দি মশাগী মগুণ অশেংবন্থ সমিতিনা মাংহল্লোংদে । নহারোল খুদিংনা ইনীংবন্থ নীংতম্না টবা ওয়বা নহারোলগী মতিং উংনবা সামতিনা হোৎনরি । লাইরিকই বদা সাহিত্যগী থবক নোম্বদা নীংতম্বা ঙাকপিন্থ—সমিতিদা মিংচনবিয়ু পুকচেন শেংনা নীংতম্না থবক নোমমিন্নসি ।

ময়ামগী

রাঃ কুঃ মধুবীর সিংহ

জেনেরেল সেক্রেটারি

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি

রাজকুমারী রেষ্ট হাউস, কৈশামথোং

ঐনা পাম্নজবা লীলা

লীলা হায়বসি থৈজদ শাহুনা পুথোরক্লবা ঐগী মুংদা লৈবা সংসায় (inner universe) অহুগা অয়েকপা লাইনি। মুংগী পুন্সিদা থোরকলিবা কন্ত্রাডিক্সন অহুগী শরুকপু এবস্ট্রেক ফোর্শকী লৈইদা য়েক্লিবা —দ্যনামিক ড্রাউইং অমনি। অসিগুম্বা ইন্দিভিযুয়েল বারল্ড অসিদা ময়াম পুম্নমক্কী ওইব (Uninversal being) অমদি য়াওরি। অসিগুম্বা মুংগী পুন্সিগী অশেংবা অহুবু পুথোরকপা ঙম্নবদি, মহুদা মপান্থোংগী পুন্সিগী মশক অমা (form of the outer Universe) ওইনা ঐথোয়না উবা ফংঙি। মুংগী অওই-বহ্নগী থিয়েটরনা হেন্না মচাক চেনবা (richer) হেন্না য়োশিনবা য়াই, হেন্না রিযেল ওইবা য়াই, এপিক, ঐতিহাসিক, সমাজিক নত্রগা অতৈ মথল থাইদোকত্রিবা লীলাশিংদগী হেন্না শেংবা য়াই। মপান্থোংগী অশেংবা অচুম্বচ্ছতা (outer reality) উৎপা থিযেটরদি মরনাংগী য়াফমদমক মফোঙদোকই। অহুপা ময়াম পুম্নমক্কী ওইবা (universality) অহু লৈতে। অতোপ্পা সোসিয়েল মিলিউ (Social milieu) দা হিংবা নত্রগা অতোপ্পা মতমদা হিংবা মীওইশিংগী ইন্টরেষ্ট মসিদা য়াওদে। ইশানা ইশাবু তৌশিল্লদবা পাম্নবদি পুম্নমক্কী ওইবা মীওইবগী মতৌ (Universal human element) অহু পুথোক্লবগী লম্বী অসিদা চঙশিল্ল: ঐহাক ইউনিভর্সেল ওইবা ঙম্মী। ঐনা মসিদা মাইথিরবম্নু, য়ামত্রবদা ঐহাকসি ইশা ইতোমতগীতা ওইরম্বা অহু হাম্নদগাদি হস্থরকপগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমদি ফংলে। সমাজগী থারিবা ফল্লাংগী অথাবসিনা ঐখোয় অমগা অমগা তোথাই তোথাই থাই-দোকপিরে, অহুনা পুল্লপ পুম্না লোনলিনেশ অমদা পুশিনবিরি।

ঐগী করেক্টরশিং অসি করিম্নু মুংয়াও য়াওত্রবা অমগী কবিন্ন হায়বা ভাঙবা অমগী, লোনলিনেশ ১দি এস্তি স্পিরিটচুয়েল ফোর্শকী দ্যানামিজম অমগী — শম্না হায়রবদা ঐথোয়না এটেক তৌরিবশিংগী শাগৎলবা শক্রম শাগৎপতনি হায়বা অশেংবা য়াফমসি কৃতিক-ভনা ঐবু ভাব তাহল্লি। মুঙাইত্রবা ময়াম অসি লৈহুনপ্ন লালথেং অসিবুদি ঐ কৈদৌ-মুংদা থাদোকলোই। এনজাইটি (anxiety) গী মহুংতা ফাগি (humour) করম্বা ফাগি— ঐথোযগী অতোপ্পা কনসসনেশকী মুংঙাইরবা লাইওং ওইবা ঙম্বা হিউমর অহু পুথোকপা ঙম্নবদি মহুনা ঐগী দেলিভরেন্স ১দি সেলবে-শনর্ন।

অসিগুম্বা মহৌশাগা মাম্নত্রবা মওং— উরিব। অচুম্বসিগী মরুমদা লৈবা অচুম্বহু (the reality behind reality)-নিতিগী হিংলিবা পুন্সিগী মকুপ মতাশিংহুগী হকচিন-

নলবা মচু অচু শওদনা থোয়ক্লগা তিনশিনখিবা ওম্মী। এবসর্দ ১দি ওইব য়াত্রব (improbable) ওইনা হেক খনলকপা খুদক্তা ইচল চম্বা মওং (ordinariness) অহু থোরকই। অহানবদা মসি থে'নবা তাই, মচুদ। মমৈদা করিশ্ন লৈতবা অমগুম খনবা নত্তনা ওকনাং-ঙাই কৈস্নু লৈক্তে হায়বা খুওলকই। ওক্রবগী থোরাংদি অহুম লৈরবনি।

(এইচ আর ষ্টাউকচারনা লৌবা ইন্টরভিউদগী)

ঐখোযনা ইয়াই লাইনা ময়াম্না পাম্নবা (popular theatre) থিয়েটর অমা বুলএভার থিয়েটর (a boulevard theatre) অমা, নীতি শন্দোক্লবা (Propagandist) ১দি এদিফাইং থিয়েটর অমা শম্না হায়রবদা মীয়ামগী থিয়েটর অমা মগোশা চংনরক্লিবা বাওাং শাঙাং অসি (Conventional speech) শিজিন্নতুনা শেমগৎপা য়াই — অচুবু মচুদা অতোপ্পা মওংগী থিয়েটর হায়বদি থিবা অমসুং চাংয়েংবগী (seeking and experiment) গী শকক য়াওবা এভান গার্দে (Avant-garde) হায়বা অসিবুদি থাদো-কদবা নত্তে। মসিনা করি কায়বা তৌরি বগে ?' হায়বাসিমদি বরাবর ঐখোয় হংবা ওমদবা য়াই। অচুবু হুমিদাং অমনা ভাবক য়াংথৈখক্তা ফাবা ওয়বদি মসি কৈগ দরকার লৈ হাযবা মশানা তাকচরে। রাজনীতিগী অধ্যাত্মিকী অপাম্বা য়াংলকপা (spiritual apathy) কত্তবা পুকচেল ১দি কল্লক মীচ্চোবনা মাইকৈ খুদিংদগি এভানগার্দে থিয়েটরবু ক্রিয়ন্নি বেকেট, আউনিয়ার, গেনেট শেক্সেদ রিংগর্টন ১দি মখোইগী মীচওশিংবু শাথিনা কিহল্লি।

('আর্ট'তা য়াওবা 'এভান-গার্দে থিয়েটর হিংত্রে' হায়বতুদগী)

'সোসিয়েল' প্লান কৌবা অহুম্মা ঐ-খোন্দদি খাইদগা মপান্থোংগী ওইবা (external) অতোপ্পা বাহৈদা শাযরগা খায়দগী সুপরফিসি-য়েল ওইবা অহুওম্বা বিয়েলিটিগী প্লান অমখক্তবু মিস্টর ট্যানাননা খওবগুম তৌই। মরমসিননি ঐনা সার্ট্রে (পালিটিকেল মেলো-ড্রামা ইবা সারট্রে) ওস্বোন, মিলর, ব্রেক (Brecht) নচিংবা লেখক'শংবু ঐনা ইচম চম্বা অনৌবা auteurs du boulevard নি ১দি রাইট রিংগী মথল অমনি হাযনা অহুক তেংথাক্সনাংঙাইতা ওইরবা left wing Conformism গী মীহুৎশিংনি। লাইরিক্তবু ওইরবস্ত্র রাজনীতিগী রাংাওদগীবু ওইরবম্ন কনাওম্বা মী অমতনা অমুক্তা খংনদ্রিবা বাদি হায়রিবা লেখক'শিং অসিনা ঐখোয়দা পীবা ওমদে।

ঐখোয় ইশেনবু তোঙান তোঙান তাহ-ল্লিবসি সুপনগা সমাজ নত্রগা নওনা পায়গনা রাজনীতি অসিত্তননি হাযনা ঐনা থাজে। মীওইবগী মরক্তা খারিবা ঐখোয় ইশেন অমনা অমবু খওনদবা মওং অমা শেমলিবা শম্বল হায়রবু মসিত্তনি।

পেরাদোক্সিকেল ওইনা হায়রবদা অচুম্বা সমাজ ওথেন্তিক হিউমেন কম্যুনিতি অসি অংেনবা সমাজিক (extra social) ওইবা ঐখোয়গী এনজাইটিশিং অপাম্বা ১দি সেক্রেট

[illegible]কিদাবা পুথোকপা হেন্না শাকপা [illegible] [illegible] সমাজ অমনি। করিগুম্বা সমাজ [illegible] মীওইবগী অন্নাবা (human sadness) অসিদি লৈহন্দবা ওমলোই. রাজনীতিগী নীতি অমতনা মীওইবগী হিংবগী অন্নাবা (pain of living), শিবা কিবা অসিবুদি কোকহনবা ওমলোই ; মপুং পুংফা ফানিংবগী খোন্নাংবা (thirst for the absolute) অসিবু কোক-হনবা ওমলোই।

মখোয় মশাবু অরেপ্পা অকন্নবা অমা নাইবা পামলিবা মিষ্টর ট্যনান ১'দ কনাগুম্ব' অতোপ্প-শি'দগী ঐনা হেন্না 'রিয়েলটি, হেন্না পাক্লা, হেন্না লুনা উই। প্রোব্লেম অ'সনা ঐখোয়গী মেপ্পাদিগা হৌবকক্কম থন্নগদবনি, এনগুস অসিগী ননকনভেনসনেল ওইবা লোন ফংগদবনি, অসিগুম্বা 'সমাজিক' কী লোন অসি থুগাইহনা। কনাগুম্বনদি করিগুম্বা মতমদা কম্যানিকেট তৌবাদ ওম্বা, কনাগুম্বনা কম্যুনিকেট তৌগে হায়না হোৎনাবিবা ইনকম্যুনিকেবল রিয়েলটি অতু কোংদোকালবগুবু কলাগী পোৎলোকনি। ঋদ্দি'ন পেরাদোক্স অদুগা মসিনি অচুম্বা।

(হন্দোকপা - বা)

(ইউজিন আইওনেস্কোগী মরমদা :

অনাশুবা লানজাউগী মতুংদা মীওইবগী হারগী থাজবী, হা'য়গী মুংগী পুন্সি লোয়না কায়থরকপগা লোয়ননা পৃথিবীগী থিয়েটর অমদি সাহিত্যদগী অওকপা অনৌবা মশক অমা লোরকই। অথর এডামোভনা লুচিংহনা থিয়েটর [illegible] হায়বা অনৌবা লীলাগী থুংই অমা চংথরকই। পুন্সিগী বোর্দর, লোনলিনেস ওদি হিংবগী অর্থ মাওঙিন্না অসি পুথোকনা লীলাদা উৎলি। অসিগুম্বা অনৌবা থিয়েটরগী কাংবুদা সিমুয়েল বেকেট, জিন গেনেট ১দি ইউজিন আইওনেস্কোসু মকোক থোংবা লেখকনি। মখোয়না হাম্নগী লৈরম্বা থিয়েটরগী ফোর্ম অমদি কনভেনসনেল থিম পুম্নমক থুগাইহনা অওইবা মান্দবা অওকপা পুন্সগী এক্সপিরিয়েন্স থরা পুথোরকই। লীলাগী অহোবা, ময়াই, অরোইবা নাইনা শাগৎপা রেলমেদ মেগী ওন্ন তৈনবা লীলা হ।

'দি চিয়ার' হায়বা আইওনেস্কোগী লীলা অসি শাম্নবা চুনবা এক্তিং থিবদা থা অহুম চওঙি। পেবিসতা লৈবা ইস্টারিস তৌরবা লীলাগী কাংবু অমতনা শান্নবিযু য়াবমদে। 'দি থেযেটর দ্য-'ক্র' হায়বা মনলগা শিজিন্ন'বন্দ্রবা হোল অমা ১৯৭২ গী এপ্রিল থাগী তা' ২২দা হাপ্পবম্মী। টিকেৎ তকতত্তমক শিংলম্মী। লীলা লোয়রগা কবি দিলালা হবা ইন্দিবেলিনা 'মুণ্ডাইরে, মুণ্ডাইরে' হায়না মনীংদগী লাউরকই। কনাসু য়েংবিদে। মাগা 'এমেদি' হাযবা লীলাদা মঙলাক্নরমদাইগী মথম মরাং থওদ্রগা কিরবা ফিবম অমা উংলি। হন্নুবা হন্নুবা অনীগী থংনবা কা ওমদা অশিবা মুপা অমা লৈ। শি'রবা মুপাসি কনানো হায়বা অশেংবা থওদে, ৩ন্নবী অসিবু মুংশি-রম্বা মুপা।' হন্নুবা অসিনা হাংতোকখিবা ওইরম্নমু যাই ; নত্রগা কনাগুম্বা সিকাইসু

ওইরবা য়াই ; শিন্নিবা মুপাসিগী মথোং অমু জ্যোমিত্রিকেল প্রোগ্রেসতা থিংবা ওমদনা পোমথংলক্লম্মী। মমৈথংদা পোথাই। 'দি চিয়ার' হায়বা লীলাসিদা হমুবা হমুবী অনীনা হমুবা অসিগী মপুক্সিদা থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্স অমু ওরেটর অমনা ময়ামদা ওাঙথোক্লব। ময়ুমদা মী কয়া বাত্ত'ণ তৌই। মী লাকপা ভাবক্লা উংন্দে ; হমুবী হমুবা অনীগা মমিংতা বাত্ত'ন ক'লবা মী কয়া লাকই ; ভাবকনা উই—হমুবী হমুবা অনীনা অহাংবা চৌক্রি ময়ায়দা য়ারী শাবত্তা। মমৈথংদা হমুবা হমুবী অনী ঈশিংদা চোংথহুনা শিখি ; য়া ওাঙবিনবা নেক্লবা ওরেটর অহুনা মরোল থোক্লমদে।

আইওনেস্কোগী লীলাগী মওংবু "এন্টি থিয়েটর' হায়নৈ। সররিয়েলিষ্ট এভান্ট গার্দ'গী লুচিংবনি। অর্দিনারি থিদল য়ামখী অকোয়বদগী হোয়কপা গ্রোটেস্কলি কেন্টাষ্টিক্ রিয়েলিটি অসিবু থাইহুনা পুশিনলকই। কেন্নাথ ট্যনান হায়বা লণ্ডনগী মথোইবা থিয়েটর কৃতিক্লা আইওনেস্কোবু চৈক্লবদগী মানা খীন্ন খুন্মী, খংনৈ-ওবসাভ'রদা। হন্দোকলিবা য়াক্লে-গী অরোইবা শরুক অসি মানা ট্যানান্ন ইবা পাউথুমগী শরুক থরনি।

ইউজিন আইওনেস্কো রুমানিয়াগী স্লাটিনা কোবা সহরদা ১৯১২ গী নভেম্বরগী তাং ২৬ তা পোকই। রুমানিয়ান মগানি। প্যারি-সিয়ান ড্রামাটিষ্টনি অর্থর এডামোভ, সিমুয়েল বেকেৎ, জিনগেনেট ১দি আইওনেস্কো—এবসর্ড প্লেরাইটসশিং পুম্না ফ্রান্সকী প্যারিশতা লৈ ; ফ্রেঞ্চ লোন্দা মহাক লীলা ইথি—শী]

ইদা ইাবিরকউ ফোঙজগেনে

য়াবেং, শৈরেং, য়'বীংচা ইবিবকউ। ইনীংবা হনংতয়া ইবা থাদনা, মাখায়াগী মজ্জ। অফবা অচুম্বহুগ খেম্ম চনদে হায়না ফোঙ্ক'বদনা নমথনা থম্মা হাগা নাত্তে মাখা যজ্জা, অফবা অচুম্বা অহুতনা ফজবা অফনা অচুম্ব'ন হাংজনা 'শথাও থাপদোব্রিগী মরম করিনা? নত্তী অফবা ফজবা, অচুম্বগুম্ম অদবা, ফজবা অচুম্বা অমা ওইরম্ব য়াই হায়বদ চিননংতাই নবি লৈবগে? এবা নশাগী নীংতবা অমু ওাকউ নশাগী মিংথেংদ নশাগী ওইনা অচুম্বা অফবা, যজ্জ। অমু ওাক্তুনা নশাগী নহুণ পুথোকউ। মীনা ফোংবিয় য়াদ্রব নহনা লায়রগী পুম্বা পীংকউ 'য়াখলদা' ফাওগে। তোংবতদি, মরম চানা, ওরিজিনেল ওইনা, থৌশিম্মা থক্তবগা খিক্লরগা থৌশিন্না হয়কউ ; কৃতিকেল ইণ্টেলেকচুয়েল এণ্ড সাইকোলোজিকেল ওইনা ইয়কউ। লেপ্তুনা মীনা ইনৈ হায়হুনা পাংই ইবা ওইরবদি পীরক্লু—'য়াখল' না অমুক হেন্না থাথি। চুংগী দরকার ওইবহুতা ইরকউ।

সম্পাদক, য়াখল।

ৱোংমাইথেম তোম্বী সিংহ

মণিপুরী ৱারী-মচা

মণিপুরী সাহিত্যদা ৱারী-মচা অসি য়াম্না থেঙনা চত্তলকই। অধুনিক মণিপুরী সাহিত্যগী ৱাঙম হৌরক্লব কাওবদা ৱারি মচাদি মিংকপ থোক-খিদে। কুনগুবা শতাব্দীগী অয়াম্বচল্লবা মতমদা ৱারী মচাগী অকনবা মীহৌ অমা হৌরকই। ইংশোক ১৯৫০ শী মমাংদা ৱারী মচাগী লাইরিক অপীকপক অনীথক থোকখি। রাজকুমার শীতলজীৎ সিংহগী "লৈকোল্লুংদা" অমসুং "লৈমুংশি"। তশেংবমক্তি "লালত মঞ্জুরী পত্রিকা" না মপান করিবৈদা ইংশোক ১৯৩৩ দা (নোবেম্বর থাগী চেকোংদা ডাঃ কমলগী "ব্রজেন্দ্র লুহোংবা" সিনাম কৃষ্ণমোহনগী "লমথাংদা" (এপ্রেল থাদা), রাঃ কুঃ শীতলজীৎ সিংহগী "প্রভা" (ডিসেম্বর থাদা) নাচিংবা ৱারী মচা থরা থোকখি। মখোয়শিং অসি মৈতৈ সাহিত্যগী অহানবা মওং তারবা অহানবা ৱারী মচাশিংনি হায়না শিংথানবা য়াই। তশেংবমক্তি ডাঃ কমলনা মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা উপন্যাসকার ওইবগুম্না হৌজিক মণিপুরী সাহিত্যদগী বিদায় লৌখে হায়নরিবা রাঃ কুঃ শীতলজিংনা মৈতৈ সাহিত্যগী অহানবা লময়ানবা ৱারী মচা ইবনি।

শীতলজিংকী ৱারী মচাশিংদা মরু ওইনা সমাজদা য়ারে হায়না লৌনবা "অচুম্বা" অমদি "খাজবা" কয়ানা আদর্শ ওইনা শেমগৎলবা মীওই কয়ানা মতু্ংবা তাইবং অমদা চৎথরি। মতমগী মথক্তা ঈতম-চম্বা পুন্সিগী যেৎরোক মচা অমা নিঙথিজবা উংপা ওইবী শক্তি নিঙথিজনা লৈ। অদুগা য়ায়মক কবা, থোইদোক হেন্দোকপা ৱারী-মচা ইবা অমা ওইবদি ঙমদে। ইবগী শরুক্তা য়াম্না নৌবা, অশোনবা কয়া থেংনৈ। পুন্নমক অসি লৈহুনসু শীতলজিংতি মণিপুরী ৱারী-মচাগী ইতিহাসতদি অথোইবা খুমাং অমনি হায়না শিংথানবদদি য়ারোই।

অনীশুবা লাম্লাওদগী হৌরদুনা হৌজিক-কাওবদা ইনরিবা ৱারি মচাশিং অসি কোং-কোং শারি, অইবা অয়াবা শর হোল্লি। মখোয়গী কংম লেপত্রি। মখোয়গী ৱাথল অমদি ইনবগী মচাক অসি হৌজিকি পৃথিবী ৱাথলগী ঈচেন্দগী লৌবা অমদি অনৌ অনৌবা সাহিত্য কয়াগা হাকথেংনবা মরম্না মতমগী পুন্সি, মতমগী ৱাখল, মতমগী সাহিত্যগী মমি নিঙথিজনা তাবা থেংনৈ। অনাংবা অমা তেম্না ফোংদোকপা ওম্বা, উংনিংবা শক্লোল মচা অমা লায়না উংপা ওম্বদগী হৌজিকী মণিপুরী ৱারী-মচানবু সমাজগী শক্লোন মচা মচা কয়া উত্নুনা অতৈ সাহিত্যগী লৈখকশিংদগী মতমগী মমি হেম্না তাবা সাহিত্যগী লৈখন অমা ওইরে হায়বদা হায়রমনবা থোক্লোই। খ্বাইদগী থেংনা চংলক্লবসু খ্বাইদগী মওংতাবা ফিরেপ অমদা লৈরে।

মণিপুরী সাহিত্যদা শীংথানবা য়াবা ৱারী-মচা ইবা কয়া য়াম্না লৈরে; য়াহং অসিগী পাউখুম শীবা য়াম্না লুই। চেকোং কয়াদা

ইনরকপা, চোংথোক্লকপা অইবা কয়া লৈরবনু রারী মচাগী লাইরিক ওইনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা কোংবা "A Catalogue of Manipuri Books (1891-1969)" শ্রী মতুং ইন্নদি মৌরেংন্দগী হন্দোকপা, পুনশিল্লগা কোংবা থারগা রারী-মচাগী লাইরিক ৩৮ নি। পনবা তাব্রবদা এম, কে, বিনোদিনী, আর, কে, এলাংবম কুঞ্জমোহন, শ্রীবীরেন, প্রকাশনচিংবা, মখোয়শিং অসিদগী থোইদোক হেন্দোক্লা খিনগৎলক্লিবদি এম, কে, বিনোদিনীনি। হৌজিক ফাওবদদি মহাক্না মণিপুর সাহিত্যদা রারী মচাগী থোইদোক হেন্দোকপা, শীংথানবা য়ারবা অইবীনি হায়নিংই।

হৌজিকী মণিপুরী রারী-মচাগী শকফম করিনো ? লেপ্পা রানা থোক্লি। পুন্সিগী অশেংবা সমস্যা অমদি সমাজগী চপচাবা মশক তশেংনা উৎপা ঙমগ্রি হায়বা তাই। পুন্সিগী থৌদোক অমা, কাউঙমগ্রবা মিৎকুপ অমা, অথৱবা চরিত্র অমা উৎনবা হোৎনবনা অয়াম্বনি। করিগুম্বা মায়কৈ অমদা হিরম অমদা, পুক্নিংগী মওং তাবা রাখলগী পরিং অমদা, মণিপুরগী পুন্সি উৎপদা নঞ্জগা মশাগী রাখল উৎপদা অয়োবা থাক্তা উত্নুনা অয়োবা অপুনবা শকফম অমা শাগৎপা ঙমগ্রি। শীতলজিৎতগীনা হৌজিকফাওবদা চথরক্লিবা রারী মচাগী খোঙচৎ অমদি অপুনবা শকফম অসি থোইদোক্ল হোংবা লৈতে। থম্না কুপ্পা কাচিন কোয়য়া য়ৌনা য়েংশিনবা, ইবগী থুৎইদা অনৌবা মওং কয়া পুথোক্লকপগা লোয়ননা মতম মতমগী চৈনাখোল ফংলবা অইবদি য়াওদবদি নত্তে।

লোয়া থুম্না চেক্লিবা সুপা-সুপীগী মরী, মোরেংগী রাকম—অযোংপা অমদি নয়থিবা, মিৎনারবা পুন্সি, অসিগী শক্তোনশিং অসি প্রকাশ, কুঞ্জমোহন, শ্রীবীরেন অমদি অতৈ নহারোল অইবা কয়ানা পুথোক্লবা হোৎনৈ। অদুবু মসিগুম্বা থাঙবা ঙমগ্রবা, অকনবা খোল্লাও অমদি রাহং হবা ঙমগ্রি। মায়কৈ অসোংবদা প্রকাশ অমসুং শ্রীবীরেননা চংশনবা হেল্লি। কুঞ্জমোহনদি মিৎকপ থোক্লকপা মতমদা নিংশিং-লকপা থোদোক অমগুম্না পল্লবতনি । বীনোদিনী অমদি আর, কে, এলাংবমদি মায়গৈ অসোমদগী থাপতোপ্পা লৈ। মখোয়গীদি তোপ তোপ্পা তাইবঙ অমা, পুংসদা থোকখ্রবা কাওঙমগ্রবা থৌদোক কয়া নিংশিংলুবদা অমুক্তং মুংশাশ্বর শাংনা হোন্দোকপা। মায়গৈ অসোমদা তেজ-মনিস্ন থর থর চংশলকই। অদুগা নীলবীর শাস্ত্রীদি শীতলজিৎনা চৎপা লম্বীনি—অরা-অনাগী পুংসি লোয়ননা অচুম্বা পুন্সি—ফিদম্নিংঙাই ওইরবা। শম্না চায়রবদা অইবশিংবা মহাক্কী তোপ তোপ্পা মথৱাই অমদি মচু হাপ্পুনা ফজরবা যুমশিংগী মরক্তগী তাজমহলনা তোথাইনা লেপ্লকুম তোথাইবা 'ফরেপ অমদা লেপ্পা ঙম্বা অইবা লৈত্রি। অদুগা চথর ক্রবা ঈচেস্বা থেংনবা অহোংবা হায়রবু তম্বরক্লবা রোমান্টি-সিজমগী লেচরেলিজমনা চংশিন্নকপগী মখি থর থর তাবা থেংনৈ।

[রাঃ কুঃ বিনোদিনী দেবীনা মাগী "যামিনী সুন্দর. গুহ গোলড মেডল" পীথ্রবা রারীমচা "মুশারঙ্কা চন্দ্রমুখী" কোংলকপদা ঈথক-ইরাং হৌবা অমা থোকখি। মণিপুরী সাহিত্যদা

লোওরবা রারী মচা ইবা অমা লৈরেদনা হায়না নে তানা শর হোলহনখি। বিনো-দিনীনা মীওইবগী থম্মোয়দা কুয়োম কয়ানা কুপশিন্দুনা থম্লিবা মতুংগী কাচিন্দা লোংতুনা লৈরিবা শক্রোন কয়া মায়থুম হাংদোকপনি। পুন্সিগী মথল মথেলগী থোদোক কয়া নিংশিং মীৎকুপ অমনা লমজিংতুনা চিংথোক্লকপা চমখৎবা নিংশিং রারী-পুম্নমক অসিদগী মকা অমা অনা শৎলগা নোংথাংগী মতোংগুম্না মিংকুপ অমা খংঙাল ঙানহনবনি। মরিক চুয়বা, বিনাগী প্রথোক্লেলগুম যাম্নু য়াউরবা রাহৈ-রাতনা কাহেন্না হৈরবা এনসিয়েন্ট ম্যারিনরগুম্না অপাবাশিংবু শুমহৎলি। তশেংবমক বিনোদিনীগী রাহৈ-রাতাদা যাম্নু অমা য়াওরি। মতুনা সুর নাইরবা থোম্বাং অমগা ইরোয়ননা চৎপা মিরবা খোঙেল অমগুম অপাবশিংদা থোকহল্লি। মসি পাক-চাউরবা এক্সপেরিএনসতা মাগী কলমনা থেঙদবা মক্কম য়াউদে মরু ওইনা থাক রাংনা লৈরিবা য়াইফ-ফুংঙাই মীওইশিং চৈংলোন মাপল লানখৎবা লমদম কয়া। মথোয়-শিং অসি, মশামাক লোন্দা হায়বগা—"কুইনা তারুত্রবা সুর অমা তারগা সুর অমুগা ইরোইননা ঙহাক তাউথরুবনি।" পুন্সিগী চাবো ফুম্হৎনা লৈখৎপনি। মাগী রারী-মচাশিংগী মরুংদা "এঙ্গাযরক্তা চন্দ্রমুখী", "সুর" "বাসন্তীগী ফুশো মীনোক", কেশবকা চানা, 'চরিক ফরেং', য়াম্না নিংথিজবা রারী-মচা ঙাক্লনি।

আর, কে, এলাংবম (রজনীকান্ত) মতম কনা রারী মচা ইবা অমা ওইনা নিন্দুনা লৈরুরবনি। মাগী "চোংয়া-তময়া" অমদি "য়ুমগী মৌ" নিঙথিজবা রারী মচাগী লাইরিক্নি। ক্লাস বেককী মওংদা পুন্সিগী কাউথরুবা থোদোক কয়া উৎলি। মরু ওইনা মুপা-মুপীগী থম্মোয়গী মরী। মাগী রারীশিংদা থম্মোয়গী থোং-নৌরবা শাথেক অমা য়াওই। নিক নিক লাউরবা ঈথক অমু থেংনুবদা অপাবশিংগী থম্মোয়দা ইপোম কয়া হৌহল্লি। মসিগা লোয়ননা অংা-অনাগী ইচম চম্বা রারী কয়ামু উৎলি। মাগী 'মুশিবা থিবা', 'য়াওশং', 'থাজগী অইংবা মায়থোং', 'ড্রামা' কজবা রারীনি। অমুগা 'মণিপুরী জগোয়" হায়বা রারী অমি রারী মচা কোবা য়াত্রা হায়বা রাহং অসিদি হংনি ই।

ইংশোক ১২৬৮ দা কুঞ্জমোহনমা "চেন-খিত্রবা ঈচেল" কোংলকপদা মণিপুরদা রারী-মচা ইবা অমা হেক্সংলকখি। মাংথরক্লবা মতম অসিগী লমচৎ অমদি পুন্সি উৎনবা হেংৎনবা লেখক অমনি। মপুম ওইবা মিৎ-য়েংদাদি—ঐথোয়না তেংয়না থেংনরিবা অরা-অনা, মতম কুইনা লঙথোকনুরবা থোদোক কয়া অমু ঐথোয়দা য়াম্না হৈ-শিংনা রারী লীবনি। পুন্সিগী ইচং থোনা হংনিংবা রাহং যাউদে অমুগা হংদবা ঙমদমুনা ঙাওবা লেখক অমমু নত্তে। অরা-অনাগী রারী কপ্পা-কপ্পা লী, ফুংঙাইবা কথা নোক্ল নোক্লা পাউদমই। মাগী হায়নবু রারী কল্লা লানবা হোৎনৈ—মংশোয়বা রাউদনা লীনবা। মাও "রানোম্বা", "রাম্বেল" 'কবি-ফুংগী' নচিংবা রারী মচাশিংদা হোজকী মতমগী অমোংপা লমচৎ কায়রবা পুন্সি উৎলি। অমুগা 'কামধেনু', 'রাখাল হোংবা, অসিনচিংবা

অশিনা ইচৎ চয়' ইবা ৱারী-অতাশিংমি। অকুমোহনগী অপুনবা পুৱারি—অৱাঙা, চঙিং শন্নবা পুন্সি অমদি অপাম-মুশিংদা মী'বা ফাওবনি। অতুগা নুপা নুপীগী সেম্বকী মতাংদা ৱাহং থমদি হংনিংবশুম ত্তৌই। চপ যুংনা কন্না হংবদি ওমদে।

থুমহেম প্রকাশনা মাপী "ইচেগী শম" দা মোরেসগী অমদি সেম্বকী ৱাকম উংলি।' অতৈ অইবশিংদগী মাথকৈ অসোমদা থরদি ইচং থোমা চংশিনবা হেল্লি। মশিগা লোওননা ইচয় চম্বা অৱাবা পুন্সিগী থোদোক, অরোনবা পুন্সিগী অরোনবা ৱারী কয়াম্থ উংলি—'পুখি মচা', পুখি অচোবা 'ইচেগী শম'—অসিনচিংবা। লমন থুম্বা, মনোরুম্বা, মচিন-মৌপব্রা, কৈরক অথুবা নচিংবা ৱারী-মচাশিংদা লমচং মাংথরক্লবা, অমোংপা সেম্বকী সমস্ত অয়োবা শককমদা উংলি। উংলিংবা শককম অমগী পরিংদা অচুম্বা ফিরেপ শমা লেপ্লবম্থ ইংদা অমদি ৱাহৈ ৱাতাদা অহৈবা মীনা উংলিংবা মওদা উংপা ওমগী থাক অমুদি য়োক্লি। মশানা হাকথেংনরকপা মান্দবা, মনাককোংদদি চেরকপা ৱারী থরা ঐখোয়দা পাউদম্বদোনা ত্তৌই। মহাক সেন্সিতিভ ওইদে।

শ্রীবীরেন, ৱারী-মচা ইবশিংগী মথংদা তোপ তোপ্পা শক্তম অমনি। শ্রীবীরেননা ("ত্র্ অসি মিংগী মমাংদা হাপ্লবা অতু নত্তে) মসি পুন্সিদা চৈনাথোল অমদি কাওরে মরু ওইনা মাংথরক্লবা, ভেগু হন্থরক্লবা হোৎজক্কী পুন্সিগ অসিগী কলনা পুরকপা পুন্সিগী শক্তম [illegible], অমদি [illegible] এথোক্লেম অমা ৱারী "অচৌবিলেলগী থাজ" দা উৎলি। মরম মরুম ইংরেজী ৱাহৈ শিজিন্নরুনা (অইবনা ৱাখল থমবদা ইংরেজী ৱাহৈদা থল্লবা ৱাই) ত্রেজেডুগী থৌরথা অকনবা লোস্মা-পুসাদা মীওইবগী কোমথোক্লবা হং নাশ্তোক্লবা মশক, মুপা-মুপীগী মরী উংলি। থাজরম্বা কয়াগী মায়রোক্তগী ওমতৈননা থোক্লিবা পুন্সিগী থোদোক কয়া উংলি। পুন্নমক অসি ইবদা অমদি য়েংথদা—মনোবৈজ্ঞানিক ওইনা য়েংনবা কম্না হোংথৈগ মমাংথৈগী "থাজবা" কয়াগী মায়য়োক্তা য়েংবগী থুগাক মচিন কনবা নহারোলগী এরৈ মথক অমগুম্বনি। মহাকী "মশিনা ইফালগী ৱারীমচ, 'নাশ্তোকখি', 'শেগাহরবা কুরাংপান'—থুংহল্লবা অমম্মুং উংলিবা মওংদা য়াম্না ফজবা ৱারী-মচাশিংনি। নৌরিবা লেখক অসি মমাংথৈগী মৈতৈগী অরিবা খুমাবাশিনা বাংলা সাহিত্য অমদি লেখকশিংগী মমি তাবগুম নোংচুপকী সাহিত্য মমি তাদবা নত্তে। মরু ওইনা মাগী 'নাশ্তোকখি' হায়বা ৱারী-মচা অসি আলবার্ট কামুগী থুংই মমি নিংথিনা তাই।)

মথক্তা পনথিবা অইবশিং অসি নত্তনা কয়াম্থ লৈরি—নীলবীর শাস্ত্রী, হেজমচিং গুণধ্বজ, হিজম গুণ, নচিংবা। অতুগা কাহেন্না নৌরিবা নহারোপ অইবা কয়াম্থ থোক্লি। অইবশিং অসিনা অবেম্না লৈতনা চংশিল্লক্লবগী ময়াম্না পাম্নরিবা ৱারী মচা হায়বা সাহিত্য মশক অসি মপুং-মরৈ ফাবা হেক্লংলকনি। অদুগুম্বা অরাবাদি—মণিপুরদদি অইবশিংনা মতম য়াম্না কুম্না পোথাক্লগাক্লি।

অওয়বা অমসুং ওইদবা

নুংথিলগী পুং ৩ তারে। সরৎচন্দ্রনা লমজাওদা সবিতাবু থৌরাংনা ঙাইরি। মথাক য়াম্না কে, মুনরং তোবা কোৎ লিংলি। মশম ফজনা হাংলি; মমিৎ মমাই তক্ত তক্তই।

ওরাংতা মথায়রি থোরকপা। ঙহানমথৈ মপালদা লাইরিক তম্লবনি। উননীংবগী হায়-রুরবদি য়ুম হেক য়োবগা চৎলুগে খনবনি; চিঠিদা ওরাং থুংলনি থায়না খঙহনখ্রবনি অতুবু উননি হায়বা কয়া থাজদতনা চৎতি চৎলুত্রবনি।

সরৎচন্দ্রসু মৈতৈগী অতৈ পাথংশিংনা মঙনরিবা মঙ অহু অতুম মমঙতি; কৈসু খেমদে। মঙ হায়ববু লৈশাবীগী মঙ। সবিতাগী মরমদা সরৎচন্দ্রসু অতুম মঙ মঙতি। শকী ফজবা লম য়োবোই নীংতি। বাং চাউই। মঙক শাংতক তৌনা ঙোরোক ঙোনা ঈশিং য়োৎপা উগদবোই নীংতি মমিৎ লাউতক তৌই; তক্ত তক্তই। মপোপ মতাং কৈ। পুমমকী মথক্তা মহুপ কুপ্পনিনা মশা অহু মোল্লি। অবাৎপা অমতা লৈত্রবোই নীংতি। মমুংদা অহো অরাক অয়ু অরাক মচেং অমতা য়াওত্রবা পুমহৈ ওইরবোই নীংতি। মশাদগী ফত-হাউদি থোরকদবা মাঙে। মসিগদি, ভলেংনা, সরৎচন্দ্রনা ওকখনবু খনলুত্রে।

ইংথদ থাগী মুংথিলগী পুং ওদি পরঙন ওনবা মত্রে। মুমিৎ লৈরি হায়বদনি; কালেনগী পুং মতা হেনবগা ওথাক মাদবা জাংবি। ছাত্রি কাংবু কাংবু লাকপা হোরকলে। শাথং-মচাশিংনা সাইকল কয়া কয়া থৌদুনা ছাত্রিশিং তায়'র। মরী শাদুনা চৎমিররি। সরৎচন্দ্রনা লমজাওদা সাইকলদা ওাদুনা লেপ্পা উরগা মাবু থওবা ছাত্রিশিংনা মাগী মমিং শনদুনা ৱারী শানখি। খরনা সাবিতাগীদো থোরক্র-বোইয়ে; সবিতাদি ব্রাৎলি—হায়রগা নোক মোক্লনা চৎখি।

মা থোরক্লে হায়না সাবিতাদা পাউ পীখ্রবনি। হোৌজিক উনসিন্ন হায়খ্রবনি। লাকপা কৌবদি লৈত্রে। লাকমত্রবতুদা ঘরি তোয়না য়েংতি। হায়রকই—পুং ৩ মথাই তারে, কৈদৌরজাংনো? চৎখ্রজাংলমে? নত্রগা পরিক্ষা য়াওত্রজাংলা?

মতোমতা ফাওবা শাউগংচরম্মী।

ইংমাই লোইবদা সাবিতা সাইকল থৌদুনা লাকপা উরে। সরৎচন্দ্রতু মিছন চোংতি। হরাউওম, মুংশাথিওম তৌই। মমায়বদা তোংখৎলো হায়রগা সরৎচন্দ্রতু সাইকল তোং-খৎলি। তপা তপা থৌদুনা ঙাইরি। সবিতাদি সাইকল য়াম্না কয়া থোরকই। সরৎচন্দ্রনা লৈরিবতু হয়া ফাওবা য়েংলমদনা তিংখৎতুনা মনিং তেকথোকথৈ থৌখি। মতুদা সরৎচনদ্রনা মতোমতা খল্লি কাগ তোরি জাংলা?

কনা শাংনা থৌখ্রবতুদদি সরৎচন্দ্রতু তিংমরকই পুর্নিমানা তমত্রবা কৈনো?

সরৎচন্দ্রন। খর থবেৎ থবেৎ হোরা তারগা হায়রকই—অহুক করা থৌরিদি কৈ-দৌরে। থরা তপথো; কনমনথে।

সবিতানা কোরা উনসি, ওসিদি য়াত্রে হায়না খর নিরা য়াম্না রানা হায়রগা থজিক্কা ফাউবা তপথবা তৌদনা অহুম ডিংথৎহুনা থৌথে। হুরা ফাউবা য়েংলমদে।

সরৎচন্দ্রহ চিংনবনা পীক থরম্মী। শাউহু য়াম্না শাউনিংলে। মমাররবগী মমাঙদহু হকহু য়াম্না ইকাইরে।

তৌরিবা মতৌহ পূর্নিমাদা তথদা মাহু ইঙক ওক্রে। মাদি অপাবা অমতা য়াওগ্রহুনা শাউনীংমনবদগী ওস্তা লাক্রে হায়। পূর্নিমানা হায়রকই—কৈদৌরজাংনো; উননি, ডাঙনগদবা রা লৈ হায়বনি। হয়েংদি নোংমাইজিং ওইথে—ফি ওগদৌরি। হংচিৎ হংবিরকে।

পূর্নিমাখোয়দগী হনলক্লগহু থনবা লেপত্রে মওল মওল থত্রে। মানা শিলোংদা লৈরিবৈদা অতোপ্পা মুপা অমগা মুংশিনথজাৎলা। অমা থঙদে অমা থঙদে, হয়েং বিদাই তৌথোকথগে। সরৎহু য়াম্না শাউরে। মুমিদাংহুমক্কদা য়াম্না শাংনা বিদাইগী চিঠি অমা ইরম্মী।

মথংগী মুমিংনি। লৈরক মচানগী চুকান ময়াদা কোয়চৎ চৎহুনা সবিতা থোরকপ্রা ডাইরম্মী। ঙৈহাক লৈরগা সবিতা চহী ৭/৮ পা ওরবা মুপামচা অমগা পোং লৈবা থোরকই। অতাং অসি সরৎচন্দ্রগী পাউ পুথোক পুশিন তৌবা অঙাংনি। সবিতাগী মপরা থোকই।

লৈরক থরা হাইজিনলগা সবিতাহু ডাইরম্মী। সবিতাহু মতোমতা পোং থরা থায়রগা চঙলকই। সরৎচন্দ্র উবদা সবিতানা হৌরকই—শিলোং মুংঙাইরকপ্রা?

—মুংঙাই। মীসি য়াম্না পোংনরেদা। ওরাং ঙৈহাক ঙাইথোকা য়াদথে অহুক করা থৌথিহু কৈদৌরবা? পোংডিবা হায়হুরা

—পোংবা নত্তেদা। ঐখোয়দি পোংবা হৈজ-দেদা। য়াংগ্রহুনা তৌবনি।

—হেরা পুকচেন হোংলমায়ে।

—নঙহুম হোংলরিনি। ঐদি হোংদে। ওরাংগী-হুগী রাদি য়াদ তৌনি হায়রিসিনি।

রা য়াম্না ঙাঙনহুনা কান্নদে, পংঙাঙ ঙাঙ-জরিনি থল্লি। বিদাইগী ইরকপা চিঠিহু পীরম্নগা হেক্কা চংলগে থত্রে। মসিনা মশম্মে। সরৎ-চন্দ্রনা হায়রকই—নঙ ঐঙোন্দগী বিদাই পাম্নগনি।

সবিতাহু ইঙক ওক্রে। রাদি মচেৎ অমতা থুমত্রে। ঙৈহাক হুমিম্না লৈরবা মতুংদা সবিতানা হায়রকই—নংনা পাম্নবোইদি য়াই, ঐগীদি বেরা লৈতে। ওরাংগীহুগী ওইরদি মঙাং অমা চাদহুনা তৌনি, শাউগহু।

ওসাই লোযনরকপা অঙাংহুনা চেন্দুনা তানথৎলকই। সরৎচন্দ্রদা—আই, নঙ লাক্ল-বোইরে। কৈদৌঙৈ লাকই? সরৎচন্দ্রনা—ওরাং লাকই। নখোই নচেহোইদি য়াম্না পোংথেনে।

অঙাং অহু মমাই রুপ রুপ লাউই। মশম রাই রাই মমাইদা তাই। ইনোক্কা নোক্ননা লৈ। উবদা মুংশিবা পোকই। কুচু তৌই। অঙাংহুনা হায়রকই—ঐ রা অমা তম্বীগে। ওরাংদিনে ঐখোয় ইচেদি মথৌ কায়নীংমনথহুনা স্কুলদগী চেনলকপহুদি চিৎলমগদবা খিংতো ঙায়বনি।

মাগী রাহু তাবদা সবিতাহু নোকলম্মী, সরৎহু নোকলম্মী।

হুলেখম ইবোমচা

নোং অদুম চুরি ?

নোংজুথা ওইরক্লুনা নোং ইমং মংই। অয়ুক্তু শি-শা শি-শা চাক খোং-লোক্লুনা য়েগাউ মচাগুম চি-চা চি জা তৌরিবা মগা শঙ্কুহুমা পীজখোকএ। মহাকস্তু ফুকা ফুকা থরা য়োংশিল্লে। কৈথেন কাবা মতম ওইরক্লুনা মশম মনাহু কাবক শাবক শিত্তোক নাম্থোকএ। অহুদগী মপোং মচৈহু লাইশিল্লে। ভাল্লকসিদা নোংহু জম জম হেক মচুথরক্লে। হাংত্রা হায়হুনা ওাক ওরাংহুনা লৈরে। হাংত্রে। হেন্দুম হেক্লিল্লকএ। মথ্বাই হারে—পোং অমত্তা শিংকদবা লৈত্রে। য়োল্লুগদৌরিবা পোংশিংহু অক মুংশাই নত্তে, ওল্লাং-কেঙোই থর থকনি। হোরেন মুংদাংগী ঙুং চরাদ লৈত্রি। ফমহুনা লৈথোকপা হাত্রে। মচা মুপী অহন্দুদা খোদাই,

"ছাতিন শেগাইবহু থর পুখোরকউ ইবেম্মা।"

মুপীমচাহু চংথ্রগা ওাও ওাওহুনা খোরকই,

"শিবু কমাই তুপ্পোইনোনে—শিবো ?"

"কবু ফমনখ্রে," হায়হুনা ভাপ কৌই অহুগা কং থন্দোকই। মচাশিংহু বা নোকই।

"শিমা তুম্মগা লৈনাং মরক্তা কয়ুদৌরিনে লৈনাং মরক্তা ....."

ওাওনা ওাওনা মপোক্তু মকোক্তা খোঙংলি। মঙোন্দগী হেক কুমথবগা মচা অপিকপশিংহুনা মানা মানা খোকপা হায়নরকই:

"ইমা রাত্তিন লৈরকউ"

"ইমা ঐগীদ মঙল"

'ইমা ঐগীদি বোকুল চনা।"

মচাগুপী অচৌবীহুমগ জ্ঞান-মান হেক তাদনা য়াওশিল্লকই,

'শিংজু খোরাহুম লৈরকউ ইমা'

মমাহু শাওনিংলক্লহুনা থঙলাউ লাউরকই,

"তুমিন লৈয়ুহে। হোরেন্দি নথিবোং চখোম চখোম্মুক য়োংপহু কাও কংথ্রবা কৈনো থঙত্রি"

অঙাংশিংহু কুরুক কুরুক য়েংনরহুনা তুমিন তুমিন লৈ।

মমাহু ছাঙিন শেগাইবহুমা তুপশিল্লগা কয়িনো মুরুম মুরুম শোন্দুনা চংখি।

নোংদি অহুম চুরি ?

কাংলৈজেবুভদা মীটিং চংলুবা

অয়ুকী মুংশিং অহু কম্না শিংখে; নোংমুংশিং ভৌদুনা লেন চৈথগদৌবোই নিংলশ্বনি অহুবু হাংখে ।

মখোই অহুম মরি লম্পাক্তা লেকচর তৌদুনা মী মযামদা য়াম্না য়াম্না ভাংলম্মি । অমদি ভুপি কংগ্রেসকী উম্মি, ফুরিং কৈজোম য়াম্না ভৌনা, মচু ভানা শেংলি, মৈতৈ লংগীনি হায়বদি য়াদে ভরেংগীদি ভরেংগীনি, মনিপুর ইমা ইবেলনা নত্রগা মহাক্তা ইমুং মপুংনা নাইবা লং নত্তে; দিল্লিরোমদগী চেনবা খাদি ফিগীনি । মুপা অসিদি লং নাইবা হৈত্তে, মথুংনা থবক শুবা নোম্বা হৈত্তে; চংপফাউ মখোংনা চংপদা ইকাইদুনা জীপ নত্রগা কার ভোংদুনা চংলি । মহাক্তা মাইকতা ভাংলিবা য়াফংদি—মনিপুর লৈবাক অসিদা ভৌনিঙাই থবক য়াম্না লৈ, মী অমমম্না কোবি অমমমতা থারবস্থ কোবি লাখ ভরা হৌগনি । লশিং পাম্বা অমমমতা থারবস্থ লশিং পাম্বা মযামদুগী লশিংনা মনিপুরগী ফিরোল শানথদগী হেন্দোকভুনা ময়াং লৈবাক্তা থাদোকপদা লেম্না পানা ওকই । মীনা ভম্বা থবক পুম্নমক মৈতৈ-মচানা ভম্মি ময়াং ওফিসার লৈরবা থবক তৌরিবা পুম্নমক মৈতৈ মচানা ওইগদবনি । ঐখোয়গী স্কুল কলেজদা লাইব্রিক হৈথা মী চহি খুদিংগী য়াথত্রবদা লিশিং মত্তা ভরুক থোক্লি । মৈতৈ হুপীনা ভরিবা থবক অসি মাখোই মচাং হুপীনা শুবা নত্তে, শুবা ঙম্বা নত্তে । কনাগী ভা য়োনবদগী ইয়োংকি শারিবা অথাং কনবদা হায়নরিবা মৈতৈ হুপিনি । অহুপা মৈতৈ জগোই—মাসিথা পৃথীবি কাউরঙ্গ ঙাংলান । ঐখোইগী মনিপুরী য়াশ অসি ফজখ্রপোংনি । আইন সভা, লেজিসলেটিভ এসেম্বলি অমা মনিপুরগী থমদবা অসি লাম্লিংবা মীগী লৈবাক কলকাতা গৌহাটিনাচিংবদা জু লৈনৈ, শা শন, উচেক লিন য়োকৈ মৈকৈ লৈবাক্তস্থ অমা থম্বা য়াবনি—অসিদা ঐখোইগী করি হায়রে তৌবুল লমজাও, হং কৈবুল লমজাও হায়দুদা শজি য়োক্লিবনি তৌরিদুদি ঐনা—লহান ভুবিষ্ট হোম চংচক্লবদা — তুরিষ্ট হোম অসি মীগীদি কাশ্মীরদা ফজনা থয়ে ঐখোই মানপুর অসিস্থ শেম্নবদি হায়নরিবনি জাপান্না হায়বশুম চিংদোম্বা শাংপা লৈ—ইউরোপকী স্যুইর্জলেণ্ড, ফজখ্রবা মফম্নি । মাস পুম্নমক অসি ঐখোইগী ষ্টেটহুড লৈভবা অসিদা য়াত্রবনি । মনিপুর ষ্টেটহুড পিকম থোক্লবনি, থংনবা নাগালেণ্ডনা কংখ্রগা ঐখোইনা করিগী কংলোইদগে । মাখোই সেণ্টরনা হাংরিবা অসি ঐখোই পূক কমল্লি হায়বগীনি । ইকোনোমিক কাণ্ডসন ফজে হায়রিবসিবু মাখোই ষ্টেট অতৈবু করত্রনে ? সেণ্টরনা মতেং পাংজবা য়াউবা নত্তে । ময়াম পুম্নমক লিংজেল মাম্নবীবু । লিংজেল মাম্নবদা ফংদবা য়াবা নত্তে । মণিপুর [illegible] পিজরবনি ।

অঙ্গম্বা ফুপা অসিনা কয়া কয়া মাইক অহুদা লাউহুনা ঙাংলি । মৈতৈ ভাখোক য়াম্নে, ওখাক য়াম্নে, মপাল পোলোগ্রাউণ্ড অহু থমগদৌরে মমুমদা থবক শুকম খংদবদগী মথৌ লৈতহুনা অঙ্গুব খ্বাইগরবন কৈথেল কোট-খোক্লকপা মী ঙাক্তনি ফুরিথাউদা য়াউবা শেল অনা অমা শিকি অমহুনা চুক্লপ পানামা খয়া খক্লরহুনা সাইকল তোংবনা সাইকলদা ঙা, খোংনা চৎপনা মচি মচি পুল্লপ তাশিন্দুনা ফম্মি । অতাবা মী অমনা তোম্বীনা ঙাংলি-বসি কৈ, খয়া ঙাংদবদি য়াদে, অঙ্গম্বা হেক্তা হায়দোকউ হায়রিবনি ।" অমনা—"মী রাজনীতি য়াউবা হায়বসিদি ঙাংবা হৈতবা য়াদে; ইশোক শোক্লা ঙাংলিবসিনি । ঙাংবা অসিবু ঐখোই নখোইনা হেক চংলুরগা ঙাংবা ঙমগদ্রা হায়নি ?"

বক্তা অহুনা ঙাংবা লোইখিবগা মরাম খুবাক প্রোক প্রোক খুনখি । মথংদা কনা-নো ফুপা অমা লেপথত্তুনা মাইক অহুদা ফুকা ফুকা অমুক অনিরক কাম্মি । মাইকী অঙাং অহুনা চংশিন্দুনা মাইক ষ্টেণ্ড অহু রাং-থোক রাংশিলহন খয়া তৌই । বক্তা অসিমু লংবৌ ওইরপ তৌবদি শেংচাই, রাশকা হায়গদ্রা নেহরু কোট হায়গদ্রা অমগুমনা ফুরিং মথক্তা নম্মি-পাইজামা অমা উম্মি । মমাই মমিং মচু ইথোক থোক্কে । মহাক্না হৌখিবা মতাংমু ঐদি তাহৌজে—ঐনা তাখিবা । মতাং হায়ববু—

মনিপুরদা রাজনিতি চাউথত্রি, খংবা হৈবা লৈত্রি । ঐখোইগী আ রুশিয়াদদি করি হায়সিগে য়োংঙবা উঙবা বার্কর পুরমক অমু লোইনা হৈ । মাসিদা লেনিনা হায়রবা অমা অমা লৈ রিভোলুশন নংত্রবদি মীনা চাউখংপা য়াদে কয়াদা চুমগ্রবনো । মাসিদদি হায়দি ইন্দিয়া সিদদি ফাইভ ইয়ার প্লান অসি হা ফার্ষ্ট ফাইভ, সেকণ্ড ফাইভ ইয়ার—থার্ড ফোর চংথরকপসিদা ঐখোইনা করিবু উরগে ? ফোর ফাইভ ইয়ার প্লান্দা মনিপুরবু করি তৌরবগে ? মনিপুরদা ইন্দস্ত্রি অমত্তা লৈতে । অসে মাখোইগী ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী ড্রাইভর কণ্ডক্তরশিংসি তলব খজাক খজাক্তং পিহনা থম্লিবসি য়েংবীয়ুদো । ষ্টেট বসশিং অসিনা সিটী বসনা পৈশা য়াম্না তাল্লি য়াম্না তোংখ্রবা জাংনি । অহু শিজম্মকম খংদনা চহি খুদিংগী পৈশা বজেট লাপস তৌহুনা শেল কোক-থোং হল্লিবনি । আমেরিকা গায়সিনা তৌরিবসি অঙকপনি—ভিয়েটনামদা মখোইগী সাম্রাজ্য-বাদি, পুজিবাদি, ইম্পেরিয়েলিষ্ট, কেপিটালিজম চংলক্তুনা মরাল লৈত্রবা ফুপী অঙাং লিশিং লিশিং মুংশি হৈতবগী মীগাৎনা হাৎলিবসি পৃথিবী অসিদা শান্তি থুগাইনবনি । ইম্ফাল সহরগী মী কুক কুক ইরহুনা লম্বী ফুটপাথ থমত্রিবা—মররারী মখোইনা শেল অমুক অমুক য়াম্না শেন্দোং লৌহুনা ইনাক খুল্লিবসি য়েং-শিন্দ্রীবা সরকার অসিবু করি সরকারনো ? মাসি ঐখোই আ রুশিয়াদদি য়ারোইদবনি, হেক্তা তেমখোক্লদবনি ।

মতাং অসি য়োরকপদা খুবাক প্রোক প্রোক মাইকৈ অমদগী খুনরকই । ঐদি, মাখোই স্পীচ তাবা লাক্লম্বা মী মৈতৈ অফিশর ওইনমু তৌই অনি অহুম মনাক্তগী খোইনা

লাম্বা কম্নথংদে অহুদা অমনা হায়রী, "অগেজ্রবাবু উরিবোরো অা—লৈরক মচিন্দা ঐবা কোম্নান্দা অহুবু ময়া চায়না থাইনরত্রা, বাবুগা তৌনরিক্কু কমদৌরিবনো ?" "হেরা নোংমা কাদোক হায়বহুনি, মংবুন্ন মাখোই ময়াদা লৈব লহাম নংগা উনবা বামন গুবীহ্ অহুনা অমুক্তগা অমুক্তগা হায়না ঐতোন্দা পাউ চেম্নকপনি । "চংলুসি অহুদি"—লেংঙ্সি কৈদোগে ।

কথ্বনিদা মপোম্তো - হাঃ হাঃ...

বক্তা অহুনা তাংলিবহুদা ঐনা ওনশিক্কপা মতমদদি মানা হায়রম্বা হায়বমু—"মনিপুরদা ষ্টেটহুড লৈতে—মাসি পিক্সিবসি য়াম্না লান্নি । মনিপুরগী কম পাইরম্বা মন্ত্রি এম, এল, এ, এম পি, পুম্নমক চপ মান্নমা অন্দোলন তৌরবদি লাইনা ফংগনি । আমেরিকাদা সিভিল লিবর্তিগী নেগ্রো কয়াবু হাংলিবনি, মাহুদা মেগ্রোশিং অহু থজিক্তা মথৌনা হন্দে । কলকাতাদা তৌনরিবা আন্দোলন ময়াম অসি মাসিগী মচেং অমা মাসিরাইদা য়োবা ওমদে । বোলসেভিক রুশিয়া অসিস্থ মমাংতৈদা জারনা নৈথাইরম্লিবনি, লেনিন্না লুচিংহুনা লৈবাক অসিদা বিপ্লব পুরক্লুনা আমেরিকাগা মান্নমা সেত্তেলাইট থাগংহুনা সুক য়াম্না চাউখংত্রিবসিনি । স্পেস শিপ থাগংপা রোকেট কাপ্পসি আমেরিকাদগী য়াম্না হেনবা ঙাংনি । থাগী লৈবাক থবান-মিচাক য়োবা লহাম্না ওথনি অহুবু পিশ শান্তি-গীদমক শিজিন্নবা থিবদা আমেরিকাদোনা রুশিয়াদি শেল অরেম্বদা মাংহন্দে । মাখোই আমেরিকাগী থা লৈবাক্তা লোং লাউনা য়োক্ল-মলা অমুক হেক কুমকপসিনা করিবু কাম্নরিবা ? আমেরিকাগী এপোলো রোকেট অমা থাবগা চংলিবা লুপা ময়াম অসিনা পৃথিবীগী লাইরবা ময়াম অসি লেম্না পিজহুন্না থা অমা থাকপা ওমগনি । য়াম্না ঙাংলুবগী কান্নবে মনিপুর ষ্টেটহুড পিগদবনি । মনিপুরনা ষ্টেট ফংত্রিবমি কেপিটালিজমগী অরংবা খুদম্নি ।"

মথা কয়াম ঙাংখ্রবনো ঐ খংদৌজ্রে । কাংজৈবুও অহুদা জিলবা মীশকশিং অদো ওসাইগী অহানবগী লৈরমদহুনা অকোনবা মীশক কয়াথুক্না ওল্লয়ে । অহুগা কাংজৈবুডদা কন্দা মাখোই থন্না অহুদি অহুম মকয়ম্নি । ময়াম অদোমদা মীংকম ঙাইহাক চাইথোক্লিকৈ-দনি ঐস্থ লেকচর মতাং খংহোদবা । অহুবু খুবাক প্রোক প্রোক খুনহুনা লোইশিনখ্রে উচিব নাচিম্না ।

মথংগী বক্তা অহুনা উরৈরোম চুদাগী কংগ্রেশ তুপি মানবা অমা উপ্পি । ফিজোনদি ইমান মমাম্নবনি অহুদা মাসিনা কংগ্রেস পুংতৌগী মহুক্তা মচু শংলি মাল্লিবা নত্রগা লশিং অঙাংবা মচুগী ওইনা তৌবা ফদা শিজরৈ । মহাক্না ঙাংগদোরে হায়না মনা থাঙ্গংনবন্ন য়াউই ওসাইমখৈ তারমদগা থরম্ন ; ওসাই মাম্না থরাই য়াওরম্বা থরম্ন হোটেল্লোমদা চা থরুকনি হায়নম্ন থোক্লখি ।

"সমাজবাদ সোশ্যালিজম—লৈবাক অসিদা সোশ্যলিজম নত্তনদি য়াবোই । হেক্তা চাউ-খংকদবনি । প্রোগ্রেসিভ ওইবা তারবম্নি সোশ্যালিষ্ট ষ্টেট অমা নত্তনা হেক্তা য়'বা নত্তে । লৈবাক অসিগী পোথোক পুন্নক হানেশ তৌগদবনি । মনিপুরগী চিংকুং মানুং অপুম্বগী

লৈরিবা থ'ম ময়াব পুখোক্লবনি, মখল য়াক্লগা য়ান্না লৈরিবনি, লৈবাক্কী ইকোনোমিক অর্থ-নিতি য়াম্না চাউখৎকনি।...... .....

অতাবা ভাবোক অমা অনিনা মাখোয় মশেল হায়বৈ হক্কী ওাংথেদা গ্যাস থোক্লিবসি শিজিন্নবা য়াবনি, মাখোই ময়া'না চাউখৎ-হন্নিংদঙ্গনা হেক্তা য়াম্না লৈত্তেকা হায়জিল্লিবনি, হৌজিক থা অমা অনি হেললে, চাক্লিবা।" "অ', অং।" অমনা—"ঐখোইগী তলব এলাউয়েন্স হেল্লি সেন্ত্রেল পে-স্কেল অচু কমদোদো'য়নো? "অমনা চাউত্তোম্বী মচাগী লুহোংবা বাত্তন তৌরকপ্রা?"

ঐদি ইখোদি লৈতে হায়ববু মাখোয় অঙ্গম মরিত্নুনা ওাংনরিবত্থু করম্না ঊানরিবনো খংদে হ নবাওাক্তা, বা হেদোক্লবা ওাক্তা ওাই। হৈনত্নহুনা অহুগা ফম্বশু থরা য়ারক্লহুনা হো-গৎলগা চংনা চংনা নেত্তা অহুনা ওাংবহু থরা তারম্মী।

"লৈবাক অসি চাকহোং ওাহোংলগা লৈবাক্লি। চুৎখ্রু নাসপতি চাবনব লৈরমদে। নাসপতি হৈখা ময়াম শত্তুনা লেরিবসি তিন তোশিল্লগা থাবা য়াবা জাৎনি। শেল য়াম্না কংগদবা আব য়াম্না লাক্কদবা। মাহুনা গবর্ণ-মেণ্টনা শেল অসি থাদনিংদবা লৈবাক অসি ষ্টেডজহু তান্দবা য়াদবনি। ষ্টেট ওইরব মতমদা অসিগুম্বা প্রজা এয়ামগী হাউশিং লোন, এগ্রী-কলচরেল লোন, ক্রোপ লোন অসি মতিকচানা পিথোক্তুনা লৈবাক অসিদা তৌনিংদাই যাম্না লৈ। মণিপুর ষ্টেডহুড পিগদবনি। মণিপুরনা ষ্টেট ওইবদা ইকোনমিক ভাইএবিলিটি লৈত্তে

হায়রগা সিরিনা পার্লামেন্টী কী, শর্মা, ইউনিয়ন মিনিষ্টরনা লোকসভাদা খুমখিবা অসি য়াম্না লানবা জাৎনি। ঐখোইগী ইলেক্ট্রিক বাংথৈ মাইকৈদা মতিকচানা থাস্ত্রিবা তোত্তি ঈশিং কংত্রিবা পুম্নমক অসি য়েংবিযুদো নোংজুম্বা লাক্লনি তুরেল লোনম্বাল লোইনা কায়রনি। ঈশিং ইচাওনা মী য়ারগদবনি। মখোই অফিশরশিংসিনা করিমশু থংবাবা নত্তে। মসিদা আ কনাগী প্রেসকী লোন, তিল যোকপগী লোন পিবদা, ঠিকাদারগা শেল ককথোক ককশিন তৌনবদা করপসন অসিদা মাংলবা! করপসন অসি হকমনথে। হৈরা মহী ওয়বগী ফেক্তরী অমা লিংবগী শেল পিনিঙাই লৈত্তে হায় অদুগা চহি খুদি'গী শেল লেমহুনা হন্নি বনি। মণিপুরদা ষ্টেটহুড লৈরগা যাম্না মুং-ওাইগনি। ষ্টেটহুড তানবগীদমক কৈখেল অসি নোংমা হেক্তা লেপসি, তুকান পুম্ন'ক অসি থো' হেক লোয়্ন স। অফিশ পুম্নমক তোক্লসি ডাক্তরগা, থানাগা, ইলেক্ট্রিকাগা, তাত্তগা, তৌদবা যাদবা অত্তে থবগা কাহল্লগা অত্তেদি হেক্তা লোইনা তোরসি। মানা ষ্টেটহুড পিদবা য়াম্না য়েংদি। ঐখোই সোশ্যালিষ্টনা মৈরা পরেং পাইহুনা লহান্নগী হৌজরবনি—"

কয়াম ওা'থখ্রবনো ঐ খ হৌত্রে। ওাহৌ ওাহৌ চংলিঙৈদা শাহৌত্রে ঐনা থংবা হায়ববু সোবোক কোলাশ মথক্তা ঐ চংলম্মি। ডাক্তরগী কার অমগা ট কশগী কার অমগা লম্বী থৈনৈ। ডাক্তর অংগা ড্রাইভর অহুগা কারদগী মঙক মঙক লিংথোক্লে—গুড ইভনিঙ হায়না লাউনৈ।

"মাখোইসিবু করিদৌরিনো" হায়না ডাক্তরনা হংঙি—উকিলনা খুম্মি, "ষ্টেটহুড তানবগী মিতিংনি। ডাক্তরনা "কৈ, থর থর তৌরকউ হায়রীবনি, ঐখোয় তলব য়াম্মত্রে হায়বনি সৈত।" উকিলনা "হং হং' ক'মোক নোক্নরগা পাডী থৌনখিবত্থু তাহৌই। অতুদগী ঐদি ইথৌ লৈতবনিনা অমুক কাংজৈবুংলোমদা চংশিল্লি। বক্তা অমা শিল্লে কদাইদগী নো খংদে, মপোপ মতাং মচাওই। করি করি, এম, এল, এ, হায়বত্থু ওই রগত্রা। ঐদি ভাবপু ইত্তা ত'দে। মানা ভাংলম্বা"—লৈবাক্কী নেতা ময়াম্না ভ'ংবাখে। ঐখোই লৈবাক'স ম'ন'তম্নগ্নি। ষ্টেটহুড পিবু হায়না তাম্নবগী মতম্না ঐদি হেক্তা ইন্ডিপেন্দেন্স পিবু হায়না তাম্নসি হায়রিনি। দিল্লিদা ম'সগী য়াকমসি ভা'নসি হায়রান্নি। ঐখোই নিংথৌ পাল্লিহৈদা. সাহেবনা পাল্লিহৈদা শুম হায়না ষ্টেটহুড তানবগী অয়াব'স লৈরমদে। জুংভাইশ্যাখে দা মহারাজ পাল্লিহৈ, সাহেব পাল্লিহৈ মতম'দা। চকমোক লাউনদে· মী পুম্মক ইংনা পা'ল্লনা। নহাবোল অমতা কম হেন্দে। থকসি থা'সি চাইদবা অসি লৈনবমদে। ঐখোইগী লয়াইগী লৌমিশিংগ ফো অসি তাংমন্দুনা চানিপাঙ লৈতে। সরকারনা লেভী লোবা অ'স ফ'ত্তবা 'ংনি। ফো ওইনা লে'খ্রগা য়াম ওইন' ভ'া চাউ হায়র্ব'স হৌনদে। লোনৌ নিলবদা ইস্কালদগী মীশি'না হেক্তা ফংখি। ঐনা লোনৌ নিলবগী মতং অসিদা ময়াম থক্সি হায়না লহান ওকিপতা, প্রজাতন্ত্র থবন মক্বদা ভাংনজরবনি। মাতুদা তাবা ময়াম্না কৈ কৈ হায়রহৌবনি। অতুনা মণিপুর অসি ষ্টেটহুড তানগদবনি—মত্তে ইন্ডিপেন্ডেন্স লৌরগদবনি। মী শিনত্রবদি য়ানি হায়হু থাজদেদা মখোইমু পংপি পিরক্লোইনে। মণিপুর ষ্টেটহুড, জয়হিন্দ, ঐ অমুরাইদা লোইশিনজরগে ....।

খুবাক প্রোক প্রো'ক থুনখি। ঐনা করিনো তৌরিবসিবু হাবনা লৈরিহৈদা অনৌবা কাও গংলকপানি রা ভা'বা য়াম্না হৈ, মুভাইনি এ মুভাইনি ওবা লাল শর্মানি নহা:রোল ময়াম্না য়াম্না য়াবজাংনি হায়না কাংজৈবুং অতুদা তিল্লম্বা মী থর ইনাক্তা লৈরম্নশিংহ্ননা ভাংনরকইগ ঐদি থোইনবু য়েংলুদে। মহাক অত্থু মমাই মমিং মঙক অত্থু ইকে কে, কৈজোম মঞ্জুনবা অমা ফুরিং পুময়াং মোস্তাইনবা অমা শেং চাই। য়াতু য়'ম্না তপ্না হৌখিবনি অহ্য ঐনা তারকপা মত্তাংদদি—

পৌরপ্না হাযরবদা ঐখোয় মণিপুরগী ছাত্র নহাবোল অসি স্কুল লি'শং ৯ চাম্না ২৯ কলেজ ১২ অসিদা লৈরিবশিংস মনিং অমতা থুংত্রে করিমতা পেত্রে মসিদা সরকার আসিনা ভাব তাদবনি—তাশিন্নদবনি উ'শিত্তবনি। করিনো লো ইনকম গ্রুপকী শেল পিরিবগি য়েংহৈত্রে হায়বনি (ময়াম খুবাক প্রোক প্রোক)। নহারোল অস্থক য়াম্বসি থবক ফংত্রে, অন-ইম্প্লোয়মেণ্ট, বেকার ওইরবনিনা লমহেন্দুনা মাখোইগী ইনাজ' অসি অমরোমদা চালাইনবা তৌরিবসি য়েংহৈত্রে ওঙ্গে'ক্না মুভাইখিত্রজাংনি। মণিপুরগী মশাগী ষ্টেট লৈজরবদি থাম্না শেঙ্গ য়াখে। ষ্টেট পিবদা ইকোনোমিক ভাইএবিলিতি

লৈত্তে হায়বসি য়াদিংদে, ঐ মুকয়া য়াবা ওয়রোই। পৌরয়া হায়রবদা কবো তেলি পিথোকখ্রবনি, ঐখোই মণিপুরী ইপা ইপনশিনো কাছায় ত্রিপুরা আয়া লৈবাক ময়াম অয় তৌদনা পালম্বনি মাসিবু ওয়ল্লপা হৌজিক ওয়গোই হায়রিবু তানিংব্রা— ঐ য়ুকতা তানিংদে।

মণিপুরী লৈবাক ওাক্রোম পথাপ্তা মখোইনা মুংশিবিবগী মচেং অমা উদে। য়ায়া ভূকচখ্রবা পোংনি। কায়াৎ অসোমদগী হায়রবমু মাসি মখোই মবুধোগী হাইহৎ লাংনি। লমরানবনা ওাংবদা মাখোইনা করিস্মু থস্তদবা ওয়োই, মাখোইনা ইঞ্জিনিয়ার পুলিশলুগা খোংগ্রা কাউবা শাবা হৈতবনি। পৌরয়া য়েংলবদা মণিপুর মচাশিংনা মাখোইবু করিগী তলব পিহুনা থম্নিবনো। দিল্লীগী মথেশ্মা মবুওশিংনা য়ানবা মমাশিজনা খৌজানবিনবা মাখোই চিরোল লাংখ্রাং চনবা হৈবা অসিতমণ্ডাই।

মণিপুর অসি মাংহনলবনি, মুংলবনি, হিংহৈম্মবনি। মাসিদগী হেন্না লৈথা তানিওাই লৈত্রে। নাহারোল পুম্নমক অসি শিবা কৌরক্ত্র-বনি, পুম্নমক হৌগৎলবনি—ঐখোইগী মৈতৈমচা নাহারোল কয়া কয়া ত্রিপুরাদা পকিস্থান্দ, চিনাদা ত্রেহনী তোহনা চৎখিবসি থরদবা য়াত্রবনি মাখোইবু থাগত্তবা ওয়োই। ঐখোই করিনো অমা তোদয়াত্রবনি তুমিন্না লৈথোকপা য়াত্রবনি করিনো করিনো তোগদবমি।

ঐহাক বক্তা অসিগী মথক্তা শাউজরবা মথবাক্তা থুহুম্না ওজবা অতিয়া মহাদা মমিৎ য়েংথৎপা অসি য়েংনা য়েংনো মাপী বাওাং তাথবগী মৈতৈ নহারোল য়ায়া কিকদে অহুবা নহারোল অকতা য়েংলে মীৎ থমকদ ওইবদা হায়না খিয়কপদা মাখোই মক্তা ভরক য়োম-শিনহুনা কেলি য়ানা লৈহুনা চাবা থেংনরম্মী— যোরোক হি-হা হি হা তোহনা হায়নরকই— মাখোই তক্কাগ্নাগী ছুটি ওসিবু থাখিব্রা ?— হায় নংগীহুদি সিনেমা লো দিল য়েংহৌবনি। মাখোইগী অরাংদা লৈবা বাম্মোনগীদা ওসি ওমাং লিপা শারদৌরি। হিদাক থরা থক্সিনা ভাই। ওরম্মল্লি।

নহারোলবু ইয়াও য়াওরমদে মিটিং অফুদা ফুটবল মচি অমদা শায়বা থরা, কেলি চানা চাবা শক্ শক্ থরা নন্তনা তাথোক মরক অহুদা অমত্তবু য়াওদেনে। বক্তা অহুগী খোঞ্জেল অহু মাইক্রা ফনা য়ায়া পুরমথনি অহুবু কনাগী মনাকোংদা চংশিগদবা ? ভাংখিব্রা বক্তাশিংত্রদী মরি শম্নদবা য়াকমশিং করম্ব প্রাথায় অমনা চুমথোক্লগদবা !

ইরোই লোইবা বক্তা চেয়ারমেন্না মচিন মথা লোইশম থোমজিল্লুনা মিটিং লোইনবগী শেম শাবা ওইনা ওাংহোই। ভাবুক অয়াম্বা হয়খ্রে। মপাল কাংজৈবুওদা মহৌশাগী মহৌশা লৈপুং ফম্বগী য়ামী ওবা কাংবু অহুতা মওাই-হোরে। সিনেমা হৌবা মতম ওইরক্লহুনা সিনেমা য়েংবা ফনা য়ায়া হাইজিন্রখ্রে। ঐহাকনু থ্বাইরম্বন কৈখেল্লোমদা ইতোমতা ওাহৌ ওাহৌ থবর য়োনকম চংলুগে হাওনা থোয়ক্লম্মী। শোরোক অহুদা হাংলু হাংলু হায়না চেক্রুম মুংহুম অচৌবা অমমম মীয়ক অহুদা লংওকই, মাংদা নহা অমা অনি চেনখি।

মুং মংভকপা নহা অহুন্থ ভান্নরকই। থরনা করি তৌরম্নে হায়। মাখোই চেনখি্রবা নহারোল অমনা মৈতৈ মচা নহারোল অমবু কম্নিখৈদা থাংনা ভূংলোমদগী হান্নম্নে হায়। শিরত্রা। শিত্রি। অসিভনি ঐস্থ ভাহৌবা। মাংদা নংারোল অনি অহুন্না হান্না মতৌদি অওকপা মালহল্লি, অহুন্না ঐদি খংভি মাখোই চুহিং মনম নম্মি, থরবু থক্লু্য়ে, অম্নকস্থ থকপা চংলিবত্রা নত্রগা কদাইদা? মাংদা লৈশাবী মোনহা মরি মত্তাস্থ চংখি মমাই মমিং ইপং পংনা, প্রাসতিকী খোংউপ লৈত্রা? নত্রগা সিনেমা য়েংলুবগী খোল্লকত্রা? মৈতৈ মুপী লাইরিক হৈবী শারি ফিইন ইনপী মরি মত্তাস্থ চংখি—কম্নিবু খল্লিগদগে শিংজু চানবগী, নত্তে, মাখোই তনব কংবীনি পেনবা হৈবী য়ুম পুরবী ইমুং থাকপি ভাক্তনি, ইমুং মহুং পুবা হুপা শাহুনা মতৌহুদা থাংলিবা খোংথাংনি।

হুকাম পোশারি কথশিংনা হংলরকই—মিটিং পাউ কয়ম তৌবগে। অমনা খশ্নি—ভাং ১৮দা হয়হাল বাজার থোং লোনবা, মণিপুর ষ্টেটহুত ভানবগীনি হান্নবা লেপ্পখি। হুকাশারহু মমাই মক্তক ভৌখি, মহাজন শেম্বৌব। লাকপদা হয়েং কোম্না কল পয়সোং অসিভা মহাইখি সোরক অহুদা পুমংপেন পেল্লবা মৈতৈ মচা স্কুটর মত্তা তক্রক থোনখি। জীপ থন্না ভাউন চেনখি। থৌলৈভবা সাইকল মম্নাম ভন্দে মান্দেননা লেপহৌই। ঐস্থ সিভিবস শেগাইবা পুং মুক ভাইহুনা মী চিক্ল চাইনবা য়াদনা থল্লবা অমদা য়াল্লগা ভোংলম্মী, মাহুগী মহুংদা ভোংলিবা মৈতৈমচা থরনা মুপী লেপ্পিবশিং থন্না নহা ওইরিবশিংহুগী মথবাক মথবাক্তা মথুংনা থাঙ্গং থাজংহুনা শান্নরিবহুস্থ উরম্মী, থেংখিবা মালহল্লা।

ডব্লিউ. এইচ. আউডেন

মসিদি করিসুবু কাম্নদ্রেনে লাউখৎলুবগী

মসিদি কৈন্থবু কাম্নদ্রেনে লাউখৎলুবগী ।
নওতনে, হোনৌ, চুমথ্রিং হেক্তা য়াম্বা য়াইনে ।
পামজদ্রে ঐদি অমুক হন্না লেংগোরবা,
কোও কোও শানা নোনা শেম্বিযু ঐগী চা, ইনশিনবিযু ঐত্তোন্দা শামছু কখল ।
মক্মসিদা ঐ, মক্মসিদা নও :
অদুবু করিবু হায়রিবা মসিনা ? করিবু তৌরিবা ঐখোয়না ?

থায়না ঐনা হায়খি ইমাদা
ইমুম থাদোকচরে অত্তোম্না অমা থিজরুনবা :
হুনবিখিদ্রে পাউথুম ঐনা ইমাগী চিঠিদো
অদুবু থেংনদ্রেনে ঐদি করিম্থু হেন্না ফগৎপা ।
মক্মসিদা ঐ, মক্মসিদা নও :
অদুবু করিবু হায়রিবা মসিনা ? করি তৌরিবা ঐখোয়না ?

মসিবু অসুম্না থক তৌখিদরনে ?
মতা চারবদি তৌরম্মোইবো; অদুবু মসিদি অসিনি ।
থাপ্না খাম্মু কায় অদু, পুন্সিনা মাইথৌরক্লবদা
করিবু কাম্নরিবগে বালসতা চৎলুবগী ?
মক্মসিদা ঐ, মক্মসিদা নও :
অদুবু করিবু হায়রিবা মসিনা ? করিবু তৌরিবা ঐখোয়না ?

ঐগী য়াংলেনসিদা লৈরে য়ুম্ফম অমথক্তি ;
অদুগা থক্তি ঐনা খাইগী মাইথোংদো :
অদুবু মথোয়দো শাথিবনি মরী মতা থুদিংদদি,
অদুগনে হায়বদি ওম্মোইকো ঐ খাইনা পাম্লিবদুদি ।
মক্মসিদা ঐ, মক্মসিদা নও :
অদুবু করিবু হায়রিবা মসিনা ? করিবু তৌরিবা ঐখোয়না ?

ঐঐ শিংব্রিয়া চেন্নি নীংঙ্গরগী.. ই অমথক্তি,
অতুগা নীংশিংলি হৌজিক কাওবা ডা অমথক :
কপ্পদ্রনা ঐনা লৈমাইথক্তা থয়ো থয়ো ওনবা কালদা,
মসিনা হায়রকই, ইতৎ তক্তনা তৌখ্রবনি মসিদি নঙনা মমাংদৈদা
মকমসিদা ঐ, মকমসিদা নঙ :

অহুবু করিবু হায়রিবা মসিনা ? করিবু তৌরিবা ঐখোয়না ?
উচেক অমথক্তি চাক্তাজরম্মা তোর্ব্বানসিদা :
অমুক হন্না লাকপগী রাদি লৈত্রে ।
য়াম্না শাংনা লাক্লিবনি ঐ প্রমানসিমক্তং তৌরম্লবা
লম লৈতে, ঈশিং লৈতে, হুংসিবসু লৈতে ।
মকমসিদা ঐ, মকমসিদা নঙ ।
অহুবু করিবু হায়রিবা মসিনা ? করিবু তৌরিবা ঐখোয়না ?

(হন্দোকপা — শ্রীশ্রী)

(ডাব্লিউ এইচ, আউদেনগী মঙ্গলদা থরা



আউদেনগী অশেংবা মমিং রাষ্ট্যান হিউগ আউদেন (W, H, Auden) কোই। মহাক্না ঈগী মরী থিক্করবদি অমেরিকাগী ঈনি, অতুগা শৈরেংগী মচরিংতা য়েংপুরগদি ইংলিশ শৈরেংগী মচরিংনি। আউদেনগী মমাঙদগী এলিয়ৎদি ইজ্রা পাউণ্ডন'চ'বা ইমেজিষ্ট কবি কাংবু অমনা মোদ ন রান্দগী অরাবা মীওইবগী নাই তোম তাবগী ওইবা (Boredom), হিংলূকগী চোকথরকপনচিবা শক্তম কয়া ইংলিশ শৈরেংদা পুশিনবা হোৎপে, মতুদগী অনোবা শৈরেং (modern poetry) পোকখে । ১৯৩০ দগী ১৯৪০ কাওবগী মনুংদা ষ্টেফেন স্পেণ্ডর, সেসিল দে লিউইশ, লুইস মিকনিশনচিংবা কবি কাংবু অমগা লোইননা আউদেননা ইংলিশকী অনোবা শৈরেংগী অনোবা শৈরেং মশক অমমুক পুরকই। মাক্স শৈরেংলা ধর্ম্মগী, সমাজগী লেমথুমগী থিরম, সাইকোলোজিকেল ওইবগী মচরিং করামুক্লা তিজি । মীওইবা সমাজদা য়েংলিবা আউদেনগী মিৎয়েংদি ক্লিনিকেল ওইবা

নারিবা লাইৎ পুখোকই, লাইৎ তাকই; কনবা হিদাকম্নু পী। ১৯৩০ দগী ১৯৪০ ফাওবদা ওইরিবা ইংলণ্ডগী সমাজ অসি থবক কংদবগী লাইনানা নারবা অমনি। কার্ল মার্ক্সকী খুৎইনা মাবু অসিগুম্বা থিংয়েং অসি য়েংবা শুমহনখি। মার্ক্সকী মাবা কংখি— কাংবু অমা ওইনা সরকার পায়রিবা ক্লাসনা ছুংদা শোইবগী (inner failure) মরম।

সাইকোলোজিকেল ওইবা মতংদা আউদেনগী খ্বাইদগী থবায় য়াওবদি anxiety or dread অসিনি। মানা তোয়না পল্লি—the lost, the lonely, the unhappy, এলিয়ৎনা মাগী হ্বাষ্ট ল্যাণ্ডদা—My nerves are bad to night/Stay with me. হায়বগুম আউদেনসু—No wonder then so many die of grief/So many are so lonely as they die অপপর ক্লাসকী মীওইশিংসি ট্রেডিসনেল পিউরিটানিজম এণ্ড কনভেসনেল দেকোরম্না মাখোয়গী অপেংবা পেশন এণ্ড দিজায়ারদগী থাপতোকহল্লি হায়বসি ক্লুরেদকী খুৎইদগী মানা থঙখি। রুলিং ক্লাসশিং অসিনা মখোয় মখোয়গী দশাগী অপেংবা পেশন এণ্ড দিজায়ার অদু থঙবা শুমদবগী মখোয় অসি মোরেল্লি নারে হায়না আউদেন্না খাজৈ। অদুদগী খোয়কই—"He who desires but acts not, breads pestilence......"

আউদেন ১৯০৭ দা পোকই। ১৯৩৯ দা অমেরিকাদা লৈখি। অমেরিকান একাদমী ওফ লেটর্সগী এৱার্দ কংখি। এলিয়ৎকী ছুংদা লাকপা কবিশিংগী লুচিংবনি। এম অর্বোর ইউনিভরসিটিগী এসিষ্টেণ্ট প্রোফেশার ওফ ইংলিশ লিটরেচর ওইখি।

শ্রীশ্রী]

নোক্লিরা ?

মণিপুরগী ছুকান্দা পোৎ মমল তাংলিবসিবু করিগীনো হায়রুববু সরকারগী থৌশাদবসিদা প্রো মোর প্রাইস স্কীম অমা হোদোক্লিবনি হায়রকই।

X

মণিপুর ইকোনোমিক রিভোলুশন তৌগদৌরবনি হায়রুনা লৈরক থরদি কোলাস থাহল্লেং চেক্কী ছুংগী বিলামতি যুম শানবে, অতগা শ্বৈতৈ পৈশা নম্বগী থবকগা পাইখৎনরদি কগদব।



কৃতিসিজমগী কৃতিসিজম

মণিপুরী সাহিত্য অমস্তুং সাহিত্যকার
— ইবা এলাংবম নীলমণি সিংহ.
কোংবা অইবা, ১৯৬৯, মমল লুপা ৩.০০।

মণিপুরী লোলগী মনুংদা মৈতৈ লোন অসিনা ইনাক খুল্লি হায়বদা য়ারোইদবা মরম লৈ। থমোয়গী ওইবা য়াহে য়াতা থয়া লৈরগা ইনাক খুল্লি হায়বা হেক্তা য়াবা নত্তে; মৈতৈ লোন্দা সাহিত্যগী কৃতিসিজমদা শিজিন্নবা টার্মিনো-লোজি লৈতে। মসিগী মরম অমথক্তি মৈতৈ ইপা ইপুশিংনা নিয়ম নাইনা সাহিত্যবু নৈনরক্কবনা ওইবা য়াই। ঐখোয়গী অরিবা কোর্বেক য়াম্না লৈ, অদুবু সাহিত্যগী কৃতি-সিজমগী ওইবা, সাহিত্যগী নিয়ম তাকপা অমদি নৈনবা নিয়ম অমা চুম্না চংথবা করম্না য়াওরবগে? হংবা য়াবা য়াহংনি। মসিদা নত্তে; কৃতিকেল ওইবা য়ারেং শৈরেং অমতং ইরকপা কালদা চঙ চঙ লাউবা, ময়েক তশেং তশেংনা য়াথলগী মচুং শিনবা ওম্বা মীওইবগী মুংগী পুন্সিগী ফিবম তাকপা ওম্বা টার্ম মৈতৈ লোন্দা থিবদা য়াম্না য়ায়। ঐ ইনামক অমদি অতৈ অতৈ মৈতৈ লাইরিক ইবা কয়ানা নোনা শেম্মী অমদি নৈন-মেকা হায়জিন্দুনা পুথোক্কনা শিজিনৈ, মচুমম্না য়াম্না লুবা মীওইবগী মুংগী পুন্সি অমদি ফিবম অদু য়োকরবদি ইগুম ওমদনা থোকই। অদুনা কৃতিকেল ওইবা পোং অমতং কমপ্লেক্স ওইবা ফিবম তাকপা অমতং, ইবদা লোন অসিত্তনা ফোঙদোকপদা য়ায়, থমোয় ওাক্তগী য়াদি পংয়া ময়াবা। মসিগী মরম অমস্থ ইপা ইপুশ ময়ান ওইরম্বা য়াই; মৈতৈ ইপা ইপুশিং অসি কৃতিকেল ওইনা য়াথল থনবা ইহৈ হৈনরমদত্রা হায়না চিংনৈ। তৌবমকপু মৈতৈসি কৃতিকেল ওইবা ইপাম পামদবগী মওং অমদি লৈ। মীনা তৌনৈ হায়দুনা থয়া হেক্তা পংতো তোশিনবা, মচু কৈ কৈ হায়দুনা পংথা থাগৎনদুনা পংহা হয়াউনদুনা পংতিং হিংবগী মওং অমদি হৌজিক কাওবা উই। ঋানোবা এডুকেশন কংলে, লাইরিক কয়া ইনরে, কোংনরে অদুবু লুরবা য়াথল পুথোক্তুনা কৃতিকেল ওইনা ইবা/এসেগী লাইরিক, সাহিত্যগী নিয়ম নৈনবা অমদি তাকপা লাইরিক কয়াম য়াওরবগে? মসিনা তাকপদি মৈতৈ হায়বা

হাত অসি কৃতিকেল ওইনা রাখল খনবা কয়া হৈনদে অমদি নিয়ম নাইবা সাহিত্য লৈতে অসিনি।

অনৌবা কৃতিক খননা এনালাইটিকেল এণ্ড কৃতিকেল ওইনা নৈনহুনা ওবজেক্তিভ ওইনা য়েংবগী হৌনবা খৌরগা খৌরে, ইবা শৈহত্রগা হৈত্রে ফজরগা ফজরে হায়হুনা পোৎকী অচুম অচুম মশক্তু তাক্লকপদ মৈতৈ সাহিত্য পাবশিংগী অমদি মৈতৈ লাইরিক ইবশিংগী মক্ৰদা খয়া নৌনা থোকই। হৈন্দবা, তাবা হৰবা পোকই। অশেংবা অচুম্বা কৃতিসিজমবু মশক খঙনদ্রি; কৃতিসিজম নত্তবা থাগৎ রাহৈ নত্রগা পুন্নিং থৌগৎ রাহৈ নত্রগা লেখক্তা পীবা পাউতাকতবু কৃতিসিজমনি হায়না খাজনরি। চিরোন পাম্বা লেখকা চিরোন তৌবা কৃতিক শাবশিংগা লৈমিন্নৈনীংলি। মরমসিমক্নি ঐথোয়-গী সাহিত্যনা হৌজিক কাওবা মশাগী নিয়ম অমা লৈনা, মশাগী ওইবা ষ্টাইল অমা লৈহনা ইবা মওং তাবা সাহিত্য ওইদ্রবসি।

অসিগুম্বা পঙলবা রাখল মযাম মরক অসিদা এলাংবম দানমনি সিংহনা 'মনিপুরী সাহিত্য অমসুং সাহিত্যকার' কৌবা মৈতৈ সাহিত্যগী কৃতিসিজমগী লাইরিক অমা ফোঙলকলি। লাইরিক মশাক্ত ছাত্রগী নোট মাল্লি, ওন্থোক্লা থীনা ফোঙদ্রি। মনিপুর প্রেসকী হৈতবহু, খোশাদবহু লাইরিক অতৈদা য়াওবগুম মসিদসু য়াওই।

লাইরিক অসিদা নোংপোক অমসুং নোংচুপকী মিংয়েংদা কৃতিসিজমগী নিয়ম খরবু নৈনবা মতাং অমা য়াওরি। ইংলিশ কৃতিক ময়ামগী মরকগী টী এস, এলিয়ৎনচিংবা কৃতিক অমা অনীদংনা নোংচুপ পুম্বগী মিংয়েংবু মচুং শিন্দুনা পুথোকলি। ভারতকী ডাঃ ভগীরথ মিশ্রনচিংবা অমা অনীদংবু নোংপোককী মিংয়েংনি হেক্তা হায়জিনলি। লৈনরিবা কৃতিসিজমগী স্কুলশিং অসি কনা কজ কজনা খেন্নরিবনি, অদুগা স্কুল অমত অনিদং নৈনবগা অমুক য়ামখ্রবা স্কুলশিং অদু শুরে হায়বা করম্না খনগদৌরিবনো? লেখক্লা মসুংদা শিঙ্গির-রিবা কৃতিসিজমগী মওং অদু মতাং অসিদা জুদিসিয়েল কৃতিসিজম কদাইবু কৌবা, হিস্তো-রিকেল কৃতিসিজম কদাইবু কৌবনচিংবা ছাত্র-শিংদা তাকপি তিকপিবগুম তাক্লুনা ইরি।

ডাক্তর কমলগী মরমদা মতাং মরি থোক্লা, অঙাংহলগী মরমদা মতাং মরি থোক্লা, দরেন্দ্র-জিৎকী ভাগ্যচন্দ্রগী মরমদা মতাং অমা, চাউবগী লবঙলতাগী মরমদা অমা, ভোংব্রাগী মরমদা মতাং অনী অদুগা রামাও য়ানবগা পুন্না মতাং ফরাহুম-দোই থোক্লা থাহদোক্লুনা লাইরিক অসি হরি।

ডাক্তর কমলবু প্রকৃতি কবিনি, পুজিদা থাজবা থমহুনা য়েংবা গুম্বা অশাবাদি কবিনি হায়না মরিক কনা চুম্না নৈনবি। পুজিগী মিংয়েংদা আমেরিকান কবি লোংফেলোগী মিংয়েংগা মাম্ননা পুশিনলকই। মৈতৈ শৈরেংদা চাউবা কমল অনৌমক প্রকৃতিগী কাবনি, অদুবু মিংয়েং-দি মাম্নবা নত্তে। চাউবনা রাখলগী কবি ওইবা মরম রাখলগী খন্দা ওন্দুনা মহৌশাবু য়েংতি, পুন্সিগা মহৌশাগী পোৎশকশিংগা চাং-দমনৈ; কমলনা খম্মোখগী কবি ওইবনা খম্মোয়-না মহৌশাবু য়েংতি মহৌশাগা পোৎশকশিংবু মথায় পানবা অহিংবা জীব ওইনা উই অদুবু মসিমদি দৌনমন্নিনা পুথোক্লমদে। ডাক্তর কমলনা

মখোয়গী উপন্যাস অমদি শৈরেংশিংদা মহৌশাগী পোৎশকশিংনা মহিংবা করেক্তরা ওইনা য়াও-রিবসিগী মিৎয়েং মসি পুথোক্লুনা মমুৎতুনা থুগাইদুনা নৈননবা তৌরে। কমলগী থুংইদা খুমাংদগী মরুওইবশিংগী মচুংদা মাগী লোল অসিসু অমনি। শরৎকসিমসু নৈনবদা য়াৎলম্মী।

হিজম অঙাংহলগী "খম্বা থোইবী শৈরেং" বু মহাকাব্য অমগী থাক্তা পুথৎলুনা ওনবা অনৌবা য়াকম নত্তে। অদুবু মহাকাব্য অমগী মচাকশিং অদু খম্বা থোইবী শৈরেংদা য়াওরা হায়না য়েংবদা অঙাংহলনা খম্ববু লাইগুম লুনা নীংজদুনা ইবা চুমগী শৈরেং 'খম্বা মহা প্রভু' হায়বা অসিবু খম্বা থোইবী শৈরেংগী মঙ্গলাচরননি হায়না নমফুদা পুসিনলকলিবা অসিদি য়ুং চাদে। শৈরেং মচাসিদি খম্বা থোইবী শৈরেংগী মচুংদা য়াওবা নত্তে। খম্বা থোইবী শৈরেংদা মঙ্গলাচরন য়াওদে; অদুনা মহাকাব্য অমা নত্তে হায়রবসু মপুকপেল শেংবা কৃতিক্তি নত্তে হায়না অদুম লেপকদবনি; ওইহল্লাংমন্দুনা নমতুনা ওইহনবদি চোংনবোহদবনি লাইবকী মীচম চঙবা, থেংনবা আনমক কৃতিকী মথো নত্তে; সাহি-ত্যগী ওইরিবা' (১৭) অদুতবু কিবা লৈতনা নৈনদুনা পুথোকপা অসিত্তান লাইরক্কা য়াওদবা শরৎক অদু কৃতিক্কা লাইরিকী ৱাংমদগী লাম্মুব ওমদে। লাইরিকী ১৫৫ দি য়াহে ময়াম্না শাগৎলিবা সংসার অদুগী লুরিবা মরূ অদু খম থেংনা লুপথরুরগা পুথোকনীংবা পুথোরকপদা কৈসু অকায়ব' লৈতে। ওইরগা ওই, ওইত্রগা ওইদে হিতা হায়গদবনি, থাগৎপগা দরকার লৈতে, ওগমগী মথো লৈতে। লেখকপু লমহিংগদবসু নত্তে। লেখককী সাহিত্য অদুবু মশক তাকপতনিং সাহিত্যবু কৃতিক্কা অচুম্বা লম্বী তাকপা ওইদ্রে নত্তে; সাহিত্যনা চংচরিবা থোংসং খক্ত অপাব-শিংদা মশক তাকপগী য়াদনি।

অঙাংহলগী 'খম্বালবু' বু "অপিকপা উপন্যাস অমনি হায়না লৌবদসু অকায়বা লৈতে (লঃ ৭৭)" হায়না নৈনরুরগা অরোইবদা 'নিবন্ধনি হায়বদা হেন্না নক্না থোকই (লঃ ৮২)" হায়না য়ারোই পীরিবসি করমনো ভাব তাবা ওমদে। থুংই অমগী মমুংগী য়াখল ১দি মিৎয়েং মথল মথলগী কৃতিক কয়ানা থেম্না নৈনবা য়াই; মোত থেম্নবা অকায়বা লৈতে। অদুগা থুংই অমবু উপন্যাসনা য়ারীমচায়া, রচনারা (Essay) নত্রগা শৈরেংনা হায়বা ময়েক শেংনা খঙত্রবদি কৃতিকী অশোয়-বনি। অঙাংহলগী 'খম্বাল' বু প্রোফেসার নীলকান্তগী য়াহৈদা "খম্বালগী মশক অমি ইংরেজী য়াহৈদা এলেগোরি (A legory) হায়বদুনি" হায়বসিনা অচুম্বমক য়ানরি। দরেন্দ্র-জিৎকী ভাগ্যচন্দ্র, চাউবগী লবঙ্গলতাগী মরমদ নৈনরিবা মওংসিদি খাইনা খন্নরবা মওংনিঃ অনৌবা মশক অমা পুথোকপা নত্তে।

তোংত্রম গীতচন্দ্রগী লীলা ময়াম নৈনদুনা তোংত্রাবু মশক তারুবসু হোংনরি। গীতচন্দ্রগী ফাগী মরমদা নৈনরিবা মওং অসিদা ফাগী মরূ অদু য়োনা লুপথরুবা ওমদ। মশক তারুবসি হোংদৈন, মানা তাকলিবা শকম অদু ঐখোয় য়ানীংবা য়ানীংদবা, নওনা যানীংবা য়ানীংদবসি অতোপ্পা য়াকথনি, মাগী থুংতাক অত ময়েক শেংবা অমত্তি দরকারনি। গীতচন্দ্রগী লীলা খরদি ঐখোইগী সমাজদা মরী লৈন অদুবা

খরদি ঐখোয়গী সমাজগা মরী থোইনা লৈমদে; ঐখোয়গী সমাজদা চংনদবা, তোনদবা কয়া তোনরিবা, ঐখোয়না সমাজদা থেংনরিবা মীশিংনা তৌবা ঙমদবা কয়া জীতচন্দ্রগী মীনা তৌরিবসিদি যাগী তোঙানবা, মানা পামজবা সমাজ ১দি মী অমা পুথোকপগী য়ানি। মসিবু ঐখোয়গী সমাজগী চংময়োলগা য়েংনরুরবদি অয়ানবা মিংয়েং তাগনি। গীতচন্দ্রগী লীলাগী রিয়েলিজমদি রিয়েলিজম ওফ ইমেজিনেশননি। মতোপ্পা মখল অমনি। গীতচন্দ্রবু মশাক্কী ওইকম থোকপদগী হেন্না চয়থোকহল্লি।

লৈনবা মতমদা লৈনরিবা লাইরিকশী খুদম কয়া পুথোক্লুনা লৈনৈ। অদুবু মচেং মচেং খুগাইদুনা লেখক্না শিজিন্নরমলিবা য়াৎ য়াতাদুনা লুরিবা মফ অমা য়ৌনা লুপখদুনা থিরুবা লৈনরুবদি ঙমদে। শো বোথ্রত থেন্দুন। খম্বগুম মচেং মচেং পুথোক্লুনা শো তৌরগা য়ারী হায়ফেং হায়ফেং লৌবগুম্বনি। লেখক্না থনম্লিবা য়াৎ য়তাশিংদুদগী মরৈ কয়া তোদুনা মরৈ অমা শাগৎপস্থ ঙমদে। পায়া খুদিংগী অহোবদা বেকেট কোংশিন্দুনা ইংলিশনা সবজেক্তিভ কৃতিসিজম জুদিসিয়েল কৃতিসিজম, সাইকো-লোজিকেল কৃতিসিজমনচিংবা থারিবা অসিগী কায়বা করিনো? অপাবনা খঙলয়োই হায়দুনা ভাকপি তিকপিহিত্রা নত্রগা খঙজবা শকক খরদংদু উৎচলিংদুনা তৌরিব্রা নত্রগা সাহিত্যগী ছাত্রনা পরিক্ষাগী ওইনা পাজবদা মুংঙাইনবা লিন্দুনা শিংপা হেন্নবা তৌরিব্রা? অহানবা অমসুং ময়াইগীসি ওইরগনা অপারবু উশিংজবস্থ লাইরিক অসি অঙাংদি চায়না যানহল্লি প্রেমি নোটকুম থোকই, মেচ্যুরিতি য়াৎলি। অকোন-বগীসি ওইরম্না প্রোফেশার নীলকান্তগুম নোট ইয়ুনা ফোংনাশেল তানবনা হেন্না কৈ।

কৃতিক অমা ওইনা সাহিত্যগী লম্বা ইৎহাত্রিল তৌবা হায়বসি কৃতিসিজমগী মরমনা, অরেপ্পা সাহিত্যগী নিয়ম অমা মশাগী ওইনা লৈতদুনা মতুগী মিংয়েংদা য়েংদুনা থাক ওনবা ঙম্বা মাহুতনা ওইগনি। দীনমনিগী ক্রিতিসিজম অসিদ মানা থেংনরুবা পৃথিবীগী অফাংবা সাহিত্যগী মীওই রবীন্দ্রনাথ, বনার্দ শো, হডসন, ফোষ্টরনচি বা ময়ামগী তোঙান তোঙানবা অচাইবা য়াঙাঙ কয়াগী থাক ঐখোয়গী লেখক ১দি সাহিত্যবু ওনখনি। লাইরিক অসি কৃতি-সিজমগী ওইকম থোকপা থাক্তা ওন্নবদি য়ৌবা নত্তে; হন্দবা থাক্তা কৃতিসিজমনি, ছাত্রগী নোট ভন্থোকপনা হেন্না ফগদবা মওং উই। অদুবু য়ারী-মচা, শৈরেং হবগী মহুংতা কৃতিকেল ওইবা থবক পায়খৎলাংবগী। স্পিরিট ১দি পুক্চেল অসাদ, মাগী লাইরিক্না ফএবা ফাওবদা থাগৎপবা ঙমদে।

ঐনা অহোবদা হায়খিবদুনি, মৈতৈলোন্দা কৃতিসিজমগী টার্ম লেতে। অদুবু দীনমনিনা টার্ম কয়াস্ম মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লুনা খরনা হিন্দীদগী পুকতুনা শিজিন্নরি। তাবদা মুংঙাইবস্থ য়াওই; ফাগি মানবস্থ য়াওই।

শ্রীবীরেন

সাহিত্যজগৎ

নমশিন্দুনা অমুম লৈরি।

মনিপুরী সাহিত্য পরিষদনা পীবা থামিনি সুন্দর শুহ গোল্ড মেদল হন্দকী ওইনা 'হয়াদ বেগম' হায়বা পাচা মীতৈনা ইবা উপন্যাসতা পীরনি হায়না পরিষদকী অচৌবা মেম্বরমক্তা মচান্দগী তাবা কংখি। মেদল পীনবা সব-কমিতনা উপন্যাস অসি মেদল পীবদা মতিক চাই হায়না থাংগৎলুবদা এক্সেকুটিভকী মেম্বর খরনা য়েৎপ্নদগী উপন্যাস অসি অনিশুবা খুৎনম নমদুনা খনাননচিংবা খরা শেমদোক শেমজিন তৌরগা কোন্না পীরনি হাযনা নমশীন্দুনা থমগ্রে হায়না তাখি। মেদল পীনবা সব কমিতিগী অচৌবা মেম্বরগী মচীমমক্তা থাকম অসি ময়ামদা রারী শাগোক্লুনা কনফিদি সিয়েন্সি ওইখিদে; রা রা লাউনা পুমমক্তা খঙনখ্রবনি। অসিগুম্বা খনাননচিংবা লাইরিক শেমদোক শেমজিন তৌবগী, অনীশুবা খুৎনম নথগী থাকমসি মমাঙদা মেদল পীখিবা লাইরিক-শিংগী মতাংদদি হোদোক্লাখিদে। (পরিষদকী মেম্বরদি মাইনর ওইবা অমা অনী নংনা অয়াম্বা হোংলক্তি) মমাংগৈগী মেদল পীখিবা লাইরিকশিংদু খনান মনা অমতা লানাখনবা. লায়া লায়া পাখিব ওইরগা, (লইরিকশিংতু কৈ, অদুবু অফবা মশুনদ্যাদ ময়েক শেংনদি খঙদনা) মকপ মপাং ওইবগী মীশক মীমাই যেংলতুনা থাকমতু হোদোক্লদনা অম্ম পীখিব্রা খনীংঙাক্ত'ন অসিগুম্বা শেমদোক শেমাশনগী থবক অসি তৌবদা পাচানা য়াবিনবা পরিষদকা মরা হায়ফেৎ চংপা ১দি রেজিস্ট্রেশান-সিবল পোষ্ট পায়রিবা মেম্বর অমা অনীনসু পাচাদা হায়জচৎচসু তৌখি হায়না তাই; অদুবু লেখক্না য়াখিব্রা য়াখিদব্রা হায়বাদি অশেংবা পাউ তাখিদ্রে। অমা খঙদে, অমা খঙদে মরা ওইরিবা তুংগী ৯াপা চাউরিবা লেখক অমবু লোন্না থুপ্না মখোয় মশেন্নমা তৌনবসু নত্তনা রা রা লাউথোপিরম্লগা নমশিন্দুনা থমলিবসি লেখকপু ইকাইবা পীবনি হায়না লৌবদা করি লানবগে? খনান মচামতু অমম্ম অনী ছাপানখদা শোয়বা (অতৈ খনানগী মতাংদ লানবা ওইরমদবা য়াই; মোত খেন্নবা ওইরগসু য়াহ) অদুনা 'হয়াদ বেগম'গী মহুংদদ্র য়াওরিবা সাহিত্যগী কজবা ১দি অচুম্বা অদুবু নমখবা শমগদৌরিব্রা? হন্দকী পরিষদকী মেম্বর খরগী থাখল আসনা মমাঙতৈঙদা মেদল কংগ্রেস লেখকশিং অদু ফাওবা থা তৈশিনাবরিবসি ফারব্রা? লেখক্না অশেংবা ইজ্জৎকীদমক লেপতুনা লৈগদবা পরিষদনা মেদল পীখা য়ানবা লেখক শাগে হায়না মুংথং পাম্নদুনা তগাম্ররখাসাদ অরাবনি। অদুবু, হেক্তিক ফাওবা ফাইল অদু নমশিন্দুনা থমলি।

কৈন্সু অদ্রতা তৌনদ্রে

৩৪শুবা চহিগী অধিবেশন তৌখিবদগী মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ অদুগা ১১শুবা অধিবেশন তৌখবদগী নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিত অনামক চোকথম্রমাগে সাহিত্যগী স্তাদ সাকলসু যমংদ্রে; লাইরিক হবা অতৈসু লনাক ওইনা চোংখোক্লুনা 'সিমদি' হাযবা লাইরিক অমতসু কোঙলকত্রি; অদুগা সাহিতগী থাকম অমদা মোত খেন্নদুনা খবরদা মেগাজিনদা ইদুননা থাখোক অচৌবা অমতসু থোক্লাদ্রে। মনিপূরদা সাহিত্য'দ লৈতবগা মাম্নরি সাহিত্যগী থাং পাম্নবা অথোবশিংসু ভুমিব ভুমিন লৈনখে। সাহিত্য একাদমীনা লৌশিন্ন বিরপা ইথঙ খঙহোদনা চাউখৎচপানি হায়ন খল্লমখ্রে।

NEWS PAPER REGD. NO.
RN. 17998/69

তমফা ষ্টোর

বি : টি : রোড. ইম্ফাল

★ নীংথিনা অমদি চেকশিননা মতমগা চুনবা নমুনাদা ফিরোল তুজরি ।

১। ওমজবা শক্তিনা অয়োমগী নীংবা থুংহনজগে ।

২। তেরিকটন, তেরিউল, তেরিলিন, লংক্লথনচিংবসী ফি মখলশিং অমদি অতুবা স্যুইট, ফুরীগী কোট অপাম্বদা শনবিরো ।

৩। মপালদগী লাকপা রেডিমেট মখল কয়াম্বু লৈজে ।

১। লুপা চাম্মদা কুনগী হৌদা নেপাঙ্গ গীবিরগা ওদর তৌবিয়ু ।

২। ঐখোয়গাদা লৈরবা ফি মশক অমম্তুং ফংফমতুকান ডাকপিরনদি অদর অত্মাক লৌজে ।

৩। ওভাইয়রদবা ওইবরদি নোংমা মমুংদা স্যুইট অমা তুবগা পীজগে ।

★ নহারোলগী কাওবে : তুবদা ঐখোয় য়ামনমক হৈনজে ।

★ মপাল খোক্লুনা মহৈ তম্লিবশিংগীদমক খোয়দোকনা অতাবা মমলদা য়োৎজে অমদি তুজে ।

খাজবিয়ু—

● অখোংবা ছাত্রনি হায়না শক্তাকাপবরদি অতৌন লুপ চাম্মদা ১২ গী হৌংদা ডাকগন ।

● হায়স্কুল নত্রগা কালেজ ছাত্রশিংগী মতুংদা মায়মক খুনোং চাদবা ছাত্র: ১দা কতনগী ফুরীৎ খোঙগ্রাও জুরা ১/১ দং গীজনাংই টু দক্ষ ইউনিয়নশিংগী সেত্রে টরিশিনা খঙহনবিরকপা পামজে ।

ময়ামগী,

মেনেজর ।

অরিকে, মধুবাবুগী

কায়রবা মূর্ত্তি উরগা

নহা ওইরবা কবিগী অনাওবা ১মুং অনোবা শৈরেংগী লাইরিক অসি পাবিয়ুনা অনৌবা মৈতৈগী শৈরেং মশক খঙবিয়ু ।

মমল লুপা - ৩-০০

সাহিত্য

(10) Sept 1970



নোংচুপ্পগী পুরকপা খরা

...লোনগী কবিতাশিং মমবা ডাক্তরা

...মীচত মৈজমবা তোমবা জাব

ওতম



২ অহমশুবা চহি অমাশুবা মশীং সেপ্তেম্বর ১৯৭০

মমল [illegible] ১.২৫

ৱাখল

অহুমশুবা চহী, তরাশুবা মশীং
৩০ সেপ্তেম্বর; ১৯৭০ ইং

ৱারেং

ৱারী মচা

শৈরেং

লাইব্রিক নৈনবা

খণ্ডহঙ্গবা

রাখল পারগা রাখল খনবিবশিংনা 'রাখল"দা যাওরিবা রারেং শৈরেংদা য়ানীংদবা; অমদি হায়বদা রাৎলি খনবিদুনা হাপচিনবিনাংব, পুম্বা কখা ইবগা পীবিরকউ। মমুৎ তানা নৈনবিরক্ত,বদি পীখিরকনু।

রাখলগী গ্রাহক ওইবগী চহীগী শেনথায লুপা ৫, দাক্না থাবগী লুপা ৭নি। গ্রাহক ওইবিনীংবশিংনা মখাগী ঠীকানাদা চিঠী হবিরকউ।

ময়ামগী
ইদিতর, "রাখল"
নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি
রাজকুমারী রেষ্ট হাউস
কৈশাম্পাৎ, ইম্ফাল।

মখুমঃ মথক থংবা রঘুপতি সহায় ফীরাক
মখা ইন্দ্রা পাউণ্ড
লাইশিংস য়েকথোকপা এ, চিত্রেশ্বর শর্মা

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগীদমক শ্রীরেংখোম জ্যোতিন্দ্র সিংহনা ইদিতর ওইদুনা দি মনিপুর কো-ওপরেতিভ প্রিন্তিং সোসাইতি; পাউনা বাজারদা নম্লগা থোকখা।

শ্রীজ্যোতীন্দ্র সিংহ

মৈতৈলোনগী কবিতাশিং মল্লবা ওাক্তরা ?

মৈতৈলোলগী কবিতা কয়ামুক উরক্রে ; মহৌশাগী মইদগী হোংদোকপা নহারোলগী কবিতা অহুগা থাইনগী পম্লিং চংপা কবিতা ঐখোইনা উরে। নহারোলগী কবিতাশিং অইবশিংবু "মোর্দন" হেক্তা মহায়রসিরা ? অরিবা নমুনাদা ইনরিবা কবিতাশিং অসি ফত্রবরা ? খল্লবা য়াবা ৱাফম ওাক্তনি।

অরিবা নমুনাগী কবিতা অইবশিং অসিনা তঙনা থল্লী চংনরম্লবা ছন্দ, তাল, লয়দা শেমথরবা কাব্যগী ৱারক মতুংইন্না ইরগা, সাধনা তৌরগা অফবা কবিতা (ক্লাসিক) থোক্লকনি। অহুবু খবনদি হায়রি ঐখোইগী অমনবা পাম্বা কবি কাংবুশিং অসি মখোইতনা কবিনি হায়না চংচবনি, মাখোইবু উনিংলুদ্রে, মাখোইগী মতৌ উবদগী মৈতৈ লৈবাক্তা কবি হায়রগা ময়াম্না নোক্লনিংবা কবেল্লবা অমা ফাওরবনি। কনাগুম্বা ৱারো ইবনদি "কবি চংবা" হায়হুনকাও ফাগী তৌবিল্লি। ফাগী তৌরিবশিং করেম্নরিবশিং অসি কবি ওইরিবা মী মশাদুবু নত্তে, মহাক্না ইথোবকপা কবিতা অহু তাক্লরগা নত্রগা পাক্ল-রগা তৌবিরক্লিবনি। অহুনদি অমনবা লম্বী চংলিবা কবিশিংগী অমনবা মওংগী কবিতা অসিদা অশোয়বা অমা শোইদনা লৈরে।

অমনবা কবিশিংগী ("অহল্লোন" হায়বা ৱাহৈ শিজন্নবা চুমদে মরমদি চহি ১৫।১৬ শুবা স্কুল কলেজগী ছাত্র ছাত্রি নহারোল কয়ামুকম্থু কবিতা অম্নিবা মওং ওাক্তা ইবা পামজহুনা হৌজিককাও ইনরি, অহুনা চহিরোমদা য়েংনরুবা য়াদ্রে ; ভাব লোমদা থম্নবদা অমনবা ভাব চেনবা মাম্নবহু য়েংলগা "অমনবা" হায়বা মওন অসি হাপচবনি।) কবিতাশিংবু ঐখোইনা কবিতা নত্রে, ফজত্রে অমহিক্তি ইমুং মুংওাইত্রে হায়না হায়রুবগী ৱা নত্তে। কবিতাদি মওইবা জাংনি, অকেবা মওং মতৌ পায় তাবগা লৈশাবি শাই কল্লপশিংগী মশাইগুম উরুই। য়েংদ য়েংশিল্লুরগা হম্নবীগী মমাই অথুইবা মথক্তা খিল্লিবা চন্দম্না ফনা ফজনা খিন্দুনম্থ চন্দনগী ফজবা অহুদি মরৈ হায়ববু য়েংবা শুমদহুনা ঐখোই মাই লৈথোরকই। মতৌ অহুগুম অমনবা কবিশিংগী কবিতা অসি হম্নবী মমাইদা মওংদা মতাবা অতৌবা মচুদা মথোক্লবা চন্দন অথিনবগুম থোকহল্লে। ওম্বোক্লা অহন মতম-সিগা পকচদনা চন্দন অসি খিল্লেদা হায়না মীনা থম্নবীবনি হায়বসিমক খন্ননবা তৌদনা ওসি ফাউবদা হিংলিবা মৈতৈ কবিশিংনা থংজবা শুমত্রিবাস অবাবনি.। শেম্নবা কবি অমনবা ওাক্তনি। চিন পৈহুনা নাকোইনা ওাংহুনা হায়গদবা ৱাদি হায়রহুনা, থম্নগদবা ৱাথলদি ফোংদোক্লনা, মতৌদি মালহনবা অসি অমনবা কবিগী হৌনশানি। হৌথরবতগী মতৌ তম্নহুনা

কজবনিনে কজবা, মুত্তাইবনিনে মুত্তাইবা হায়রদুনা ফুম্বি কালেন থাইদনা রসতা তাউরবা রাহে লৈতেংগী মকে শেয়রবা কবিশিং (genteel poets) অসি ঐখোইগী মৈতৈরোল সাহিত্য মরক্তা কৈজোম তোমাল কাওদুনা ইরফি অঙোবা ফিথুপ নাইনা লেংদা য়ান্দুনা খোংউপ খুখ্রাং লোথোক্তুনা থূপ মেক্রুক থাদুনা কবিনি হায়দুনা উং আং ওংলক্লিবা ফনা মকুইরক্লে।

মাখোইনা হায়রকনি মতমগী ইচেল চেম্বজসমু সমাজগী মওং হোংসমু. মীওইবদি মীনি, মীওইবদি মীনি, হোংবা লৈতে, ওনবা নাইদে মমুংগী অরোনবা অথুপ্পা অমত্তনি, ইতিহাসনা সাক্ষিনি। অদুবু ঐখোইনা হায়নিংঙি, ইতিহাসতা অশেংবা ফুম্নবস্থু মতমগী ইতিহাস মতমগী মীরোল মীরোলগীনি মতমগী খোংথাংদা মতমগী মিংনা উগদবনি। নত্রবদি মতমগী ইতিহাস, হিংলিবা ঐখোই অমস্তুং হৌজিক্কী সমাজ অনিসিগী খেন্নথরবা মরক্তা অমনবা কবিগী হজিন হজিন্না ফুরবা লিলপোপ খোল্লবা কবিতাশিং অদুনা ঐখোইগী থনুংদা হৌজিক্তি শোকপা ওমনদ্রে। ঐখোইদা কবিস্থু নাচুংহনখিদ্রে, কবিবু কান্নবিবগে খলহন্নে তারুবদা 'লেংশিন্নক্লে ইমা মৈতৈচম্বু/মৈতৈ সাহিত্য মন্দির মমুংদা/য়েন্দাই থন্না লৈহাপ্তুনা। ... কমল/লাও মৈতৈমচাশা মাংদা সাহিত্য লৌকম ভাদনা লৈখি/চিংজিন মতম লাকপদা লাজল পাইদুনা শিন্দমসি।—(গৌরকিশোর)। খোর্জেঙ্ মুকফু খুৎলাইবু/খুৎথৎ চেৎনা পায়দুনা ...... ভত্তনা ফজনা অপোই শাহল্লগা। মৈতৈ সাহিত্য ঈথক কাহনসি।... ('খুমন্থেম ইবোহল') "পজেম ইমাও। শেংচরেগেদ্রি রেশম ফুরিৎ।..." (বেদজিৎ)। "লৈহাও কবি ইমাও।...থারসি জার,শোন্নসি লৈখোও। মতৃপূজারিশা। সাহিত্য প্রেমীশা।" (রাজকুমার মধুবীর)। অদুগা এলহৌংগী অমনবা কবি সমরেন্দ্রনা ওইরিবৈ থিসি লাও, য়েংশি লাও, মনসি লাও।(লৈলাংবা) অমস্তুং 'লাইররবী ইমাগী মল্লবা থাংপোকসে। চন্নসি, থাল্লসি, লেংলসি ওসিদি। '... (মৈরা পরেং) ... অসিনচিংবা মৈতৈ সাহিত্য চাওথৎহনিংবগী কবিতাশিং অসিনা মতম অমদদি মকান্নরমগনি হান্নসি হায়ববু হৌজিক্তি কবিবু কান্নবিগদবা? কবি ডাক্তর কমলনা ইথিবা অদুনা অদুম ওক্লবা জাংনি. অদুবু চহি তরা তরানা যুগ শাই হাইবনি কাউখিদুনা যুগ হোৎখ্রবা মতমগী কিরেপ্তা ওসিন্থু অমুক হিংলিবা কবিনা কবিগী হন্না হন্না ইফম খোকপগে? চহিদি য়াম্নবা মুপান্নুপী অমনা কৈন্থু তৌওমত্রবা অমা ইফক ফকচিন্দুনা চাউবং ওইনা লেপ্লগা মথুং তবং তবং তৌদুনা থ্বাইনা কংনৈ হায়বগুম লৈনা অমা অনি অঞ্জলি লংশিনবগুম তৌবা অদু পার তারগা ঐখোইনা সাহিত্য চাওথৎহন্নিংবগী রাখলদুদি অমুক থল্লুবা ওমদে, চাউবং অদু ফুনিংবনা খুংসি মরেং মরেং চংলকই, নথিবোং পান্দ্রা হায়দুনা চৈনিংঙকই।

কবিনা খোংচৎতা মতমগা চুনদনা রাখল পোকহনবদগী কবিতা ইবা অমনবা কবি হায়বা য়াই। মুংশি মুত্তোলগী কবিতা অমা ইরবস্থু মশা মত্তোমতগী ওইজবা, মতম লৈ লৈতে হায়বা উদবা কবিতা ঐখোইনা খেংনৈ 'থম্মোইগী পাউদম,—খুমন্থেম ইবোহলগী অসিদা অদুম্মক অঙাং

কিজাই শাংবা কপচেংপনা ভংহুনা লৈবগুম মিৎয়েং নাশমতগীতা ওইনা অত্থুম লৈ। কবিশিংশিনা পূন্সি, মতমগী ইচেল অসিনচিংবা কয়া ইরকপদা "তারি রাবদি চেল্লুবা মাইকৈদা। কলি রাবদি চোংলুবা থুদিংদা" (মীনকেতন ভাইবং শজি)। "তমপ্রবোইদো বিধিনা। নাপন জমদম স্বর্গদা য়োরবরা লৈরাংও" (-অঙাংহল প্রেৎথংবা লাংথবানগী লহাও লৈবেন তুবা)। অয়ুকী মতম্না সন্ধ্যা ওইরক্লবদা। মতমগী ইপাক্তা শ্রেৌনা কারবা ইথক্না/... পুন্সিগী রারি অত্থ/... মাগী পুন্সিগী রারী লৈররোই—(রজনিকান্ত—পুন্সি) "তাইবং মালং নথুৎলম/নংগী শান্তি পাউজেল্লি...শক্লাইদবা নহাকপু থম্মোই তোয়না চোজরি (নীলবীর শর্ম্মা—থিজবা)। "লেপ্লে, পোথাদে, নাচুংদে, মাদি চৎলি নাম্বোক্তে থরাইনু কিমা কিনা তুংইল্লি (চিত্রেশ্বর শর্ম্মা—মহাকী জিচিংদা) "নংগী খুৎশেম, ঐগী অশা/জগৎকী খোরাং/লুপথিনি মতমগী ইরোম্নুংদ। (ইবোমচা মানা লিশা), "পূন্সি। নংবু কৈদগী লাকপনো ?। কৈরুনো নংনা চত্তোরিবা? (রা কুঃমথুবি'র) ":ঐদি পথিকনি । চৎপতনা ঐগী ইথৌনি। হোথরে তাংথক কয়াম্র। পৎতুনা শুমতুনা মাংখবে। ... ...শাদানবা থরানমিচাকশিংবু তানতুনা। লুপথিগনি মহাকালগী গর্ভদা। (ধবলসিং বিদায়) ... অসিনচিংবা কবিতা কয়া অসিদা মরম্নাইতগী ওইজবা মিৎয়েংনি সমাজ অমসুং সভ্যতাদা শীংনবা ভমজদবা রাখলসি; থম্মোয়মুংদা পোক্লকপহু মরৈ (reason) তুবুম অমা হায়দোক্লুদনা অমদি লৌশিংগী নরিক অমা হুপতুনা চাংয়েংসুবদা অশুম্না মত্র নত্রগা পুম্নমকপু থংহল্লে হায়বা কোম্ন'লা ঈশ্বরনা তৌবনি' হায়বম্নদা হেক্তা পানশিনবা কবিতা ভাক্তনি। অসিগুম্বা কবিতাশিং অসি রানা ইবা লৌশিং ভাবা কবিতা নত্তে, মথন্তা মচিন্দা মুক্লম মুক্লম শোজবনি, মা মশানথু হম্না পারবদি কমিবু কাম্নরীবগে হায়না থম্লিনি। মথোইগী ইতিহাস, (Historicism) ওইবা, মতম লৈবা (Time eternity)মফম (Space -continuity) নাইবা অমত্তা তৌদে পরীং অমত্তনী মাইকৈ অমত্তনী History never goes straight, হায়বহু থংজবনি। মথোয় মশাহু মত্তক্তা মনোম্নপা পুম্নক ওল্লে হায়নবতা থম্লি; মিৎফম নাম্মদগী মফম হোংহুনা য়েংবা হৈত্তে, খম্বহু ভমদে, থজিক্তুং থংদবগী থোংজিল য়োবদা য়াম্না লাইনা হায়দোকঅম্মি "মপু মাগী থুৎশিম্নি, প্রকৃতিগী হৌনশানি। 'মুংঙাই' থোকপম্নু হৈ, "ইবুঙো নংনা পূবিম্নু নংগী চরন নাক্তা লৈজগে। "হায়রগা মীওইবগী জ্ঞান তৃষ্ণা খোরাংবা পুম্নক থোকহল্লে। মানদি কয়া ভমদবহু ওঝা শাহুনা (Pedagogic) 'চংশিল্লু, চোংশিল্লু তৌ, চৎলুম্নু, হায়গম্নু' অত্থুম্না মীঙোন্দা ইনশিনবা থৌজিনবা কবিতা কয়াম্র লৈরি। অঙাংগী অহনগী মত্তৌ থর য়েং, হৈরাং অমা লৈরাং অমগী মত্তৌ মঙং থর থা, উনা রানা অমগী মরমদা থর হায় শিথ্রবা মরুপ মপিজা থরগী স্বর্গ কাহনবা শৈরেং থর থি, কাইনবা বিদায় থরগী শৈশক তম অত্থগা মবৈবাক নিংবদা মীঙোন্দা থৌজিলবগী রাঙাং থর ভাংলগা অত্থুম লোইরে। কবিতাশিং অসি ইবদা মথোইনা রাহৈ কয়া কয়া মথোং য়েত্তা অমুক

থাং ওইদা অমুক থাং, অনিরক অনিরক চোংলগা অমুক অমুক কয়, তরেৎনেক তরেংনেক কাল্লগা অমুক অমুক লেপ অশ্না মকে শেম্নবা শৈনিল, শৈরাও, শৈখোল হায়জীন্দুনা শন্দনা কবিতানি হায়জীন্দুনা পরিং কাইহন্দবনি, নিয়ম নাইবনি হায়ন্থনা ইনবা ওাক্তনি। কবিতাশিং অসিনা ছজিকী মতমদা ঐখোইদা করি রাখলবু পোকহন্দুনা করি অশিংবা ফংহনবগে? রোবার্ট ফ্রোষ্টনা হায়খিবা 'কবিতাগীদি মুঙাইবনা ইহৌনি শিংলকন্না পোলোই এই (begins in delight and ends in wisdom) হায়বথু মতমসিগী মী ঐখোইদা খোইদোক্লা মৈতৈ কবিশিংনা মল্লবা কবিতাশিংসিনা ফংহনবা ঙমগ্রা?

থম্মোইদা ফংবা ইহৌ (সেন্তিমেণ্ট) অমত্তনা ইচেল মচা অমগুং থোরকপদা অমুক ৎম্থগা তৌদনা লোক্তাক থারা শাহনবা মৈতৈ কবিতা ওাক্তা ওইনা তৌহল্লি। শাংনা ইরিবা কবিতা অহুগী মমু দা মতক অমত্তা, মতাং অমত্রা কবিতাগী অশেংবা মমি তাই, মশক ক ওঙ মরমদি শেস্তমেট মচা অহু অহুদা হৈনান, ওগ্রগদি মেতলোনগী কবিতা অযাম্বাদ কৌরাম ওাক্ত ওাইবা রাহৈগী রাহৈ ওাক্তা ওইবা লমাই থন্নবা ইবা কবিতাগুম তৌই। কয়াদা ঙকথরবনো, পিকথরবা শেন্তিমেটকী ইচেল চা অমবু কবিতাদা গোম্নুখিদগী ভগীবথি গঙ্গানা চেম্বরকপা ইচেল ওইহনগনি হোৎনবি-বসিবু। ডাক্তর কমল অঙাংহল, চাওব নবদ্বীপ দরেন্দ্রনচিংবা লৈখিদ্রবা কবিশিংগী মতমদা তৌরম্বা কবিতাহু অনৌবা নহারোল ওসি ওরাংগী কবিশিংনা অমদি চহি অহুম ওইজরবহু হৌজিক হিংলিবা কবিশিংনা করিগী নমকু যুক্তনা মতুংইল্লিবনো? ঐনা ওসি মল্লবা কবিতা হায়বনা ইজয়কপদা লৈখিদ্রবা কবি কয়া কোংশিল্লুরে অসি চাংদম্নদবা য়াদবদগী কোৎনুবনি মতাংদা হায়খিবনি নত্রবদি মাখোইমকপুদি হায়রবা অসি চুমদবা অমনি; অহুবু ইরক্লিবা প্রবন্ধগী মতুংইন্না লৈখিত্রবা কবিশিং অসিদদি ঐগীদে অকাইবা নত্তে।

কবি মীনকেতন্না হায়রি চৌংথুদো হান্নি, লোক্তগী তান্না, পাৎকী থঙ্গোং, তমগী পি-থাদোইগী খোইন্দ্রেনা শৈশক্লবা মৈতৈ অশৈবশিংগী শৈশক্লি। হৌজিক চৎনরিবা কবিতাশিংনি য়েংলগা মথা রা শমথজনিংঙি অমনবা শৈশক হৌজিকসু শক্করি কয়াম রাথে,—কবি চাওবনা মাগী রাখলগী ইচেল লাইরিক্তা কবিগ্ন ইরকপদে। কাব্যগী রারক কাইগনি কিখিবনা হায়নিংবগু হায়ওমদে হায়খিবহু অমনবা কাব ওইবশিংগী কাংবুবুনি। কবিবু অরি-অনৌ খাইত্রা, কবিতাহু মল্লবা মতৌদা হায়রিবা করিগীনো? রাখলগী মতুংইন্না খায়দবা য়াদবা মতাং লাক্লহুনা তৌরিবনি। মগ্গক্লবা রাখল হায়রুবা নত্তে। মতমগ চুনত্রবা রাওলদগী পোকখিবা কবিতা, অরিবা কাংলমদা চৎলিবা কবিশিংগী মফমদদি মওং তারবা মথং মনাও লাইবা সংসার অমগী রারিনি। কবম্বা সংসার? পুম্নমক্লা থংওম-উতমত্রবা লাই নত্রগা লাইগুম্বা অমনা মথং মন'ও অহুম শিঙ্গবা অহুদা কবিনা মশা মথন্তা রাখল থঙ্গবা ওমদনা,মপাও পাংক্লদবগী মথৌ ওমজদবগী রানি 'ঐ চৎলি কবি, ঐ চংলি। উমংগী লিক্লা শিল্পক্লি।... মলয়া নাম্বিবা পোখারি।...

(থবলশিং গুসিগী অহিং) "থাবল করবা অহিংদা মিনোক চাওরবা থাজনা।... খিন্নিদো হুয়া হুয়া।" (রজনিকান্ত—তাজমহল)। কমছুনা লৈ রহমত। মথন্নতা তুমিন্না।' (সমরেন্দ্র— রহমত)।

মমি শান্নবা পৃথীবীনা। কোক্তা খুৎ হাপ্তুনা পৃথিবী তুম্না মাঙপদবা।... হায়বু কবি নংগী কবিতানা থিংবা ঙমখিগদরা? (ইবোহল—কাইদৌরে পৃথীবি)" রাহোং কয়া কোকিল কয়া খোংখরে নোইনা নোইনা।...রতম চায়রে কবি বাঁশিগী স্বরনা নঙগী পীয়ু পাঙ্গল অশোনবগী" (রাজঃ স্থরেন্দ্রজীৎ বাঁশিগী থম্মোয় ইহৌরো)।

কবিশিংসিগী মল্লবা শৈহেকশিংসি অচম্বা ঙাক্কনি। ঐখোইনা য়াম্না লাইনা খোং মোজাগী লং মতুম হন্দোকপগুম হন্দোকপা ঙম্মি। লানত্রা চুম্বা। হায়না মরৈগী কাংলোন পুখোক-লুবগী দরকার লৈত্তে মরাইনা পোপ তাজরম-গনি। ইয়া য়ানরবা ইওই ওইহুনা লৈজরবা সংসার অমগী নিত্তিদা কবিতাশিং অসি কাহুনা লৈ। মখোয়গী মওং তানবা চলন অমদা চপ মান্নরপ তৌনা খোং থাংবদগী মওং পাউতয়বা (Cmmunication অত্ত ইমান মমাম্নৈ।) মহাত্মা মী অচৌবা অচৌবা অথোইবা অমগী মরমদা লেংঙকপা কবিতাস্থ ইমান মমাম্নৈ মগুণ থাবগী রাহৈ মোংশোং (Verbiage of adjeo-tives) ঙাক্কনি।করিগী মী অমগা মী ১গা মান্নক্রিনবনো হায়বত্থগী জ্ঞান পোক্কবা (intellectuel) থিজিনবগী (analyticel) রাহং য়াউদে। মৈতৈরোল কবিতাগী লোন্দা পুদাস্থ মতমগী চানবা রাহৈ শিজিন্নদে অমনবা রাতা শিজন্নবদা পেঞ্জে। অত্থদগী অচৌবা অশোইবা অমনা মৈতৈরোলগী কবিতাশিং অসি শাখিনা মথন্নাই লুম্না (Serio-usly) অইবা লৈত্তে কবিতাগী মওং চাওয়াৎ য়াৎপা ঙাক্কনি। করিগীনো অহানবা নত্রগা অনিরক শুবদা থারিবা কলমগী চৈথাদা হকপা কবিতা ঙাক্কা ইনরিসিবু?

হায়রকই কনাগুম্বনা।—মণিপুরগী রাংমদা ওনখিবা ইতিহাস, বিজ্ঞানগী খোংচৎ, সমাজগী ইপোম, সংস্কৃতিগী ইচেল মণিপুর মন্থংদা থুংলক্নি, জাপাল লাল মতুংদা থিত্তং সমাজ অসি য়ুহারা-খিবদগী নিক্তুনা খোংজিনদা থুংলবতা মঙাইরি, অত্থগা নহাক্না করম্না উপদোবিবা? নখোইগী নরক্তগী ননা শিংবা অমা অনিতংনা করিনো অমা থোংজিন্দা কাক কাক থিল্লবগী মখোল তাখিহুনা কনা লাকপগে`করিনো হায়না ননা-কোংদা মথাঙ্‌ংলক্নি—'কদোমদনো, কদাইদনো করম্বনো?'। ঐখোইনা তাখি ঐখোইনা তাখি। (নিলকান্ত "লম্মাংনবা" ইং ১৯৫০ দা কোংখিবা) অত্থগা অমুকস্থ কুনগুবা শতাব্দি। সীতা, সীতাদি সীতা।। অত্থবু ঐনা থাজসিন্না? (সমরেন্দ্র-সীতা)

খোংচৎ অসিস্থ তপ্পমগদবনি অত্থবু চাক-তাংহুনা রেশনগী চেং নমথিবা লাকপদগী থজিক্তং থুনা হোথংলক্তুনা খোং হাংদোক্লক্নি। অত্থগা অযুক্তা থোংজিন্দা লেপ্লহুনা অঙাংনা মমিৎ নোইর-নোইরহুনা নোঙাল্লক্নে, নোঙাল্লক্নে লাউবগুম "মোর্ডন, মোর্ডন কবিতা" হায়না লাউনরক্নি। ওইরক্লিবা অনুক নোংমন্থ মহোশাগী মহোশানি য়েংলিবা মীস্থ মী ওইবগী মীওইবা অঙ্কানি, অত্থ ওইরবদি মোর্ডন কবিতা করিনো। ঙসিদি মাগগী মরমদা খোইনা শাংনা ইজরোই মথাগী খর অসিমখৈতা হায়জগে।

শ্রীএ, দিনমনিগী মোর্ডন কবিতাদা, মহৌশা খঙাল খোইমুগী ইনরঙ্ঘহ হৌজিক্তি কল কারখানাগী থম্বা ওইন ভোবা ‘থীম’ বাহৈ য়াতা বিষয় হোং-লকপগী বা হায়রি। হায়রিবসি পুমচুম চুম্বা নত্তে। বাহৈ য়াতা ‘থীম’ হোংদোক্লগা হেক্তা মোর্ডন কবিতা শেম্বা নত্তে, তথক তথকপা বা অমা অনি অয়ুক্তা নাম শোক্লগা ঈশ্বর ক্ষংবা নত্তে (A few sparkling thematic chenges do not make a poetry modern) ‘মোর্ডন’ হায়রগা অনৌবা হায়না হেক্তা হায়বা য়াদে। বাহৈ অনি অসিগী অর্থ খেরৈ। অরিবা পাউয়ৌ অসিমা সংজ্ঞা হায়া ইয়া য়ানরম্বা রাকম, জৌনরম্বা কিয়েপ জোইনা অণ্ডকপা কংনা থুগাইদুনা অনৌবা মওংগী জগৎ অমা (A new world of order) লাক্লবগী নুংশিং শিংলিবা ইতিহাসিক মতমনি। মরাক মমুং নাইবা ইউক্লিডকী জ্যামিতিগী মকম চৎনক্রে, এরিষ্টোটলগী লোজিক শিদোক্রে, নিউটনগী ফিজীক্সকী কক্ষম মাঙলে। মশক নাইবা অশেংববু (ফিজিকেল রিএলিটি) লেপ্পা লৈতনা জিওলোজী, কেমিষ্ট্রি, বাইও-লোজী, ফিজীক্স ওপটিক্স অমদি সাইকোলো জীনা হম্না হম্না মশক পুথোরবা লাররি। বিশ্বজগৎকী অরিবা আইন নিয়তিগী নিয়ম অহু ভাক্তনদি লৈরিবা মওং মতৌ (ফেনোমেনা) শকতম অসিবু হায়বদা পেম্না কোংদোক্লে। শন্না হায়রবদা সাহিত্যগী উপমা অসি থাইনগী সংজ্ঞা মীংগী মীথা অসিদা কোম্বরকত্রে লোল' অনৌবা হায়নহুনা অনৌবা রাখল কোংদোক্রবা ভাই, লোল অনৌবগী উপমা অনৌবা চংখি। শতাব্দি মুনত্তবগী মাঙ্ঘইশিংদি ভোক্তাম্না য়েংবা, ভোপ ভোপ্পা ভাবা. ভোথাইনা অমথা অসি তম্নি অমহিক্তি ভোপ ভোম্না, থাইদুনা পাউ জৌনবা (Communicate) তন্নকই অহুনা সাহিত্যদা পাউ জৌনবা শিনথা অহুম্নু হোং-দোক্ল্না শেমগৎপা ভাই। (The change in literary Communication is to developed) মরম অসিদগী মোদর্নিষ্ট কবি খিবিক্লা মীওইবগী খুদক্তা ওইবিবা কিবম মতৌ অমদি নিত্তিগী ওইরিবা পুন্সি অহু মতমসিগী ঈহৌ অমম্ভুং ভমথিবা থংনিংবা অমম্ভুং লৌ-শিংগী খোম্নাংবা অসিগা চানমবা অনৌবা কবিতাদা ফোংদোক্রবা য়াম্না লুনা খরৈ। থাজবা অমম্ভুং চিংনবা অনিগী সংঘর্ষ (য়েৎন-রকপা) অদ্ধমক্তনা তম্বনা লুম্বা, পুরিবা ইচেলগী মপাঙ্গলদি অহুগা মিৎয়েংনা মকম অসিরাই-তগী আশাদা নত্তে, রাংম রাংমগী বাংম ভমখৈ নাইদবা ইপাক্তীনি (Cosmic optimism) লন-থুম অমদি সমাজগী ওইনা মুক্তরকপা অমদি মশাগী ওইজবা অমম্ভুং অপুনবা ময়ামগী ওইনা পুরকপা রাখলগী ইথক্লা য়ৈরকপা অসিদা অচম্বা মী অমা নাইতোম তাহুনা ‘‘ময়ামগী ওইবা’’ হায়বা গনতান্ত্রিকী রাকম অসিদা লৈবা ভমখিগক্রা? (Could the simple separate individual exist on demo-cratic term ‘En-masse’) অম্নম্না মথকী রারোল অসি আমেরিকান লিতরেচরগী তাইম ওক হাণ্ডেষ্ট হায়বহুদগী থম্না শকৎলগা ঐখোয়না মোর্ডনগী মশক মচেক অমা থংবদি য়াই।

ইং ১৯১৯-২০ দগী হৌনা চাইনিজ সাহিত্যদা মোদর্ণ কবিতা চংথরে হায়না ভাই রুশিয়ান কবিতাশিং (ইংরাজীদা হন্দোপা) থরা পাবদা মনিং তমদবা খুর্জি অমনা কাবগুম্বা ঐখোইগী মণিপুর সরকারগী থাখাই চেফোং অমদি ভারত সরকারগী চেফোংগুম্বা থরগী স্বভাব অদু ঐহাক্না থেংনৈ, ইপেন পেনবা ওমদে। অমেরিকা নত্রগা ইংরাজি লোন্দা ইবা কবিতাশু ১৯৩৬ / ৩৭ ইংদগী মোদর্ন কবিতানি নত্তে হায়না য়েংনরকপা হৌরকপনি। মণিপুরী কবিতা অনৌবা ইবোপীশকী 'অপাইবা থরাই "থাজৈশেংনমক মোদের্ণ মমি তাই, এহাক মশা করিগুম্বা কালদা অমনবা কবিতা লোনচঙা চৎকে চৎকে তৌই। শ্রীবীরেন অনৌবা কবিতা লৌশিং হাপ্নবা হোৎনবদা (intelloctualised) নিলকান্তগী খুত্থং ইব্রি অনিমক্কী কবিতাদা হৌজিকফাউবদি তশেংবা মশানা তাজবা মপোকথোক্কী কবিতা হায়বা য়াত্রি, অশেম্বা কবিতাদি মওইরে। সমরেন্দ্র মশাক্কী কবিনী অত্তবু লোইশনবা তমদবা, সেরিয়শ ওইদবা অমম্তুং মতং মতং তৎপা খুবাক মায়গুম মাগী কবিতাদা থেংনৈ অদু ওইদ্রনসু মহাক্কী কবিতা থরদি মোদর্ণ নত্তে হায়বা ওয়োই। রাজকুমার মধুবীরগী 'মচু মচুগা অতিয়া' নত্তবা 'কায়রবা মূর্ত্তিবু টরগা" হায়বা অকোনবগী কবিতা ময়াম অসিদা নোংচুপলোমগী মোদর্ণ পুশিল্লকবা অমা য়াম্না থানা হোৎনবা থেংনৈ করিগুম্বদসু লম মদোমদা থেংনথরবা কবিতা ইত্তান ওয়া মশক মৈতৈ ফনেক শেংচল্লগা লেপ্তুনা লৈবা উই। মখোই অমা অনি খোংজিন্দা লেপ্লগা নোংতাক্লে অঙ্গেরিকা অদি মরাই অতভদি ভাবনেল ইকো তাননা ভেলকার্টকী "ঐ লৈরগা মং লৈবমি" ঐ মং হায়বা অনিতা মউবা এতোম ফাউবদি মীনা লৈয়ে হায়মৈ হায়হুনা লৈরে লৈরে, মহাক্না, এতোম্ব, ইলেক্ট্রোন ন্যুট্রোন খাইদোক্তুনা কার্ক ফাওবগী মওংবু স্তাদি তৌরকবা অদুদি খংদ্রিবা মী ওইনা তোই।

মৈত্রবাক অসিদাদি জ্ঞানগী ইপাক ইরাং হৌদ্রি, অথং অশিং য়ামদ্রি। অদুবু হন্দক্তা আমেরিকাগী ভাইস প্রেসিদেণ্ট এগন্যুজনা (Agnwes) হায়খিবা মী খুজোক অমত্তগী মথুক্তা অমেরিকান মিলিয়ন কয়াগী ইপাউ শায়ফম ওইবদগী মখোই থরসিতনা পুনিংবতা পূর্ণ হায়বগুম নত্রগা জগৎ ফাওরবা ন্যুটন্না সমদ্রগী তোর্ব্বান্দা লৈত্তোই পেকতুনা শায়রি হায়বগুম লোইবা নাইদ্রবা মীওইবগী লৌশিং অমসুং সংস্কৃতিগী খোংথাংদা ঐখোয় থরসি নিংহনদনা অসুম চংশিনসি। নোংচুপ নোংপোক্কী কল কার থানা মৈথু পুশিল্লকত্রবসু মৈত্রবাক্কী লৈরিবা থেংনরিবা মতমগী ফিবম অসি ফাহুন। মোডর্ন কবিতা ইহৈদে হাযবা লৈতে। মীওইবগী মহৌশাগী জগৎকী অরোনববু ফোংদোকনবা হোৎনবা অসি অরিবা অমসুং অনৌবা সাহিত্য কালা অনিমক্কা উদ্দেশ্যনি, ফোংদোকপা মফোংদোক্কবু খেরবান। গ্রন্না মাপল গুবা চেফোংদা ইজখিবা কলাগী পোৎশক্তি সনাগুম্বা থাজুনি, মওংদা থুগাইহনা নোনা নোমা শেম্বনি হায়খিবা (মসিদা ইমেজিজম হাংগে হায়রবসু হায়বীয়ু) থাকমদু হোংদ্রি। কাংবু অমনা

চাউথংপগী মতুংইন্না ওনবা কবিতাসু মোদর্ন চংডি হায়বসু রাখল চাউথংপা (Propound ideas) মীৎয়েংদা উরক্লবা কবিতা ওইরগদি চুম্মি, নত্রগদি মপাঙ্মোংগী সংসার কুন্নাংবানবু শেগাই-বা ওমত্রিবা কবিতাদি মওং মোদর্ন মাঙ্গরবসু মোদর্ন নত্তে, মল্লবা কবিতাদা কি অনৌবা হোংবতনি। অতুনদি কবিতা ইনবগীদমক রাখলগী বিসাচ য়াম্না চংডি, হেক্তা ঐথোইদা কবিতাবু গুলি মতুম অমা তারগা য়োংগু হায়বা মওংদা মৈতৈ কবিশিংনা মণিপুরি কবিতা ইবগি তৌবিরগনু ।

"মীওইবগীদি নিংথৌতুরেজনি নোংমদোক-থকৌ করাদি য়ামগ্রে, থাইগে যাই অরোনবা সংসার ।"

গেনাত্তি য়াকুশেনকো রুশিয়ান কবি অমগী মোদন কবিতাদা লোই'রবা রাখল মওং তাকপা অসি উৎচরি . (লোইশিল্লগে হায়বা রা ঐহাক্ত শিজয়জনিংগ্রে ।) –

মীচঙ মৈজমবো তোম্ববা জীব

রোহেননা অহিং তুম্বা ইয়া য়ারক্তবসি মুমিং কনা ময়ায়শিনলক্লে। কমুংদা চঙলগা কাংথল মন্নুংদা ইতুম তুমদনা থরো থরো ওন্দুনা লৈ। মরক মরক্তা ঘর মপী চাউনা চাউনা হোনলকই। য়াম্না খেঙলকালদা তুমথ-রকপনি। তুমথম্নিনি হায়রুনা তৌরিবতুস্ন মণ্ডওই হা ওই জ্ঞান ইতা ভাদে। মিৎভা জাং জাং পংউদা উই। কৈকৈনো জাং জাং মথোং থঙদনা পংউদা উই, মরী অমতা লৈনদে......।

অয়ুক্কি। মুমিং মঙালনা মেঙনা থোংনা তরং তরং থোরকই। মহৌশাগী পোং পূম্বা ইনৌ-নৌনা উই। থোংবম ইনাকখুনবগী থোং-গান্দা মী য়াম্না তিল্লি।

"পোকপদা ভায়বিবা অঙাং অমা থোংবম ভাইবুংঙো ইশৈহনবগী থোংগান্দা থনমলে।"

"হিংলিব্রা শিরব্রা ?"

"শিদদি কৈনোনে। পোকপগা হেক্তা থনম্নজাৎনি।"

"অস, ওঙ্গোক্পা কনখ্রেদা থম্মোয়দো। করম্বা মমা মপা ওইরিগদগে ?"

"কদাইদগী মকম থঙবা অঙাংদি ওইরু-গদগে !"

মহৈ মহৈ য়ারী শাখৈ। মহৌশাগী শক্তম অসিগা চুংশিন্নবা ওমত্রবা থৌওং কয়া থোরকপসি হন্দক মরকসি তোয়থংলক্লি। মসিগা লোয়নবা পোকপদা ভায়রিবা অঙাংবু কদি করানা য়োমশিনলগা হন্দক মরক তোয়না হন্দোকয়ক্লে। ওহানম্ন লম্ফেম্না কদি করানা য়োমশিন্দুনা ঐ মতুমগী অঙাং অমা হন্দোক্লম্মী। মীওইবগী মকমদা মী মুংশিদবগী করগা তম-থীরবা লাইচং অমা লাক্লবনো থঙদে।

"অঙাং অমু মশকপু ওঙ্গোক্পা কক্সথেনে। তৌরোক তৌনা পুপ পুপ হেক লাউই; চাউখ্রোক চাউরহুনা মশয়া মুতক হেক মুনা জম জম কয়া য়ামখ্রে; ওঙ্গোক্পা পাম্মুখ্রে।"

কনানোমনা চাঙ ঙাঙহুনা চংখিবস্ন রো-হেয়া মাগী লাইরিক পাকম কাদা কমহুনা বাখল থক্লিঙৈদা তাই। বাখল থনবা হায়ব-মক্তি কয়া য়াদে। চপ চাবা অকরুবা বাখল অমা থনবদি নত্তে।

তাক্লবদগী অযুক পুং তরা ভাবগীহুবাইদা থানা অনী অহুম লাক্লনা য়েংলৈ। এস আই নহা অমনা কৈনো থরা ইশিনখি। "লোইশিনবা য়ারনি" হায়না থানানা হায়বদগী বোহেম্নচিংবা থোংবমগী মুপা নহা অনী অহুম থোরকতুনা অঙাং অহু লোইশিনখ্রে।

রোহেনগী মপুক্লিং অসি তয়াং তশোই। করিগুম্বা অমা ইচিং চিংথবগুম, করিগুম্বা অমা ইবাং বাংপগুম মপুক্লিংদা তোয়না কাওই। হন্দক মরকসি বা ইঙাঙ ঙাঙনোংদে। য়েংখিবা অমদগী মমাইহু ইরৈ লৈথোকপা ওমদনা তুমিন্না অহুম য়েংহুনা লৈ।

মনিপুরদা চেঙ য়াম্না ভাঙলে; কৌ শং-বাইদা লুপা কুন্ত্রামঙা য়োখিবা ওসি থামুক হেনলক্লে। তাথরকপগী য়াদি হায়রুম্নু, লোংবা

নিনিদি নিফু য়ৌববু ৱাওক্লরে হায়না তায়। মী/শিং অসি চরা য়াম্না হেন্নে; রাস্ত্রপ্যাদ্বা কাংবুতনা থঙবীদবনি হিংথদা পুক্নিংনি থক্তিক চাংশিনলকত্রে হায়না থন্নরবনি।

বিলাশিনীখোয়গী ইমুংস্থ চরা য়াম্না হেন্নে। ওসিমক স্কুল কাথংলকলিবসি চরা অনী হেনলবা মত্থং ফাওবদা মবুক্তা কৈম্নমতা তাদনা কারক্ল-বনি। মহাক তম্ফাসনা গার্ল'স হায়ার সেকেণ্ডরি স্কুলদা ক্লাস টেন তমলি। মাবু উবা মীশিংনা থৱৈ নাবত্রা কৈনো কুচু কুমেন তাইবং তাইরগুনা ইহৈ হৈনিংদনা ইচোক চোকথনা উই। মনাউ-স্থপী অমনা তেরা গার্ল'স হায় স্কুলদা ক্লাস সভেন তমলি; মপুরা অমনা জেবা বোইজ জুনিয়র হায় স্কুলদা ক্লাস সিক্স তমলি। পৈশা থোকপা অহলদি মুমিদাং মুমিদাং তেরা কৈথেল্দা য়েল্লাং নাপি য়োনকক্ল কয়িবী মমা লুখ্রাবী অহুগা থাদা লুপা ৮০ ফংগুনা অল্লাং চুকানগী গুরুদ্বার মনাক্তা পঞ্জাবী অমগী হার্দ ৱায়ার য়োনবা য়াওঁরিবা মবুং অদুগর্তানি। মমাগুম্ম ললোলশেন পুথোক্লবা লুপা ৫দং লৈতগুনা পোং য়োনদবা ওসি মরিনি ফাজিনলক্লে। মবুংগুম্ম ঙবাং ওসি অয়ুকস্থ লুংদাংস্থ চাক্লগা ওসি অয়ুকস্থ চাখিদে পোং য়োনবা চংখি্রবহ্।

ৱারস্থ ৱানা, নংলস্থ নংনা বিলাশিনী ভুংতিগী লাইয়িক তম্বা কাই। মহৈ চাবমদাই য়ৌরে তোকপা য়াদে থল্লি মমানা। ৱাবগী হায়রুরবদি ফেং ফেং হায়না থাংলে। অয়ুক মুংখিল মুমিদাং রোহেন্না বিলাশিনীবু প্রাইভেট তম্বী। মরী মতা থোক্লবদি নত্তে। বিলাশিনী-খোয়গী মরী মতা অমগী মক্তেংদগী রোহেন বিলাশিনীখোয়দা চঙখি। লুপী তাঁ পুথোক কুনু পুথোক তৌগুনা বিলাশিনীগী অমাদা চেঙ ফাওহনখি। মহুদা বিলাশিনীগী মমানা "ইবুংঙো, নঙনা তৌরিসি ইমাখোয়না করম্না লম্মন শিংথদগে থঙক্লে" হায়না ইকাই কাইনা অপী থুদিংবীদি লোদবা ওমদে। মমানা মথা ভাই—'ইমাবুদি চাক্লকস্থ রাই, নচনগা ননাউশিং-সিদি অতাংনিদো, ইবুংঙোম। তৌথিরিবলিগী মহৈ শোইদন ফংগনি।" বিলাশিনীছ লৈকম চঙদনা ইকাই। করিগুম্বনস্থ বিলাশিনীগী মোন মথাদা লুপা থনথস্থ ৱাওই।

রোহেন্না তোনাশনথরবা লম্মন শিংজো হায়না নোংমতা থোকবা লৈতে। বিলাশিনীগী মমস্থ রোহেন্না ইমুংসিদা তৌরিবা পুম্নমক থঙতি। মচন স্থপীগী কম্মুংদা রোহেন্না মরম চাদনা হিপ্তুনা লৈবা উরগা থুনা য়াংনা চংথোক্লনা অপনবা পীদনবা হোংবৈ। রা ভাওলুবগী গতি অমতা লৈতে। রা ভাওলুবগী মহুংতা মথক্লায়গা হকচাংগা পুল্লপ থম্বা হৌজিক ফাওবা ঙমলিবসিগী লম্মন্দুম রোহেনগী মকমদা তোনশিন্নে থল্লি। হৌজিক হৌজিকতা তমথিরবা লৈত লাইরগী ঈ চুপথোকনলবা রাখল অসিনা তুংগী পুন্সিগী মরমদা থম্মরুবা ওমদে। হৌজিক হৌজিক্তা হিংনবা হোংনবা তাই।

রোহেনগা বিলাশিনীগা কম্মুংদা লৈমিন্নবা উরগা মমানা থল্লি—রোহেনগী মকমদা তোশি-ন্নিবা লম্মন অহুদি শিংদি শিংলেদনা। অহুবু থবাক্তা কুনগংলকপা শ্বর মপী অমা অনাদি শাংনা হোম্বরকই।

লোয়ন্না থেংনবা অহিং অমমা বিলাসিনীগা

তোল্লবা লম্বন পুন্না শিংখি। মুমিৎ কয়াগী চাবা থাকখিবগী লম্বন রোহেনগী মফম্না শিংখি। নোংমা অহিং ওইরকপগী মুমিৎ তাখিবদগী অত্তুম মুমিৎ থোকখিত্রে।

বিলাশিনীগী মবুংনা নোংমা থেংলবা অহিংদা ফদি কয়ানা য়োমশিন্দুনা রোহেনখোয়গীদা থিনলকখি।

মসিদা মাগী মরাল করিনো? মীচঙ লৈজরবা কনানস্থ মুংশিবিরবা তোল্লবা জীব অদুগী মরাল করিনো? মরাল করিনো? মী ওইরক্লবগী রাইট কাওবা মথোয়না নমস্থুনা মূনবিরিবসি করি মতৌনো? অদুবু থেংলবা অহিং অহিংদা মুপী অমতংদি থখোয় শোল্লা তেংথাখি।

চরা স্কুলবফাওদা নোংমতা স্কুল কাবা লোয়রক্লিবী বিলাশিনী স্কুল কাদবা ওসি তরানিমুক হেনথরে।

ফোঙডে ফোঙডে ফোঙডে!

শ্রীবীরেনগী শৈরেং চবুম

তোল্লবা শা-দুগী ৱাখল

শ্রীবীরেনগী শৈরেংশিং অসিনা শৈরেংগী মমুংগী মচাক্তা, মপালগী মশক্তা অমদি শিজিন্নরিবা ৱাহৈ ৱাতা পুম্বদা. হৌজিক্কী মতমগী পুন্সিদগী থোরকপা মরম্না, মহোশাগী ওইবা মওং পুম্বমু পুমথু থুগায়রি। মাগী শৈরেংশিং অসিবু মীনা পাবিবা পাবিদবগী মরমদা নোংমা মানা হায়খি "ফোঙদদি ফোঙডেদনা, ঐগী হায়ববু। ইবগা ফোঙবগনা ঐগীনি. পাবা পাদবা মহুদি অতোপ্পা মীগী মথুংতা লৈখরে। ঐগী শৈরেংশিংদি পানীংবা মীগীদমক্তনি. পানীংবা মীনা পাবিবা, পানীংদবা মীনা পাদবদা কৈস্ন বেয়া লৈতে। পাবিযু পাবিন্নু হায়না পানীংদবা মীদম্ন কোইহা হাত্নুনা, কোইলাউ লাউত্নুনা ঐগী কলাবু মমল হোঙহনবস্থ ঐ পামদে. মীনা শুংপা পাবীদনা পংত্নুনা লৈরবস্থ ঐগী কলাগী মগুণ মরেং তারকদবা লৈতে।"

শ্রীবীরেনগী খুৎইগী মরমদা কৃতিক কয়ানা মাগী ভত্তনা নৈনৈ। ডি,এম কোলেজগী ইংলিশ সাহিত্যাগী ওঝা ওইরিবা শ্রীখোগেন্দ্রনা শৈরেংগী মরমদা হায়—'মণিপুরগী নহারোল শৈরেং ইবশিংনা চখরিবা অত্তুগা চখগদবা মাইকৈ তাকপা শৈরেংশিংনি। শৈরেংগী মওং, ৱাহৈ ৱাতা অমস্থুং স্বর ছন্দদা নোংচুপলোমগী মতমগী কবিতা পাবগী মমি তাবা উই। হেক্তা মাগী মওং অত্তু লৌশিনবগী ৱা নত্তে। অইবা মশামক্তা থেঙনক্লরিবা মওংশিং অত্তু মুন্না মশক খঙনবা হোংনরবা মতুংদা মাগী ওইবা থোঙ্লোক অমা থোকহন্নবা কন্না হোংনরি।' (লৈকোন, ৬৭)

[illegible]

লম্বী

কাইনখংদা
উন মতুম কম্না
ইকোক অসিদা নন্নবদা
হুমিংপু কোকথোঙনরবদা
লম্বেম অল্প উরকই ।

তেম্পাক লৈতুম অমা
শান্না লংখিবন্থ নত্তে
নোংমৈমরু অমা
থাপ্পা কাপথোকখিবন্থ নত্তে
পামলিবসি
আ—কাওবগী ওমথৈ
ওমথৈগী ওমথৈ
ওমথৈ পুন্নমক লাম্থোরকপন্থনি
মরমদি
চুরুপকী মৈথু অহাংবনা থকচিনখিবদা
ঈশিং থুজোক অমত্তং মরুভুমিনা চুপশিনখিবদা
করিগী থল্লাই অাস
য়ুহাম হারুনি
করিগী হারুনি !

ঐঙোন্দা সনা ওইরিবসি
লেপ্পা লৈত্রবা য়াওনা চেনবা শাডিহনি
ঐহাক ড্রাইভর ওইনিংই—
হোংত্রবা নাকেন্থাগী পৃথিবীশিংদগী
কেংদ্রবা বসন্তগী লমদমদা
ঐগী খোংচংতা ।

এ, চিত্রেশ্বর শর্মা

নুমিৎ অদু অমুক লাকাখিগদ্রা ?

মালোতিগী মনম্মা অমা কংজরে। হন্দক কালেনগী ওয়াহমদোইনী পাবা য়ুমশকৈশ হুমিত্ত লুহোংবহুনা লাকপনি। মালোতিগী মবুং অতোম্বা অহুগী মৌ অনৌবীনি।

মালোতিগী মমা অহুগা মপাবুংখোয়না বারী শানবা তাবদদি হন্দকী অনৌবী অসি মপামদা লৈশাহুনা মহৌশাগী লুমাংগী শম ইকোয় কোয়না ককপী নীংথিজবী নিঙোনহু নত্তে। লমচৎ শাজৎ, মহৈ মশিং অহুগা কেবা নানবা থকশি থাশীদদী লম্বা লৈতন্না নীংথিথরবীনি হায়নথি। অহুগী মথক্তা মালোতী মমানা "ঐদি হন্দকী মুপীমচা অসিবু ইমৌ ওইহনবদি ইমৌ কৌবতা থিজরোই।" হায়থরবনি। নোংমন্থু মালোতীনা মাগী কাদা লাইরিক পাহুনা লৈরিঙৈদা থংনবা কাদা মপাবুংগা মমাগা মরৈ কল্লা য়েংনরকখি। মপাবুংনা হায়— "কদায়দগী ঐদি লুহোংবগী হয়াগাড়ী জিপ কার কল্লাম্বু য়াইগদ্র ? নচা মুপা প্রোফেসরগী নীংব থুংনবা, মমায় ঙাক্লববু হোংনগদ্রা। অহুগী মথক্তা হা ফিগে কনেক, মরৈ পরেং কুজবা য়াত্রবদি হাওজিল্লকপসি পু-থাংব ঙম্বপোৎ নত্তে। নহোয় থোকপা তৌজরো।" মহুদা মমানমক থক ওক্তুনা থুমকখী—"ঙমদেদনবু য়াপোৎলা হৌজিকপু মী মমাংদা শি' য়ারিত্রা ? মহোয়-য়োমদি শোইবা য়াদে হায়হুনা য়া লোইনথরবনি। ঐখোয়গী ইপোৎ লাংশিঘবু অকায়বা লৈত্রা ইচা নিঙোল অমন্থু হৌরকই। মালাগী তমদবা য়াত্রা ?।

হন্দকী মমাগী পাউথুম অসিগী মাহৈ পরেং লোশিল্লকপহু মালোতী তাবা কয়া মুংঙাইত্তে। মখোয়গী লুহোংবহু কায়দনবা চৎনবা য়াবা য়া অহু অহুম ঙাংনরবদি ফগদবনি। অহুদি নত্তনা মমৈদা মালোতাগা পক্লবা য়া তপশিল্লকপহু মালোতী য়ায়া শাউনীংথি। ফোঙদোকলুবদি য়াত্রবস্থু মখোইদৌ শাউগৎলি হায় মখোয়না লাংবদা লাইরিক পাবা কায়হুনা লৈরিঙৈগী মথক্ত অহুগুম্বা জুংচাদবা য়ায়ামশিং অহু তাক্ল-বদগী লাইরিকতু শুকপা পাবা য়াদ্রে। অহোয়-ননা মমাগা মপাবুংগা মরৈ য়েংনবহুদি কনশিল্লক্লি মপানা অমুক হায়—"নচা মুপা অহুদা শেন থরা পুথোকরকউ হাযযুনে। মহৈমশিং তম্বদা লুপা থুজোক থুজোক চঙথরবনে। অহুদগী তলব চায়েদনা, হৌজিক থাদা লুপা ৩০০দগী হেম্না চংলিবনি হায়বা অশুক য়াবসি নোংমতা ইমা সে হায়হুনা লুপা থরদা ওইরবস্থ পিরকপ্রাউ মশাগী খরচ, ইজ্জত সম্মান ঙাকপদা ঐখোয়দি শিদোরে। য়া ঙাংদবা মুঙহল্লবা মীসে লুবনে, ফত্তবনে। মাগী শেন বেঙ্কতা শোইদনা লৈরমগনি অশুক চাউবা মখৌ অসি পাংথোকপ'সদদি মাস্থ সি লৈ অহু লৈ হায়হুনা তাথোক তাশিন ত্তোবা য়াইদনা। নঙনা অহুদি হায়দ্রে, হংদ্রে। ঐঙোন্নতা অহুম তৌনি, হা অহু য়াউত্রদি ··। মীনা অহুম হায়রে ··। করিনো তৌরিসিবো ঐবু করিনো ?

মালোতীগী মপাবুং অহু চান্নবা শাউরে। মানা শাউরিবহু মালোতীনা চুম্মী হায়না খল্লি। ইমুঙ অসিদা পূকচেন তিন্নজন্নিবসু মালোতীগা মপাবুং অসিগতনি। মমা অহুগা মখোয়গী তামোচা অহুদগী তামোহন, তামোহনদি পনবু পল্লুহনা কান্নব্রবনি। মযুম পানখিবা চহি খা ওন্দনা তোঙান চাখয়বনি। হৌজিকসু লুহোং কৈহোংবগী য়াকম অসি মাদি করিমত্তা খঙ-শিন্নদনা লৈখোক্লি। মমাগা তামোচাগদনি মীচং ওইরিবা। ইমুংগী অফ কক্ত, চান-থক্লবগী থরচ পুন্নমক মপাবুংদগী তাল্লিবনি। মযুং-শিংসবু মী অমা ওইননবা হোৎনরকখিবা মতুদা চঙখিবা থরচ পুন্নমক হৌজিক থিগৎলুবদা অঙকপা ওইগদবনি। মালোতীনা অহুম খল্লিত্তদা মমানা অমুক হায়রকই—"সিবু ঐনা তৌজনীংহনা তৌরিব্রম্রাও? মাই পাবুং হোয়হু তরেং তরা খোক্ল খন্নগা য়ানখারব্বা নত্তবরা? ঐনা পঙহায় মহায়রবরা? মাগী তামোচাগী শেনবুদি ঐ নহান্না হংলবনি, মশিংদি হায়য়ু য়াদে থরদি লৈ হায়। হয়েং থবক নকশিল্লক্লগা মরাইনা পুথোকচরক্কনী।" হন্দক্তি মালোতিগী মমাহু বাহৈ খরা লেমথংক্লে। মপাবুংস্ন—হোয়, ফরে ফরে। নহোয় মুপানা পামজিবথৈ তৌরো। নমা নচা নখোয়না পামজবা শিন-বীরো। হায়রম্মগা ইমুঙদগী মপান থোকখরে।

অস্থমা লুহোংত্রিত্তৈ মমাং অহুদা অঙকপা ফংন য়েৎনখন্নিবনি। অহুদগী লুহোংব অহুদা চঙখিবা শেনয়াম অহু মশিং খিরুদনা কান্নদে অমুক তোইবা লোইখরবনি লোইখরবা।

লুহোংলবা মতুংসিদদি মালোতিগী মমা মঙং অমা হোংঙ্লে। মুমিংচুম্নপী মঙক খবা লৈখোক, মনাতোন খরা তুগৎ তৌহুনতা মরৈরে। মহু উবদা মালোতিনা মনম্ম অনৌবীহু খঙব্রপগি হায়রকুনা তশেংন মুংশাথিবা পোক্লে। তান চাবা মতাংদসু মালোতিনা মমাবু কয়ারক খামজিনখব্রবনি। মী লমাংদ কজদে হায়রকুনা কয়ারক মেনজখরবনি অহুবু মমানা য়াব্রা মরৈখিত্রে। তৌবগীদি হোজিক কানগী মহা-রোনশিংসে কা খরদি হেনমল্লি। লুহোংলকপা ওরাংত মঙাইরী, মকু মলেম লৈ হায়রকুনা খজিক্ত হঙ্গোয়না চেকশিন লৈত্তে। মত্তৈ মনাউ কা মসুঙদা ঙুরুং ঙুরুং পঙদ মঙংবৈ। রা ঙাংদে হায়নরম, অহুগা লোংমতা রা অমতং হংবদা হরাউ হরাউ খুম্নমদবা মখোয়গী তামোচাদো হৌজিক রা ঙাংবদা মহা ওইথরে। লাই য়াউখরে। মালোতিসু য়াদি ঙাংখোকত্রগ মপুক্লিংদদি খরা হাকমল্লি হায়না খল্লি। লোং-মাইজিং খূদীংগী সিনেমা য়েংবা মত্তৈ মনাও স্কুটর অহুদা অমমা মনীংদ নপ্লগা অমনা থো-হুনা ছোরোক্ত হৌজিক কানগী চাওখংপগী ঈরাংদ ইকায় থঙদবা লিচং-চৎপ অসিনি।

অসিদ নত্তে মো অনৌবীনবু ইমুঙ মসুঙদা লৈবকাওবা হরাইশেন্দল অমা গুকথা থাদে। কোয়বনী হায়রিত্রা, মহৈ হৈবিনী ইনাক কৈরাক খুম ইমুংদগী হৌরকপিনি হায়রিত্রা করিনো অমদি তৌরি। মখোয়গী মতৌপ্সি মালোতি চান্নবা মুংশাথি, মমাগা লাউনরকত্রা হায়হনা। মমাখোয়াদ সিঙম্বককা য়াবিপোৎ নত্তে, অহুগা লুহোংত্রিত্তৈদা রা য়াম ঙাংলম মালোতিগী মপাবুংদি হৌজিক চেক-মোক হায়খিত্রে। মমগী মসুঙদা নাংখি-হুংঙাই লৈখিত্রে। লোং-ঙানবগা থোকখি। চাক-চারমদাইদ ওহাক

ৱুজিল্লকলম্মী; অচুদগী অমুক চংখিবহনা হোৱেনা ৱুম্রিদাংগী তুৱ হিল্লবা মতমদতা হাঞ্জল্লকই। মালোতি খোয়গী তামোচানা হেক লুহোংলৈদগী মবুংগী শাজং হোংলকপসি মালোতি কয়া ভুংঙাইতে ।

মৌ অনৌবী অসিনা ইমুংসিদা লাকত্রিঙৈদ তাখিবা মাগী অফবা মগুণ ময়ামচুবু হৌজিক অমতা হিদাক তৌগে খিবা ফংদ্রে। মসিদনী মালাগী মমানা য়াম্নমক শাউরিবা। থাম্ন-লাকুবা য়াম্রিবসে। অমাং-অশেংগী মবম-দদি খ্বাইদগী হেন্ন শাথি। বৗলাতি যুম্বাল ওইন পাথ্ব ভারকলি। মৌ অসিনা নোংঙাম্বগা মচিন শেংত্র শেংদত্র থগুদে মখোয়গী কা অচুদা ষ্টোপ অমা থাগৎতুনা চা হেক্ত লোনথংলকই। অচুদগী চা অচু থক্লগা মচুং অচৌবা চঙহুনা মশা শেংদোকলুরে। অচুদৈ কায়ন থংদ কোল-লিক ৱাইরম তৌই। মচুম্নু মালোতিনা লোইশিল্লক্লবা মতাংদতা য়াওররিবনি। লৈকায়গী মমাংদ ইকায় হায়দুনা ইমুংমচুংগী ৱাথোক অসি থোক্তনবা মালোতিনা ঙম্মথে মেনশিল্লি। মমানদি কুপ্মে তৌগদবগী হৌজ হৌজ য়াম্লক্লবনি। মনম্ম অহল ফত্তে ফত্তে হায়বিরম্বচু হৌজিক্তি লেন ওইরে। মমানা মনমহনগতা য়ানগ্রে। মরকসিদা অমগীম্নু অময়োমগী মু কায়দনবা হোংনবদা ৱারিবসি মালোতিনি। অমগীম্নু মালোতি! অমনম্নু মালোতি। মমানা শাওরে মালোতি। মপাগী মৱাং অপা লৈরে মালোতি! মালোতি ঙহাক্তঙ্কাওবা পোথাজবা ফংলকত্রে। মৌ খিরগা, মনম ফংজরগা থরা কোমগত্রা হায়রবু অয়েম্ব ভারে ।

মরক মরক্তা চাকশংগী মনিঙথোং ময়াদা লেম্লগা মালাগী মমানা হেক হেক লাউই— "পামুইদা, পামুইদা, লুপা খুজোক খুজোক তিংহুনা মৗগী মমাংদ তৌখিবা কুপ্মে ময়ামদো শিং নাম্থোকতুনা তোকইদা।" মচুদবু মালোতি-না চেনশিন্দুনা মমাবু থাম্মা। অচুদা মপাবুং-নদি— 'কলক পেল্লি, নঙনা তৌবা থবক্লবু ৱায়োং থোকপা হৌনগ্রা।" হায়দুনা মমাদা অমুক পাংশিন্নে। অম্নুম্ন ইমুঙগী অকুপ অতা মেল্লিঙৈদা মালোতিদো মশাগী লাইরিক লাইম্নু তম্বদদি লাইথোক্লক্লে। হায়স্কুল অরোইবা পারিক্ষা অচু নীংথিনা পিবা ঙমখিত্রে। পরিক্ষা হায়দোক্লকপদম্নু মাগী নম্বর য়াওরকত্রে। মুমিং অচুগী অযুক্তগী হৌরচুনা মালোতিদা ইমুঙ মচুংগী মৗ পূম্নমক্লা অঙাংদ ঙাংবিরে। পঙচৈদ চৈবিরে। মালোতিদো পরিক্ষাদা য়াওরক্তবগী ইকায় খুংশ য়াম্নচুনা পীবোইননা লৈরিঙৈদা অচং অচং পূম্নমক চৈবিরবা অচু থাঙবা ঙম-খিত্রে। মবুংগী হায়রচুনা লৈরিবা অনিদো নোংমক্তম্নু নঙ করম তৌরি লাইরিক লাইশু তৌত্রবরা হায়বদি নো·মতা হংবিখিত্রগা পরিক্ষা শোইরক্লবা মতমসিদদি চৈবদা হালেংব লৈখিত্রে। মরক অচুদা মনম্মু ইবেম্ম শকহেল্লবী অচুনম্নু হৈ-শিংলবৗনি হায়রচুনা পাংশিল্ল শারি। ফরি মানা হায়খিববু "কদাযদগী পরিক্ষা পাস তৌগদৌরিবনো লাইরিক্তি পানিংদনা ৱারা শুচুনা লৈরগা" অসিনি। ঙসাইমথে অতে পূম্নমক চৈবাশিংচু মালোত মপুক্তি কয়া ৱারোরমদে, পি থরা তাজরগা কাউখিগত্রা থল্লম্মী। হংদক

মনম্মশিং অহুনা নাত্তৈ চাদবা ৱা থৱা হায়ৱকপহ্র ভাবদা থম্মোয় কায়খিবগুম নীংখ্রে। সুথিল সুমিৎচুম কয়মথৈ কয়য়গা সুমিদাং য়াচঙবা মতুং অহুদদি মালোত্তি ইমুঙগী করিগুম মকম অমত-ংমহ থিবা কণ্ডখিত্রে। মমা-মপা অহুগা মরু মোপুরা, লৈকায়গী মী পূমমক মালোত্তিদু কোইচেন চেন্দুন থিবা হোংনখি।

ইন্দ্রা পাউঙ

ওর্তস

করম ভৌনা গু-নোমখিবগে ঐনা?
করম্না গু-নোমখিত্রিবনো ঐনা
পোক্লরুবা সুপীহুগী থবায়হু,
থোনবিনবা মমিং অমতং মচাকশিংহুগী অহুগা পীনবা লৈকম অমতং!
মংাক য়াম্না ফজবীনি সুমিৎকী মঙালগুম মরেক মহাও থোকপিনি।
মহাক্কী মমিং থোক্সি অহুগা লৈকমম্নু লৈত্রি।
করম্না ঐনা হোংনখিবা মাগী থবায়হুবু খাইদোক্লব';
মমিং অমতং থোনবিনবা অমসুং মহাক ওইরক্লবা।

তশেংনমক নহাক পুনলবনি, তূশিনথুবনি মরোন মবোন লোনশীন্দুনা,
পোকত্রিবা মচাকশিংহুগা ইয়ান যাংশিন্নরবনি নঙসে;
ইচেল অমগা মমি অমগবু সুংশিজৈ।

ঐনা পুকচেল শেংনা হায়জবি নহাক নপুন্সিহুদা চঙশিনবিযু হায়না
'ঐ' হায়বিনবা তথিযু হায়না হায়জরি পুকচেন শেংনা ঐনা,
হংজরকপগী মতমহুদা ঐনা অদোমদা;
মরমদি অদোমদি নত্তে শরুক মচেৎ অমত্তা, অদোমদি মপূমনি,
মচেৎ নত্তে, মশামক্তনি।

(হন্দোকপা—শ্রীশ্রী)

ইজ্‌রা পাউণ্ড (Ezra Pound) গী মরমদা খরা:

২০শুবা চহীচাগী মোরেল্লিটি, সাহিত্য ১দি রাখলগী সংসারদা ইজ্‌রা পাউণ্ড মরু ওইবদা নত্তনা য়ামস্থ য়েংনরিবা মীশক অমনি। মোদর্ন পোইত্রি হৌদোকপা মীশাক্কি হায়না লৌনৈ; মোদর্ন পেইন্টিংগী জগৎতা পিকাশোনা ওইরিবা মওংন্থু মোদর্ন পোইত্রিদা পাউণ্ডনা ওইরি। টি,এস,এলিয়ট হায়বা মোদর্ন পোইত্রিগী অথোইব কবি অত্থগী গুরুনি কাওবা হায়নৈ; এলিয়টকী "দি ব্যাষ্ট ল্যাণ্ড" হায়বা মোদর্ন পোইত্রিগী জগৎতা য়ুমিৎকুম মশোং ফনলিবা শৈরেং অত্থু কাওবা থুৎই ওইরিঙৈদা ইজ্‌রা পাউণ্ডনা শেমদোক শেমজিন তৌখি।

মানা চিনাগী শৈরেংশিং ইংলিসতা হন্দোক্লম্মী; সিদা নত্তনা জপানিজ শৈরেংশিংস্থ হন্দোক্লনা 'হাইকু' ১দি টনকা' খোন্থোং ১৭ অমদি খোন্থোক ৩১গী চৎনবীদা মুর্ত্তি ফোঙদোক্লবা কোন্সেপ গী মত্তেংনা ফোংদোকপা নত্তবা টেক্নিক অ'স লৌরকই। মাগী থুৎইদা মথং মনাও নাইবা, কোহিরেন্স ১দি কন্সিষ্টেন্সি থ্বাইদগী হেন্না লৈ। মানা নহা ওইরিঙৈদা লৈখিবা কবিগী রাখল অত্থু মানা অহল ওইরক্লবা মতমদস্থ কায়দনবা ঙাকত্থুনা লৈ। মাদি "লাইফ পোয়েট "নত্তে; "লিটরেরি পোয়েট" নি। অঙনবা মতমদা মহাক মশানা melopoeia কৌজবা ইশৈগী স্থরদা ওন্থোকখিবগী মওংদা ইরম্মী অহৌদগী phenopoeia হায়বা ময়েক লাহনবা ১দি খঙহন্নবগী থাক্তা ফগৎনবা হোৎনৈ; ইকোন কোনবদা logopoeia হায়বা রাহৈ শেঙ্গা নত্রগা রাখল শেম্নগী থাক্তা হেন্না ফগৎনবা হোৎনৈ। ১৯১৩দা টি এস এলিয়ট-কা উনত্থনা লণ্ডন্দা মাগী মরুপশিং টি,ই হিউল্ম, রিচ্চাম- লেরিশ, য়িটসনচিংবগা তিন্নত্থনা শৈরেংগী অনৌবা থোঙথাংদা চৎশিল্লকই। ইমেজিজমগী মুভমেন্টতা চঙশিনলি। কনলবা য়াক্লবা অত্থগা মন্নুং হুজিন্না খঙজিনন। মোদন রান্ড অসিগী শক্তম য়েকই। থ্বাইদগী মমিং চৎপা শৈরেংদি কেণ্টোশিং অসিনি। "মসিদা হন্না হন্না হায়রগা মন্নুংদা চঙশিন্নবা হোৎনবা টেক্নিক" (Technique of entensification by repition) অসি শিজিনৈ।

মাদি শৈরেং ১দি সাহিত্যগী জগৎতদা নত্তে; রাজনীতিনচিংবা মীওইবগী জগত্তস্থ ওন্থোকপা ফিবম লৌই। মহাক ইটালিয়ান, ফেসিজমবু য়াম্না পামজনা মুশোলিনিবু য়াম্না থাগৎলম্মী মাগা অসিগুম্না রাখল অসি গ্রেট বৃটেন ১দি ইউনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রোগ্রেসিভ কাংবুনা মাবু য়ানরমদে। অমেরিকা ১স্থং এক্সিস (Axis) অনীনা লাল শাক্লরক্লবদা অমেরিকানা এক্সিস কাংবুবু তুক্কচবিবা অত্থগী মরু অত্থু য়ৌনা লূপথক্লবগী মওং লৈতবা ১দি এলাইটপূ স্থংশিবা উত্তবা রারম খরা রোম রেডিওদা ব্রোডকাষ্ট তৌক্লবদগী ১৯৪৫দা অমেরিকাগী সিফাইনা মাবু ফারম্মী। পিশা (Pisa)দা এলেক্ট্রিক করেণ্ট তৌরবা রায়ারনা ইকোই কোইনা থাজিনবা মথক কুপ্পবা শারং অমদা কম্পোার অনীদং পীত্থনা খম্নগা অহিংদা শার্চ্চ লাইটনা ঙৈহাক লৈতনা কাপ্পুনা শংলম্মী। কনাগস্থ রাবী শাহন্দে। মসিদা মহাক তশেংনা মিহুন চোইক্লরবনি। লাইয়েংত্থনা কনক্লবা

মতমদা "পিশান কেণ্টো" হায়বা শৈরেংসি ইখি। হায়রিবা শৈরেংসিদা ১৯৪৯দা দোলার লিশিং ১ পীবা বোল্লিঙেন মনা (Bollingen Award) পী, অদুবু অচৌবা রাখোক অমদি ওইখি। শৈরেং অসি কেসিজমবু থাগৎতুনা ইবনি সাহিত্যগী ওইবা অচৌবা মশুন রাওদে হায়না কাংবু থরনা য়েংলম্মী। অদুবু অদজগী পেনেলদা য়াওরিবা টি এস এলিয়ৎ, রোবার্ট লোয়েল, দব্লিউ, এইচ আউদেন অমদি কোনেট আই-কেননা কয়া চৈথোক পীখিবনা য়েংলিবশিংদু কৈদু কায়খিদে।

ঈগী মরীদা ইজ্রা পাউণ্ড অমেরিকান ঈনি। অনৌবা ইংলিশ শৈরেংদা এংগ্লো অমেরিকান অদুম ইজ্রা পাউণ্ড, টি এস এলিয়াৎ ১দি দব্লিউ এইচ, আউদেনগী খুৎশেম মমল য়াম্না য়াম্মী। ইজ্রা পাউণ্ড ১৮৮৫ দা ওক্তোবর তাং ৩০ দা হাইলে হায়বা ইদাহোগী মফমদা পোকই। —শ্রীশ্রী)

(ইজ্রা পাউণ্ডগী ফোটো কোভর মমাইদা হাপ্লি)

মোকনিংবা থয়া—

১। সাহিত্য পরিষদকী মেম্বর কৌসিল ওল্লবা থরনা হায়খি—
"ঐখোয়দি কণ্ডবা থবক তৌবদি তুকচ্চদে, ঐখোয়না তৌকবা ফণ্ডবা থবকতুগীদমক মীনা থীনা থীনা চৈদুনা মেগাজিন্দা লণ্ডনরকপা রাইহৎদি তুকচৈ। ঐখোয়বু চৈরিব, মীতুবু শাউনীংঙি"। রাখল মেগাজিন অসি পাবদা শাউনিংবা য়াম্না লৈ, শাওবা কন্তে। গৌতম বুদ্ধনা শাউবা কন্তে হায়বসি চুম্মি হায়না য়াই। অদো, শাউখিরিবা মৈতৈলোল হৈতবশিং অসি উপাধি ভুষন অমমম পিথোকসিদো।

২। "ঐখোয়না তৌরিবা মখৈ য়াগদবোই নীংলুই অদুবু য়ানীংদবা ঐখোয়দগী হেন্না শিংবা মীশু লৈরম্মী সত্য ওত্থোক্না শাউনীংখ্রে দা। ঐখোইনা য়ানিংদবসিগীয়া কৈনো অমা রারেপ তাশি" হায়না পরিষদকী মেম্বর অমনা মিত্তিংদা পুথৎলকখি।

৩। সাহিত্য পরিষদতা মেম্বর ওইরগা সাহিত্য মখণ্ডলে মহৈরে মখণ্ডনবা শা ভা উচেক কাংবু য়াম্না লৈরে। শা ওইরগনা চুমগী মিংনা কৈনা য়েংলুবগীদু, খুঙহৌদনা তিন শিংলুবগীদু ওংঙ্মি। ভা ওইরগনা নখোইগী মতেক মতেক ভাংবা হাজম ওইদবদা (শাইবা ভুমদবা) কোংঙি হায়না ময়া কারম্মি। উচেক ওইরগনা রিপলসিভ; রিপলসিভ, হায়না পাইরম্মি। থংদবনা সাহিত্যদা পোলিতিক্স হাপচিন্দুনা মনিপুরী লোল, ইন্দিয়ান লোল হায়দুনা পোলিতিকেল জিওগ্রাফি ভাংবদগী মনিপুর মমিং হোংবা হুমিত্তদি লোইরেদো!

এলাংবম নীলমনী সিংহ

মনিপুরীদা কবিতাগী অনৌবা খোঙথাং খরা

হিংগ্রবা লোলগী সাহিত্যাদি করিগুম্বা অকক্লবা মকম অমদা পন্দুনা লৈ; অদুগা হৌজিক হৌজিক হিংলিবা লোলগী সাহিত্যাদি বিধা খুদিংমক অনৌ অনৌবা খোংথাঙগা লোইননা থিংগুমগ্রবা ঈচেলগুম ঈরোং কয়া কাংনা চেক্নৈ। মহৌশাগী ওইবা নিয়মনি—হান্নগীগা মান্নদবা, অনৌবা মওং পাম্বা মীওইবগী হৌনবনি। কবিগী কলমদা অপাম্বা অসিগী মমি তাই; তাফমন্নু থোকই।

মনিপুরী কবিতাদা খোঙথাং অসি কবিগী হকথেংনবা রাখল—অমদি লাম্হোকপা অমসুং ফোংদোকপগী খুৎফোঙদোক, অনীদা ময়েক লানা উবা ফংই। কবিতা হায়রবসিমক্তবু কবি অদুনা করিগুম্বা পোং অমা নত্রগা খোদোক অমা নত্রগা থম্মোয়গী অরা-সুংঙাই করিগুম্বা ঈহৌ অমা, কোইখোক্লা নত্রগা অপাননা হকথেংমক্লরবা মতুংদা কবি মশাগী ওইবা শৈলিদা, ষ্টাইলদা ফোংদোকপা অসিনি। মতম ওন্নকপগী মতুংইন্না মফম নত্রগা নাক-য়েৎ খেন্নরকপগী মতুংইন্না মসিগা লোইননা সংস্কৃতি, কলচর খেন্নরকপগী মতুংইন্না কবিগী কবিতাদসু হকথেংনবা অমদি ফোঙদোকপা অনীমক্তা, হান্নগী খোঙথাং হোংলকই।

হকথেংনবা হীরমদা অনৌবা খোঙথাং

হৌখিবদা কবিতাসি খোইমু লৈরাংগীদা ওইনা তৌরম্মী। প্রকৃতিগী পোৎলমমক্তা য়েংলবসু নীংথিজবা চীং, ফজবা তুরেল পুক্লিং হুরবা উ-রা, মশানা নীংথিজহুনা লৈরবা লৈপাক্লে, কুন্দাল্লে, খোংগমমেলৈনচিংবা পোৎলমশিংসি শীংথারম্মী। হৌজিক্লা মসিদগী পাকথোকখিবনা মমাংঙৈদা কবিতাদা মফম খজিক্তা ফাওবা লৈরমদবা পোৎচঙ ময়াম অতংপা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। থাংজম ইবোপিশক সিংহগী "অপাইবা থরাই"দা হাপু হনায় থাদফম "দষ্টবিন", "ফুটপাট"গী বর্ননদা নত্তে, "হয়িং খোংরাম্বী", "মীরেলশঙ" অমদি 'ঙারী ফুম্মায়' ফাওবা কবিতাগী লমায়দা চঙশিল্লক্লে। অহানবদনা জীবমক্তা উবা তারবদা

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী তাং ১২। ৭। ৭০ নোংমাইজিং নুমিত্তা তৌখিবা স্টদি সার্কলদা পাখোকখিবনি। এলাংবম নীলমনি সিংহ নহাওইরিবা নৌনা সাহিত্যাদা খোঙদারকপনি। মহাক্কী লাইরিক্ অনী থোক্লে—১। মনিপুরী সাহিত্য অমসুং সাহিত্যকার (সাহিত্য সমালোচনা) ২। থরুবী (বারীমচা) হিন্দীগী ফাওরবা উপন্যাস 'ত্যাগ পত্র' মৈতৈলোন্দা হন্দোকতুনা 'ঋতু'দা মচেৎ মচেৎ ওইনা ফোঙখি। কলচরেল ফোরম, মনিপুরগী অচৌবা মেথরনি ১দি 'ঋতু' দা থবক নোম্নি। মশামক্ তি, এম কোলেজদা মনিপুরী সাহিত্য তম্বীম্নি।

চোংঙা তেনৱা, উরোক চীং-খুনু তমথুনুনচিংবা ময়ামসি উরম্মী হৌজিক্তা মসিদগী হেন্না উশিল-লুবনা ঐৌজিক ফাওবদা, কবি সমরেন্দ্রনা উশিল্লি —

তিল্লাইখোম্বী মচা ইমা তিল্লাইখোম্বী মচা
মুংশিদরা য়েংউ ইমা তিল্লাইখোম্বী মচা
হাত্তোকউ ইমাগী ইবুংঙো মুংশিবা
হাত্তোকউ হাত্তোবড—(তিল্লাইখোম্বী)

× × × ×

'মচু মচুগী অতিয়া'দা কবি মধুবীরনা 'তোম্মৈগী ঙাক্রা' ওন্থোক্কপা অমা য়েংলি;—

শোয়দ্রে থম্মোযদা খঙখি
ক্লিং ক্লিং চোংনা য়াওরকই, লৌরক্তা
কোকাৎব কুইদ্রিবা তাইবঙ জ্ঞান শুদ্রিবা
মমিংনা ঙম্বা ঙাক্রা অমা উবদা তোম্মৈ হৱাওৈজ্জ ।

× × × ×

কবি কোইজম ধীরেনগী 'লমশি মরু' কৌবা কবিতাদা নী'থারি,—

ও। অরাবনি।
নচা খুদিংমক্তী মশা। মীথিবোং মীতম্বাক্কী,
অয়ম্বনি ।
নংগী নতম্বাক্ত য়াতারবি, শিরবা তুংদ
শোকলুমু ইমা কায়দ্রবনি, পাইক্লমু মশাহু
ইমাগী নচা ওইররোই, লেবাক্তী য়েংথিবনি,
তম্নরাই ঙাক্তনি। লমশি মরু ঙাক্তনি।

× × × ×

অসুম্না অনৌবা কবিতানা পুন্সি অসিদা থেংনরিবা হীরম অয়াম্বা পীকই চাউই হায়বগী চিংনবা থাহুনা ম্নারিমথৈ পাক্লা চাউবা কোনশিনবা হৌরি ।

মথংগী খোঙথাংদা, অসুম্না পাক চাউবা কোর্নশিল্লবা হায়মশিং অসিবু বর্নন তৌহুনা হায়বদি শীংথাহুনা ইবা মতমদা অয়াম্বা মতমদা কবি মশাগী ওইবা মমুং অমসুং মপানগী ৱাথনা নম্না ফোঙদোকই । হায়বদি অয়াম্বা পরথ নত্রগা সবজেক্তিভ ওই হায়বা। অঙানবদি অয়াম্বা কবিতাশিংসি পোং মশাগী ওইবা হায়বদি বস্তু পরথ নত্রা ওবজেক্তিভ ওইরম্মী। করিগুম্বা অমা বনন তৌবকপা মতমদা. অয়াম্বা মতমদা বনন তৌরিবা পোং অতুগী মশাগী ওইবা শকওংদা নম্না য়াওবম্মী কবি কমলনা অচিকপ অহিং অমা অসুম্না শীংথাখি;—

থাবস ফবী অহিংগী মতম য়ৌবক্লে,
মুংথিলগী লাউখোংবা নেমথরকলে ।
ইচৌক চাঁকথরে মালেম পৃথী'সি,
থেংজিন্নক্লে অহিংগী মতমসি ।
কৌরুক থুমখে চাংয়া তময়া,
থা-থরানমিচাকনা লৈতেংখে অতিয়া ।
(নীরবরজনী)

× × × ×

অতুগা, অনৌবা খোঙথাংদা মায়পুনরক্লিবা কবি শ্রীবীরেনগী 'অশিবা অহিং' অসুম্না বর্নন তৌরি.

ফিভমসি শোকচিন্নে
অনাবসি মতোমত শিজকাউ য়ারি ।
লৈকাইসিদা লৈবা মী পুম্নমক
লোইনা তুমখে অহিংসিদা ।
হুকচাং কায়াং পুম্বা পংথরে
তাং পুম্বা শিথরে ।
য়ান্না মমসিদা, য়াম্না চিকপসিদা

ফিবনা থক-থক নিক্লে ।

× × × ×

অসুম্না বর্ননদা শীংথারিবা পোৎ অহুগী মতেংনা অইবগী মশাগী মত্রগা নাকয়েংকী অপূনবা অরা মুংঙাই রাখল কয়া ফোংদোক্লবা হোৎনরক্লি । অসি হায় হায়হুনন্থ পোৎ মশাগী ওইবা বর্নন সুকয়াও য়াওদে হায়বগী রাকম নত্তে; চাংদা ওথাক হন্থখিবগী রানি ।

হৌথিবা কবিতাশিংনা লাপ্লপ লেপ্লগা পূম্বুম তারবা পুন্সিগী থোংনা ঈংনা নীংথিজরবা শরুক য়েংলম্মী । কা তাম্না শাংপা লৈরাংনা মীরাও খোন্দগী লাপ্পা শাৎচহুনা কাগনি হায়বগীম্ম কলঙ্ক, তাগনি হায়বগীম্ম রাক্লদনা লেনজখি; কবি চাউবনা লোক্তাক মপান্দা কমহুনা মতম কুইনা নীংলক্লবা ফজরবা দৃশ্য অমা উবা ফংজখি হরাও মুজুংগী পিরাংতনা মিংলুগী নাপোম থুমখি;—

কুইনা নীংলবা, পুক্লিংগী অপাম্বা
ঙসিদি থুংজবা তারেদো
হিথক্তা তোংহুনা ঈপাক্তা তৌবগুম
নৌগী জগোইবু শাজগে ।
নীংজবা থুংহুনা মিংলুগী নাপোমদা
তরংগী লাইজবু শিম্থগে ।
মৈতৈগী ঈপাক্লি, মাঙদা ঙাল্লিবা
ঐথোইগী লোক-তাক হায়বসে ।

× × × ×

হৌজিক্তি মতম অহু চংথরে । যুগ মশক ওক্লে; মচা মোরাম্বী পোহুনা থেম্বা য়াবা থা-থা থাবুংদোন নত্রে । পুন্সিবু নক্লা য়েংবা হৌনরক্লে । পুন্সি অসিবু মচেৎ মচেৎ থোক্লা য়েংলকপনা নীংথিরবা শরুক্তা লোইননা ফজদবা মুংঙাইতব। অরাকপা অথাব। শরুক কয়াম্ম থেংনক্লরে । মুংঙাইগত্র। ফজরমগত্র। হায়বগী আশাদা চঙশিল্লুরগা মকম মরাং খঙদনা লপ্থুক্লরবা কবিনা মচু মচুগী অতিয়াদা লাওরি;—

ঐনা লাকপা লম্বেলম্থ থিবা থঙদরে;
খোঙথাঙ খুদি·দদি থেংনরি লংপা লৈত্তনা
অমকপা মুং ।
শরু ঙাক্ল ।
মীগী লু-কং ঙাক্তা
চমম্নরবা,
মুংবংনরবা
জ্ঞান মাঙলবা—
ঐগী মিত্তা করিম্থ উদে, ভূট প্রেট মত্তনা
তাদে নাকোংনা অমত্তা, শা কৈনা খোংবা
নত্তনা—
ওঃ ঐগী উপাই ।

× × × ×

কবি কমলগী "লৈপাকলৈ"না হকথেংনজরম্বা ময়াইকারব। পুন্সিহু "অপাইবা থরাই" গী 'চারাম্নরবা কৈথেল-হুই'গী মফমদদি বর ওইত্রে শাপ ওইররে;—

রাম-নারায়ন কৌবা দেশরালী অমনা
মাগী মুপীনে
মচা নুপা অহুমনে মচানুপী অনীনে
ছুরিনা থিন্দংতুনা হাংলগা
মশাবুনা ধম্ম শালাগী ফৈরেন্দা
থৌরি যান্দুনা শিজয়ক্লে ।
চারাম্নরবা কংত্রিক কংলবা হুই অমা
তেংথারমই শিথ শিথ ।

অমুম্না সংস্কৃতকী রসলোমদা য়েংলুবদা অহানবদা শৃঙ্গার, বীর, শান্ত অসিনচিংবসিনা মরু ওইরম্মী। হৌজিক্কী মসিগী মথক্তা বিভৎস্য হায়বা তুকচ্ছবা মথলগী রস ওইবা অদুম্মু উরক্লি। অনৌবা অশেং অশেংবা উরকপা কবিতাগী য়াওল্লি মনিপুরী কবিতাগী খোঙথাংনি। অনৌবা কবিতা অসি শৌ শারবা রাখলগী লনগৈ ওইরক্লে।

কোংদোকপগী নত্তাংবা খোঙথাং

হৌখিবা কবিতাশিংদা খোং-নোরবা রাহৈ নত্রগা পদশিংগী, তাবদা তাল অমদি লয়না মুংঙাইহল্লবা ঊচেল অমা লৈরম্বা অদু হৌজিক মতমগী শৈরেংশিংদা য়াম্না রাংনা উরকই। খাক চাউনা কোইনা কোংদোকপগী মহুত্তা য়াম্না শম্না শম্না লাম্থোক্লরক্লি। রাখল অমদি মতমগী মমিনি। কবি কমলগী লোন্দাগী ঊচেলনি—

ঊশিংদসু চাউদবী, কংকান্দসু হৌদবী।
উদা তাংলে উতাংবী রাদ তাংলে রাতাংবী।
পরেং লেংশি পেদংবী নাচোম শাসি
নাওথী শাবী।
মুংশিং শিংলে মিপাইথীবী, খোইমু লাক্লে
ইকাইথীবী।

× X ×

হৌজিক্কী কবিতাদা অঙাওবা, চাংদগী চাইথ-রকপা ঊচেলগী মতৌগুম পোখাকম পল্লেপকম অকক্লবা লৈতনা থিথরকই,-

এলবুমদা, ককলাংদ
ইশি শিনা নোকই;
মথাই য়াওরবা শক্তম্না।

খংদবনা হায়
অঙাওবনি।
অথংবনা শোল্লি
মৈচাক্লি—
মৈচাক।
এলবুমগী লমায়দা ···মূর্ত্তি।
শমজিরৈ লৈতেংই
শমজিদা
কোইরাওনৈ মিম্নাদা—
কোচরাওনৈ।
('কাং-খোং চাইরবা পুন্সি"—রনজিৎ শর্ম্মা)

অমুম্না ছন্দগী মতেংদদি, মনিপুরদা হান্নগা অকক্লবা ছন্দশাস্ত্র লৈরকক্তবগা, সংস্কৃতকী লৌশিন্দুনা কাজিন পুনশিনবসু হৈনরক্তবগা হেক পাখিন্দুনা মপুং ফানা নীংতম্না হৌরক্লে। নীংতম্না ছন্দ হায়না কোবা য়ারবা জাংনি। রাখলনবু লাম্বা কংলবদি কোংদোক্লগা খঙনরগা য়ারপোৎনি হায়বগা অনৌবা খোংথাংদা কবি সমরেন্দ্রনা নোংলাউরি—

হো নোং!
মম্লবা নোং!
হো অতিয়াগী নোং!!
মম্না চুরো চুরো
আশানা থল্লবা খুনগী মথক্তা
ঙংনা চৎখো নোং! নেম্লবা নোং!!

প্রমান পাস্থৈনচিংবা অলঙ্কারদদি নিয়মগী ওইনা চাউম্নেংদা অওনবা থোইনা উদে। অদুগা, তৌবদি প্রমান পাস্থৈগী পোৎলম পোৎচঙশিং নোংমা নোংমগী মশিং হেনগংলক্লি। থিবা লেপত্রিবা, উবা তোক্তিবা য়েংনিংবা লোইত্রিবা মীওইবগী হৌনবনি। অনৌবা থোকলকপা মশানা তাবনি। কবি রতনকুমারগী

অহানবা মুংশিবদি খোইমু থম্বালগী, নোংলৌ-রীগা টরিকগী নত্রগা নোংইন অমম্মুং থাগী নংত্রে, অহোইনন্নুম —

ঐগী অহানবা মুংশিবদী, ভশেংনমক
টাইপ রাইটরগী অকনবা স্পিডনি
হোজিক ফাওবা মখোল অহু কার্বোন
য়াওদ্রবা
থম্মোইগী চেবাংদা তারি।

× × × ×

কবি ইবোপিশক্কা পুন্সিবু শীংথাবি অসুম্না;

জেট প্লেন
আকাশতা হুইস হুইস
অহুগা ঐগীসু পুন্সী
হুইস হুইস
মানি ঐসু মতমসিগী মীনি
ঐগী রারীসু
মংমসিগী রারিনি।
(পাইলোট)

রাহে রতাপু অতৈ লোন্সশিংদগী লেপ্পনা চঙলাক্লি। এখোয়গী হান্না লৈজবা রাহে কয়াসু শীজিন্ননিংবা মওংদা নাংখা তম্না শীজিন্নবা চৎলক্লি। অসুন্না অনৌবা শক কপা থোরক্লি। অহিংবা লোনগী হৌনবনি। বিষয় ওল্লকথনা অথোংপা অনৌবা রাহেরাতা অমদি লোন্দা মমী থরা থরা শামলকপা ওইনা থোক্লরি। চিত্রাগী কান্নরবা থম্মোয় অমদি নগ্গাবতীগী খোঞ্জেল অমত্তংনচিংবা অনৌবা কবিতাশিংদা কবয়িত্রীগী থম্মোইদগী হৌরকপা অমেংবা রাহে কয়া তাবা ফংদবদি নত্তে, অদুবু হায়রিবা কবয়িত্রীশিং অসিগী খুৎইদমু থোঙখাংসিগী মঙাল উই। কায়রবা থম্মোইগী তেংথাখোলদা য়াওরম্মী —

চাক্লে মৈরী ফংনা
কাহৎলে তাঙ্গোই থোক্লা
ইস। কনথয়েদা মৈশাসে
তুমগদোরে চাকথেক্কুনা হকচাংসে
থাখরগনি থরাই
থাখরসনু মহাকথক্কী ॥

× × + ×

মতৌ অসুম্না অনৌ... থো... কপা থাংহনা মনিপুরগী অনৌবা কবিতাশিং ইরোং কয়া ফাংনা উঙমদবা লমথম অমা নত্রগা লমথুং কয়া তম্না চেম্মরি।

আয়কে মবুবীর

অচুম্বা ঙাক্তনি


মখোয় অহুম ৱারি শাই
গোপালনা হায়;
"ঐমুক কজবা শক, মকম কৈদা লৈবগে ?"
মথা শ্যামনা তাই,
"ঐঙম্বা ইনাক খুনবা, লৈবাকসিদা কনানো ?"
ৱবীনা অমুক হায়,
"ঐদোনা শঙ্গ তোবা, হায়য়ু ভাইবঙদ কনানো ?"

নোকমি নোকমি মোদোল অঙাওবা
পন্দনা চঙলকই মখোয়গী নাক্তা
অমসুং হায়রকই,
"ঐস্থ মপোক্তা নহানমূকী
নিংথৌ ওইরম্মী
নিংথৌ ওইরম্মী।"

নোংচুপ্তগী পুরকপা খরা

[ভারতকী খনগৎলবা আর্ট কৃতিক ১দি লেখক অমা ওইনা প্রোফেশার এলাংবম নীলকান্ত সিংহবু "ইন্দো-ফোরেন কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম"গীদমক ভারত সরকারগী মিনিস্ত্রি ওফ এডুকেশননা ইউরোপকী লৈবাক অহুম হঙ্গেরি, জি ডি আর, ফ্রান্স (পেরিশ)তা থারকবদগী হনলকপদা 'রাখল' গীদমক শ্রীবীরেন্না উনরকবদা হায়রী শারকপন্থু পুথোক্লি—সম্পাদক]

ঐনা চৎখিবদা মহাক (নীলকান্ত) ইমুংদা লৈরম্মী। ঐ লাক্লে খঙলবদা থোরকতুনা ঐবু কৌশিনলগ ড্রাউইং রুমদা চঙমিন্নরে। ড্রাউইং রুম অসু মাগী লাইব্রিক পাকম কা (Study Room) গী অমাংদা লৈ, অদুনা লাইব্রিক পাকম কাদা চঙলগা অয়াং লোয়্নদা কাংলিবা থোক অদুদা অনৌক চঙবা তাই। দাউইং নমী অরাংথবা ফক্লাংদা ফুট মঙা-রোম য়াংনা নপলিবা ডপাক্কী রেক অমদা ফিলিপসকী রেডিও অমা লৈ, শীঅরবীন্দ, গান্ধী ১দি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ফোটো ১দি অতৈ গ্রুপ ফোটো অমা অনাগ থেংলি। মচু অমনক য়াংবা ফাল অমদা লৈনা নাম্না মেগাজিন খরসু মপৈ মপৈ ওইনা পৈরি মদুগী মনুংদা 'এনেক' হায়বা ড্রামাগী মেগজিন অদুসু যাওই, 'প্রোফাইল ওফ গান্ধী' হায়বা গান্ধীগী ফোটো য়েকপা রোয়েল সাইজগী লাইব্রিক অথাবা অমসু য়াওই। নোং চুপ থংবা ফকলাং মনাক্তসু ফুট অনী মথাক্তাম য়াবা তেবল অমদা 'এনকাউন্তর' অমেরিকান রিভিউ, ১দি 'বার্ল্ড ইউনিয়ন' হায়বা মেগাজিনশিং অসি লুনা নাম্না মপৈ মপৈ পৈরি। মিংশেল চনবা অহানবী মচা অমা লৈ, মগী মনুংদা লাইফবী ১দি অতৈ অতৈ লৈতেং কয়া যাওরি। মানা (নীলকান্তনা) মমাই মথা ওন্দুনা ফম্মী, ঐনা নোংপোক ওন্দুনা ফম্মী। ঐনা পুবা রাইটিং প্লেট নচি বহু মাঙগী কয়া য়াংদবা তেবলদুদা থম্লগা ঐ



নীলকান্ত

ঙৈহাক তুমিন্না লৈ। ঐ থুমদগী য়াহং থরদি ইকুনা পুরকপানি, অদুবু পুরিরিবা য়াঙংশিংদুগী মরক্তগী অমনা ঐথোয় অনা ওনবগী য়াহৌ ওহবসি, করিগীনো খঙদে, ঐ পাম্মকত্রে। থদকা থোরকপা য়াহং অমনা য়ারী শাবা ঐ অহুম্মক হৌ.র।

ঐনা — ওঝা ! ! টি, এস, এলিয়টকী মোং মতুং হৌরা ইউরোপিয়ান কল্চর, অমদি ইউরোপিয়ান সাহিত্যগী তোঙান তোঙানখিবা মরাম অসিবু অমতা ওইনা

পুনশিন্দুনা থমলিবা মন্নুংদা লৈবা "কমল রুট" অসি "খৃষ্টিয়ান ফেথ" অমদি "ক্লাশিকেল ওইবা লোন" অসিনি হায়না হায়রম্মী। অদুদা ক্লাশিকেল ওইবা লোন হায়বদুমা হৌজিক ফাওবা কায়দনা ডাকলম্বা য়াই হায়বদা থোইনা চিংননিঙাই ওইদে, অদুবু "খৃষ্টিয়ান ফেথ" অসিদি হৌজিককাওবা কায়দনা ডাক্লমগনি হায়বসিদি ঐ হায়ফেৎ চিংনৈ। মসিদা হঙ্গেরি, জিভিআর অমদি পেরিশতা থেংনবিরকপশিংদুদা হৌজিক কাওবা 'খৃষ্টীয়ান ফেথ' ডাক্লা লৈবা উবিরকপ্রা ?

নীলকান্ত — এলিয়ৎকী "খৃষ্টিয়ান ফেথ" হায়না হায়বিবসি ঐনা খনবদদি মতম পুম্নমক্তা 'ফেথ' কী ৱাসি ইকোন কোয়ৈ, ঈশ্বর লৈবু হায়রবস্ত্ব, লৈতেবু হাযরবস্ত্ব ৱাফমসি থাদোকপা ইডম ঙমদে হাযবা ওইরমগনি নীংঙি। অদুগা এলিয়ৎ মশামকস্থু বেসিকেল্লি ত্রেদিসনেলিষ্টনি; মাবু ঐনা বেকেট, শার্ট, কামুনচিংবনা ওইরিবা মোদন অসি চপ চানা ওইরে হায়না লৌবা ঙমদে। এলিয়ৎতগী বেকেট, কামু, শার্টনচিংবা অসিনা অমুক হেনগৎখরবনি। অদুগা হৌজিক নিশ্চেনা হায়বদগী নেংচুপ্তদি ঈশ্বর লৈত্রবনি; অদুবু অাঁদ্রে জীদ (Andre Gide) হায়বা ফ্রান্সকী কাওরবা লেখকুগী উপন্যাসতা ঈশ্বর লৈ লৈতে হায়না নৈনবগী ৱাসি ইথা থাদোক্তনা ই।

হৌজিকমক্তি শার্টকী "কমিটমেণ্ট" হায়বা অনৌবা খোঙথাং অমা কল্লা চৎথরি। "মোরেল কমিটমেণ্ট" হায়বসিদা you must be very careful (থবাই য়াওনা) লেখক অমা ওইনা, নঙস্থ সমাজ অসিদা হাওরি হায়বসি থাদোকপা য়াদে; সমাজ অদুদগী নঙবু তোঙান্না থম্নগা য়েংগদবা নত্তে; নঙস্থ য়াওশিন্দুনা মাইকৈ অমদি লৌদবা য়াদে। হায়রিবসি মার্ক্সিজমনি, মসি হিউমেনিষ্টিক ওইবা ৱাফমনি। সমাজগী কাংবু অমতগী য়েংবা য়াদে; মীয়ামগী মাশকী য়েংগদবনি, Expoited অমসুং Expoiter হায়বা অসি লৈ; ক্লাশ সোসাইটি হায়বা কেক্টশিংসি য়াবা তাই। ইনরিবসি কনাগীদমক For whom one does write, হায়বসিনি। মীয়ামগীদমক, মাশকীদমক। তৌবদি মসিস্থু ইতিহাসনা পুরকপা খোঙথাংনি।

ঐনা — [ইমুংদগী ওন্নাগী হুপীনা চা পুখোরকই। ঐতোন্দা চা কপ অমা, ওন্নাদা কপ অমা পী, ঐনা লৌরগা মাঙগী তেবলদা থম্নগা ওন্নাদা ওনশিনলগা]

মসিদা ৱাফম অমা লৈরে। মতাংসিদা ঐগদি মোত থর থেন্নরে। ঐনা থাঅবদি সাহিত্য হায়বসি ইণ্টেলেকচুয়েল গ্রুপকীনি খল্লি।

নীলকান্ত —(চা চিংলগা) নঙনা হায়রিদু লাইব্রিক হৈবা কাংবুগীনি, লাইরিক হৈত্রবদি

পাবা থোকলোই হায়বা ওইরমগনি; মহুক্নীদি লাইরিক হৈতবা লৈররোই। ঐখোয় শ্নাইদা লাইরিক হৈতবা লৈবগী ৱাদনি, অশোমদদি লৈতে। মোত খেন্নবা নত্তে। অহুগা শার্টকী মোত অমনা মীওইবগী ফ্রিদম লৈগনি, মহু ঙাক্কদবনি। অহুগা ফ্রিদম হায়রিব-সিদা ঐগী ফ্রিদমনা মীগী ফ্রিদমদা অকারবা পীবদি য়াদে। অতোপপা অমহুস্থ ফ্রি ওই হায়বসি য়াগদবনি। As a writer নঙগী ফ্রিদম লৈ, অপাবগীস্থ এস এ রিদর ফ্রিদম লৈ; করেক্তগীস্থ ফ্রিদম লৈবা তাই। করেক্তরগী ফ্রিদমহুস্থ লেখক্না ঙাকপা তাই।

ঐনা (ইরখদগী খুৎ থাঙ্গৎতুনা) মসিদা, মসিদা: লেখকস্থ, অপাবস্থ করেক্তরস্থ মখোয় অহুম্মক যি ওইরবদি মখোয় কদাইদা উনগনি?

নীলকান্ত — (ঙাইঙমদনা খৱাই য়াওনা) what is Freedom? Free character করিনো? রাইটর অহুনা লোইনা খঙলত্রনে? রাইটর মশাস্থ লোইনা খঙবা নত্তে। He is not God, রাইটরনা লোইনা খঙঙি হায়বা য়াদে। মাদি ইঙ্গত তৌবতনি। মহুদা অপা-বনা খনবগী ফ্রিদম লৈ।

ঐনা—[চা থক্না থক্না] করেক্তরগী ফ্রিদম হায়বদি করিনো? What is the character's freedom in a novel?

নীলকান্ত— করেক্তরগীস্থ মশানা পাম্বহু তৌজনবগী মকম পীবা তাই। মীওইববু খুৎলাই ওইবা য়ারোই; Man is an end হায়রিবসিনি। নিংথৌনা নত্রগা ইনাকখুনবনা মীওইববু খুৎলাই ওইহন-বসি য়াদে। সার্টকী ৱাফমদা অম লৈ. হিউমেন লভ অসিগা টেন্সন অসি মতম পুম্বদা লৈ মরমদ অমগা অমগা মুংশিনবদা অমনা অমবু মাগী মাগী ওইনীংলকপদগী অমহুগী ফ্রিদম অহু লৌশিনগে তৌরকই; অহুবু অমহুগী ফ্রিদম অহুদি ঙাকপা তাবনিনা য়ানদবা থোরকই। অহুনা লেখকস্থ করেক্তরগী ফ্রিদম অহু ঙাক্তবদি লেখক অহুগী As a writer ফ্রিদম অহু য়ারক্তবা লাকই। অকায়বা থোরকই।

ঐনা— নোট তৌবা (তাবথোক্নুনা অসুম হৈহাক খল্লি, হৈহাক ৱাৱী শাদে হৈহাক লৈরগা) ঙসাইগী মীয়ামগীদমক ইবা হায়বদো ওঝা; ঐনা থেংনখিবা অমগা লৈ, সোভিয়েটকী শোসিয়েলিষ্ট রিয়েলিজম হায়বা অমা লৈ, মাশ লিটরেচরগা মান্নবোই নাইঙি। মসিবু কলেক্তিভ ভেলুনা Individual valueদগী হেক্লি হায়রিত্রা?

নীলকান্ত— (মশা থাজনা) কলেক্তিভ হায়রি-বসি পোৎ ময়াম বোরা মমুংদা হাপাচনবহুদি নত্তে, Every body is free. অহুবু ইন্দিভিয়ুয়েল ফ্রিদম অসি কয়া য়াম্না ঙাকপগে হায়বসিদি

হৌজিক ফাওবা কম্রোভর্সিয়েল ওইবি। ইন্দিভিজুয়েল ফ্রিদম নি হায়না ঐনা তৌনিংবা তৌনি হায়ত্রুনা সমাজগী মাঙনবদি তৌবা যাদে সোসিয়েল দিসিপ্লিনদি ঙাকপা তাই। নত্তনা ঐনা থোকপা পংভৌ তৌবদি ফ্রিদম নত্তে, বেওসনি। অত্তুগা কম্যুনিষ্টকী লৈবাক্তদি এন্টি কম্যুনিষ্ট ওইবদি যাদে।

ঐনা — (নাওবন) অতুগা করম্না ইন্দিভিজুয়েল ফ্রিদম লৈবিবনো? কম্যুনিজম অসি ফত্তে খনবা লেখককী মকম পীরিব্রা।

নীলকান্ত—(মশা থাজন) যেস, পী। অনৌবা খবা পুশোকপা ফাওবা য়াই, মত্তুনা সমাজগী ষ্ট্রকচরদা অকায়বদি পীবা য়াদে।

ঐন — মানা তৌবা যাবনী মমুংদা লৈরিবা অনৌব খরত্তুন সমাজদা অকায়বা পীদবা য়ুত্রবদি অনৌবা খবত্ত মানা তৌবা নুগী মথুংদা লৈবি হায়না লৌব ভংগদা?

নীলকা. [১৯৫ ন। ন] যেস তৌব যাই, H. . . মাবু হাংতোক্তিবত্ত ফর. ন হৌজাক্ত য়াম্না লিবরেল ওহরে। ষ্টেলিনগী মতমদা কয়া যারমদে, অত্তুনা ম বু যানহৌক্রে। লেনিননা হেম্না যানহৌই।

(ওঝানা হ।লোয়দা কিহোম থাকলকউ হয়না হায়খি)

ঐনা— মনিপুরদদি সাহিত্যগী থবক অসি লেখকী লনাই মিংয়েংদনা হিংজি হায়বমক য়াই; হোই, শেল থুম খন্না সরকারনা গ্রাণ্ট পীবা, লাইরিক থরা লৈবিবা অসিদি অত্তুক তৌবা হায়বত্তুনি, মসিমক্না সবকারস্থু শরুক য়াম্না কন্না য়ারি হায়বদি য়াদে। ওঝানা লেঙবিরুবা লৈবাক অহুমতুদা সাহিত্যদা সরকারনা শরুক কযাম লৌবগে?

নীলকান্ত—(ঐনা মনিপুরগী বা হায়বদা মানা নোকই) মত্তুদি কম্যুনিস্ট লৈবাক্তা মত্তুবা লৈবাক্তা থেরৈ। হত্ত্বেবি ১দি জদিআরনা কম্যুনিষ্টকিনি। মসিদা সরকারনা মপোৎকুম তৌত্তুনা কন্না হোৎনৈ। ত্রান্সতদি সবকারনা একাদমীনচিংবা থমত্তুনা নেকরেক্সদি তৌই হায়বত্ত ইন্দিবিজুয়েল বাইটবশিংনা মথোন্নগী সোনাহুটি লিংখৎত্তুন অয়াম্বা হোৎনৈ। রাইটবগী পোলিশিদা সবকারনা খুং থিংজিন্দ। রাইটবদা থাদোকই।

ঐনা— অনীসিদা ওঝাদি করম্বা পাম্বীবগে?

নীলকান্ত— পাম্বা হায়বদি?। নোকক্লেৎ তেই। ইনুংগী ওঝাগী মুপীন কিহোম অথা কপা প্লেচতা হাপ্তুনা পত্তুম অমমমপা পুখারকই)

ঐনা— পাম্বা হাযবদি পাম্বানদনা।

নীলকান্ত— যাম্না ইন্দিবিজুয়েলিষ্টিক ওইবসিদি ঐ কন্না পামদে। পেশশাতি য়াম্নমক ইন্দিবিজুয়েলিষ্টিক (কিহোম চানা চানা) ওই। মী খাদংমক মানা মানা থোকপা তৌনৈ কনানস্থু হন্না য়েংনদে।

লাই য়েকপা অমসু লম্বী মচী অমদা কেনবাস পুথোক্লুনা মানা থোকপা লাই অত্থুম য়েকই, লৰীদা অতৈসু অত্থুম চৎলি; কৈসু হন্না য়েংনদে, নোক্লদে। ঐনা থোকপা তৌনি হায়বসিনা ময়ামগী য়েংলক্কে। (থরায় য়ান্না য়াওনা মখোল লুয়া) পেরিশতা তশেংনা ঐ মুংঙাইরক্কে আর্টকী ফজ ফজবা কয়াবুদি উরকই, নৈনরকই; অদুবু তশেংনা মুংঙাইককপা হায়রবদি মুংঙাইরক্কে। মীগা মীগগী মরীদা হিউমেন টচ য়ান্না য়াৎলি।

ঐনা—(বিহোম মশুং অমা লৌদুনা চাখিনলগা) ময়ামদা লুপশিন্দুনা ইশাগী পুন্নমক মাঙখিবদি কয়া পামদে।

নীলকান্ত—(নোক্লুনা) নঙগী ময়ামদুদা নঙ য়াওদে। ময়ামদগী নঙনা তোঙান্না লৈরগা হায়গদবা নত্তে; নঙসু ময়ামদা পুনশিন্দুনা য়াওরগা, (থরায় হেন্না য়াওনা) "ময়াম" হায়রবদগী "ঐখোয়" হায়নবা হোৎনগদবনি। ময়ামদা লুপশিন্দুনা ময়ামগীদমক ঐ মাঙগদবদি নত্তে; ঐখোয়দা লুপশিন্দুনা ঐখোয়গীদমক ঐ মাংঙু হায়বদুনি। মার্ক্সিজম্না হায়রিবদি মসিনি। মসিদা ঐগী ইন্দিবিজুয়েল ফ্রিদমদি ঙাকনি।

ঐনা—নোংচুপতগী হনলকপদা মনিপুরগী সাহিত্যগীদমক করি তৌনিংবগে?

নীলকান্ত—(থরায় য়ান্না য়াওনা) প্রোফেশনেল রাইটর, ইয়গা ছিংবা ওবা লেখক মনিপুরদা লৈরব্রা?

ঐনা—(কোয়া) ইরৈ লৈতে।

নীলকান্ত—অদুনা প্রোফেশনেল রাইটর করম্না ফজনা লৈগনগে হায়বা অমা থল্লি। মসিগী ফাউন্দেশন শেম্ব তাই। মসিগা লোইননা মপানগী লাইরিক পাবা। মনিপুরী সাহিত্যনা খাইদগী হেল্লি হায়বনচিংবা প্রোভিন্সিয়েল ওইবা অসি থাদোকপা তাই। ঐখোয়গী পণ্ডিত অহলশিং অয়াম্বনা থাজনরিবসি থুগায়বা পাম্মী। মপাললোমদগী থরা খঙবা তাই।

ঐনা—(নোক্লুনা) করিনো খঙগদৌরিবা?

নীলকান্ত—মপান্দা লাকলিবা অনৌবা ময়ামসি খঙনবা কদায় কাওবা এসিমিলেট তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংবা। গান্ধিজীগী রাইহেদা থোঙ হাদোক্লুনা থম্মু হায়বদুনি।

ঐনা—(নোক্লুনা) চঙলক্লগা করম্না থমগদগে?

নীলকান্ত—(নোকমিন্নদুনা) অহানবদা চঙদা চঙহনখো। মনিপুরী সাহিত্যবু কদোমদা চৎকদগে হায়বদুদি কনানা হায়বা ঙমগদগে?

ঐনা—লেখক কনা কনা উনরকপগে?

নীলকান্ত—হঙ্গেরিদা গাবোর গারাই(Gabor Garai) মহাক মোদন পোয়েটনি। মাগী মিৎয়েং হিউমেনিষ্টিক য়াম্না ওই। জিদিআরদা মেক্স জিম্মিরিং (Max Zimmering) কবিনি। পেরিশতা নাটালি শারো (Nathalie Sar-raute) উপন্যাস ইবী মুপীনি।

ঐনা—(হংনিংনা) ময়ামসি উনরুবদগী করি থল্লি?

নীলকান্ত—(য়ান্না খাজনা) লাইরিক ইবা হায়বসি য়াম্না সেরিয়স ওইবা ডেডিকেসন য়াম্না চঙজি হায়বসি খঙঙকই । রাইটর ওইবা হায়বসি অরাইবা নত্তে ।

ঐনা— (নোক্না) ঐদি কুইরে খঙবা মতুদি । ওঝাদি হন্দক্তা খঙবা হায়দি খঙবিরনে ?

নীলকান্ত— হায়নু খরা খরদি খঙলম্মী; অতুক য়াম্নদি খঙলমদে । চপ চানা থেন-ক্লকানদা হেন্না খঙলকলে ।

ঐনা— ঐদি কুইরে খনবা । ঐনা তত্তনা হায়বত্তুনি । করে অসোমদা উরকপা অপাম্বা ময়ামগী মমুংদা অতৈমক ওমত্রবনু মসিমতং তৌরবদিকো হায়না মনিপুরগীদমক তৌনিংবা করি লৈবগে ?

অদুত নত্তে। য়াওশংগী, লিকোন শাম্নবগী অদুগা ইচেখোযগা পাখঙশিংদুগা চিঠি পীনবগী পাখোল্ চৎপা ঈ-পাউ চৎপদদি ঐতনা থবক-শিংদু তৌবকই। ঐনা কখিগুম্ব ইচেনা হ যবা থবক্তা যাত্রবদি ঐহাক মাগী কিল অমা শোইদনা চাবা ফংখি। কবিগুম্বা ইচেগা পুকচেল তিন্নরুবা হুপা অদুগী মবমদা ঐনা ইনাদা য়াম্না হায়দোক্লে তোকববা, অদু ওইববদি ইচেনা ঐডোম্দা অচাপোৎ কয়া পীদুনা হায়দোক্লনবা থেমখি। মত্তমদুদদি লৈশাবী লৈবা যুম খুদিংদ পাখঙশিংন কৈজোম-খুম্মিং শেংলগা রঘুমিস্ত্রি কোবা খোঙউপ মখোন থোকপি অমমম উপতুনা য়াম্না কেনা কোয়বা চৎনবন্মী। ঐখোয়গী ইচেহোয়ত্ত মশম অদু দুমাংদ জুম্ জুম্, জাই জাই তাবমথে কক্তুনা লৈশারগা দুর্থিল্ খুদিংদা যুম্দা লাক্পা পাখঙশিংগী হিদাক ভানথক্ লানথোক্ই। যাম্না চীংলেম্ন চৎনবী অদু ডাক্খি। অদুবু চহি কুন্লোম্গী মতুং অসিদদি মতম অদুগী চৎনবী অদো থঙহোদনা মাংখ্রে।

য়াম্না চম্ন তিমরম্ব ইচিন্ ইকপুা হৌজিক্তি শাথিনা কোইনথবে। লৈশাবী অমনা নাওথি শ দুনা যুম অসিদা কেজ-নৌজদুনা লৈরম্বহ ভসিদি অতোপ্প যুম অমগী মী ওইখিবতা নত্তনা মচা নাওরোন অনি শুববী মৌ অমা ওইরবে। মশা মশা পাম্নদুনা হুংশিননা লৌন লৈনখিবা ঐগী ইচে অসে ভসিদি পুন্সিগী ওইনা কায়ন-রগদবনি হায়দুনা ইবায়গী নাক্তগী লাক্লে। অসিবু তম্ব ভম্লিত্রা? মীওইবগী পুন্সিসিদা অওন অহোংব হায়বসে মশিং লাকভমদনা থেংনরি। মতু দম্ন থেংনম্নখিগনি। ইচেনা ঐবু মাগী চিঠি পিরু হায়দুনা চৎখিবা মতমদুগী অয়ুক অদো ভসিম্ন অদুম লাকই, অত্তগা চিঠি পিকবা হুমিত্ত উনখিবা ইবায় অদুদি ভসি ঐগা শাথিনা মোং খেন্নববা মী অমা ওইনা তিমবী। মতম্দুদ মহাক্ন ফবম্ন মবুকচেল্ অদু হৌজিক কদায়দ মাংখ্রে? মসি অঙকপনি। পুন্নমক মতমগী থয়াত্তা লোইনমক তাখিবনি।

অশুম্ন হুমিত্তুগী অয়ুক অদু বাখল কয়া হুংডাইতনা কলেজ চংখি। মতমদুদা ইচেদি ইমাগী ফমুংদ হিপতুনা লৈহৌই। ঐনা হৌগংলু চাক ঈশিং চাথোক্লগা হুংডাইনা লৈমু, অঙাং-কাহ ইরুজথোকপিয়ু হাযদুনা থেন্নশী। অদুবু মহাক্তি হৌগৎহৌদে। ঐনা হুংশাখিদুনা য়ুঁদা ভনতানা হনজিখিবদদি ঐখোয় ইচে লৈয়মক্রে।

ইবায় লাক্তুনা কৌবৈ হায়রুনা চৎখিরয়ে। ঙসাই অযুক্ত য়ায় শাউখিবা ঐখোয় ইমাদো হৌজিক্তি ইহি হিগৎপমখৈ নোক্রহনা ঐঙোন্দা পাউ পুন্নমক তম্‌খি। "অসি ঙাক্তেনি য়ুম পাম্ব হায়বসিদি" হায়হনা ঐঙোন্দা য়াক্তেখি। ঐনা খল্লি—ঐস্থ হয়েং অশুম ভোগত্রা?

ইমিদা

চৎনীংবা মকমদা চৎলুচো
ঐগী ইমিদা তিন শীৎচিনবা খেংনগনি।
মকোক্না নোংঙোন খেৎপা
মখুৎনা ছইমুক্তা শাংবা
মখোঙনা পৈযামুক্তা চাউবা
মখোয় ময়াম
মমায় মমায় ওনশিন্নহনা
'মাননী' 'মাননী'
পঙশীংতা শীৎননি তিন
ঐগী ইমিদা।

অত্থগা
মখোযগী মতুংদা
মকোক শঙবায়মুক চাউবা
মখুৎনা উতুপমুক চাউবা
মখোঙস্থ য়ুম্বীমুক চাউবা
মখোয় খরা
তুমিন তুমিন
'মাননী' 'মাননী'
ঐগী ইমিদা
লৈ কৎলগা।

টিএইচ, গগনবিহারী

সনাহল লোকচাউগী নুংজাউশিং

লেপ্তু-। চংসি
মথং -থং
অমদগী অমা
পবেং শনা
সনাহল লে কচ উগী নু জ্বাউশিং
ইম্ফাল সহনগী লম্বেলদা
থাঙ্গাল ব জাবদা
পাউনা নোডক্রা
টিকেন্দ্রজিৎ পোত্রা
হোংভল খুদিং
গনী খুদিং।

ইখঙ খঙহৌদনা
মথং মথং লোংখৎনৈ
অত্থদগী অমুক থাদোক্লৈ
অত্থদগী অমুক লোংখৎনৈ
অমা অনি মঙা মাপন কুম্থ। চাম্মগা স্থপ্না নিফুরক
অত্থদগী কবি?
তুমিন্না লৈবা
অত্থদগী কবি?
শুম্রংদা য়েংবা।

রাজকুমার ভুবনসনা

সাহিত্যগী খোঙচৎ

শ্রীঅরেকপম শ্যামসুন্দর সিংহ

শ্রীখোয়না খঙভি, সহিত শব্দদগী সাহিত্য থোকখি। মসিবু মৈতৈরোলদা ইচম চন্না 'লোয়নবা' হায়না অহম্মক লৌবা য়াই। পুন্সিগা য়াম্না নক্লনবা মনী নৈ সাহিত্যদি। থাঙ্গেশে'নমক সাহিত্যদি পুন্সীগী শক্তমগা চপ মান্নবা য়েকথোক্লব' পিকচৎনি। ইংরেজী কবিগী লোনদাদা মাবু, criticism of life হায়নৈ। অমুগা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা সাহিত্যবু অস্মরম্মু হায়রম্মি— "It is called সাহিত্য perhaps because by it men after over flowing the limit of thier own absolute neccessity, widen their heart to be communion with humanity and universal nature." মাওইবগী পুন্সিদা সাহিত্যনা য়াওরবা মফম অমা কন্দুনা লৈ। মতাঙসিদা বাইবলগী মমল য়াম্নবা য়াহৈ অমা পল্লিংঙাই ওই—'Man does not live by bread alone.' পুক থল্লগডা মীওইবনা পেন্দুনা লৈথোকপা ঙমদে। অমুনা মীওইবনা কোইথি খিনকই, থম্মোয়গী অবাম্বা কোক্লবা। মহুদগী থোকখিবনি সাহিত্য, খুৎশা-হৈবগী থবক, হৃক-খোৎপগী থবক অসিনচিংবা।

নিতিগী থোক্লিবা পুন্সীগী থৌদোক কয়া লৌখৎলগা, চরিত্র কয়াদা পানশিন্দুনা, সাহিত্যনা মীওইবগী মিংথকমক্তদা, পুন্সীগী চপ চাবা শক্তম্বু ময়েক লানা উহল্লি। মী পুন্নমক্কী পুন্সীদা তোয়না শকথঙনবা,—অবাবা, নুংঙাইবা, অকিবা শাওনিংবা, নীংবা কাহবা, পুন্নমকসি সাহিত্যগী মচিঙ্গাক ঙাক্লি। মরম অসিনা মীওইবনা, সাহিত্যদগী, মশাগী পুন্সীবু মুন্না শকথঙজবা ঙাম্মি। অসুম্না শকথঙবসিনা, মীওইবনা মা-মাগী পুন্সীবু, নীংথিনা মন্থোক্তুনা য়েংনবা, অমদি, মগুণ থাংনা খঙনবা, অঙকপা ফংলবা খুদোং চাবা ফংই।

সাহিত্যিক অমদি শিল্পী অমগী মমিত্তা, পুন্সীবু উবিবা মউঙ্, ইচম চম্বা মী অমনা খক উকবা ঙমদে। অমুম্নদি ওইরগা, সাহিত্যহুবু শেমাঙবা মচাক, থৌদোক, য়াথিশিং অমুদি, মীওইবা খুদিংমা মতোংনা অতুন থেংনববা, উনববা ঙাক্লে। মসিদা থোংদোকপা হায়ববু, ইনবা মত, শেমলিবা খুৎশম অমুনি। সাহিত্যক্লা, মশাগী কোম্নজবা কম্নানা অমুদা তোংত্নুনা, হৈশল্লবা খুৎই অমদি খুৎশেমদা, পুন্সীগী মযেক লাবা শক্তম অমা, হেক হেক থেকথোক্লবই। অমুবু হায়বা পুন্সীগী মযেক লাবা শক্তমসিনা কবি কারে? চুম্মা নুংঙাইবা পোকহল্লবগীদমক্তবা? মীওইবনা পুন্সীবু, সাহিত্যকী মিংযেং অমদা উজবা ফংলগা কবিমতা কান্নবা ফংহ্রা? ময়ামসিগী পাউথুমদি, নুংঙাইবা পোকহনবগা লোয়ননা, সাহিত্যগী উদ্দেশ্য অমা মপ্পংদা ফুম্লি। মহুদি, পুন্সীবু মহৈ য়ালহল্লবগী উদ্দেশ্য। মীওইননা, মাগী পূর্ববা, থাজিল্লবা

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী ১২শুবা চহিগী অধিবেশনগী সভাপতিগী ভাষণ—

—সম্পাদক।

লৈফমক্তদা লেঙদনা অস্নুমক লৈ [illegible] দগী পুক্নীগা পাক চাওনবা মিংথে লোনদা [illegible], কাউথোকখি পুন্সীগী অ[illegible] দনা। [illegible] সাহিত্যনা মথৌ ওইনা পা[illegible]—[illegible]। থম্মোযনা, হায়[illegible] স্নু [illegible] কাযনবা। অদুবু সাহিত্যনা শন্দোক্লিবা [illegible] অমদি [illegible] মশন্দোক অসিদি, নীতি শাস্ত্র, [illegible] শন্দোক্লিবা মওং অদুগা, য়াম্ন থে [illegible]। বসকা যাওন্নবা থবকসি [illegible]। [illegible] হকচিন্না মীওইবগী থম্মো দা, [illegible] পোথোক পীনবা [illegible] লমথু যন্নি।

পৃথিবী মশা[illegible] খোংচৎ [illegible], [illegible] পোৎ পুন্নমক্কী খোংচৎ লৈ। [illegible] অদু মডাই, লেপ্তে, খোংচৎ তেক তেক [illegible] অদুবু অসিগুম্বা সাহিত্য [illegible] খোংচৎ কয়ানা [illegible] মখোযদুগা [illegible] হাযব—পিক্ক্রা [illegible] পুকচেল চাউনা [illegible] থোকতুনা [illegible] পাগশিল্ল, অদুগা [illegible] দৌবিবা তুংগা [illegible] অদুবু মখোযদুগী [illegible] খি [illegible] অদুক থো[illegible]কপতুম তোই। [illegible] লৌদুনা, জগৎক। মশা[illegible] মওঙ মতৌ লেপ্পা [illegible]।

হৌজিক ঐথোইনা [illegible] মোংলকপা মতাংদা, 'হৌজিক মত [illegible]' হায়বা মতাংসি লৌথৎপা তাবরদি, অহ নবদ,

'হৌজিকী মতম' হাযব বাহৈসিমক, কন্দিবুনো হাযবদু নৈনফম [illegible]। 'হৌজিক্কী মতম' হাযবসিগী অ[illegible] গমা লৈতে। মসি ওগুনা অদম হে [illegible] হাযবদি,— চহি অমগী মগাঙদা [illegible] বম্বগ, ভনি অমুক [illegible] তদুগা, [illegible] ওইনিবা তৌজিক মতমগী [illegible] মতু দা, মীওই [illegible] খিগনি। অদুন, [illegible] [illegible]

অদুম অরানগী বাথলগা, [illegible] পাযদগা, মবে তেক-হেক [illegible] ত্যদা। মনি [illegible]থোইদোক্লমু, হৌজিক মতমগী সাহিত্যগী বাযমদা, মরু ওইবা বাথোক ওইনি।

মসিগী মরম হায়রবু, সাহিত্যগী ল-মদা মাঙজিন থাবসি, অপাম—পামদনা ওই, অচুম-অরান্না তুংওইননা ইল্লি। অচুম-অরান-ৱাখলগী মরমদদি চাওরাক্লা চাং ওল্লিংঙাই খল লৈ, অদুগা, পুক্লিংগী অপাম-পামদগীদি, চাং ওল্লিংঙাই লৈতে। অদুনা সাহিত্যগী ল-মদা অপাম-পামদগী মরমদা মরৈ থরা থাংনবা হায়রবসিদি, অসুম্মক মরৈরগনি। ডাক্তর কমলগী 'মাধবী'—অচুম-অরানগী ৱাক্ষম কয়া পুথোক্লরবসু, অপাম্বনা মাঙওইনবনা, অসুম্মক মগুণ তাদনা লৈ।

অদুগা অমনা, সাহিত্যগী মায়কৈদা ঐখোয়না অকুপ্পা মিৎয়েং থমগদবসি,—ৱারোলশিং অদু করম্বা মওঙদা ফোঙদোক্লগা, মীনা খোয়দাগদগে অসিনি। ফোংদোকপা মফোঙদোকপু হৈরবদি ৱারীগী মমল ওস্থোক্লা কাহল্লি। তয়াম্বা হৌজিক্ মতমগী সাহিত্যদা, মসিগী মরমদা য়েংশিনবা ৱাংপা ওইনা তোয়না পেংনৈ। সাহিত্যদা, মচাক্কীদমক নম্বর ১০ থম্লগা, ফোংদোকপা হৈশিং-বগীদমক নম্বর ৯০ থক্ষম থোকই। মসিগী মরমদা রবীন্দ্রনাথনা হায়খি "শিল্পী অমগী থবক্তা, মথুংকী হৈশিংবদুনা মরূনি, মচাক অদুদি অরায়বনি।" থোংববু হৈরবদি, নিরামীষকী য়েঙ্খাংনসু, হায়নীংঙাই লৈতনা হাওই।

ঐখোয়না কাউকম থোক্তবা অমনা,—নিঙঙাইদবা ৱারোলনা পঙই ইরগা সাহিত্য ওইবা নত্তে। ৱাঙাঙ কামনা পুবা, (কোন্ত্রোল তৌবা) অদুগা চাংচৎ অমা নাইহনবা হায়বসি সাহিত্যগী মগুণ হাপকৎনিংঙাই মচাক্লি। জর জর হায়বা হেক হৈরগা সাহিত্যিক ওইবা য়াদে, মতাং চানা পল্লেপক্ষম খঙবা হায়বসি, অহৈবা অমগী থাফত্রবা লোনচৎনি। অসুম্না সাহিত্যগী মচাক, ফোঙদোকপা হৈশিংবা, চাংচৎ নাইহনবা, ৱাঙাঙ কা-হেল্লবা, অদুগা মহাও চেলহনবা, পুম্নমকসিনা পুল্লগত্তা অশেংব সাহিত্য হায়বদু ওইগদবনি।

সাহিত্যগী লৈক্ষমদি খোপ্তা নত্তে, থম্মোইদনি। মীওইবগী থম্মোইগী মখা ইথং থংবা শরাক্তা মাগী লৈফম্নি। মসি তর্কনা খঙহনবা ঙমদে, অকনবা যুক্তিনসু পুথোক্পা ঙমদে। থম্মোইতনা মাবু ফংবা ঙম্মি। মরম অসিদগী হায়নরিবনি সাহিত্যদদি, পুক্লিং খোয়দাহনবতনা মরূনি।

ফোটোগ্রাফি হায়বসি আর্টকী ল-মদদি য়াম্না হন্থবা থাক ওইনা লৌনৈ। মতৌ অদুম্না য়াম্না হেঞ্জিন্না রিয়েলিষ্টীক ওইমল্লবসু, সাহি-ত্যদুগী থাক নেমথহল্লি। কা হেঞ্জিন্না অচুম্বা শক্তম উৎনীংবা কাঙবুনা, মসিগী ৱাখলসি কাউদবা চুম্মি।

রাজনীতিগীদি, মখোয়গী দল্গী লেবেল্ অমা নপ্লগা, চোইখোম খোমহনা থবক তৌমিন্নবা য়াই। ধর্ম্মগী মরমদসু, অখঙ-অহৈ নাইদনা মান্নবা মশেল খোমজিল্লগা মপাঙ্গল কলহনবা য়াই। অদুগা সাহিত্যগী ল-মদদি, অখঙ-অহৈ ফনা ওইহনসু, পাক পাক খোমজিল্লগা কাঙবু অমা হেক্তা শেম্বা য়াদে। সাহিত্যবু মুংশিবা, সাহিত্যবু পাম্বা, সাহিত্যদা মথরাই য়াওবা মীশকশিংতনা পুন্দুনা শেম্লগা মঙ্গল ওই।

হৌজিক মতমগী সাহিত্যগী মওং অমনা স্মার্ট ওইবা হুপী-নিপা য়াম্না য়াওহনবা অসিনি। অদুদা, শেমগৎলিবা মশেমগৎ অদুনা, রসকী মাইকৈদগীসু মখোয়দু মতিক চাবা চরিত্র ওইহন্দ্রে, অদুগা, ওইহন্নীংলিবা স্মার্ট অদুসু ওইদ্রে। মতিক চাবা চরিত্র অমা হায়বসি, লেখক অদুনা, মাগী ৱাখলজুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা শাক্তকী মওঙ মতৌশিংদু, মপুং

ফাবা শক্তমদা ওলহনবা, থোক্লিবা থৌদোকশিংদুদা, চুশিন্না নপশিন্না চৎহনবা, অসিনচিংবনা ওইহনগদবনি। মুংঙাইনবনি হায়দুনা, তয়াং তশোইবা রাঙাঙ, নাত্তে চাদবা থৌওঙ পুশিল্লবদি, চরিত্রদু থাক হন্থহল্লকই। অদুগা স্মার্টকী মবমদস্মু, ওইহল্লীংলিবা মীদুগী বাঙাঙ-শাঙাঙ, লিচৎ-শাজৎ, তৌথোবকপা মওঙ অদুনা, অতম তাকথোকচহনগদবনি। অদুবু হৌজিক মতমগী সাহিত্যদদি, চরিত্রদুনা তাকচবকপগী মহুত্তা, অইবা নিপানা, অদুগুম্বা নিপাদু পণ্ডিতনি, অদুগুম্বা মীশক্তু স্মার্টনি হাযনা তাক্লে। মসি অহৈবগী থুদম নত্তে।

অদুবু হান্নবিবা থরসি লৈববস্মু, হৌজিক মতমগী সাহিত্যনা, ঐখোন্‌বু চৎনবীগী পল অমদগীদি লাম্থোকহল্লে, মসিগীদমক থাগৎফম থোকই। মতম শবদংগী মমাঙ ফাওবা, ঐখোয়গী সাহিত্যগী লোনচৎ ওইনবম্মী,—ধর্ম্মনা জয় ওইবা অধর্ম্মনা মায়থীবা। হাযবিবা উদ্দেশ্য অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা, লেখক্লা, ওইফম থোক্তুবা থৌদোক কযা কয়াগী মতেং লৌনবম্মী।

অ-পাবা অ-তাবা মীস্মু বাবিগী লোইবকপদা, অফবা মীনা মাযপাকপা, ফত্তবা মীনা মতিক চাবা দণ্ড ফংবদু উবদা, পুক্লিং পেনৈ, থম্মোয়দুংদ। আইদিয়েলিজমগী মক্ত দুনখিবনা। অদুবু, হৌজিক মতমগী সাহিত্যনা, মমাঙৈগী অদুগুম্বা নম্‌ফুগুম্বা লোনচত্তু মাঙহল্লক্রে। শিল্পী অমনা পুথবকপা থোঙচত্তা, অফবা মী অমনা অবাবা ফংদনিংঙাই লৈত্রবা ফীভম তাববা ফাওবদা, হৌনবী লোনচৎ ভুংইল্লিবনি হায়দুনা, নম্‌ফু ওইনা শেবান্নবা লম্বী অমা পুশিল্লক্রবদি, মদু বসকী মায়কৈদা শাথীনা অকায়ববা থোকহল্লবনি। মসিগী মবমদা বাঙ্গালা সাহিত্যবু বিয়েলীজম লোমদা পুরক্লবা মায়পুননা হোৎনখিবা, অফাওবা লেখক শরৎচন্দ্র চট্টোপাধ্যায়না হাযখিবা লৈ—"থোকফম থোকপগী রাকম ঙাকস্মু নত্তে, তঙাইফদ্রবা হাযবদুদি মাংওইবনা পাক নাম্থোকপা ঙমদে।" মসি ফনা চুমথ্রবা রাফম্মি।

অস্তুম্না বিয়েলিজমগী মাযবৈদা থেংঙবাপ কম্না চঙশিল্লকপা অসিগীদমক, চাওথাক্লিংঙাইনি হৌজিক-মতমগী সাহিত্যনা। অদুবু বাকম অমদি শেংদোকচনীংই, অফবা মীনি হায়খদুনা সাহিত্যদা তেক শাংথানিংঙাই ওইদে হাযবগী বাকম নাত্তে। ঐনা ফোঙদোকচনাংবদি, সাহিত্যদা লুনাংঃবক্লবা চৎনবোগী তু ইম্না, পোনোই তাবকদা তানক্তবগী বাযন অমুক থল্লুংতই লৈতে, অসিতনি। চিনি হ মসি মনা হানবস্মু থোঙবদা থাকচিল্লুনবদি চঙফম চাদনা চঙবা হায়বদু থোকই। অস্মুন্না বসকী বাবল চৎপা থবক্তি তৌদবনা ঐখোযগী য়াইফবনি। অদুগা চেকশিনগদবা অমনা, অফবনা মায পানপা, ফত্তবনা অবাবা তাবা হায়বসি, বাবী মশানা অতুম তাজরক্লবা ফাওবদা, মতমগী সাহিত্য মাল্লোইদোবে হায়দুনা, ওম্থোক ওনশিন তৌনবা হোৎনববদি, তোংজবগী মহুত্তা অমাঙবা ওইনা থোক্লনি। মদুদি বিয়েলিজম নত্রে, মালহম্বা হায়বদুনি।

লোম্দা-পুদাগী মাযকৈদস্মু, হৌজিক মতমগী সাহিত্যনা নীংখিবা থোঙচৎ অমা তম্লক্লি। রাহৈ খজিক্তনা, যাম্না এক্সপ্রেশিভ ওইবা মওঙ

কয়া পুথোক্লরক্লি। তাইবঙ সমাজগী খোঙচৎ তুংইন্দবা য়াদে! হোংলক হোংলকপা খোঙথাং যেংনা চৎপা তাই। মপালগী মঙাল রানা রানা ফাওরবা মণিপুরদা, মতমগী খোঙচৎ থীন্থহৌদনবা, মতমগী ইনীল নীংথিনা ফাওরবা নহারোলশিংনা, অকি-অখঙ থাদোক্তুনা, লংজেল ফনা সাহিত্যগী মায়কৈদা চংশিল্লিবসি অমুক্তা হেন্না শাফু কনশিলহন্নীংই। মুকথায়নরিবা লাউনবিবা ময়াম অসিনা নেমথ্রবা তুংদা, লংলবা তুংগী মৈতৈ সাহিত্য, ঐখোয়না উবা ফংগনি হায়না আশা তৌবি।



হূরানবা মচা

সমরেন্দ্র

হুরানবা মচা অমখক
হুরানবা তরুকনা ফাবকই
হুরানবা মচা অহু মথরায় থায
হুরানবা কুস্থ্রাতকল্লা নেৎলগা
হুরানবা নীফুনা শেৎপদা

(শৈরেংগা কোম্নবা লাই য়েকপিবা—অইবা মপা)

অতেনবা পুন্সীগী ঈশৈ

মার্ক টুৱেন

টৌমনা অহুক্কী মতিক লাইরিক্তা মবুক্লিং লূপকে হায়না হোংনরিবমখৈ, হেন্না হেন্নহুম মহাক্কী ল্লাখলশিংহু কদায়দনো অমা হেক্তা কোয়খি। মরম অসিনা মমৈথংদা, অরাবগী মুংশাখর মপি হোল্লহনা অমসুং হকাম চল্লহনা মহাক্কা মহু থাদোক্লমই। মুমিৎয়ুংবা মতমগী পোথাবগী পুং অহু লাক্লরোইদৌবগুম মহাক্কা ফাওরক্লমই। মুংশিংসু অশিবদৌনা তৌখ্রে। শহুম অমত্তা লেং-খোৎপা লৈথিদ্রে। ওসিসি থাইদগী হেন্না তুম্নীংঙ্গবা মুমিৎনি। ক্লাস অহুদা তন্নিবা ছাত্র ২৫ অতুগী মুরুম মুরুম শোনবগী মখোলনা হয়িংখোইশিংগী মরক্তা মন্ত্রগুম্না য়েল্লিবা খোম্থোক অহুগুম্না থম্মোইবু হোদোক্লি। অথাপ্পদা মুংশাগী মৈশা মরক্তা কার্দিফ হিলম্ব মুংশাগী মাইখুম অতুদগী হাইদোরক্তুনা মহাক্কী শংবামরবা শক্তম অহু উহল্লি; অরাংবা অতিয়াদা তম্না মশা খপতুনা উচেক থরম্ব পাইরি; তুমহুনা লৈম্রিবা ষনবী থম্ন নত্তনা করিগুম্বা জীব অমত্তগী মশক উখিদ্রে। টৌমগী থম্মোইদা নিংতম্বগী ল্লাখলনা তাশোন ওইনা লেংবা হৌরমই, নত্রগা তল্লবা মতম অসি লেম্নবা করিগুম্বা মুংঙায়বা থবক অমদা পুক্লিং লুম্না পাল্লমই। মথুং অহু ফুন্নিংখাওদা হুমজিল্লহনা, করিগীনো হায়বা খঙজদনা, মমাই অহু লাই শোনবগুম্না থাজৎলমই। অহুদগী উপু মচা অমা পুথোরক্লে। মহুদগী অপিকপ তিল অমা থাদোরক্তুনা দেক্স মথক্তা থমলমই। পিক্লিবা তিল অসিনা মাইগৈ অমদা চৎকে হায়না হোৎনজে অহুবু টৌমনা মথুত্তা পিন অমা পাইরহুনা মহাক্কা পামজদবা মাইগৈ অমদা চৎহাল্ল।

টৌমগী নাকন্দা মহাক্কী থাইদগী হেন্না লুনা তিঙ্গজরবা মরুপ অহু ফম্লহনা কুম্মৈ অসি য়েংজরি। মরুপ অসি জো হারপরনি। অঙাং অনি অসি চয়োল অমগী অয়াম্বা নতমদি মরুপ্নি, অহুগা থাংজ খুদিংগী শাথিঙ্গবা য়েক্লবনি। জোসু পিন অমা লোথোরক্তুনা টৌমনা বন্দি ওইনা থম্লিবা তিল অসিবু শাম্নবদা মতেং পাংলি। টৌমনা খঙহৌদনা হায়রক্লমই মহুদি মখোই অনি অমগা অমগা য়েৎশিন্নহনা তিল অসিবু মপুং ফানা শাম্নবা ফংত্রে। মরম অসিনা মহাক্কা জোগী শ্লেট অহু দেক্স মথক্তা থম্লহনা লৈই অমা মহুদা শাংনা চিংলে।

"হৌজিক্তি" মহাক্কা হায়রক্লমই, "তিল অসিনা নংগী নাকন্দা হেক লৈরিবমখৈ নংনা মহাকপু শাম্নবা য়াগনি, ঐহাক থক শোক্লোই-দবনি; অহুবু মসিনা লৈই অহু লাম্থোক্তুনা ঐগী মাইগৈদা চংলক্লবদি নংনা মহাকপু শোকপা য়াল্লোই।"

"কয়ে, নংনা খোকপা তৌবো, হৌজিক্তী খাদোয়রক্লো।"

টোমগী মখুত্তুগী তিল অহু নাম্বোক্‌না খুদক্তা লৈই অহু লানখ্রে। জোনা মহাক্কী নাকল্দা ওহাক শাম্নবি, অহুদগী খুনা অমুক লাম্বোক্‌না চৎখ্রে। অম্মুম্না কযাবক লৈই লাম্বোক লার্নাশন তৌরি। অঙাং অমনা তিল অহু মহাক্কী নাকল্দা লাকতুনা শাম্নবিওদা অতোপ্পা লৈই বাংমদা অঙাং অমনা মুন্না য়েংতুনা অকোইবদা লৈনিবা পোৎশক খুদি মক কাণ্ড-খোকতুনা নকোক অনি অহু প্লেট অহুগী নথক্তা নকশিন্নবতুনা লৈরে। মামেথ দা জোগা নাকল্দা তিল অহু চংখ্রে। পিন্নবা তিন অহুম্ অহু অনি অহুগুম্না থবাহ যাওনা চেংদা অমুক, অম্মু ইদা অমুক, অসদা অমুক জোগা নাকল-লোমদা নকোক হাইবতুনা চৎলি, টোমনা পিন অহু পায়রনা মুন্না মখুং নিরতুনা য়েংলি। মমেথ দা টোম অহু খা বা ওয়কএমারে। মখুৎ অহু লৈই গাংমা লাম্বোকখিহনা পিন অহুনা তিন অহুবু লামলুবে। জোনা খুদক্তা খ ক ও শাওবরুনই। মহক্না হায়বরুমই :

'টোম, তিলসি শোকহু।"

'জো, ঐহ ক বুই বাই ওহাক্তা শাম্নগে।"

"মহু য়াবোই, মসি শোকহু।'

"সৈত্য, ঐ কুইনমু শাম্নবোই।"

"ঐনা হায়রিবাসনি মসি শোকহু।"

'ঐ ওম্মোই।"

"ওমদবা য়াবোই—তিলসি হৌজিক ঐগী নাকল্দা লৈরি।"

"যেংউ জো, তিলসি কনাগীনো?"

"ওইনিংবা মীগী ওইরসহু—মসি হৌজিক ঐগী নাকল্দা লৈ, নং মসি শোকপা য়াবোই হায়বসিনি।"

"নসি ঐগী তিলনি ঐনা তৌনিংবা তৌগনি।"

কুইদে, টোমগী মবেংবাল্দা অমসুং মহুগা চপ মান্নবা খুহুম অমা জোগী মবেংবাল্দা ওহাক্কী মমুংদা থাদনবক্লে, অঙাং অনি অহুগী ফুরিৎ ফিবোলদগী পাইখোরকপা উফুলনা য়া য়া হোর-হুনা ক্লাস অহুদা তিল্লুরীবা অঙাংশিং অহু কুম্মৈ অমদোনা য়েংনবি। অম্মুম্না অঙাংশিং অহু মমিং-মনা কুপ্তবমথৈ কুম্মৈ অহুদা লুপ্তুনা লৈবিওদা পণ্ডিত মহাশয়হু তুমিন্না লাক্তনা মথাংগী মনক্তা লেপ্পবে। ওজা অসিনা অসি-গুম্বা খোদাক অমা য়েংজগে হায়না খল্লক্লিবসি ওইববনি।

গ্রামংযুংবা মতমদা স্কুলগী পোথাবগী পুং য়ৈবরুবদা, টোমন বেক্কী থেটচবগী মনাক্তা চংখিহনা, কুপীমচা অসিগী নাকোংদা হায়রুম্লি :

"বেক্কী, ঐহাক লৈরক মচা অসোমদা নংবু ঙায়বমগে, নহাক নমান্নবশিং অহু থাদোক-লম্লগা যাম্না থুনা লাকউকো।"

চায়বগুম্মদনা, ওহাক্কী মহুংদা অঙাং অনি গাহু লৈনক অখুবা অহুদা উন্নবে, অহুদগী খুংশন্নহুনা স্কুল তম্না লাকমিন্নবে। স্কুল য়োববদা মা দা প্লেট অমা থম্নদুনা, টোমনা বেক্কীগী মখুৎ পায়রদুনা পেনাশল অমনা করি করিনো খন ইবা তম্বিরি। অহুদগী করি রাখল খল্লরুবনো খঙদে, ফুক লাওনা হৌগৎখ্রে। মহাক্না হায়রবই:

নং উচি পান্নবা?"

"হুং। ঐ তুকচে।"

"ঐমু তুকচৈনা—অহিংবনুদি। অহুমু ঐনা হায়বদি অশিববুনি, লং অমনা কিশিল্লগা

কোক্তা হাইদনা খান্নবা।"

"হুং, ঐদি উচিদি অতুক য়াম্না পাম্মদে। ঐনা পাম্নদি 'সেংগমনি' (Chewing gum)।"

"ওঃ, মক্লবুদি ঐম্ন পাম্মীনা! হৌজিক চাবা কুংলবুদি য়াম্না নুংঙায়নি।"

"চানিংবরো? ঐখীনে খর য়াওরকএ। নং ওহাক্তুং খায়রগা ঐঙোন্দা অমুক পীরকউকো।"

মহু য়াম্নরহুনা, অঙাং অনি অহু বেনচ মথক্তা মখোং থাজংলহুনা মথন্নুই চুংঙায়না 'সেংগম' অহু পাম্নি নাইনা চারমই।

"নহাক সর্কস য়েংগ্রবরা?" টোম্না হায়রক্লমই।

"অং, ঐখোয়গী পাবুংনা হায়রিবা ঐহাক মরম ওক্লবদি অমুকসু পুবিনি হায়।"

"ঐদি সর্কস য়েংবা অহুম য়রিরক হেন্না চৎলুরে। ঐনে চাওরক্লগনে সর্কসতা কাগী হৌবা শাবা লিপাহু ওইগনি।"

"ওঃ, অওইবরনে! মখোই য়াম্না ফজেকো, মশা পুম্নমক মচু মচু ঙাক্তা।"

"বেকী, ঐহাক য়া অমা হংগে: নহাক লুহোংবা হায়বহু খঙররা?"

"মহুবু করিনো?"

"হৈনা অপাঙবীসিদি! হৌজিক কাওবা মহুবু খঙগ্রিবরো! য়েংঙোই, নংনা সুপামচা অমদনে নংগীদি মহাক নত্তনা কন্যাগুম্বা অমত্তা খঙ্গোই হায়রেদনা, অহুদগী নংনা মহাক্তগী চুপ্পিবা তাই। অতুনা লোইরে। মী থুদিংমক তৌনরিপোংনি।"

"চুপ্পা? মহুবু করিনো?"

"ইঃ! ঐনা ওন্নাই নংগী য়েটজা ইথিবহুবু লৌগিংজবরো?"

অহুদগী অপ্পা চাম্নিনখিহুনা টোম্না করিগুম্বা খর বেকীগী নাকোংদা মেলবা খোয়ঙাক্তা হায়রক্রি। টোম্না অমুক হায়রক্লমই:

"হৌজিক্তী নংসু করিগুম্বা খর হায়রকও—পোম্না, ঐগী নাকোংদা।" অহানবদা মহাক পাক হেক য়ারমদে, অতুদগী হায়রক্লই:

"ফরে, অহুদি নংগী লমাইহু লৈথোকউ। অহুগা নং কনাদসু হায়দোকলোইদবনিকো।"

"কনাদসু হায়দোক্লোই। থুনা হায়রকও, বেকী।"

টোম্না মমাইহু লৈথোকখে। বেকীনা মখোল নিক্তা নিক্তা টোমগী মনাক্তম চংশিনখিহুনা মহাক্তী নাকোংদা খোম্না হায়রমই, "ঐ—নংবু—লুংশি!"

অসি হায়রক্লগা সুপীমচাহু টেবল, বেনচ লৈরিবা অহুগী মরক্তা কম্না চেল্লোকখমে। টোম্না মতুংদা তাম্নরি। মমৈথংদা চেনকম লৈরবা কাচিন অমদা সুপীমচাদবু ফাদুনা তঙাং তঙাংবা চিনবান অহুদা চুপলুরে। হায়রক্লই:

"খংলেদনা, বেকী। ওসিদগীদি নহাক ঐ নত্তনা কনাবুসু লুংশিরোইদবনি, ঐ নত্তনা কনাবুসু লুহোংলরোইদবনি। ঐনা হায়রিবসিনি—কনা অমত্তগসু।"

"অং! ঐনে নং নত্তনা কনাবুসু লুংশিরোই, নং নত্তনা কনাগসু লুহোংলরোই—অহুগা নংসু ঐ নত্তনা কনাগসু লুহোংলোইদবনি।"

"ঐনে, বেকী, এমি লম্লেক্লহু মুকচৎ চৎমিন্নররোই।"

সুপীমচা অসিগী মমিং পাক্লকপদা বেকীহু পেহো পেহো কপ্লরে। টোম্না মকোক্তা নান্দুনা কম্না থেমগদবগী হোৎনে-অহুবু সুপীমচা অহুনদি

তোকপা লৈত্রে। টোমগী মখুৎ ইম্বোক্লছ্না ফকলাংলোমদা ওনশিন্দূনা কপত্তুনা লৈত্রে ! অঙাং অসিগী মবুক্লীংদা হৌজিক্তী ফাওরকলে, মদ্‌দি হুপীমচা অসিগী মফমদা মহাক্না ঙাংলুরিবসি অরানবনি। য়াম্না হৈনদনা খোঙলোমদা অমুক য়েংই, কাদ্‌গী মাইগৈ মরিমক্তা অমুক য়েংই, খোঙনাওলোমদা অমুক য়েংই তোদ্‌না লৈরে। মমৈথংদা য়াম্না কিনা চঙশিল্লকতুনা, হুপীমচা অসিগী মনাক্তা লেপতুনা মখোল নিক্না হায়-রকলমই :

"বেক্কী, ঐ—ঐ নং নত্তনা কনাবুম্র খল্ল-বোই তোকলোমি।"

পাওখুম পীরক্তে—হিক হিক কপ্লি।

"বেক্কী, সে তোকলোমি, নংবু করিমতা ঐঙোন্দা হায়রবোইদ্রে ?"

হেন্নত্তম হিক হিক কপ্লি।

টোমনা মহাক্কী ফুরিংখাওদগী লীক মচা অমা লোথোক্লহ্না বেক্কীগী মাঙদা উৎলহ্না হায়রমই :

"বেক্কী, নং লীকসি পামজ্রা ?"

বেক্কীনা লীকতু মখুৎনা ইম্বোরকতুনা লৈপাক্তা তাখে। অহুদগী টোমনা কাহুদগী মপান থোকখিহ্না অথাপ্পদা কার্দিক হিলগী চীংমায়দা চেনখে, হুমিৎ অহুমা ক্লাসতা চঙ-লকখিদ্রে। বেক্কীহ্ হুংশা থিরক্লে। মফম খুদিংদা কোয়থি থিরক্লে অহবু টোমদি উবা কংখিদ্রে। মহাক্না কৌরমই :

"টোম ! লাক্লো, ঐহাক কপ্লরোই !"

হুপীমচাহ্না মুম্না তারমই, অহবু পাওখুম অমত্তা লাকদ্রে। অচিকপা অমসুং নাইত্তোম তাবগী রাখল অহু নত্তনা মহাক্কী মরূপ কনাসু লৈজরমদ্রে। গতি লৈত্রহ্না অমুক কমথুরহ্না কপ্পা হৌরমই।

[১৯ শুবা শতাব্দীদা অমেরিকাদা মীয়ামনা থাইদগী হেন্না শকখঙথিবা লেখকতি ***মার্ক টুয়েননি***। মরমদি মহাক্কী রাবীশিংদা মতম অহুগী আমেরিকাগী অচম্বা মীওইশিংগী পুন্সিগী শক্তম মপুঙফানা য়েকখি। অসুম্না হায়নৈ, নোংমা রাশিংতন সত্বদা নীপা অমা টিকেট য়াওদনা চৎলম্বদগী কনদক্তরনা ফায়বদা, নীপা অসিনা মার্ক টুয়েনগী সহি য়াওবা চেক্তেৎ অমা উৎপদা, নোকফেৎ তৌরহ্না কনদক্তরনা মহাকপু থাদোকখি। মখোয়গী পুন্সি শেংনা উৎপগীদমক্তা অচম্বা মীওইশিংনা টুয়েনবু লাই-গুম্না নীংজখি। মার্ক টুয়েন অয়োংপা মিংনি; থাঙ্গেশেংবা মিংদি এস, এল, ক্লিমেন্স কৌই, সোক ১৮৩৫ গী নবেম্বর তাং ৩০ দা ফ্লোরিদা সহরদা পোকখিবনি। মফম অসিদা হন্দোক্লিবা রারী মচা অসি মহাক্কী মমিং চৎলবা নভেল 'দি এদভেনচরস অফ টোম সোয়র' (**The Adventures of Tom Sawyer**) হায়বা অহুগী ৭শুবা পন্দূপ্তুগী হন্দোরকপনি। টুয়েননা মমিং থোল্লমদবনা, চান্নগদবা মমিং অমা পীবগীদমক্তা ঙাকপিগনি—জয়:]

ইংলিসতগী হন্দোকপা — এল, জয়চন্দ্র সিংহ

অঙাঙ অমা পোকলক্কনি

॥ কৈশাম পুর্ণেন্দু ॥

শতাব্দীসিগী অরোয়বা শক্কক্তা
　　　　　　　　অঙাঙ অমা পোকলক্কনি
　　　　　　　　অঙাঙ অমা।
কলিকাত্তা শহরগী ময়োন্দা
নত্রগস্থ খুঙ্গংগী কাচিনমদা,
অঙাঙ অদো নোকপস্থ হৈরাই,
ভুম্বস্থ হৈবোই, চাবস্থ, থকপস্থ,
মাদি স্থপ্পগী কপ্পতমক হৈগনি
　　　　　　　　কপ্পতমক।
কালেনগী শাররা মুংশাদা,
　　　　　　　　মুংথিল পোবোপ্তা,
মীকুপ্লবা অরাওবা শহরগী লম্বীদা কপকনি
　　　　　　　　পঙকপ্তমক কপকনি।
মীচিক মীবাওখোল তাখিদবা অঙিঙদা,
　　খুঙ্গংগী কাচিনমদগী কপক্কনি,
　　　　　　　　পঙকপ্তমক কপক্কনি।
শতাব্দীসিগী অরোয়বা শক্কক্তা
　　　　　　　　অঙাঙ অমা পোকলক্কনি।
　　　　　　　　অঙাঙ অমা।
অঙাঙ অদো, মথুং মঙা পাল্লক্কনি,
মকোক অনি লোঙগনি,
মখোঙ মরি পাল্লক্কনি।
ভপনা চংপস্থ হৈরোই মাদি,
কম্না কম্না চেনগনি শগোলদোনা,
অহুগা শিথ শিথ কপলুগনি।

অথেঙবা অহিঙদা কৈথেল তুইনা
খোংবশুম,
চাওখৎলবা প্ল্যাটফোর্মদা যুগসিগী
রেল ইঞ্জিনগী মৈথু মবকতা।
থুম কপ্পমবদগী নোংমদি,
নোংথী নোংমংবা থুমীৎ অমদা,
চোংশিন্নুনা শিঙখিনি মতোমতা,
রেলগারিগী মখাদা।
মতৎ, মতৎ তৎনা
ঈতিং নাহিং শাবমখৈ
তকথায়বগা চৎখিনি
য়োৎকি কাংগ্রোঙ অচৌবশিংচুনা
—অস্তমনা দৈববাণী লাউবম্মী
লাইগী মচা অঙাওবা অমখক্না !

পুন্সি-য়াওন

কে, ব্রজবিধু শর্ম্মা

রনজিৎনা ইবেতোম্বীবু মশানা পামজনা হুংশিনহনা ময়ুমদা পুশিল্লক্লে মপানা পামজববী মমৌ-হুপী ওইনবা। রনজিৎকী মপাদি মসিদা ফৈ কত্তেগী থোইদোকপা রাক্ষম অমা লৈবমদে অদুগা মমা ইবেম্মা রাধেশ্নাদি ঙাইহাক লৈতনা ঙাংই। মথদাংবু চোকত্রা?

"হায় কবিগীনোনে নঙনা মথোং মবমসু খঙদবী ওক্তবী অমগী মচাহুপী অসিবু য়ুমসিদা পুশিনলকলিবা। ইমৌনিকা হায়জনীংদে, মীমাংদা পুহনা চৎপদা লেম্বা মীতা নত্তেয়ে—কবিগীনো মসিমক নত্রবদি হুপীসিবু লৈত্রববা?"

ইবেতোম্বীনা তৌফম খঙদনা চপ লেপ্তুনা লৈবহ উবদা রনজিৎনা মমাদা হায—

"অহবু কবি তৌ হায়বিবনো হৌজিকপো? কবিনো পংঙাংদা ঙাংলদনা ।"

"অহ অদা খঙদে কোক খাইনথোকখো। ইচাসিদি লৈশাবী যাম্না লৈ, ইমা হায়নকগে, চাওনা হেক লুহোংথোকসি।"

থা ৩/৪ শুজিল্লক্লে ইবেতোম্বীনা য়ুমসিগী মৌ ওইনা লৈরকপা। মনেম মকুগী সেবাদা পুক্লিং লুপ্পী মাগুম্বী হুপীদি হৌজিক্কী মৌদদি অতাংবনি। অহবু নোংমতম্ম মনেম্না হোম্লনি মায়নি হায়বিবমদে। মহুগী মহুত্তা অথীবা মীচৈ, অয়াকপা থোঞ্জেল তাবদা রারবা······।

"হায় ওক্তবীগী মচা নঙদা থিৎ চৎপিগ্রোনে। নঙ লৈবদগী ইচাশি লুহোং-খোংদোংবা য়াদ্রেনে।"

ইবেতোম্বীগী চংশিনলকইবা পুশি মতেক অসিদা নোংমতসু মিৎলুদগী পিরাং কংখিদ্রে। চাবা থকপগী মবেক মহাও কাখিদ্রে। কেজ মৌজবগী আশা থাদোকখ্রে। অমবোমদা মম্না মপুবোইবগী মনাক্তা লৈহনা মনেম মকুগী সেবা মপুং ফানা তৌজনিংই। অহবু মনেম্গী অথিবা মীচৈ কযা বানা থাংজবক্লবী ইবেতোম্বী ঙসিদি বনজিৎপু মুম্না যেংহনা মমিৎতা পিগী ইবা চেম্না তপ্না হায়জবকই।

"ঐবু ইপামদা থিনবীনো, চৎচবগে।"

তশেংনা বনজিৎনা ইবেতোম্বীবু হুংশিজৈ, অহনা ইবেতোম্বীবু থেমজিনলি।

"কবিগীনো? ইমানা পংঙাং ঙাংজবসিবু ।"

"কবিসু তৌদে। ইমানা ঙাংবিবসিবুদি ইবাইবক ফবনি। অহদা ঐনা হায়জনিংলিবদি ।"

"কবিনো?"

"ঐ অমা লৈবদগী ইমুং মঙ্গং শাগৈ নাতৈগী ইজৎ মাঙবহদি ঐসু পামজদে।"

"অহবু নহাক চৎগ্রগনা বমদোনা কোক্কদোবিবা?"

"অতোপ্পা মতিক চাবী ইনাওহুপী অমা· ·। হুং ঙসিদি হুমিৎসু ফৈ, ঐ চৎচহোবগে। ঐবু থব থিনবিয়ু।"

"মহ হাযগন্থ ইবেতোম্বী। ঐদি নঙবু থিনবা ঙমলোই। নঙগা ঐগদি খৎন-চৈনবসু লৈতনবু।"

"অহ ওইরবসু··· ··।"

তাঞ্জাসিমক্তদা মনেম্বোক রাধেশ্মা পরপ পরপ চংলকই।

"হেরা ইমৌসিদি, নশাল্লা অহুক চৎনীং-লবদবু খাজা থিনজ্রবস্থ ইনেম্না কোক হেক থিন্দোকস্নুনঙাইদনা। নফি শেৎলো। কল্লি কল্লি নপোৎ নচৈ য়োমশিনলো ... ...।"

ইবেত্তোম্বী, মনেম্ মকু, মপুরোইবা থুরুম্লগা ঙসিদি মপাম য়োথ্রে। থাম্নগা হেনগৎপা মুংশি মৈচাকনি। মাবু শাগোম্নবনা পোথাকম ওইনম্রি। রণজিৎনা ইবেত্তোম্বীগী মশক উল্লক-ত্রিবস্থ থা অম্লুক ফারকলে। কাওথোকপদি ইম্লা ময়াদে। মমানা রণজিৎপু নমহুনা লৈশাবী অমগা লুহোংবিরে। রণজিৎ মথরাই তাজত্রবস্থ মমাগী য়াগং হিক্তোকপা ঙমদবদগী মুপী অহুগা মতম খলা লৈমিন্নবা তানমই। ইবেত্তোম্বীস্ম থোকলিবা থোদোক পুম্নমক অত্থ তাই, খঙষ্ট। মথরাইনা পামজবা মরা-মপুরোইবনা অতোপ্পগী লৈত্তেং ওইথ্রবদা মুংঙাইগদবা মুপী জগৎসিদা কনা লৈবমগ ন! উপায় লৈজত্রবী ইবেত্তোম্বী মতম চুপ্পদা মপা লৈনা লৈনা অতোপ্পদা ময়ুম পানথ্রবী মবমচৎ নাইত্রবী মমা অমদি শোয়গ্ৰ মপুন্সিবু মতোমতা নিন্দা তৌজরকই। হৌজিক্রা মথাং কোল্লবা মপাগী অমদি মোপ্রাগী লাইরিক লাইশু তম্বগী; শম্মা হায়রবদা য়ুমহু পুবগী পোৎলুম 'পুম্বা মঙোন্দা তারমই! অমরোমদনা মমানা শিৎ নাম্থোকতুনা নিপা অমগা মুংঙাইনা পুন্সি লেল্লিবা। মুপী ওইবীগী মপুং ফারবা যৌবনহুদগী করিগুম্বা লৈরিক অমত্তা চোয়জায়-হল্লিবী ইবেত্তোম্বীনা ইমুং মহুংগী ভার পুনব-গীদমক লুকমাই কোকথোং নারহুনা কৈথেল কাল্লি।

পুক্লিং রাখলনা পুবা মীওইবনি। রাখেল্লা মকোক্তা খুং হাপলে। পামজনা থিজত্রবী মমৌ মুপীগী লমচৎ শাজং, রাঙাং শাঙ্গাং, অঙকপনি। রা অমতং ঙাংলুবগা শৌ, শৌ চিহ্নকত্তা থুমলিবা। অসিতস্থ নত্তনা মনেম মকুগী সেবাদা ওইওইনবা ...। মুংশিবা কায়-নবগা খঙনদবা অমবু নমহুনা। পামশিন্নবা হোং-নহনবনা রণজিৎ লায়নম্না ওইনা নারে। থম্নু শল্লুরগা হৌজিক্তি রাখেল্লা কত্রবী, মত্রিক চাত্ররী লায়ররবী হাম্নগী মমৌ ইবেত্তোম্বীবু থোইনা হেম্না মুংশিরক্লে। নোংমা মানা ইমুংসি থাদোক-তুনা চৎলমদাইদা ওইথিবা ফিভম—, পুম্নমক অমমমত্তা ওইনা মরি মরি নিংশিংলক্লে। কৌরূবসি কদায়, মহাক্কী মতৌহুদা করম লাক-নীংগবা, কৌররোইসি মচাগী অনাবগী ফিভম।

ইবেত্তোম্বীস্থ রণজিৎ য়াম্না কম্না নাল্লে হায়বা তারে। চৎতি চৎনীংই, মহাকপু উম্মনীংই। অত্থবু পাওদি তাকপিরক্তে, কমদোনা চৎলুনি। মনেমবুস্থ কিজ্জৈ। থনবমথৈ থল্লে। থাও মচা অমদা চান-থক্লবা ঙা-চাকনচিংবা, হৈন্না অচা অণক খর হাপচিন্দুনা রণজিৎপু উম্নবা লাকই। য়াম্না হঙ্গোযনা, মনেম্না ঙাংলকত্রা থন্দুনা কিরূপ কিরূপ চংলকই। কনাস্থ লৈবা উদে। মাঙ্গোল হেক কাথৎপগা ইমুংদগী থোরক্লিবী রাখেল্লাগা কোক থেংনরে। কুইনা উরুত্রবী থাজদনা কাও-রক্লবী মগৌমুপীবু উবদা থূক লাউবা ইকাইবা হরাওবা পুনথিবনা কৌফম খঙদনা ঙাইহাক চপ লেপই। মতৌ অহুদা হৌথিবা পুন্সি মতেক অমা নিংশিংলকপনা ইবেত্তোম্বীগী মাইথোঙহু মকশিনথিবা খঙহৌদে। ঙাইহাক লৈরগা রাখেল্লনা তরাম তরাম্না কৌশিনম্বি।

"নঙ অমুক লাক্লেদনা।"

"অহোই" থুরুমই, "অচা অথক থরদং"

ক্ষিবনা থক থক নিকচৈ। "চৎচবনি, অমুক্তদি উম্নজগে হাযবযু ?"

ইবেতোম্বীগী হোংলমম্রিবা য়াঙাং-শাঙাং, ব্যবহার অমদি কোয়রপ তৌবা মতৌ অম্ব উরুরগা য়াথেম্নাগী মপুক্লিংদা মতোমতা ইকাইজবা পোকলমই। মমাংঙৈঙুম্বা ওইবম্লবদি ইবেতোম্বী মিকুপ অমা পম্বনবগী খুদোংচাবা ক'লমলোই-দবনি অম্বযু ওসিদি য়াথেম্নানা নোকফেৎ তৌনা হায়রকই।

"অমুক্তা নত্রবস্থ চামরক উম্নৌনা। নপু-য়োইবা উম্নবযু ঐনা করিগী শিংগদৌরিবা। ম্নুংঙাইপ্রমাক্লে, নিংশিংলাকশিংখিত্রে হাযত্থনা ঐখোয়দি শাওযু শাওরমলিবনি। চৎলো নক্তি নরোল হোংদোকচরুয়ো।"

ইবেতোম্বী, মনেমগী অনৌবা য়াওন অসিদা ইঙক ঙকই। ওসিনা করম্বা অহোংবা মথেন অমমুক · · । য়ুমসিদা য়াম্নদি নৈজনীংই অম্বযু কোংদোকচবদি কিজ্ঞে। য়াশি নৈবা মীনোক ১না হায়কেং নোকপোই তৌবম্লগা মথা তায়রকই।

"হোংদোক্তবম্ব য়ারনি। ইমাওম্বুপী অমা হায়বম্বযু ···।"

"মহা লাইদো, অতোপ্পা মিপা অমম্না। অম্বুগী ইকাইবা অমদি নঙ কায়নবগী ম্নুংঙাইতবনে বনজিৎনা ক্ষিতম অসি য়োশিনখিব্রবনিদনা। ওম্বোক্লম্ব ৎখিত্রেহে, চৌন লোনচৎনা খঙজক্রিবা কিবযু কিজ্ঞেদা' ইশৌনা কল্লিবা ··· । অম্বযু দি হৌজিক্তি ইমৌ লাক্লেদনা, নহাক হনখযুম্ব। ইমৌসিদি ম্নুংঙাইনা লৈথোকস্থ ঙাইদনা। নপাম লোমদা ইনেমনা চৎত্থনা মরোল পুম্নমক তমলুগনি। নত্তে নঙম্ব ঐবযু য়াবৌবিত্রনে?"

"অত্থুগী নত্তেদা" মোমোন নোকই, "ইমানা ঙাংবযু। য়ুমগী থম্লুবদা · · । হোইদা থোকঅবা হায়ত্থনি।"

কুইনা নোকলুত্রবা মিনোক অমগা লোয়ননা মনেমবযু হাযবপ যেংলম্লগা বনজিৎকী কাদা চংখি।

ঈফূৎ

চেম্বরিবা ঈচেলসিদা
লৈবমসন্থ লম্মথাংদা থৎত্থনা সাহারা
মম্বদা লৈত্রে ঐগী
চিংনবা
ম্নুংনাংবা
অক্ষিবা
ঐহাক মম্নুত্রবযু অমুক পামলুত্রে
মহাক্লা চুপাশিনখিবম্বনা পাম্নবনি হেন্না।

তরিট ব্রবজিৎ

লৌবিখি। শ্রীদ্বিজমণি দেব শর্ম্মনা মণিপুরী সাহিত্যগী লাইৱকশিং অসি অইবশিংনা ভাষা বিজ্ঞান ৱাৎপদগী অফবা সাহিত্য ওইবা ভমদে অমসুং বস পূম্নমক শুনা কংহনবা ভমদে হায়বিখি। শ্রীকৃষ্ণমোহন সিংহনা সমাজগী পুন্সীগী ৱিএলিষ্টিক ওইননবা হোৎনবদা বাঙালী ভাষা যাওদবা য়াদবনি হায়বিখি। অনিবা কলচনদা মৈতৈগা হিন্দুগা পুনশিন্নবা য়াদ হায়নসু পনবিখি।

অহানবা নুমিৎকী নুমিদাংদা শ্রীসংজ্ঞনবম নদিয়া সিংহনা সভাপতি ওই বতনা কবি সম্মেলন অমা পাঙথোকখি। কবি সম্মেলন অসিদা লৌহারোল কাবাশিংনা শরুক যাখি। লৌরকশিংনসু লৌহারোলশিং হেন্না থাগৎলি অনসুং নহ নোল কবিশিংদা তুঙগী আশা থম্মখি। নহ নোল কবিশিংগী অমামা কবিতাদা হোৎনকী লমচৎ অমম খঙদবা কাংখো চাইরবা পুন্সীগী শকুপ উৎননবা বঙ্গা হোৎনবি। অমাং অমা মরীং চৎলবা শ্রীজগন্নাথ শর্মাগী লৈবাক নীংবা লৈনেং ভাবদা ভাবক পুন্নক্কী থম্মোযদা মৈনবাক লুংশিবগী ঈকৌ অমা ফাওরকপগুম তোনখি নহারোল কবিশিংগী মবক্তগী তেম থিন ওইখৎলরিবা শ্রাগা জম ইবোপিশক্কী কবিতাবু ময়াম পুন্নমক্না থাগৎনখি। সাইকোলোজিক ইমপেক্ট থল্লবা ভুসিগী মেটৰিয়েল ৱাল্ড অসিগী মীওইববু থবাথ য়াওব্রবা মেচিন ওইনা উৎনবা হোৎনবকই ইবোপিশক্কী কবিতানা। যুগ অসিগী অশেংবা পোৎ মান্না পুথোবকই। শ্রীবীরেন, আরকে মধুবীব, পদ্মকুমার, বনজিৎ দল্লীউ অমসুং ৱাঃ কুঃ ভুবনসনাগী কবিতাশিংনা মণিপুরী কবিতাগী লৈবাক্তা পুমনৌ নৌবা খোঙথাং অমা থাংজিল্লকপগী মশক উৎলি। অহল্লোন কবিশিংগা নহারোল কবিশিংগগী মরক্তা চাউরবা চৈথল অমা লৈবে হায়বসিদি ইন্তেলেকচুয়েল সর্কলনা য়াংখি। অহল্লোনগীদগী নহারোলগী কবিতানা মমূৎ তাব, সেনিয়স ওইশিনবা হেল্লি হায়বসু পানথিবা কবিতাশিংনা প্রমাম্নি।

অধিবেশনসিগী নীনী চনবগী লুংখিলদা শ্রীতব ইবম বনবীব সিংহনা সভাপতি ওইবিহনা "মণিপুরী সাহিত্যগী সমস্যা" হায়বা ৱাংকম অসিদা সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোকখি। সিম্পোজিয়মদা শ্রীতিজম শ সিংহনা হিংনবা হোৎনবদা থোননবা সমস্যানা ইবগী লম্বীদা পীবা খুদোংথীবা বথ মবক পুথোকখি। মণিপুরগী কেনভাস অনি ... মচাক মনাঙ কাগনা ফংদে, কেংই। অনি চাউথোরা, থবা লাপ্না লেংদব যাদে হায়না হোৎ ফোঙদোকখি। শ্রীবাবেন্দ্রা, মণিপুরগী বুদ্ধিজীবিশিং অমসুং ইন্তেলেকচুয়েল ওইবা বিভাগশিংনা মণিপুরী সাহিত্যবু পান্নবদ অনসু শক থঙাবদ হায়না অকনবা প্রোটেষ্ট তৌখি। মণিপুরী সাহিত্যনা মণিপুরীশিংগী পুন্সী উৎপা ঙমদ্রে, মণিপুরী সাহিত্যনা মতৌক চাদবনা ইন্তেলেকচুয়েল বিভাগশিংনা পাদবনি হায়বা লগাই ওইবা তোত ফেংদোকখি। অসংসু নওনা লৈরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী নিংতম অসি সাহিত্য মুকতো লৈতবগুম্বনি হায়বা অকনবা ৱাংফমসু পুথোকখি। শ্রীনো মাহানন তোম্বীনা মণিপুরী সাহিত্যগী অবাৎপা বয়ামক্কান মাপ্না সিস্টেমেটিক ওইনা অমসুং মবাক চুম্না পুথোক্নুনা থাঙবিখি। অদুবু মণিপুরী সাহিত্য লৈতে মণিপুরী সাহিত্যনা মণিপুরগী পুন্সী উৎপা ঙমদে, হায়বা বাক্যমসিমক্কি য়ানীংদবা ফোংদোকখি। মণিপুরদা এবসদগ্নে চঙলৱবা এচ মোসফাব লৈত্রি হায়খি। শ্রীতোম্বী অমসুং ডাঃ আইআব বাবুনা মণিপুরী সাহিত্যগী তুংগী

আশা য়াম্নমক তৌবা উৎখি। ডাঃ আইআর বাবুনা সাগী ভাষণদা সমাজগী অমোংপা উৎপা গৃৎই ওইহনসু সভ্য-সমাজদা উৎপা যাদবা মশক পুথোকহল্লবদি অাইবগী অপেবা নীংথেং উৎপা ওইনা থোক্কনি হায়খি।

সিম্পোজিয়ম অসিদা অথৱবা ওবজার্ভর ওইনা শ্রীএলাংবম নীলকান্ত সিংহ অমসুং ঙি, সি, তোংব্রানা শৱক য়াৱিখি। শ্রীনীলকান্তনা মণিপুরী সাহিত্যদা যাবিবমথে মৈতৈলোন শীজিন্নবা অসি য়াম্না চাউবা দানি হায়বিখ্রিবগা লোয়ননা বাংলা, সংস্কৃতনচিংবা লোন অমত্তকাওবা চংহল্লনা অশেংবা মৈতৈলোনতনা পুরাংগী রা পুম্নমক ফোঙদোকপা ঙমই হায়বসি হন্দক্তমক খঙলকপা ওইনা অঙকপা ফোঙদোকখি। মণিপুরী সাহিত্য অধুনিক সাহিত্য ওইনবনি হায়না খুদমগা লোয়ননা পুথোক্নসু বঙ্গাসিনা মখাতানা ফোঙদোকখি। শ্রীতোংব্রাদি নহাবোলশিংদা লাইনিক ইনগনু লাইনিক ইবনি হায়হনা নহাবোল অয়াব্দনা চৎথরিবসি পুম্নমক মাঙবা তাবে হায়বগা লোয়ননা অইবা অমা ওইনা থেংনবা সমস্যশিংহু পল্লহনা মশাগী হৈনজবা ফাগিনা ভাবকশিংবু নোকহনখি। মণিপুরগী ফাওববা ড্রামাটিষ্ট অসিগী রাঙাঙদা সিবিযসনেস অমা ইরাং রাংপগুম উহনখিবহৃদি ঐথোয়না হবাওবা ঙমদে। ভাবকশিংগী মরক্তগী শ্রীবাজকুমার ঝলজিৎ অমসুং এন, ইবোবী সিংহনা নৈনবদা শৱক য়াৱিখি। সভাপতিগী ভাষণদা শ্রীবনবীরনা মণিপুরদা থোকপা প্রোব্লেম্না মোদন মণিপুরী লিটরেচর শেমগৎকদবনি অমদি মণিপুরী সমাজ পুথোকপদা অশেংবা মৈতৈ এক্সপরিয়েন্সনা শাগৎকদবনি হায়বিখি।

থুমিদাংগী থৌরমদা শ্রীবীরেনগী "হল্লকপা" কৌবা এবসর্দপ্লে (শ্রীশ্যামকৃষ্ণ শর্মাগী ডিরেকসন) অমা শান্নখি। মণিপুরী থিয়েটরদা পুম্নমৌ নৌবা, নোচুপলোমদগী, মরাওইনা ফ্রাঙ্কতগী চঙশিল্লকপা লীলাশিংগী খোংথাংগী মমি তাবা উই। মণিপুরী থিয়েটরদা খংচোং চোংবা ওইনা থোক্লবা অসিগুম্বা থিয়েটরগী লালহৌ অমা হৌবক্লিবা শ্রীবীরেন অমসুং এরিয়ান থিয়েটরবু ইস্তেলেকচুএল সার্কলনা য়াম্নমক থাগৎনখি।

অধিবেশনদ অসিদা তাখিবা ৱারেপশিংগী শঙ্কলপ্পা মায়োল:—

১***বা ৱারেপ***—হান্না লৈরম্লিবা "নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি" হায়বা মিং অসি ওন্থোক্না "মণিপুরী সাহিত্য প্রেমী সমিতি" হায়না কৌবা।

২***সুবা ৱারেপ***—যাম্না থুনা স্পেসিয়েল সেসন অমা ফমহনা সমিতিগী সংবিধান শেমদোকপা।

৩***সুবা ৱারেপ*** — মণিপুরী সাহিত্যবু ভারতকী সাহিত্য একাদমীনা শকখঙবিরকপা (রিকোগনাইজ তৌবিবকপা) অসিগী একাদমীবু থাগৎচবা।

৪***সুবা ৱারেপ***—গৌহাতি বিশ্ববিদ্যালয়গী পরীক্ষাশিংগী মণিপুরী বিষয়গা রাহংশিং ইংরেজী লোন্দা হংলিবসিগী মহুৎতা মণিপুরী লোন্দা হংবিনবা বিশ্ববিদ্যালয়গী অথবিতিদা হায়জবা।

৫***সুবা ৱারেপ***— মণিপুরী সাহিত্যগী অচৌবা সেমিনার অমা ফম্বা।

৬***সুবা ৱারেপ***—অরেপ্পা অমা লৈত্রিবা মীতৈ ময়েকী অরেপ্পা মশক অমা য়াম্না থুনা লেপ্পিনবা মণিপুর সরকারদা হায়জবা।

৭সুবা [illegible]— মণিপুরী ব্যাকরণগী অরেপ্পা মশক অমা লেপ্পিনবা অমসুং চৎনহন-বিনবা মণিপুর সরকারদা হায়জবা।

চৎলিবা চহী ইং ১৯৭১-৭২ অসিগী-নহা য়োল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী মেম্বর তরামগানা শাবা কার্য্যকারী সমিতি অমা অমসুং মেম্বর তরামগা অমনা সাহিত্য সঙঘ কৌবা সব কমিতি অমগা শেমখি। কার্য্যকারী সমিতিগী মেম্বর-শিংগী মিং—(১) সর্ব্বশ্রী অয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ (সভাপতি), (২) সজেনবম নদিয়া সিংহ (উপ সভাপতি), (৩) যেঙ্খোম জ্যোতিন্দ্র সিংহ (জেনরেল সেক্রেটরি), (৪) এ, চিত্রেশ্বর শর্ম্মা (মেম্বর), (৫) বি, মণিস্না শর্ম্মা, (৬) থাংজম ইবোপিশক, (৭) লাইশ্রম সমরেন্দ্র সিংহ, (৮) য়ুমলেম্বম ইবোমচা (৯) বাঃ কুঃ মধুবীর, (১০) টি এইচ, য়ুগিন্দ্রো সিংহ, (১১) এল, পাচা মীতৈ, (১২) রনজাং দল্লীউ, (১৩) কে, ভুজমণি শর্ম্মা, (১৪ ইরেংবম বীজয়, (১৫ এন, তোম্বীরাজ (জোইন্ত সেক্রেটরী)।

সাহিত্য সঙঘগী মেম্বরশিংগী মিং— (১) সর্ব্বশ্রী সজেনবম নদিয়া সিংহ সভাপতি) (২) বি, মণিস্না শর্ম্মা (মেম্বর), (৩) য়ুমলেম্বম ইবোমচা, (৪) বাই, জ্যোতিন্দ্র সিংহ, (৫ বাঃ কুঃ মধুবীর, (৬) লমাবম বীরমণি, (৭) এন, তোম্বীরাজ, (৮) রনজীৎ দল্লীউ, (৯) থাংজম ইবোপিশক, (১০) লোংজম জয়চন্দ্র সিংহ, (১১) এল, পাচা মীতৈ (১২) বাঃ কুঃ ভুবনস্না (কনভেনর), (১৩) টিএইচ ইবোহল, (১৪) টি, এইচ, বৃন্দাবন, (১৫) আই, উপেন।

য়ুমলেম্বম ইবোমচা

খুংনাব। মৈতৈ কবিশিংবু ইকাইখুম্নবা

বৈ [illegible] ইংগী [illegible] ইহনগা লোয়ননা ফুজি পা স [illegible] অমদি বাংলা লোশনা চহী চা কয় [illegible] ওয়ন মণিপুরী সাহিত্যবু মঙাল পী না আন [illegible] অমা [illegible] অথোইবা পোদাং য়ারম্বা খুংমাবা লেখকশিংনি লমাবম কমল, খাংবাকপম চাউবা, হিজম অঙাংহল, অবাম্বম দবেন্দ্রজীৎ অমসুং ফরাইবম নবদ্বীপচন্দ্র। হিংলিবশিংগী ময়ুংদা অশাংবম মীনকেতন অমসুং বাজকুমার শীতলজীৎ। মণিপুরী সমাজগী অগাবা কয়াদা কপখিবা পম্মেম শোয়া [illegible], সুংভাইবা কয়াদসু নেয়া শক্তক যাবিখিবা, ঐখাংগী আশা অমসুং মঙজবা মঙ কয়াবু যুগা থিজিন য়ে শিনবিরম্বা কবিশিং অসিদা ঐগোনা কবি তোবিমন উংচঞ্জরাগে? হন্দক মণিপুরী সহিত্যনা থিত্তম হাইফেৎ তাজরক্লবা ভারতকী সাহিত্য একাদমীনা শক-থঙবিহনা মংাম্নবা অতৈ সাহিত্যশিংগী মরক্তা ক্রমকম অমা ফংজনক্লবা মতম অসিদা বাহং অসি নোংহোনা লাকই মখেয়না মণিপুরী সমাজদা তৌরম্বা দানশিংগী লম্মন কবিনা শিংবদা যতক চাগদগে, মখোয়দা উৎকদবা অশেংবা অচুম্বা মতমসিগী তৌবিমল মউৎ কবিনো? অনোবা লাকইবা মীবোল ঐখোয়না মুম্না থনকম থোকই।

শ্রীহিজম অঙাংহল সিংহ কবি-রত্নগী ৭১সুবা মপোক কুমীৎ :— বাখল অসিগী মতুংইন্না জুলাই তাং ৭, ১৯৭১ ইংগী বুখিনদা নহারোল সাহিত্য প্রেমী

সংগঠিতনা শীন্দুনা শ্রীহিজম অঙাংহল সিংহ কবিরত্নগী ৭৯ সুবা মপোক নুমীৎ নীংশিং-থৌরম অমা এরিয়ান হোল ইম্ফালদা পাঙথোকখি। লৈখিদ্রবা থুৎমাবা অথোইবা কবি, সাহিত্যিক অমসুং নাট্যকার অসিগী ফোটোদা সাহিত্য প্রেমীশিংনা লৈ কৎতুনা কবিগী মফমদা ইকাই-খুম্নবা উৎচখি। থৌরম অসিদা শ্রীঅশাংবম মীনকেতন সিংহনা প্রধান অতিথি অমসুং শ্রী অয়েক-পম শ্যামসুন্দর সিংহনা সভাপতি ওইখি প্রধান অতিথিগী ভাষণদা মণিপুরী লোল অসিসু বাংলা অমদি সংস্কৃত লোলনা নৈহৎমনখিবদগী অমাংবা লোল অমনি হায়বা মৈতৈশিংনা যাম্মক থৌ শানখিদা মতম অদুদা, কবিসিনা "শরৎচন্দ্র ইন্দু" পুথোক্লুনা মৈতৈলোলগী মঙুংচজিনবা কাব্যগী শক্তি চপচানা যাওবা মশক্তু পুথোক্লুনা মণিপুরীশিংবু শাথীনা ওকহনখি. অমসুং ইবোলবু থবায়বংনা মুংশিনহ্না গপোহ্‌ইবা লেখক অমানি হায়খি।

শ্রীএল, নেত্রজীৎ সিংহনা পুন্সীগী হিংনবগী লাম্লক্তা মায়পুনরম্বগা লোয়ননা কবি অঙাংহলনা নাট্যগী জগৎতা চপচাবা আর্টিষ্ট অমগী তাঙলবা গুণশিংগা লোয়ননা হনবা লৈতনা চঙশিল্লম্বগী রাবী শুগায়না লীখি। ইমুঙ মনুংগী পুন্সীদা অমদি চৈবাপকী দরখাষ্ট ইমা অমা ওইবগী থলকী পুন্সীদা যাম্মক কলচব তৌনা অমসুং অচুম্বা চৎনা হিংলম্বগী রাবী সভাদা পুথোকখি। শ্রীএলাংবম নীলকান্ত সিংহনা লাইপোক হায়বসি পঙনা হায়নীংদবনি অদুবু কবিরত্ন অঙাংহলদি লাইপোকলোমদা কনয়াম্না চঙশিল্লমই হায়না ফোঙদোক্লুনা সভাবু নোংহৌনা রাখল থলহনখি। ভারতকী সাহিত্য একাদমীনা মণিপুরী সাহিত্যবু রিকোগনাইজ তৌরকপদা একাদমীসিগী সভাপতি ওইরিবা ডঃ সুনিতিকুমার চেটর্জীনা শকথঙপ্রবা কবিসিগী "খম্বা থোইবী শৈরেং"না যাম্না চাউবা শকাক য়াখি হায়না মথাতামা ফোঙদোকখি। অয়োইবদা মহাত্মা অকনবা আপিল তৌখি—সমাজগী মশকপু কুপ্না য়েংশিল্লম্বা, কাব্যগী অঙকপা শক্তিগা লোয়ননা যুগ অসিনা কন্না তাল্লিবা মানববাদপু চপচানা উৎলম্বা বিপ্লবী কবি অসি হৌজিকসু ঐখোয়না কুপ্না য়েং-শিন্দুনা থিবা দরকার ওইরি।

শ্রীঅয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহনা সভাপতিগী তাঙবলদগী কবিগা মশামক্তা লোয়নরকপা নাট্য অমদি সহিত্যগী খোঙচৎ কগাবু পুথোক-খি। কবিসিনা নাটকনচিংবা ইবদা চুমগী কল্পনানা শাগৎপদা নত্তনা অওইবা পুন্সীদা চোংশিনবদা ফংলকপা এক্সপেবিয়েন্সতু পুথোক্লবা লাক্লবগী হুংঙাইনবা থৌদোক সভাগী মফমদা শুগাইনা লীখি।

কবিরত্ন অরাম্বম দরেন্দ্রজীৎ সিংহগী ৬৪ সুবা মপোক নুমীৎ :—আগষ্ট তাং ৮, ১৯৭১ ইংগী অয়ুক্তা সমিতিনা শীন্দুনা শ্রীঅরাম্বম দরেন্দ্রজীৎ সিংহ কবিরত্নগী ৬৪সুবা মপোক নুমীৎ নীংশিং-থৌরম অমসু এরিয়ান হোলদা পাঙথোকখি। সাহিত্য প্রেমীশিংনা লৈখিদ্রবা থুৎমাবা কবি, সাহিত্যিক অমসুং নাট্যকার অসিগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎচখি। সমিতিনা নমথোকপা কবিগী শমলপ্পা পুন্সী-রাগী অমা থৌরমগী অহৌবমক্তদা য়েন-থোক্লুনা সভাদা শক্তাকপা হৌখি। পদ্মশ্রী চিঙ্গাংবম কালাচান্দ শাস্ত্রী অমসুং শ্রীঅয়েক-পম শ্যামসুন্দর সিংহ অনীনা থৌরম অসিগী মথংশিন্না প্রধান অতিথি অমদি সভাপতি ওইখি। দরেন্দ্রজীৎ সিংহনা সংস্কৃত রাইহে কয়া

মণিপুরীদা পুশিল্লক্তুনা মৈতৈরোলগী মা-পুনচিংবদা থাক্তুনচিংবা হাপ্তুনা কঞ্জরবা মশক অমা থোকহল্লক্তুনা ইমারোলগী অচৌবা ঈহৌ অমা পুরক্লবা কমা হোৎনরমই হায়না প্রধান অতিথিনা হায়খি অমদি কবিসিগী সাহিত্যগী তাঙলবা গুণ কয়া পুথোকখি। শ্রীহিজম গুণ সিংহনা দবেন্দ্রজিৎকী খুৎইদা মরৈবাক নীংবগী অমদি ঈশ্বর ভক্তিগী অয়োবা মমি তারম্বা, কল্পনানা শোকউ শোকউবা মফমদা কঞ্জরবা মশক কয়া চোংথোকহল্লকপত্থ খুদমগা লোয়ননা পুথোক্তুনা তাঙখি। শ্রীহাউবম ইবুংঙোয়াইমা সিংহনা কবিগা মশামক্কা লোয়নরকপা পুন্সীগী খোঙচৎ কয়াগী ফুংঙাইববা রাবী লীখি অমসুং কবিগা মহাক্কা শকমিন্নবনি হায়বা বাংলাগী ফুংশিরবা ঈশৈ অমা শক্তুনা সভাবু পুক্নীং নৌহনখি।

কবিগী নাটক "মোইরাং থোইবী" দ কালিদাসকী শকুন্তলাগী মমি অমদি "ভাগ্যচন্দ্র"দা সেয়পিয়ারগী মেকবেথকী মমি তায় হায়রিবসি অচোম্বা নত্তে গঞ্জবগী মশক্নি, জগৎ ফাওরিবা সেক্সপিয়ার অমসুং কালিদাসকুম্বগী মমি তাবমু অথীবা মশক্না হায়না শ্রীওয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহনা সভাপতিগী ভাষণদা হায়খি। চহী কয়াগী মমাঙদা ইরম্বা, থোইদোক্না লান মমাঙগী মতমগী সহিত্যবু যুগ অসিগী চৎনবীগী পাদমদা পুশিন্দুনা ওনবদি চুমদম্বনি হায়না দবেন্দ্রজিৎনা ইরম্বা লাইরিকপু নৈনখিকশিংগা (সভাদা নৈনখিবদি নত্তে) মরী লৈননা মথা তানা ফোঙদোকখি।

ইজাতিগী অচৌবা কবি অমদি লেখকশিংবু অমুক নোংহোনা শকখঙজরকপগী মওঙদা মখোযগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎচব অমসুং সম্মান উৎপগী থৌরম মথং মথং পায়খৎলক্লিবসি তৌফম পোকপা অচুম্বনি ইশাবু শকখঙনবা অমদি ইজাতিবু শকখঙনবা হোৎনবগী লম্বীদা চঙশিল্লকপ পোঙথা নি।

থাংজম ইবোপিশক।

বিনোদিনী অমসুং "অশংবা নোংজাবী"



[অশংবা নো জাবী ড্রামা চয়ুম)

অইবী: এম, কে, বিনোদিনী দেবী
আকোয়বী: অইবী মশা, **লমায়:** ৮৪
মমল:—৩৫০, ই° ১৯৬৭]

এম, কে, বিনোদিনী, মণিপুরী খোরীবোলগী লৌবুক্তা খোইদোক্লা মশক নাইববী অমনি। মহাক্কপু ময়াম্না ইহান হাম্না শক খঙবদি বারী মচাগী কাংলুপুনি। 'যামিনী সুন্দর গোল্ড মেডল' ফংগ্রবা মাগী "নুঙ্গাইরক্তা চন্দ্রমুখী", মসিদা যাওরিবা রারী • খুদিংমক পাবা যায, মক ওইনা রারী খরদি অপাবশিংদা অনৌবা রাখল পি। অহুবু ইখঙ খঙহৌদনা রারী লীবী অসি ড্রামাগী ঈথক ঈপোমদা ঈরোইরকখি। মাওনা রারী লীরগা ভাবোকশিংনা তাবহু পেল্লক্তুনা মশামক্লা ভাবোক ওইনিংলকখি-খুদম ওইনা "অশংবা নোংজাবী"গী রাহৌদোক্তা— 'ঐনা শাগৎচখিবা চরিত্রশিংনা ঐগী ইমাঙদা অহিংবা ওইনা খোরকপা উবদা অঙকপা নুঙাইবা অমা ফংখি। পুরিংদা ফাওখি, চরিত্রশিং অমো অমুক ঐগী নত্তবে, মাগী মাগী অধিকারনা হিংলবনি—ঐনা ভাবোক" রাহৈশিংসি বিনোদিনীনা ইচম চম্না ফোংদোবকপা নত্তে মাগী লীলাগী life তুনা মশাবু খুত্তম চনশিল্লকপনি, হেন্না পুক্নিং লুপশিনখিবগী খুদমনি, যাম্না নুঙাইনিঙাইনি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা "অশংবা নোংজাবী" "ঙাইখো, হিংমিন্নখিসি" অমদি "কাউরববা বাস শান্নবগী অহিঙদো," অহুম্মক রেডিও প্লে ওাক্তনি। বিনোনিদী মশানা অত্তেন-লীলা ইবদা য়াম্না হৈনৈ। মথক্তগীসিদা নত্তবা মাগী "শ্রীবন চীঙ্গোনগী তম্পলাই" অমদি "কনানা কৈথেন কাগনি" (রেডিওদা তাখিবা) পুন্নমক অত্তেন লীলা ওাক্তনি। মশানা চেনা অমদি রাহৈ লীক্লা শিজিন্নবগী মতিক অয়েংবা, অতাবা অমসুং অপাবশিংদসু মমল নাইত্রবা মতমবু লীক্ল শিজন্নবগী খুদোং চাবা অহুম ফংহল্লি।

মসিমক্তি চাওখৎলবা, থবক চিন্নবা মতমসিগী মীওইমন্না ফংকম থোকপা থুদোং চাবগুনু। মসি মপানলোমগী খোরীরোলশিংদদি য়াম্নমক চৎনৈ হায়বা য়াই থুদম্নবদা Hemingway গী novelet, "The old Man and the Sea", অমসুং Samuel Beckelt কী playlet, "waiting for Godot,"না শাংলা শাংলবা novel drama কয়াবু মমথহনা Novel prize ক খিবা, ঐখোয়না ওক্তি ভাই করিগনু ওইদে। মসিনা তাকপদি লাই-বিক্কী গুণ লেপ্পসি idea নি volume চাউববু নত্তে, অসনি।

মতমসিগী মিৎয়েংদা বিনোদিনীগী লীলাবা কদায় যোনা মায় পাক্লবগে, ঐখোয় য়েংসি। লাল। অহুংসিগী রাবী থুদংমক ঐখোয়না তেযনা থেংনবা, খুৎলোইববা হুংশি-হুংওনগী রাবী ডাক্তনি। ঐখোয়না "অশংবা নোংজাবী" দা উবা ফংই লাইয়েকপা গৌতমবু ইন্দু কোবী স্কুল ওবা অমগা কৈন্যাতোম্বী কোবী পোৎ-ফম কম্বী অমগা হুংশিনবগী রাবী। অনি-গুবা "ভাইখে। হিংমিন্নখিশি" লীলাসিদনা মহেন্দ্র অমদি নন্দনী অনিগী conjugal love কী রাবীনি। লীলাসিগী মরু ওইবা conflict না মপোকসিগী অঙাং পোক্লরোইদবী নন্দিনীবু থঙনা থঙনা মপুরোইবা মহেন্দ্রনা য়াম্না শেংনা হুংশি-জবা উৎপসিনি। অবোইবা "কাউরবরা রাস শান্নবগী অহিংদো" লীলাসিদসু প্রোঃ নীলমাধবকী মহাও য়াওব্রবা হুংশিবা; কোংদোকহোত্রবা থম্মোয়গী রায়োল ইচম চম্না মাগী হুংশিনবিহুদা নীংঙমত্রবা মৈচাকথাক কোংদোকপতনি। স্কুল কোলেজগী ছাত্রশিংনা মেগাজিনগীদমক ইবা theme গুবা ডাক্তনি। তৌইগুমসু বিনোদিনীনা লীলাশিংসিদু য়াম্না হৈংশিংনা পুথোক্লবা কন্না হোৎনবি

মমিং থোক্লকপগী মতাংদা ঐখোযনা খছু-নিংঙাইনি অবাওবা কৈচিলদা তাবমদাইগী নম্ভ্রগা পোক্লকপগী হুংশা মঙালনা য়ৈবদা কৈভাং, শঙ্গোম মিঠাই নম্ভ্রগা নাপু মচু কয়ানা কৈচিলগী অথং-তাকু গী মতুং ইন্না মবাং-মবাং উহল্লি-য়েংবদা পুক্লিং গুমহৎলি। তৌইগুমসুং বিনোদিনীনা অহুগুম্না নোংজাবী অহুবু শংই হায়রিং মতাং অসিদা 'laywright অসিনা পান্নিবসি মিকুপ-কী ওইবা মবাং-মবাংবা মচুহুনু নত্তে; মতম কৈবখিবিক্তা শংহুনতা কৈবৰা তোঙানবা নোং-জাবী অমনি-ভাববী কল্পনাগী লেঙত্রনা নোংজাবী নি—য়াম্না symbolical ওই। রাকম অমনা "অশংবা" হায়বা রাহৈসিমক মাগী (বিনোদিনীগী) য়াম্না পামজব (favourite) ওইনা তৌই-মাসি মাগী সুপী ওইবীগী অথোৎপা খুদমনি হাযবদা লাল্লোই। পনবা য়াই—অহবীসিগী "সুজাইনক্তা চন্দ্রমুখী", হাযবা লাইনিক্তা অশংবা হায়বা রাহৈসি কয়াবক হুক্তিম্না থেংনৈ। Shakespear দা "flower" নম্ভ্রগা কৈশিং-গী মমিং, Matthew Arnold দা "Silvery" Browring দা "love" অমদি T.S. Eliot তা "rock" হায়নিবা রাহৈশিংসিনা মাগী মাগী favourite ওইবগুম বিনোদিনীগীসু "অশংবা" হায়বসিনা মাগী favourite নি হায়বা তাই। মথক্তী কবিশিংসিদা ঐখোয়না মাগী মাগী favourite word পু তোয়না তোয়না থেংনবদা monotony পোক্লবগুম বিনোদিনীগী favourite word পুসু তোয়না থেংনবদা ঐখোয়দা চোকথবা পোক্তে। অহানবদা "শিল্পী" কৌবম্নগা "অশংবা নোংজাবী" হায়না

Symbolic form দা হো'দোয়কপগিদক অহৈবীগিগী মরম্লাই অপাম্বণী অনিং তমলককপনি। অমীম্ভবা লীলা "ভাইখো, হিংবিরখিসি" অমদি অহুমগুবা "কাউরবরা রাস শায়বগী অহিংদো" (Subtitle ওইনা "রাস শায়বগী পুক্ষোন") হৌবা লীলা অনিসিদি অহুক হক্না Symbolic ওইদে অহুমকপু ইনাই লাইনা খোঙক-পদি নত্তে। "ভাইখো, হিংবিরখিসিদা" চেগী কৈশুম মনম চেক্রবী ; কৈবেন ওইহনস্লু খোইমু তোংক্রবী কৈহাওগুম, মুম পান্নগা, মপুগীদা মচাগী প্রেম শশক থঙলমোইদবা মহেন্দ্রনা মাগী নন্দিনীবু হিংলিমখৈ পুক্নী লেনমিন্নগনি অমসুং কনাগুবা অমতনা মখোয়নিগী মরক্তা কক্লাং থাম্বা য়ারোই হায়না কো'দোকনি। মতৌ অতম্না "কাউরবরা রাস শায়বগী অহিংদো" লীলা অনিমস্লু প্রো: নীলমাধপনা য়াধামনিতবু খীংখিংহনা চহি নিফু হেক্রবকাওবা অতাও-বগুম লেপ্পি। লীলা অসিগী Stage direction দা "ঐ য়াই ঐ নত্তোন্দা লানথরে অহবু পুন্নী চুপ্পা দগি কংবদি কনানা হৌনবগে? কৈ দগি অহু ঐ খাত্তগে।" অহুসা ইলোই লোইবদা "নিঙথিংনিবরা রাস শায়বগী অহিংদো। অহৃগা মরাল চুমথোকপা ঐ লাক্রমী অসিমদি নংনা থঙলয়োইদকো।" য়াহৈনিংসিমক য়ামা নীংবা কায়রবা অমগী পুক্নীগী ওইনা কাউ-ত্তক্রবা নীংঙমদা মৈতাকী মকোকদোকনি।

মহেন্দ্রনা নন্দিনীমু কুংশিজবা অহুগা নীলমাধপনা য়াধামনিবু কুংশিজবা ওয়মক গৌতম্না ইন্দুবু কুংশিজবগুম মখোয় মখোয়গী খোঙ্গো মরা ত্তাশিন্নুনা লৈবি। পুক্নীগী অয়া-অনা কক্লিনস্লু মহবু হুমদোকপা ওকপংরোই। য়েনিং-থুমকপদা [illegible] খাঙখোঙনা কজবগুম মহেন্দ্র, নীলমাধপ

"অমদি গৌতমগী কুংশিবীশিবু খক অহেনবা কুদিংগী কুংশিবকুম মখোয়গী মখোয়দা নীংখিং-হনতা লৈরি—মসিমক "অপরেবা" গী মপুং কায়বা থুকনি।

Aristotle না drama অমগী মঃংদা (মরু ওইনা Tragedy দা) Plot না character অমদি অত্তে শরুক পুমমক্তগী মরু ওইবা লেপ্পি হায়রমী। মাত্তোন্দদি "Plot is the first Principle and as it were the sou' of a tragedy, character holds the second p'ace, মসিনি। তৌইগুম্বসুং মতমসিগী মিংয়েংদদি ঐথোয়না Aristotle থক্কবু উবা ত্তমদে। থজনিংঙাই হায়বদু Prof Butcher না "the modern introspective habit the psychological ınterest fe t in character, has produced many dramatic lyric, but few dramas." অস্নুয়া হায়। মসি মতমসিগী drama কুপ্পা থঙলগা হায়বকপনি, অমসুং Aristotle দগী লাপ-থোবকপগী থুদমনি। W. K. Wimsatt না action হায়বদি Plot কা character গা অমত্তা ওইবগুম উংলি। মানা হায়—"there can be no basic consideration of character and action 'seperately." Henry James না অমুক Plot কা character গগী মরক্তা চাওরবা mutual relationship অমা উত্নুনা হায় "What is character but the determination of incident What is incident but the illustration of character." মতৌ অসুম্না অনিবা মুক্তা Plot মরুগা action অমা ঐ